পিতা কাশ্যপনা যজ্ঞ তৌই যজ্ঞগী শিং থিবা ইন্দ্র, বায়ু যম, সুর্য্যানচিংবা লাইরাসনা চংলি। শিংগং ককথুরগা মপোং শেমগনা থোরংনরগা ইন্দ্রনা মাং থাগনা পরেং শানা লাক্লে থব চংলগ মাংদা থুগী থুগী মরম রাংবা বালখিল্যশিংনা নোং থিক্লি ২ চুমহদা পাজোং মনা অমমম মকোক্ত কুপলগা তপনা ২ চংলি ১মাংদা মন খোংগুন অমা ঈশিং থম্না তুংগুনা লৈব উরে? মাদু লাগ্লোকপা ওমদগুনা, রামনা রানা থরগুনা লেরে। মাদু উবদা ইন্দ্রনা নোক্লরে। ইন্দ্রনা নোক্লবা অদু উবদা রাগা শাওরগনা বালখিল্য মুনিশিং লৈহোরে। ইন্দ্রনচিংবা লাইশিংগী চংথরে বালখিল্যশিংনা ব্রাহ্মণবু উশিত্তবা ধর্ম্ম লেতব পাপী। ইন্দ্র নত্তি নত্তুং শিল্লবা নংগুথা ইন্দ্র চামগী পাগল কল্লবা ইন্দ্র অমা শেমলগনি। অসী থম্নো কামরূপীগী মংতা ওইবা ইন্দ্র ৭মা পুখোকনবগী শরুম তৌগনা যজ্ঞ হৌখ্রে। পাও অসি ইন্দ্রনা তাববদা কিরক্রগুনা পিতা কাশ্যপকি মফমদা হায়জররে। কশ্যপ মনি যজ্ঞ স্থান তাননা চেল্লক্লগুনা, বালখিল্য মুনিশিংগী মফমদা নোল্লুক্লা হায়জরকই। তাশিংবু মহামুনিশিং ইন্দ্র ৭সিনা মওম কুইন। ব্রহ্মাগী সেবা তৌগুনা ব্রহ্মানা পাইগী নিংথৌ ওইহনখ্রবনী। ব্রহ্মাগী য়াথংবু অরেম্বা তাগলরা। ইন্দ্র অমা শেমগংনবগী যজ্ঞ তৌরিবা অসি তোকপীরো? ব্রহ্মাগী শৃষ্টী কাইহনবা ব্রাহ্মণগী ধর্ম্ম নত্তে। কাশ্যপকী রা অসি তাবদা, মুনিশিংনা হায়রকই? রাগা রানা তৌরক্লবা, যজ্ঞগী মহে অসী মাবা তারে। কাশ্যপনা হায়রকই মুনিশিংগী যজ্ঞগী মহৈ অদুনা। মরোল অদুবু ওয়া উচেককী নিংথৌ ওইনা পোক্লসনু ঐগী ইচা ওইনা ফংজরগে। ঋশিশিনা হায়রকই মাদুমক ওইরসনু হায়না বর পারগা। যজ্ঞ লোইশিনখ্রে। ইন্দ্রবু কোদুনা হায়রকই করিগুথদসু ব্রাহ্মণবু নোক্লগনু থওইদবা, অহঙ্কারসু তৌরগনু। ব্রহ্মাগনা শাওথুবদী মী অদু লানকম লৈত্রবনী হৌজিক্কি পাঙ্গহৌরা অসুম্না বোর পীরমলগা মুনশিং হিমাপরদা চংথরে। কাশ্যপ মুনিসু হলক্লুনা বিনতাদা হায়রকই নংনা ব্রত তৌজরকপগী কোননা নঙ্গী গর্ভদা নচা থগেন্দ্র পোক্লগনি। অসি হায়গুনা বোর পিল্লবিখে। মংতো অদুম্না গরুর পোকখীবনি, হৌজিক্কি মথা লিক্লরগে মতম অদুদা থগপতি, লাইগী লৈপাক য়োরক্লে, মশক উবদা লাইরাম পুরমক কিনৈ। লাগশিংনা থুংলাই থাজিননরকই শেল, শুল গুঠা, শক্তি, ভুশুন্তি, তোমোর, পরিঘ, পট্ট, চক্র, মুষল, মুদগর, নোংচুপবগুমনা। গরুরগী থক্তা হায়থরকই। লাইশিংগী ১ক্তৌ উবদা গরুর থাক্লা ২ নোকলকই, অপংবা ইন্দ্রনচিবা লাই ন'থায় ত্রেনা চাংকে হায়রবদী, মিংরূপ অমগী মপুংদা লোইনা হাংপা ওমগনী। নথোয়বু হাংজুবগী কপ করিসু ফংলোঈ, ঐগী ইথৌ পাংথোক্লগা লোইরে অসি থম্লুনা? থুংলাই মপামসু মশানা কম্বরগা লাঈশিং চেলহনখরগে নিংগুনা, উকুল মথাম খোমজিন্নগা লাইরাম। মথারদা চাইশিংগী উকুল চংগুনা লাইরাম মথিং উনরে, থাইদগী ইন্দ্রনা মথিং রাথলগী থপা হেননা রারে। লাইগী লৈবাক উকুলনা পুষ্প মমলবনা ইন্দ্রনা থুংশিংপু হমদোকংরে। অদুক কোইশিন্দুনা গরুরগী

থকা অয়াম্বা খুদোলাই থাগ্রিললকই। অদু উবদা শাওরদুনা, মচিল্লা খুজিল্লা মশানা, খোগারুব স্তুরৎপা ফুগাইবদা লাওমাম থাবা ওংঅদুনা কাইদুনা চেমখবে। দেবতা গন্ধর্ব্ব, যক্ষ রক্ষ, কিন্নর, পুম্নমক জম্ম তৌবগা অমৃত লৈফমদ চংখ্রে। অমৃতগী মাইগৈ অকোইবদু প্রলয়গী মৈনা চাকুন্না লৈরিবা মৈরিদু ঈশিং শচিল্লা উমদুনা লৌরুবগা। কামশিন্দুনা মুথংলি। সনাগী হকচাং ওন্দুন মৈত্তাল অচাকপা মঙ্গং অদু শানশীল্লি। মৈ লানশিনথরগা অথৌব চক্রনা লৈদুনা অকোইবা ঙাক্লমী? সিল্লিনা পিকসিন্দুনা চক্রগী শিত্রদা লানশিনখবে। অদুদগী খকিবা কলবা লিং অগ্নিনা অমুকস্ত্র ঙাকলম্মী? লিন অদু ভয় তৌবগা অমৃত পুদুনা অভিরামোমদ পাইখৎখরে। বিনতা গী মচা মতৌক চাওরবা গরুরনা অমৃত পুদুনা লাকপদা, শ্রীনরায়ণনা উরদুনা শংখ, চক্র গদা পদ্ম শারকু থম্ম পাইদুনা গরুরগী মাংদ লেপরে। মপুমনাই লান্থংনবদা ওমরে। গরুরগী শক্তি উবদা শ্রীহরি পেল্লদুনা লান তোক্লসী নংনা পাম্বা বোর অমা নিয়ু হায়বীরক্লে। গরুরনা হায়জৈ প্রভু নহাক্লা লেবা মফমদগী হেন্না থাবা মফমদ ঐহাক লৈজগে পানবীয়ু। শ্রীনরায়ণনা হায়বকই নংনা পাম্বদু লোজবো শেপ্প থুজবো হায়না বর পীখোকলে। নরয়ণগী বোর ফংলবদা গরুরনা হায়বকই ইবুঙো ননাদু ঐডোংস্তু বর অমত্তা নিবীয়ু শ্রীহরিনা হায়রকই হে খগেন্দ্র নং অসি ঐগী বাহন ওইবীয়ু ঐনা নথক্তা তোজগে। গরুরনা ওইগে হায়না বোর ওইনা ফংখ্রে। অদুগী তুংদা পক্ষি অমুক হায়জবকই ইবুংঙো নহাকী মথক অরাংবদা লৈজো হায়নবা বর পীথিবা যাখং অদুদি কদাঃদা লৈজো হায়রবগে। শ্রীহরিনা হায় নংনা ঐগী ইথক বথকী ফিবান্দা তোংদুনা লৈয়ু অসি হায়লনবগা শ্রীহরি বৈকুন্ঠদা লেংখরে। গরুর অমৃত পুদনা পাইখ্যা। অদুগ পুথিবা উবদা ইন্দ্রনা গরুরগা থক্ল বজ্র লশিল্লক্লে। বজ্র উবদা মোংমান নোত্তুনা গরুরনা ইন্দ্র ময়েলগ হায়রকই হে ইন্দ্র নঙ্গী বজ্র অসী অবেংদা মাংহল্লবদী নং হায়া ইকাইবগনি। অমদুং মুনিগী শকনা শাগরবা লেপ্পা মরাংগৈব্রবা খুৎনাইনা ঐডোংশাদি বজ্র চাম থাজিললকলবগ্ম করিম তৌবা ঙমলোই। অদুম ওইরমক মুনিগী মাখং ঙাকদুনা শাখা পঙ্খ অমা পীরংগ। অসি হায়দুনা শাগরুম্মী তুরিক অমা থুংলগা বজ্রগী মর্যাদা লংশিনখরে। বজ্র অদু চাকখেঙমলগা হক্লিনখ্যা? মায় উবদা ইন্দ্র ইকুয়দুনা চান্নুকপা ন্যংমনা হায়জরকই। হে খগেন্দ্র নহাক্লী লমচৎ অমদুং নঙ্গী উবদা ঐন্দ্র পেল্লে। নহাক্লা ঐহাকক্লা মরূপ ওইরাস ঐনা হায়জবা অসি মাবীয়ু। নহাককী মতৌক মুঙ্গা অসি কনানম্ম হায়বা ঙংলোই। হে শাখা ঐনা নত্তোন্দা হংজগে। নহাকী তৌব ঙম্বা নগাজল মুসি কয়ামরূম করবগে অমুক্ষা মুক্তা তাকপীয়ু। ইন্দ্রগী ৱাহং অসি তাবগা শক্তি মৈরম্বা গরুরনা হায়বকই হে নাথ ঐগী ইভুখু ঐবা শিংখাবা অসি ঐ ইকাইজৈ? অদুগ মরূপ ওইরবশিনা হায়জরগে। যজন কোটি হাথৈ চাওব পৃথি অসি, ঠশা নাময়দা হাপলগা।

লাইরৈবাক অসিনা ইশা নাংদা হাপলগা। চহীলিশিং অমা অভিয়াদা পায়ব লাইনা থমগনা বাসি ভাবদা ইন্দ্র অংকপা কংভতুনা অমুক শায়রকত, ঙ সাথা নহাক্না লাঈগী অমৃতবু পুখিবা অসী করাগিনে। গরুবন হাইরকই অমৃতসি লিক্না পিবগা ঈমাগী মিনাঈ হন্দোক্ত ইন্দ্রনা হায়, হে পক্ষিরাজ মহুপুবা ফত্রবা লিক্না অমৃত পিশিন্নবদা জগৎ অসি মাংলগনী। মীনশিং অসি নহাককী য়েক্রবনি ঐগীশু য়েক্রবা ওইবে য়েন্নবদা অমৃত পিশিনবদী মশীক চা'দ। উপায় অমা যেলগা ইমাগী 'মনাঈ হন্দাকসী লাই' থনাই ওইরব অমৃতবু নংনা চানবীহুনা ঐডোম্না পীনবীহু চায়রকই। হে সাথা মহুদী য়ারবোই এনা হন্ধালগী মংদা অমৃত পবককনী শাযহুনা রাশকথবে মমম অংন রাশক কাযববদা ইম মিনাই কোক্লাই অহবু হীরিক উপায় অমা হাযগে মাহা শৌহুন উহন্দনা ঐ। লাবননা চংলসী। এন অমম থমলগা ইমা মানাই কোক। খুদক অহুদ অমৃত অসি হুহুনা পুথবে। অসি ভাবদ ঐ পংল অপাধ লৈবগ ঐতোনদ বর অমন নিংমু। গরুবন হায়রকই ঐ কনি বর নিগনি ঐনা মেপোইদবা মবাল অতমদা লৈ'ভ। মংবু নাংবকং রাথং ভাকতুনা বোব ওইনা নিংগ। লিন শাযবা জাংস ঐগী চিঙাক পইজা। ইন্দ্রন ওইজ্রবা শাবনা বাব পিবে। বব হংপবদ পরুব অমক লাকতুনা হন্দ্রনা মমংগ মশক পতহুনা হন্নক্রে লম্বী লাকপদা ইন্দ্রন বাই শারকই। গুংপল এনা অমৃত হুহুনা পুবদা সাথা নংন ঐবু থংনবা চৌরবোহদ ৭ পরুন মোমেন নকতুনা কিরগন্ন সথ হাযরকই অত শাতবদা ইন্দ্র কনা ২ হল্লি। অতদগী নিথিয অমা মহুংদা নাগংলাক ম্লোব ত্র। লিন মযাম্ব কৌংশলগ হাযরকই মেংপল অমৃত পুনক ল ইম মীনাই হনংদাকচবংগ কত্রু অমস্তু মচালিন মযামনা পসিমখে নমা নচা মীনায কোকচাবা হাযরবংল। পবন নুংডাইবহুনা লিন মযামদা হাযবকই ঐ অমৃতনী কুশমথক্তা থমলংগ, নংথাং শেন হবক্রবা নুংডাইনা বকহোবো অসী হাযতুনা অমৃত চকু অহু কুশ মথকং থিন্নমনগা চংথবে। কদ্রুন ইমুনা মচাশিংন স্নান তৌরিডে ভামলক্রা সাবাবেননা অমৃত হুবগ পুথন। কনা তৌব থবকনিনা থিত্তং নিকথোকতুনা কুশ মথকতা ভাংহোই। স্নান লোয়রগা লংনা লিন মযাম শাক্রির অমৃত লেবদ্র যেংবদা ঈন্দ্রনা হুখিবা অহু থংলে কুশদা পক হীবিবা অং লিন মযাম চংহুনা মবৈন লেকনথী কুশ মনাম রাংথায়হুনা লিনগী মবৈ ২ পোকখী অমৃতনা শোকলহদগী কুশবু অংশংব পোংথক ওঈহনথী। কর্ণ থৈবিকতা কুশ মনা যাওহনদি কর্মহু চহ য়ানহন্দ্রে? গরুবগ পাঙল লিনগী লাংভরুথীবা? অমৃত হুবা থুপথবথা কথাযুতবু পুকনিং লংনা থরাই যাওনা শকল্ল তৌহুনা তাজবদা। পুনসি, মিংচং, মরন মচা অপাধহু লেখা কংই, শ্রীবাসকী মংগনে সোয়কবা বেদ ব্যাসনী ইতি। হরিবোল হরিবোল হরিবোল

অধ্যায়

নাগরাজনা লাইনিংবা লিনশিংগী

বারী মতাং ॥

পুরান তাত্নিবা শৌনকনচিংবা মুনি ময়ায়া সৌতিদা হায়রকই। হে—সৌতি পক্কবগী বারী তাবদা মুংতাই, কদ্রুগী মচালিনলি শিং কবগা থবক তৌরকইবগে, মখিংনা করি ২ কৌবগে হায়রু। সৌতিনা হায়রকই লিনশিংগী মমিং খবদং শিংথাজরকে। অহন্না শেষ, মথংনা বাসুকি, ঐরাবত, তক্ষক, কর্কট, পিঙ্গলাক্ষি, বামন, কালিয়, পূর্ণ, ধনঞ্জয়, পদ্মক, অনিল, নীল, পমল, অঞ্জন, অসিবর্ণ, খর্গচুড, মণ্ডক, উষক, স্বর্ণক, গোলক, কদ্রু, বিমন বিহক, নহুষ, নির্জ্জর, ধৃতরাষ্ট্র, অতিভ্রম, কলমাষা শাবল, অর্ষক, উগ্রক, পিন্ডারক, পিঙ্গল বাহ্যকর্ণ, সম্ভক, শংখমুখ, কম্মাণ্ডক হায়রিবা অসিনচিংবা লিনশিং অসগী মমিং লোইহনা থাগৎরাই। লুচিংবা থর হায়জরিবা অসিনা মংথায় অসি খুৎকল পাগল্লি জিবা হিসা পাম্মী গকবগম্ নেংথিনৈ। শেষনা মনাওশিংগী লমচং ফত্তবা অসি ডবদা মমাগী শাপক লৈবগা তিন্নিংজনৌ তির্থ কয়ামরুম স্নান তৌরুবগা হিমানয়দা লৈহুনা অকনবা তপ তৌখ্রে। মাগী তপ উবদা ব্রহ্মানা পেন্নহুনা থুংগ্রে শেষদা হায়বকই হ ফনি পতি ননা পামবা বর নিজৌ ঐনা শোযদনা পীগনি, শেষনা হায়রিজ ঐগী ইনাওশিসি গক্কবগা ইতংতহনা থংনৈ লীনম তৌহনা জীবা হিংস কয়া তৌই লম হেল্ল হায়বা ইন্দ্র পাপ কম্ম কয়া লাংই। মরম অসিনা মংথাবগা তিন্নবা থাদ কহুন পা ইনাংজবনি মথোথ। অমুক হন্না তিন্নদনবা তপ তৌহনা ধরাই থাথরে। ব্রহ্মানা হায়বকই বাকগম্ শেষ নঙ্গি হুৎ শঙ্গ কাক্রবা হায়রগে, নঙ্গী নপাঙ্গলনা পৃথি পুহনা লৈম্ অসং হাগহ্নন শেষপু পুরক্রপ গন্নরগা মরুপ ওইহনথ্রে। লাইনিং কন্নবা শেষমু থুংশিনিহুন, সৃষ্টি কত্তা ব্রহ্মানা শেমবখনী। মাতৃশাপকী অকিবমু কোকপীহুন লিনগী নি থৌম্ ওইহনখরে, শেষ নাগবাজমু নাগদক দবলোকনা পুজা তৌনখবে মনাওশিং থাদোক্রমলগা। মতৌমতা চংথিহুনা পৃথিমু মতোক লিশিংদা হাপ্পুনা পুথরে। শেষ মন্নামবনা চংথিবা উবদা বাসুকী যান্না বাবকলে। মনাও মন্নাথু কৌশিন্দুনা বাতানথ। ইনাওশা ইপাগী শান্তি প্রতিকার লৈ, ইমাগী শাস্তী কোকপা বাই, ইমানা শাওহুনা চৈবা মতমদা পিতৃ লক পুন্নমকনা শাক্তি ওইহনা বাথরে। নথোই বাকথোম পুন্নক মতম অমদা জন্মেজয়গী যজ্ঞদা লেপনা মাংলবনি। হৌজিক অসিগী প্রতিকার থম্হৌসি অমুমনা বাসুকীনা হায়রকই ॥ লিন মযাম তিন্নহুনা থম্বদা লিন অমনা হায়বকই ঐনা ব্রাহ্মণ শাহুনা চ লগা, জন্মেজয়গী যজ্ঞ অহ্ তিক্কা

তৌহনা লৌথোকে। লিন অমনা হায় ঐনা জন্মেজয়গী সভাদা মন্ত্রী ওইহনা নৈকপে যজ্ঞগী তানয়কপদা ঐনা য়ৈথংহুনা তৌহল্লোই। লিন অমনা অমুক হায়রকই, যজ্ঞগী ঘী চেং থোইদিং লোয়না চাথোকসী, নত্রগা যজ্ঞ ফমগদৌরিবা ব্রাহ্মণশিং লোয়না চাথোকসী। লিন অমনা অমুক হায়রকই, ঐখোয় ময়াম চংলগা যজ্ঞগী মাগুবত্তু কোযশিন্নগা চংলকপা মীহু কাহ্নুনা ২ চাববদি জন্মেজয়দা কিহুনা তোকচথরগনী। জ্ঞান নৈতবা মনাওশিংগী য়া তাবদা বাস্থকীনা হায়বকই? ঐমাগী মাথং লাইগী লোন্দম সোইবা হৌনদবনি। পাণ্ডব বংশদা জন্মেজয় পোকদনা পোক্লবীগনি মাগী যজ্ঞবু কনাবা য়েকনরুবা ঙমল্লোই। ইয়াহবা হায়গে ব্রহ্মানা তাকপীখিবা ধর্ম্ম অহুতবা ধর্ম্মনা পাজল ওইহন জন্মেজয়গী যজ্ঞদগী হিংগনী, অদু নত্তব মরম উপায় অমগা হায়গে জরৎকার্‌ বংশদা পোকপা জরৎকারু মুনিদ, ঐখোইগী ইচন জরৎকারী থাজরগ, জরৎকারীগী গভদা মচা ১ পোক্লবী, বাসকুল অসি মানা কল্লগনী হায়না ব্রহ্মানা তাকপীখি। মরম অসিনা ইচন ঙপী অসি নুপা চানা য়োকহুনা থমলগা জরৎকারু মুনিদা নুপো লগা লিনগী শাগৈ অসী কনবা য়াগনী বাস্থকীগী মাথং অসী তাবদা, সাধু সাধু হায়না থাগৎলহনা হয়াওনা লাওনখবে। মতম থরগী মতুংদা সমত্ত নৈবা হাওত্তা বাস্থকীনা চত্তী ওহবগী, লাইমায় পেলহনা ব্রহ্মাদা হাবজথা, বাস্থকীনা মংগী শাপ্ন কিরিবা অসিদগী কোকুবা থৌজাল পীবিযু, ব্রহ্মানা হায়বী বাস্থকী নংগী নচন সুপীহু জরৎকারুদা থাজো মানা মচা অমা পোক্লগা মাহনা লিনগী শাগৈবু কল্লগনু, অদুমা ব্রহ্মানা বোয় পীখী বাস্থকী মুংওইজহনা, মচনবু নুপা য়োকহুনা থমলগা জরৎকারুদা থাজহনা সেবা তৌবদা জরৎকারী মচা অমা পোক্লগা যজ্ঞদগী লিনগী শাগৈবু কনখিবনী। অসিগুমলথা মহাভারতকি কথা অসি অমৃতগা মাম্নৈ মীওইবনা তাজবদা মুক্ত ওই হবিধাম কাহ, শ্রীব্যাস দেংগী য়াথংনি॥ হরিবোল হরিবোল হরিবোল॥

অধ্যায়

পরিক্ষিত নিংথৌনা ব্রহ্ম শাপ

কংবগী য়াথী মতাং

নৌকিমা হস্তাইহ, ওাদিবু মুনি সভা, মতো অসুমা মজ্জন কমা হৌথরবা হুংনা, পাণ্ডব বংশদ পোকপা পরিক্ষিতনা, হস্তিনাপী নিংথৌ ওইরম। পুন্য চেনবা ধর্ম্মদা মাই ওনসিনবা মতামা চহিংকী

মতৌওগী সত্য, দয়া, ক্ষমা, দানদা য়াম্না পাময়ই। কৃপাচার্য্যদা তময়না ধর্ম্ম শাস্ত্র নিতি শাস্ত্র ধনু বিদ্যা মতিক চাবা হৈ। কেত্রি মচাগী ধর্ম্ম মৃগয়ানু য়াম্না পাম্মী। নোংমা পরিক্ষিত নিংথৌ কন্না মৃগয়া লাকপগী শক্তি অমা থেংনয়না তেন্না থারে, লাইগী নোংদম্বদগী শক্তিহ চেনখ্রে। পরিক্ষিংকী তেন্না থারবা জীবনা হিংকদ লৈত্রবনী। অদুবু তেন্না পানথরবা শক্তিনা হিংদুনা চেনখিবা অদুদা মংতাইতদুনা শক্তি খোংগুল লীদুনা তাররকই। শক্তী উখিত্রে শমিক মুনিগী আশ্রম য়ৌরক্লে মৌন ব্রত ধ্যান তৌদুনা লৈরিবা মুনিগী নাক্তা, চংতকদুনা শক্তি চেনখিবা উংশৌরা হংঙ্গৈ। মুনিদু খুমখিদে রাজনখিবদগী শাওনিংদুনা লিন অশিবা অমা লৈরমদুনা মুনিগী ককশমদা য়েংশিল্লমলগা কোম্নুং তমথরে। মুনিগী মচানিপা শৃঙ্গি কৌব চহি ১৫গী বয়স অমা লৈ। মাসু মথ্যান সন্ধ্যাগী ব্রহ্ম গায়ত্রি জপ তৌরি। মতম অদুদা মমাম্বা কৃশ কৌবা ব্রাহ্মণ মচা অমনা তমলুরে। পাওদু তাবদা মপা শমিকী নাক্তা চেনথরে? মপাগী ককশমদা লিন অশিবা য়েংলম্মীবদু উবদা শাওমনখিদুনা অকনবা শাপ চৈরক্লে। হায় হায় পাপী পরিক্ষিত নিংথৌ নত্ত ওসিদগী তরেংনীতবা হুমিত্তা ওক্কক কৌবা লিন্না চিকদুনা লেপনা শিরো। মচানা পরিক্ষিততা শাপ চৈখিবা তাবদা ধ্যান তোকত্তুনা মচাদা হায়রক্লই। হে ইবুংো শৃঙ্গি পরিক্ষিত নিংথৌনা ঐবু ব্রাহ্মণনী হায়বা খংদনা রা হংবা খুমদে হায়দুনা শাওবদগী তৌগনী। ধর্ম্ম লৈবা বৈষ্ণব নিংথৌনি, নিংথৌ অসি লৈত্রবদী ধর্ম্ম থাকপীনবা লৈতদ্রবা যাগ যজ্ঞ য়াররোই, কলিয়ুগনা মতম অসী খুদম চনখ্রগনি। মাংলে হৌজিকমক শাপ হন্দোকউ শাপতুক পীয়ু পীতাগী রা তাবদা শৃঙ্গিনা হায়রকই। ইপা ইবুংো ঐবু চহি তরেংতা দীক্ষা পীবা মুমিংতগী ব্রহ্মগায়ত্রি জপ তৌজমকপনা সিদ্ধ ওইরবা নচানী। ঐনা চৈখিব শাপ অরেম্বদা শাংহনবা য়াররোই। পরিক্ষিত লেপ্পা লিন্না চিকদুনা শিরগনি। মচাগী রাসি তাবদা গৌরমুখ কৌবা শিশ্য অমা, হস্তিনাদা পাওতাকপা থাখ্রে॥ গৌরমুখ হস্তিনা কোম্নুং য়ৌরকদুনা পরিক্ষিত নিংথৌদা নোঙ্ক্লা হায়জররকই। মহারাজ শক্তি তাররকপদা হংবা খুমদে হায়দুনা শমিক কৌবা মুনি গুরুদেবগী ককশমদা লিন অশিবা অমা য়েংশিন্নবদু উবদা। গুরুগী মচা শৃঙ্গিনা ব্রাহ্মণ উশিত্তবা নিংথৌদি ওসিদগী তরেতনী ওবা মুমিত্তা, তক্কক কৌবা মহু কন্নবা লিন্না চিকতুনা শিয়ু হায়না গুরু খংদৌহিদৈদা শাপ তৌখ্রে। শাপ্পু তাবদা গুরুনা শাপতুক পিয়ু হায়বদা য়াখিত্রে। মরম অসিদগী গুরুনা মহারাজগী উপায় তৌহৌনবা হায়দুনা ঐবু তাকউ হায়বগীদমক থারকপনী। হৌজিক ঐ চচ্চরগে মহারাজগী উপায় য়েংবিহৌব্রা হায়রম্লগা। গৌরমুখ গুরুগী আশ্রমদা হনখীদুনা গুরুগী মফমদা পরিক্ষিততা তাকদুরে হায়না তমরখী'। পরিক্ষিত শাপকী পাও তাবদা কোকথক্তা বজ্রতাবগা মানথরে মশাৎ মথোম নিন্দা তৌরকই। ঐদি ব্রাহ্মণনি হায়বা অান তানা য়েংহৌদদুনা খংদবদগী ব্রাহ্মণদা দোষ লংশিন্দুরিবা ঐগা মায়না তোনবা অমা লৈত্রে। শাপ্তি ব্রাহ্মণনা ঐবু ইদান খংহনবনী। এদী লিজখিনদু ইহাকথক্তগী

জগংনা শাবি ওইহৌরসত্র। ঐনা ব্রাহ্মণদা অপরাধ লাউবগী পাপ অমুবু ঐনা কিজৈ? হে মন্ত্রি সভা হৌজিক ঐনা করি উপায় তৌসিগে। মমুনা অমত্তা পীবিয়ু॥ মন্ত্রীশিংনা হায়জৈ মহারাজ রাবিরুগনু লিনগী ঔষধি মন্ত্রখংবা বৈদ্যশিংবু রক্ষা তৌহনসী? ব্রাহ্মণশিংনা লিননা চিকপা চমদনবা রক্ষা মমুনা চাকহনসি অদুগা থুংলাই পায়বা অকন অথৌবু, পনলোন তরেং কোটহনা তক্ষক চংবা চমদনবা চাকহনগনি। অদুম তৌরবদী মহারাজ লেপ্পা মঙ্গল ওইগনী। অমুম্বা মন্ত্রীশিংনা হায়রকই। মহাত্মা পরিক্ষিত নিংবৌনা মন্ত্রীশিংগী রা অহ য়ানি থিদে চহি তরেংতা চাইবীবা মচা জন্মেজয়বু সিংহাসনদা থাদংতুন, রাজ অভিষেক তৌরে। ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব পাত্র মন্ত্রী প্রজাশিংবু থিদায় তৌরমলগা বৈরাগ্য ওইদুনা যমুনা খোবান্দা যাত্রা তৌখ্রে। পরিক্ষিতকী প্রেমদা থাংবা চমদদুনা ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব পাত্র মন্ত্রি প্রজা লোইনা ইনরকতুনা যমুনাগী ঈরেন্দা কোপ হাডুনা পাক্লা শগাইদা শারগা মথাইদা লিক্লাই মুথী অমা মুংথংতুনা মথক্তা নিংথৌগী কমকম পাক্লা শেম শাদুনা খনগংলগা নিংথৌবু ফমথহনখ্রে। ঔষধি মন্ত্রগা লোইননা চিকিৎস অমমুং ব্রাহ্মণ খৈবিক্লা কোইশিন্দুনা রক্ষা তৌখ্রে? পখান্দা থুংলাই পাইবা লান্মীশিংনা পন্দোন তরেং কোইদুনা চাকখি। পরিক্ষিত যোগ আসন ফমলগা শ্রীকৃষ্ণ ধ্যান তৌদুনা লৈরে পরিক্ষিতনা বৈরাগ্য ওইখ্রবদা সিদ্ধ ঋষি ময়াম মফম অদুদা থুংলরে॥ ব্রহ্ম সভাবু নিংথৌনা খুরুমজৈ, ব্রহ্ম আসন কংজি ঋষিশিংনা পরিক্ষিতকী যভাদা ফমহুন। মায়া য়ান হৈবা বেদ শাস্ত্র আগম নিগম অদুগা চিংবগী মত? যোগমার্গগী তত্ত পুয়ুমক লিবকই।

পরিক্ষিত অহ মুনি ময়ায়া লিনিবা তঙশি অসি তায়গা, পুক্লিংদা পেনবা চমখিন্দ? মসিবু ব্রহ্মলক্তা লৈহনা শুকদেবনা উখি। বৈষ্ণব নিংথৌগী নি বা পুক্লিংগী বাখল অহ উহনা থুদক অদুদা শুক লাকতুনা শ্রীকৃষ্ণগী নামগুণ লিলা ওইবা। শ্রীমদ্ভাগবত বার স্কন্ধবু তরংনিদা লোইনবা লিহনা তাহনখী॥ শ্রীমদ্ভাগবত সপ্তাহ শ্রবন তৌবদা পরিক্ষিত নিংথৌ থখোরই অপেনবা ওই? অসীগুম? আদি পর্ব্ব মহাভারতকী য়ারীবু মাওইবনা তাজবদ পুনাগী মশক্লী॥ হরিবোল হরিবোল হরিবোল॥

ওপোক

পরিক্ষিতকী [illegible]মদা নাগরাজ তক্ষক লাকপগী

রারী মতা' ॥

সৌতিনা হায়রক্ত ঙাবিযু ব্রহ্ম সত, পরিক্ষিৎকী পাও অসি লোককা মচিনগী তাবদা' মিযাবিত্তা চংখোগ নিংবা বাপ্পাপ কৌব বাগণ অমা। পরিক্ষিতপু লিন্দগী কনবদী থম্মস্ত লনস্থ মি চৎস্থ লংগনী থন্দুন, খা তারতগী হস্তিনাদ লাকই। তক্ষকস্ত পরিক্ষিতপু চিকে হায়দুনা মগা মনাই থবগ লোইত্তুনা মায়ানা বাক্ষৎ শাড়ন মচা মনাই থবনা পৌগম্লগ শাকপদা। হুস্তিনা যোনবপগী লম্বী অমস্থ' থা'না বহ অমগী মখোন্দ, কশ্যপ ব্রাহ্মণগ থেংনরে। কশ্যপ ব্রাহ্মণগী মগুন উবদা তক্ষকন হংলকই গাক্কনবু কদাহদগী লাকপনে কদাইদা চংলিবনে' * যাম্মা থুন চংশিব কনিনে ॥ তক্ষকী বাহ' অসী তাবদা কশ্যপ খুমনকই, পরিক্ষিত নিংথৌবু ঙসী মত্ত কস্নবা তক্ষকনা চিকনা হায়ব তাবে? নিংথৌবু ঐগী মন্ত্রগী পাঙ্গল্লা কস্নগ হাইবগী ঐ থুনা চংলিবনী ॥ তক্ষক হায়নকই ব্রাহ্মণদী মাম্না পানল, তাক্ষকনা চিক্রবু কানিগু কনবা ঙমলোই? অবেনদ সত্তা মমাইদ ইকাইব নগনী নযুমদ হননহৌরে ॥ তক্ষকী বাহ অসী ব্রাহ্মণনা তাবদ মুক্তাইতে তক্ষকনি হায়বস্থ থংদে কশ্যপনা হায গুরুগী কৃপা মন্ত্রগী পাঙ্গল তাক্ষকা চিকনবস্থ লপ্পা কনগনী ॥ বা অসী তাবদ তক্ষক শাথত হায় ঐ তাক্ষক্রি হৌজিক উ অসদা চিকে ঙমলবদী অদুক কলমু বাসি তাযবগ তক্ষক মাগী মশক লপথরে ॥ কশ্যপ না'গ্ন কাব চিকউ ঐন' শোয়দন কনগনি, ম এগী মন্ত্রগী শুন য়েংলো। অসি তাবদা তক্ষক অংথ্রবগা লোয়নন, বট পাম্বীহু চিকুন ত কামশিল্লি তগী মনা চাকথক্কুনা থানাংহু উৎ ওইহুনা কিন্থুনা তারে। কশ পন উৎ অহ থুবাম অমা পাইবগ। মন্ত্র সোন্দুনা কাংখুল অহুদ লংশিনখী মিংকুপ অমগী মনুংদ মরোল চাংখংলকহুনা অম্ম অম্ম চাওখংশকহ হানগী মংতৌমু মৌথরে। কশ্যপকী শক্তি অহু উবদা তক্ষক মমাই মবশিন্দুনা নোম্লক্লা হায়জরকই? হে—ব্রাহ্মণ নহকী নগুণ অসি অতকপনি হুনগীদি কনবা ঙমগনী। পরিক্ষিতপুদি কনবা ম্লাবাট, পরিক্ষিততি ব্রহ্ম শাপনা শিগদৌরিবনী সত্তা মমাইদ' ঙমজগা ইকাইবগ নগনী ॥ অদুগা ব্রহ্মণন্তী বিরুদ্ধ ওইবা থবকপু ব্রাহ্মণ অমনা তৌবা। ব্রাহ্মন নখোয়গী ধর্ম নত্তে। লন পামনবস্থ ঐ লন পীগে হনহৌরো চংলুববদি ব্রাহ্মণগী নগুনস্থ মাঙ্গনি। তক্ষকী বা তাবদা কশ্যপনা ধ্যান তৌহনা য়েংবদা, পরিক্ষীতকী পুনসি লোইরে হায়বা খংলহনা তক্ষকতা হাংদ্রকই। ঐদি লাইরবা ব্রাহ্মণনি, লন থরদং পায়হুনা মিংচৎস্থ তানগে লাকপনি, নহাক্তা লন থরদং পীরবগী

ঐ হনখুগে ॥ ব্রাহ্মণগী রা তাবদা তক্ষকনা মতোকুগী মনী লৌথোক্লগা মুংক্রেং লৈচ্রেং থোমজিল্লগা শোকপদা সদা ওলক্লমূলা সনা মপোৎ অমা পীরগা কাশ্যপপু হল হনখরে ।

তক্ষকসু মুঙাইনা লাকপদা লম্বিদা প্রজা লকনা ডাংনরকই, পরিখিতকী ব্রহ্ম শাপ গুসি মুরে লিননা চিরিথিসত্রা ? চিক্ররোইক্রা চায়রৈ। অমনা চায় নিংথৌগী চেকশিল্লাঁবা উপায় অসিনা তক্ষকনা চংহনা চিকপা ওমলরোই, মনাক্তা ঔষধি কোইসিল্লি। ব্রাহ্মণশি নসু মন্ত্রনা অতিয়াগী লমবী ওাক্লী। খুংলাই পাম্বা অকন অথৌনসু পলোন তরেং কোইত্তনা খমলা। কনাগী শক্তিনা চংবা ওমগদ'দ। তক্ষকনা চিকপা ওমলরোই অদুগা লম্বীদা ডাংরকপসি তাবদা মনাইশিংবু ব্রাহ্মণ ওইহল্লে, নিংথৌবু অসির্ব্বাদ তৌনবগী মওং মানবা মপুক্ত লৈ পহ, কুশ পাইহল্লে। হৈনৌ অমুনব অমগী মমুংদা তিন মচাঅম ওইহুনা চংলে অহু পুহনা মনাই মরাম ব্রাহ্মণশারিব শিং অহু, প রক্ষিতকী সভাদা থুলরে। মীয়াম্বু আসির্ব্বাদ তৌবগা হায়রকই, ঐথোর মথারকুবু তাক্কা চিকপা ওমদনবা আসির্ব্বাদ তৌগে হায়হুন লাকচবনী। অমুক্তা চংলগ অমুয়া লাওরকই সতানা অমম খাক্তনখ্রে, পরিক্ষিতকী মক্ষ সভাদা যৌথিহনা। হৈনৌ অহু কংলগা অশির্ব্বাদ তৌথি। মতম অহুদা পরিক্ষিৎ নিংথৌনা, হৈনৌ অনুবা অহু পায়খংলগ য়েংই তিমখুনমচা অমা লে মমুংদা মশানা চাংবা মচিন্না মুবা তিন মচা অমা লৈবহ উই ? অহুবু য়েংলগা মীয়াম তানবা লাওনা হায়রকই। ব্রাহ্মণগী শাপ গুসি গুরে মুমিৎ তাগদবা মিকুপ অনিরোমদ ডাইরে মুমিৎ তাথুবদি ব্রাহ্মণগী শাপ মতম লোইরে ইহাক থক্তা ব্রাহ্মণগী বাকাবু অরেমবদা মা খিব পামদে। মরম অসিনা হৈনৌ মমুংদা তীল অসিনা তক্ষককী মশক ওইবগা। ঐবু চিক্তুনা ব্রাহ্মণগী মাখংবু প্রসিদ্ধ ওইহৌরসনু ? অসি হায়হুনা তিন্দু লৌখাক্লগা কোকপক্তা হাপকংনু নিংথৌবু শিহননিংদবনা মীয়ামতু, মতু ওইদসনু হায়না লাওনখী ? চুসাই মথে বৈষ্ণব নিংথৌগী গুণ, ব্রাহ্মণশিংগী তেজনা চাংথাকতুনা চিকপা ওমলমখ্রবনী। তক্ষক বৈষ্ণবকী রাগ না পাঙল ওইহুন, লিন মাগী মশক ওইথিহনা মমৈনা নিংথৌগী মশাবু মেৎশিল্লগা মচিন লিশিংনা হাম্বু-গংলকতুনা। লবাই পেমক্দা ওাহুনা চিক্লগা হু কামশিনখ্রে। ব্রহ্ম সত্ত কিংমা চেনখরে। পরিক্ষিত নিংথৌ দেহগা প্রাণগা থাইনবনা জিবা আত্মামা লাইগী মুক্তি ফংদুনা লৈগী লোনাই থোংওনা লোক্লাখরে। তক্ষকচিংবা লিনশিংহু অতিয়ারোনদা পাইহুনা চংগরে, মিংথৌগী লেহেবু পাত্র মন্ত্রী প্রজামীয়ামনা যজ্ঞ তৌথি ? বেদগী নিয়ম কাইদনা শ্রাদ্ধ কর্ম্ম কংখী। জন্মজয়না নিংথৌ ওইহুনা, কাশী কন্যা বপুষ্টমাননা রানী ওইরগা, হক্তিনা লৈবাক তাকহুনা পানখি। আদি পর্ব্ব মহাভারতকী য়ায়ী অসী, অমৃতগী ঈচেনগা মান্নবাঁ। লিনশিংগী লমচং কাশ্যপকি মঙুণ জন্মেজয়নী নি থৌ ওইবা। পরম বৈষ্ণব পরিক্ষীতনা গোলোক কংখীব, রহস্য ওইরবা হারীসিবু পুক্লৈ চনা হাক্বর মীহু লন চাওখংলী অমা আবক তোকই, কৃষ্ণ ভক্তী কন্ট খীনসা হরীনাম কাঁই, মাসী লোক্তিকত্রবা বেদ বাাসগী য়াথংগী। হরী হরী হরী ॥

অধ্যায়

পরিক্ষিতকি মগুণ শুকদেব পোকপগী

বাসনা মচ কৎবগী য়াবী মতাং

সৌনকমাচিংবা মুনি সভানা হংডকই, উগ্রশ্রবা হে—সৌতি পরিক্ষিত নিংথৌনা, চহি কয়া বাঙাতুক চারঙগে, মানা পাম্লিহৈদে কয়ম্বা থবক তৌখ্রা। অমসুং পরিক্ষিতা ভাগবত মিরিথা শুকদেব পোকপগী য়াবী অয়ুক্তা লিখে এথোয়ন' তানিংই। সৌতিনা হায়কৈ তাবীব মতীক-চাওরবা ব্রহ্ম সভা পুন্নমক। আভিমন্যুগী মচা পরিক্ষিত নিংথৌ অসি মিংচত্তা কাৰ্টাবির্য্যার্জুনগুম্বী তেজন সুর্য্যাগুম্বই, প্রজা সাসন্দা আযোধ্যাগী রামচন্দ্রগী মতৌগুম্বই, ধর্ম্ম লৈবদা মমুথৌ যুধিষ্ঠিরগুম্বই প্রতাপ্তা প্রশুরামগুম্বী। নোঙমনা মৃগয়া লাকপদ, ধর্ম্ম কৌবা লাইবু কলি কৌবা লাইমা কাহ্রন তমথিন হয় চৈথেনা লাক্লবগী। মাহাক উবদা গু- চেল্লবা নিংথৌন' মশম পাইহ্লনা কারণা থাং শত্রুনা ওনা মত্তক কক্লগে হায়নেনা থাং হাইগংলকই। কলিহ্ন পরিক্ষিতকী মখুত্তগী মাঙ্গোকপ ওমথ্রহনা থরাইদদী কনবীয়ু মহারাজ এ রা থবদ' হায়গ্রখিগে? কলিগী হায়জবা রা অত তাবদা থাংদি থাদে মশম পাইবদী থাদোওনা লংহ্না হায়রকই হে' বাধ নংনা দোষ লংহ্নহৈদবা মগবু হাংকি হায়বগী মগৌওম তাডন মাড়ন তৌবম্বীবা কবিগীনো হায়মু॥ কলিনা খুম্বকই মহারাজ বাথগী মশক ওইবা ঐসে ঐগী যুগ ওইরে। পাপ কৌবা লাইনা মথাঙমবি ওরে ধর্ম্ম কৌব লাইনগী মতম লোইকে চংলো হায়বা য়াদহ্ননা ঐনা মাবু লাক্লবনী। ঐগী তৌকম থোকপা ইথৌ পাংথোকনবা হোংনবনি' নিতী শাস্ত্র খংলবা নিংথৌনি বিচার তৌংহ্না য়েংবিয়ু? ঐগী ইরাল পৈনেলোই। ঐবু খাংদাকপীয়ু মহারাজ কলিগী রা তাবদা পরিক্ষিতমা হায়খী ধর্ম্মবু ঐমা ডাককনী কলি নংনা জীববু খুংম চনবম্ব ওমলোহ, নঙী পাপম্ব হুম্লোকপা য়ারোই॥ ঐনা পাম্লিবা মতম অসিদদী নং পৃথিবী লৈরগম্ব চংলো অস্থুম্বা হায়খি? পরিক্ষিতকী য়াহায় অসী তাবদা কলিনা হায়খী ধর্ম্ম চেল্লবা এ নিংথৌ ঐগী পাম্বা মথোং মরি গুববীনা পাপ শম্লোকম্ব হায়রবদী। লেংদনা লৈনবা থোংকম মরিদং নেংকম পীয়ু ঐ চংথরাগ? ধর্ম্ম খংলবা নিংথৌর হায়খী সনানে, গুরুবীয়ুপীনে, জুয়ার শাননবনে, সুরাপানে, মক্কম মরি অসিদা নেস্বুনা লৈকবো। অগুঙা পাপকী নেংকম পীরগা কলিবু থাদোকখী। পাপনা মক্কম মরি অসিদা নেংখী? কলিনা লাইবৈবাকতা চংখি। সৌতীনা হায়ংকই ভক্তিবু তানগে হায়রবদী মক্কম মরি অসিদা পুরিং চঙলীবা মথৈ, ধর্ম্ম অমসুং কৃষ্ণভক্তীবু কংবা ওমলোই। ধর্ম্মতনা ওইবা পরিক্ষীতনা, অশ্বমেধ যজ্ঞ অহুমলক কংখী? কলীবু খুহুম চন্দুনা চহী হুযমু ধর্ম্ম তাকনা। শাসন তৌরগা চহি ৬১ দা

পরলোক ওইখিবনী শৌনক-চিংবা মুনি মরামনা হায়রকই। হে—সৌতি শুকদেবনা মী ১গী মকমদা, শলোম শুখবগী খোমজীং অমগী মতম কাওবা অরেমবদা লেপ্পুনা লৈখাকে হায়না জাই। অহুশুমবা শুকনা পরিক্ষিতকী সভাদা চুমিং তরেংবী লৈহনা কয়মনা শ্রীমদ্ভাগবদ লিখি বনো, ঐখোইনা তাবদা চিংনৈ শুপায়না লিয়ু। সৌতিনা হায়রকই শুকদেবনা মায়াওগ পকে সর্ব্ব আত্মাগী মশক্কী পোকপদগী মায়া চাদে গর্ভদগী নির্ব্বন ওইনা লাক্লবনী। মবেমগী রাদি ভাংদে মীনা ভাংলবসু তাদে নিকুপ অম কাওবা অরাবদা লপ্পুনা লৈখাক্তে, শ্রীকৃষ্ণা কথা ভাংনবা মকমদা লৈ। মরম অদুনা শুকদেব দা ঐকুপ ১ লেপ্পু হাবনী পরিক্ষিত নিংথৌনা মায়াথায়বনী] শ্রীকৃষ্ণ ভক্তি পাম্বা অসি উচনা শক্তি লৈবা শুকনা। ব্রহ্মশাক্তগী বৈকুণ্ঠকী নিংবা থুংহনন্নুনা পরিক্ষিতকী সভাদা থুংলবনি শুকনা শায়থং চ নিংথৌ ঋষি মরাম্না বেদ শাস্ত্রগী মত কয়া পুংথাকহুনা ভক্তি মার্গগী তত্ত কয়া লিখিবা অসিংগী নিংবা থুংদবা অপামবা কবি লেবগে ওংচাংদা হাংহু ঐনা নংগোন্দা পীগনি। শুকদেবগী রাহয় অসি তাবদা পরিক্ষিতনা থুংলোয়হনা নোলসুকনা হায়রথী? গাদুক বৈকুণ্ঠ থাদকহুন পৃথিবিদ অমতাংদ তৌবিহনা নংসিলা শায়বিবা। মক্কবা করবকী লানফম সমুদ্রনগী, ইবুংবো পাণ্ডব মগাবু রানবগী মশক ওইহনা লাইনা লাপ্পাকহুনা কনবিখবা। ঐনা ইমাগী গর্ভদা লৈবিচনা অশ্বথামাগী ব্রহ্মঅস্ত্রগা লৈনা চাকথেকহুনা শিরবদ গতদ সেংশিনবীরকহুনা অমুক হিহনবিরবা। ঐগী ইশ্ত শ্রীকৃষ্ণগী নামগুন শিল ওইব। শ্রীমদ্ভাগবত পুরাণবু লিবিহু অসি তাবদা শ্রীশুক দেবনা শ্রীমদভাগবত পুরান বার স্কন্ধবু সুনিং ৭নিদা শায়নবা লিহুবা তাহনখী। ভাগবত তাজবগী কপনা অদুদা শ্রীকৃষ্ণগী চবনবু কজথীবসি লৈবাস, বৈকণ্ঠ, নত্তে, গোলক, ধাম ফংখী। মতাংসিদা রারাতারিবা শৌনকনচিংনা মুনি মরামনা অমুক হংলকই? উগ্রশ্রব হে সৌতবাস কী মচা শুকদেব অসি। সব্দম্না হরিগী শক্তিনি গভদগ নিব্বন ওইনা লাকই মাথাপ্তা চংদ হায়রসি তাবদা অহৃতগা মাথরে। শুকদেব পোকপগী রারা শুপায়না লিমু অমহু মাগী জিবন চরিত্র ঐখোয়না তাজনিংই ভাগাবান ওইরব। সৌতি নডনা চিংথদনা লিমু অসিগুমবা মহাভারত কী রারী অসি তাজবদা পুন্যগী মশকনী হরিবোল হরিবোল হরিবোল।

অধ্যায়

ব্যাসনা ব্রহ্মচারী ওইরম্বদগী গৃহী

থম লৌখিবগী য়াথী মতাং

মৌভিনা হায়জে ভাবিয় ব্রহ্ম সত্তা, শ্রীব্যাস দেবনা বেদবু শরুক মরিথোক্না খা'দোক্লবদা। ব্যাসনুনী য়াথ-ন তৌরকই বেদগী তাংপ্রজ অর্থবু খংজবদী সনায়গী মায়াদগী লাম্থোক্লুনা জিবনা ভগবানবু ফংবা ঙমলরোই, বেদগী তাংপ্রজ অর্থদি য়ায়া দুই। মী অমমুং লাইমক্না খ'ব য়ানা থোকই, মরম অসিদগী জগৎকী উপাই ওইনব, বেদগী অর্থবু ব্যাখ্যা তৌথোক্লুনা লায়না খংনবা ইথোকপদা শ্লোক ৬০০০ ০০ লক্ষ হুমফু থোই, চৌষট্টি শাস্ত্রগা তুলদা থাদংত্থুনা উজ্জল য়েংবদা হেন্না নুঙ্গী হাইহুনা মাগী মমিংবু মহাভারত হায়না পোনখী। মহাভারততী রাজনিতী অর্থনিতী ধর্ম্মনিতী ভক্তি মুক্তিগী ভণ্ডারনা? মতাঙবা বেদগী মশক্নী। অদুগী তুংদা জিবনা প্রেমবু থ ননবগীদমক, শ্রীমদ্ভাগবতপু লেংই, অদুদগী পুরান ১৮ তরানিপাল তুনা লেংখী নোংমদা বেদব্যাসনা ?বথান আশ্রমদা নামশোন্দুনা লৈরিবে মতম অদুদা? নোংইন কৌবা উচেকনা মচা কোকতুনা লৈবগ, মচাপুংকক চাওরক্লনা। উশাদা তোংলগা মচাবু মচিঙ্গাক ইল্লি, উচেক লাবা অমোমনা মচা অদুগা সুংশিনবা মতৌ অদু উবদগী ব্যাসনা মচা পাখগী য়াথল অমা পোকপকতুনা পুকনিংদা অয়াবা ওখী। মুনিনা য়াবহ শামুনা থম্মৌ উরগা পামবদগী

---

* টিকা। ব্যাসনা মহাভারত শ্রীভাগবতনচি ব' পুরানশিংবু ইবা লোইরগা নোংমা হস্তিনাদা লাকতুনা সত্যবতী মমাবু খুকখী। মতম অদুদা সত্যবতী মমানা ব্যাসদা হায়খি ইবুঙো গৃহি ধর্ম্ম লৌরগা মচাপোকতুনা নমা নপাগী লমন শিংদোকউ। নমা নপাগী লমন তোন্দবনা মী-ওইবগী অথাইবা ধর্ম্মন। ধারা কন্যা ফংলগা পিতৃলক উধার তৌহুনা মীওইবা মপোকী মচৈ মানহল্ল অম্লুম্না সত্যবতী মমানা হায়রবদা ব্যাস মমা খুরুমদুনা ইমাগী য়াং ভাকচগনী গাহরম্নগ আশ্রমদা চনখী, অদুদগী মচা ফংনবা লাইনিংগে হায়না আশ্রমদগী অবাং পানা লাকপদা নাম্বদনা কৈলাশ য়োরো শিব নিংঙু ভাকতুনা শিব নিংবসী চহি ১০০ চামনি হায়না দেবী ভাগবতনা হায়রী। ব্যাসগী তোপ্পা পেলহুনা শন্তুনা শুকিনী কৌবী ছবরী নিঙোল ত্রেতাদা য়ামদা নৈ কংলগা মৈমুংশা শিখিবী ছবরীনা পোকলবী কৈন্যা অসী পীহুনা ব্যাসকী লোয়নবী ওইখী। (তথাহি) মাতৃবাক্যং শ্রেষ্ঠ ধর্ম্মং ত্রিলোকং ছাপনেস্মচঃ। ব্রহ্মচার্য্যা পরিত্যক্তা ব্যাস গৃহুং গৃহাশ্রম॥ ইতি শিবসংহিতা॥

মায়া মাবা অংগী মতৌগুম্মী। *ব্যাস ব্রহ্মচারী থাদোকতুনা জাবালি ব্রাহ্মণগী মচানুপী বীটিকা কন্যা লুপ্হাংহুনা গৃহি ধর্ম্মদা লৈখি।

অমুক মচা গুণ বা অমত্তং ফংনিংবদগী, গৃহিনী লোইননা লাক্লুনা, কৈলাশগী রাযাদা শিব ভগবানবু নিংই। অনিগী অকনবা তপ অদু উবদা মহাদেব লেংডক্লে। শিবনা হায় হে-ব্যাস, করি পাম্বদগী অদুক কন্না তপ তৌরিংনে? নংনা পাম্বচনিঙ্গু ঐনা পীগনি। শিবগী থৌজ্ঞান বং-লবদা ব্যাসনা খুৎ মঙ্হুনা হায়রজে, পরমাত্মাগী মশক ওইবা জিব খুদিংবু য়োকপীরিবা, সর্ব্বত্মা হরিবু ইচা ওইনা ফংভগে, ভগবান নংনা পীনবিয়ু। ব্যাসগী ভক্তিদা পেল্লহুনা সদাশিবনা হায়, হে! ব্যাস নংনা নিংবহু লেপ্লা থুংজরো, তপ তোক্লো গৃহিগী ভোগ লৌক্লরো। সোইদনা নচা ফংজরগনী অসুমা কৃপা পিরম্লগা শিব লেখরে। * ব্যাস পৃয়া পৃহনা আশ্রমদা হল্লক্লগা, গৃহিগী বিষয়দা পুক্লিং হাপথরে, মতম থর লৈরগা শ্রদ্ধাগী ঋতু মতম ওইখী, ঋতু পাপনগী মতমদা শ্রীবিষ্ণুগী শক্তি লোংশিন্দুনা, ব্রহ্মাণীগী গর্ভদা লেবিখরে। মতম অসিদ শ্রীকৃষ্ণগী লিলা থবা নারদ ঋষি কৈলাশদা থুংডরে। শিবগী সভাদা চংডকহুনা মবুংঙ্গাবু চরণ শোক্লা দণ্ডবত কংলী। মতমদু দেবী অচম্বনদা লৈ, নারদা চংজবিহনা দুর্গাগী চরন্দা খুৎমথখী। লেবীনা মচ নারদবু উবদা, হুংশিবিহুনা লানবিরগা আসন তম্বীপী। নারদ মুডাইনা ফমজবা গৌরিনা হায়রকই ইমাগী নাকা চংলকপদী, করি হায়গুনিবা লৈবগে হায়রু, অসুমা তাকপী। নারদনা হায়জে ঐবু প্রভু তাহন্দনা থারিম অমত্তা হঙ্গৎচনিঙ্গী, অদুবু ঐনা লাকচবা থুদিংদা প্রভুগা ইমাগা মিকুপ অমা ফাওবা থাদোক্লদ। ডসিদা প্রভুগা ইমাগা তোপান ২ লৈবিরমলে। ঐনা হংজনিংবা রাকম অদুবুইমাদা হঙ্গচ্চহৌরগে। নারদগী রা ওাদা দবা মাযোন তৌঃনা হায়রকই, ঋষি নবুডালে ইমানা ভাইহাক্তং চংখোকপদা থংনবা হেক্লা পৌরকই। তোইনা থংনবা অসী ইমা ইকাই করহুনা, নবুতোগী নাঙ্গা ভাইহাক্তা চখোকচহনী। চচানা হাওনি বা রাকম অদু ইমাদা থুনা হায়হৌরে; নবুডো সে ইমাবু অকুক থিরক্লগনী নারদনা হাংভরকই ইমা প্রভুগী কণ্ঠদা ভগ্রেক পাংং থোক্লি, অভগা মীমকাক অক বা পরে না, থযোই চপচানা তাহন্দুনা শিরী মসিনা করিগীনে। হাড মালাগা শিঙ্গিরে, গঙ্গাগা থক্রে, ত্রিউংক তশিল্লে, জটাগা পুরে, শঙ্খাইহিদাক মপাবগা চিল্লে, শঙ্খোই-হিদাক অমুবা মংগগ চারে, তনবুন নাপুনা পজি ওইরে লিন্না থাওন্নরে, কৈমউবগা শেহপ, দিগম্বর ওইরে, ভগনা অডাওবা মহাদেবনি হায়নরে। মহাদেবদা থল্লিবা নারদমু ভাওরে হান্না। লাইনা মীনা লংন্নরে, ভৈরবীনা ঈগা থকচিল্লে, কালীনা বলিদান লৌরে, টমুং মদুংগা

* মুলদা তথাহি। শিবস নংং হুৎবা সত্যবতী পুত্রমতদা চবরী কন্যাং পানী গ্রহম্। গৃহি ধর্ম্মং যদা কৃত্বা শুকদেব পুত্রম প্রাপ্তি ব্যাস তপকৃত্ম পুনাং॥ ইতি॥ সিবসংহিতা।

প্রভুনা মোংফমদা পোথাফম ওইরে, লাই মাঙ্গা উসবতা যজ্ঞদা বাৱতন ভৌরগ, ফিৱবা হলোই ভোপনা লৈসঙ্গু হায়নরে, মমাংভেগী ইমান সতী ওইরিবৈ, পিতা প্রজাপতি দক্ষগী যজ্ঞনি শিং- খিয়ু। জগত কনাগু নিংনররোই, ঐদবু চৱন্দা খল্লুৱবমিনা থাদোকপা ভমঙ্গবনী? ঐনা লাকচ- রিবসী লাইনা মীনা উখিনী হায়দুনা, পোম্না ২ লাকতুনা খুরুমজৱবনী। ইমা মুৱা রাথল তৌবীয়ু প্রভুদা অমুক্তগা হজংপীয়; ননাইন্দ্র চঠরগে রা অসি হায়রগা, দুর্গাগী চৱনবু খুরুমগা দেব ঋষি হনখ্রে। দেবী পুক্লিং মুংনা'বগা লোইননা রাথলতৌহুনা দৈথা: মহা ভারত আদিগী অসি অমৃতগী ইচেল্লী ইতি।

হরিবোল হরিবোল হরিবোল।

অধ্যায়

হর গৌরী তত্ত্ব সম্বদ কৌবা মতাং

(তেনরা মকমদগী ঙাবা ওনখিবা রারী ॥

সৌতিনা হায়জে ভাবিয়ু মুনি সভা, দুর্গানা চিন্তা তৌরিঙৈ মতমদ, ত্রিপুরারি অভ্যন্তরদা লেংশিল্লকই। ভাগবতীনা মাইথোং লাংশিল্লিবহু উবদা, ভূতনাথনা হংই হে পার্ব্বতী, নারদনা করি হায়ঙ্গিন্দুনা নংনা চিন্তা তৌরিবনো। ঐসু মথন্তি নারদনা য়ুম চংলমলবদা হুমগাইরা থাজিল্লমলনী? করি ওইগদবা খনবদা নিংবগা তৌরদ্বগঃ মাঙরে। হে গৌরী নারদগী ৱবা অসি অহাক্রম্ভ লৌরুম্নু মী থংনহল্লগা হরাওজবা অহুগুম্বদা শিনবনা কথো ওইহুনা লৈরবা মাৱা শিনখুৱা থবক্তা সোইবা লৈত্রে হায়দুনা মমিং ফাওবা ছন্দপূয়ঋষি, অমঙ্গং চেকিতান হায়নসু কৌনরবনী। দুর্গা নংনা করি হায়মিংবা লৈবগে হায়য়ু সুংনা অপাম্বহু ঐনা সোয়দনা লাংবিগনী মবুভোগী রাহায় অসি ভাবদা দেবীনা চায়জরকই, হে প্রভু কণ্ঠদা হাডমালা থোঙ্গিবা ফিজেংকা রাম্বং চাত্রে ভূত প্রেতকা লোইনরে, ভাগসু থকচিলে মোংফমদা পোথাফমগা ওইরে লাইনা মীন হলোইনরে। প্রভুনা মী মকোক অকাবা শিরিবা অসিবু করি কাম্বাগ। হন্দোকপীত্রো, মনী মুক্তাগী পরেং থোনবীয়ু, ইম মবী দেবীশিংনা দুর্গাসী মাদনা ফজনা লৈতেংই। মবুংঙাদী করি মতা থোন্দে হায়েনা মোরুবসী ঐ লৈজবা ভমত্রে। দেবীগী রা ভাবদা নিলকণ্ঠনা হায়রকই, হে দুর্গা ঐনা হাড়মালা শিববু নংনা চিংহুনা হংই। কাননা মরম লৈহুনা শিবনী ঐনা নত্তোন্দ তাকে মুৱা তাও জগৎকী জিবনা মপোক অসি মিংই। অচবু জীব খুদিংনা শিরোইদংজা

থদ্রি। মতম থরগী মায়াগী ইপাক্তা তাওরী, মশানা মাংনবা তাজরবা জিব ওাক্নী মাহুৎ থংনব মচোন্দা তাকে। নচুক্তা মনা ৰূপা মনী মুক্তাগী পন্নে শিংগ মাহ্ন দেহেগী লৈতে মী জিবআম গী কান্নবা নত্তে নৈনে ঈশিংনে, মুংশিংনে, লৈবাকনে অতিয়ানে মাশিং পক তুত কোই। মতা অসিগী শরুক্না তিনশিন্দুনা শাবা দেহেনী, শিনপা মাগী মাগী মফমদা ভিন্নশিনখিনী. জীবআত্মাদি শিবা মাংবা লৈতে। জীব তত্ত, ঈশ্বর তত্ত, থংগদবনি, ছিংজিংঙেদা অফবা লম্বী থিংহৌগদবনী। দেহ পান্দুনা লৈরীঙৈদা তানখিংবা অফ কত্ত মহৈদা দেহে থাদোক্লমলগা জীবনা চারুগদবনী কত্তবা তাল্লে মনা, অফবা তাল্লে মানা. মানা শোয়দনা ফংগনী। জীবনা ঐগীনি ঐগীনি হায়-ৰিধা অসী মাগী করিসু য়াওদে। শিরগা লোইনদ্রুনা পুব. য়াবোই. লোইনথিগদবদা মানা তৌদ্রবা অফ কত্তগী ফোল অহুত্তনী। হে দেবী জগংকা মিংবা থৈবিক থুংহনবা ডমবা চিন্তামনী কৌবা য়াইগুমবা লন্দী শ্রীকৃষ্ণগী নাম মহামন্ত্রদনী। জীবনা মায়া স বন্ধত্ত্ব মুংশিরিঙেদা। মতম তৌখি। ঈশ্বরবু নিংথৌদহুনা মপুন্‌সি অ'রমবদা মা'হল্লী। শিরগা বমগী বা হনা কংই অমসুং পাপকী ম'পাক শা উচেক তিন ক'ংগী কংজ্রব মপোক্‌পা হঙ্গিন হঙ্গিন পোক্লুনা জিবনা অন্নাবা মায়াগী সমত্রদা লুপত্নুনা লৈরী। হে দুর্গা নংনা কজনবা হ'কচাঙ্গী লৈতে'দী হোংনরা ? অপোক অশি লাম্বোকনবদী হোৎনদে হৌজিক নচোন্দা তাক্লগে। ঐনা বন্দি উৎ তৈরিব অসিনা দেহসে শিনগা উত্তোনা ভুমখিনী হায়বা থংনবা জগন্ত্রা ঐনা খুদম ওইনা তাকপনী। লিন থাওন্নরাবা অসিনা চু পুবা লিনহমনথা মন্ন রিপুনা কোইশিনখ্রে ? চংকম লমবী থ ডরোই তাকপগী খুদমনী তিনবুন নাপু- খুঙি শিবিবা অসিন, মায়াগী য়োংহ্লিনা পুনবদগী নাম্থোকপা য়াংরোয় হায়ংগী খুদমনী। গঙ্গা থকলিবা অসিন. জগৎ অশি তামসিক্কী চিঙ্গাক্লা ওাওহল্লে হায়ব. জগৎনা থংসন্ন হায়হনা তাকপনি। শঙ্গোই হিদাক অমুবা মহৈ চারিবনা, চিঙ্গাক কত্তবা চাবদগী সত্ত জ্ঞান মাংহন্দুনা অজ্ঞান ওইবা পাপকী বাথন্দা তাও'খ্র থংহনবনি। কে ঙা জটা পুবন, মীওইবগী অ:মাংপা থম্মোয়গী রাথনা পোংলুম ওইহনা পুন'সগী মকোক্তা নন্দুনা লৈরে তাকপনি। শঙ্গোইহিদাক মপান চিনবনা, দেহেগী লৈতে'শিং অ:স শঙ্গোই হিদাক মপানগী মনম য়াওদবগুম আত্মাগী কান্নবা য়'ওন্ত্র তাকপনী কৈগী মউন শেংপনা কৈগুমবা জিবগী অকিবগী মশক ওইরবা। কালমৃতু লোয়নন্তুনা লৈবে তাকপনি। ডিগম্বর ওইবনা মিংরেংগী কজনবদা হোৎ-নরিবা লৈ'ত অদী জীবআত্মাগী শরুক য়াওদ্রে তাকপনী। ঐনা যোংকমদা পোথাকম ওইবনা সংসারগী হুডাইরিংবা মুক্ষমশে, শ্মাশানগুমবনী অমুক্তী শোয়দনা শমানা য়োরগনী জগংনা থংসন্ন তাকপনী। ভুতপ্রেত লোয়নরিবনা ঐগী২ হায়বা সমন্ধি মায়া মরাম অসী ? জীবনা ভুত প্রেত লোয়নবগুমবনী। হাড়মালা শিরিবা অসিনা বৈষ্ণবকী মংতাকনী। অসিনা ঐগী বৈষ্ণব সজনী সম্প্রী অথোয়বদী বৈষ্ণব সজনী নিংজবগী অথোইবদী শ্রীহরিগী থোং থম্বালবী শোজবগী অথোইবদী

অথোইবদী শ্রীকৃষ্ণগী নাম মহামন্ত্রনী। ঐম্না ইচিন অমত্তনা পেন্দ্রহনা ইচিন মঙা পান্দুনা তত্তম্না নাম মহামন্ত্রবু লোঙ্গনী। দুর্গাগী মফমদা মাহাম অসী হায়রকবগা, সদাশিবদো কৃষ্ণগী নাম মহামন্ত্রবু লোয়গা বগদ্রে। মহাদেবগী পাওতাক অসী তাথদা দুর্গা থুংতনা লোনমনা মবুথোৎ দা হায়ত্তরকই। হে প্রভু ননাই তোঙ্গবীন থনবীহনা! অপোক অশি বংলিব অসি লাশ্লোকপা ওয়ব' থোজ্জামবীহনা মহামন্ত্রী তত্তবু তাকপীয়ু।

দেবীগী ভক্তি অসি উবদা সদাশিবনা থবকক পৃথ নাম মহামন্ত্রগী তত্তবু কোংনা তাকপা যাদে। নাম মহামন্ত্র কলবা জীবদী কনান চংবা ওমলোই, অজর অমর ওইনী, শ, উচেক, তিন কাং কংচে থোয় ত্রিব অংত্রা তাইনক্কদে যায়া থুম্ন শাক্কদবনী। শিবগী রূপ তৌবারকপা মাহাম অসি তাথদা কৈলাশক চিক্রবা উম' অম থেংহন, শ, উ'চক, ত্রিনকাং, শিব লোইনা তান্থে কথ'ব। অচিকপ' মফম অগদ' শমড় লেংশিনখিহনা আসন ফমলগা। দুর্গাগী মফমদা থগৎবা কপচ নাম মহামন্ত্রবু তাকপ' হৌখবে। মফম অংদা উথুড় অহোবা অমদা, তেনত্র মক- ২ কোকহন' লৈবগ্নী দুর্গানা তানথোকপদা কিহন', বকম অমা চিকতুনা পাইখ্রংগা একম অমদী ভক্কোন্দ' লৈহৌরে। শঙ্করনা কপচ্চ নাম মন্ত্র লিবা হৌবকপদা; নাম মন্ত্রগী গুন্না একল্লম পোখাটবগ'। জিব ওনক্রুনা যায়া থুপনা, নামগুণ তত্ত তাহনা লৈরে। নিত্তিগী মতম নাইনা' লে শিন্দুনা মফম অদুদা লী, দুর্গানা মবক মবক্কা অ ২ হায়না থুমহনা তাৈত্ত। পেংশকপা নোংতানলমদাগ মতমদা কেক ২ উইবকহুনা, থুগা লেগ্নী থুবা লেগ্না মতমদা, তেনত্র' মচানে' লিবা লেপথ্রনা হায়হন। ওঁকার শব্দ ঐঁ ঐঁ হায়না থুম্নী। সদাশিবনা নাম মহামন্ত্র গুণ তত্ত লিবা লোইববদা হাইবকই, ঐনা লিত্রিবা তত্ত অসী লোইনা কাগৌবরা দেবী। উমান' হায়'ব থেংলক্রুবা মতমদ উইকবা যাওখিহন'। মবক মবক্তা কাদবা যাওনে, শিবনা হায় ইতত্তগুনা থুম্মী ওঁ ওঁ হায়না, থুমলিবা নংনা কমদোন কাগৌত্রিবনো। দুর্গানা ছাক্সীত্র প্রভু ঐদী থুমখিত্রে অংতাপংগা অমনা থুমখিবা ওইরমগনী। মাহ তাংদা নিলকহনা ধ্যান তৌহনা. য়েংই, মংকান্দা লৈরগা তেনরামচামা তাহনা লৈমহ০ উবনা থন্নী। উচেক অসিনা থুপলবা নাম মহা মন্ত্রবু কোংনা পংথাম্ন হায়দোকখিহনা। মায়গী গুণ মাংলমনী থনবদগী শাত-রকহুনা, ত্রিপুরারি ত্রিশুল পাইহুনা গুরু হাৎকে চেনশিল্লক্রে। গুরু, কিহনা মকোক্নগী পাই-থোকখিনা যা না পাইহনা চেরে, তত্তনাথনা শাস্ত্রি গুরু লাইরৈশাকক্কা লাই থুদিংদা কনবিয়ু হায়রকই? মাহদেববু কিহনা কনবিরকত্রে। মরোম তহুম থুংনা চেল্লে কনবিনবা লৈত্রে, অমুক পাইরকপনা ব্যাসমুনিগী বৈথান আশ্রম য়োরক্রে। মতম অদুদা ব্যাসগী ঠাকুরানী, অমুক যাংতা-রকপগী দুমিংপু থুম্নী, হৌগৎলকপদা হাকাম চল্লী যোগ শক্তি লৈরবা তেনবানা পাইশিনখিহনা গর্ভদা তিনশিনখরে। তারকইবা মহাদেবনা ত্রাগনী থেংহনা হায়, ঐনা হাৎকে তারকইবা

হয়ানবা অহ্, নত্তি গর্ভদা চংথয়ে হৌজিকসু পুথোকউ ? পুথোকয়বদি নং নিংখ্ৰবা খিন্তুনা হংও শিজগনী। অসি তাবদা ব্রাহ্মণীনা থুকমজহনা হায়রে, প্রভু ঐদী থংজহৌত্ৰে ? তোঙ্গবী মুপীনী খনবীহন' থরাইদবী কনবীয়ু। থুবক্তা মুনি চেনশিল্লকতুনা, স্তুতি কয়া পাঠ তৌজহনা থুমলগা হায়রে। হে দেব দেব: নত্তাকি থোরদগী ননাই গর্ভগী লক্ষন ওইবসী, চহি ১২ ভূরে পোকহ্রনা মায়' য়ানা লৈ, ননাইগী গর্ভদ লৈরিব অসী মা'হনবিগন্ন। ব্যাসদেবনা শিবগী স্তুতি পাঠ তৌরমবদগী ওনথাইনা কপতুনা হায়রে প্রভুনা থোঞ্জানবিহনা য়ারব ননাই মুপাগী থরাইব কননিয়ু, ব্যাসগী ভক্তিদা পেল্লহনা গৌরী মাথনা হায়বকই। হে ব্যাস নংগী ভক্তিদা ঐ পেল্লে ঐনা তাথরবপা শুকসে নত্তি নচা ওইনা ফজগেরো ? নচা অসি যাম্না গুণ চেনবা ওইবগনী। গর্ভ অসি সোইদনা পোকতুনা, সতী ওইরবী নংগী মুপী অসিগী অবাবম্ন কোল্লসন্ন, হৌজিকতি ঐহ্ন হল্লগ অস্নুহ্ণা থোর পিবমলগা মহাদেব অন্তর্ধান ওইখরে হরিবোল হরিবোল হরিবোল।

অধ্যায়

ব্যাসকা মচা শুকদেব পোকপগী

য়ারা মতাং

য়ারী তাক্লিবা শৌনকচিংবা মুনি মহাত্মা হংলকই, হে শাস্ত্রগ্য ওইবরা সৌতি নংগী নপাক্ষগী য়ারী তাঙবা ফবা অসী; ঐথোইগী লাংবক ঙবা ওইরে তাবদা অমৃতগা মানবা কথানী, * শুকদেব পোকপগী য়াবী অমুক লিংবা, সৌতিনা হায়রে তাবিয়ু মুনি মথাগী লাবা অমুক লিক্ত-হল্লগে। নোংমদা শ্রী দ্বৈপায়নগা গর্ভদা লৈরিবা মচাগী হক্কমদা হায়রকই : হে গর্ভগী অচাং নথাগী গর্ভদা লৈবা কুইমল্লে, চহি ১২ তবানিথোই ভুবরা কাওবা নংনা অহুম্ লৈরিবা করিগীনো। নমা

---

* টিকা মহাদেবনা কৈলাশগী অচিকপা শিখরদা কপচ নাম মহামন্ত্রগী তত্ত্ব লিবন চহী ১২ নী হায়না গনেশ পুরাননা হায়রি। (তথাহি কৈলাশ শিখরেঃ গুহ্যং গৌরি প্রসতি শঙ্করম। দ্বাদশ বর্ষানি বহ, তত্ত্ব উক্তবান শঙ্করম ইতি)। ব্যাসগী ঠাকুরানীগী গর্ভদা সর্ব্বতমা হরি লেংশিন-খিহনা গর্ভগী লক্ষন ওইখিবনী চহি ১২ চুপা কৈলাশদগী মমাই তেনরা অসিবু তাইখিবনী অহনা ব্যাসকী ঠাকুরানী চহি ১২ গর্ভ পুহনা লৈ, অমুহ্না শিব সংহিতানা হায়রি (তথাহি ব্যাসস্য গৃহিনী তদা দ্বাদশ বর্ষানি গর্ভং শুকস্যঃ কারনং দৃষ্ট্বাং সর্ব্বাত্ম হরি শ্রিতবান্ ইতি ।)

মায়া রারে তাইবংপান্দা থোক্লকও, পিতা ব্যাসগী রাহার অসি তাবদা গর্ভদগী মচানা খুম্মকই, হে: পিতাগী ঐদী গর্ভদগী থোক্লকপা ঙমলোয়। তাইব পান অসি বিষ্ণুগী মায়ানা শিনথুংনা লৈবা উই; তাইবংপাল থোকন্নুববদী মাযানা ঐবু মাইথিবা পীথিল্লুনা। জগৎকি মপু হরিবু ঐনা কংবা ঙমলরোই। ঐবু মায়ানা পুনশ্চরবদী, সোইদনা যমগী রাজনা ফংগনী। যমগী জাতনা কংগদবগী শরুকপুদী; গর্ভগী যাতনা থাংচনা ধ্যাণ তৌব্বনা হরিবাবু কংজগে॥ পিত ব্যাসনা হায়রকই। ঐগী রাহৈসী তারো, অদোংনং গর্ভদা লৈরমা হরিবু ধ্যান তৌবনদী; নমা রাহনবগী দোযনা হরিবু কাথা য়ংবোই। থোক্লকও নত্তেদ্দদী মাহানম্ভু মাইথিবা পীবা ঙমলোই? ব্যাসগী রা তাবদ' গর্ভদগী অমুক খুমলকই। ইপানা হায়বা অহু ঐনা থাজবা ঙমদে, ঐনা মায়াবু উই ঐবু থোলকউ হায়রবদী, জগৎত। লৈবিবা মায় মস'। লৌথাকথরবা ভগবান মাবু ইমাংদা উবা ফংলবা। অদু ওইরবদী তাইবংপান্দা থোক্লকপা ঙমগনী। গর্ভদ লৈরিব অঙাং মচাগী রা অসী তারবদ, যায়রোই হায়বা খংলহুনা শ্রীব্যাসদেবনা, যোগ তৌজরকই। জগৎকি মপু শ্রীনরায়ন মনাইগী ভক্তিগী মথ পোনবিহুনা! ব্যাসগী অরাবা কোকপীরগে হায়বগীদমক? খুদক অহুমকদা অবিভুত ওইন লেংবিরক্লে। শ্রীহরিন হায়বিরকই, হে মুণি ঐ লাকলে নং কন্নি পাথগে হায়রো॥ মংগী অপাকহু ঐনা সোইদনা থুংহনগনী। শ্রীহরিগী কৃপাবানি তাজবদগী? ব্যাস মিৎ পাং- থোক্লকপদা, শংখ চক্র গদা পদ্ম পাই সনা ফিগে থোনবা কৌস্তুভ মনিনা বিরাজ ওইবা, শ্রীবৎস লাঞ্চন বক্ষদা লৈতেংবা। শ্রীমূর্তিমাবু দরশন কংবদা? চৈস্নু হায়ববগুমা দণ্ডব কৎলগা স্তুতি পাঠ কহামরম লৌভবকই। শ্রীহরিগী আসন কৎলি যরয পচ্চারগী পুজাগ' লোইননা থত্তি কংলী।

---

* টিক। শ্রীহরিনা জ ংসি অঙাংগীদমক মায়া লোথোকই, হায়রিবা মায়া লৈতবা মতম অসিদা ব্যাসকী মচা অঙাং অস পাকই। (তথাহি উপনিষদ বাক্যম) তস্মিনুত্তঙ্কনে ভূতে বিষ্ণুমায়া বিবর্জ্জিত। গভাদ্বিনি সৃত. শুক তৎক্ষনাদন্ত মদাত্তে. ইতি)॥

শ্রীহরিনা মনাইগীদমক মায়া লোথোকপা অসী মুহূর্ত হায়বা পুংলুপ অমনী, মায লৈতব মতমদা সুকদেব পোকই। শোকপগা চহি ১২ গী মীওইদ লেপ্পী। কুচুনা সনা ফুবো বগী মচুনী শঙা খোইংগী মচুনী, লেপাক্ত রাই রাই লাওনা ঈ ই চাইনা তাই সুকসী পবজন্মদা বিদ পুরক কোবা খুজংদ। ব্যাধ ওইনা পেকলম্বী মানা লাং থাকুন তেনবা লাবা অমা কাথী তেনরা অযোম অহুনা শাপ তৌথী। ব্যাধ ননা মরান লেজদবা ইপুরোইববু ফাবগা এবু কাইনহনবদী। অদুগী দোযনা হয়েমুক্তী মপোকা তেনবা ওহনা পোক্লগা, অঙা অমনা নংথম্ন অরাবা পীসনু হাইথী। মতুংদা গুরুকৃপা তান্নুন যোগ তৌজরকপনা কৈলাশদা তেনরা ওইনা পোক্লগা শ্রীকৃষ্ণগী নাম মহামন্ত্র কংজরকতুনা তুদা ব্যাসকী মচা ওইনা পোক্লবনী থুদমন্থু তেনবাগী যারতা মাল্লী হায়রহুনা শুকদেব কৌবনি অমুমমু উপনিষদনা হায়রী।

ব্রাহ্মণাম্বু অমদা থুকমজবে, অদুগী তুংদা থুং লোয়হুনা ব্যাস মুণিনা হায়জরকই, হে প্রভু নদাগি তুপী অসী চহি ১২ গুনে গর্ভ ধারন ওইবা। গর্ভগী অভাং অসী তাইবং খোকলো হায়বদা, মায়াবু কী হায়হনা খোক্লকউ মাদারে; মবম অহুনা প্রভুগ কোজখনী। র বম অসী হঙ্গংলগা শ্রীচন্দ্রা হয়া ২ হায়জরকই ? শ্রীহরিনা হায়রক৩ ব্যাস রাকনু ঐনা মচাবু তাইবংপান খোকহল্লগনী, অসি হায়রগা কইবুদো মাগী বিক্কময়াবু লোখোকপীরগা, মধুর বানিনা হায়ক্কই। হে: ব্যাসগী মচা অভাং নং মপান খোলকও ঐ লাক্লে, হৌজিক মায়া লোখোক্লে ঐগী মায়ানা নংবু থুহম চন্‌বা ওনলরাই, ঐগী শককম অসী নংবু মুয়া থেংজহোরবো। শ্রীহরিগী কোকিলগী স্বরবু চমগ্গবং, পুমনবা মাথংবু তাববদা, গর্ভগী অভাংনা মমিৎ পাংহুনা য়েলকপদা জগংকী মায়া হাংলিবহুবু উবে। শ্রীহরিগী নি থিজ্জরবা জগৎ মুক্তংনবগী মনক ওইরবা, শ্রীমূর্ত্তিবু উনবদা অভাং অচ হরাওনা মমাগী গর্ভদগী মপান থোক্লকে ? অভাংমা পৃথীদা তাবগা শ্রীহরি অন্তধান ওইখবে। হরি মবুংতাবু তংশিবা প্রেমনা চাউ-খিহুনা। গর্ভগী ভডি থোমজিল্লগা; কৃষ্ণ হরি হায়না কোচন অরাং পানা চেনখবে। গর্ভগী স্নানমু তৌজ্রি গর্ভ ভডিমু যাওখরে; অঙাংগী মংতৌ উবদা অতিয়াদগী লাইনা লৈ চাইখরক্ল। অপস্বরাশিংনা জগোয় লাখী, গন্ধর্বশিংন পুংয়ে, কিন্নরশিংনা ইশৈ শকই, সর্গগী দুন্দুভি বাজন তৌখরে। সিদ্ধ ঋষিশিং শ্রীকৃষ্ণগী নামকির্ত্তণ তৌনরকপনা! অতিয়া মণ্ডল পুমনিরিনখবে। মতাং অসিবু শ্রীহরিগী চরণ পদ্মবু কোকথক্তা হাপচরগা শ্রীহরিদাস সিংহনা ইমাগোন্দ ওঝাগী সেবা কচ্চবী।

অধ্যায়

ব্যাসপিতা পুত্র সম্বাদ কোবা

হারী মতাং

সৌতিনা হায়জৈ তাবিয়ু মুণি সভা, চহি তরানিথোই রাদা গর্ভ পুরক্রবা। মচাবু পোক-চরগা ইমা কোবমদনা চংখ্রিবা অদু উবদা। মচাগী তংশিবা প্রেম্না ওাওহুনা, কপদ কপলহুনা খোজেল হাংনা কোবক্লে। হা: ইচা ইবুঙো ২ ইমাগী শাক্ত হল্লকখো, ইমাগী অমৃত থক্লখো, চহি তরানিথোই চুপনা নংবু রানা ইমানা গর্ভ পুক্রয়রবনী ? ইমাবু নংমা হন্দোক্লবলগা কদাইদা চংখরিবনো। নংবু উত্রবদী ইমাদী নজি প্রেম্না থাংবা ওমদহুনা লেপনা শিবা তারে ? ইচাদি অমা হাৎপা পাপ কংবা তারী। নমা হাংপা পাপতি জগতা কোকপীনবা লৈতবনী, মমাগী

য়াথং ভাকপনা মচা ওইবনীস্থ অরেপ্পা ধর্ম্মনী। ধর্ম্ম ভাকপনা মীওইবগী অথোইবা লন্মী। ঈমাগী য়াথং ভাঙ্গুমা হল্লক্লগা অমৃত থক্লপো; অসি হায়দুনা কৌরগ মচা মুংশিবগী মৈচাক্কা থাংবা ভমগ্রহনা। লৈমায়থক্তা হায়থখ্বর। পৃয়াগী মতৌ উবদা ব্যাস মুনি, চেশিনখিহনা কোন-থৎল্লী, মচানা চংথরিবা মাইকৈ য়েংলগা রা হায়রকই। পৃয় কপকপ্প ভৌগৎলু ঐ ইচা কাকগে, নথুবাক্তা নচা সোইদনা পীগনী, অসি হায়হনা ব্রহ্মনীবু থেমজিন্ন লগা॥ ব্যাসমুনি মচাক্নাগে হায়দুনা ভান্নবগে। পান্না ভাচা কৌগুনা হায়রকই, হে পুত্র ঐনা মতম কুইনা লাই নিংজহনা, কংশমদনা ফজরবা ইচা ননী। ইচানা নপা ঐবু হদোক্রমলগা কদাইদা চৎন্নিবানা, ইপাগী পোনকম অসী তাবা॥ অমুক্তা হল্লনখো, অসী হায়হনা ব্যাস খোঙ্গেন য়াংনা কৌরকই। মচাম্না হন্না পাওবা য়েংলমদনা অহুম চংখবে। খর চংলগা ফজরবা পুখ্রি অমদা লাংগী নিংতোনশিং, মশাগী লৈংশং পুমক থমগা পরেংইদুনা শাম্নরম্মী। ব্যাসনা মচানা পুখ্রি মনাক্তা শমহনা চংলী, শাইবা লিংশা পুং়ংনা কথ লকহনা খোইশিন্দুনা পৎলগা য়েংনৈ, ব্যাসগী নচানদী মথোইবু মিৎচিনা কাওবা য়েংলকদনা। হেন্দোকতুনা চেন্নী। তুংদা ব্যাস মুণি লাকপা উরহুনা দেব কন্যাশিং অদো শাং ২ আভরণ্ন শেংচিননরকই অহুবু মুণিনা উরগ থংকপা ফংই। হে-দেব কন্যাশিং, ঐগী ইচা নশক মতৌ ফজরবা পাংং উবধদী, নথোইনা ইকাইদে বৃদ্ধ ওইরবা ঐবু উংদদী, নথোইনা ইকাইরিবা কম্নিগীনো হায়বু। বাসগী রা তাবদা দেব-কন্যাশিংনা হায়-রকই হে মুণি নচা পাংবদ নায়া পক্তে, অদুনা এথোহ ইকাইদ, মুণিদী মায়া পকই অদুনা ঐখাইদা ইকাইহুন, ব্যবহারং তৌজরিদনা রাসা হায়রম শ লাইরেম্বীশিং লাইয়ৈপাক্তা হনখ্বর অতদগী ব্যাস খর কানা মচাবু ফংথী, মচাগী মাংদ থংনগা মুণিনা থাম্মী, হে-প্রান পুত্র নংবু উবদ্রবদী নমা মতু, সোইদনা থরাই থারগনী। অদুনা নমা হাংপা পাপ ফংলগনী। নংনা নমাহাংপা পাপ ফংলবদী, নংনা ফংলগ নিংলিবা হরিবু কদোইগুরম্ভু ফংবা ভমলরোই। ঐনা হায়বা ইল্লু মপাক্না মচাগী শুকনি, শুকনুপা লৈরগা শ্রীহরিবু ফংগনী, ইপাগী য়াথং ভাকনা অমুক্ত হল্লিল্লু। ব্যাস মপাগী রা তারগা মচানা খুমলকই, হেঃ পিতা ঐনা ইমা ইপাবু মুশিবা হায়বা অহুম্বু থংজদ, ঐনা মুংশি বদী শ্রীহরি মাবুভবা। ঈশা ইপগী মকমদা হজিন্দুনা, মায়াগা তিনহুনা লৈমিম্নবা ভমলোই? ঐহাক্তি হরিমাবু থিবা পমমদবনা চংচথরগে। মচাগী য়াহায় তাবদা বেদব্যাস জ্ঞান মাংহুনা * রাম্থখরে, মুনিনা রাম্নথরিংও মতমদা, শুকনী শক্তি থনমলগা

* মূল (তথাহি) ব্যাস মূর্ত্তিং ভবেদ যত্র সর্ব্বাত্মা হবি নিজ পুবংগতা। তত্রাপত্য জাননিয় ব্যাসং নিজা শ্রমা গতাস্তুষ্ট ইতি। ১২ উপনিষদ। (তেনরাগী শক্তি থনমলগা সর্ব্বত্মা হরি থামদা লেংখি ব্যাসনা শুকমচা পুরকখি। মাসিবু টিকা কারশিংন পরিক্ষিতা শ্রীমদ্ভাগবত লিরিবা শুকদেব অসী শারা শুকনি হায়না অনুবাদ তৌরী।

সর্ব্বা অম্না হরিদ্দা চহি ১২ মনাইগীদমক গভদা ভাইবম্বা ইবুংোনা। মাগী শক্তি অমা হাপ্পী রমলগা বৈকুণ্ঠদা লেংখ্রে। ব্যাসনা জ্ঞান তাদুনা হৌগংলকপা মতমদা মচা শুক লেকনা লৈরম্মী মচাবু চেংনা কোনশিন্দুনা আশ্রমদা পোবক্লে। ব্যাসনা মগী গর্ভতী ককলে খান তৌবিবে। মমাগী তমপাক্তা মচাবু হাপ্পীরে। মচাবু ফালবদা মনানা শুভাইবগী ইপাক্ত তাওদুনা মচাবু চেংনা কোনশিন্দুনা লাইপক্তা চুপ্পী মচাবু পমদুনা অমৃত ইনী; ব্যাস মচাগী জন্ম কোষ্টী ইয়ে। * মমিং শ্রীশুকদেব থোন্লে। বষ্টি পুত্রা লাংলে গৃহ শুদ্ধ ওইবে, বিদ্যা আবয় তৌগনা বৃহস্পতীদ

---

*১ মূল তথাহি। পরা শর সুতং ব্যাস বেদ শাস্ত্রাথ পাবন বিষ্ণু মায়াঃ সম শ্রিতা পুত্র শোকেন মূর্চ্ছিত। ইতি উপনিষদ বাক্যম ॥

ব্যাসনা মচাবু শুকদেব কৌবা অসী তেনবাগী শক্তিগা পুন্না পোক্লকই তেনবা মাইনা মাথি। তেনবাগুম্না অনিবু অহু উইন কন্না নিই, তেনবানা দাবম্ব ফুংশি যন্না চনিই। হাইডনা শুক কৌই বেদ তাবদা বিষ্ণুগী শক্তিনা হেবকই হায়বদগা শুকদেব কোবনী বাদরানা বে বদী বেদ বদ বেদবু গর্ভদগী লোযনবকই বেদ অভ্যাস বেদবু চিন পুত্র বদবক [illegible] পোকই, মরমশি অসি লেবদগী বদাযনি কোই অমধুং বাদবাযন হায়রগা বেদবু পোংদাকই হাবদুন বাদবু থদৈন বদাবাযন অপত্য বাদবাযনি। অস্ময়স্থ থ.ন হতি

---

* মূল তথাহি। ব্যাসদেবস্য: যস্ত্র অপত্য শুকদেবশ্চন। অরনি গর্ভ সম্ভুতঃ অগ্নি শক্ত্যাবিভূতঃ ভবেৎ॥ ইতি॥ দেবীভাগবত বাক্যম। অবনি গর্ভদগী পোকই হায়বগী মত অসিনা ব্যাস মুনিনা মচা শুণ চেন্নবা অমতং যংগে হায়বগী, চহি চামা ১০০ মহাদেবনু নিংই। সদা শিবনা পেন্দুনা শুভ লৈবা মচানিপা অমা, ফংলো হাযনা বোব পী। অহুদগী আশ্রমদা হল্লক্লগা যজ্ঞ তোগে হায়দুনা মৈবা চিন্ততী। মথম অহুদা ঘৃটাচি অপস্বরা লাকই। অগোই শাবী অহু উবদা ব্যাস কাম ভাবনানা ভ্রান্ত ওইদুনা, মৈবাচিংবগী মৈগৌবকপা মৈবাগী চৈ অত্তদা, বির্য্যপাত ওইখ্রে। মুনিগী মতৌ অহু উবদা ঘৃটাচী মুনবু কিদুনা তেনবা ওল্লগা উশাদা তোংদুনা লৈ। থুদক অদে মৈ কৌবা লাইগী শক্তি ব্যাসগী বির্য্যদা তিনখিদুনা থুদক অহুদা শুকদেব পোকই ঘৃটাচীনা তেনবা ওনবা মতমদা. পোকই হায়দুনা শুকদেব কৌই। অগ্নিদেবগী শক্তিনা ওইথি অদুনা দেবতানী। অমুম্না ব্রহ্ম বৈবর্ত্তনসু দেবী ভাগবতনসু হায়রি। মত অমনা ব্যাসকী লোয়নবী শুকীনী ঋতু স্নান তৌরুরগা মখুবোইবা ব্যাসপু থুরুমজখি। ব্যাস মৈবা চিংলমবগী পঞ্চশরগী তাপ কালদুনা মৈবা চিবা থাদাহগা থুদক অহুদা. শুকিনীগী ঋতু পালন তৌখী। মাদুদা মৈগী শক্তি চংখিদুনা শুকিনী গর্ভ ধারণ ওইখী। শুকিনীনা পোকই অগ্নিদেবগী শক্তিনী -হায়দুনা শুকদেব কৌই অধুবনসু। শিব সংহিতানা হায়রি।

লাইরিক তমহল্লী। মতম খর ওখদ' বেদ শাস্ত্র পুস্তক লোইনা হৈগ্রে ওবাগী দক্ষিনা কংলগ হল্লে। ব্যাস মচা শুকনী বিদ্যাগী গুণ উবদা যাম নুংঙাইজরে শুকদেব মচাবু ঙেংনা হায়রকই ইচাদি গৃহিগী ভুগ লোরো ইমৌ অম লুপ'লগী। শুক মপা ব্যাসকী বা অদু তাবদ' হাংজরকই শুকদেব নচাদী গৃহধর্ম্ম লোক্তবাত? ব্রহ্মচারী ওইদুনা পরংব্রহ্মবু কংবরা। ইমা ইপা থাদোক্লম হবি মাবু নিংবা চচ্চথুগে বিদাথ পিনবিবো। মচাগী বা তাবদ ব্যাসনা হায়রকই ইবুঙো নংনা শ্রীকৃষ্ণ কংগ হায়রবদী, ভক্ত ম মথক থংলগ কৃষ্ণবু কংলগনবনী ভক্তি প্রেম ফংনবা দমক শ্রীমদ্ভাগবত মহাপুরানবু ঐ লিগে, 'নংন পুরিং চংনা তাবে'। শুকদেবনা হায়জৈ হে গুরুদেব, শ্রীমদ্ভাগবতপু লিবিবে কৃষ্ণগী ভক্তি প্রেমবু ঐনা পামজৈ, মচাগী অপাম অসিবু অমুক্তা থুংজনবীবু মচাগী মংমদা বদ ব্যাসনা শ্রীমদ্ভাগবত লিবা হৌরকে। প্রথম স্কন্দগী মথং ২ লিবকপদা দশম স্কন্ধ যোরকপা রাবী মহারাসক মথংং। *শ্রীরাধাগী নাম হেক তাবদা প্রেমবিকাশ ওইরকুন শুক মূর্ছ ওইদুনা রাম্বথ. শুক অদুদা ঋষি নারদ' লাকতুনা থুডুম। ব্যাস মাংদ হনা শ্রীকৃষ্ণগী নাম শোনবদগী। শুক চেতন লাকতুনা হৌগংথি। নারদনা শুকবু কোনবীদুনা রাগগী ভক্তী প্রেমবু শুকগী থম্মোযদা পাবিবমলগা ঋষি ব্রহ্মলোক্তা হনখি। অদুগী তুংদা বার কৃষ্ণ লোইনা তাথি শুকদেবসি পোকদকপদগী ব্রহ্মানন্দ ওইনা লাকপনি মতাং অদুদা রাগ ভক্তীগী অথোইবা প্রেম ফংখি, বাধা কৃষ্ণগী প্রেমনা মবক মবকতা মূর্ধা হেক হেক ওইরকই।

শুকদেবনা মূর্ছ ওইবগী, প্রেমা ইনকহাবকপদা ওইবনা, কুইনা কুইনা ওইগল্লী, মহাক অদুনা মুংশাথিদুনা ব্যাস বাবদনা, নামকত্তন তৌই? নামদি হনি তাবগা চেতন লাক্লুনা হৌগংলং। শুকদেবনা পিতাবাদগী মফমদা হাযরকই, মচাদী ঞরা গাওইদুন, শ্রীরাধা কৃষ্ণগী নাম শোনবনা পুজি লেঙথুগে। ইমা ইপা অনিগী বিদাথ পীনবীবো হায়রকই, মচাগী বা তাবদা মচা চৎথুগনি থম্মুবদ' অরাবগী সমজ্রেদা? লুপ্ল ন' হায়রকই। চেতক মুম পান্থে নচা পোৎগা নমা নপাগী লন শিংলহথো? অদুগা কোমা বৈরাগ্য ওতগদবনি। শংশাবদ মীপইনা পোক্লবদী, ঋণ ৩ তোমী মাহুদী পিতৃ মাতৃ ঋণ, দেশঋণ, দেব ঋণ,—৩ অসিনি লমন অসি শিংলমন্নবদী, মা-

---

* টিকা। রাধা হায়বা নাম শুসি হেক তাবদ, শুকদেবনা মূর্চ্ছা ওইরসি মুহূর্ত, ১২ দিন ব্যাস মচাগী প্রেম উবদা, বাধা হায়বা নাম [illegible] মচাদু [illegible] হায়বা রামবোই হায়দুনা মচানা মূর্চ্ছ ওইরি [illegible]। রাধা নাম [illegible] গোপী কাচিউ [illegible]। [illegible] ভাগবত [illegible] শুকদেব [illegible] টিকা কারশিংনা (ব্যাস বেতী নাব তীবা) অসুমা অপ্পবাদ তৌবী।

ওইবনা শ্রীহরি ক'বা ঙমলোই। অমসুং এন্তাপস্ন কাকপা য়াদে। হায়বসী শস্ত্রী বোঞ্চী? শোইব' য়াত্রম ঈশ্বরগী য়াথ'নী। মরম, অসি ঐনা নঙোন। তাকে, মচাপোকপনা মাতৃ পিতৃ ঋণ শি'বনী, অথবা দেশ লেবা তৌরবনা জন্মভূমী দেশ ঋণ শিবনী, দান ধর্ম কপ্নি তৌবনা দেব ঋণ-শিবেনা। লমন্ অসি শী'দোক্লমত্রবদী, জঁবহু শ'ঙ্গ থাদোক্তে অন্তকান্দা যমগী যাতনা ক গনী? পুৎকৌবা মরকপু লাঙ্গোকপা ঙমলোই। মী ওইবা পোক্লধদি ১ অহানবদা মী'হ তমগনী ২। অনি-তবদা ম১ অমসুং লম্বামগনী ৩ অকমলবকপদা বৈরাগ্য ঙচ্চুনা কৃষ্ণ ভক্তিতানগমি। এমু অসিনা গৃহীধর্মদা লৈবগা নচা পোক্লমগা। মাতৃ ঋণ শিংদাক্লগা, বৈরাগ্য ওইযু অদু ঙইরবগী ইচাগী মজোল ওইগনী। শ্রীকৃষ্ণগী চরন কর্ন। ব্যাস পিতাগী পাও শক অসী তাবরবদা লক-লেবনা হায়দ্রকহ গৃহি বিষয় হাববসি মায়াগী কল্পব য়োংতিলংনা প্রীতি, ভিবম থদংশা ঙম্ব ব ই ইশান্ন মায়ানা পুল্লী, মাহু নচানা থ'ই জ'ভভী মায়াগী মথ'পাঃ, মাহুও ঐনা উই। মপোক করাগী থবকদু ঐন' থ'জৈ। ইপাগী মকমদা নচান লিঙ্গবক্ক ঐ অসি মপোকয়াগী মথক, শ'র্গগী তুগ ক'লশী। গন্ধর্ব, কিন্নর, অপসরা, কল্লানা সেবা তৌহুনা। দংভাইনা শাইগুৱা সর্বদা লৈবম্মী। অহুদগী হদ্ভবকুনা শা-উচেক ভিন কাংগী মপোকথারক ক'হনা নাবকী ভুগ চান্নে' কা কিন্ন-বদি পোক্ল শিব হজৎ হন্দা ক'লিব, পাপযোনী অসিংনী। হন্দকী থনেবা মপোক্ত অনাবনা লেশগী বিজপুরক কৌদা খুঙ্গ'দা, ব্যাধগী ভাংতা পোক্লম্মী, ঐন শ-উচেক কয়া হা'ভুন, হি'-শাগী থবক্লা ইথৌ ওইরগা, ভার্য্য পুত্র য়োক্লম্মী। নো'মদি চন্দ্রাবতী কৌমী তির্থ া, নো'চুপ থ'বা চন্দ্রশেখর কৌবা বোক', শক্তি তানবা চৎলুই। বন অহুংগী ম'গী মগু দ খোংনাংবোট অমগী ম থাংদা, গুণ চেল্লব' মুনি অমন'? শিষ্য মরামদ তাকপী ভইদ্রন লৈবম্মী অদু উন্দা

* ঢিকা। থবক্লা পুক্তি' চব অকিবা লৈভব, ব'যবা. মশাবা, থাব কনব যাগ থৎনদব আবা সাধন শৌবা মাশিন জ্ঞান সন্যাসি লক্ষন কৌই। ঋষি'ব গশাব ন হদবা ভিবযু য়োক্লদবা লৌনি'ব লৈভবা, ইন্দ্রি খুদুম চনবা বদ অভ্যাস ভেবা মুমুক্ষু ত'নবা মাসিনা বেদ সন্যাসি লক্ষণ কৌই

ব্রাহ্মণ বৈষ্ণপু দুন তৌবা, জীব খুদি'বু আয়াপা মাইরে নি'বা যজ্ঞ যাগদা পুকনিং চংবা পর' ব্রহ্মদা পুমকংকংপা? মসি কর্ম সন্যাসি লক্ষন কৌই।

মূল। বৈষ্ণবাদি ঈশা নাস্তি নৈরাশ বৈকুণ্ঠ স্থিতি। বৈদিকাদি ক্রিয়া দিনা: বিকার তেস্যঃ লক্ষনম বাক্ত কার্য্যাঃ পরিক্ষ জ বাগা মুগ হবেশদম্। বাধা কৃষ্ণভজে এবিভাং য়াকর তস: লক্ষনম॥ হায়বিব লক্ষন অহুম অসিদা লৈবা অংবু বৈরাগ্য। সন্যাস কৌই জ্ঞান সন্যাসীনা সর্গ ক'ই, বেদসন্যাসীন প্রেয়াব ক'ই, কর্ম সন্যাসীনা বৈকুণ্ঠ ক'ই, বৈরাগ্য সন্যাসীনা গোলুক ক'ই। অনুযনা হরি ভক্তি বিলাসদ হায়রি॥

ঐনা কমথুনা পুক্লিং চংবা তারুরে, হিংসা, অহিংসা, ধর্ম্ম, অধর্ম্ম, জিবতত্ত্ব, আত্মা, ভক্ত, ঈশ্বর তত্ত্ব, ভক্তি তত্ত্ব। * অমসুং জ্ঞান সন্যাস, বেদ, কর্ম্ম সন্যাস, অমসুং গৃহস্থ, বানপ্রস্থ, ব্রহ্মচার্য্য, ভিক্ষু অশ্রমশিং অসিবু গুরুনা শিষ্যাশিংদা তম্বী। পাওতাকশিং অমুবু ঐনা লোইনা তাজবা কত্তবুবা সাধু মহাত্মাগী পাওতাক অমুগী গুনন; ঐনা তৌখিবা জিব হিংসা করা অহ খল্লুবদা। ইত্তাৎ-তা কিরকুলহনা ইখুত্তগী খুংগাই থাদোকলে? ইডকা কিরেংতুনা মুনিগী, চরন্দা দণ্ডব তাহুনা ওন-থোইনা কপচরে। ঐগী ইত্তৌ উবদা মুনিনা হংবিবাক্ল, ব্যাধ নংমা ঐবু খুরুমহুনা কপলিবা করি অরাবা ভাবা লৈরুবগে হাযবু। মুনিগী পৌজান বাংই তারবদা ঐনা হায়রে? ব্যাধ ঐনা জাতিগী ধর্ম্মমি হায়রুনা। জিব হীংসা তৌতুন হিংজিবা পুনসি অদী। তমি মুনিনা শিষ্যাশিং অদিদা তাকপীখম্বীবা, পাওতাক অহ ঐনা তাজবদগী? খল্লুবদা ঐনা তৌরকপা পাপ থৈখিকনা মরম ওইদুনা যমগী নরকগী লাম্থোকপা ভমাংল ইদৌবে। মরম অসিনা পাপ কর্ম্মসি থারগে। তোল্লবা ননাইবু নাম *মহামন্ত্র দিক্ষা পিনবিযু? গুরুনা থোংগানবীডুনা পাপ সমগ্রদগী অমুক্তা লাম্থাকপীযু। ঐগী অরাবত উবদা মুনিনা, নাম মহামন্ত্র দিক্ষা পীবিবে? গুরু কৃপা ফংলবদা শংসার থাবে, লোৱবে হরিগী নাম, *ভগবানবু ভিংজবে ভিক্ষানা পুনসি লেপ্পরে। হনকী মপোক প্রাসনা ফংজবাব ব্রাহ্মণগী মপাক গুরুকৃপানা মরম ওইদুনা গর্ভদগী নির্ব্বান ওইনা লাক-চরবনী। *সত্ত জায়া নচাগী মতম খুদিং খশোইদা গানবীদুনা তৌগদবা তৌবোইদবা থবক অসিন বেদগী ধর্ম্মনি হায়রবা সংসারগী অফবা ফত্তবা উরবা নচানা অমুক করি হায়জখিগথা। ইপাত্র মাগাদ লৈবনি, জগৎকী মীত্র লাইস্ত্র মায়াগী মথা পোনবা ভাক্রি। ঐনা কিজবগী মাযাবুনী। মরম অসিন ঐদি গৃহি ধর্ম্ম লৌজবরোই ইপান মংশিবিদুনা হমাবুম থামজিনবীযু? নচাদি বৈরাগ্য ওইদুন শ্রীরাধা কৃষ্ণগী চরনবু নিংজখবগে। শ্রীগুরুকৃপানা শংসার মাগা অসি লংথাকচখবগে। সৌতিনা হায়রৈ মীওইবনা মতাং অসিবু তাজবদা মাযা নদৌবু লাম্থাকতুন লেপনা হরিধাম ফংই ইতি।

হরিবোল হরিবোল হরিবোল।

---

* মূল। অসির্ব্বাদ মন্ত্রদিক্ষ: পাপ্ত শ্রীগুরু প্রসাদাশ্মিন্। পুত্রদাবা দিকং গেহং ব্যাধক্ত ত্যজিতং মায়া॥ উপনিষদ ৭০তবা শ্লোকতা হায়রি।

* মূল তথা হ ৪১ শ্লোক। ভিক্ষা শীন মায়া ভুত্বা গুরু বাগ্যা মুপা লিতা তেনে শংকম না তাতো বিমুক্তোহং ভবাণবাৎ)॥ অমুগা হায়রি উপনিষদনা।

* মূল তথাহি ৪১ শ্লোক॥ তে ন পুনা প্রভাবন দ্বিজবং বিদগ্ধসহ্ন। ব্রহ্ম জ্ঞান ময় লক্ষং কিংকরোমি মহাগুরে) উপনিষদনা হায়রি।

অধ্যায়

রম্ভা শুকদেব সম্বাদ কৌবা

ৱারীগী মতাং অমা ॥

শৌনকচিংবা মুণি মরাম্না সৌতিদা হায়জরকই "হে উগ্রশ্রবা সৌতি। নহাকনা হায়দোকপা ৱারৈশিং, পুরাণগী কথা অসি অমুত্তগা মান্নব। মচা শুকদেবগী ৱাহারণ্বা অমা তাক্লগা ব্যাস দেব মথা কয়দোরকইবগে হায়। সৌতিন হায়রে, তাবিয়ু মুনি সত পুকচেল অম্‌ম্না থওচবনা মচাবু মাপ্না হাপচিল্লুনা কাজিল্লগা। পম্বা যানবা উপায় য়েংলগ থল্লুনা, মচাবু থনমলগা ইন্দ্রলক্তা চংখ্রে ইন্দ্রদেবদগী হায়জত্তুনা রম্ভা ভগোযশ্রাবী পোবকুন শুকদেবগী মফমদা থাজিনখ্রে চংখিহনবা বস্তা মখুৎ ২ লোমরগা শুমহংনবা মিংন্নগা লোয়নন। যোমান নোকতুনা কোকিলগী খরগু যেগরবা লানফম নোল্লা থুম্‌লবা ৱাহাবনা হায়রকই। শুন চেত্রব হে শুকদেব ৱাহাবনা ঐবু অমুক্তা য়েংবীয়ু? স্বর্গগী রম্ভানী ঐবু ইন্দ্রনা থাবকুনা, ব্রাহ্মণগী মভমদা লাকচবনী। ব্রাহ্মণ নহাক অসি নিপাগী মংপাক-তগী অথাইবনী; অধুবু নিপাগা মংপাক অদু মগী যানগদবনা চংশিন্দোন্দ হায়ব অদুনা ব্রহ্মাবু মহৈ য়াঙ্গনিংহনা লাকচবনী। নিপা ওইবগী ফওনব্রা মংপাক অসিনী? শুনডাইব পুন্সি মাং-হনগদসি, রম্ভা ঐনা কজবরা ব্রহ্মা নহাক্কী, সেবা তেজগ। মংবান ৩ অসিগী মগুংদা যৌবি-বিনিংবা মকম খুজিং শুডাইনা কোববায়? এন মংকুপ ২৩দ শাগন থুনবা পুন্সি। সর্গ মর্ত্ত পাতাল মরোল অহুম" অসিনা নৈনিংব মকমদ লৈবাক্লন? শুডাইনা পুন্সি লনবিয়ু। 'অমস্তং ৱাহায় থরা হায়জগে রূপী হায়ব অসি নপাগা পোথফমনি? পোথাফম লৈত্রবা নিপাগী পুন্সি অবেম্বনি। রূপী হায়বা অসিন জগংকা মঙ্গলগী মশক্তি এংবাল অহুমনী লাক্কা, নাম লোন বদা। লক্ষ্মী নরায়ন, সীতারাম; গৌরী শঙ্কর, শ্রীরাধা কৃষ্ণ অমুন্না রূপীগী মিনা মাং থাহনা লোম্ন-বনি। রূপীগী সত্ত্ব ধর্মন; মপুংথোইবগা অবক্ত্রীতনা স্বরূপ চমই? রূপীগ সত্ত্ব ধর্মগা শুপন। পাইবৈপাকপু জয় তৌই। অদুগ সিদ্ধান্তবু যদা সেতাগা শুপন। শওথবুব অমুংবা, পাইথবক জয় তৌখিবা অহুনী। জগংকী বোস খৈবক্তগী, সৃজাব রাসনা অংগাইবগা, মনিগী শুদ্ধিকত্তু শ্রীমদ্ভাগবতনা তাক্লি "গোপাশিংনা শ্রীকৃষ্ণদা আন্নংগা লোয়ননা মথা পুমকং কংখোকই? মরম অদুনা মহারাসদা এক-গোপী এক-শ্যাম অমুন ভগবতনা তাক্লি। অমসুং সে ক্রিয়া রোমদ-দগী পরক্রিয়া রোসনা হেথী, কৃষ্ণবু কংগে হায়রবদি শৃঙ্গার রোসদ চতুনা নিংবদা। লোইননা কৃষ্ণবু কংগনী শান্ত, দাস্য, সখ্য, বাৎসল্য, মধুর, মদু অসি? কৃষ্ণ কংনবা ভক্তিগী রোস অথোই-বনী, মদু অসিগী মগুংদগীসু মধুর রোসনা অথোইবনী, অমুম্না ভক্তশিংনা লোনরী। মরম অসীনা

ব্যাস মুনিগী মচানাইবুদো শুক মতোনা ঐবা অমুম সুহাবগে. * মদুদা রোসনু লোসিনবগী মীশা অহুগী মপোক অম খরবনি। লাইরিক লাইরিক হৈরবা, শুন চেমবা ওইহনখ্রে কাংদরে। কজরবা শুক মহাররা কজরবা মস্তা ঐহাকপু, গুরগা, রোম অম্বাদম তৌবিয়ু ব্রহ্ম ইন্দ্র শিবনচিংবা লাই-শৈবিক্রা, শৌনকাচিংবা মুনশিং মসা, বতা রোসনু লেনার। মতংরোমদা হৈ শিংলবা বস্তানা, হুকচাগী অমম্ব থৈবিকপু উত্তনা। শুকদেবগী পুক্কি শুমকংকে হারবগী। হৈশিংলবা রাওংবা থৈবিক্রা, মরম ওইহন হাররমকহ কেনক্রা হ ই পোত শুকন কমদোরকই, সোভিন হাররকই এহ-মুনি সভা। বতা বিদ্যাদা চেশিংলবা রঞ্জা হ রাহ রাও। কয়া তারবা। মানা মুমহংনব উং-লিবা এক ভক্তি উবগা। মাতক চ ওবা শুকদেবনা হাররকই। চেনস্তা শঙ লাঙা কজরবী, রোস থংনবা ন না ঐগী পুক্কি শুমহংলগে, হাররগা মতৌ নংমা উংলে। ঐদি নঙী লকপগী উব-দা অকিব পাংক্র? ঐনা 'কজরবা মাস অচ্চাগী মমাদা, মুগী নংখোংনি, ওইরমগদ। শং-সারগী লাইগী লৌমু ক্লব খুদিংমক, এবানা পুত্র নাংহোকপা বংলোই। এন থংই শুগী নখোই অসিনা লাং থাকপা হৈরবা বাবগী নশক্র। লাদ থুনবা লাওয়া লগৎনী, ঐগাকি নহাক্কী লাঙী কোঙ্গায়দ। ইডক হুকচিংনা কমদোনা থুহলসিব। বাডাংবাত কজরবী নংন হৈশিংবা মতৌ উংতুনা। কৃষ্ণবর মধুর বসবু গুরৈনন হাররি। মাচী মন্ম অম ঐনা নতোন্দা অমুক হন্ন ভাকনিংনি? থুপলবা রাসগী রসবু নংনা, কাম লিলানি হায়না মারাগী মঙদা। ভানা হাররিবঞ্চ চুনদে। গোপী—কৃষ্ণনা শংমবা রাসদা মারাগী রাংমদা শানব লালান? ভগবান্দী মাব নং কামনা পৌগনবা ভমান। পাপনা সভ বজ, ভমগী বা মদ লৈ? মার. শুন মাওদে ত্রিশুনা তিও পইববদ। মহারাসদ গোপীনা শ্রীকৃষ্ণবু খোগল্লি। মাচগী থুদমদা, গোপীন মম, মপ, মপুবে চগা মচ মুংশিব মাবা মা যেক্লিবু হদংলা। এচংনবীশিংন লাসদ কৃষ্ণবু খোনিবন। মসিবু মাংনা চমনদে গোপীশিংন চনই। অদু য়াশংবা গোপামকন বাসদ না ন য়াওকচন মথাদই নপন ডবদ? শ্রীকৃষ্ণনা রাস মণ্ডলদা মাংকখিবরি। কৃষ্ণগী চেংলক ত্রবদ খোগনভনা এনা, বন থুদি কোংচন রান বিশ কথি কৃষ্ণবু উত্রবদ গোপীশিংন মবান থংকতুনা অবানব রাখল খঙ্গোরগা চুপ থিংলী। "বৃন্দ নিজবা" কৃষ্ণ লিলা মতৌ তঙহনা লানবা। মাগী নাম শেপ্তবা কৃষ্ণ শঙব, ন না অয়াম রাহন থরগিদ্রে। কৃষ্ণবু নওনা অতাপ্প পেংশক অনবুদু উনি খিদ্রে অচ্চা মাবাদগী গাহোকতুনা, পুক্কি হকচা অঙা কৃষ্ণগী চবন্সা পুমকৎ কংথোকখী। গোপীগণনা শাওনব অপানা পোনিংবা য়েনবা অবাধ খোরাংবা লোভুপ লৌকোয় ভোবা অবাবা চাওথোকপ কেথোকপ অবাবা হুংনাওবা। অকিব

---

* মূল তথাহি | শব্দান্তর মুক্তি নির কৃত্তান্তরং এহান্তর নীতি নিংস্তবান্তবং। মাত্রান্তর যা পুরুষো নং সেবতে বৃথান্তরং তস্য নরসা জিবন। ইতি | অস্থুর উপনিবদন হরি ॥

অচম্বা মীনম্বা সুংশিবা কত্বা মায়াগী মাধনশিং অসী ? থাদোক্লগা আত্মা কখোকহুনা শুদ্ধ প্রেম ওইরবা মতমদা * কায়ূ মাইথিবা পিহুনা রাস মণ্ডলদা শ্রীকৃষ্ণনা কাওবীরকহুনা গোপীশিংগী মায়সবা কৃষ্ণবূ যংঙবী। অসিগুম্বা ব্রজগোপীগী শুদ্ধ প্রেম অসিভবূ মধুর রোস কৌই। অসিবু উদ্ধব বৈষ্ণবনা থংহুনা গোপী ভাবপু লোজবী। অহুবু রম্ভা নংনা ওয়তৈননা ঐঙোন্দা তাক্লি বংলা কত্বা ঐনী অম্বম্না নাপন তৌহুনা উংলিবা অঙ্গগী ভঙ্গী অহুবু ঐনা য়েংবদা কমশিং লাকওয়ব ভিন কয়া বিষ্ঠা মূত্রগা লোয়নবা। দুর্গন্ধ ওইরবা রত্তী ভোগ অহুবু ঐনা লৌকরবদি ? নরক কুণ্ডদা লুপ্প তারি। মরম অসিবু থংলবা পণ্ডিতশিংনা ; মতম থৈবিক্লা শংসার থাম্বা হোংমরিবনি অহুবু জীবনা মায়াগী যোঙ্গিলংনা পুল্লিবা অসি নাম্বোকপা ডয়দে। মুপা হাবা অসী কুহক মায়া গুমক শোংশকনী। অসীবু ঐনা পুক্লি চংলুরবদ নগাগী শককমস্ত মাংথিগনি লাইথুং কয়াস্ত লাকনী, অহনগী শককমত্ত ওইবকনী, পুনসিস্থ লোইথিনী। ইচা ইত্ত যোক্লব হোংনবীত্তেদ। অক্তি তালহৌদহুনা শ্রীকৃষ্ণ কংবস্থ ডমলরোই। আত্মাগীস্থ অমাংবনী শিবগা যমনী থাংনাস্থ লেপ্প কংলগনী। হে রম্ভা লাইবক থবী ন না, ঐবু মুংশিবিরবদী ? শুক ঐস শংসারদগী পাংথোকপা ডমজনবা থৌজান পীবিরম্ম্। শ্রীশুকদেবগী মাংমা শক্কবা মতম ? সকগা ওইবা শক্তি উবদা * রম্ভা অপোইশাবী। শুকগী মাংদা সৈবা হুমহুহনা। মাইথিবা ফংবদগী ইন্দ্রলোকা শনখরে। মতাং অসীবু মীওইবনা পুক্লিং চংনা তাজরবদী ? অন্তগী কান্দা ভবার্ণবু লাইনা লাংথাক্নমা। হরিধাম কংগনী। শ্রীব্যাসদেবগী মাধংনী ব্যাসবানদি বেদ বান্নীগা মংনরবদি ইতি ॥ শ্রীগোবিন্দগী চরন পদ্মবূ থুকমজহনা শ্রীগোকুল সিংহ কথাবাচক পণ্ডিতনা লেংনিরম্বা লানা শৈরেংনি শাম্বা সবক শ্রীহরি দাস সিংহনা ওবাগী সেবা কচ্চবনী। ইতি হরিবোল হরিবোল হরিবোল

---

* মূলদা। অঙ্গা মাবিয়ু সৌরী শ্যামমান মুখাম্বুজ। পিতাম্বর ধরস্রগবী সাক্ষাৎ মন্মথ মন্মথঃ/ অমুম্না শ্রীমদ্ভাগবতনা হায়'র')।

* মূলদা।(অমেধ্য শর্তে কৃমিজাল সঙ্কুলে সভাব দুর্গন্ধি বিনিন্দি তান্তবে। কলেবরে মূত্র পুরীষ ভাবিতে রমন্তি মূঢা বিরমন্তি পণ্ডিতাঃ)। উপনিষ বাক্য।

* মূলদা। শুকস্য বচনং শ্রুত্বা নিষ্ঠুর চাতি নিস্পৃহং। শাপ লজ্জা পরা রম্ভা প্রযযৌ শক্র সন্নিধৌ। উপনিষদকি চৎস্নবা শ্লোকতা অমুম্না হায়রি।

অধ্যায়

জনক ঋষি শুক সম্বাদ কৌবা

বারা মতাং

নৈমিসা কোৎবা বনগী মনুংদা শাবাপ তাবিবা, শৌনকনচিংবা মুনি ময়াম্না সৌতি য়েংহুনা হায়রকই। ব্যাসগী খোজাল্লগী সর্ব্ব সাস্ত্রী পরমকপু থংলবা হে সৌতি নহাক্না জিরকপা ইতিহাস অসিবু তাজবদা। ঐখোইগী ল্যাইবক ওবনি হায়না নিংজরে। নংনা চানবীহুনা চিথদনা তিবীয়ু। বস্তা মায়থিশ্রবদা, শুকদেবনা কমদাবকটবগে। সৌতিনা হায়রি তাবিয়ু ব্রহ্ম সত্তা ব্যাস মংগনিনা বস্তা হনখ্রবা মতুংদা মচা শুকদেবগী মফমদা নিংথিবা হায়না অমুক হায়বকই হে শুক ঐনা নত্তি মঙ্গাল ওইনবা মীওইবা হৌবাক ফংলবদা তৌগদবা ধর্ম্ম হায়রগ? ইপাগী রা অসীবু নংনা হয় তাও। মীওইনা পোকপবদা গৃহী ধর্ম্মদা লৈরগা, ইচা থারা কৈনাপ পোক্লগা পিতৃ মাতৃগী লমম শিঙ্গনী। মীওইবনা ইচা পাপ পাঙ্গমত্রবদী? যমগী পুং কোৎবা নরকগী নাপ্লোকপা থাদে। লাই নিংতবনসু পুন্য কযা তান্দুনা সর্গ ফংগবসু। সর্গগী ভুগ ফংহুনা মুংঙাইনা লৈবা য়াগাই। নরকশা লৈবদা মায়না লাগনি। মীওইবনা তৌগদবা ধর্ম্ম শাস্ত্রনা তাকলিবা নিয়ম তাকুনা নীংইবনা খুঙ্গী ধম্ম লৌবগা মাতৃ পিতৃ দেব ঋন শিংদোককনী। সংসার কয়া পাংখাক্লগনি। অচগা সাধু সঙ্গ তৌগনা শুক কৃপা তাগ্রগ বৈরাগ্য ওইদুনা ভগবানবু নিংজখ্রবদী। পাপ যনী লাপ্তোকখীবা যাগান। হায়বিবা শাস্ত্রন পিবিবা মিযমশিং অসি। পাংথোকলমদনা যোগী সন্যাসী বৈরাগী নাপী ওইদুনা ফনা কয়া ভগবানবু নিংহুনসু অপোক অসী নংলিবা সংসারদগী লানথোকখীব য়াগেই, ইপানা হায়বিবা অসিবু ইংনা খাঙ্গদ্রবসু হৌজিকমক মিথিলা কোৎবা শাবাক্রা॥ জনক কোৎবা নিংথৌ অমা রাজ্যতুগ চাহুনা পাম্লি। নিংথৌ অসী শ্রীকৃষ্ণ ভক্তি তত্ত পুন্নমক থংলব। জীবন মুক্ত ওইরবা। অখোইবা মীনি। রাজর্ষি জনককী মফমদা চত্নুনা হ লুরবদী অচুম্বা লম্বা খংগনী। মীওইবনা চৎকদবা লম্বাদি বেদ শাস্ত্র খৈবিকপু অমম বেতিরেক তৌরগ।। সাধুশিংনা নেপ্তুনা লৌনরবা অসিনা। শ্রীকৃষ্ণ ফংনবা অচুম্বা লম্বীনি। বেদ শাস্ত্র ফন তৈহুনসু, সাধু সঙ্গ তৌহুনা যাম্না নৈনরবা সাধু মহাত্মা শিঙ্গী পাওতাক, লৌশ্রিবা মী মহাক অং কৃষ্ণ ফংনবা ভক্তগা অচুম্বা লম্বা থংহনবনা। হায়রবা শুক নংনা থংউ। মরম অসিনা ভাগবত ভক্ত উত্তোম ওইববা রাজর্ষি জনককি মফমদা হুন্দ্-রবদা থঙ্গনী, শুক নংন, অদুক্তং চত্তুনা হুন্দুগো। মীওইবন চংকদবা, চৎলোইদবা, ধর্ম্ম অমসুং শ্রীকৃষ্ণ ফংনবা ভক্তিগী তত্ত, পুন্নমক খংলগা অনুক হল্লকখো। হপা ইচা অনুক উনাথদি

অসি হায়রগা ব্যাসনা, মচা শুকবু বিদায় তৌরক্লে। সৌত্তিনা হায়রে ভাবিরু মুনিসভা। ব্যাস পিতাগী বাক্য ফংলবদা, গুরুভক্তি তৌরমলগা শুক থুনা মাংনা চৎথিরুনা। মিথিলা লৈপাক রোথরে ? জনক নিংথৌগী হোজঙদা থুডবে। শুকনা দ্বারীদা হায়বকই, দ্বারা নথোয়রনা নিং- থৌগী মাথং অমুক্তং লৌরীক। ঐ নিংথৌবু অমুক্তং উনজগে।

দ্বারীনা হংলকই কদাইদগী লাকপীবনো ? মরম করিগী উনবিগদৌরিবনো। শুকনা হায়- রকই ঐবেদ ব্যাসগী মচানি, বদরিকা শ্রমদা পোকপনী, জনক নিংথৌগ তত্ত খবদং ডাংনজনিং- ঙনা লাকচবনী। দ্বারীশিংনা নিংথৌগী মাথং লৌকবগা শুকবু বেব্যহারগা লোযননা, সভাদা পুশিনথরে। শুকদেবনা রাজ সভা দগুবতনা খুরুমজী ? শুকগী গুণ উবদা জনক নিংথৌনা। আ- সনদগী হৌগৎতুন, দগুবতনা ওকথী আশন থায়, মতক চানা সেব। পাংথনা, শুকদেবশু পেন- হয়ী জনক নিংথৌন হায়বকহ, ঐগী পভাদা ব্রাহ্মন মচানা, যৌবিরকপা কবি দান কচ্চৌগ, হায়নিংবা অপাম্বা, কবি লৈবংগ হাইবিধু। জনক ঋষিগী মফমদা শুকনা হায়রকই ? ভাবিযু মহারাজ, ঐবু পোকপাবা শুকদেব ব্যাসন। গৃহী ধর্ম্মদা লৈয় হায়না তাকপীবা ? ঐনা পামজ- ববদি বৈরাগ ওইহনা, শ্রীহরিবু নিংবন পুন্সি লেপ্লব অপানী। জগতকা গৃহী বিসয়গী ভোগ অসিবু যমগী নরকী মশক ওইনা উরী। ময অসিনা পুদুন শ্রীকৃষ্ণ ফংগ মমলবাই। বৈরাগ ওই- হনা কৃষ্ণবু নিজগ্রগে, বিদায় পিনবায়ু নিঙ্গবন, শুকদেবন তাকপাবি। শংশাকি ওইহনা বৈষ্ণব ধর্ম চৎলগা, ঋনশিং লয়রবদা, বৈরাগবু ওইরগে, অমমাংগ শাবস নাংগাক পা সারোই মসিবু থাগত্রবদা, মীওইবনা তৌগদব খবক তনাগদবা পুনা, কৃষ্ণ ফংনবগী ভক্তি তত্ত, পুম্নমক্কী অচুম্বা লম্বী খংলবা। মিথিলা লৈবাকী জনক নিংথৌদা, জিবন মুক্ত ওইরবনি। জনক ঋষিগী মফমদা হংজকবগা অচুম্বা তত্ত্ব মমক খঙ্গনি। অসুম্ন তাবনবকই হপাগা মাথং মক্ত ইপুনা মহা- রাজাগী সভাদা, বোজরকপনী ? সাধু মহাত্মা ওইরবা মহারাজনা। চানবীরনা ঐনা কিজবিবা সংসারগী মায়া অসি ? নাথোক্লনা, শ্রীহরগী চানবু ফংবব, লম্বী তাকপায়। অমম্বং ঐনা হংজনিংই, শ্রীহরিগী ভক্ত তত্ত খংগা, ভক্ত বাজনি মহাগাজ এনা চিংনবাবা অমন। বিষয়- দা লৈহনা রাজ্য ভুগ চাহিব। বাসন তৌবগা হিংসা কযা মাওবি, যেক্রববু খুমে চনবা হোংনবি. অচুম অবান বিচাব তৌরনা মাধুম্ন দণ্ডী পীরি। মগ ভা কমাগ্ন শিংগরি, গৃহীগী ভোগম্ন লৌবী, মনম্বা ওইদবা, অবানবা, অপাম্বা, লৌনিবা, শাওনিংবা, মাহথিবং মাওবি। ঈমা ইপা ইচা, চে, শাগৈ, ভাই মরূপ মপাং মামা সম্বন্ধগা করব মাংঙ্গিংনা, পুন্দুনা লৈরবা মীনা জিবন মুক্ত ওই হায়রব। অমম্বং মীওইবনা ময়াবু নাম্বোঙমা। ঈশ্বর ফংগনি হায়রব, অসিবুগ ঐ- নাই মায়া চিংনৈ। মরম অসিনা ঐগী চিংনবা কোরুবা, মহারাজনা শুগাইনা তাকপীবু ? শ্রীকৃষ্ণ ফংনবা ভক্তি তত্ত, মীওইবনা চংকদবা অচুম্বা লম্বী, খঙ্গনিংবদগী সাধু মহাত্মাগী, পাগতাক লৌ জগে হায়দুনা লাকচবনি। শ্রীশুকদেবগী বাহায় অসিবু তাবদা, জনক ঋষিনা ফজবা বাহৈনা হায়-

রকই ! ব্যাসগী মচাইনুবো হে শুকদেব কথিনু খংজরবা জনক এপী সভাদ, লাকপীবা অসিগী দমক, অতিথী ব্রাহ্মণ অমগী সেবা দান তৌজবা ওইনা ব্রাহ্মণনা চিংনরিবা বাকমশিং অদুগী মরমদা। খংজবা থরদ শঙকপ ওহনা হায়জরকে ? পুক্রি চংন তাবে । মীওইবগী পুক্রিদা তৌদবা য়াগ্রবা সংস্কার ৮ থক লৈ ? সংস্কার অদুগা মথমদি ১। শাস্ত্র ভবা ২ দিক্ষ কংবা ৩। দুংগাংবা ৪। লনতানবা ৫। ম১ পোকপা ৬। দেশ সেবা তৌবা ৭। ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব অতিথি ইষ্টদেব সেবা তৌবা ৮। দান পীবা কংথাকপা ? হায়রিবা নিপাল অসিনি। লাইবিক ভবনা জ্ঞানবু থানগদবনী, দিক্ষা কবম ভগবানবু খংননবনা যুম পানবা দুংহাবনা জিববু শংনহৎ তুনা য়াহল্লিব মাথা কাম্বু শেদো বনি লম্বানবনা শুদ্ধ কৃষ্ণ বৈষ্ণব দেব, জিববু য়োক্রবনী মচা পোকপনা পিতৃলকক ঋনশিনবনী। দেশ ভক্ত ওইবনা মাতৃভূমীগী ঋন শিদোকপনি। দান তাবা কক্কোকপনা, এগী কংরম য়াও৮ হংব মাগী মবন্নি। হবি মান পবমাত্মা ওইছুনা লৈ জিনবুনবু পেহনবদি হরি মানা পেল্লি মম্নম হবি মাচোন্দ পুক্রি লেপ্পা তমবন। সেব তৌবন তৌবনা জিব থুদিংবু দুংশিব অনানবা ভক্তি ওবনি হ শুকদেব সর্বদুম্ব পার্ষদব নরকপুম্বু কিরনবা। অরাব মংতাইব, কনাংবা অকিবা থল্লুবব। জগৎসে মায়াগী মিংয়ে ওহনম্বু বে ছত্তুদবা॥ জিব থুদিংমক্ত চংভনা পবাত্মা ভগবান লৈবনী। মভম থুদিদা অমচং মকম থুদিং হরি মাবু ? সত্যাম্ন মবম ওইচম উৎ দবনী। অসিবু প্রহ্লাদন উধা অমমু ধ্রুবা নন্দ ভক্তশিংনা কংজমজ্বব। হবি মাসী কৃ। কংথা। অসিগুবা ভক্তিগী তত্ত্ব জ্ঞানদা ভাল্লবা পী মশাক অদো জিবনমুক্ত ওইববা মীনি। শুকদেব মভোদা অমম হায়গে ? মচ ওববু মবা মপান কহল্লিংবা মবগ্না ' পুনসি চুপ্প মচাীগমক পাবনী মসীবু মচা ওইবনদা মংা এপাগী সেবা তৌনিংদে প্রেম হায। অসা তথবী ঈংচন ওবনী ! তীর্থগী তৌরককম মরু ভক্তৎ অচ লৈতবব; তীর্থগী স্নাশ হংচন অচ লৈবমালাহনবম মরম অসিনা মচাগী শুবদি মম মপানা অথোকপ শুকনি ? শুকরূপ লেত্রবনী হরি শাবু কব য়াবোহ। হায়ব কসি ভগবান পাগী য়াথনি। হে ব্রাহ্মণ মচা নংাকপু পোকপ শ্রীবাস মুনি অসি। ত্রিভুবনগী লোক অসিন। বেদগী অচুম অর্থ খংত্রবদী, জিবনা ত্রৈ মু হুভংবাই হায়চন। হরি মাসী শক্তিনা পরাশর মুনিগী মচা ওইনা। সত্যবতীগী গর্ভদা পোকলপীব। দ্বৈপায়ন বাসদেব অসি শক্ত্যাবেশ ওহন। সত্যবতীগী গর্ভদা পোকলগা বেদবু শম ৬ পোক্ল থাপ দাকলগ অম ৬ না অমুক ১৮ থোকনা থাইদোকতুনা * পুরান ১৮ লেংথোক্লব। জীবনা ভবসাগরবু লাম্বোক্লনা শ্রীহরিবু ফংবা ভমনবা উপায় থম্বীরবা। কৃষ্ণ শক্তি অবতার ওইরবা অথোইব। শ্রীবাস মুনিনী মরম

---

* বাখ্যা॥ পুরান ৮ অসি সত্ত্বগুনা চংপা ৬ অমা। রজ গুনদা চংপা ৬ অমা। তম গুনদা চংপা ৬ অমা। মাৎদি মাস্য পুরান, কূর্ম পুরান, লিঙ্গ পুরান, শিব পুরান, স্কন্দ পুরান

অসিনা, হে শুকদেব মহাত্মা কৃষ্ণ কংগে হায়রবদী। গৃহ আশ্রমদা লৈরগা মচা থার কন্যা পোক্লগ থন শিংদোক্লম্নু আত্মাবু সংস্কার তৌথো পরমাত্মাবু মশক খংখো, বৈষ্ণব ধর্ম্মদা লৈদুনা শাস্ত্র মাং নৈনরগা সাধু সঙ্গ তৌগনী। সাধু মহাত্মাশিংগী পাওতাক লৌদুনা। চৎপা অমবু অচুবা লম্বী কৌই। মীওইংনা চংকদবা অচুবা লম্বী হংলগা ইমা ইপাগী বিদাই লৌনা বৈরাগ্য ওইরগা কৃষ্ণবু নিংশিংবদী সংসারগী জন্ম মরন আস্থাকথীদুনা, শ্রীকৃষ্ণ কংবা ডমগনা। সৌতীনা হায়রকই তাবিয়ু হে মুনি সভা। জনক ঋষিগী পাওতাক অসি তাববদা, শুকদেবনা জনক ঋষিগী মফমদা ভকতি তৌদুনা বিদায় লৌরবগা মিথিলা লংকতগী হল্লকই। পরবির আশ্রমদা চৌরকদুনা শ্রীব্যাসদেব পিতাবু ,কমজথি। ইতি হরিবোল হরিবোল হরিবোল ॥

— —

অধ্যায়

শুকদেবনা গৃহাশ্রমদা লৈখিবা বৈরাগ্য ওইবগী

ৱারী মপা°।

সৌনকনা চিংথা মুনি সভানা, অমক সৌতিগী মফমদা হংলকই ? উগ্রসম সৌতি মহাকনা হায়কপ শুকদেবগী ৱারী অসি তাওবদা। মীওইবগী সত্ত জ্ঞান শংনবগী মশক ওইববা। অদুতগা মায়বব কথানি। তাবগী অপেন্না মাংহনবা শুকদেবনা কমদৌরকইনো। মথাগী প্রসঙ্গ শুক লিয়ে।

অগ্নি পুরান, হায়রিব পুরান তকক অসিন শমগুনদা চৎপনি। ব্রহ্মাণ্ড পুরান, ব্রহ্মবৈবর্ত্ত পুরাণ মার্কণ্ড, ভবিষ্যদ পুরাণ, বামন পুরাণ, বায়ুবা পুরাণ, হায়রবব পুরাণ তকক অসিন রজগুনদা চৎপনি। গরুর পুরাণ পদ্ম পুরাণ নারদ পুরান ববাহ পুরান, শ্রীমদ্ভাগবত পুরাণা হায়রবা। অসিনা সত্ত গুনদা চৎপনি। অসংখ্য পুরানশিং অসিবু বেদদগী লৌথোকদুন জগৎনা খংনবা হায়দুন শক্ত্যা বেদ ব্যাসদেবনা লেংখী (অসিবু জনক ঋষিনা শুকবু ব্যাস মপাগী গুণ খংননা হায়খি অমুনমু দেবীভাগবতনা হায়রি) ।

---

* ব্যাখা। শুকদেবনা সপ্তলোক চংখিব অদী, দেব লোক, গন্ধর্ব্বলোক, নরলোক, হৈরবগী ব্রহ্ম লোকা মায়াগী মথা পোক্লে। লোক অদুতে অসিন মায়ান পাকনি, মরম অসি উবদগী শুকদেবনা মায়াগী ইপাক অসি লাংহাক্লগা সত্ত ওবা মকমদা লৈরগা বৈরাগ্য বিদাদা লেপলবা শুকনা ৱাখা কৃষ্ণগী ভকতি প্রেমদ থম্মোইন পুপচদুনা। ভকতি প্রেমগী গুরু, দেব ঋষি নারদগী লৈকম ব্রহ্মলোকতা শুকগী অদগা ওইদুনা বাখা কৃষ্ণবু নিংজদুনা লৈবনি ইতি।

শোভিন্না হায়রকই তাবীবু ব্রহ্মণ মহাত্মাশিং। ব্যাসনা মচা শুকবু কোল্লদুনা হায়রকই? ইবুঙো ইচানা মিথিলা লৈবাক্কী নিংথৌ, জনক ঋষিগী পাওতাক লৌকরবরা। হৌজিক ইচানা কবি অমুক থল্লিবগে, ইপানা হায়বা ইল্লগদরা। ইপাদা হায়বু অমুম্না হায়রকই। ব্যাস পিতাগী যাথং ভারথদা, শুকদেব মচানা হায়জরকই, হে-পিতা নচানা জনক ঋষিগী মফমদগী পাওতাক কন্না কংজরবদগী, গুরু অগা৷ "ভাকচবনা নচাগী মঙ্গল ওইগনি নিংজবে। মরম অসিনা গৃহাশ্রমদা লৈজদুনা, ঈমা ইপাগী সেবা তৌজরগে, "মমুং ঈ-1 ইপা অনি" বিদায় কংজরবা মতমদা? কোন্না বৈরাগ্য ওইজদুনা কৃষ্ণ ভক্তিব তাজরগে ব্যাস শুক মচাগী পুকচেল হোংডকপা অসিদা, মুচাইবগী ঈপাক্কা তাওজবে, ব্রাহ্মণীসু ভুরথ লৈজন হরাওজরে। অসিগী তুংদা বৈথান আশ্রমদা লৈবা, পিতৃন কৌবা ব্রাহ্মনগী মচাদুপী, পৌবরী কৌবা কন্যা হায়দুনা; শুকদেব মচাবু লুহোংলে। ব্যাসগী ঠাকুরনী, মচাগী মমাবু ফংজরবদা। চাইহইজরে। মতৌ অমুম্না শুকদেব গৃহী ধর্ম্মদা লৈদুনা মচা নিপা ৭ অমুপী ১ পোক্লে। মচাশিংগী মমিং ১। কৃষ্ণদেব, ২। গৌরপ্রভু, ৩। ভুরিদেব, দেবশ্রুত, কৌই। মচানুপীগী মমিং কিতিনী কৌই শুকদেব মতম খবিক্না মাতা পিতাগী সেবা লাংজ? মচাশিংসু লুনা চান্না য়াকই, মচা চাওরক্লবদা বিদ্যা আরম্ভা লৈদুনা। বদ শাস্ত্র তম্বীত্তনা চথোকলে। মচানিপা মরিমক মতম চানা চানা লুহোংবিরে, মচা কন্যা অমমগি চাবা বো৷ য়েচনা দান তৌরে মচাগী লমন্ লোইরে। ঋণ পুমক শিংদোকপা লোইরবদা। মাতা পিতাগী, বিদায় নিদুনা লৌজরে। সংসার থাদোকদুনা মচাশিং বিদায় লৌরগা বৈরাগ্য ওইদুনা শ্রীকৃষ্ণগী ভক্তি প্রেমদা পকনিং লেপথরে। অদুদগী যোগ শক্তিনা এঙ্গলকতা চেংথরে শ্রীব্যাসগী মচা শুকদেববু উদবদা।

মচা শুংশিবগী মৈচাকনা য়াথবদগী, মচাগী কৌনা খোংজিন য়াংনা তেংথাদুনা কপই। মুনি মচা হকচংলরাই থল্লবদা — পাবা ওমদদুনা, পৃথিবীদা হাইগরগা মীওইগদবে। অমসুং ব্রাহ্মণী মচাগী শুংশিবা মৈচারা, মচাবু কৌদুনা কপলগা, লৈপাক্ক থাম্বাইচনা লেপথরে। ব্রহ্মণ ব্রাহ্মণ চাবা থকপা থাদোক্লুনা৷ অহিং শুংশিল য়ানা লৈখী অনাগী অরাবসী উবদা? শ্রীভগবান মহাদেব কৈলাসদগী লেংজদুনা, মুনিগী আশ্রমদা থুংজরে। ব্যাস অমসুং শুকী অনিন, মচাগী লৈনা য়াথবগী উবর্দা? গৌরী নাপনা খোজানগী য়াগায়না তাকপীরবই। হে ব্রাহ্মণী ব্রাহ্মণ মখোয় অনি মক হৌগংলু? কবি মরমগী চাদ তকতনা, পৃথিবীদা হে ইনা লৈগরিবনো। নখোইনা অপাম্বা বোর নিজো, ঐনা লাইদনা নখোই অনিগী অপাম্বা পিগনি। সিববু দরশন ফংবদা, করামকম লৈশি লৈখোজদুনা। খুকমজরগা হায়রে হে-দেব দেব, ইচা শুকদেবন। ঐখোইবু হুন্নেকলমগা। ব্রহ্মলক্তা চংথরে? ইচাগী মায়খোম্বু উত্রবদ। হিংদুনা লৈবা মতংগনি নিংদরে। প্রভুনা ইচাবু উহনবিয়ু অসী হায়দুনা বোর নিরকই। অনিগী ভক্তিদা পেল্লদুনা শম্ভু, ব্রাহ্মণী

কৃষ্ণগী, অমাবা কোকপীগে হায়না; খৌগানবীহুনা হায়রকই। শৌনিক ঐনা নচা শুকবু পীগনি? মাংগৎ অসী হায়রহুনা শ্রীনীলকণ্ঠনা ব্রহ্মাণ্ডতা লৈথুবা। শুকদেববু আবাহন তৌরকই। মতম অদুদা ব্রহ্মাণ্ডতগী শুক থুওখী। শুকদেব সদাশিববু খুৎলৈ, অদুগী তুংদা ব্যাস পিতাবু খুরুম্মী, মুনি মচাবু উবদা চেৎনা কোপ্লগা, লাইপক্তা গন্না চুম্না। অদুগী তুংদা শুক; মমাবু খুরুমখি? ব্রাহ্মণী মচাবু কৌশিপুনা পাইশক্ত হন্না হন্না চুপলগা। হিক হিক কপ্পুনা হায়রকই। হে-শুক ইচাদি ঈমাগী থরাইদগী, চেন্না লুনা নিংজবা ইচানা। মরম অসিনা নত্তি নপকপু উত্রবদা? ঈমাদি থরাই তেক থাগদৌগ? ম'নমা নপ {ত'পাক্কু}। চংথিবা, ঐখোবা শিবা, শোইরোই ইচাদা শোইদনা মমা, মপা, হাৎপগী পাপ্পু ফংলগনি? শুক মংনা ঐখাইবু থাদোকনু। অদো হায়রহুনা ব্রাহ্মণী মচাবু চেৎনা কোন্দুনা লৈখ'ব। মতম অদুদা ভুতনাথনা শুকগী মফমদা হায়খী। হে শুকদেব নংদো নমা নপা অনাবু থক থাদকপু অসি হায়রগা, * শুকদেবগী উৎকচা দগী? অদ্বৈতগী তেনবাগী শক্তি অদু, লৌথোকহুনা পুরাং, সিব সম্ভু কৈলাশদা লেঙথরে। অদুগী তুংদা শুকদেবনা, পিতা মাতগী মফমদা হাযবকই। নচাদি ইমা ইপাবু থক থাদোকচরোই। লৈবদদো ব্রহ্মাণ্ডতা লৈরগে। ঐবু হেক নিংশিংবিবকপগা। ঈমা ইপাগী নাক্তা খুজরগে, না অসি হায়বগা মমা, মপা অনিবু খুরুমলগা। ব্রহ্মাণ্ডতা চংখী। শৌনক্তা হায় সৌতি, শুক চৎখুগ কম্দোরা, সৌতিনা হায়'ই শ্রীব্যাস মুনিন, অমদু বরানা, মত শুক দেববু হেক নিংশিংবগা মতম খুদিংদা, * মমা মপাগী মফমদা থুওখি? মতং অসিদা শ্রীশুকদেবগী, জিবন চরিতকী মারী লোইবে। অসিগুম্বা শুকগী চরিত অসিবু মীওইবন পুকনিং চংনা তাজবদা। মচা মমন ভক্তি ক'ই, অদুগী মতমদ ভব সাগরবু লাইনা লাপ্তোকখিহুনা। হরি ধাম

---

* টিকা — শুকদেবনী অংশদগী তেনবাগী শক্তি লৌথোক্নুন। শিবন কৈলাশদা পুখি। কলিশেষদা কলকি ভগবান অবতার মতমদা পরশুরাম তাক্নুন। কৈলাশদগী তেনবা অসিবু মহাদেবদগী নিরুহুনা। কলকিভগবানা লৌরবগা ম্লেচ্ছাচার মুংথৎনবা হোৎনবদা। মংতং ওইনা কলিক ভগবাননা লোইনখিবা কল্কি পুরানদা মাওথিবা তেনবা অচনি অদুম্না শিবসংহিতানা হায়রি। ইতি শিবসংহিতা বাক্যম্ ॥

* টিকা — মহাদেবনা ব্যাস মুনিগী অমাবা কোকনবগীদমক শায়া শুকদেব ওবা সেমদুনা থকখী অদুনা ব্যাসগা শায়া শুক অসি ইত্তুনা লোইনহুনা লৈ হায়বদু দেবী ভাগবতনা হায়রি। ইতি দেবী ভাগবত বাক্যম ॥

কংই। মাসিবু শ্রীব্যাসদেবনা হায়রমলবা য়াথংনি। লায়না হায়রগা মায়রবা বানি মহাভারত আদি পর্ব্বগী কথা অসী অমৃতগী মশক্তি ইতি শুক চরিত্র সমাপ্ত॥ শ্রীশুকদেব গী জিবন চরিত্র অসিবু তোল্লবা শ্রীহরিদাস সিংহনা ঈমা লোন্দা হল্লবসি ৺শ্রীলাটগ্রাম গোকুল সিংহ কথাবাচক পাণ্ডিতনা লেংবররকপা ওবাগী সেবা লৌশিনবনী। ইতি হরিবোল হরিবোল হরিবোল।

অধ্যায়ঃ

জরৎকারু মুনিগী বারী মতাং অমসুং জরৎকারুনা লুহোংবা

বারী মতাং।

নৈমিষা কৌবা বনদা বারী তাবিবা, শৌনকনাচংবা মুনি ময়াম্না সৌতিগী মফমদা হংলকই সৌতি মহাক্না লিবকপা বারী তাবদা। ঐথায়গী মপোক অসা? মহৈ য়াম্লনি নিংলে। হোৎলক জরৎকারু মুনিগী বারী ঐথোয়না, তাজনিংঙ মথংশিংনা লিবু। সৌতন হায়রৈ তাবিযু মহায়ম্শিং? জটাচবু বংলদা পোকপা জরৎকারু কৌবা মুনি অমা? ব্রহ্মচারিনী। চাবা থকপা থাদোকতুনা, লাইরিংবদা কল্লব, মতাক চাংশব মুননী। মচম অমদ তপ থাদোকপা জগৎকক তর্থ পুন্নমক কোইরকই। নোংমদা বন অমগী মনুংদা অশুম লাকপদা নুববা ঈশি তুদবা শুং অমগী মনুংদা চয়োংক মডা অমা শানা হায়রগনা লৈ শুহাগী মপানদা হোবা চবোং পামবাগী মতানা। মডা অদুদা পিতৃলক ময়াম য়ান্দুনা লৈ। মাহ্হ উনা অংচৌবা অমন চংবাং পামবা অদুগী মরু লেমহু অদুবু। চিকথংলা। থৌদে অসি জরৎকারু মুনিনা লাকপদা উকরে, অদু উবদা জরৎকারুনা লেপ্তুনা হেংলগা। হায়রকই? চবোং মরাদা য়াম্রিবা নংথায় ময়াম তারো মথোইনা যাল্লবা মডা অদুগী পাম্বা লেমহুদা, উনা অংচব অমন চিকথংশি। মতুনা ভংথরক্লবদী নংনায় ময়াম শুহা মনুংদা লাইন তাথরনী। মরম কবিগী নথহন, অরুক রান যান্দুনা লৈরিবনা? অমসুং চিকশিবা উনা অতবু নথোয়না উশিত্রা। তৌরিবা অদুগী মঙ থংদতুনা অসুম হায়রকপ মুনিগী ব অসা তাবদ? য়াম্রিবা পিতৃলকশিংনা হায়রকই। হে-মুনি ঐথোই য়াম্রিবা অসি দগুনী। চিকশিব উনা অসিনা কাল কৌবা লাইনি। ঐথোয়না লাইরিবাক কংলবা পিতৃলকনী। ধর্ম্ম কৌবা পাপ পুন্না য়াম্লিবা লাইনা। ঐথোয়বু নত্তি পোরিবনি। মডা অসিনা ভংথরকপা মতমদা। ঐথোয়না কাথংপ তমলরোইদবা নুরবা শুহা মনুং অসিদ থরাবা তাদুনা লৈগদৌরিবনী। পিতৃলককি রা অসি তাবদা। জরৎকারুনা হায়রকই। ঐস

তপ তৌবদা কাম্বা, জগৎতা থংবমবা মুনিনী। ঐগী লাইনিংবগী পুন্না অম্ব থর থারম্নগে। নখোইগী মরাবা অম্ব কোক্লবা। এ য়েংবা ঙমংবাইতে। মুনিগী বা তাবদা পিতৃলকনা হায়রকই হে মুনি ঐখোয়গী বন্ম, যাগ্য, তপ, জপ, কয়া তৌজরকপগী পুনাম্না মর্গ কংলবনী। অদুবু ঐখোয়গী দগী অসিদা, লাইনিংবগী পুন্যনা কোকপা য়াবা নত্তে। নগাক্লা পুন্না থাদবনা ঐখোয়গী ঙরাব কোকপা য়াম্বাই। য়াহায় অসি তাবদা মুনিনা হংলকই করি তৌবকপা পাপনা অম্সূক কনবা দণ্ডি অসি ফংলিবনো। পিতৃলকনা হায়, ঐখোয় অসী জরৎকার্ব্ব বংশনা পোকপনী। এখোয়গী বংশদা জরৎকারু কৌবা মূর্খ অমা থারা পাকত্তুনা বংশ মুংলে? মশা অদুগী নৈগোয় 'অস্তুক অবাবা দণ্ডী ফংলিবনী। পিতৃলককী বা অসি তাবদা, জরৎকারুনা ভক্তি তৌদুনা হায়জবকই, হে পিতৃলক পুন্নমক তাবিয়ু। জরৎকারু হায়বদে, হোল্লব। ননাই এহাকনী পিতৃলকপু উদ্ধার তৌনবা গৃহী ওইদুনা ইচা থারা পাল্লগে। তৌবদদী ঐ য়ুম ইশেং চঙ্কবেত ওইতুনা। ব্রহ্ম চাবদা লাক্লবনিনা ঐবু থাকপা য়োকপা ঙম্মনা, কন্যা দান পিবববা অদুদা, ভক্ষা লৌবগী মতৌঙমা। ইচা থাবা পাল্লগে। মনা ভিক্ষা নিবগী মতৌঙদা অমমলক লাওগনি অদুদা পোকত্তুনা কলরবা মপী অদু লৌগনী অমসুং ঐগী ইমি মায়নবা লৌগনি, হুমিং মায়রবসু লোয়রোই, অদুম্না জরৎকারুনা হায়রকই। য়াহয় অসি তাবদা। পিতৃলকশি অদু য়াম্না হরাওবদুনা অমুক হায়রকই। হে ইবুঙো জরৎকারু নংনা য়ুম পাল্লু। মচা পোক্লগা বংশবু বক্না তৌ। পিতৃলক উদ্ধার তৌবো। মীওইবনা দান ধর্ম তপ জপ ফনা তৌদ্রবসু। মচাবু পোকত্রবদা কাম্মেদে। পুণ্য কয়া তানবা লাই কয়া নিংবনসু, পিতৃলক উদ্ধার মঃবে, থারা পাল্লগা ঙম্মী। মবম অসিনা য়ুম পাল্লুয়ো, গুণ চেনবা নচা অমা সোইদনা ফংলো, অসুমনা থোরগা পোযনম পিতৃলকশিংবু* হায়রমলগা দণ্ডী পুং লোয়রে জরৎকারুসু পিতৃলক খুকমলগা, থরাবগা লৌইনংনা চৎথরে। নোংমা খোংচত্ বঙগী মতুংদা চৈদুনা যোগ শক্তিনা মরোন অদুম ফাওনা, তানবা লাওরকই। মরোন অদুমগী জীব তাগো ঐ অসি জরৎকারু কৌব মুনিদুনাং ঐগা ইমিং মায়বা কনাগুম্বগী মচা নিংঙোল নৈববদা। পোকত্তুনা ঐতোপ্ন কৎলো। পিতৃলক উদ্ধারগীদমক ঐ য়ুম পাল্লগে। অসিগুম্বা বংহায়দুনা, অদুমলক লাওখি। মুনিনা পাওথুবা য়াহায় অসিবু, নাগলোক্তা বাসুকিনচিংবা শিনশি না তাখী। বাসুকি মচা মলাইশিং পোইনদুনা মচনুপী *জরৎকারীবু

---

* ঢিকা। পিতৃলকশিংনা নোংমাই মুখক মক্তি কতৌবসী থার। লৌহৈমিরা অদুনা কুকবা পিতৃলোকীদমক থার কংইবদনা শিওদান কৎকমদনি অমসুং পিতৃলকা দক্তি কহিজব অসি কুন্নমন্তিকোই।

---

* টিকা। জরৎকারী কৌবী শিনশিতোল অসি, মংগাইওবা মনা কৌরবী। মচা নিপা শিন ৮ পোকই। অদুনা মাবু নাগ মাতা হায়না বংনৈ, মুন মুলকী শাজোম য়ামা ওজুবীবী।

পুন্থনা মুনিগী মকমদা থুজরে। নাগমায়াগী শক্তিনা লাকপনিনা, মীংথৌ অমা অমিগী মচুংদা য়োরকপনি? মু'নবু খুদমজরগা, বাশুকীনা হায়জরকই? হে মুনি ঐগী ঊচে চুপীকসী মমিং জরৎকারী কৌই? মুনিগী চমনা কচবগে? মুনিনা পানিগ্রহ ওইবীয়ু। বাশুকীগী বা তারগা মহামুনিন' হায়রকই, ঐদি ইমুম লৈতে? মচন পীগে হায়রবদী ঐবুসু থাকতুনা পেন্নবা সেবা তৌ। অদুগা নচন অসিনা ঐংোন্দা। বা অমতা হায়রোইদবনী? ইনিং তম্না লৈগনী। মাদা ঐঙোন্দা বেক্ হায়রবদ! ঐনা মাবু থাংদাক্লমগনী? মাসীবু ওমগনি হায়রবদি মচন্নুবু ঐ দান লৌগনী। বাসুকিনা করে মুনিগী নিংবা থুংনবা সেবা তৌজগনী, বা অসৌ হায়রদুনা মচনবু মুনিদ কন্যা দান কংথদ্র। নাগলাক্তা মুনিবু লেংথখীদুনা, সনা সজাইদা মুনিবু লেং শিল্লুনা, মু-ভাইনা সেবা তৌদুনা থমগবে। বাসুকীন মচদা চেকশিন্না শিদৈ? ইবেমা মুনিবু ভক্তিগা লোয়ননা. সেবা চথোয়া তৌগদবনী। মুনিগী ঊরবদগী নংদা নচা অমা পোক্লগা। ঐথোয় লিনগী শাগৈ অসি ঈমাগী শাপুগী হিংগদোরিবনী। অদুগা হায়দুনা লিন পুমনমক তাক তুনা মচনদ? মুনিবুসু? লাইগুমনা মমিং থুরবা সেবা তৌই জরৎকারী ক্লতু মতৌ ওইরকতুনা মুনিনা খতু পালম ভৌগী মুনিগী ঊরশদগী, নাগীনি গর্ভগী লক্ষন ওইথরে। অতগী তুংদা নোংমদি মুনিনা জরৎকারীগী কৈবোমদা মোন থাংলগা তুমথরে? নুংথিলগী পুং হোথিদুনা অমিং তাবা সন্ধ্যা মতম ওইরকলে। জরৎকারী, মুনিগী সন্ধ্যা ভোজন কাইগদবগী থল্লবদা অরাবা ওইরক্লদুন। হৌদোকল্লুবে মুনিনা হৃন্দোকতুনা চংখিগনা হৌদোকত্রে মুনিগী সন্ধ্যা কাইবগী দোষ কগত্রা অসি থম্নিৈদা সন্ধ্যা কৌবা লাইদো। মাদা পুবা পুংলোইরক্লনা অরাং পাংবা চংথিবা অদুবু নাগীনিনা ঊরে। অদুবু ঊবদা মুনিগী ধর্ম্ম তাকপনা চুমগত্রা + থম্মুনা। মুনিবু হৌদোকচরক্লে মুনি বেব লেংখৎপীরো সন্ধ্যা কৌবা লাই মানা পুবা পুং লোইথিদুনা চংথরে। মুনি ভজন কাইথরবদী, ব্রাহ্মণগী ধর্ম্ম মাংলগনি। বাসী হায়দুনা হৌদোকপদা মুনি তুগা কাইদুনা হোৗগৎলক্লে মুনি মমিং অনিহ্ কোরিগুম তাংলগা হায়রকই। হে নাগিনী নংদা ঐগী য়াথং হিক্তোকতুনা নংনা ঐবু হৌদোকপদি করিগীনো ঐ অসৌ ব্রাহ্মণী হায়বা কাওরব্রা। মুনিগী অশাওবা ঊবদা নাগীনী থুং লোয়শদুনা হায়রৈ। সন্ধ্যাদা চংথরবদুদা ধর্ম্ম মাংলগত্রা কিবদগী মরাই থোক্লবীনা হৌদোকচবনী, বা অসি তাবদা মুনিনা হা সন্ধ্যা হায়না কৌবক্লে। মুনিবু

[illegible] শাবোন্দা জরৎকারু মুনিগী সেবা তৌদুনা, অতিক মুনি পোকতুনা জন্মেজয়গী যজ্ঞদা মরাক শাংলতগী লোয়না কিরগদবগী জন্মেজয়গী যজ্ঞ থাদলা লিমগী শাগৈবু কনখিবা অসিগী [illegible] নাগ মাতাগা পোকপগী ধর্মোক্তবাগী থৌরাঙবা লিন নিপাল অসিনী। অদুনা তাবা [illegible]।

কিংবদগী সক্ষ্যা থুংবা অহুম লাকতুনা মুনিগী মাংদা' চো থোক্লরে ? শক্ষ্যা থেংহনা মুনিনা হায়রি সক্ষ্যা মংদা ঐবু জাকলমদনা চংথি হায়বদি, জরৎকারু ঐ তুম্মী হায়বসি ন ন। উংমরবনর' ঐনা সক্ষ্যা অক্ষম তৌত্রিদৌরা মংনা চংলিবা কবিগীনো মুনিবু কিবদ নী ? ঐ চচ্চ'দ মুনিবু ডাইজরিবগী হায়রা থুবথি ? মুনি সক্ষ্যা ভজন তৌথরে। অহুগী তুংদা মুনিন। হায়রকই। হে নাগিনী ঐনা ন ম শোত্রিংতদা সক্ষ্যা চং'থবা হৌনদবনি ? অহবু নংনা হায়নথিবা যাবং ওাক ত্রংনিনা ? ঐদি সত্য কাইবা যাদে, হৌজি'ক্ত মং লৈজহৌবো ঐদী চংলগে। মুনিগী রা তাবদা জরৎকারী কোকথক্ত। বক্স তাবগুম মাজথরহনা। থুং অনি লোতহনা, ভক্তি তৌনা কপতুনা হায়রকথী। মুনিদেব তোব্রবী ননাইন থঙেদহনা অপরাধ লংজখিবা ডাকপিম্ম। ঐবু ইবুংশি'না শিরহনা মুনিগী সেবা তৌকবদী ॥ মুনি ম'গী উবসতগী ইচা নিপা অহত' পোকলগা ? লিনগী শাগৈবু মাতৃশাপুগী কননবগীনী। মরম অহুদগী বাসুকী নাগরাজ ইবু'না মুনিবু শাইগুম নিংজহনা ঐবু দান তৌবগা চেকশিন্না শিরহনা ঐনা সেবা তৌজবনী। হৌজিক ঐদী ইচাগু পোক৯ম্মী মুনীন'লে ব থবর ।, ই। ি। থু।ক্তা ঐম্মু প্রান থারগনি। অসী হায়হনা কপচবকই। মুনি জরৎকাবাগী ম'তী উবনা গুংশিবিহন গর্ভদা মুবিগী ম্লেংথংবা থুংনা নান্নগা তবঙ্গশা অস্তি ২ অমুম হায়হুনা বোর পীরকলে। মুনিনা হায়রকই হে—পৃ্ন ন'গী গর্ভদগ' গুণ চেল্লবা নচা নিপা অমা প্োকচরো। ইচা অচুনা নপ্নি মাকী শাগৈ অনীমক। উদ্ধার তৌবশগু। অসি হায়বমলগা জরৎকাক মুনি চংথ'র। নো'ঙা'ন্নবদা মুনি চংথবে হায়বা তাবদ'। বাসুকীনচিংব' লিন মরামনা ক রন হ'লকই। জবৎক ' না প্রশঙ্গ পুমনমক তমহনা মংংশি বু থেমজ্রিথী মচনবু মপাম থোকহল্লনা। মরামনা সেবা োত্রনা' জুনা থমথিবনা গর্ভগ্ন থ তব গুনকতুন গুণ চেল্লবা নিপ অমা পোক৯'র। মগা ক্তগী তেজনা খুমিং থোকলকপগী মতৌগুমই। মুনিগী মচাহুগী মমি না মুনিন' নানবিব মতমদ। অস্তিক ২হায়না বোর পীথি চায়বদগীমমিং অস্তিক থোম্নি অস্তিক মচাবু পিতা জরৎকাক লাকতুনা বেদ শাস্ত্র তম্ন'গুন লৈতনথী শংস্বাব দিক্ষ' তৌথি। তপ রামন' কল্লী, বাক্যনা প্রসিদ্ধ ওইববা অ'থাইবা ব্রাহ্মণগী ম'তক চাওরবা গুনম লৈে'বা মুনি অমা ওইথ.ব মাতুল লিনশি'না অস্তিক মুনিগী মকমদা হাযাথ। হে অস্তিক মহাত্মা ঐখোইবু থাদোকগীগম্ম মতম পুমনক্ত' ঈমাগী শাপ লৈবনা জম্মদগী যজ্ঞর মাগ ব'শ তুমগনী কিবনা॥ অরাবগী সমুদ্রদা লুপতুনা লৈববনী। ন'না ঐথোয লিনগী শাগৈ কনবিয়। মাতুল লিনশি'গী ভক্তিদা পেনহন' অস্তিকনা হায়রকই। মামশিংবু জন্মেজয়গী যজ্ঞদা শোয়দনা শিরগনি ? হায়না নি'থিকগম্ম। গুরুগী কৃপানা ঐনা সোয়দনা মাতৃশাপুগী মাম'লম শিংবু বমবা গুমগনী, বাবিক্তপম্ম। অম্মমনা লিনগী শাগৈবু মুংঙাইহল্লুনা নাগলোক অস্তিক মুনি জন্মেজয়গী যজ্ঞ ডাইন্নবা লৈথি। অসিগুমবা অস্তিক পোকপা জরৎকারু মুনিগী বারা অসিবু পুক্নিং চংনা তাজবদা মীওইবনা মচা ক'ই, মরনগু চাওখংলি যমগী বাতন্নাকোকই, অম্মমনা শ্রীব্যাসদেবন লেংথরবা তারক্তী বারীনি ইতি হরিবোল হরিবোল হরিবোল ॥

অধ্যায়

জন্মেজয়না বপুষ্টমা লুহোংবা শৃঙ্গ মুনিগী শাপ ফংবগী

ৱারী মতাং ।

শৌনকনচিংবা মুনি মরামনা হংলকই ? হে সৌতি জন্মেজয় নিংথৌনা বপুষ্টমা লুহোংবা । হস্তি নাপুর সাসনদা কমদোৱগে ওগাইনা লিরু । সৌতিনা হায়রিগে তাবিয়ু ব্রাহ্মণ পুরমক ? কৃপাচার্য্যদা তমজুনা বেদ শাস্ত্র, অমসুং ধনুর্বিদ্যা, মতিক চাবা হৈরবা, জন্মেজয় নিংথৌনি । প্রতাপ চাওবদা পিতা পরিক্ষিতকী মতোংগনী ? প্রজা সাসনদা মথৌ যুধিষ্ঠির ওম্নী ? দান লৈবদা কর্ণগী পান্দমগুম্নী অকুপা চহি তরেৎতগী, নিংথৌ ওইহন্না পালকপনা, চহি ১৫গী বয়স ওইরকপা মতম অসিদা মোংমা হৌনা রাজ সভাদা, বেদ ব্যাস মুনি থুংলরে ? ব্যাস মুনিগী চরণদা নিংথৌ দণ্ডবৎ ভক্তি কংলী মথুংমদা সনাগী আসন থাই ? মুনিগী চরন শেংই, বর্তি চমথৎনা পূজা কংলী ? হুন্দোক কয়াক কচংব । ব্যাস মুনি জন্মেজয়গী সেবাদা, পেরহন্না রা হায়রকই, জন্মেজয় আসনদা ফমজরো, নজি শেংবাদা ঐঙ্গ পেমে । হৌজিক ঐনা নঙোন্দা রা অমা তাকে লাকপনি ? মুনিগী বাক্য ফংলবদা, জন্মেজয় আসনদা ফম্লে । পাত্র মন্ত্রি সভানা মুনিবু ভক্তি কংলগা ফমবে, ব্যাস মুনিনা হায়রকই ? হে-নিংথৌ ডসিদগী ৭নি তুরা, থুনিংকা অথুক থুংকা মতমদ । সনাগা তারু কাও ৪ না চিংবা সনাগী রথ মণিনা থাপ্পা, পুরিং হুন ফজরবা অমা, নজি নো পোকী হোজংদা থুংলগনি । থ অচৌ য়েংঙু্ন, পাম্মু খ, লৌশিনলুববদী রথ অতগী হাক্তকগী মহারাজ দথা অমা লাকদৌরি । তাক লাকপনি, মাশি মন্ত্রিশিংসু চেকশিন্নু দেব মায়াগী ৱথনি, হৌজিক ঐঙ্গ কল্লগে । রাহায় অসি হায়রম্লগ,, মুনি অন্তর্ধান ওইখিহ্না, বদরিকাশ্রম থোখরে । অমুমা নোংম নোংমগী হৌখিংনা । থুমিং ৭ নী শুথরে অধুক অঙনবগী দরবার কমহুনা, কবি ওইরগবা । থমদম লৈ । মথকী মতম অহ কাইদনা, মায় রথ অহু থুংঙবে, রথ অহ্ থাহুন লৈয়ে রথ লাকপগী থনী তাবদা দরবার সভা ভুমিন ভুমিন কৃষ্ণ শ্মরন তৌমো লৈনৈ । দরবার কারকপা মীনা পাও মথং মথং নিংথৌদা তম্মী রথগী ফজবা পাও তাবদা, মশক য়েংনি বন নিংথৌ ফগা য়ারক্রে । পাত্র মন্ত্রি য়েংহুনা হায়রকই । রথ অসি লৌশিঙ্গ্রবদি দম লৈরোই ফুংদা রারিমবা, য়েংবদদী য়েংহৌকসি নিংথৌগী রা তাবদা, মন্ত্রি অংকামা থাম্মী, মন্ত্রি নহামবৈনা য়েংহৌসি হায়ৱহুনা । জন্মেজয় নিংথৌ থোকখিহ্না, মহারোলশিংগা য়েংঙু্রে । রথহু পুরিং হুনা কৈজ পাম্মী, পামহ্না য়েংই, লৌশিননিংই, নিংথৌনা হায় সনাগী রথ অসী মমন নাইরবা পোংনি লৌশিন গন্ন লৌশিনলোহ্রা হংলরে । মহারোল মন্ত্রিশিংনা হায়রৈ, মহারাজ কওমগ্রবা রথনি, লৌশিনসি অপাইবা রথ অসিগী

হাক্তা অপৎ কাওরগদবনি, ব্রাহ্মণগী মরাসি থরত্ন মরৌসি, অরাম্বদী লৌদবনবু কপদৌরি। রাসী হারবহুনা রথ পুশিনদ্রে ? কশিগী প্রভাবনা কন্দুনা, অহলশিংনা থাক্মা রাথিজে, নিংথৌজা মরাব-দা হাবথি. হয়েংদি ভক্তাবা শাজি ভাদুসি, রথগী মগুণ মেংশি। চায়নহুনা দবথাব কুমথরে। নোং-ভালথদা চাবা থকপা লোইমরে, শারথীনা রথ অম্ব কাণ্ড মরি জুরিংে, খুম্ন খুংলাই লোইননা অংম্নবম রথ ভোংলে মৈয়াম লোইনহুনা রথ থৌদাকলক্লে। মপান কাঙৈবুং য়োরকপদগী কাণ্ডা মরিহু খুঙ্গি কাবা য়াদহুনা, অভিয়াদা রাংমা পাইথংথিহুনা থা পানে। পুখ্রে। প্রজাশিং কবি ওইপবা থন্নুমা রানা লৈচৌরে ? পাইখ্রিবা রথ অহ্ন কাশী লৈপাকী, সোগোর কাংজৈবুংদা। মরনাই ভাথরে। অংম্নজয়না সংবথীদা হংই, ইপু সারথী মাসি কনানা পানবা কোঙংনো য়াম্না কজৈ মীদি লৈবা উদে, কবিমনো। সারথীনা হারজৈ, মহাবাজ মাসা স্বর্ণবর্ণ কৌবা, নিং-থৌনা পামবা কাশী লৈবাক্লি ? মথাংজৈদদ্রু নংথৌ পণ্ডবশিংগা ভাইশেন ওইনরকই। লেঙশিন লুরগা অরেম্মা থণ্ডগনি। অসি চাইনহুনা কাণ্ড মরি লৌথোক্লে ? উচুক রৈ না পুনশিন্নমলগা॥ সারথীগা নিংথৌগা কোম্নু তমনা চংখ্র। মী অমত্তা লৈবা উদ, কোম্নু মন্নুংদা ফজরবী কন্যা অমা কণ্ডুনা লৈরন্মী ? অহুবু উরগা চিংমরহুনা যেঙঙৌ। জন্মেজয় নিংথৌমা চংশিন্দুনা, কন্যাসি মফম-দা নিংথিবা য়াহৈনা হংলকই ? হে-কন্যা কোম্নু অসী মী অমত্তা লৈবস্থু উদ, দুপী মচা নত্তোম-দা কণ্ডুনা লৈরিবা অসিবু কবিগীনো হায়রু, ঐ হস্তিনাগী নিংথৌ জন্মেজয়নি। নিংথৌগী বাসী তাবদা, কন্যানা থুকমচহুনা আসন থাবগা, নোঙকপা বাহায়না হায়জবকই। মহাবাজনা কপাজী, ঐগী ইমিংনা বপুষ্টমা কোই ভরাং অমুক অওনবদা, * দুর্ব্বাসা মুনি ইপাগী কোম্নুংদা লেংশিন্নকই। ঐদী মাতুলনা চাকৌণনা চচ্চকই মমাগীদা অহিং লেকপগা ওসি অমুক হন্নকপদা' ইপা ইমং পুববা সি অমত্তা লৈরম হ্র। সোহবগী প্রজ্ঞাম্নু কিনহুনা অমত্তা চংথিরকংত্র ? মরম অসিগী মাংংগ থংত্র-হুনা, অবাবগী ঈপাক্তা তাহুনা লৈজরবনি। করিগুম্বা মুনিগী শাপগী, ঈমা ইপ পুববাশি তুমথীবা, ওইরমগত্রা নিংই। কন্যাগী রা তবদা নিংথৌনা হার ইবেম্মা লাংগী লোংদমনা থোকথ্রবনি,

* ব্যাখ্যা— দুব্ব সা মুনিবু স্বর্ণবর্ম নিংথৌনা, ব্রহ্মভজন কংতুনা সেবারিশিংদা শিন্নহুনা অভিথী থোংদা অহিং পোথাহুনা লৈবদগী অমুকী য়াহৌরকপদা সেবারি অমত্তা লৈবমংত্র। মুনিনা কৌবদা অমত্তা তাংহৌদংনা লাকত্রে অহুদা মুনি শাওবনা যৈহোহুনা অকনবা ব্রহ্ম শাপনা চৈথী। হে স্বর্ণবর্ম নিংথৌ ঐবু নত্তা সেবা তৌনি হায়হুনা লৈবগা। য়াহৌরকপদা সেবা অমা কাওবা থনমদবা ? কৌন্নু তাদব। নিংথৌ নংনা ঐবু উশিত্রবদা। নদি কোম্নুং অসিগী নংনা নরাই লোই-ননা মী পুম্নক তুমংলা হারজা। চৈরকপদা পুরবাসি লোইনা তুমথী দুর্ব্বাসা মহামুনি হবথী, মরম অহুকগী কোম্নুং অহুপী মী লোইনা শিথিহুনা মী অমত্তা লৈরমদংনৌ। ইতি।

যৌজিক রাজদা কায়রে এম্ব মাণী হাপজি হস্তিনাগী পাটেশ্বরি ওইরো ? বং রাক চত্নুনা কর্মদি হস্তিনাদা পাংখোককউরদি, অদি তাবদা বপুস্টমা হরাওনা রাখরে। জন্মেজয়না লৈপাক অগুগী প্রজা-পাত্রমন্ত্রি খোমগৎহুনা ? ঋিংখৌ অমা অভিষেক পিরমদগা। বপুষ্টমা পুহনা লোলাই ভোংখৎ-পদা, সনাগী রথ অন্ন কাঙও পরীমা পুন্ননা পাইরকপবা হস্তিনাদা থুডরে। কাশীরাজগী কর্ম ভৌবী, অকবা ভিবী য়েংহনা বপুষ্টমা লুখোংশে ? পাটেশ্বরী হাপথরে, হস্তিনা প্রজা পুমক মত-চাইমরে। জন্মেজয় মিংখৌ দান কয়া কংলি কুমৈ ভোই মত্তম থম্ব লৈরগা ;মহারাণীগী প্রেমদা লুপখিহনা ? বামীবা থুত্থম চংখিবদগী পাত্র মন্ত্রিদা সাসন পিরমগা। মান্না রথ অহু তোংহনা চৎলিং চৎলিংবা মকমদা কোয়হনা মনিংতম্বা চৎলী হজিহিংলগা হজিল্লী, হজিননিংদে তাকই, অম্না জন্মেজয় রাজনীতি ধর্মনিতি কাইনা। রাণীগা মনিং তম্না কোইহনা লৈবসি, চহি ১২ তারে। হস্তিনা দেশ অসী নিংখৌ মহারাণী অমিনা নিত্তী কাটবদগী ? নোংজু নুংশা চুমদনা মহৈ মরোং কংচিন্নবনা তবনা, চাক তাংবদগী প্রজা হাহাকার লাওনরে। লাইশা কয়ানা মীশি মীনা কয়া থোক্লে, প্রজা-দা নিংথৌম্ব নিঙ্গা ভৌনরক্লে। হস্তিনাদা থোকলিবা দম্বা অসী ? বিভান্ডক মুনিগী মচা ঋষি শৃঙ্গনা তাওদ। নিংখৌ মহারাণীবু রাজনিতী তাকপীগ; দেশগী অরাবা কোকপীকপে থন্নুনা, নিং-থৌ মহারানীনা কজিরকপা মত্তম ঙাইহনা লৈরকপন। রাজ রাণী হস্তিনা কোন্নুংদা চজিলক্লে। কোন্নুংদা লৈবা মতমদা যোগ শক্তিনা লেওডজুনা, জন্মেজয়গী কোন্নুংদা থুডরে। জন্মেজয় মিং-থৌনা মুনিগী আসন থারে, পুজা কংলি ভক্তি তৌনা হায়জরকই, মুনি লেংবিরকপবু কদ্ধি দান কজৌ হায়বগে, নিংথৌগী বা তারগা মুনিনা হায়রকই। মহারাজ মহারাণী কোখোকউ, মখোই অনিবু উমনিংহুনা লাকপনি ? বা অসি তাবদা নিংথৌনা রাণী কোখোকই বপুস্টমা ফিজেং লৈতেংহনা কে মৌনা থোরকই ? থোংজিন কানখোকপদা মুনিগী শক্তি মাইতা মানবা * মচি অনি হোৎবা চিরোং,কারিবা অত উবদা নোক্লকই মুনি ওমানা কন্নরিবত্ত উবদা, নোক্লিংহনা রাণীবু য়েংলগা নোক-লকই, মুনী, রাণী নোকপা পুংলুপ জিরহনা প'নোক নোকখিরথরে ? ব্রাহ্মন, বাপুস্টমা, অনিগী মতৌ উবদা নিংথৌ শাওখিহনা মনাকগী সনাগী খুজাই চৈনাইবা অহু পাইথংতুনা ? মুনিগী লাইবকা থারে। মুনি লাইপক চিংখাও শোকপদা কোক য়াওহনা, ওহাক বাঙাংহনা লৈকরগা জ্ঞান তারকপদা চিংখাও ডংতুনা ঈ তারগ্ন। খুজাইগী ঈশিংহনা মুনিগী হকচাং পুমনমক চোংলে ? শৃঙ্গ মুনি মৈহৌবগুম শাওরক্লুনা শাপ চৈরকই। হাই হাই জ্ঞান লৈতবা জন্মেজয় নংনা ঐবু নোক-পগা উমিত্তে হায়হনা, চৈনা ঈনম তৎনা মৈবদা, ঐমু মাক্কব্যবহার কাইনা নোকপগী, শাওরোই-দবনি। বজি অক্কদল রাওব, খুজাইনা থাবদগী, নাম্বদা মাওরবা ঐগী দেহবু চোংহলখিবগী দোষনা

---

* টিকা— হস্তিনাগী অরাবা অসিবু কনবিগে ; হায়রহনা লাকইবা বিভান্ডকগী মচা শৃঙ্গ মুনিগী মচি অনি হৌবসি, নর্মদা তীর্থগী খোংবান্দা তোপ তৌবদা কন্নবা, বিভান্ডক কৌবা মুনিনা, চাদ

মতম অমদা মং ব্রাহ্মণ হাংলথিনি। অদুদা খেত্ত য়োগদা মশা পুরমক পুংত্থ্। মহাপাপনী হায়বিগে তাকো মংবা চক্লা ওইবী রূপী অসিগী রাথক্লা লুহুখা। মাদা হায়বদা ইম্বুনো, চহি ১২ রু কোই লংহুনা, রাজধর্ম থাদোকপদগী হত্তিনা নোংচুমহুনা। চক তাংবদগী প্রজা পুম্নমক মংবু নিক্লা তৌহুনা চৈনম্মে। ঐনা দেবগী অরাবা কোক্লবা; মবত্তাথিদা পুম্না রাজনিতী তাকপীগে লাকপনি? মরম অদুনা রানীবু কৌথোকহনবনি। নত্তী রাগানা নোকপদি, ঐগী ইদি হোৌবা উবগা নোক্লবনী? ঐনা নোকপনা, রূপী অসিগী রাথক্লা তাওহুনা; মিংথোনা ধর্ম থাদোকপনা লৈপাক রানবিবনা। অরেম্বা মায়াদা তাওহুনা জিবনা রাজবনী থম্বদা নোকপনি। মংনা রাথদ কত্তহনা ঐবু য়েবনী। মূর্থ মতোন্দবু রাজনিতী ধর্ম তাকপা হোৌনদে চংলে হায়হুনা মুনি কোৌগৎতুনা মমায় ওনখ্রে। মুনিগী শাপ কংলবদা কিরকতুনা মিংথো মহারানী ১ মক চেনশিন্নতুনা মুনিগী থোংপায়হুনা। শাপত্তক নিবন্নে। মুনিনা হায় মহারাজ ঐনা নত্তে নংনা লংজবা কম্মনী। মহ তাকে তাও ব্যাস মুনিনা হায়বা মংনা ইন্দবহুনা রথ অন্ত লৌশিন্নবদগী থোকপা কম্মনি। মহাপুরুষ ওইবা মীদি মশাগী য়েংদে নোগীদমক্তা ক্ননবা হোৌনবনী। অদুগী তোথনা নথুংনা মতম অমদা ব্রাহ্মণ থা না ককতুনা হাংলথীনি। মহুদা হসি নংন লংচথিবা নরান্দুগী লাইথুংনা নশাপুমথিনি শাপন্তোকতি ব্যাস মুনিনা মতম অদুদা পিশদ্র লাইথুং কোক্লব

থক্তনা অকনবা তং লৌবিবা অন্ত উবদা ইন্দ্রন কিরক্লংনা মুনিগা তপ থু। হংগো শহংন। স্নুংশিং কৌবা লাইগা উর্বসী তংগায় শাবিগ থাককথি তুংশিংনা হৈনম লৈনম পুরকতুন, অংচগী স্নুংশিংনা মুনিদা হুমজিল্লি। স্নুংশিংনা হকচাংদা য়েনবা, মনমনা শোংদা শমনথিবা মমদা, মুনি ধ্যান লেপ্তুনা মমিৎ পাংথোকলকই। মতম অদুদা উর্বশী জংগোইশাবী মুনিগী মাংদা অন্তিযাদা নেমতক চংলা। স্নুংশিংনা মফি হুমদাকই মাঙ্গ উকখদা মুনি বীর্য্য পাত ওইখকই। ওইগী থুংনা বির্য্য অত্র য়াবগা লেংহই মথক নাপী মরক্তা লথংখা। মুনিগী বির্য্য অচ ঋতু মতী ওইবী শক্তী অমোম অমনা শক্তিক চাবদা য়াওখিহুনা গর্ভগী লক্ষণ ওইখী। স্নুংশিং উর্বশীগী হংখি শক্তি অমোম অহ্ থা ততক গর্ভ মপুং ফাহুন, মী ওইনা পোক্লে। মচাদু উবদা ঐগী য়েকনবা মীবু ঐগী গর্ভদা পোকলে হায়না! কিবদগী মচাদু হন্দোক্লমলগা শক্তি অমোমদু চেন্থী। অতাং অদুনা লৈহৌরে বিভাণ্ডক মুনিনা লাকপদা অতাংদু থেংনবে। থ্যায়া য়েংবদা উবস পুম্ননি থংহুনা পুরক লগা, আশ্রমদা লৈরীকী অমুক্তনা য়োকখি। মমা শক্তিগী থর লো শক্তি মাইতা মাক্রি? শক্তি লাবগী মখোৌগুমনা মচি অনি হোৌই। চহি য়ামলহুনা চিরোং কাখনী। বাক্যদা প্রসিদ্ধ ওইরম্ব তপ চাওরবা অথোইবা মুমনী। ইতি।

মতুংদা, ঐগী থোরদগী নচা থারা ও কংজম্না পাম্লগা । শিরবা মতমদা বৈকুণ্ঠ কংজো । অসি হায়রমলগা মুনি আশ্রমদা হনখী । অসিগুম্বা মহাভারত আদিপর্বগী কথা অসি তাত্তবদা পুন্যগী মশকনী পদ খুদিংদা অমৃতগী ঈচেল ওইরবা শ্রীব্যাস দেবগী য়াথংনি । ইতি । হরিবোল হরিবোল হরিবোল ।

অধ্যায়

উতঙ্ক উর্দ্দালক সন্তাপন্না লাইরিক তম্বগী সান্দিপানিব্রাহ্মণগী

মায়োগী মতা অমা ॥

শৌনকনা চিংথা মুনি ময়াম্মা হায়রকই, হে উগ্রশর্ব্বা সৌতি জন্মেজয়না লিনগী যজ্ঞ কয়দোনা তৌখিবাগে ? নহাক্না খুগায়না লিয়ু । সৌতিনা হায়রকই তারিবয় মুনিসভা উতঙ্ক কৌব ব্রাহ্মণগী য়াথংদগী জন্মেজয় লিনগী যজ্ঞ তৌখিবনী শৌনকনা হায়রকই সৌতি ব্রাহ্মণনা লিনবু থেকখিবা করিগীনো । অদুগী য়াবী হায়্না লিংখ । সৌতিনা হায়জরকই অদুগী মরম লিজরকে অবন্তি কৌবা নগরদা শান্দিপনি কৌবা ব্রাহ্মণ অমা লৈরম্মী বেদ শাস্ত্রবু পারাগা ওইরম মুনি তম্বীবদস্থু থাম্ন, লৈ । শান্দিপানিগী মকমদ উর্দ্দালক কৌবা ব্রাহ্মণ মচা অমা, লাক্লুনা গুরুগী মমদা লাইরিক তম্না লৈরম্মী । গুরুনা মাবু মথংশেলহন্না চাক্তি পিজদে থবা লৈরগা গুরুন উর্দ্দালক নংনা করি চাদুনা নং অদুক নোক্তরিবনে। গুরু মুমিং হংবা মতুংদা থগবীশিংনা মথাবু দংথাম পীথকই । মতম অদুদা ঐনা মথাদগী মুল্লগা থকই । অসি তাবদা গুরুনা হায়রকই, পম্ভাও ময়াং কংইবসিদি অহুবনদগা, হেসিদগী নং হকসংদ হায়খী থব লৈরগা গুরুনা অমুক হংই । উর্দ্দালক নং করি চাদুনা হিংই শিবানা হায়রে গুরুদেব মম মনশেনবুদা শজিক চাদুনা লৈরিঙৈদা ভিক্ষা নিকরগা থোক্লুনা চাই । গুরুনা হায় নংনা ভিক্ষা তৌরবদা মংবা বস্ত্র অদু চাথোকপা য়াদে নিকরগা মুডিগী পুবকউ । উর্দ্দালক নিত্রিগী থিম্রকই । গুরুনা থবা লৈবগা অমুক হংলকই । উর্দ্দালক করিচাদুনা লেলি উদ্দালকনা হায়রে মথানগী ভিক্ষানা গুরুদা পুজমইব অসিমি। তুমিদাদ্বাইরম নিকরগা চাই । গুরুনা হাই মথানগী ভিক্ষানে হমিদাবাইগী ভিক্ষানে চাবা য়াদে লোইনা পুবকউ ? তোকপম য়াদ, গুরুগী য়াথং ওাকতুনা নোংমগী ভিক্ষা অনিরক্তী চেং পুরকই । চাদবনে ভিক্ষা বিবা চেনথনে, থণ শেমবগী য়াবনে লাথনা থাংবা ভমজরনা । লোহমদি ছাওগদবোই নিংহুনা অদোং মতোন থংকুনা চাকথদগী মথৌং উদহনা গুহা মচুংদা

আহনা কাখৎপা ওমদহন' লৈবে । মুমিৎ তারে বণরাম কামক্রে উদ্দালকী য়াওবকত্রে ? শন্দি পনি বণশেলপুংদা লাকহুনা সন্ধ্যা অমম্বদা ! উদ্দালকপু কোহনা থিরকলে। গুরুনা কৌরকপা তারহনা গুহা মমু দা থুমলকই । গুরুনা গুহা মনাক্তা চংডকহুনা গুহা মমুংদা নং কবি তৌরিবগে হংলকই। উদ্দালকনা হায়রৈ গুরুদেব এনা লাম্পমথরহনা অক্লোৎ মহী থকলুই মনা অনৌবা মতোল থৎহুনা চাকই ? অদুদগী মীং উদহনা গুহা মমুংদা তারিবনি কাথংপা ওমরে। গুরুগী অশ্বিনী কুমারগী বিজমন্ত্র তাকপীহনা শাম্নগা নানবদ মম অনিমক উরহনা কাথ লকলগা গুরুবু থুরুম্মী। গুরু শিষ্য মুমদা চলকলে, ব্রাহ্মণীনা অমবেগুন লাংনা কুকদা কংলগা শরণ ওইনা ফ- মিমথরে। অহিং পোখাবে নোংডাল্লে প্রাতক্রিয়া স্নান লোইরব ? সান্দিপনিনা উদ্দালকপু চেংনা কোল্লগা শাইপক্লা হন্না গন্না চুপ্পগা বোর পিরক্লে। নঙ্গি পুকচল ইপান য়েংবনি নং রাকৌগন্ন ইপানা নঙ্গি, নবুকচেল উবদা পেল্লে। ঙসিদগী হৌহনা বেদ শাস্ত্র লোইনা হৈজবে' উদ্দালক গুরু কৃপা ফংলবদা, গুরুদগী বিদায় নিংনা হল্লথী । অদুগী তুংদা শন্তাপন কৌবা ব্রাহ্ম মচা অমগু লাকহুনা সান্দিপনি মুনিদা লাইরিক তমহনা লৈ । ইস্তা থং বৌরক্লুনা নোং চুরকপদ, গুরুনা সন্তাপনন নং ঙসিদগী তপাকী লোকমদা চংহুনা, লৌবি ঈথোং থিংহনা, ঈশিং ফাকিহু হায়রকই । গুরুগী যাথং ফংলবদা য়োৎপাক পাইহনা গুরুগী লবুক্তা চংখ্রে। লৌপুক্তা লৌবি ঈথোং লোইনা থিংজাল্ল ? মকম অমদী ঈরম থোক্লুনা থিংল নিংথাইর তৌরে। মাও থাদোকলমনবদি গুরুগী লৌকম অত, ঈশিং লোইনা কখ্রনী থন্দুন, লৈপাকনা পিংব যাদ্রবহুদা মপামক্তা ফনা হিপলগা, ঈশিংড্রু তাক- হুনা অৎম লৈরম। গুরুগী যাথং তাত্রগে থন্দুন, অরাবা থাংডগা ঈশিংদা মথক্তা পাবহুদা লৈ' হুমিৎ তাম্র হত্রশত্রে ? সন্ধ্যা ওইরক্লবদা গুরু থাওইম পাইহনা লবুক্তা শন্তাপনবু পিবক্ল। গুরুনা অমম্বদা উক্লে, ঙ্গশা থিহনা থোঙ্গল রা না কৌবকই, মাহ সন্তাপন্না তাবহনা । ঐ সিদা ঈশিং তাকচরি হায়না থুমলকই। গুরুনা চেঙ্গাম ফনা য়েংবদা, মথক্তা ঈশিং রা রা পাথহনা, অমিংবা থাংহু না বান। শৈরমলিবহু উবদা পেনহুহন তৌগংলকউ হায়রক্ল। শন্তাপন হৌগংনা গুরুবু থুরুম্মী সান্দিপান মচাবু পোরক্লে, যুম যৌনকনা ঈকক্রকল্লগা, পিজ্ঞ পিথকপা লোইববদা। গুরুনা পেন্দুনা বোর পিবে। হৃসিদগী হৌহনা তম্রা তমদবা নাইদনা, সর্ব্ব শাস্ত্র হৈজরে অমুম্না কৃপা হাম্মিথী গুরু কৃপানা বিদ্যা হৈরে ব্রাহ্মন মচা মযুমদা হল্লথি। অদুগী তুংদা উত্তঙ্ক কৌবা ব্রাহ্মণ মচা ১ অমুক লাকুনা সান্দি পনিগী মফমদা লাইরিক তমলে, সান্দি পনিবু নিংশৌ অমগী যজ্ঞগী বাৰ্ত্তালাক্নুনা, যজ্ঞ কবা চৎপ- তারে গৃহসী ঐগী ইহৎ শিন্দুনা উত্তঙ্ক নংনা বক্সা তৌরম্মু। ইপাদি চহি অমা যজ্ঞ কবা চৎলুগে।গুরুনা অসী হায়না। শিম্নবকলগা সান্দিপনি যজ্ঞ কবা চংখ্রে। উত্তঙ্কনা গুরুগী যুম পুহনা লৈহৌরে মতম থরলৈবগা গুরুগী ঠাকুরানী ঋতু মতী ওইবক্লে। ঋতু স্নান তুমিত্তা উত্তঙ্কবু য়েংহনা ব্রাহ্মণীনা হায় উত্তঙ্ক নংনা গুরুগী মাথং পুহনা গৃহ রক্ষা তৌরীবনি । মরম অসিনা ঐগী ঋতু অসি,

অরেম্বদা মাংহমগনুসি ঐগী বঁতুবু নংনা পালন তৌরো। অমুম্না হাইরকপা রাসি তাবদা। উতঙ্ক কিঙ্গনা হরিবু স্মরণ তৌরগা, থুমদা তুমিন মক লুকতুনা লৈথী? ব্রাহ্মণী পুক্নিং মুংশাইতনা হজিনথী। অসিদগী গুরু চহি কারহুনা, যজ্ঞ লোইরগা মুমদা হল্লকই? গুরু লাক্লবা মতমদা ব্রাহ্মণীনা গুরুদা হায়িজথী। উতঙ্কনা হয়েং দক্ষিনাগী মতমদা ঐগোন্দা তাকপীয়ু? হন্নক্কী উতঙ্কগী দক্ষিনা অসিতদি ঐনা পাম্বা অমত্তা লৌজাহৌগে? অমুম্না হায়রবদা,* গুরুনা য়াথিথী উতঙ্ক বেদ শাস্ত্র তম্ব লোইরে। গুরুনা হায়রকই উতঙ্ক ইচাদি ইপানা তম্বীবা লোররে মতিক চানস্ন হৈরে হৌজিক্তি নয়ুমদা চপ্পরো। অমুম্না গুরুনা বিদায় পিরবদা উতঙ্কনা দক্ষিনা করম্না কচ্চোগে হংজরকই? গুরুনা হায়রকই উতঙ্ক নংদি দক্ষিনা পিত্রবস্নু য়ারে চহি অমা ইপাগী য়ুম কোইরগসিনা পেল্লে, নংনা পীজিংলগা নমাদা হংজক হন্দক্কী দক্ষিনা অসিদি নমা ঠৌরানী পাম্বা অত নংনা পীরম্মু নমাদা হংজক। অমুম্না তাকপীরকই। গুরুগী য়াথং ফংলবদা চংথিহুনা ঠৌরানীগী মকমদা হংজকরে। রাজ তারবদা ব্রাহ্মণীনা হায়রকই। উতঙ্ক হন্দক্কী দক্ষিনা অসিদী পৌষ মহারাজগী মহারাণীগী মনা ২ দা চিল্লিবা মনিপী কুণ্ডল নাইন অহু নংনা লৌরগা ঐগোন্দ তসিদগী ৭নি শুবা মুনিং শাওবগী মচংদা পীয়ু। অম্ব ওইরবদী নংনা গুরুদগী তমলিবা বিদ্যা অহু মহৈ য়ানজো। অদুবু শোয়রবদী বিদ্যা পুম্নমক মা জগনী। অমুম্না হায়রক্লবদা উতঙ্কনা করে ঈমা ঐ শোয়দনা কচ্চগে, অমুক্তা লৌজকথিগে হায়দুনা থুরুমলগা চংথরে। উতঙ্কনা থুনা মাংনা লাকপদা, ইন্দ্রনা মায়া তৌহুনা যণ কাও অমা তোংলগা লম্বী থংলগা হায়রকই? হে উতঙ্ক ব্রাহ্মণ, গুরুগী য়াথংনা ঐগী যণ অসিনা কাইবা যম্থি অসী লোইনা চাও? অসি হায়রগা যণ অহুন, বিস্বামুর থাদরকই। গুরুগী য়াথংনি হায়বহুদা উতঙ্ক গুরুগী য়াথং তাকনিংবদগী যম্থি লোইনা লোথংতুনা চারগা আচমণ তৌথবে। যণ কাও অহুন্নু মীস্নু মাংথোকথরে। উতঙ্ক অদুদগী অমুক লাকপনা, পৌষ মহারাজগী কোন্নুং য়োরহুনা নিংথৌগী মকমদা নোল্লুকপগা লোয়নমা রা পুম্নমক হায়জহুনা নাইন নিজরকই। ব্রাহ্মণগী অরাবদু উপায় তৌনিংহুনা পৌষ নিংথৌনা রাণীগী কুণ্ডল নাইন পোথোকহুনা কংথী। ব্রাহ্মণ নাইন পুরগা চরাওনা লাকচরে

---

* ব্যাখ্যা ব্রাহ্মণীনা গুরুদা হন্দক্কী উতঙ্কগী গুরু দক্ষিনা অসিদদী ঐনা পাম্বা অমত্তং কংজহৌগে ঐগোন্দা পিনবীয়ু হায়জবনি গুরুনা ধ্যান য়েংবদা উথী। ব্রাহ্মণীনা ঋতু পালস্তৌ হায়বদা উতঙ্কনা য়াথিদবা অহুগী মরমনী হায়বা অদুনা গুরুনা পেন্দুনা উতঙ্কবু বোর পীহুনা চৌষট্টি শাস্ত্র হৈহনথি। ব্রাহ্মণীগী নিংবস্নু থুংজরসনু উতঙ্কগী পুকচেলস্নু য়েংলগে হায়তনা গুরুদক্ষিনা মতাংদা সন্দিপামিনা উতঙ্কবু নংনা দক্ষিনা কংকে হায়রগা ঐগীদি পীত্রবস্নু য়ারে নমা ঠৌরানী পাম্বহু হংলগা কচ্চক হায়না তাকপিখিবনী অমুম্না জৈমিনী ভারতনা হায়রী ইতি॥

মাহুক্তু তক্ষকনা উমহুনা, বোদ্ধ সন্যাসি শাহনা উত্তঙ্কগী মতুং ইন্নরকই। ব্রহ্ম তেজনা মকশিনখদি ওইদহনা, লাউরা চংলি করাম্বুক লাখা লাক্লগা, পুক্সি ১ লৈরম্বী। পুম্বী মথাক্তা ইমিবা কি অহুনা, নাইব কুপশিন্দুনা থমগা ? ওলাংবনবদগী থরম্বু ঈংনবা, হকচাংমু পেংদোক্লগে থন্দুনা, উত্তঙ্ক ব্রাহ্মণ পুত্রিদা কুমথহনা ইরাংবৈ। অহাংবহ কংথদা তক্ষক চংখিহুনা, মুনিগী থম্মীবা নাইন্ ২ দ্; পুংনা চেনখরে॥ মাদ্রু উত্তুনা উবদা, ইকজবা লোইশিন্নগা কাখংতুনা তাম্রে, চেখিত্নবা তক্ষক অহ্ গুরুং থুরব। অমদা, লিনগী মথক ওইরগা চত্থাহুনা, পাতাল নাগলক রোথরে। উত্তঙ্ক তক্ষকনা চংখিবা মথুল অহ্ চংবা চত্রহুনা থোগাইবা,যোংনৈ ব্রাহ্মনগী অরাবদ্ উবদা ইপ্রনা ব্রজ থারকুলা। রাম্বিরগা চংব রানবা ফাংথরে। উত্তঙ্ক চংখিহুনা, তাররকপদা পাতান রোথক্লে, মকম থুদিং কোইনা চেন্দুনা থিরকই। লম্বীদা থুপী অনি অতোবা ফি শেংপা ১, অম্বা শেংপা ১, মরা ১২ পাবরা চক্র ১দা, তোংহুনা অগাং ৬না লৈহুনা শাররা অহুবুসু উই। তক্ষকপুদি কাংএহুনা মাম্না মারে ? ব্রাহ্মণগী অরাবহ উপায় তৌবীরগে হায়হুনা। মৈনা শগোল ওইরে ইন্দ্রনা শগোল তোংবা নিপা অমা ওইহুনা। মা দা লেপ্লগা হায়রকই।

হে-উত্তঙ্ক ঐগী শগোলগী গুহ্য দ্বারদা কম্না কাম্মু, গুরুগা মাথংনী রাসি ভাবদা উত্তঙ্কনা কম্না কাম্মী। কামবদগী শগোলগী, মচিন্দা মনাচেন্দা, মনাকাংদগী, মৈরগা লোইনবা প্রনগী মতৌগুম নৈথু কামথোকললকপনা ? পাতাল লৈপাক পু মম মংখ্রে। অহ্ উংদা কিরকহুনা, * তক্ষক নাইন্ পুরক হুনা, উত্তঙ্কদা পীরগা হায়খররে। নাইন্ কংবা পুমিং অসী ব্রাহ্মণণীনা থারকপা হুমিং ৭ নি গুরে ? উত্তঙ্ক রাখিনা কপলকই, মতম অহ্দা ইন্দ্রন হায়লকই, ব্রাহ্মণ রাজগা ঐগী শগোল মথক্রা তোংথ লকউ ? ঐন নপু গৌত্তিকমক শ্মানবা খিনবাগনি। রাসি তামদা উত্তঙ্ক শগোল মথক্রা তোংখংলে ? ইন্দ্রনা মৈনা পুবীরকপগা সান্দিপনিগী শোক্তাংদা থম্বীরমলগা। ইন্দ্র কপ্পি মাংখ্রে।

* টিকা — ব্যাসগী মুল ভারতকা মতনা সান্দীপনি মুনি অসি হায়ত্রে ? ধৌম্য অম্মুম কাবা তৌরম্মী উদ্দালকপুনা। উপমন্যু- মন্ত্র পনহুনা, অরুনি অমসুং বেদ অমুম্না কাব্য তৌরি। উত্তঙ্ক মুলদসু ভারত অতৈদসু অংম মানৈ ? সান্দিপনি মুনিনা যজ্ঞ ফমলুবা অসী পৌষ মহারাজগীদনি অম্মুমনা হায়রী ? পৌষ নিংথৌগী রাণী নাইন্ অসী, লাইরেপাকগী ফংবা মনীগী শাইনবী। মাসিবু তক্ষক কৌবা লিম্না নিরম্মী তক্ষকনা নিবদা, পৌষ মহারাজগী রানীনা পিখিদে। মাসবু তক্ষকনা হুগদবকী, তক্ষনা শেমহুনা লৈ। সতীগী গুমা চংবা হমদহুনা, তক্ষনা হুনা ওমদবনী। অসি থংহুনা মহারানীনা নাইন্ উত্তঙ্কদা চেকশিন্না পুথো। তক্ষনা শেম্নরিবা নাইনী অম্মুম্না তাকখী। অহুবু উত্তঙ্কনা নাগবিদা মন্ত্র হৈবদগী,যৌওইখিদে। তক্ষক্তি তক্ষনা শেমহুনা লৈবথা নাইন পুখিবসীবু থংবনি। অহুনা কল্পবা তক্ষকনা, ব্রাহ্ম তেজনা মুনবদী ওমহুনা সন্যাস ওইহুনা মান্না তৌরগা, লাখা ইমরক্লগা সিত্র কংবদা পুহুনা চেনখিবাদি ? অমুক্তম্র হায়দি। ইতি। উপনিষদ বাক্যম॥

উত্তঙ্ক মাইন্ পূংনা মমা ঠৌরাণীগী মাংগা, প্রপ প্রপ চংলকই, মতম অহুদা ব্রাহ্মণী মমাংগী মলোম অহৃগী শাপ তৌরগে খন্নুনা। ঈশিং পাইহনা ভাইহমলে। ঠৌরাণীনা ভাইবিবহ লাম্নীরৈদগী উক্লবদা কিন্নহনা প্রপ প্রপ চেক্ষিহক্লুনা, উত্তঙ্কনা মাইন অনিহু কংলগা মমা ঠৌরাণীদা থুরকী। গুরু খোরানী মাইন্ কংলবদা হংভাইরংনা ইচাদি মপোল ওইজগা কায়না খোর পিরে, উত্তঙ্ক গুরুগী মফমদা চংশিখনা খুকমজরগা মানা তৌরকপা মায়ম পুমনমক হঙ্গংলি হুরুনা হায়রকই নংনা চংখিবদা নৈরগা মগ অহু, ঐরাবতনি ভোংলিবা অংমা ইন্দ্রনি পুরিষ অহুন অমৃতনি, অহু চাবদগী মাগলক য়োবা ঙমনি। থুপী অনিহুনা সত্য, অসত্য অচুম্বী, মীনখী কোবিনো, অংভাবা, অমুবা কি, নৈতেংবা অহুনা। অহিং, নংথিগ, অমম্বা অভানবা অনিহুনি। ময়া ১২ গুবা চাকা অহুগী মম্নান। পা ১২ নি। চাকা লৈরিবা চক্র অংমা সংবৎসর চহি অর্থাৎ ৬ লংসুং ৩৬০ পাগহুনা শংনবিবা অহুনা ঋতু ৬ নি লংসুং ৩৬০ অদুনা চংহ ১গী থুমিং মশিংনি। সংগাল অহুন অগ্নিদেবনি, তা পিব অহুনা ইন্দ্রনি; শংনা থুং ভতি লবহ্নদা মৈদি ব্রাহ্মণগী গুরুগী পেনবীহনা সোহায় তৌবিরম্পনী। ইন্দ্রনা ঐগী ... দা পন্‌বিহনা ইচাগ উপায় তৌরকপানী। অহু মংলমন্ত্রবদী তক্ষককি মথুংতগী মাইন কং লকপ ঙমগোইদবনী অসুমনা গুরুনা তাকপীরকই? উত্তঙ্ক গুরু খুকমহদুনা, বিদায় লৌজহনা চৎখ্‌রে। লম্বী চংলকপদ রাখল তৌমকই, লাম্নুদব ঐবু তক্ষক নংনা মমাব পাবা, অমাং ঐবু মাংসন্ন গনবা। ক্ষত্রব। তক্ষক মনা ঐগী মেরুবনা, মেরুববু লমন শিংবা ওমপ্রবদা কাপুরুষনী, অদুমা শাসনা হায়রি, কমদেনা লমন্ থুম ওমগাদগে॥ অমসুং এগীদা নত্তনা ক্রিবগী মেরুবা, ক পুবা লিন্‌শিং অসী মাংহনগে কমদৌরগা মগদে। হায়না বাক্য মে কপদা, জন্মেজয় কোবা নিংথৌ অহুতনা। লিন্দু জয় তৌবা ভবশনি হাংবা শংখদে? হাস্তনাগী নিংথৌ জন্মেজয়গা নিরবগা সর্প যজ্ঞ তৌংনা মহুনা কৌংগা, মীগী মেরুব কিমশি অসে, মৈদা থারগা খল্লকুনা উত্তঙ্ক ব্রাহ্মণ মমুমদা চল্লে হ ওনা রাজ। সভারোমদা লাকুনা থুংলবা। ব্রাহ্ম উবদা জন্মেজয় আসনদগী হৌগৎতুনা দণ্ডবত কংলগা আসন থাদ্দুনা পূজা তৌহ, কবি কাচী হায়রগে হংঙ। মহারাজ অ সন্দা ক্ষেমিরে, দান নিজরোই মহারাজদা রাবা অমতা শানিংহনা লাকচবাম? অসি হায়গনা জন্মেজয়গা উত্তঙ্ক ব্রাহ্মণগা (তক্ষকী) রাবী হৌখরে। সোতিনা হায়রে ভাবি ব্রাহ্ম সভা, উত্তঙ্কগী বাহায় অসি ভাবদা, জন্মেজয়না হায়রকই, ব্রাহ্মণনা তাকপীনিংবা করি লৈবগে? তাকপীয়ু। নিংথৌগী সেবাদা পেন্নবা উত্তঙ্কনা, হন্নেছ লৌবা লোংরগ, নিংথৌগী মফমদা হায়রক। মহারাজা হৌজিক মতম অসিদা, পৃথিবীদা পাল্লিবা নিংথৌ বৈবিক্তগী, অথোইবা ওইরবা নিংথৌনী। অমা কুবেরগী পান্দমগুমবা, প্রতাপ্তা কার্ত্তবিয্যার্জ্জুনগী মতৌগুমবা, প্রজাগী সাপদসু রঘু নিংথৌগী শাসনগুম্বী। ব্রাহ্মণ বৈষ্ণবকি সেবাদা নবুখৌ যুধিষ্টির নিংথৌগা মান্নবা, দেবরাজ ইন্দ্রনা অমরপুরদা, দেবতে ত্রিশকোটিমা দৌগন্‌বগী পান্দমগুম পাল্লি ধর্ম্মবু রক্ষা তৌবদা পিতা পরিক্ষিতকী মতৌগুম্বী।

মহারাজনা ভোগে হায়বা থবক্তা ওমাথাইদবা করি লৈবগে, অমুক্তি চাওনা পাল্লগা, পিতৃ বৈরিবু লমন শিংদনা লৈবা অসি করিননো ? জন্মেজয়না হায়রকই হে-ব্রাহ্মণ ঐগী ইপাগী য়েক্লবদী পৃথিবীদা 'কনা অমত্তা লৈতে। ইপা নিংথৌনা পাল্লবদী, অহিংসা মিত্তিদা চৎপা ইপাগী নিডৌনি। দিব খুদিংবু লূনা চাম্না য়োকপা। মী অমবুত্ত য়েক্লবা তৌদবা প্রজাবু পালন তৌবদা মমা মপা ওইবনা। মচাবু সুংশিবা মাহৈ লৈনব মমাব্লবদগী মীংথাই মীহেনবা কহল্লিংবদগী মচাবু লূনা চাম্না য়োকপগুম্না প্রজা শাসন তৌরগা ইপানা হায়না থংলে। ইপা নিংথৌগী য়েক্লবা (পিতৃবৈরী) অমা লৈরিনী হায়বা অসিদী জন্মেজয় ঐদী খংজদ। নিংথৌগী বা অসি তাবদা উত্তঙ্ক ব্রাহ্মণনা হায়রকই মহারাজদী অহুকত্তি গুণচাওরগা। হৌজিক ফাওবা ইপাগী য়েক্লবা মশক শংদনা লৈরমলী ঐ হাথগে তাবা মহারাজা। কদ্রুগী মচা নিপা বাসুকীগী মনাও ধর্ম্ম লৈত্রবা মী খুদিংবু য়েক্লবন মাগী মপুংসিগী ধর্ম্ম ওইহনা লৈরবা। শাগীদ য়েংবা মীসুংশি থংত্রবা মী মাংননবা তৌবনা মথৌ ওইরবা মহু কল্লবা তক্ষক কৌবা সিননা চিকহনা শিথিবনী মহারাজগী পিতানী। ইপা হাংখিবা তক্ষকপু হেনবা অসী পিতৃ বৈরি কয়া অমা লৈরিবগে ? হৌজিক নিংথৌমচা ওইবনা য়েক্লববু খু ম চনবা ওমত্রব। মী মহাক অহু মীথা পোননা লৈবা তৌরবা পুনসিনী অমম্মুং শাস্ত্রনা হায়রিবা অত্তাই তকঙী মশংদা জন্মেজয় নহাককীদি, অথোইব গুরু ওইরিবা ইপানি। অহুনা ইপা হাংপবু লমন শিংবা ওমত্রবদী, কাপুরুষদা তারগনী। মহারাজনা লমন শিংগে হায়রবদী পাগল ওইনবা মরম অমা হায়গ তাক্ষক অসী ঐগীসু য়েক্লবনী ঐসু মানা গুরু দখিনা কংনবা পৌষ নিংথৌগী রাণীদগী নিজনা পুবকপা কুণ্ডল মাইপ তক্ষকনা হুহনা পৃথিবদগী পাতাল চৌহনা অরাখা কমা নংহল্লে। মরম অসিনা লিনবু ওমগদবদা জন্মেজয় কৌবা মিং অসিদনা চংগদবনী মহারাজ লিনহী যজ্ঞ তৌরগা মন্ত্রগী ওম 'কোরগা। মগী য়েক্লব লিন পুংমক মদা থাজিন্দুনা ৩ং ওনহনসি পিতৃ বৈরি তাক্ষক মাবু মাংহনসী। অহুম তৌরবদী মহারাজগী মিংচংসু লৈগৌগনি মপোলম্ব সোয়দনা ওইগনি মরম অসিদগী মহারাজগী নকমদা উত্তঙ্ক ঐ লাক্লিংবনী। অমুনা ব্রাহ্মণনা হায়রক্লিবা অসিগুম্বা আদিপর্ব্বগী কথা অসি মীওইবনা তাব্রবদা পুন্যগী থংকনি ? শিরগা হরিধাম কংই। শ্রীবাসনা লেংখরবা মহ ভারতকী কথামৃতনী ইতি। হরিবোল হরিবোল হরিবোল ॥

অধ্যায়

জন্মেজয় নিংথৌনা লিনগী যজ্ঞ তৌবা

য়ারী মতাং।

নৈমিষা কৌবা বনদা য়ারী লীয়বা সৌতিনা তাইবা, শৌনকনচিংবা ব্রাহ্মণশিংনা মখমদা হায়রকই ? তাইবিয়ু মুনি পূয়মক্না হ বিয়ক্লিবা মথাগী য়ারী, জন্মেজয়না লিনগী যজ্ঞ তৌখিবহৃ লিজয়াগ উতঙ্ক হায়না কৌবা ব্রাহ্মণ অমনা হস্তিনাদা লাকতুনা জন্মেজয় নিংথৌদা মপাবুং পরীক্ষিত না শিথিবদী; তক্ষক্না চিকতুনা শিথিবনী হায়না মি শিংলবা। অমস্তুং মপাবুংবু হাংথিবগী লমন শিংউ হায়না নিংথৌগী পুক্নিং থৌথবে। মহারাজ নহারা চহি ৭ শুয়কপ মতাংদা নিংথৌ খুবম ঁশংয়মলগা তক্ষক্না চিকতুনা শিথিবনী। মতম কুইনা মোঙ্গাখ্রবা মপাবুংবু নিংশিংলকপদা অমস্তুং চুমনগী অমা অয়েক্না নংতনা "তক্ষক্না" চিকতুনা মপুসি লোমখিবা। মতম অহুদা অতাং ওইহ্নুনা ৭ তাহৌদব' য়াকম অত্তবু হসি নিংশিংলকপদা লাইওক অমদী মপা, মমা লুনা নিংবনা জন্মেজয় নিংথৌ. মপাবুং নিংশিংদুয়গা। মমিংতা প্রেমগী ঈবা চেনক্লে। মপাবুংগী থল্লগা, অমস্তুং তাক্ষক মানাচকতুনা শিথিবনি হায়বা য়াকম অসিগা।' শুভতাইখিদবনা কোকথক্না বজ্র তাবগুম য়াবনা চাইহাক্তং মৌন ব্রত ওইনা তুমিন্না লৈরুয়গা বাজ দরবারদা কমলিবা মন্ত্রীনচিংব রাজ সভাদা হংলকই। নিংথৌগী হংলকপা য়াথং তাবদা সভানা চপ মান্নন সেপখৎতুনা বেবাহার ফোংদোকখী। হংলকপা য়াকমদি 'উতঙ্ক" না শায়রিবা অসি অচুম্বর' ' হায়খি। মন্ত্রিনা খুমই চুমই মহাবাজ মহুগী মরম শমলপনা লীক্লগে তাবিয়ু। নোংমদী নপাবুং মহারাজ তেঙ্গোল লাগ্নী লোয়নহ্নুনা খুংনু থুংলাই শাগ্রন বথ কয়ামরম লোইনহ্নুনা নপাবুং মহারাজনা মৃগয়া লেংথোকপদা বন্দা শজি অমা' ভেল্লা পাল্লগা চেনখয়ে। শমিক সুনিনা য়া ডা দহ্নুনা তপ তৌরিত্তেদা শজি উহৌব্রা? হংলুট, থুমদে হায়বগী পাওহ্নুনা মনাক্তা তাহ্নুনা লৈরম্বা অশীবা লিন ১ মুনিগী মক্তা য়েংশিন্নমই। উহৌবা মুনিগী মচাগী মতাও "কৃশ" না মুনিগীমগা "শৃঙ্গি" দা তাকলুহ্নুনা ? লাক্লপ উয়হ্নুনা শাপ তৌখি। শৃঙ্গিদগী ভবেনি শুবা শমিত্তা তক্ষক কৌবা লিন্না চিকতুনা শিন্না হায়খি। মত্র তাবদা তপ কাইহ্নুনা শমীক হৌগৎতুনা মচাদ চৈখি। অমস্ত্র' মশাই সেবক গৌরমুখ থাহ্নুনা মপাবুংদা পাও অহ খুদক্তা তাকহল্লবে। গঙ্গাগী ঈয়াইদা শাবা শগারথক্তা লৈরগা মখাদ মীয়ামনা ঈশিং মথক্তা কোপ শাহ্নুনা মীয়ামনা থুংলাই পাইহ্নুনা কোইনা ডাকই। অমদি লিনগী মত্র হিদাক লোঙ্গনন্না মাইবনা চিংবা অমস্তুং বেদাগ্য ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব লোয়ননা প্রজানা ককচে

কাও চংবা ওমদা মখৈ ভাক শেনবী। পাত্র মন্ত্রিশিংগী য়াথম্পী শ্রী মহাভাগবত " তাগা শ্রীকৃষ্ণগী গুনা খন্ড মাম, কৃপা তৌগদি হায়না "শ্রীশুক দেব " লে বীর চনা য়ারী লখিবনী। শ্রী মহাভাগবত সপ্তাহ শ্রবনতৌহনা, খোয়াম পুম্নমক ভাক শেন্দুনা লৈবনী অমসুং মতম অহুদা য়াকম অসি, লৈপাক পুম্নমক মীপুম খুদিংমক ভাবী লিনগী মরীদা হেন্দোক খোংদোক্লা হৈবা "কাশ্যপ" মুনিনা নিংথৌগী থবাই কল্লগে লাকপদা লম্বীদা উথুনা তক্ষক ন সম্বাদ ওন্দুনা হৈবকগা লম্বীদ মরম হংনবা মহৈ ২ নাপল তৌনহন খোমাংবট পাখী ১দা চিন্দুনা উং ওইরবদগী কাশ্যপা হায়রী মতৌ কথ হিংহনখী তক্ষক মুনিদা ব্রাহ্মণ মখোইগী ব্রহ্মশাপ বাক্য ভাকদৌবনী হায়রুনা মকোকীমনিন গ্ন। খোকহল্লগ পিরম্না লম্বীদগী আশ্রমদা হলহনখী। উপাল অনো উং শৈবদ শীংচনবা মুপ ১ম্ব উথক্তা য়াওরিবা, অমুক হিংলতবিরকুনা মথাক্লা খৌথাক অসি তাশেংনা ব্রাহ্মণপদগী ঐহ মথাকী মচিন্দগী ভাবনি মরমসিনা উত্তঙ্ক "মুনিনা হায়রিবসি অচুম্বামাক। অড়গ মচা মনাই থরবা ব্রাহ্মন শাওগা মানা হৈনৌ অমুনবগী মঙ্গদা তৌল মচা ওইনা চংহুনা নি থেদা কংহল্লগা হৈনৌদগী খোরকনা চিকখিবনী। থাজবা য়াব মখি অহল অচৌগী য়া তাবদা জন্মেজয় নিংথৌদে শাওবনা ভয়ংথ লখিন্দ্র, তকপা থক শক নিংকুই, থাচিকনা পাম্মোম তিংই অমসু হায়রকই। লিনগী শাং কুম্না হানব উপায় কবি লৈ কয় মন্ত্রিনা হায় যজ্ঞ তৌবিয়ু। নিংথৌনা কয়ে মতুনা মভিক চাগনি, মরমদি পাবুবু লিনগী তন চাকন শিখিবা, হৌজিকা যজ্ঞগী মৈদা লিনশিংবু চাকহনবা য়াম্মা কয়ে যজ্ঞগী খোরাং তৌ ব হাযতুন নিংথৌ খাবং মনাইশিংদা শিন্নখৎন। জন্মেজয় নিংথৌ উত্তঙ্ক ব্রাহ্মনবু ভক্তিতৌহুনা হায় প ব্রাহ্মনটসু হায়রবা তক্ষক অমসু লিনজাং কুম্নবা যজ্ঞ তৌরসী বেবই। ওইবিবো মুংৎ অতদগী যজ্ঞ তৌবা য়াবা ভুমিংসু বেদজ্ঞ পণ্ডিতগা লেপ্পুনা খুং হৈবপ না মভিক চাবা কুণ্ড, মাণ্ডবনচিংব শাব, শেখা পোংল য়াংবা তৌরক্লে। খুংহৈবশিংনা,হায়খী মহারাজগী থবক অসি লোইশিনদৈদা লৈথোক বিজাহব (বিঘ্ন) শোয়দনা লাকদৌর, ঐ খায়না থবক তুবদা শক্তি কংশোংদিংবেন হায জওবৌবদি মখং হা বনু ওয়ৌই কবি উপায় লৈবগ? নিংথৌনা হায় মগাবাজ। যজ্ঞ শোইদ্রি কাওবা কনাগুম্বা ১তা চাহন্দ্রবদি কাইবোই নিংই। থারীদা নি থৌনা মহুমক শিন্নহুন ভাগহনখৎন। যজ্ঞ কম্নবা বেদগা ব্রাহ্মন শিশিং কুন থাগতোন তৌরগ্র, খাণ্ডব কংবা মুনি ঋষি খুডভবে। সৌতিনা হায়রৈ, জন্মেজয় নিংথৌনা মনাইশিংদা শিন্নহুনা যজ্ঞগী পোংলম পাংতনা থমবৗ -- ঘী, থাও চহু, শীংলং মহৈ মহৈ, কি, কৌ, যব, কুশ, চং, খোইদিং, লৈ মুনচিংবা যজ্ঞদা চংবা হৌনবা পোংকী থাং গুনা ময়াং কাহনা থমখৎব। অতুগী ফুংদা যজ্ঞদা কহীগদবা বারেংদা কংবা ব্রাহ্মন শিংনা উত্তঙ্ক, উদ্দালোক, চণ্ড ভার্গব, মার্কণ্ড শৌনক, দেবল, নচিংবা মতিক মতুন চাওরবা নারদ ঋষি অমসুং ব্যাস মুনিমক য়াওনা খুংলরে। মতম ওইরকপা যজ্ঞ হৌবিবো হায়না থাধ্ন শিরক ভাওামি লেবারিশিনা ব্রাহ্মন মরাম হৌবিরে; জন্মেজয় যজ্ঞ সংকল্প আসুম্বা কয়থরে। ব্রাহ্মণশিংনা হোমবী পুজা কংলগা অগ্নি আবাহন তৌহুনা পুজা তৌরে ব্রাহ্মণশিংনা মতম চানা

চৌনবী নিয়ম কায়দনা, যজ্ঞগী 'বেদ মন্ত্র শোন্দুনা হোমদা। যজ্ঞ কুণ্ডদ শাঙ্গং থাদদুনা ঘী থাও হেনহনা মৈ হোগংখরে, চং থোইদিং লৈ, তুলসী কৎতুনা যজ্ঞ হৌগংলক্লে বেদ মন্ত্র শোন্দুনা লিন কৌরকপদা কয়াদ কনখরবা মন্ত্রগী গুননো ? চাওর চাওরবা লিন চেনশিল্লক্লুনা অতিয়াদা পাইবগুম্বা লাক্লুনা যজ্ঞগী মৈদা তাহনা কয়া কয়া শিরবে। অহেকপান, পাৎ, কংকান চীং নাক, জঙ্গোল অমম্ভু উমংদগী মশিং লাকচদন মৈদা তারে। ব্রাহ্মণ ময়াম যজ্ঞ মন্ত্রদা লিনগী মিথৈ শোল্ল শোম্নহনা হোম তৌবদা লিনগী জাং অমত থংবা ডম্থিদ। দ্বীপ ৭ খণ্ড ২ দগী সমুদ্রদগী পাতালদগী 'নাগ আর্কষন মন্ত্রগী পাঙ্গমা চিংচক্লুনা পাইরকপনা মৈগুংদা ৩ বরে কবিগুণ্ডদা উবা কংনদ্রিবা লিনগী জাংনা অমময়া শান্নগুম, কনানা লগোলগুম, কনানা উইকুন্না চাওরবা, অতৌবা, অমুবা, অরাংবা অহস্লুং নাপু মচুগী লিন্না মইকৈ মরিদা কাম্বা লাউ থোংব, মনিয়া পুমনিন নিনুখ্রর। লিন চাকপগী মনম্মা দেশ অন্দা নমথিবনা লৈবা মানরক্তে শাংবদা চাভবদ হায়নিচাই প্রমান লৈত্রবা, মতেংক্লা ১০।২০।৫০।১০০ পাল্লবা পুম্নমক নোংচুলগুম্না যজ্ঞ কুণ্ডদ তাহনা শিথরে। মডকপনি লিনগী যজ্ঞ প্রলয়গী মতৌ এ ওইরক্লে অতিয়াদা হায়গংলকপা লৈরি যুথক ২০০ রোম রাংনা হায়গ লক্লে। তক্ষক কৌবা লিন অহুদি যজ্ঞগী পাও হেক তাবদগী শোবারেনদ, চংজহনা প্রান কনবিথু হায়না, থোংদাক দং লাহন হায়জক্লবদা। ইন্দ্রনা শরনাগত ওনি হায়হনা মনাক্তা থমৌথী। মতম অহুদা লন পুন্নমক্তা অথাইবা "বাসুকি" না লিন শাগোগা অরাব তাব, য়েংবা ওয়ক্লহনা মমাও চগী রা নিংশহেন মচম্নাদা হাংজথা যজ্ঞদগী লিনবু কন্সি মমাগী শাপ লৈথিবা অমস্তুং শাপ কোক্লবা লৈথিবা নিংশিংলন জরৎকারীন মচাগুপা আস্তিক" মুনিবু কৌরক্লে। মমানা চক কৌরকপদা লাইনিংফমদগী মকুপ্পা থুচচরে মমানা হায়রকই এ অস্তিক ইচানা মাচুলং শিবু কপ্ন নরবখাক্লী য়াখং লৈথিবনি ইচানতুনা কনবিনবা নক্তে হায়ন কপ্পুনা হায়খরে। অস্তিক "মুনিনা কপকপ্পু মমম্ভ ইমাও রাবিগুম ঐ চং ক হায়না মামা থুরম্নে, অস্তিক স্তিনাদা জন্মেজয়গী যজ্ঞ মফম তয়া চংখির ই। চেকপা কোয়থ্রবা অহগী থোংদা, য়েংখিহনা অস্তিক অমুক্তা চংগে হায়রুবদা পোতাকপা কাবুনা চংহক্লে। ব্রাহ্মণ এবু থৌওইদবদি উং ওইনা পুম্নমক মাক্লেরা ? অস্তিক হায়ব ব্রাহ্মণ মচা অহু ঐন। নংগো জন্মেজয়দা হজংগু ঐ তৌজিকমক যজ্ঞশালা চঙলগা নিংথৌ উনগে লাকপনী। কুইনা পনবা য়াদে থিল্লে চংলু রাম্ভাং মসা তাবদা দ্বারীনা চেনশিন্দুনা নিংথৌনী য়াখং পৌক্লবদা ব্রাহ্মণ ওইরবদী থাজিল্লকউ হায়রগবদা অস্তিক মুনিদো থোং হাংহন মথুংদা থাজিলক্লে। মথুং অহুদা যজ্ঞগী বেদ মন্ত্র থিবগী লিনশিংনা লাউ থোংবা মৈদা চাকপগী ধ্বনিগা পুল্লিল মিলমই। অস্তিকস্থ মাগী মমিংবু তাবদা খংদবা লাওহ্রবা, মগুণ চেনবা ব্রাহ্মণ অমা ওইবদগী অউবা মী থুদিংনা থুকমথি। অস্তিকনা মহাকা বেদ

মন্ত্র থীদুনা থীজন "জনমেজয় নিংথৌগী থাবা পাগংদুনা চপিনখী। মহাভারতকী বারী অসিদা পুনসী মশক্তী। শ্রীব্যাসদেবনা শ্লোক লৈশিং চাম্না লৈরুবা অদুম্মক ইংলগা ওইনবা মীওইবনা হেক তাকপদা পাপ লৈতবিক লোক্তুনা অদুগী নতেঙদা হরিধাম ফংলবা। বাসুদেব শ্রীকৃষ্ণগী বীর রস লিলা ওইবা মহাভারতনি। শ্রীশুকদেবনা শুক অদুনা তেঙ্গবা হরিদাস সিংহনা মাতৃভাষা ইমা-লোন্দা ইরুবগী লোনবু বৈষ্ণব সমাজনা তাকপীগনি। ইরুবীবা রাণী মহা অসী। শ্রীলাইশ্রম গোকুল সিংহ কথাবাচক পণ্ডিত থান্না নবীনমবা ওপাগী শকক্তি। তোল্লবা ইন সেবা ওইনা, চাপ তৌবা, মা বা খোমডিন্দুনা ইং বক্তী। ইতি হরিবোল হরিবোল হরিবোল

অধ্যায়

অস্তিক মুনিনা জন্মেজয়গী যজ্ঞবু থাগংপা

বারী মতাং ॥

অস্তিক মুনিনা যজ্ঞ থকরবা, সুংশিরবা বাইনা হায়রকই। হে ভরত বংশগী অখোইব জন্মেজয় নিংথৌ থাইন মমাংদা যরুন অমসুং প্রজাপতিনা "প্রয়াগত" লিংখৎখিবা যজ্ঞন মথাকী যজ্ঞ অসীদগী হেন্না চপ মাদে। হন্দকী যজ্ঞ অসি য়েংবদা নিংথিজে হেক তাবত্তা পুক্কি সুংওইবা পোকই। যজ্ঞগী জাৎ কয়া তাদ্রে, কনাগুম্বনা অসিগুম্বা যজ্ঞ তৌখিদ্রি হায়বদা হায়মনব পোকলোই মরমদি ক্ষেত্র মরক্কগী অ থাইবনি অতাংবনী দহাক পোকপদগী থাগী শাদে পুম্নমক মিংচৎ হেনগৎহল্লি। ইখোয়গীসু নিংথৌগীসু অকবা শকক্তা ওইরসনু। মহারাজগী গুণবু শিংথ হুনসু লোয়ররোই। থাংলমচৎজনু খোকথিদ্রি মতুংদসু লাক্লরোই। হে ভরত শাদেগী অখোইবা

মমাংদা শোরাংবগী যজ্ঞ অসি চামরক তৌখি হাসম তাই, হৌজিকসু অমুক হন্দুনা তিথি তরারক হন্ন, তৌরকুনসু হন্দকী মহারা নী যজ্ঞ অসিগা পাম্নগদবা ওইদে। যজ্ঞ অসিনা ইখোয়গীস মহারাজগীসু, অকবা ওইরসনু। মীনা লাইনা থকহবা যজ্ঞবু মহারাজা নহাক্না লাইনা পাংথোক্লন তৌরি, যজ্ঞ অসী উবদা অতকপগী মশক ওইথরে সর্ব ভূমাপতি চন্দ্রবংশ থাগী শাদেগী অখোইব হে-নিংথৌ ॥ মমাংদা গয়; হস্তিনমুখ, মহারাজা, রন্তি দেব, নিংথৌনচিংবনা তৌখিবা যজ্ঞশিংগ নহাক্কী যজ্ঞ অসিগা .খয়বা ওইদ্রে। মমাংদা গয় তৌবা নিংথৌয়া, শশ বিন্দু অমসুং, কুবেরন তৌখিবা, মক্ষ থুদিং শিষ্যনা ভানপ্রুবা মমিং চংপা যজ্ঞশিং অদু হন্দকী মহারাজগী অসিগুম্বনি

মরম অদুমা ঐখোয় পুন্নমজীন্নি, মহারাজগীন্নি অকবা শরুকা ওইরসন্ন। পৃথিবী অসিদা মমিং চাওনা চংখৎলবা কলিগী যুগতা লাইবু খুদুম চান্নগা সতাগী ধর্ম্মগা চপ মান্ননা ধর্ম্মবু ঙাক্তুনা পালনবা, পিতা পরিক্ষিত নিংথৌনা মাল্লবগুম্না তিম্ন। নৃগ নিংথৌ; অম্বরীষ নিংথৌ, শ্রীরাম চন্দ্রনা থৌখিবা যজ্ঞগা খেন্নবা লৈতে। নোঙ্গাখরবা "প্রাত স্মরনীয়" মাংহৌরকপদা নিংশিংবদা মঙ্গল-মাইকবগী মশক ওইবা। মহাক্না শ্রীযুধিষ্ঠির নিংথৌনা থৌখিবা যজ্ঞসু ঐনা তাই। মুনি মরক্তগী অখোইবা সত্য-বতীগী গর্ভদগী পোকখ্রবা, "ব্যাস দেবনা" মশামক্তা থবক্তঃ পিনা থৌখিবা, পুরোহিতসু ওইখিবা অদুগা, নহাক্না কনকী যজ্ঞ অসিগা মান্নরে। চান্নববা ঐখোই খ্বাইগীন্নি, মহারাজগীন্নি অকবা ওইরসন্নু, হে-মহারাজা সংক্ষেপ্তগী থোনা লিংজন্দসু? মহারাজগুম্বা তুংদা লাক্লরোই। হুমং থানা লৈরিবা, পৃথিবীনা প্রলয় ওইদ্রিবমখৈ, মীনা শোমহৌরনী, মপাবুং নিংবা হে নিংথৌ। নহাক্না যজ্ঞদা কম্লিবা যজ্ঞগী থবক থৌরিবা ব্রাহ্মনশিং অসিদি, তুমিংকী মঙানগুম্না পুন্নমক্তগী কনকা থোনা হেল্লবা, লৌশিং শিংলবা মুনি ঙাকনি॥ মথোয়দা থক্তিংবু কংলুবদা মহৈ মাওবা লৈত্রবা, মত্তিক মঙণ চাংবা ব্যাসদেব মাওবীরী। শোরারেনগী যজ্ঞ থৌবা খুদিংদা, শগোলশেন ওরুনা চিংবা মুনিশানে পুরোহিত ওইবগুম্না, নহাক্নীদা কম্মিবিবা শ্রীব্যাস মুনি অসে মাগুম্বা মংওল অকমক্তা লৈতবনি। মহাক্কি সেবকমক্তনা মণি লাকমদবা মথৈ পৃদিবাগী মফম খুদিং শিল্লুনা লৈখরবা, অমসু থোকচং চংদুনা যজ্ঞ খুদিং থৌরিবিবা ব্যাসগী সেবক ঙাক্লনী। ব্রহ্মগুম্বা কাওরবা শক্তা বেদ সূত্র মখিমক তন্দকী যজ্ঞ অসিদা মাওবিরী, গুণ লৈরবা ব্রহ্ম ঋষি পুন্নমক ওয়ে। সনাগী মত্তৌগুমবা ওংনা লংলবা, অমসুং সনাগী মহীনা চেংথবগুমনা মাগী মশক ওইরিব, কচ্চরিবা পোংকি মথৈ চাখিরিব, অমুবা মৈথুনা মাগী লম্বী ওইরিবা, মৈ কোবা লাইনা। থেং ওইবনা কোয়রিবা, মৈরীনা মহারাজনা কংপা পোংলম্ অপুম্বা লৌশিল্লি, চাশিল্লি। সংসারদা "জন্মেজয়" মিংথৌগা মান্নবা অমা লৈরম্বাই? শংজাবু ঙাকপিবদা থাংবা কনবদসু অমা উবকত্রি, প্রজাশিংনা থাগৎলন্নি, শোম্নরি, ইপা ইমাগী মশকনি হায়নরি, মীপুম খুদিংনা শোম্নরি। মমাঙতৈদসু ওইখিত্রি মতুংদসু থোক্লরোই? সর্গদা শোরারেন, মর্ত্তদা জন্মেজয় অহানী? চাংবদা মত্তিক চারবা মিংথৌনি। চন্দ্রবংশগী থাওমৈগুমনা ঙাল্লবা, নিংখিবা গুণ খৈবির তিন্না? জন্মেজয় নিংথৌগী মঙণ অসিদা চাংদমনিন্নাই লৈখিত্রে। খট্টাঙ্গ, দিলিপ, যযাতি, মন্ধাতা, শিবি নিংথৌগুম্বী? তুমিংকী মত্তৌগুম মঙণ চেন্নিবনী। ভীষ্মগী মত্তৌগুম রাংক চেংলী; বাল্মীকীগী মত্তৌগুম্বা থাংবা কল্লিবনী। বশিষ্ঠগী মত্তৌগুম্ শাওদবা, শোরারেনগুম্না পৌনা কবনি। হায়মনবা থোকত্রা, "অতিক" ঐনা হায়বিনই নিংথৌগী মঙণসে নারায়নগী শেজ গুম্না ওইখারে। যমুগা মান্নবা ধর্ম্ম লৈবনী, শ্রীকৃষ্ণগী মত্তৌ মান্ননা গুম্না মথোন্না পুল্লিদা। মাইকৈ ঙাকপা লাইগুম্না হুংঙাইরি,, যজ্ঞ থৌবদা মঙন হেনগৎলি। দক্ষোত্তব নিংথৌগুম মপাঙ্গল কল্লি, খুৎসু খুংলাইদা 'পরশুরাম' গুণনী। মৈচাক 'ঙনবা অঙৈম্

কনবদা ঔৰ্ব্ব, ত্ৰিত মুনিগুম্বা, লানফমদনা ভগীরথ নিংথৌগুম্বনী। য়ারী তাবিবা মুনি মরাম য়েংহনা য়ারী লৌরিবা সৌতি মুনিনা হায়জরকই, য়ানীতাবিরিব। ব্ৰাহ্মণ পুম্নমক মতৌ অমুমনা থাগংপা বাহৈগা লোয়ননা কঙবা য়াডাংনা শেল্লশোল্লনা, 'আস্তিক মুনিনা চংশকপা মফম অদুগী ব্ৰাহ্মণ অমদি নিংথৌ জন্মেজয়নচিংবনা, অস্তিক মুনিবু পেন্নরে। অমম্ব' মথোইগী থমোই হুথরে, মৈ কৌবা লাই মরুপ্ন যজ্ঞদা পেনথরে। ময়ামপু পেন্নবদা মাগী মাগী তোকম থোকপ থবক কাওনরে মতম অদুদা জন্মেজয় নিংথৌনা অস্তিক মুনদা চান্নবগী য়াহৈনা হায়বা হৌখি। আদিপর্ব মহাভারতকী মতাং অসিদা অস্তিক মুনিনা যজ্ঞ থাগংপা ময়ামপু পেন্নহন্ব' অধ্যায় লোইরে। হরিবোল হরিবোল হরিবোল।

অধ্যায়

অস্তিক মুনিনা লিনগী যজ্ঞ থামখিবা য়ারী মতাং অমা

জন্মেজয়না হায়রকই ওাং তাং প্রজাপা। তাবিয়ু ব্রহ্ম সভাবু, যজ্ঞশালাদা হন্দক চংলকইবা ব্রাহ্মণ মচা অসি মতৌদি অঙাং ওইনা উইদি গায়বনু ডা বোককইবা য়া হদি অঙাং নত্তে। এথোই খাইনা তাখি খংখিদ্রিবা, নিংথৌরেন কয়াগী কুইরবা য়ানা হৌজিক মানা তাংনি? মরম অসিনা নিংথিন মণ্ডান্দা কংনিংই পেনহনলিংই। তাবায়ু ব্রহ্ম ,সভা পুমনমক এনা হায়জবা য়াবিয়ু' মানা পাবা পোং এনা মণ্ডান্দা দান তৌরগ, মহুগী বৌনবা তে।। নিংথৌগী য়াথংদগী সেবারীশিংনা, অস্তিক মুনিগী আসন থায়, অর্ঘ্য সভ থুকন্নগা কমী, যজ্ঞদ ফমিবা ব্রহ্ম সভানা নিথৌদ হায়রকই, মহারাজবু অঙাং অহল বেদ হেবা হৈতব খিদহুনা, ব্রাহ্মণনা নিংথৌনা পুঙা তোবনা অচুম্বনি। মানা নিব, পিগদবনি মহাকপু পেলহনগদবনি। তৌইগুম্বসুং তক্ষক এদি লাকহনখিবা অমসুং যজ্ঞ অসি লোইশিনহৌবনদি ফগদ্রা? মহারাজনা তৌরিবা যজ্ঞ অসী পিতৃ বৈরী তক্ষকপু হাংকে, ইপাগী য়েকনব পৃথিবাদা থম্মনাই হায়বগী যজ্ঞনী দান তৌরুবরী যজ্ঞ কায়গনী। সৌতিন হায়ই শৌনকা চিংবা মুনি পুমনমক জন্মেজয় নিংথৌনা অস্তিক মুনিদা অপাম্বা পিগে হায়গদবগী ওন্শিল্লকপা মতমদা। হোম তৌরিবা "চণ্ড ভার্গব" মুনিনা, নিংথৌদা হায়খি, মহারাজ অমুক্কা পুক্কিং তপথবিযু? য়েক্রব তক্ষক লাকত্রিদসিদা অপাম্বা হংলুরবদা যজ্ঞ কাইবা য়াই। নিংথৌনা হায়, চুমহে, য়ানা থুনা তক্ষক লাক্কবা যজ্ঞ মন্ত্র শোনবারো। য়া অসী তাবদা, থোঙ্গিদোক হেন্দোনা থং হৈরবা মুনিশিংনা হায়। তক্ষক লাকত্রবসিদী যজ্ঞগী মৈমা অমসুং মৈথুগী মাইওন য়েংবদা, খুদম্না থংবা ওমলে, হৌজিক শোরারেন্দা চংজহুনা দেবরাজনা কন্দুনা থমথরে। মরম অদুনা তক্ষক নিংথৌগী য়েক্কবা লাক্কবনী, দেব শক্তিনা ফাহুনা থমথরে।

র' অসি তাবদা জন্মেজয় নিংথৌনা, হায়রিংঙাই লৈত্রবা মথৈ শাওরদুনা হায়রকই, ঐখোয়মক থাবোরিবা ব্রাহ্মণশিংনা তক্ষকপু লোয়ননা, শোয়ারেনমক লাক্লবা অকনবা মন্ত্র খোনবারো ? সোয়ারেনমক ঐখোয়গী য়েঙবা ওয়রে। নিংথৌগী অথাওবগী হাঙাং তোবদা ব্রাহ্মণশিংনা, অকনবা মন্ত্র খোম্লুনা মৈদা হোনবী নিয়ম তৌবদ' থা'বা ডমগদুনা 'সোয়ারেঙা তক্ষক লোইননা' মন্ত্র শক্তিনা চিলক্লে। অতক্ষপনি। কয়াদা কনথরবা মন্ত্রগী শক্তি ? সোয়ারেন্দা নত্তনা মনাই কয়ামকমক পুংরৈ ইন্দ্র শক থোংগদ তৌদুনা লোইনরক্লে। মতম অদুদা শোয়ারেঙা যজ্ঞগী মৈ উক্লবা কিবনা নিক্লরে, কনবোরিবা তক্ষকপুম্ক ফিম খুমদুনা কোনথোখি তক্ষকপু কোল্লু বদগী ইন্দ্র দেব রাজহ, আকর্শন মন্ত্রগী পাঙ্গল্না চিঙকপনা। অতিয়া অরাংবদা লেংদনা লৈবা ডমগদুনা, যজ্ঞগী মৈরৌনা হায়গংলকইবা অদোমদা নকশিল্লক্লে। ব্রাহ্মণশিংগী মন্ত্র শক্তিনা শুন্দা চিংদুনা পুরকপনা যজ্ঞ নকাশল্লকপদা সোয়ারেঙ' ম্নাঙ্গা কিশিল্লক্লে অমসুং 'ঐ' হায়বদুন' লুশিল্লকপনা তক্ষকপু থাদোক্ল'া শে'বা'রন্ লাইগী কোম্লং তাম্না চেন্'শিরমই। তক্ষক মাহাকপু লৈ'থাক্লনা চেনগে হোংনবদা ডমখি'দ যজ্ঞরোমদ' কয়া চি'শিনশিরমই। মতম অদুদা ঐ শিবা তা'র শোয়'ত্র চায়থন লাউ খোংদুনা, মশা থেক হায়দুনা শুন্দা পাইবগুম যজ্ঞ'রামদ' চ'শিল্ল'ক্ল। অদু উবদা যজ্ঞ তৌরিবা পুরোহিতন হায়রকই, মহারাজ ইথু'ডা য়েংবিয়ু, য়েকনব' তক্ষকপু ডমগল। মহারাজা থাংবা ডমগদুন' লাক্লিব অমসুং কিবনা শোর মপি হোন্দুনা লাউ খো'দুন' থেক হায়দুনা লাকপিবা অসি মিংয়েং তাবিয়ু। হৌক্তিক মহারাজগী নি'বা থুংবিবা য়ারগনী ? যজ্ঞ মপুং ফাবমক য়ারগনী, তক্ষক লাক্লবদি ইন্দ্রক থবক অসী মপুং ফারে। তক্ষকনা মৈযজ্ঞ' হায়ধন'দ'রিবহ উবদ', অস্তিগ-যোগ শক্তিনা তিম্ব তিম্ব হায়দুনা, লাওদুনা অতিয়াদ' থামদুনা লে দনা থমথা। নিংথৌনা পুরোহিতকী র' তাবদা নিংথিবা রাইমা খুদক অডমক্তদা অস্তিক মুনিদা য়েংদুনা হায়রকই। হে-ব্রাহ্মণ মচা নহাক অসি য়েংবদা অঙাং ওইনা উবগা, হায়দোক্লকপা খোঙ্খোক্তি মহা পণ্ডিত ওইনা তৌই। করি থবক্তি ঐগী ইনাক্তা লাক্লিবনো অমসুং করি হায়নিংবা লৈবগে, মংনা পাম্বা পোংলমক্ল লেপ্লমক খোয়দনা ঐনা পীরগে। ভূমীদান, গোদান স্বর্ণদান, রৌপ্যদান, বস্ত্রদান, অন্ন দান, হায়রিবা অসিদগী অপাম্বত হায়বিয়ু ঐনা সোইদনা কংকনী। অস্তিকা খুমলংই, মহারাজ, ঐনা পাম্বা হাংজো হায়রধদি যজ্ঞ অসি লেপ্লীয়ো ? মসিং লাকখমক্লবা জীবমু শিংসা তোবা লীন্ হাংপা তোকপীরো। মহারাজ-দগী ব্রাহ্মণ মচা ঐনা ভিক্ষা ওইনা বিজয়ী 'নংথৌনা দান ওইনা পিনবীয়ু। অদু ওইরবদি ঐগী পেনব ওরগনি। জন্মেজয়না হায়খি—হে ব্রাহ্মণ ঐগী যজ্ঞ লেপ্লা হায়বিগমক্ল সনারা, লুপারা, মণি মুক্তারা অতোপ্পা করিগুম্বা অম দা হায় বম্ব ঐনা ব্রাহ্মণগী পেনবা দান কক্লগে। অস্তিকা জন্মেজয় নিংথৌন' হায়খি, অস্তিক মুনিনা হায় মহারাজ। অতৈ পামদ যজ্ঞ লেপ্লীয়ো লীন হাংপা তোকপিয়ো অস্তিকা অস্তিক মনিং ২ দা শ্রেমগী থাবনা পদা ঈংহৌবকপগুম শিম্বনা, নিংথৌগী মকমদা হয়া

হৱা হায়জৱকই। মিংথৌনা হে মুনি অতৈদা, লৈপাক কোপুং ফাওবদা অমা পীগে. হায়রিবু যজ্ঞ অসিদদি হায়গনৱ, ঐগী য়েকনবা হাংত্রি, ঈপা হাংপা লমন শিংজগে। অস্তিকনা হায়রকই মহারাজ তক্ষকপু শিথবদি, ঐনা মহারাজগী মফমদা দান নিরুহনা কাগ্নরে। দান পিগে হায়রবদি যজ্ঞ তোকপীরো জিন্গী শাগ্গবু কনজরগে। নিংথৌদা ঐনা নিজরিবা দান্দি অসিনা, দান পিনবিরো অনুৱা অস্তিকনা হায়। মহারাজদা পণ্ডিতনী পণ্ডিতনবু অমুৱ তোবা হৌনরা। নপাবুং ইবুঙো শ্রীপরিক্ষিতকি মপুন্জি লোইহনা লোজাখ্রবনী। অতুগীমু মথক্তা নপাবুংনা ব্রাহ্মণদা পীন অসিবা য়েংশিন্দুনা লংজরুবদগী ব্রহ্ম শাপ ফোথিবনী। তক্ষকনা মবুকথোকনা হেক্তা চিকপা নত্তেনা মহারাজ। মানা-মানা তে বা কর্ম্মগী মহৈত্ মানা মানা অতুমক ফংবনা, মরাল পিকম থোক্কবা তক্ষকনা নগনা মশিং লাকচমর‍্রবা লীনগী জাৎ করা কয়া মাংহনখরবনে, অসিগুম্বা হিংসাগী থবক অসিদা. অমুক য়াম্বা প্রজানা অথাগ্বা অমত্তা য়াওদবা অসিমু অডকপনি। নিংথৌনা বুদ্ধি মূৱা য়াথল তৌবিয়ু, ঐনা পাম্বা হায়রু পিগে হায়দাকখরগা, অপাম্বা হায়রর পিনিংয়ে ঐনা করি অমুক হায়কম লৈজগ্রে নিংথৌগী বুদ্ধি য়াথল মঙাইরে। হে মহারাজ অহিংসা পরম ধর্ম্ম, শাস্ত্রগী বচন মাসিবু ব্রহ্ম সভানা থনবীয়ু, অসিগুম্বা অস্তিকী লেংবা য়াত্রবা উচুক হৈরগুম্বা বা অসি তাবদা। নিংথৌ অমসুং মুনি, পুরোহিত অমসুং প্রজা পুমমক ইকাইবগা লোইনমা উম, চুমহ্. ২ হায়না মীপুম থুদিং তুমিন্না লৈনখি। ভাইহাক লৈরগা পুরিতনচিংবা মীয়াম্না। ব্রাহ্মণ মচা অসিনা অপাম্বা পীথীবনা ফগনী, হায়দোরক্লে। প্রজাগী পুকনিংগী য়া থংলহনা অমসুং মাশাকনা হায়দোকথীবা য়াহৈ সভা ভাকুনা। অস্তিক্তা ন.না বীংবা থুংজখরো হায়খী। নিংথৌনা য়াহায় দান অসী ফগুবদ, অস্তিনা মাগী মামা ভাকক, যজ্ঞদ সিহৌরিবা লিনগী জাংসু লোইনা কন্থর ঃ যজ্ঞ লোইশিনবীয়ো হায়না, জন্মেজয়না হায়খী। ব্রহ্ম সভানা যজ্ঞ পূর্ণা হুতি পিঠনা লোইশিনলে, নিংথৌনা ব্রহ্ম ভুজন দান লোইখরে। নৈমিষা কানন্দা য়ারী তারিবা ব্রাহ্মণ ময়ামগী মরক্তী ? শৌনক মুনিনা য়ারী নীরিবা সৌতি মুনিদা হায়খী জন্মেজয়গী লিন্ যজ্ঞদা মৈদা চাকুনা শিখিবা লিন্শিং অহ ? লিশিং নক্ত্রগা লাক করা ওইথরবা; অমসুং মমিং, মচু করুম্বা অমুক্তা হন্দুনা লীবিয়ু। শৌনকপাচি বা মুনি ময়ামা হুগুকপা য়া অসি তারগা। শাস্ত্রগা ওইরবা পুরানগী য়ারী লিয়ীবা সৌতিনা খুমই ? ব্রহ্ম সভাবু যজ্ঞদা য়াওথরবা শিথরবা লিন্গী মমিং মশিং, ভুনা হায়রবা ঐনা ভবলয়োই তৌইগুমসুং ঐনা মিংশিংবা য়াবামথৈ চাওরাকনা হায়জয়কে তাবিয়ু। বাসুকীগী শাগৈদা পোকথরবা অশাংবা, অঙাংবা, অঙৌবা, য়ানা চাওরবা অকিবগী শকক্ম্ ওইবা অমসুং মচু করবা, মমা কদ্রুগী শাপনা জন্মেজয় নিংথৌগী যজ্ঞগী মৈহুংদা তাহনা শিবিবা লিশিং লিশিং করা ওইখরবনী। মথোয়গী মমিংশিং অহ ঐনা নিংশিংবা থোকপা মথৈ মমিং হায়রগে তাবীয়ু। মপাক ওইবা থরগী মমিং অহুদি : .

কালবেত্তা, পুরশাল, পাল, হলীমক. মানস, পিচ্ছল, কৌনপ, শরণচক্র, হিরন্য বাহু, প্রকালন, কালদন্তক, বাসুকীগী বংশনি । তক্ষকী শাগৈদা পুচ্ছাণ্ডক, মণ্ডলক, পিণ্ডসক্তা, ভগরভেনক, বিষতেজ, শরভ, উচ্ছিখ, বিরোহন, শিলি, করমুক, সুকুমার, প্রবেপন, শিগুরোমা, শালিপুদ্দার, সুরোমা, মহাহনু . অসি মথৈ তক্ষককী শাগৈনি ? মৈহুংদা চংহুনা শিগ্রবনি। পরাবত, পারিজাত পাণ্ডর, হরিণ, কৃশ, বিহঙ্গ, শারভ, মেদ, সংহ তাপন্ , মসিমথৈনা ঐরাবতকী শাগৈনি, মথোই লোইনমক্ শিগ্রবনি। কৌরব্য কৌবা লিনগী শাগৈদা পাকপা কুমারক. বেনী স্কন্দ, শৃংবের, বেল্লী, এরক, কুণ্ডল, বাহুক, ধুর্ত্তক, প্রাত, কৌষারত, মথোই অসিনু শিগ্রবনি। মথোইশিং অসি মতোক লিশিং পানবদগীনা হন্দবকপদা অমত্তা পানবা কাওবনী। সৌতিনা হাই—তাবিয়ু ধৃতরাষ্ট্র কৌষা লিমগী শাগৈদা পোকপা শাকু কনবা, মহুসু কনবা—শঙ্কুকর্ণ, পিঠারক, প্রহাস, শকুনিদরী, সুবেন, বিংচেপিক, মানস, অগ্যর, অষ্টাবক্র কোমলক, মোনবেপক, পিণ্ডারক, উদপাবক, পট্টপাবক বরাহক, সর্ব্বসারঙ্গ, সুচিত্র, বীরনক, তক্তক, রক্তাঙ্গ, পরাশর, মনিস্কন্দ, সমৃদ্ধ, অরুনী অসিনি। তাবিয়ু ব্রহ্ম সভাবু ঐনা হায়খিবা মমিংশি' অসিদি মরাম অহুগী লুচিংব ওাকনি, মথোই অমমাগী পুবা মাগী মাগী কাংলুপ অমসুং মচা মণ্ড কয়া কয়া ২লত্রবনি মথোই থুদিংমক চিথদহুনা ঐনা হায়ব ভয়া নংত্রে, লিশিং লাক কয়া মৈহুংদা তাহুনা শিগ্রবনি। মথোয়গী মৈদা চাকপা মনমভনা মী পুয়মক লৈবা ভমনখিত্রবনী। মশিং থাবা ভয়রোইদবা মৈনুংদা উংওইহনা তুমখিবা অসী নংলময় বদী পৃথিগী মীয়ামনা য়ানয়মগনি। মকোত্তনা অনি লোংবা ৫।৭।১০। অমসুং ১০০ লোংবা কয়া ৫০০/৭০০ মতোক্সু ৮০০কয়া৯০০লোঙবা পানবা কয়া কয়া, মশানসু চাওয় চাওরবা, শাংলবা য়ুথক ১/২ কাওবা শাংবা য়াওখ্রবনী। শকুওইদা মথোইনা ওয়িংবত্তা ওনবা ভমলবা, মথোইগী মহুনা কন্‌বদি থৈনা চাকপগুম তুয়বা অসিগুম্বা মতিক মগুন চাওরবা লিন কয়াগী থারা জন্মেজয় নিংথৌগী যজ্ঞদা মযাগী শাপ্পা তুমনা চাকথরবনী। মতাং অসিদা অস্তিক মুনিনা লিন কনথিবা লোইরে। মহাভারতকী য়ারী অসিদি অমৃতগী মলকনী। ' ত্যবদা পাপ কোকতুনা পুনাগী শরুক ফংগনি। শ্রীব্যাসনা লেংখরবা ব্যাস বাকাদি সোইত্রবা বেদবাক্যানি ইতি। হরিবোল হরিবোল হরিবোল॥

———

অধ্যায়

অস্তিক মুনিদা মাতুলশিংনা বরপিবা অস্তিক্না লিন হাংপা

বাবী মতাং ।

শৌনক মুনিনা হায়রকই সৌতি, অস্তিক্না যজ্ঞদগী কদ্রুগী মচা লিন লিশিংবু কনখ্রবা অদুগী মতুংদা লিপ্পা, অস্তিক মুনিনা কমদোৗখিবগে মথা লিবিয়ু । সৌতিনা হায়খি তাবিয়ু মহামুনি ঐ লিকয়গ অস্তিক মুনি যজ্ঞ মফমদগী হল্লকতুনা নাগলোক চৎলকই । মমাগী মফমদা পাও তমলগা খুরুমজরুনা বিদায় নিজরকই ঈমাগী মাথ থাকতুনা মমাশিংবু জগৎজয়গী যজ্ঞদা শিরগদবদগী কগরে । হৌজিক লিনগী লৈশাক্না লৈজরোই । বন্দা পিড়লক উদ্ধারগীদমক লাই নিংজখরগে । অসি হায়রুনা মমাদগী বিদায় লৌরগা, মাতুলশিংবু খুরুমজরকই ; বাসুকিন চিংবা লিমশিনা হায়রকই । মামখোই পেংলু নংনা পাম্বা ঋোর অমা নিৱ ? অস্তিকনা মী ওইবা লোকী কনবা থম্মুনা নিরকই । তিল সক্যাদা অস্তিক্না হায়ব ঐগী মিংবু শোল্লরীবা মী অদু লিম্না চিক্কবা চিকপবস্ত ত কাদবা পানবীয় । বাসুকীনচিংবা লিন লিশিংনা হায়খি ? এবমস্ত, মাড়মক ওইরসনু ? অস্তিক হায়রা নাম শোল্লিবা মী অদুগী মকমদ লিন চংদবা ওইরসনু অমুবা ঋোর পিখি । মাতুলশিংবু খুরুমজরুনা বিদায় লৌরগা অস্তিক বন্দা চংখিড়ুন লাইনিংথি মজম কয়ামরুমগী মতুংদা লিন ওক্কবা অমনা অস্তিক মুনিমক্না চিকলুরে । মুনিনা শাগৎলুনা বাসুকী গী মফমদা থুগুখি । বাসুকীবু খুরমজরুমা হায়রকই — মামখোয়গী থারশিনশিং অদ্গ য়াম্না ফজ্ঞে, ঐভোনমক্না চিকই অদুনদি ফজবা লিনশিং অসি থমলরোই হাংলগ গায়রকই । মাড় তাবদা থাসুকী ইকাইবা অমা ওইবগা লোইনন। হায়খকই ? মপা মপুগী মগুন থাৱব লিনগী জাৎ অদু শনিং ভমনা হাংলুরো হায়থরে । অস্তিক মুনি মথুক্তা দণ্ড পাইদুনা যোগ শক্তিনা য়েংদুনা থিরগা জগৎকী লিন মশিং লাকভমদনা হাংথরে । মুনিনা থিরকন্দা গর্ভপুবী লিন্দু অমা থেংনদুনা হাংকে তায়রকই মুনি উবদা নাগীনা অদু মায়া শক্তিনা পাইদুনা চেল্লি ? মুনিনা যোগ শক্তিনা তাল্লী ? মরোল অহুম থংনা চেন্দুনা লাইদা গন্ধর্ব্ব, কিন্নর, যক্ষ, রক্ষ দানব থৈবিক্না কমবীয় । হায়জরকই অস্তিক মুনি কিড়না কনা অমত্তা কনবীরকজে । অকোনবদা কৈলাশ চৎরদুন মহাদেবদা কনবীয় হায়জৈ, মহাদেবনা য়াদে, অস্তিক্না চৎরক্নে । কিড়না তৌবা অসী নাগীনি মাগী শক্তিনা পিকশিনখিবনা মহাদেবগী খরদা তিনশিনাখড়না ! গর্ভ য়েনা চংড়না লৈথরে, আজকনা মাড় যোগ শক্তিনা উই শিবগী চরন্দা খরুমই হায়জৈ । প্রভু ঐনা হাংকে তাক্লকপনী পুথাকপীয়, মহাদেবনা থোকলকউ হায়বা য়াদে, শিবনা হায়রকই মুনি ঐনা কনবা নত্তে তৌবা অদগী মানা চংখিবনী । থোকলকউ হায়বা য়াজে কগম তৌগৌগে হায়রকই । অস্তিকনা হায়জৈ ফরে

প্রভু লৈহে রসম্, অতৈ হাংলুখিগে হয়েং মানা থোক্লকপা মতমদা, হাংলগ হায়রমলগা মুনি সদা শিববু থুরুমলগা চংখ্রে। লিন মমোম অহ্ কিবদগী ময়ম লৈহনা শঙ্করগী পুকমুংদা ম া ৭ পোক্লে মচা কান্দুনা লৈবনা থুমিং কুইরক্লহনা মচা চাওরে। মচা ৭ কা মমা মচা ৮ অসিনা মহাদেবগী গর্ভদগী চিঙ্গাক লৌহনা মুডডাইনা হিংহনা লৈরে মহাদেবদা লিনশিংহনা দরগী রসবু চুপথোকতুনা চিঙ্গাক ওইহনা লৈবদগী, পুক কাংপোকপ্ন য়াং কশিংগী গুক চেংল লেংবা থিনবনা হোৗগংপা চৎপা ঙমরহনা, মপান থোক্তুনা লৈরে। দুর্গানা নন্দি ভৃঙ্গি থাহনা "অশ্বিনী কুমার, ধন্বন্তরি" মাইবা কৌহনা লায়েংবদা গর্ভদগী লিনবু তানথোকপা ঙমখিদরে।

মহাদেবগী মতৌ উবদা, ব্রহ্মানচিংবা লাইয়াম কৈলাসদা থুংলরে? শিব দুর্গাবু থুরুম্বী। ভুক্কাখনা হায়রকই, ঐগী গভদা লৈরিবা লিন অসিবু তানথোকপা চা। হিদাক মন্ত্র খ বা কনা লৈবগে, লাইয়াম নথোইনা উপায় অমত্তা তৌবীয়ু। ব্রহ্মানা হায়রকই প্রভু লিন তানথোকপা ঙমগদবদি ঋষহুথ কৌব স্নাঞ্জিদা গানবন্ধ কৌবা মকু অহুতনা ঙমগনি? মাগু কৌবিয়ু অমুক্তা হায়রক্লে। ব্রহ্মাগী রাহায় অসি তারবদ, পাম্বইনা নন্দি থারে ঋষমুখ গিরীদ তপ তৌহনা লৈরিবা মকু গুরুগী, মফমদা য়েংলুন নন্দি থুকমহুন হায়রকই। হে গুরু কৈলাসদা অমুক্তা লেংবিয়ু, প্রভু মহাদেবনু গর্ভদা লিন চংখিনা লৈবদগী, লিন্নাই চুহনা লেংবগা থিনবগা হোৗগং কাংথংপা ঙমদনা লৈরে। লিন তানথোকপা ঙমদবদি গুরুতনা কে হায়রনা ব্রহ্মান তাকহুনা লাকখনি? প্রভুগা ইমাগনা লুনা হায়রকই অমুক্তা য়েংবিয়ু নন্দিগী রাহায় অসি তবদা, গানবন্ধ মকু গুরুনা হায়রকই, হে নন্দি অহুগাদবক ওয়রবদি ঐ য়েংগ্রবস্তু য়ানি? হিদাক মন্ত্র অহু ইরগা পিগে অসি হায়হনা মকু গুরুনা হিদাক মন্ত্র চেদ ইরগা লেংনা চাক্লুম নমশিল্লগা নন্দিদ পিরে। হে শিবদাস নংসি পুথরো প্রভুদ কংলু হিদাক অহু লাংবিরগা মন্ত্র সিনা শক শাল্লগ ৭ নিদং চংবিয়ু? লিনশিংহু লৈবা ঙমদনা থোকলক্কনি। খোঙ্কনবদা গর্ভদা অহুম ফুমথিহনা ধনবা শোয়দনা কোক্লগনি! ঐনা প্রভুদা থুকমজহনা কচ্চরকই হা না নন্দি নানা অসি হায়হনা কংলু। নন্দি মকু গুরু থুরুমলগা, পত্র পুত্রনা কৈলাসপুরি য়োরকগা, মহাদেবদা মকু গুরুগী পাও তম্বগা, পত্রহ্ কংলে। ব্রহ্মানা হায়রকই, প্রভু হৌজিক্তি রাবিকগনু মকু গুরুন হায়রকপা হিদাক তৌবিয়ু? সোইদনা ফগনি। ঐখায়স্তু হক্তদগে অসি হায়রনা শিব দুর্গা কুরুমলগা দেব সভা হনখ্রে। দুর্গানা হিদাকতু লাংহুন শিবনা মন্ত্র ৭ লক শোল্লগা ৭ নি চাবদা, লিন মমা মচা চহু লৈবা ঙমনহুনা ৭ নি শুবা থুমিংতা মহাদেবগী গর্ভদগী নাতোনা, নাকনদগী চোংথারক্লে। খুদক অহুদা যোগ শক্তিনা উরহুনা, অস্তিক মুনি থুংলরে, মুনি উবদ কিহুবা লিন মমা মচাশিংতু সিবগী চোবোপা কপুনা খরাইদদি কনবীয়ু হায়রখি। মতৌ অহু উবদা আবুতোষনা হায়রকই, হে-অস্তিক মুনি লিনশিং অসি ঐগী গর্ভদা পোক্লবনী, ঐগী ইচা হায়বহু থোক্লে, মথোইগী মথৱাই কনবিরসি। সাদা সিংগী থৌতানবীবহু উবদা অস্তিকনা নথোই হিংজহৌরো হায়রগা পার্ব্বতী নাথবু থুরুমলগা

তপবোঝা হনখরে ? লিন হাংপত্ত অহুদগী তোকখরে। পেমবাহৈবা মহাদেবনা হায়রকই, নখোই ৭ অসিদি ঐগী গর্ভ'দা নমানা পোক্লবদিনা, ইচা চায়বত্থ থাক্লে মরম অসিনা নখোইদি অরানবা তৌগদ্রু। রাবেন চুম্না চংলু। নখোই ৭ কি ধারানা লাই সলাই ৭ থোক্না পৃথিবীদা লৈবগনু। তাইবংপীদা নখোইবু উনবা অমম্ম সোর শমিন্ ফংবদ', লাই ন'থাইগী ময়েক মা'বা য়াদহুনা, লিল্লাই পকপা; মহাদেবা ঐনা তৌরবা অন্নগ্না অরাবা তাবগদি। মরম অহুদা রাবী অসি থবা মাইবনা, হিরাক মন্ত্রসি থাবদা লাইচুবা লিল্লাই কোকপা ওইসন্থু। অন্নগ্না বোব পিরগা থাদোকখী নখোই ৭ সিদগী শলাই ৭ থোক্না পৃথীদা শন্দোকখী। [illegible] অসিনা লাইনা সৈত্য ভান্না রাবেন কাইদনা চংলিবা অসীনী অদিগুম্বা অত্তিক মু'নগী মহুৎ লিনগী লমচৎ রারীবু মীওইবনা পুক্লিং চ না তাতরবদি লিনগী অকীবা কোকমা। পূন্যগী মশক্তি অমৃতগা মান্নরবা মহাভারত আদিপর্ব্ব শ্রীবাস মুনিগী রাজনৌ। (ইতি। হরি হরি হরি)

—ঃ—

অধ্যায়
জন্মেজয় নিংথৌনা ধর্ম্মবু য়েক্কনকপা রারী মতাং

সৌতিগী মক্তদা শৌনকনা চিংবা মুনি মথামনা অমুক হংই, উগ্রসর্ব্ব সৌতি ন'না লিরকপা রারী অসি তাবদা পেনবা নাইত্রে লিনগী যজ্ঞ মতুংদা জন্মেজয়না কম'দৌরকইব'গ মথ'গী রাবী অমুক লিয়ু? সৌতিনা হায়রে তাবীয়ু মহাত্মাশি, পরিক্ষিতকী মচা জ'ন্মজয়না, পাত্র মন্ত্রি লোইনা কোমুংদা কৌশিন্দুনা হায়রকই, ঐগী থমোয়ইগী হুংভাইশবা মৈচাক অসী কোকপা রাক্রে ঐনা রাথল তৌবদা ঐগী য়েক্লবা হায়বসি, ব্রাহ্মণ নত্তনা অমা লৈত্রে, ধর্ম্ম লৈবদা জগৎতা কাওরবা ইপাদি, দোষ মতিক চাদনা শাপ তৌদুনা মহাংখী। ইপাগী য়েক্লবা হাংকে তৌবস্থু ব্রাহ্মণনা থুগাই, যজ্ঞ তৌ নপাগী য়েক্লবা হাংলু হায়বস্থ, ব্রাহ্মণা হায়তুনা অরেন্দদা মরাল লৈতবা ভিবা কমাবুন্থ মাংহন্লবা, শককপুন্থ হাৎহন্দবা। অসিগুম্বা ব্রাহ্মণগী লমচৎ ফত্তবা অসিগী মৈমা থবোই অসি চাক্লে। ঐনা পৃথিবীগী মপু ওইরি, অহুবু থজিক্লা কাওবা উশিৎতবা ব্রাহ্মণশিং অসী অহুবৈগী কার্ত্তবীর্য্যগী থারানা ভৃগু ময়ুমগী ব্রাহ্মণশিংবু, গর্ভ'দগী শোইহুনা হাংখিবা অহুগী মন্তাঙ্মা ব্রাহ্মণ হাংলগে হায়খিবা রাহার অসী ঐগী অচেৎপা রাশকনি। মন্ত্রিশিংগী রাথল কবি লৈবগে হায়্যু, অসি তাবদা পাত্র মাত্র পূর্ব্বনিং হুংভাইতহুনা, ভুমিদ্ধা থুমদমা মক্ক লুকহুমা লৈনখরে। জন্মেজয়না মন্ত্রিশিংদা অমুক হায়রকই, মন্ত্রি নখোইনা অমত্তা থুমদবা করিগীনো ? রাসি : তাবদা মন্ত্রিশিংনা থুং লোয়হুনা হায়রকই, তাবিয়ু মহারাজ, তাকপীথীবা রাকম অহ রাজা জনমীরবা

রাফম্রি ? মরমঅদুনা রাভাংবা ওমনত্রদুনা লৈবনি। ব্রাহ্মণ হাংশি হায়বা মন্ত্র নাবু কনানা হায়রবা ভয়রোই ? হৈ হয় বংশগী ক্ষেত্রিশিনা ভৃগু বংশ হাংলুবগী দণ্ডীবু জগত্তা ফাওনা লৈখরবী। অদুগুম্বা ভৃগু বংশদা পোকপা প্রশুরামনা, ক্ষেত্রিবংশবু কুম্মাথাইরক হল্লা হাত্তুনা। ক্ষেত্রিগী ঈমা পৃথীবু স্নান তৌহনখী। ব্রাহ্মণগী ঔরসদগী ক্ষেত্রি অমুক শন্দোকখিবনী, মাথং অমনা জগত সেম্বা, মাথং অমনা য়োকপা ওম্বা, মাথং অমমা মিৎকুপ্তা উং ওইহনবা ভম্মী। মৈনা চাকপা, মমিংকী তেজনা চাকপা, লিগ্নচিকপা প্রতিকারলৈ. ব্রাহ্মণগী অশাওবা মৈনা চাক্রবদী উপায় অমালৈত্রে। মহারাজনা ব্রাহ্মণদা হাংকে পেম্নীবরবদী, যুক্তি অমা লৈ মাত্রু হায়রজগে ব্রাহ্মণনা তেজ লৈরিবসি কুশ লৈবদগীনী। কুশ লৈত্রবদী ব্রাহ্মণগী থবক পুম্নমক মহৈ মাম্ন রোই ? তেজসু লৈরবাই মগুন লৈরকত্রবদী ধর্ম্মসু মাংলকনী ? ধর্ম্ম লৈরকত্রবদি মরনাইষ্ট তুম্না মাংখরগনী। মন্ত্রিশিংগী মম্নমা অসি তাবদা। জন্মেজয়না হায় হস্তিনাগী লৈভৌবা পুম্নমক কৌথংলু য়োংপাম্না তৌথায়দুনা লোয়না ফুকত্তোকহল্লি। মন্ত্রিশিংনা হায়রকই, মহারাজ মাদুসু মীনা থংনরকনি, মীনা থংদনা কুশ মথোংদা শঙ্গোম চুহি চিনী হৈজিম্নগা॥ ককচেং ওনদুনা কুশগী মকচিকথংচনি, অদুম্না মরনাই শিহজি। অদু ওইরবদি ব্রাহ্মণ শিংনসু থংলরোই ? মহারাজগী নিংবসু থংলগনী, বাসি তাবদা নিংথোনা মাথং পীদুনা পত্র ইরগা দেশখুদিংদা থাদুনা॥ কুশ হাংনবা থবক হোথ'য়। দেশ খুদিংগী কুশ লোয়না শিজিলক্লে, ব্রাহ্মণশিংনা কুশ ফংনরকত্র-দুনা যজ্ঞ কর্ম্ম য়ারক:ত্র ? ব্রাহ্মণশিংগী ধর্ম্ম কর্ম্মকাইরকপদগী, ব্রহ্মতেজ লোইনা মাংলকলে। নোংমা নোংমগী মথাং ক শিল্লকনা 'ব্রাহ্মণ মথৈ দুবোই তামলোই তৌরক্লে ? মফম মফম খুদিংদা 'হাহাকার' মাংলে মাংলে হায়নর'ক্র। মতৌ অসিবু ব্যাসদেবন উবদুনা, হস্তিনাদা লেং-লক্লে ? জন্মেজয়না ব্যাসবু থুরুমজৈ আসন থাই মতিকচানা পুজা কংলী। ব্যাস ফুংভাইনা আসনদা ফমলগা নিংথিবা রাহায়না হংলকখি, মহারাজ ঐনা বদরিকাশ্রমদা পাওতা'র ? ব্রাহ্মণ রেক্ররিবা অসি করি বিচারনো ? ধর্ম্ম পুম্নমক থভলবা সাধুতা ওইবা মহারাজনা, অসিগুম্বা হিংসাগী রাখলবু, কমদৌনা পোকখিদুনা। শন্দোক হনখিরবনো ? ব্রাহ্মণগী অসাওবদগী মৈনা অক্ষ কত্তা লোয়না চাকখী ? ব্রাহ্মণা শাওবদগী সোগাবগী মচামথাম তুমখী। ইন্দ্রনা ভোগাঙ্গ-দগী, ভমিং লিশিংওইখী, অমসুং প্রশুরামনা শাওখিবদগী মরোন অহুম জম তৌখিবনি, অদু-গুম্বা মীশকপু য়েকনরিবগী করি মরমগীনো ? মুনিগী ঋা জারবদ জন্মেজয়না হায়রকই, দোষ লৈতবা উপাবু উংকুমা মাংহনখিবা। ইশাগী য়েকনবা হাং'ক তৌবসু থুগাইখিবা। মরম অসিদগী মুংভাইভদুনা তৌবনি। ব্যাসনা হায় নিংথো * অশাওবদগী ধর্ম্ম মাংই, ধর্ম্ম মাংখরবদি তুংদা

---

* তথাহি। সত্যং উৎপতি ধর্ম্মং দয়াধর্ম্ম প্রবর্ত্তাতেঃ। ক্ষেমায়াং ধর্ম্মং স্থাপয়িতুম্ ক্রোধং ধর্ম্ম বিনশ্যস্তিঃ॥ ইতি।

নশাগ্ন মাংলক্নি „ মরম অসিনা ব্রাহ্মণবু য়েকমক্লগদু , পুকনিং তপ্‌থো। ভবিষ্যতকি রাহি কনামম্ন ককপা ঙমদবানো „ নজি নপাৎনা পোকপা মতমগী কোষ্টী ইবামতাংদ , পণ্ডিতশিনা জন্মফল হোঙ্‌না য়েবদা। প্রালব্ধগী ফলনা লিন্না চিক্লুনা শিগনি দান ধর্ম্ম যজ্ঞ কয়াক্লমদ তৌরগনী। ধর্ম্ম চেকশিন্না ডাককনী, অথোয়বা বৈষ্ণবকা লমচৎ ওইরনী হায়বসিন্ন খংথরবনী। মরম অসিনা নপাবু শিখিবগীদি রাকগন্ন ? লাইবোংদমনা কনথীবনা থোকথিবনি, অসি খংদহুনা অরেম্বদা ব্রাহ্মণ য়েক্লকরিবনা। মহারাজ হিস থাদোকলো। শ্রীব্যাসমুনিগী রাহয় ভাবদা, রাখল হোংলকতুনা কুপ হাংপ, তোক্লো হায়না অমুক থামথী। জন্মেজয়না ব্যাসগী মক্মদা অমুক হায়ক্সরকই ? গুরুদেব ঐদি মরাল লৈতবা লিন কয়া লাংলুরে ? ধর্ম্মবুন্ন হিংসা তৌক্লয়ে অসিগী পাপ্পা নরক্লগী লামবা ঙমলরোই। মমাংঙৈদা ইবুংধৌশিংনা, শাগৈগাংপগী পাপপু কোক্লব মুনিনা তাকপীহুনা অশ্বমেধ যজ্ঞ কৎপদগী শাগৈ লাংপা পাপ কোকথিবা অংগুম্না ঐন্ন অশ্বমেধ যজ্ঞ তৌবগা। পাপ কোকচরগ। জন্মেজয়গী রা ভাবদা ব্যাস মুনিনা হায়রকই মহারাজ যজ্ঞ তৌরগন্নু তৌক্লিক কলিযুগ ওইরে * যজ্ঞ তৌবা য়াররোই। শাঙা কত্নুনা শোরাং শোনব যগ হাংপা অশ্বমেধ যজ্ঞ তৌবা, সন্ন্যাস ধর্ম্ম চংপা, মনাও মুপিদা থার পীবা মঙা অসকশিদা তৌরোইদবনী হায়না বেদনা হায়রি। মুনিদেব এবু বিম্বি পিগনবা জগত লৈরোই ? যজ্ঞসি সোয়দনা পাংথোক্লগনী। ব্যাসনা হায় হে নিংথৌ নংনা তৌগে হায়রবদা তৌ বেদনা য়াদববু ঐনা তৌ হায়রবদা ঙমদ ? রা অসি হায়রমলগা মুনি মাংথাকথরে। জন্মেজয় নিংথৌ যজ্ঞগী মপোৎ লাংলগা পৃথিগী ব্রাহ্মণ পুম্নমক বার্ত্তণ তৌহুনা কৌর। যজ্ঞ লৈরগ মৈ গোহনা শংগাল থাদোকলে। অকন অথৌ তেঙ্গোল পুহনা সেনাপতিনা শগোল ডাকপা বিস্তম চৎলরে। বপুষ্টমা রাণীগা লাইনহনা অশি পত্র কৌবা এত কংতুনা রাশকথাং থমহুনা সঙ্কল্প আসন্দা ফমথরে। মুনি শিশিং কুম্না হোম পিথী, চহি অমা চুপনা বিজয় চৎখিহনা দেশ খুদিং শগোল্লা কোইরকপদ নিংথৌ পুম্নমক ঙমহন, সেনাপতি শগোল হপ্পিল্লক্লে। মধু পুর্নিমাদা যজ্ঞগী শংগাল নিয়ম চুম্না লাংতদা লৈরং মনাক্কা পুশিন্দুনা, থাংনা মঙক কন্নুনা থাদরকপা মতমদা ইন্দ্রনা বেদগী নিয়ম ডাক্তনা জন্মেজয়না তৌরিবা অহ উবদা শাওহনা ইন্দ্রদেব মায়ানা শগোল মকোক্লা চৎখিহনা সভা ময়াইদা জগোয় শারক্লে। বেদগী নিয়ম কায়বদা শগোল মশাহ ইনা ক, ২ কায়হনা তাখরে ? উবত্রোব অহ উবদা সভা মীয়াম পুম্নমক মরু লুকথহনা বিষ্ণু শোন্দুনা লৈমথী ? মতম অহদা ভত্র বিপ্র ব্রাহ্মণ মচা অমা, হৌগৎলকতুনা শগোল মকোকী জগোয় য়েংলগা খুবাক খুহনা

---

* তথাহি। অশ্বমেধ গবালম্ভঃ সন্ন্যাস পল পৈত্রিক:। দেব ধনস্ন তোৎপত্তিং কলৌ পঞ্চ বিবর্জ্জয়েৎ ॥ ইতি।

হা হন্না নোক্লক্লে। ব্রাহ্মণ মচাগী মতৌ উবদা নিংথৌ থাংশাং পাইহ্নুনা, মৈ হৌবগী মতৌশুম শগথিবদগী চেলশিন্দুনা মঙক ককথরে। উহৈক্রবা উপদ্রব থরাই য়াওনা য়েংলুবগী দোষনা ব্রাহ্মণ ভন কৈতবহ্ন মথথাই মাংলে। জন্মেজয় নিংথৌসু বেদবু থওইদবদগী ব্রাহ্মণ হাৎপা পাপ তান মিথরে। থুদক অঙদা শৃঙ্গি মুনিগী মমাঙ্গী শাপনা প্রসিদ্ধ ওইরকতুনা শেত রোগ অহোয়ায়না মা পুমথরে যজ্ঞ শালা অহু মাংলে ২ হায়ব থোম্হোক্লা পুর্মনিম্লিক্লে মতৌ অহু উবদা। ব্রাহ্মণ শি অহু, হৌগংনম্রুনা লাওনরকই, ব্রাহ্মণ হাৎপা নিংথৌ অসিগী মমাম য়েংলুবদা ঐথোয় পা পরুক্কনি। যজ্ঞগী মখিংদা ঐখোয়বু কৌরগা। ব্রাহ্মাগী শাংয চাগে তৌরবনি? মাগী মপাং পাইহল্লে, থাদোকলম্মু মানা পানবা লৈপাকসি য়াংমা লাম্না চেল্লসি? হায়ছুনা যজ্ঞ মাগুবতগী য়াদা ময়াম চেনথরে। নিংথৌ ময়ামশু চংথরে। ব্রাহ্মণ, ক্ষেত্রি, বৈশ, শুদ্র, লোইনা চেনথে, জন্মেজয় মতৌমতা ভাইহৌরে। * মচা মনাই মহারানী ফাওবা মন্নাক্না লৈগ্র? লাইথুং পক্লে য়াজ আসন শম্বা য়াদ্রে, গতি লৈভবনা লৈবাক্তা ওহ থোয়না কপলগা লৈথরে। অসিগুমলবা মহাভারত আদি পর্বগী য়ারী অসিদি অমৃতগী মশকনী। তাবদা পাপ কোকতুনা পুনাগী শকক ফংগনি। শ্রীব্যাসনা লেংখরবা ব্যাস বাক্যদি সোইদ্রবা বেদবাক্যনি ইতি। হরিবোল হরিবোল হরিবোল।

অপ্রত্যাক্স

জন্মেজয় নিংথৌনা ব্যাসগী য়াথংদগী মহাভারত তাবা হৌবগী

বাবা মতাং।

সৌতিনা হায়রকই তাবিউ মহামুনিশিং জন্মেজয়না ক সিবা অরাবসী? সর্ব্বেগ্য ওইবা শ্রীপরাশর মুনিগী মচা, বিপ্রা পোকই হায়ছুন' দ্বৈপায়ন হায়না কৌরবা গর্ভদগী বেদ হৈরকই হায় না বেদ ব্যাস কৌরবা। কৃষ্ণ বর্ণনা লৈতেংবা অংাঙ্গ লবীত ভুক্ত ওইবা। শক্ত্যাবেশ শ্রীব্যাসদেবনা উরকই। জন্মেজয়বু থৌজান পীবিরংগ খন্নদেনা মহাভারত পুরাণবু নাকন্দা কোন্দুনা য়েৎ ওইনা ব্রাহ্মণ পোরবান লিশিং লিশিংনা থৌগল্লদেনা লেংলকপনা॥ জন্মেজয়গী মকমদং পংলরে। জন্মেজয়গী

মূল * তথাহি স্মরদিনং বহুমিত্রানি দুর দিন মিত্র শক্রবত নীর শারী যথা পদ্মং ভানু দহতি সংক্রমাৎ। ইতি॥

যজ্ঞ মাগুবতা মুনিং পোক্লকপগী মতৌগুম্। ব্রাহ্মণ মযাম লোযনন, চানবারে। জন্মেজয় মনাক্ত মী অমকাওবা কৈথিত্রবা কান্দা শ্রীব্যাসম ইক্লবদা নিংথৌ নোংখা বগুম কপতুনা লৈবাক্তা ওন্থোইনা লৈখরে। ব্যাসনা খোজনগী রাহাযনা তাকপিরকই। হৌগংলু মহাবাহু নচা ননাই পাত্র মন্ত্রিন কদাইদা চৎখ্রে। হৌজিক যজ্ঞগী ফল কংলবরা চাযম্? ব্যাস এভোন্দা হায়নি দবা কন্গীনো? করি মরম লৈবগে; ব্যাস মুনিগী মাথং তাবদা জগাংযনা হায়জবকই। শুকদেব করি অংক চল্ংসিংগ; ঐ অভিমান্দা লৈকবনা মুনিগী মাথং চিত্তোকনুবদগী। হৌজিক লাইথুং পকলে। ব্রাহ্মণ হাৎপগী পাপনা ঈকোক থক্তা নাল্ল? অসুদ্ধ দেহে ওইদুনা বাজ আসনত্ত কাবা যান্ত্র। মুনিদেবগী চাবান শে বা বাস্ত্রে, ইচা টনাম অমত্তা উখিদ্রে, ননাইবু অমুক্তা শুকদেবনা পোকপীযু। জন্মেজয়গী মত্তো উবদা ব্যাস মুনিনা মুংশিবিনা; পাত্র মন্ত্রি ব্রহ্মসভা লোইনা কৌশিনখবে ব্যাসকী মাথংদগী হল্লিন। সভাগুনা লৈপার, ব্যাস আসন কমলে মিংথৌ যেংতন কাযরকই, হৌজিক ঐ রা হায়গে ঐনা হাযবা ইন্দ্রবদগী নংনা দযা অসি ফাবনী। নংগী অভিমান থাদোকউ বাকগা, পাপ পুন্নক কোক্লগা। অশ্বমেধ যজ্ঞগী ফল ফংনবা রা হায়গ। শ্লোক লাক্ষ অমনা লৈবা মহাভারত রারী অসি পুরিং হকচাং অমত্তা ওইনা থমোই শেংনা তাবরবদি, ব্রহ্ম বধগী পাপ নশাদা পক্লা লাইথুংস্থ কোক্লগা? অশ্বমেধ যজ্ঞগী মহি অত্ত শোয়দনা ফংগনী। ভারত তাবগী মরম তাক্ক মুমা তাও, ঐনা হায়বসি থাজনবদা নথক্তা অমুবা থাকন থল্ল, মথাদা ফমলগা তাও মহাভারতকী গুণবু লিবকপদা, অদুবা পাকনগী মচু কোক্লকতুনা; অশেংবা মচু ওইরক্লনি। অথোয়বা পুন্যগী মথক শইরবা জগত্তা অমগা চা মমনিডাই লৈত্রবা। ভারতকী কথাবু তাজববদা শংবার মায়াদগী মুক্ত ওইদুনা? অয়োইবা শত্তধনা লেপনা হরিধাম ফংগনী। ব্যাস মহামুনিনা চাক্লা জন্মেজয়না অমুক কাযজ মুনিনা খোম্বানবাতুনা মহাভারত লিবিরগা। ননাতব শংনব মুনিনা হায়, মহাভারতকি রারীদা চাওই, ঐ লিংদব মতম শংদ। মুনি অশাইব, শাস্ত্রগীত্ত অথোইবা, লাইনিংবনা মরম ওইবনা, শ্রীবৈশম্পায়ন কোবা ব্রাহ্মণ মসি লৈহাংনহ লৈবগা ঐগা চপথাবনি। বৈশম্পায়নস নিংনংগ অসি হাযদুনা ব্যাস মুনিনা, লৈথ পাক্কা হায়রকই নংনা লিবিদন জন্মেজয়বু মহাভারত নোয়বা তাহল্লু অমুরা শিন্নবিন্দ্রে ঐঙ্গ শিযাবরাম লোইনদুনা; শ্রীব্যাস মুনি বদরিকাশ্রমদা লেংখরে। ব্যাস লেংখ্রব তুংদা তাকপীরগা মতুংইন্না অমুবা পাকন থনংকলক। শ্রীবৈশম্পায়ন মুনিবু মত্তিক চানা পুজা তৌগ; মহাভারত পুরাণ বরয পচ রগা পোথননা পোট পুজা কংলি? ব্যাস আসন থারে। হস্তিনাগী ব্রাহ্মণ ক্ষেত্রি বৈশ্য শুদ্র পুন্নর্ক তাগদবগী শমনরে। বৈশম্পায়ন মুনি আসনদা কমলে মত্তিকচানা থারিরে। জন্মেজয় মিংথৌবা মথুংলোয়জহনা হায়ক্লে, তাবিযু মহামুনি ঙোযবা ননাইবু মুংশবিদুনা। মহাভারত রারীবু মথংশিংনা লিবিদুনা। পাপ সমুদ্রগী অমুক্তা লাথোকপীযু। জন্মেজয়গী ভক্তিদা পেন্নবা

মুনিনা হায়রকই, মহারাজ হৌজিক লিবা হৌরমদায়দা * শ্রীগুরু ব্যাসদেববু? অমসুং (শ্রীকৃষ্ণবু) থৌনিবুথোরন তৌগদবনি। একান্তিক ওইয়ু, ঐনা শিরকপদা চিঙনবা য়াওরক্লবদি। ঐ'ডানা হং লকদবনী; হৌজিক লিবা হৌরগে, পুক্নিং চংনা ভক্তিদা শ্রবন তৌগদবনী। বৈশম্পায়ন মুনিনা মঙলা চমণ হৌরগা? মহাভারত প্রথম অধ্যায়দগী লিবা হৌখরে। বৈশম্পায়না হায় তারো রাজা জন্মেজয় মহাভারত অসিবু তাজবা অসিদী, শ্রীগুরু দেব ব্যাসনা লক্ষ শ্লোকনা লেংবা অমরুপা লৈরবা ধর্ম্ম নিতিগী মরম, রাজনিতিগী মরম, অর্থনিতিগী মরম, ভক্তি মুক্তিগী লম্বী, পুরাণ পুন্নমকী য়ারী গুরবা পুরানীনা মীওইবনা খংদবা য়াহবা চংকদব লম্বীবু থংনবা তাক্লবনী। শ্রীবাসুদেব কৃষ্ণগী নাম গুন লিলা ওইবা। বৈষ্ণবৈষ্ণবশিংগী চরিত্র ভক্তিগী তত্ব কয়ানা থম্লবা। শ্রীকৃষ্ণগী বিরো-সগী লিলানী। পৃথীগী অকম্বা লোৎথোক্নুনা; কংস্রবশিংবু দমন তৌরগা। সাধুশিংবু য়োকখৎ-পিহ্নুনা। পৃথীগী অকম্বব কোকহনবিরবনী। শ্রীকৃষ্ণগী নাম গুন লিলা গ্রন্থ অসিবু ব্রাহ্মণশিংনা তারগা বেদ শাস্ত্রদা চাওখংলি; ঈশ্বরগী সেবা অমসুং ভক্তি ফংগনী। ক্ষেত্রিশিংনা তারগা তেজ বির্য্য শক্তি পাংথোং চাওখংলী; বৈশ্যনা তারগা ললোনবা লন থুম চাওখংলী, শুদ্রজাতিনা তারগা মথোয়না শুভ চংচবা পৃথিগী মহৈ মরোং পোৎথোক হেলগংলী। মচা পোক্রবনা তারগা মচা ফংই, লাইরবনা তারগা লন ফংই, লাইথুং পকপনা তারগা লাইথুং কোকই? ভক্তি পান্বনা তারগা কৃষ্ণ ভক্তিবু ফংজে। হায়রিবা অসি থাজব্রবদী তাজবগী মহৈ করিসু ফংলোই; অসি-গুম্বা রোস পুন্নমকনা থম্না লেংলবা। "ইতিহাস অসিবু" পুক্নিং চংনা তাজবিবা মপী নিপা অহু হিংলিদৈদা পুন্সি চাওখংলী? অনা অয়েকপ কোকই। ধর্ম্ম অর্থ কাম মোক্ষ খরি অসি ফংই, শিরবা মতমদা মানা তৌরকপা পাপ কোক্নুনা; মীহু যমগী যতনা লাম্থাকখিহ্নুনা সর্গগী সুখ ভুগ ফংই। সংসারগী পোক্ত শিরু নংলিবা ময়া লাম্থোকে হায়রবদী; ভক্তিদা ঐ কাওথু ওইনা তাক্লগনী। মীওইবনা লম্তিংনা পাগল রানা মতমচংনা যজ্ঞ যাগ তৌকবগী ফল অদু, মহাভারত তাজবদা লাইনা ফংই। অমসুং লন তিংহনা থোং রানা চৎতুনা তীর্থ স্নান [illegible] মাদু? ভারত তাজ বদা লায়না ফংই। হায়রিবা অসি শ্রীব্যাস মুনিগী হায়খিনি ব্যাসগী [illegible] হায়বা থাক্রবা বেদগী বাক্যনি, বেদ বাক্যদি ঈশ্বরগী বাক্যমনি ইতি। হরিবোল হরিবোল হরিবোল।

মূল * ও থাহি। ভারত শ্রবনে ত্রৌলি বামায়ন মহাবলি। ভাগবত শ্রবনে রাজা অত্রা রঙ্গেষু তদগ্রত:॥ ইতি॥

মূল * ও থাহি। ভারতশ্য: পদে কেন. গঙ্গায়াং স্রব স্নাতচ: । বিষ্ণু স্মরন মাত্রেন: সর্ব্ব পাপ বিঘ্ন চংতে:॥ ইতি॥

অধ্যায়

লাই অমসুং গন্ধর্ব্বনা মাওইনা পোকপগী ৱারী মতাং ॥

সৌতিনা হায়রক্তে তাবিয়ু :

ব্রহ্ম সভা বৈসম্পায়ন মুনিনা জন্মেজয় নিংথৌদা হায়খি মহারাজ, পুরাণ হায়ব অসি মমিং ১৮ অমসুং মখল ১৮নি। মখোয় : ১। মৎস; ২। কূর্ম, ৩। লিঙ্গ, ৪। শিব ৫। স্কন্দ, ৬। অগ্নি। অমসুং ৭। ব্রহ্মাণ্ড, ৮। ব্রহ্ম বৈবর্ত্ত, ৯। মার্কণ্ড, ১০ ভবিষৎ, ১১। বামন, ১২। ব্রহ্মাৎ॥ ১৩। বৈষ্ণব, ১৪। নারদ, ১৫। ভাগবত (ভারত), ১৬। গারুড়, ১৭। পদ্ম, ১৮, বরাহ পুরান মখোয় অসিনি ১৮ অসিগী মপুংনা সৈরে কাংলুপ অহুম ওই। কাংলুপ অমমম্দা ৬ তরুক্নি। সত গুণ্না মপুং ওইনা লেংবা পুরান - অমা, রজগুণ্না মপুং ওইনা লেংবা ৬ অমা, তম গুণ্না মপুং ওইনা লেংবা ৬ অমা অসীনী মহারাজা মৎস পুরাণচিংবা তরুক অমনা তম: গুননি। ব্রহ্মাণ্ড পুরাননচিংবা ৬ অমনা রাজ গুন নি। শ্রীমদ্ভাগবত ক, মহাভারতকদি মশা অমত্তনি, ভারতনচিংবা তরুক অমনা সত গুন ওই। অসিগুম্বা পুরানশিংগী মরক্তগী শ্রীমদ্ভাগবত অমসুং মহাভারত হায়বা অনি অসিদি হাকথংননা তারুবগী মগুন্দি থপ্ত থমখো, তাগেদা হেক হায়দুনা তানিংলকপদা, নিংবগা শ্রীকৃষ্ণগী কৃপা ফংলবনি। প্রমাণ অমদি : - কুমিং থোক্কে তৌরকপদ। মশকউদ্রিবৈ, থোক্তিদৈদা অথবা কোকখিবগুম্বনি। অকুগুম্বা হেক নিংলকপদা পাপ কোকপা হৌখ্রবনি, জন্মেজয় মহারাজ ঐনা লিরিব: ৱার অসিগী মথুংদা, চিংনব হুংনিংবা ঋষিরবস্থ হঙ্ডকউ। জন্মেজয় নিংথৌনা মুনিদ হায়খি, মহামুনিগী থোজান্দগী মরু মরু ওইবা কথামৃত থংহনবিয়ু। হৌজিক্তি ইবুধোশিংগী ৱারীবু হায়রবা অমসুং হায়খিত্রিবা, পুন্নমক মপুংফানা তাজনিংই। লাইগুম্বা কঙ্গবা, কঙবা মহাবথীশিং অহুনা পৃথীবী অসিদা কল্লবা, অমসুং থোকখিবা থৌদোকশী মরম পুন্নমক শঙ্কোক্লা লীবিয়ু। মুনিনা হায়খি, মহারাজ, লাইমক্তসু "মহা ভারত" পু মপুং ফানা লীবা চয়ুপ্রিবনি, তোইগুম্বসু জগৎ লেপ্পীবা ব্রহ্মাগী চরন্দা খুরুমজরগা লাজরক। ঐনা মথক্তা লিবদা ৱাওথবা মতাং অসিদা, পল্লব যাত্রব থর অমুক লোথংলক্লে। মমাংদৈদা যামদগ্নিগী মচানুপা পরশুরাম, পৃথীবীদা লৈরিবা ক্ষেত্রিগী জাং মখৈ ওংহাল্লা কুপ্পা থিত্তনা অমুক্কা নংতনা পোংক্সম ১ রক হায়দুনা লোইখিবনী, গর্ভদগীফাও থাকখিদবনা জগৎতা ক্ষেত্রি লাগে লৈখিদ্রে। হৌজিক লৈহৌরিবা ক্ষেত্রি শাগে অসিদি, মতম অহুদা লৈহৌবা মুথ্রাবী ক্ষেত্রানীশিংনা ব্রাহ্মণ ভূপাদা চংজদুনা থার নিবদা মতম চানা পিহুনা হায়রবদি নিংউ নিংউব

কাম আশক্ত নত্তনা ঋতু কাল য়েংদ্রনা পিবনি ক্ষেত্রানীশিংগী গর্ভদগী পোকলকপা মচাশিংনা, অন্ধক ক্ষেত্রি তাম্বনা ওসি কাওবা শন্দোকহৌরিবনি । ধর্ম্মগী মতুং ইন্না তপস্যা কল্লবা ব্রাহ্মণশিংগী মচানা ওইখিবনি, মরম অদুনা পোক্লকইব মচাশিং অদুদি অশেংবা চার ডাক্ত ওইবনা, মশক মতৌ কঙবা, লৌশিং শিংব অমস্তুং পুনসি শাংবা ওইখি। মখোইদগী মথং মথ শন্দোক্লকপনা জাৎ মরি ব্রাহ্মণ, ক্ষেত্রি, বৈশ্য, শুদ্র অসি থাইদোকুনা, পৃথীবী শিনথুনা লৈখি। ধর্ম্ম কাইদে, কর্ম্ম কৈ, অদুগা মপাঙ্গল কনবদস্তু অমমমনা শামুত্তা কল্লি, মরম অদুনা পৃথীবী অপুম্বা ক্ষেত্রিশিংগী ডাক্ত ওইরক্লে। নিংথৌশিংনা ধর্ম্ম নিতি চুমনা সাসন তৌবনা, ডোগ শোক, অরা দুংশি লৈরমদে। ধর্ম্ম কায়দ্রবা মকমদদি নোংজু নিম্নম চুমনা, চুবনা পৃথীবীনা য়ননা মপুং ফানা লৈহাও হেনগৎলমই। মীদা নত্তনা মতম কব। কান্দদি শা মনতীপ কে:লেন্টব।। পৃথিবীদা লৈবা য়াবা জীবগী জাৎসু মপুং ফানা ফানা চংখোল্লমই। লৈবাক্কগী হোবা পাম্বীশিংসু মপুং ফানা চংখোল্লমই। মতম অদুদাদ জীবশিং অদুনা অথম্বু, মতম চাদনা শিবা তৌরমদে। মুপী মুপা লৈমিন্নরিবশিং অসিবু চহি মতম চাত্রিগৈদা অমদি কাল নত্তবদা শোক্ল শয়রম'দ, তৌকৈদে অম্মুমা চৎনরমই। মতৌ অসুম তৌনা 'হে জনমেজয় নিংথৌ" পৃথীবী মুপুমক শিনবা থুংলা পানখি। ছুরানবা মীনম্বা ডাকু মীহাৎপা ফত্তব কম্নাবু লাকশিন্দুনা, মজ্ঞ যাগ্যদ পূজি চংহল্লি ব্রাহ্মণ বৈষ্ণবকী সেবাদা থরাই য়াওহল্লি।

ক্ষেত্রিশিংনা থবক অকনবা, অচৌবা দক্ষম্বু ব্রাহ্মণশিং তৌহল্লি, ব্রাহ্মণদু থবক্তা চংখোম্না তৌদুনা দক্ষিণা চাওনা কংলমই। ব্রাহ্মণশিংনসু বেদ মরি, "ব্যাকরণচিংবা অঙ্গ তরুক্তা" লোয়নবা পুরাণ অমসুং ধর্ম্ম শাস্ত্রদা ইশিনমক্লি হায়না ? কন্না হেৎনরমই। শাস্ত্র য়োনখুনা মমল চারমদে, জাৎ অচৌবনা, শুদ্রশিংগী মমাংদদি বেদ উচ্চারণ তৌরমদে। লোমী বৈশ্যশিংনা বণ অমোমবু শিজিন্নরমদে, অমসুং মচানা থকচগদবা শঙ্গোমদু শুমদোকলম'দ ? অ'চনবা অদুত্তা শঙ্গোম শুমদোকলমই। লদ্মানবশিংনা মীনম্বা থবক তৌরমদে, অচুম্বদ হায়রগা মাগী কান্নবা হাপহল্লমই। নিংথৌশিংনা তোল্লবা লাইরবা খোংস্তকপা মিৎতাংখা অরাবা ভারবশিংবু, দুনা চান্না য়োকপী ? ব্রাহ্মণবু বৈষ্ণবপু সেবা তৌই। মতৌ অসুম্না হে নিংথৌ কাল অদুগীদি অমত্তা অকান্নবা চৎনরমদবনা। থুদিংমক্তা অশম্বা ডাক্ত ওইরমই। ফনা ফত্তবা নিতি উরবদ্রু পাবদবা লমচংপু ওইরবস্তু চুমনা তাকপি মীগী ধর্ম্মবু মাংহল্লবা; তৌরমদে। ধর্ম্ম অমত্তা মরোং তারমদে। মুপী অমসুং মণবানা, মতম চানা অকবা মচা পোক্লমই। সংসারগী ঋতু থিবিক্লা মতম কায়রম'দ, ঋতু মতম চানা হৈপাল লৈপাগ পাম্বী থুদিংনা শাংলি, পাললি। বৈশম্পায়না কায় তাও মহারাজা হায়রিবা যুগ অদুদি মতৌ অসুম্না সত্য— অচুম্বা ডাক্তা চৎপা সত্য যুগ হায়বনুনি। হে ভরত শাগৈগা অখোইবা অসুম্না চাওখৎলক্লবদা নিংথৌশিংগী মপৌশিংদা (অসুর) হিংচাবাশিংনা চংলকুনা পোকপা হৌখরে। শিংলেবা হীংচাবশিংনা মর্ত্ত লোক্তা লাক্লগা পোক্লকপা অদুনা মীওইবগী মরক্তা মখোইনা অখোইবা ওইনা লাইওম্বা তৌখৎলক্লে। মানা মানা চংনীংবা গর্ভদা চংদুনা

পোকখিরে। শা, মন, শগোল, লোল্লা, হাংম, হুই, হৌদোং, শজি, শঙাই, নোংশা, কৈ, শামু-নচিংবা পোকনিংঙাই লৈবমথৈ ৱাল্লা অতোনবা জীবদত্ত পোকই পৃথীবী মাতানা মশাবু ঙাকচনুবা লৈরম্বদগী মথক্তা হায়রিবা ফংতবা চংহুন। পোক্‌নবা থনগৎলকপদা, পৃথীবী খাঙবা ঙম-শিন্নক্তে। ফৎত্রবা হিংচায়াইতব্রা অসুম অসুম থমগৎলকখিরমই। দৈত্য দানব অসুরশিংঅসী, লাইগী লৈপাক্তা ওৎনৈবা ৱারক্তহুনা; পৃথীবী মীগী লৈবাক্তা পোক্লব স্বর্গদগী লৈথঃ তারক্লবা; দৈত্য দানবনা পৃথীবীদা নিংথৌ ওইররে। পাঙ্গল কল্লবা, নাপন তৌরবা, মেরুবু ঙম্মবা অসুরশিংনা, মথল কয়াগী শকলোন পুংন সমুদ্র ঈরম ৭কী ঙমথৈ শন্দোক্‌না; পৃথীবী শিনবা থুংনা লৈখারে। মপাঙল মতিক মগুন্না অতোপ্পা জাতিবু নৈবা হৌখি, ব্রাহ্মণশিংবা থাংবা ঙম-খিদে। বনগী জীব জন্তু উচেকচিংবদা নৈবিহুনা মথল্লাই কাওবা কয়া মাংখ্রে। তপবন্দা লৈঙবা করিগুম্বদা অকাইবা তৌত্রবা; মুনি ঋষিশিংবু ওৎ-নৈবিহুনা অকিবা পোকহনখী। মন্তী অসুম্না পৃথীবীগী মকম পুন্নমক্তা কোইচং চংহুনা অকিবা পোকহনখী, অদুদা পৃথীবী খাংবা ঙমখিদ্রে, মরমদি হায়ব্রিবা ফংতবশিং অসিনা মৈবা ওৎপদা পৃথীবী পুবিবা অনন্ত, শেষ, নাগ, কূর্মনচিংবা অমসুং মাইকৈ ৪ ঙাকপা শামু নিংথিমা লৈবা ওন্নঙবনা? পৃথীবীগী অকক্না ভারী পুবা ঙম্লক্রে।

সত্য লোইখিদ্রবা ত্রেতা যুগতগী হিংচা ৱাইতব্রা ওৎ-নৈরকপদু, দ্বাপর যুগ য়োরকপদা, থাংবা ঙম্লক্রনা পৃথীবীনা মথীগী শক লোহনা, ময়াং কংনা মমিৎতা মপি তরং তবং চেন্দুনা ব্রহ্মাগী মফমদা চংলখী। "বিধাতা সৃষ্টিকর্তা" অমাং অতা লৈত্রবা, মহন ওইবা লৈত্রবা ব্রহ্মাবু দর্শন কংখী। মতম অদুদা দেবতাশিংনা, মহাঋষি অমদি ব্রাহ্মণশিংনা অমসুং গন্ধর্ব, অপসরানা কোকশিন্দুনা ময়াইদা ব্রহ্মা লৈরগা[2] পুম্নমক্না পুজা তৌদুনা থুরুমদুনা লৈরমই। পৃথীবী মরী ওইরিবানা হাংজখী, মাইকৈ ঙাকপা লাইশিং য়াওনা, পানবা লৈবা ঙমদ্রে হায়না হায়জবা হৌখী। হৌরকপদা মথাদা হায়গদৌরিবা থংবনা ব্রহ্মানা পৃথীবীদা ঐ থংলে হায়খী, ব্রহ্মানা লাইয়ামগা পৃথীবীগা পুন্না গর্ভদশায় মহাবিষ্ণুদা হায়জখী? শ্রীবিষ্ণুনা হায় ঐ পৃথীবীগী অকুপ্ব লোংপাক্লবা অবতার তৌনগে লিনা শান্নবসী' লাই নখোয়সু মীওইনা পোক্লু, হায়না লাইয়াংদা শিন্নরক্লে। পৃথীবীদা নখোয়না মনংশাল নংগী নংগী শক্তিনা পোক্‌রো হায়খী, ফৎত্রবা পৃথীবীদা ওৎ-নরিব-শিংবু লাগ শোয়নবগীদমক লাইশিংসু য়াখী, অদুগা পৃথীবী বিদাই ফংজহুনা চনখ্রে। উপেন্দ্রনচিংবা লাইয়াম্না মাগী মাংগী শক্তিনা পৃথীদা পোক্লগা? বৈকুণ্ঠ নাথ শ্রীহরিগী মফমদা অমুক চংলখী। হে-ব্রহ্মসনাতন প্রভুগী য়াথংদগী ননাই য়াকথাই লাইয়ামসু, পৃথীদা মীওইনা শক্তি অমময়া, পোক্লগদবরে হায়রহুনা শকমচৈ॥ শ্রীহরি মহাক্না ওইবা, শঙ্খ, চক্র, গদা, পদ্ম, মরিনা শাগোল মরিগী লৈতেং ওইরিবা, সনা কিগে পোংলিবা; শংবাখবা কুহুনা ঙাহোইরি, লক্ষ্মী স্বয়ম্ভীনা থোগাল্লি থওাল লৈকাবু ঙাংরবা নমন অনিনা নিংথিজরিবা, মেরুবা পুম্নমক্তী মাংলবা মওৎনি; নিংথিজবা

মথেক অহুম থেকুপনি। ইবুঙো মহাক্তি ব্রহ্মা শিব পোৱারেম্নাচিংলগী কিংমকফমনী, খুাই পূর্ণকী রাকংকমনী॥ থবাক্তা ফুাৈর হুনংপনা থুদম ওইবনি। অসিগুম্না খুাই শদ্ধক্তী মথু ওইবা শ্রীনারায়ণনা? ইরনচিংবনা হায়জকথে। মায়মদি পৃথীবীগী পাপীশিংবু মাংহন্নুনা অকবা লোমগৎ নবগীদমকনি। শ্রীহরি ইবুঙোনা অবতার লমা তৌবিবু? লাইশিংনা পোকন্নুরবা অমিদা হায়জবনি। শ্রীহরিগু মায়ে ঐশ্ব অবতার তৌরগে হায়দুনা দেব সন্তাগী শিংবা থুংহনখী। মহাভারত আদি পর্ব্বগী মায়ী অসী মীওইবনা ভাজবদা পুন্যগী মশক্তি মদিবু কগতকী কমনথা শ্রীবাস দেবনা লেংখরবা প্রমদনী। সোত্তিনা হায়রক্লে, ব্রহ্মা বিষ্ণুগী মাথং কাইদনা লাইশিংদি শক্তিনা পৃথীবীদা কুমহুনা। ব্রাহ্মণ অমদি রাজর্ষি ওইনা পোক্লরে। গন্ধর্ব্বশিংমা অচৌ অচৌবা লিন ওইনা পোক্লুনা মীশা চাবা হাংওম্রবা জন্তুশিংগী য়েক্তবা ওইখী। লাইনা পোক্লকইবা মপোকশিং অহুনা হিংচা রাইতওশিং পাপিবু নৈথা মাংহনবা হৌখরে। তেইইগুবমুং কমৎ হিংচাবা শানবশিংনা ইমাই লাইনা হাংপা মাংকনবা ওমখিত্রে। পৃথীবী অসি ধর্ম্মগা, অধর্ম্মগা মীচং নাইনহুনা লালহৌ কয়ামকম পোক্লরক্লুনা, মীসিনথা কমা ওইবক্লে। জন্মজয় নিংথৌনা মুনিদা হায়জখি, মহামুনিগী থৌজালদগী লাইনা পৃথীবীদা পোক্লকপগী মায়ী অহু, মখল মখল পুথোক্লুমা শন্দোকনা লৌকায়ু অমত্তুং লাইশিংমা অগাপ অকোন পোক্লকখিবা। অহুম্ভ তারনিংই মথশিংনা লিবীয়ু। বৈশম্পায়না হায়খি, মহারাজা চন্দ্রবংশগী থাওমৈ ওইরবা হে নিংথৌ ব্রহ্মাগী মানস পুত্র পুরুনিংদগী ওইবা পোকথীবা মচা তরুকনি, মহুদি মরিচী, অত্রির. অঙ্গির, পুলস্ত, পুলহ, ক্রতু মথোই তরুক অসিনী মসীদগী অমমরা পোকথীবনা মরিচনা কাস্যপ পোকই। কাস্যপকী লুপীমা অদীতী. দীতী দনু, কালা সীংহীকা, ক্রোধা, মীথা, মীনতা, কপীলা, দ্রুতী, কদ্রু, মীত্রা, প্রথা, অমা ওইখী। মথোই অসীনা অমুক মশীং নাইত্রবা মচা কয়া পোকথরে। অদীতীগী গর্ভদা মতিক মগুণ চাওরবা অদীত্য তরানীথোই পোকখী। মখোংদি ধাতা, মিত্র অর্য্যমা, সক্র, বরুন, অংশুভগ, বিবশান, পুষ্য, সবিত্তা, ত্বষ্টা, বিষ্ণু তরানিথোই অসিনি। অসিগী মতুংদা বিষ্ণু হায়বা অসিনা খুাইদগী অহেনবনি, মমম্বু মগুণদা ফেল্লি অমত্তুং চাওই। দিতিনা হিরণ্য কশিপু পোকই, হিরণ্য কশিপুনা মচা মঙা পোকই, অহম্না প্রহ্লাদ, সংহ্লাদ, অনুহ্লাদ, শিব বাস্কল অসিনি। অহুদগী অমুক হায়রবদা প্রহ্লাদনা বিরোচন্, কুম্ভ, নিকুম্ভ অহুম অসি পোকই। বিরোচনগী মচানা 'বলি' হায়না মতিক মগুণ চওরবা দৈত্য অমিনি। বলিগী মচানা "বান" হায়রবা নিংথৌ কগংতা ফাওথিবনি। মতম অহুগী মীশিংনা মহাকপু মহা কাল হায়না থংনরমই। মহাক্তি মহাদেবগী মনাই অচাবরা ভক্ত অমনি মতম কুইনা শিব দুর্গা নিংহুনা, শিবগা রুপানা প্রসিদ্ধ ওইরব; মপান্থোম ত্রিশিং অমা পাপ্লি, কনবা হৈবদা চাংদমনীংঙাই নৈত্রবা বাগ্নি।

দনুগী মচা নিপু (, খুাইগী অহমা "বিপ্রচিত্তি" কৌই,। মহাক অসিদি নিংথৌ অমনি। অনাওশিংগী মতিংদি মহাবল, শম্বর, নমুচি, পুলোমা, অসিলোমা, কেশী, দুর্জ্জয়, দানব, অনলির

অশ্বগ্রিব, অশ্বশঙ্কু, বীর্য্যবান, গগন মূর্দ্ধ, বেগবান, কেতুমান, চস, স্বাভাগ্ন, অশ্ব, অশ্বপতি, বৃষ পর্ব্ব, অজক, অশ্বগ্রীব, সক্ষ, তুহুণ্ড, মহাবল, একপাত, এক চক্র, বিরূপ, অক্ষ, হর, আহার নিচন্দ্র, নিকুম্ভ, কুপট, কপট, শরভ, শলভ, সূর্য্যা, চন্দ্রমা অসিনি। দনুগী মচানিংদগী শক্তোরকপা শিংদগীস্থ দেবতা, দানব, অমং থাইদোকই। দেবতাশিং অসিগী মমুংদা মাওরিবা, সূর্য্যা, চন্দ্রমা হায়বা অমি অসি দানবশিংগী মমুংদা শিংথারিবা দানবকী গুরি। নিংগী মরাব, 'বিপ্রচিত্তি" গী বংশ ওইনা পৃথীবীদা কাওখি। মখোই অসি নত্তবা দনুগী মচা অতোপ্পা ভরা অমগা লৈরি, মখোইদগী দানব বংশ কৌথিবনি। মখোইগী মমিংনা একাক্ষ, অমৃতপ, প্রলম্ব, নরক, বাতাপি, শত্রু, তপন, শঠ, বিষ্ট, বনয়ু, দীর্ঘজিব, অসিনি। মখোয় অসিদগী মদং পোকখ্রিবা অমমমদগী ওইখ্রিবনা মশিং লাকতমদনা লৈখ্রে। ব্রহ্মাগী মচা দক্ষ প্রজাপতিগী মুপী দিরিণীগী, গর্ভদা পোকপী কাশ্যপকী মুপী ১৩নী দক্ষগী মচা মুপীনি, সিংহিকাগীনা মচা মনী পোকখি। অহক্সি সূর্য্য-চন্দ্রদেববু ওংলীবা রাহু শরবভুনী, সুচন্দ্র, চন্দ্রহন্তা, চন্দ্রমর্দ্দন, মখোই অমানী। দক্ষগী মচা মুপী ক্রোধাগী মচা মত্ত মাক্ষা পোকখি, অদুগী মথক্তগী মরীনা খ্বাইদগী অহেনবনি। মনী অদুগী মমিংদী গণ, ক্রোধবশ, ক্রূড কর্ম্ম, অরীমর্দ্দন অসীসি। দক্ষগী মচামুপী দনায়ুনা মচ মনী পোকই, মদুদি বৈক্ষর, বল, বীর বিত্র, অসিনি। দক্ষগী মচামুপী কালাক্সি মচাশি দি অসুরগী মমুংদা মপাঙ্গল মাঙ্গা কন্নি, মমগা পাংথকনি, মেরুবা পুন্নকপু ওস্বা শক্র হস্ত হায়না অমমুং কাপাগা মচা কালকেয় হায়না কাওখী। মখোইগী মমুংদা বীনশন, ক্রোধ, ক্রেথহন্ত, অমদী ক্রোধ শত্র, হায়বা মরি অসিনা খ্বাইদগী অখাইবনী। মখোই অনীন! কৈলাশগা নাপোমগা পনখী, সর্গগী ইন্দ্রবু ওমক্সনা লাই লৈপাকী কোড? মখোইনা চাহনা কালকেয়শিংনা পানখী, মথক্তা হায়গ্রীব অসুরশীংগী গুরুদী, ভৃগুগী মচা শুক্রনা বীনা তম্বিবা গুরুনী। শুক্রগী মচা মরীনা মখোইগী পুরোহিত ওই, ত্বষ্টধর, অমর্ণী, অগ্নিহোত্র; সুকর্ম্মি, অসিনচিংবনি, সূর্য্যগা চপ মানবা মতিক মঙাল লৈখি, বেদ শাস্ত্রদা পুক্কিং চংখি। ৪ অসি কলথোরবা সুর অসুরশীংগী হোর ওকম অসীনী। শুক্রগী মচা মরী অসী ব্রাহ্মসাধকনী, মখোই এক্স খবী মরীগীনা অসুরশিংদি যজ্ঞ যাগদা পুরহিত ওই ব্রহ্মলোকা লৈখি। দক্ষগী মচামুপী বিনতাগী মচাশিংদি তার্ক্ষ্য, অরিষ্টনেমি, গরুর, অরুণ আরুনি, বারুনি, মখোয় অসিনি। দক্ষগী মচামুপী কদ্রুগী মচাদি শেষ, অনন্ত, বাসুকি, তক্ষক, কূর্ম্ম, কুলিক কালি অসিনচিংবনি। দক্ষগী মচা মুনিশিংগী মমিংদি ভীমসেন, 'উগ্রসেন, সুপর্ণ, বরুণ, গোপতি, ধৃতরাষ্ট্র, সূর্য্যবার্চ্চ, মিংতা কজবা বাহন মাগবা নোইবা অর্ক কাশীপতি, সত্যবদী বোগী ওইরবা অর্কপর্ন, ভীম, জ্ঞানী ওইরবা ইন্দ্র খুদম চজবা চিত্ররথ, শালি শির, পর্জন্য, কলি, নারদ অসিনি। মখোইগী মরক্তা বরুণ, পর্জন্য, কলি, নারদ মরি অসি দেবতাশিং অদুগা অতৈসিনা গন্ধর্ব্ব ওকনি। গন্ধর্ব্বশিংনা সর্গগা থংনবা গিরি গন্ধমাদনদা পাম্মি পুং ইশৈ অগোইগী থবক তৌই। দক্ষগী মচামুপীগী মমিং অমুক শারজগে দক্ষগী মচামুপী প্রাধা হায়বী অদুগী

মচাগ্নপী নিপালনি, মহুদি অনবজ্ঞা, মন্থ, বংশা, অগ্নুরা, মার্গনপ্রিয়া, অহুপা, সুভগা, অমরি, ভাসী, মখোই অসীনি। প্রাধাগী মচা নুপানা ১৭ নী, সিদ্ধ, পূর্ণ, বহি, মখোই অহুম্দি দেবতা ভাকনি। পূর্ণায়ু, ব্রহ্মচারী, রতিগুণ, সুপর্ণ, বশ্বা বসু, ভানু, অমদি সুচন্দ্র মখোইসিনা গন্ধর্ব্ব ভাকনি। অহুগা লাইথক করবী প্রাধা অসিগী গর্ভদা কাশ্যপকী ঔরসদগী অপসরাশিং পোকখি, মহুদি অলম্বুষা, মিশ্রকেশী, বিদ্যুৎপর্ণ, তিলোত্তমা, অরুন, রক্ষিতা, রম্ভা, মনোরমা, কেশিনী, শুবাহু, সুরত, সুরজা, সুপ্রিয়া, অসিনা। অহুগা অতি বাহু, হাহা, হুহু, তুম্বুর, গন্ধর্ব্ব মরি অসিস্থ প্রাধাগী মচানি। অমৃত, ব্রাহ্মণ, গরু, গন্ধর্ব্ব ময়াম অসি অমসুং অপসরা ময়াম অসি দক্ষগী কন্সিগী মচা ভাকনি, পুন্নমক পুরাণদা হিরি। গন্ধর্ব্ব অমসুং অপসরাশিং থরাইপানবগী হায়রবসিনি। মখোয়গী দৌরকফমনি। অসিগুম্বা লৈন্, উচেক মুংশিং মুংশা, বণ, ইরোই, ব্রাহ্মণশিংগী মপোক্কী রাবী আয়ু, ধর্ম তাবদা পাবাইবা মুডাই। পি, অমসুং তাগদবমক্তি। পুব চেল শেংবা পাঠ তৌরগা পাপ কোকই, পুন্না ফংই, হগুকী মপোক্তা মচা মও, মরল মরাং কাইনা ফংই। শ্রীব্যাসনা লেংখ্রবা মহাভারত অসি অমৃতগী ঈচেম্মী ইতি হরিবোল হরিবোল হরিবোল

অধ্যায়

ঋষি সম্প্রদায় পোকখিরক্লগী

বাবী মতাং ॥

বৈশম্পায়ননা হায়খি, ব্রাহ্মাগী মচা ৬ রুদ্র ১১নি। মৃগ ব্যাধ, সর্প, নিঋতি, অজৈক, কপাল অহি ব্রধ্ন, পিনাকী, দহন, ঈশ্বর কপালী, স্থানু অমদি ভগ অসি রুদ্রনি। মচা ৬ অহুমদি মথক্তা হায়থরবনি; মহুগী মনুংদগী অঙ্গিরাগী মচাদি অহুমনি, বৃহস্পতি, উতথ্য, সংবর্ত্ত, তপস্বি ভাকনি। বেদ, অনিমানচিংবা সিদ্ধ নিপান থংলবা মগুণ লৈবা ভাকনি। যক্ষ, রক্ষ বানর, কিন্নর কয়ামকপা পুলহগী মচা ভাকনি অমসুং থেব, নোংশা, কৈ, শাজি, কিন্নর কয়ামকপা পুলহগী মচা মও ভাকনি, সত্যবতি ওইবা, তপস্যা কল্লা; বালখিল্য হায়রবা অসি ক্রতুগী মচানি। মহা তপস্বী মগুণ চেন্নবা দক্ষ হায়রবা অসি ব্রাহ্মাগী য়েংথংবা খুবীদগী পোকখি। মানা দক্ষগী মচা নুপী ৫১ পোকখি। দক্ষনা মচানিপা কয়া পোকপহুনা সংসার পামদহুনা মাংখ্রবদা, দোষ অমতা তৌবা লৈতনা থবাল লৈনাগুম্না ফজবীশিংহুবু মচা নুপামক্তি থন্নুনা থম্খ। দক্ষ প্রজাপতিগী মুপা মিরিণীমা ব্রহ্মাগী ওইথংবা খুবী মরুদগী পোকপনি অসিসীদগী অয়াম্বা শন্দোকখী। ধর্ম্মদা ১০, চন্দ্রদেবদা ২৭, কাস্যপদা ১৩, ধর্ম্মগী মচুং ইন্না কংখি। ধর্ম্মগী কীর্ত্তি, লক্ষ্মী; ধৃতি, মেধা, পুষ্টি; শ্রদ্ধা, ক্রিয়া, বুদ্ধি, লজ্জা, মতি ১০ অসিনি। শ্রীভূতনাথদ অতোবী সতী নুপোংবী

চক্রপ্রজাপতিদা শির নিন্দা তৌবকদী মতম থরাই থাদোক্লগা। ছন্দগরিগী মচা ওইনা পার্বতী কৌহনা পোকখী। চন্দ্রদা ২৭ থাজকন্না জগৎতা ফাওরিবনী, মতমগী অফ কংত' য়েংবা অমস্ক্র লেম্বা মতমদা ফারবা য়াওরিবনী, অদুনা লোক্তা চংনবা পাংথোক্লবগীদমক্তা থরানমিচাকী মতৌ-গুম্না লৈরিবনি। ব্রহ্মাগী মচা মনু; মনুগী মচা প্রজাপতি; প্রজাপতিগী মচা বসু, নিপানুমি, মখোইগী মমিং থর, ধ্রুব, চন্দ্র, দিন, বায়ু, অগ্নি, প্রত্যুষ, প্রভাস অসিনি। ৮ অসিদি অমমম্নু পোকপা ধুম্রাগী মচানা থর, ব্রাহ্মনাবিত্তা কৌবাগী মচানা ধ্রুব, মস্বিনী কৌবীগী মচানা চন্দ্র, শ্যামাগী মচানা বায়ু, রতাগী মচানা দিন, শাণ্ডিলীগা মচানা অগ্নি, প্রভাত কৌবীগী মচানা প্রত্যুষ, প্রভাস অসিনি। বসুদগী পোকথরকপা অসীম্বু য়াম্না ছান্দারকপনা মশিং য়ামথ্রবা। মৈ, ঈশিং, মুনি ঋষি য়াং কয়ামুকম্ব থাইদোক্লকই। থরগী মচানা দ্রবিন, হুতবাবহ অনিগনি। ধ্রুবগী মচানা কাল হায়বহনি। চন্দ্রদেবগী ঔরসদগী রোহিনীগী গর্ভদা বর্চ্চ, শিশির, প্রান, রমন, কৌবা মনি অসি পোকই। অসিগী মসুৎদগী বর্চ্চ হায়বসি জীব পুম্নমক্তা তেজ বীর্য ফংনহনা তেজস্বী হায়হনা ওইরিবনি। দিনগী মচানা মনি পোকই জ্যোতি, সম, শান্ত, মুনি অসিনি। অগ্নিগী মচানা কুমার হায়বা অসিনী, মাদি শরবনদা পোকখি, কুমারগী মনাওনুপা থহুম লৈ, শাখ, বিশাখ, নৈগমেয় কৌই। কৃত্তিগী তরুক্তা কার্ত্তিকেয় হায়না খংনৈ। বায়ুগী ভার্যাদি শিবা কৌই মখোই অনিগী মচা মনোজব, অবিজ্ঞাতগতি হায়বা অনি পোকই। প্রত্যুসগী মচানা মহার্ষি দেবল হায়বহনি অসিনি। দেবলনা মচা পোকই, মখোই অনু কনবাহৈন জ্ঞানী অমা ওইখি। বৃহস্পতিগী মচন অম লৈরনই, মহাক্তি থমিং চুপ্না যোগ সাধন বেদগী বক্তৃতা তৌদুনা লৈখি। মানা গৃহস্থাশ্রম যুম্বালবদা চংত্রি ডদা করিগুম্বা বিষয় অমদা পুনিং চংবা পেতনা, পৃথিবীগী মফম পুম্নমক্তা কোইচং চংচরমই। বসু ৮গী অতাথ 'প্রভাস' হায়বদা বৃহস্পতিগী মচন অমু লুহোংখি। মখোই অনিগী মচানুপা ফাওবা অমা পোকই, খুৎশা হৈবগী ইহান্ হানবা হৌ-দোকপা বিশ্ব কর্মা হায়বহনি। মহাক্তি লাইগী খুৎহৈবা ওইখি। লাইগী বিমান পুম্নমক মহাক্ত শাখি, অতনা মহাকপু খুৎশা হৈনবশিংনা হৌঙ্গিক ফাওবদা পূজা তৌনবিবনি। মাবু বিশ্ব হায়রগা জগৎপু থংনৈ : জগৎকি থবক শেমশাবা তৌই হায়রনা বিশ্বকর্মা কৌই। ব্রহ্মাগী য়েৎ-থংবা থক্তাকতগী ধর্ম কৌবহ চো থোকখি, মীওইবগী মুক্তি লৌবনি।

ধর্মনা মচা অহুম পোকখি, মমিংদি, সম, কাম, হর্ষ, সমগী ভার্য্যা প্রপ্তি কৌই, হর্ষগীন নন্দা কৌই। মখোইগী শক্তিনা জীবনা থরাই হিংহনা লৈরিবনি। কামগী মমনীনা রতী কৌই মখোই অনিগী শক্তিনা মায়াগী ভোগ তৌহনা জগতকি লাই মী শা উচেক জীব ছন্দোক্লকই। মরিচিগী মচান কাশ্যপনি, কাশ্যপকী মচা মশুনা দেবতা অমসুং অসুর মরাম অসিনি। কাশ্যপ হায়বা অসিনা থমাই পানবা পুম্নমকাও অপোকপা মপানি। অহগা সূর্য্যগী ভার্য্যা শন্ধ্যানা শগোল অমোমগী মথক পৌওনা লাইনিংথম বন্দা অশ্বিনী, কুমার কৌবা মচা অনি পোকখি। অহুথা মখিৎদি অশ্বিনি, রেবত কৌই। মমাগী মমিং শগোলগী লৌহনা অশ্বিনী কুমার হায়বনি। ইন্দ্র-

মচিংবা ভরানিথোইনা অদিতিগী মচানি, অতোপনা বামনগী মশক লৌবা বিষ্ণু হায়বদুনি মাগী মথক্তা মমম অহুম্না লেংদনা লৈ। দেবতা ৩৭ হায়বদু আদিত্য ১২, বসু ৮, রুদ্র ১১, অহুম্না প্রজাপতি হায়বসীগী বংশাবলি অসি মথং মথং লিয়ৱগে। ব্রহ্মানা লৈবা ধাম মফম অদুবু প্রজা-পতিলোক হায়না কৌজনা। দক্ষ প্রজাপতিদু নিংথৌ হাপ্পুনা লাই মীচন্নাক্লকই। রুদ্রশিংনা কাংবু ১ নি। সিদ্ধ সাধ্যনা কাংবু ১ নি। বসুশিংনা কাংবু ১ নি। বিনতাগী মচা গড়ুর অরুন, অঙ্গিরাগী মচা বৃহস্পতি মখোই অহুম অসি আদিত্য কাংবুগী মনুং চল্লি। অশ্বিনী কুমার অসি গুহ্যগী মনুং চল্লি। ঈশান লৈপাল, উরী বারী পশু কাংবুগী মনুং চল্লি। অসিগুম্বা দেবতাগী হৌরকফম মহারাজ ক্ষেমেজয় নহাক্কী নফমদা লীরবনি। মসিবু তারবদি ব্রহ্মবধগী পাপ কোক্লনী, অমসুং শ্বেতভগ দেহদা পক্লিবদু কোক্লনা অবাইবা মতমদা হরিধাম ফজনী। ভৃগুগী মচা শুক্রদি কবি ১ নি অমসুং গ্রহ মশিং চল্লি। বৃষ্টী, অনাবৃষ্টি, ভয়, নির্ভয়নচিংবগী মরিদা মখোন অহুম্বক্তা কোইচং চত্নুনা লৈরি। বৃহস্পতিনা লাইগী, শুক্রনা দৈত্যগী গুরুনি পুরো হিতনি। ভৃগুগী ভার্য্যা পুলোমগী গর্ভদগী মচা চোবন চোংথোকখি, মরমদি হিংচাবগী মখুংতগী মমাবু কনখিবনি। চোবন্না মনুগী মচানুপী আরুষী লোই, মচা ঔর্ব পোকই। ঔর্বনা ঋচীক। ঋচীকনা জামদগ্নি পোকই। জামদগ্নি মচা ৫ পোকই রুসবান, সুসেন, বসু, বিসাবসু, পশুরাম পোকই। পশুরামনা অতোপ্পনি খুংসু খুলাই হৈবা, মগুন চেনবা হেল্লি, ক্ষেত্রি কুপ্পা হাংখিবা মহাক্নি। পরশুরামদি শক্ত্যাবেশ অবতারনি, যজ্ঞদ ক্ষেত্রি বিজয়ন্না শাগংখিবা ওইবনা ক্ষেত্রিগী লিংজেন চেল্লি। ঋচীক পোকপদি জামদগ্নিনচিংবা মচা ১০০ নি। ১০০ অদুনা লিশিং অমা পোকখি, পাক চাওরবা ভৃগু বংশনা ছন্দোকখি। ধাতা, বিধাতা কৌবা ব্রহ্মাগী মচা ২ পোকখি। ২ অসিনা জগৎতা মানা মানা তৌবা কর্ম্মগী ফল পিবি। ২ অসি থাক নাইরে, মখোই ২ গী মচনুনি লক্ষ্মী কৌবী। অকাশদা কোয়চং চৎতুনা লৈরিবা শগোলশিংনা মহাক্কী পুক্লিংদগী পোকপা মচানি। শুক্রাচার্য্যগী মচা দেপীনা বরুনগী নুপী অহল ওইখি, মানা বল কৌবা, সুর কৌবী নুপা নুপী অনিসি পোকখি। মনুনচিংবা আদি পুরুষশিংনা অমগা অমগী অচা অথক লামশিন্নবদগী চাবদগী অধর্ম্ম হায়বদু পোকখি। অধর্ম্মনা জগৎ মাংনবগী মরুনি। অধর্ম্মগী নির্ঋতি কৌবী ভার্য্যা ১ লৈরমই, মানা হিংচাবা ময়াম অমা পোকখি। পাপতা ফংতবা লিচংতা পুক্লিং চংখি। মতুগী মরক্তা ভয়, মহাভয়, মৃত্যু অহুম্না অথোইবনি। মৃত্যু কৌবা অসিগী মতুমচা লৈরমদ, মরমদি থরাইপানবা পুম্নক মানা মাংহল্লি। তৌইশুমসুং তাম্রা দেবী মচানুপী মভাদি পোকখি, অদুদি কাকী শ্যেনী, ভাষী, ধৃতরাষ্ট্রা, শুকী অসিনি। হায়রিবা মখোই মচা অসিনা অমুক ছন্দোক্লকপনা, উচেক্কী জাৎ মথল অনী শাহিংচাবা উহৈ চাবা তিন-কাং চাবা মথল কয়া পোকখি। কাকীনা কাক, মকু, শ্যেনীনা শ্যেন = খুম্ব থরং, ভাসীনা ভাস উমাইবী অমসুং লংজা পোকখি। ধৃতরাষ্ট্রানা তাম্র কাওনচিংবা অমদি ভগ্রানা চক্রবাক পোকখি। কয়বা গুণ চেনবী, মুলকম্না ওইবী শুকীনা শুকপক্ষী চোঙা তেনবা পোকখি।

মমতগা হায়রিবা ফোংবা হায়বা অমা য়াওথিবদুগা মচানুপী মাপন পোকখী, মখুদি মৃগী, মন্দ, হরী, ভদ্রমনা মাতঙ্গি, শার্দ্দুলী, শ্বেতা, অমবা লক্ষণ ওইবা "সুরভী" শাওগনবী "সুরসা" অমিদি। মৃগীদা খজি শতাই, মৃগমন্দনা শওম শম মৃগমদ, ভদ্রমনানা ঐরাবতমচিংবা শাখুগী জাং ওইনা পোকহনখি। হুতোই, য়োংশুবা অসি হরীগী মচানি। শার্দ্দুলীনা কৈগী জাং মখল, নোশাশুবা পোকখি। মাতঙ্গিনা অতোপ্পা অচৌবা শামু অমসুং শ্বেত কোৎনা মাইকৈ ভাকপ শামু অমসুং মথোং য়াংবা শাজন মদোগী জাং পোকখী। সুরভনা রোহিণী গন্ধর্ব্বি অনি পোকই, অংগী ভুংদা অমুক বিমলা, অনলা কৌবা অগী পোকই। রোহিণীগী মচানা মণ, গন্ধর্ব্বিনা শগোল পোকখি। অমুক্তা সংসার অসিদা লেমথ্রিবা জাং, জীবমখল কয়া কয়া অসী, মথ' মনাও শৃষ্টি অসী চাওথোকহনখি। ইহাগী কজরবী মচা অহুম পোকই, মথোইনা উপাক্স, রাপাল ঊরিনচিবা শংখোকখি, মমা ওইখি। মথোইগী জাং অহু লতা, রুপা বীরুদ মোই, মপাল শাংজনা মহৈ য়ানবনা লতাগী মচানি বনস্পত হায়রিবসিনি। মপাল শাংলগা মহৈ য়াম্বনা রুক্ষ কোই, মথোইহুনা রুহাগী মচা ভাকুনি। মনা মশিং মরি চংপা জাংনা বিরুধগী মচানি। বিমলা পিণ্ড ফল থাংহুপ কোনাশুবা জাং পোকই। শুকী সুরসাগী মচানুপানা কঙ্ক পক্ষী পোকখি। অরুনগী ভার্য্য শ্যেনীনা সম্পতি অমসুং জটায়ু অনি পোকই, সুরসান শেম্ব পুরুষ পোকই, কদ্রুনা লিন ময়াম পোকই। বিনতাগী মচাগী মনুদা গড়ুর, অরুন অনি অসি জগৎ লিনবা থুংনা কাওখি। অরুন ময়ানা খাম্নুনা একম থুগায়রকহুন, ইন্দ্রধনুনা লৈব শুমদহুনা ভুমিং অসাবা তেজ মাইকৈবা মথ খোইহনখি। অসিগুম্বা অথোই অথোইবা জীবশিংগী মপাক মথং-শিংনা লিজররবনি। অসিবু ভারতকি পাপ কোক্লুনা পুন্য ফংজে প্রানি ,উংপত্তি কৌবা য়ারী অসিবু ফেং-জন্মেজয় মিংথৌ পুকনিং চত্তনা ভাগরবদী ব্রহ্মবধগী পাপ পুন্নমক কোকনা নশাগী লাইথুওমু লোইনা কোকনি শ্রীগুরুদেব ব্যাস মুদিনা হায়রমলবা য়াথংনি। অসিগুম্বা শ্লোক লিশিং চাপ্পনা লেওখ্রবা মহাভারতপু থকমজহুনা তোল্লবা হরিদাস সিংহনা ঈমা লোন্দা ইরবা অলিগী মরমদা। সগিগ লাইস্ত্রম ৺শ্রীগোকুল সিংহ অধ্যাপক পণ্ডিত ওবা ইবুঙোমাগা লেংবীগনা থনবা ওঝাগী শরুকী, পাংথ্রবা ঐনা ওঝাগী সেবা কচ্চবনী। ইতি মতাং অসী য়োরকপদা ওঝাগী য়ারী শরুক শৈরেং ইরবা লোইরে। অশোইবা কয়া য়াওখিবা ইথোক্চবা ঐগী দোষনী অরাল্লুবা কয়াবু বৈষ্ণব সমাজনা ভাকপীনী নিংজৈ। ইতি। হরিবোল হরিবোল হরিবোল।

শ্রীহরিদাস সিংহ — উপনাম— য়াইমা সিংহ।

অধ্যায় অসিদগী শ্রী৺থৌচোম তোম্বাও সিংহ কথা বাচক পণ্ডিতকী; লোইচনা থম্বীরবা ঈবা লোন্দা লোংচনা সাহিত্য সেবা পাম্বীরবগী য়ারী মতাং হৌজরে।

অধ্যায়

লাই হিংচাবা, গন্ধর্ব্বনা মর্ত্ত্য লোক্তা পোকপগী য়াবী মতাং।

?নমিষা বনাদা য়ারী তারিবা শৌনকন চিংবা মুন সত্তাগী মকমদা সৌতিনা হায়রে, জন্মেজয় নিংথৌনা বৈশম্পায়ন মুনিদা হায়ঙখী, হে মুনিন্দ্র অশোইবা মপোক লাই, হিংচাবা, গন্ধর্ব্বশিংনা মী, শা, উচেক, লৌয়চিংব জীবা ওইনা পোক্লরিবা, কর্ম্মগীনো? মরমচৎ অমসুং স্বাভাব অহু মুক্ত তাগাইনা তাজনিংই। পৃথীবীদা পোক্লগা মখোইনা পাল্লরবা মতমদা মীরৈবাকী সাসন পালত্র, ধর্ম্মনিতিগী মওংদা, হায়া লৈরম্বনগী হোজ্ঞকপরা বৈশম্পায়ন্না হায়খি, মহারাজ মথক্তা কয়ামকমসু লৌখ্রবনি, মথংদা কয়ামকম লৌরক্তে তাবীয়ু। বিপ্রচিত্তি কৌবা দানব নিংথৌনা মর্ত্ত্যলোক্তা জরাসন্ধ ওইনা পোকখি। দিতিগী মচা হিরন্য কশিপুনা, মর্ত্ত্য লোক্তা শিশুপাল ওইনা পোকই। প্রহলাদগী মনাও মুপা, সংহ্লাদ হায়বা অহুনা। থাল্লীক বংশগী অখোইবা শল্য ওইনা পোকখি। প্রহ্লাদগী মনাও অতোপ্পা অনুহ্লাদ হায়বা, অকনবদা ফাওখ্রবা অসুরনা ধৃষ্টকেতু ওইনা পোকখরে। শিবি দৈত্যনা ক্রম ওই। বাস্কল (অসুর) না ভগদত্ত কৌবা নিংথৌ অহু ওইনা পোকপনি। অয়ংশিরা অশ্বশিরা, অয়ং শঙ্কু, গগন মূর্দ্ধ, বেগবান কনবা মহাসুর ৫ অসিনা, কেকয় দেশগী নিংথৌ ৫ ওইরবনি। কেতুমান কৌবা মহাসুরনা অকিবগী মশক ওইবা উগ্রমৌজ ওইনা পোকখি

স্বভানু মহাপুরুষ	না	উগ্রসেন	নিংথৌ ওইনা	পোকই।
অশ্ব মহাসুর	,,	অশোক	নিংথৌ ওইনা	পোকই।
অশ্বগী মনাও অশ্বপতি	,,	হার্দ্দিক্য	নিংথৌ ওইনা	পোকই।
বৃষ পর্ব্ব মহাসুর	,,	দীর্ঘপ্রজ্ঞ	নিংথৌ ওইনা	পোকই।
,, মমাও অজকসুর	,,	শাল্ব	নিংথৌ ওইনা	পোকই।
অশ্বগ্রীব মহাসুর	,,	রোমন	নিংথৌ ওইনা	পোকলৈ।
সুক্ষ্ম দানবনা	,,	বৃহদ্রথ	নিংথৌ ওইনা	পোকলৈ।
তুহুণ্ড দৈত্যনা	,,	সেনাবিন্দু	নিংথৌ ওইনা	পোকলৈ
এদপাদ দৈত্য	,,	নগ্নজিৎ	নিংথৌ ওইনা	পোকখী।
একচক্র মহাসুরন	,,	প্রতিবিন্ধ	নিংথৌ ওইনা	পোকখী।

বিরূপাক্ষ মহাসুরষন ,,	চিত্রবর্ম	নিংথৌ ওইনা	পোকখী।
হর দানব	সুবাহু	নিংথৌ ওইনা	পোকখী।
অহর অসুরনা ,,	বাহ্লীক	নিংথৌ ওইনা	পোকখী।
মিশচন্দ্র দৈত্যনা ,,	মুঞ্জকেশ	নিংথৌ ওইনা	পোকখী।
নিকুম্ভ দানব ,,	দেবাধিপ	নিংথৌ ওইনা	পোকলে।
শরভ মহাসুর ,,	পৌরব	রাজর্ষি ওইনা	পোকলে।
কুপট দেত্তা ,	সপার্শ্ব	নিংথৌ ওইনা	পোকখী।
কুপট দেত্তা ,,	পর্বতেয়	নিংথৌ ওইনা	পোকখী।
শলব অসুর ,,	প্রহ্লাদ (বাহ্লীক দেশ) ওইনা		পোকখী।
চন্দ্র দৈত্য ,,	চন্দ্রবর্মা (শেমজোক দেশ) ওইনা		পোকখী।
অর্ক দানব ,,	ঋষক রাজর্ষি	ওইনা	পোকখী।
মৃতপা অসুর ,,	অনুপক (পশ্চিম দেশ	ওইনা	পোকখী।
গবিষ্ঠ দেত্তা ,,	দ্রুমসেন	নিংথৌ ওইনা	পাকখী।
ময়ূর মহাসুর ,,	বিশ্ব	নিংথৌ ওইনা	পাকখী।
,, মনাও সুবর্ণ ,,	কালকীর্ত্তী	নিংথৌ ওইনা	পোকখী।
চন্দ্রহন্তা অসুর ,,	শুনক রাজর্ষি	নিংথৌ ওইনা	পোকখী।
বিনাসন অসুর ,,	জানকি রাজ	নিংথৌ ওইনা	পোকখী।
দীর্ঘজীব দানবনা ,,	কাশীরাজ	নিংথৌ ওইনা	পোকখী।
বাহু মহাসুর ,,	ক্রাথ রাজ কৌবা	নিংথৌ ওইনা	পোকখী।
বিকর মহাসুর ,,	বর্দ্ধমিত্র	নিংথৌ ওইনা	পোকখী।
,, মনাও মহাসুর ,,	পাণ্ড্যরাজ কোবা	নিংথৌ ওইনা	পোকখী।
বলীন মহাসুর ,,	পৌণ্ড্র মৎস্য	নিংথৌ ওইনা	পোকখী।
বৃত্র মহাসুর ,,	মনিমান	নিংথৌ ওইনা	পোকখী।
ক্রোধহন্তু মহাসুর ,,	দণ্ড কৌবা	নিংথৌ ওইনা	পোকখী।
ক্রোধ বার্দ্ধন মহাসুরনা	দণ্ড ধার কৌবা	নিংথৌ ওইনা	পোকখী

নৌত্তিনা ব্রহ্ম সভাগী মকখদা হায়রৈ তাবীয়ু, ভারত লিরীবা বৈশম্পায়ননা হায়রকই, মহারাজ জন্মেজয় নিংথৌ। কালের কৌবা হিংচাবশিংগী, মচাশিংনো মখোয়না মিপাম লাকুনা পৃথীবীদা লোংশাগা মায়না কয়বা নিংথৌ মিপান ওইনা পোকলে। অহনবী অথোইবা অহুমা মগধ দেশগী জরাসেন নিংথৌ ওইখি। অহুগী মতুংদা ইন্দ্রগা মাইবা অনিশুবা কালকেয়না, অপরাজিত নিংথৌ ওইনা মরা কৈরবা অক্ষকতবা কালকেয়ন, নিষাদ লৈবাকী নিংথৌ ওই।

মরিচবা কাল কেয়া, কৌরব, নিংথৌ ওইনা পোক্লে। মত্তাসুরনা মহৌবা মঙ্গথৌ ; অহুগা জরকগুনা অভীরু , তল্পেংগুননা সমুদ্রসেন , নিপানসুরনা জীব পুরুষকী বাল্লনবা, ধর্ম্ম লৈরবা বৃহৎরথ হায়বা নিংথৌ অহু ওইনা পোক্লে । মহিসুর কৌবাদৈত্য গী বাংনা, চিরৌনিংথৌ শিশুপাল ওইনা পোক্লে । কুক্ষি কৌবা দানবনা পার্ব্বতীয় নিংথৌ ওইনা পোকই । ক্রথনা সূর্য্যাক্ষ , সূর্য্য হায়বা মহাসুরনা দরদ দেশগী বাহলীক নিংথৌ ওইনা পোকই । মত্তাং অসীগাগী ভারিবা. পরিকত্তকি মহারাজ-জন্মে-জয়না হায়রে, মহামুনি মতিক লৈরবা লাই, গন্ধর্ব্ব, দৈত্য, দানব, অসুর শিংনা পৃথীদা কৃষ্ণজন্মা মীগী মপোক, ফত্তরিবা অসিব ? তাবদা পেনবা নাইত্রবা, রাগী অসী চিংবদনা নিবিয় । অজরবা পৃথাগী মাংলমচংকি রাজেন্দ্র সাসন, ধর্ম্মদা মাটওহিনলবা, চাইথাইরবুনা অমগা অমগা লেংথৌ. নরকপা অমসু পৃথীগী অরুন্ধা কোরুবা ভগবান্না শাসনব লিলা তাজগে মুনি । বৈশম্পায়না হায়খি, ক্রোধবশ কৌবা দানব কাংবুগী অমুক লিগ । মথোয়না নিংথৌতাকা ওইহনা পোকখ্রে। মমি শি অহুদি মদ্রক, কর্ণবষ্ট, সিদ্ধার্থ, কীকট, সুবীর, সুবাহু বাহ্লিক, ক্রথ. বিচত্র, সুরথ, নীল, চীরবাস, দণ্ডবক্র, দুর্জ্জয়, রুক্মী, জনমেজয়. অষাঢ়, বায়ুবেগ ভূরিতেজ, একলব্য সুমিত্র, বাটধান. গোমুখ, কারুষক, ক্ষেমধূর্ত্তি শ্রুতায়ু, উদ্বহ, বৃহৎসেন ক্ষেম, উগ্রতীর্থ, কুহর, ঈশ্বর, অসিনি । মথোয় অসিনা পৃথিবীদা লাকুনা, খুৎকন পাজনবা, লাইবক ফরবা, মিংচং চাওরবা নিংথৌ ওক্ত ওইথিবীনা । পৃথিবীদা দেশ খুদিংগী নিংথৌ ওইহনা ॥ পাল্লকপা মতম অসিদা, অমগা অমগা উসিংনাদ । অকনবদা ফাওখ্রবা দাশব কালনিমিনা, উগ্রসেনগী মচা কংস ওইনা পোক্লবনি । ইন্দ্রগা মান্ননা কল্লবা দেবক অসুরনা গন্ধর্ব্ব পতি নিংথৌ ওইনা পোকই । দেবর্ষি বৃহস্পতিগী অংশনা ভর-দ্বাজগী গোত্রদা " দ্রোনাচার্য্য " ওইনা পোক্লবনি । মহাক্তি কনাগী গর্ভদগী পোকখিদে খুজু খুংলাই অমসুং ভত্তগা লোয়নন থংলমই, মরম অহুনা লীরুং পাইবা পুরুষ কগী অথোইবা ওইখি । শান হৈবা মিংচং চাওরবা, ওইখি , মহাক্তি অতোপ অতোপ্পা বেদসু রাগ্না খংবা সুপানি । দ্রোনা তৌবা থবক্তি অভকপনি, মাবা মাগী লাংগেব চাউথংহল্লমই । পৃথীগী নিংথৌমচা করাগী ওম্বা ওইথী ? যুগ করা পুংজরথী, সিদ্ধ শক্তি লৈবা শিগে শিবোত্ত ওপনি । শিব, যম; কাল; অমসু ক্রোধ দেবতাশিংগী শক্তিনা তিল্লহনা " অশ্বথাম " ওইরে । বশিষ্ঠগী শাপগী অমসুং ইন্দ্রগী মাথংগী বসু (মাইকৈ ৪াকপা) মিপাল্লা মত্ত্য লোক্তা কুরকুনা গঙ্গাগী গর্ভদা শান্তনুগী মচা ওইরে । ভীষ্ম " ওইনা পোকরি বসু নিপালগী অতোপহনি । শিংবা, নীতি থংবা বেদ লৈবা রাডাং থোন্দা ফজবা, পুকচেল তঙ্গা, থোনা ফবা, কুরু বংশগী অচাইবা, মেরুবা পুরুষক ওবা ? অমসুং মাবু মীনা অকিবা ওইরমই । মহৰা ওইরবা লাইগী শক্তি পুরবা পরশুরাম মকনা। ভীষ্মগা লান শোকখি । তোইত্তঅমসুং মহাকী ওবা রাম্না লাকচা ওবথিদে । অহগা রুদ্র পুরুষকী অংশ পুরুনা " কৃপ " কৌবা রাজর্ষি অহু পোকখি, জগৎতা মহারথিনী । দ্বাপরগী অংশদগী শকুনি নিংথৌ অকাওবা অহনি । কুংশিং মিধু বাপনগী অংশনা বৃষ্ণিবংশগী অথোইবা " সাত্যকি " ওইনা পোক্লে । অমদ কৌবা রাজর্ষি

অহনু মরুৎশিংগী অংশদগী পোকপনি , অমসুং কৃতবর্মানু মরুৎশিংগী অংশদা পোকলবনি । অরিষ্টগী মচা হংসনা, কুরুবংশদা পোক্লকুনা, কুরুবংশগী নিংথৌ ওইখি। মমাগী পাপ লৈথিবা, অমসুং ঋষিগী অশাওবদগী, পাংথোক্না থুকউ য়েনা চোল্লবা, পাঙ্গল কল্লবা ধৃতরাষ্ট্র হায়বা অসি, মমিৎ তাংনা পোকখি (ব্যাস দেবগী ঔরসদগীনি)। মথক্তা হায়খ্রিবা অরিষ্টগী মচানা মনাও নোম্বা কল্লবা সত্য লৈবা ধর্ম থংবা 'পাণ্ডু' পোকখি। গুমিৎ চুপ্পগী কংতবা রাথন্দা থন্দুনা মরৈখ্রবা, 'দুর্য্যোধন' অসি "দ্বাপরা যুগকি যেথদা কলিগী অংশনা পোক্লরবনি। মহাক্না ধর্ম কায়রবা পঞ্চ পাণ্ডব মতাদা য়েক্লখি, অমসুং পৃথীগী নিংথৌমচাশিংগী, মাংনবগী মশক ওইখি। মনাও ৯৯ দুঃশাসন, অমসুং দুর্ম্মুখ, দুঃসহনচিংব অদু; হিংচাবমকুনা লাকুনা পোক্লবনি। মথোইনা কংতবা রাথল অমসুং থবক্তা পুক্লিং চংখি। বৈশ্য নিডোনগী গর্ভদা, ধৃতরাষ্ট্রগী মচা অমসু "যুযুৎসু" হায়না পোকখি। মহাক্কি চান্মদগী অথাইব, মশিংনি। নিঙোল অমসু দুঃশলা কৌবী পোকই, অদুগা পুন্না ১০২নি (মমিংশিংদি ১০০ পোকপা মতাংদা লাকনি)।

ধৃতরাষ্ট্রগী মচাশি অসি চুপ্পগী মশিংদা তুবা নত্তে, মতিক চানা চান অমমম্না কল থোরবা মমিং চৎপা লাক্লনি । শকা শুনগা মাল্লবী ভার্য্যা অমমম লুহোংবা তাক্লনি। দুঃশলা অদু সিন্ধু দেশকী জয়দ্রথদা লুহোংখি। জয়দ্রথ হায়বা নিংথৌ অসি, শিব লিংগদ কনদা মরমদগী, সদাশিবনা খোঙ্গানবীখ্রনা। থাংশাং অমা পিথী, থাঙ্গি মপাল্লা মীয়ামনা কিনখী। অমরামদা ধর্ম লৈবী কুন্তীগী গর্ভদা, ধর্ম্ম, যমগী অংশনা, যুধিষ্ঠির ওইনা পোকই। ইংশিংকী অংশনা ভীম, শোরাংরেনগী অংশনা আর্জ্জুন, অশ্বিন কুমারগী অংশনা নকুল অমসুং সহদেব ওইনা পোকই। চন্দ্র থাগী মচা বর্চ্চা হায়বদুনা পৃথীবীদা লাক্লুনা "অভিমন্যু" হায়না অর্জ্জুনগী মচা ওইনা পোকখি। মোত অমনা গুরু থোরানীদা বেব্যহার কায়রুদুনা, গৌতম মুনিগী শাপ্পা চন্দ্রন মীওহন পোক্লে। মত ১ বা লাইহাল্লা থাগী মচা বর্চ্চা মীওইনা পোকহনবদি অতৈগী নত্তে, হিংচাবশিংনা মীওইনা পোকখ্রি বশিং অদু, হাৎপদা মতেং পাংনবা থাবনি। থাগী রাদগী মতম ককখি, শ্রীকৃষ্ণগী মরূপ ওইব অর্জ্জুনগী মচা ওইনা পোক্লগা। অডা ওইনা পাঙ্গল কন্বা মহারথি, মমাংদা য়েক্লব থাংবা ডমদবা ওইসম্ন; চহি ১৬ শুবদা কুরুক্ষেত্রগী লাম্রাওদা ডমথৈ, মশিং লাকতমদনা মথুংতা লানবি য়ল্লগা, লানফম অদুদা শিদুনা, হাল্লগী মকম ফংসন্ন; হায়না, দেবশিংনা হায়খি। পাণ্ডু শ্যাগেগী মুংতনবগীদমক ; মচা অমশু লৈহোসনু হায়খিবনি। অগ্নি দেবগী অংশনা, মহারথি ওইবা "ধৃষ্টদ্যুম্ন" ওইনা পোকখি। হিংচাবীগী অংশনা অহানবদা, অমা দ্রুপদী কন্যা ওইনা পোক্লগা ? মাপুনা অমুক দ্রুপা ওইবা মপোক্তা, শিখণ্ডী ওইনা পোকখি। বিশ্বদেবগী অংশদগী দ্রৌপদীগী গর্ভদা, পঞ্চ পাণ্ডবকী মচা মঙা ওইনা পোকখি। যুধিষ্ঠিরগী মচানা প্রতিবিন্ধ্য, ভীমগীনা সুতসোম, অর্জ্জুনগী শ্রুতকর্ম, নকুলগী শতানিক সহদেবগী জয়সেন কৌবা ৫ অসি পোকখি। অমসুং গন্ধর্ব্বশিংগী অংশদগী, পাণ্ডবগী অতোপ্পা দ্রুপীশিংদা!! মখা কয়া থৃংকল পাঙ্গলবা পোকখি। ত্রিখদেবগী

অংশ অহুনা, মথক্তা হায়রিবা অহুতা নত্তনা, যদুবংশদা শূরসেন হায়বা অহুম্ পোকখি, শূরসেন অসিনা বসুদেব হায়বা মচা অমা, অমসুং পৃথা কৌবী মচানুপী অমগা পোকখি। শূর-সেনগী মপাগা পোকমিন্নবা মনেগী মচানুপা "কুন্তিভোজ" কৌবা অমা, মচা পোক্তবনা মুডাই-তহনা মমাংতৌদা পিগে হায়বা ৱাকম ১গা লৈখিবদগী। পৃথা কৌবী মচা অদু পীহুনা কুন্তি-ভোজনা য়োকখি। অদুদগী পৃথা হায়বা মমিং তোকনা, কুন্তী হায়না মমিং কৌখিবনি। লাইবক ফনবা বসুদেবদা ইপা ওইনা, শ্রীকৃষ্ণনা অবতার তৌখি। গোকুলদা চাওরগা, ব্রজ লিলা কয়া শাম্নরগা, মথুরা লিলা লোইহুন, দ্বারিকা শেমখী। কুন্তিভোজনা মচা লৈরমদবদগী, পৃথাবু ফংজবদা হরাউখিবনা চেংনা চান্না য়োকখি। চাওরক্লবদা মহৈ মশিং মতিক চানা অরাংপা লৈতনা লৈখি, অতুতা নত্তনা অহল লমমবু লুনা তৌবা, ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব লাইগুরুবু সেবা তৌবা তগি; কলিগুম্বদা মহাক্তা অতুনবা লৈখিদে নোংমদি মতিক চাওরবা শাওগন্নব, অমসুং শাপ তৌগন্নবা "দুর্ব্বাসা" মুনি থুংলবদা কুন্তীনা সেবা তৌবনা অকাইবা ছিন্ন শাপ তৌকম অণাওবা তাক্তা লৈখিদ্রে। পেল্লহুনা মুনিনা কুন্তীবু বরগা লোযননা বশীকরন খুদুমচনবা অমসুং আকর্ষন চিংশিন্দুনা কৌবনচিংবা মন্ত্র তখিপি অমসুং হায়খি —ইবেম্মা নংনা কৌনিংবা লাই কাওবদা কৌহুনা বর নিজবা ঙমউ, নচা লাইগুম্বা অকাওবা ফংজো। হায়তুনা বরগা লোইননা ভস্মীরম্বনা। মুনিনা হনখ্রবদা নোংমা অয়ুক অঙনবদা কুন্তীনা মুনিগী মন্ত্র চাং য়েংগদবগী, সূর্যমিৎপু অকর্ষন মন্ত্রনা কৌথখি; খুদক অদুমক্তদা সুমিংকি বরনা গর্ভাবতী ওইরম্বনা, সুমিংকী থৌজান্দগী মা খংত্রিতৈদা। কর্ণ নাকোংদা মচা অদু পুথোকহনখি। পাত্র ১দা হাপ্লগা মচা ফংবগী মতম চাত্রিবা কুন্তীনা, গঙ্গাদা তাওথহনখ্রে। ধৃতরাষ্ট্রগী সারথী সূত্রজাতি অধিরথ = রথ থৌবদা অধিক ওইবা থাইদোকপা অধিরথ কৌবা মুপানা থুন্দুনা, মচা ওইনা মাগী মুপী রাধাদা পিহুনা য়োকখি। মতিক মগুন মঙান মথানা পোকপদা পৃথীবী নমথখী।

মহাক অসি পোকপদা কুণ্ডল নাইন অমসুং কবচ (মীগী খুংশাইনা ককপা য়াত্রবা) লোই-নরকই। মমিংদি বসুষেন কৌরমই; দান কবদা মাগুম্বা অতোপ্পা অমা লৈরমদে; অমসুং লৈখিদ্রে। মহৈ মশিংদা তাংগুনা হৈ। মমৈথংদা ইন্দ্রনা ব্রাহ্মণ শাহুনা লাক্লগা, পোকপদা লোয়নরকপা কবচ, নাইন দান ওইনা নিখি। ব্রাহ্মণনা য়েংবা ঙম্বা "টা" অমসু মঙোন্দা পিরমই, অসিনচিংবা মগুম্না সংসারদা শিন্দুংনা থংনখি। দান্ ষবদগী বৈকর্ত্তন অমসুং কর্ণ হায়না মমিং অসিনা ফাউখিবগী মরমদি, পোকপদা কুন্তী মমাগী নাকোংদগী পোকই হায়হুনা কর্ণ হায়না কৌখিবনি। বৈশম্পায়ননা জন্মেজয়দা লীখি, মহারাজা। অসুম্না পোকপনা শিবা নাইত্রবা লাইমক্লসু পৃথিবীদা, হায়বদি শ্রীনারায়ণমক্লসু কুমলক্তনা নমিং শ্রীকৃষ্ণ কৌহুনা অবতার তৌখিবনি। অনন্ত শেষ নাগগী শক্তিনা বলরাম; সনন্দকুমারীগী শক্তিনা প্রদ্যুম্ন, অসিনচিংবা পোকথী। মতৌ অসুম্না ইন্দ্রগী য়াথংদগী অপসরা (লাইগী জগোইশাবী) শিংবু মর্ত্ত্যলোক্তা পোকখি। 'শ্রীকৃষ্ণ'

ইংথোগী লোম্নবী লৈমা শিশিং তরাতরুক চামগা নিপান (১৬১০৮) মকস্থু অপসরা শংনা পোক্রবনি। লক্ষ্মী দেবীগী অংশনা শ্রীকৃষ্ণগী লেপ্পনবগীদমক ময়াংদগী থোইদোকপী রুক্মিণী, ভীষ্মক নিংথৌগী মচা ওইনা পোকই। ইন্দ্রাণী শচীগী অংশন, দেবীগী অংশন, অনিনা পুল্লগা যজ্ঞদগী দ্রুপদগী মচা ওইনা দ্রৌপদী পোকই। মহাক্কি নেম্মন্দ য়াংমন্দে, থম্বাল মনম্নি, মিৎনা থম্বাল মনাওম্নি। নীংথৌ অনিনা পুক্নিং হুনবগ মশকনি, শম্না মুনা লংনা শাংই হকচাং কয়াৎ খুদিংদা শুভ মঙ্গলগী মশক্নি। বৈদূর্য মনিগী মপোংগুম্না শংবাম্নৈ, মথস্তুনা মপুবোইবা মচা (পাণ্ডব) গী সেবা তৌবদা।। অথোইবা অহেন নাইদনা ইথক কৌইহন্নি। সর্গগী সিদ্ধি-ধৃতিনা মর্ত্য-লোক্তা কুন্তী মাদ্রী, ওইনা পোকখিবনি। লাই-গন্ধর্ব্ব, অসুর, হিংচাবশিংনা, মখোই অসুম্না পোকখিবনি। নৈমীসারন্যদা য়াম্না তাখিব, মুনিশিংগী মফমদা, সৌতিনা হায়খি তাবিয়ু মুনি সভা। মহাভারত তাখিবা জন্মেজয়গী মফমদা, বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়খি মহারাজ। অসিগুম্বা অংশাবতার কৌবা মতাং অসিবু থবাই য়াংনা পুক্নিং চংনা হাজরবদি অতুগী মথৌনা পুম্নমক মঙ্গল ওই। পূর্নসি শাংই, জয় ওই, খুদোংথিবা কান্দ্রা পুক্নিং ফাজিনব ঙমই, অমগুং অরাবা কোকই। মরম অসিনা মহারাজবু, মতাং অসি পুক্নিং চংনা তাবিগদবনক্নি। অদু ওইরবদি পাপ লাইথুং কোক্লগা অরোয়বা মতমদা হরিধাম চৎনি, শ্রীবাস মুনিন পেংথুবা মহাভারত অসী? শ্রীবসুদেব কৃষ্ণগী স্বরূপনি। মসিগী নিংনা তৌরবদি, মী মহাক অদু যমগী যাতনা লাম্থোকপা ঙমলরোই, মসি থংনা শ্রদ্ধা ভক্তিদা শ্রবন ওইগনি। ইতি হরি হরি হরি।

— — —

অধ্যায়

কুরু বংশ ছন্দোক্লকপগী

বাবী মতাং।

জন্মেজয়না হায়খি হে-মুনি অপোইবা, দেব, দানব, রাক্ষস, গন্ধর্ব্ব, অপসরানচিংবনা, মীওয়-বনা পোকথীবগী য়ারী তাজরে। হৌজিক্তি কুরু বংশগী য়ারীবু, মকোক্তগী মথংশিংনা লৌবীয়ু। মাহুবু তাজনিংবগী অরাম্বা থোরাংবা ওইনা তাইরবনি মুনিনা লৌবীরকপবু তাজরগা অরাম্বা কোকচগে। বৈশম্পায়ন মুনিনা খুমলকই মহারাজা। জ্ঞানী ওইরবা বৈষ্ণব রাজর্ষিশিংগী পুথিগী য়ারীদা ধর্ম্ম অর্থ, কাংমোক্ষ বিষয়না থম্না য়াওরিবনি॥ মহাৰ্ষি ব্যাসনা ঐতোন্না লৌখিরীবা, অদুমক ঐনা লৌরকে। তাবিয়ু মহারাজা। দক্ষ প্রজাপতি, বৈবস্বত মনু ভরত, কুরু, পুরু, অজমীঢ, যাদব অমধি কৌরবশিংগী বংশাবলী য়ারী অসিদি, লম্‌মম, পুন্সি মি চংবচিংবা;, পুন্য চেন্নবা, মঙ্গল পিনবরা য়ারীনি। মরমদি মহাঋষিশিংগা যাম্নবা, থুকল পাম্নবা রুদ্রগী শক্তিনা তিম্নবা মিংথৌ

মক্কা ওইখি। মতৌ অসুম্না পৃথীবীদা কেক্রি শাগেনা, 'শম্ভুনা শন্দোকখী। অহানবদা ব্রহ্মাগী মচা ভয়া পোকই, রাক্ষস ভাক্তা ওইনা তৌই: ব্রহ্মাগী মচিন্দগা কামধোরকপা মৈনা চাকহনখ্রে। অমুক খুবৌদগী দক্ষ পোকখি, পুমক দক্ষদগী শন্দোকখীবনি। দীরিনী গর্ভদগী দক্ষগী মচানিশিং অমা পোকই নারদন সংসার লান্নবা সাংখ্য সাস্ত্র তম্বখি। মচাম্নুপী ৫১ য়াওই, ধর্মদা ১০, কাশ্যপ্তা ১৩, চন্দ্রদেবদা ২৭ শিবদা ১ থাজখী ১৩গী অহল্লি অদিতিগী গর্ভদগী ইন্দ্র, সূর্য্যানা যমুনা কৌবী মুপী মনু কাবা মিপা পোকই, অনি অসিদগী মগুনা মগুণ হেল্লি। মীওইববু শন্দোরবা ব্রহ্মানা মনুদা শিন্নখি, অমসুং মনুদগী শন্দোকখি, মরম অদুনা, মীওইববু মানব হায়না খঙখিবনি। অদুগী মতুংদা ব্রাহ্মণশিংনা অঙ্গ ৬ য়াওনা বেদ তমখি। বেন, ধৃষ্ণু, নরিষ্যান্ত নাভাগ, ইক্ষাকু, কারুষ, শর্যাতি, ইলা, পৃসধ্র অমসুং নাভাগারিষ্ট হায়বা মনুনা ক্ষেত্রি ধর্মদা পুক্নিং চংখি অমসুং ক্ষেত্রি শন্দোকখী। দক্ষীগী মচা ৫০ অমদি মথাই মশেল য়েংখিশ্ম, মাশল হাংমদুনা শিনখি। সূর্য্য বংশগী ইলা নিংথৌনা দেবীগী শাপ্না মপা ওইদুনা চন্দ্রবংশগী বুধগী রাণী ওই। ইলাগী গর্ভদা মচামপা মীওইবদগী শন্দোকপা পুরুরব কৌবা অমা পোকখী, মহাত্মা সমুদ্রনা কোইবা দ্বীপ ৭ খণ্ড ৯, অসিগী মপু নিংথৌ ওইখি। ব্রাহ্মণশিংগা য়েংখিনৈ, মামা ওং লৈবদা ব্রাহ্মণ থাবা চমখিদে। অদু উবদা সনৎকুমারনা লাক্লুনা জ্ঞান তাকপী, অমসুং পাপলোক পিব অদুসু পুরুরবানা লৌখিদে, মমৈদদি ব্রহ্ম শাপ্না তুমদুনা শিখি। মহাত্মা জিত্রিকৈদা যজ্ঞ অমা লিংথৎকে হায়দুনা, উর্বশীগা গন্ধর্ব লোকগী দক্ষিণাগ্নিনচিংবা, মৈ অদুম পুররুমই। সুতানবী বানীগা, উর্বশীগা, রাণী ২ না পুরুরবগী থৌগল্দুনা মনিং তমনা বিজয়া নগরদা পাল্লি উর্বশীগী গর্ভদা মচা তকক পোকই, আয়ু, ধীমান, অমাবসু, দৃঢ়ায়ু, বনায়ু, অমসুং শতায়ু অসিনি। আয়ুগী ঔরসদগী স্বর্ভানবীগী গর্ভদা মচা মঙা পোকই, নহুষ, বৃদ্ধশর্মা, রাজ, গয় অনেনা অসিনি। মতিক মগুা লৈরবা নহুষনা মতম অদুগী ইন্দ্রগী থুবম ওইথিরমই। ব্রাহ্মণ, দেবতানচিংবা জাৎ মরিমক লুনা তৌই মাগী মাগী ধর্মগী শাজং কায়রন্দে, মীচা মীথাই অমান্ মীরাই নাইদনা চপ মারনা সাশন তৌই। অদুক ফববদা মাগী ছিদ্র অমদি —ঋষিশিংগী মথক্তা ভোংদুনা কোয়চৎ চংলমই। য়াম্না ফবা রূপ নি, তপস্যা, মথৌনা মপাঙ্গল মরৌশিংতনা দেবতাশিংবু ওয়্নগা, ইন্দ্রনা হায়ব থুবম ফংখিবনি। নহুষগী রানী অশোকবতীগী গর্ভদা নহুষ নিংথৌগা ঔরসদগী, গুণ চেল্লবা মশক মতৌ ফজরবা মচা তকক পোকই, মখিংনা যতি, যাতি, যযাতি, সংযাতি, আয়াতি, ধ্রুব, অসিনি। অহল যতিনা যোগ ধ্যান তৌবগী মহৈনা পরব্রহ্মদা তিনখি। পুরুচেন মেংলবা যযাতিনা নিংথৌরেন ওইখি। লাইগুরু লুনা তৌই, অজু য়াম্না তৌখি, দেবযানী, শর্মিষ্ঠা কৌবী অনিগী গর্ভদগী মচা মঙা পোকখি, যদু তুর্বসু, দ্রুহ্যু, অনু, পুরু অসিনি। দেবযানীবু পোকপা শুক্রাচার্য্য শাপগী অহল ওইবা হন্নবা লাইথুং কংখি; শিন্নবা য়াবা লাইথুংনি মচা অমত্তা শিন্নসি য়াদে; তৌইগুমসুং পুরুনা য়াম্নবা, নহা অদু পিদুনা মপাবু পেলহনখী, মমৈথংদা

যযাতিনা সংসারগী কাম ভোগ, সম্ভোগনচিংবা পূরমক মচি লৈতবা পোং ওাকনি হায়বা খংলদুনা পুরুদা নহা শিন্নতনা নিংখৌ কন্নচিংবা পিরমই। ভৃগু তুঙ্গ পর্ব্বতা চৎতুনা লাইনিংদুনা মতম কয়ামরুম লৈরমলগা ভার্য্যাশিগা লোইননা নোংজামিরম্মখি।

অধ্যায়

কচ, দেবযানা শাপ্তোনবা অমসুং যযাতীগী ৱারী মতাং।

শৌনক মুনিনা হায়রকই শুক্রব্রাহ্মণগা মচানুপীনা,* কেত্রি নিংথৌদা পুংলিবা করিননো মচু লিবিখো। সৌতিনা হায়কৈ শাবিয় মুনি, মরোল অকুম্মকা লৈবিবা সম্পত্তি পুম্নমক মুম্নবদা, লাইগ হিংচাবগা মরক মবকা থৎনখি, অমসুং অকননা লাল শোরুখি। লাইশিংন হিংচবা শুরুবা মক্ত তৌবদা বৃহস্পতিবু পুরোহিত হাপপি অসুমনা হিংচাবগীনা শুক্রচার্য্যবু পুরোহিত হাপখি। হিরম থুদিংদা ব্রাহ্মণ অনি অসি শীংনত্রমতা শৈবমই। শুক্রনা সঞ্জীবনী বিদ্যা তৈবন মাগী হিংচাবা শিরবদি হেক্কা হিংহল্লি বৃহস্পতিদি মচু উরমদে। লাইয়ামনা শারবদা বৃহস্পতিগী মচ অহন কচবু শুক্রাচার্য্যদা, মহাক্তু অপ্পনবীদমক লাইখাগ্নবা থাখি। হিংচাবী নিংশা নৃত্যগীদ লৈবা শুক্রগী মনাক্তা, কচনা চংখ্রবা। মানা রাথল তখি, নাইনমু তাক্কপদা য়াওখিবা শুক্রগী মচানুপী দেবযানীগা চান্নববদি, নিংবা থবক পাথোকপ য়াগনি। অসি নিংশিংদুনা শুক্রগী মনাক্তা চংদুনা থুকমখি, অমসু হায়জখি। হে শুক্রদেব। ঐ অসি বৃহস্পতিগী মচ অঙিরাগী মচুনি, ইমিং কচ কৌই। শুকদা বিদ্যা তমগনি, লকচবনি হায়খি। অদু তাবদা শুক্রনা করাওনা কচবু লৌশিনখি। কচনা মথল মথা অয়াম্বা সেবা, অমসুং বেদাহায়রনা শুক্রবু পেলহল্লি। শুকদা হোংনবদগী হেন্না, * দেবযানীনা চানবিনব হোংমখি। মংথাহ অনি অদু নহা চাওনি, য়াম্না হংশিনথক্লে। মতৌ অসুম চহি ৫০ লৈখরে। শুক্রগী সেবাদগী অহাংবা মতমদা, দবযানীগা কাংগাই ইংশনা মুজাইমিঙ, অমনা অমবু উদবদা লৈবা ওমদবমথৈ চাওখবে মতৌ অসুম্না কচনা গুরু [illegible] মমুমদা হংদনা, সোজিব মত্র ফঙ্গে খন্দুনা কচনা গুরু ওঝা থনবস ? ব্রহ্মচার্য্য [illegible] পুকসেল শেংনা লৈবনি। মসিবু হিংচবশিংনা ভাব তারক্তুনা য়াম্না শাওনরক্লে। লোংমদি [illegible] মতোমদা, অচিকপ, বন্দা শুক্রগী যশ শেল্লিংডদা হিংচাবনা কচবু হাংজোক্লে। [illegible] খংবা হিংচাবশিংনা, কচগী অশিবা মশা অদু মতুপ মতুপ, মচেৎ এইমা ককথংলগা ? [illegible] অমুক হল্লা শিংহনবা য়াদনবনি হায়দুনা 'শাদুল' কৈদা পিজখোকশীবনি। মুমিং তাববদা বণশিং অদুদি কাবক্লে, কচদি লাকত্রে। দেবযানীনা হায়নিংজাই লৈতনা

---

* টিকা— শুক্রগী মচানুপী দেবযানীদী ইন্দ্রগী মচা নিংথৌন জয়ন্তীগী গর্ভদা পোকপনী, জয়ন্তী শুক্রগা চহি ১২ পাম্নগা দেবযানী পোকলগা থনমদুনা লাইরৈপাক্তা হনখি। মরম অদুনা শুক্রনা মমা য়াওদনা য়োকচবা দেবযানীনি, অদুম্না দেবী ভাগবতনা হায়রি।

কপখি,, শুক্রাচার্য্যনা মচাগপীবু থেমলগা খ্যাম্না য়েংবদা উরম্না, শঞ্জিবনী মন্ত্রনা হিংহনগা, লাও হাৎনা কৌরকপদা, কৈহ মবুক পোখাইহনা শিহোরে? কচনা হিংহন্না, গুরুগী নাক্তা হন্নকখী। অঙকপনি। শুক্রগী বিদ্যা॥ শানা, চাপ্রবা মশাশিংহবু চোংথোক্লকুনা, মন্ত্র শক্তিগী মগুন্না হায়গী শঙকম ইকাই কাইদহনা হিংলগা; করিদ্ন অৱাবা লৈতবা ফিবম্না হায়গী মতৌঙ্ক্রা? গুরুগী আশ্রমনা হন্নকপনী। করিগী হৌজিক ফাওবা লাক্তবনো? হংবদা কচনা খুমখি, ঐদি হিংচাবনা হাৎলুরে, গুরুগী কৃপানা অমুক হিংহনবীহনা পোকপগা মাম্না লাকপা ওৎনি, তশেংবা হিংচাবনা হাৎলুহনা তৌবনি। পাওহ্ তাবদগী দেবযানীনা, গুরুদা হায়হনা মন্ শেন্‌বদা, কচবু য়াওহন্দনা য়ুমগী খবক্তা তৌহল্লি। মতুং দা নোংমা দেবযানীনা লৈ হেকপীক চায়হনা বন্দা খাক্লবদা, হিংচা-বনা অমুক হাৎলগা মশা অহু মচেং মচৎ কূপ্না য়ান্থবুনা দমুত্রদ খাদখি। দেবযানীনা কচ হল্লক্রে হায়রুবদা, শুক্রনা সঞ্জিবনী মন্ত্রন হিংহনগা কৌবদা হল্লকই। অহুমক গুরকপদা গঙ্গাদ স্নান চৎপদ, কচ অও হিংচাবনা হাৎতুনা মশা অত গুরুনা হিংহনব য়াদনবগীদমক? থোইদিং মন্নাধুক্তা চাউন কূপ্না য়ান্থৎলগা ঘিদা খাদহনা মৈদা ভৌরগা, উং ওইরবদা ময়াই কাবা পোং সুরাদা য়ানশিন্দুনা, হিংচাবনা শুক্রাচার্য্যদা পিথকখ্রে। অহুদনু দেবযানীনা মপাদা হায়খ্রে, পাবু। হাম্লবা ইনবা কচ অহু লাক্রে শোয়দনা শিরম্লগনি, অমুক্তা কোবিয়ু। শুক্রনা ধ্যান তৌইনা য়েংবদা কয়া কনখুবা ব্রাহ্মণ অহুগী শক্তিনা, মশাগী পুক্নুংদা লৈবা উরে। শঞ্জীবনী মন্ত্রনা হিংহনলগা হংবদা, হিংচাবনা হাৎলগা মৈ খারগা উং ওইহন্দুনা, সুরাদা য়ানশিন্নগা গুরুদ হিংচাবনা কংপহ, গুরুনা খংদহনা থকখিবনী হায়না কচনা খুম্মী। কচনা খুমশকপা রাকম অহু তাবদা শুক্রা অহু মীপাইখ্রে, মরমদি কচনা থোককপদা মশা মহাক শিগদৌরি। মরম অহুনা হায়না কচদা শিবদগী হিংবা ভপ্পা সঞ্জি-বনী মন্ত্র তম্বিরে; অমসুং হায়নকই, নংনা ঐগী পুক্তা হোগাইহনা থোক্লগা॥ মন্ত্র অহুনা ঐবু হিংহন্‌। কচনা মহুমক তৌরে, গুরু অহু অমুক হিংলে, কচনা হিংহনা হাম্লগুম্না লৈরে। হিংচাবগী লমচং মীহুংশি খংদবনা, ব্রাহ্মণবু হাংপগী পাপ কিদবা, অমসুং গুরুবু থওইদবহ উবদা শুক্রাচার্য্যনা হিংচাবা পাপী, নখোইনা ইতং তংক্লনা ব্রাহ্মণ হাংপগী দোষনা, নংখাই পুম্ন-মক অমাংবা ওইয়ু হায়খি। অহুদগী "খু" দা শাপ চৈখি, ব্রাহ্মণনা য়ুথকপা অমহিকসুং থকপদি লৈখিসন্নু? মনমদা হেক তাবদা শোক্লুবদা, ব্রাহ্মণগী মগুণ পুম্নমক মাংহনা পাপকা মপৈ পুম্নসন্ন অমসুং শিরগন্ন নরক তাসন্নু। অসি হায়রগা হে কচ কিরুগন্ন, কনাবুম্ন য়েংরুন্ন হুডাইনা লৈয়ু হায়খি। কচনা মতৌ অমুম্না মতম থম্ন লৈরবদা মানা নি বা (সঞ্জিবনী) গী খবক পাংথোক্লবদা মম্নমদা চংনিংলক্লে। দেবযানীদা বীদায়গী য়ারী শাকবদা দেবযানীনা হায়খি, ঐবু থবীরমগন্ন নতুং ইল্লগনি, ঐগা খম্নাইগী ইবুঙোবু নহাক্না ওইবিয়ু; কচনা হায়হৈদে ইংখম্না, নংঐদি ইচিন্ ইদন্‌ থোক্লে, হায়হৈদে। দেবযানীনা খুমই, খুপী ঐনা খম্নাই শোক্লা হায়রুবদা, য়াবিত্রংদি ইপাদা তদ্বা মহৈ মশিং পুম্নমক্তা॥ মহৈ লৈতবা মগুন য়াংবা ওইয়ো হায়খ্রে। কচ্চা হায় ঐগীদি

মাংলোই, মত্রসি শিশু অমদ তথীরগা য়াগনি, নংদি ক্ষেত্ৰানীগী লিং'চনা জ্ঞান লৈতবগী মতৌ-শুম মুপীনা অহুম হায়বা হোনরা ? নংমু ব্রহ্মণগী মচা ওইব ননা, ক্ষেত্রিদা নপুরোইবা ওইরো হায়না শাপ তৌনখ্রে। অহুদগী গুরু দক্ষিনা বিদায় তৌরম্লগা ; ইন্দ্রগী সভ'দা হনখ্রে। কচ উবদা শাইরাম্না হরাউখি, অহুদগী অকিবা লৈতনা, লাইগা হিংচাবগা অকনবা লান্নাও শোক্লখি, লাইশিংমু বৃহস্পতি পুরোহিতকী মচা কচনা, হিংহনব ভগ্না বিদ্যা তম্বা'র হায়দুনা অকিবা লৈখি'গ্র। তাবিয়ু জন্মেজয় নিং'থৌ ! শাপ অদু লৈবদগী, যযাতি বিংথৌ ক্ষেত্রিদ ব্রাহ্মনী দেবযানীনা লৈখিবনি। ইতি— হরি হরি হরি।

অধ্যায়

নহুষন ব্রহ্মম্ন পাপ কোনবা নরমেধ জজ্ঞ তৌবগী ৱারী মতাং ॥

সৌতিনা হায়রে তাবিয়ু শৌনকনচিংবা মুনিসভা ; যযাতি জুবরাজ ওইব মতমদা নর'মধ যজ্ঞ তৌথীবগী ৱারী ॥ জন্মেজয়না হংলখী লাইনিংবনা লন ওইরবা মহামুনি, করম্বা যুগতা কনানা নরমেধ, 'মীহাম্ন হোম যজ্ঞ' বু ম'ক্তী কয়ম্না তৌখিবগে ? ননাই তাজ'নংই মুনিনা চান্‌নী-হুনা, মথং মথং চিংথহন্‌বীদনা লিবীয়ু। বৈশম্পায়না হায়রকই তাবিয়ু মহারাজ। স্বর্ভানবাগী গর্ভদগী পোকখ্রবা, পুরুরবগী মচাগুপী মচাগপা, অশোকবতীগী মপুরোইবা 'নহুষ" কৌবা, মতিক মগুম ইন্দ্র খুবম ফংথ্রবা অচৌবা নিংথৌ'রন অমা পাম্লমই। মতমদা মাগুম্বা নিংথৌ অতোম্বা অচৌবা লৈরমদে হায়বা য়াই, তৌইগুমমুং পুম্নমক্কদি ফরগা, ব্রাহ্মনগী মরম শোকখিবা ব্রহ্মস্ব কৌবা পাপ, দাম্ভীবনা তীর্থ সেবান কোক্লবা অমসুং মথোইগী মথক্তা তৌখিবা দোষ পুম্নমক। কোকবগীদমক নরমেধ কৌবা যজ্ঞবু, নহুষ নিংথৌনা তৌখিরম্মী। নরমেধ যজ্ঞগী ৱারীদু, মুনি সভাগী মফমদা ঐনা লিজরগে তাবিয়ু ; নহুষনা নোংমা মুমিং অমদা ব্রহ্মসভাদা মশাগী ছিত্রবু করি লৈবগে হংখি। ব্রাহ্মণশিংনা নিংথৌ নহাক্তি "ব্রহ্ম বৃত্তি হরন" (ব্রাহ্মনগী জীবিকা ওইরবা মপোং থর মাংহনখিবগী পাপ লৈ'র হায়খি। নহুষনা অহুদি করিনা পাপ কোক্কনি ? ব্রাহ্মণা খুমই — নরমেধ যজ্ঞ তৌরবদি কোক্কনি। ৱা অসি তাবদা যজ্ঞগী মরমদা ব্রহ্মণা তাকপা নিয়ম পুম্নমক লোম্না যজ্ঞ তৌরগে হায়রনা রাজ কুমার মচা ইমুদো যুবরাজ "যযাতিদ" মুম্না থবক শিন্নখ্রে। নহুষ নিংথৌ যজ্ঞগী মপোং লাংহনা, বেদগা, ব্রাহ্মণশিং বার্তন চংখ্রে ; ব্রাহ্মনশিংনা যযাতিদা অমুক হায়খি, তাও যুবরাজ। হন্দকী নপাবুংগী যজ্ঞ অসিদা, মরু ওইনা য়াওদবা মত্রবা পোংশক্তি ! মী হাপকদবনি। অহুদা নিংথৌ ১০০ হাম্নগী মহুত্তা ব্রহ্মণ মচা অমথক্তন, গুণ

হেল্লি, মরম অহূনা চহি ৭রোমগী বয়স ওইরিবা ব্রাহ্মণ মচা অমা য়াওগদবনি। নমহুনা ফারুবা, অহল ওইরবা থবক কাম্নরবা মী অমসুং পিক্তা পিক্লিবা জ্ঞান ফাগ্রিবসু য়ারোই। মশানা য়াবা মপা মমানসু য়াঠনা পিরক্লবা অভাংনা যজ্ঞদা হাপকদবনি অহূনা যজ্ঞ লোইগদবনি। পৃতি বাক্য তাকুনা যুবরাজ যজ্ঞগী, থবক পুম্নমক রাতনবা লাথী, যযাতি যুবরাজনা অহূক লৌরবা থবক্তা মায়রোং য়াখি। মরাক মথুং মাম্নব কুন্ত তৌখ্রে, চিথেক মরিদ' ছত্র, ফিরাল; লমু-চু য়ুংবা, ঘট থিন্নবা; যজ্ঞদা য়াওবা হৌনবা পোংলম ভমসুং তৌফম থোকপা থবক কয়ামরুম ঘি, থাও, শিংগং মতৈপ, মতৈপ, চেং, থোইদিং, তিংথৌ, হৈখাগোক, গঙ্গাজল, চ ন মরমশুনা, লৈ, কাব্রং মথল কয়ানা শেম শারবা থাকলনা কুন্ত মথক্তা থনবা অসিনচিংবা পোংলম্না শেমশাবা লোইখ্রে। যজ্ঞদা ঋত্বিগদবা, বেদ মন্ত্র থিবিগদবা, পুরোহিতনচিংবা, ব্রাহ্মণ ময়াম বার্তন তৌকহুনা থুংলরে। মতিক চাবা সেবাগী থৌরাংসু অরাংপা লৈহনখিদে। যজ্ঞগী মৈথাই থিনগাটবা ভাক্লবগীদমকসু লাম্নী কয়ানা কোয়থ্র। মতম অহূদা যযাতিনা সারথী কৌশিল্লগা; রথ অমদা সনা উপু লূপা উপু থন্না চাপ্লগা। ব্রাহ্মা মচা থিরুনবা হায়না ব্রাহ্মণ ডাকপগী, নিয়ম থংহন্দুনা সারথীদা শিন্নরক্লে। সারথীনা রথগী শেমশাবা লোইরহূনা, মপাবুত্ত থুকমজরগা, ব্রাহ্মণশিংবু থুকমজরক্লে। ব্রাহ্মণ ময়ামনা হায়রকই, যুবরাজ ব্রাহ্মণ মচা কংলগা হল্লরবদা'। যজ্ঞ লোয়শিনগদবনী, চংলদা হায়খ্রে, যযাতিনা ব্রাহ্মণ মচা থিবা চংখ্রে, সোমদসু যজ্ঞ তৌরে। মী তাবা থুক থুদিংদা চংশক্লে — লম অসিবু ব্রাহ্মণ মচা য়োনবা য়াবা লৈত্রা' ত্রনা পাখদি চহি ৭ দগী ১০ শুবা বয়সনি। অতাবা মীনা থুমই— করিগী ওইরবনো? বেদ তম্বিহনা পুরোহিত ওইরনবরা, নংত্রগা লাক লাংপদা সেবা পুন্নবরা? সারথীনা থুমই, মখে নত্তে, হক্কী ব্রাহ্মণ অসিদি হস্তিনা লৈবাক্কী নহুষ নিংথৌগী নংমেধ যজ্ঞগীদমক্কী, মশামা য়াবা, মপা মমানসু য়াহুনা পিরকপা, য়াবা অহল ওইদবা, য়াম্নমকসু অভাং ওইদবা চহি ৭ দগী ১০ গী বয়সদা থিবনি। অহ তাবদা মীয়াম্না যযাতিবু হৈনরক্লে, কদায়দগী অভাওবানা যজ্ঞগী মৈহূংদা থাদনবা কনানা মচাবু পিরকদগে, থর থুনা চংখ্রা, অমসুং অতৈদা হায়রুসু মীনা য়ারোইদবা বাকম্নি। প্রজাশিংনা ভাংনহৌই নিংথৌনি; মরনলৈ তৌবভমই হাথবগী মতিক তৌরিবনি, ঐখোইনা হায়রুবা য়াদবগী তৌবনি, তাবদা মুত্তাইখে। য়াভাং অসি তাবদা যযাতি অহ, য়াম্না থুনা চংথার, মকম থুদিংদা হংল হংলহূনা' পোখাবা লৈতনা ব্রাহ্মণ মচা থিখরে। তৌইগুমসুং ব্রাহ্মণ মরাং কায়না লৈবা লমদা, তায়গা য়োম্নিংলমই, যজ্ঞগীদমক্লি, তাবদা পিনিংদে, মশক থ দবশিংনা থীনা। থীনা হায়-হূনা অত্তাওবহূম তাথরে। মতৌ অমুম্না লম কয়া লাম্না, দেশ বিদেশ লাম্না চংতুনা মুমিং কয়া নিযুক থিবদা, তককং কংখিদে। দেশ থুদিং কোয়রুবা থিরকপদগী, যমুনা তুরেনগী থোংবান্দা অংম লাকপনী ব্রহ্মলুয় থুনগং অমদা থুত্তরে, যযাতি থুজং অহূদা চংলকপদা মুংশামা শাথরবা; মুম্বিংনমু য়ুংলমদাই মতমদা থোংনাং অমগী উন্নদা পোখাহূনা যযাতিনা লৈরিদৈদা লাইরবা ব্রাহ্মণ অহল ওইরপ তৌরবা "জনার্দন" কৌবা ব্রাহ্মণ অমা ভিক্ষা চংলূবদা করিগুবা অমতা ফংত্রহূনা মমুম তান্না, হল্লকমই।

যযাতিদা ব্রাহ্মণ মগা সৈবগী রা অহ অহল অহ্দা বংখি। মবৈগী রা থডব্রিবৈতা জনার্দনা মচা মোলগে হায়দোকুখরে। মরমদি— লাইরবনা চাদ--থক্তহ্না শিগদবগী শক্তি, মমল অসিনা ঈশ্বরদা কংহোবা, ইচাসু মীনা য়োকপিহ্না, মুডাইখিবনা কপানি থরুবননি। তোইগুবসুং করিগীদমক্তো হংলুবদদি, নরমেধ যজ্ঞগীদমক ওইরমলবদা লাইরবা ব্রাহ্মণ জনার্দন অহ, বরুনা থাবদা রাম্ববা। মীগুমথ'র। রাথল ডাহাক থল্লুরগা আত্মনিন্দা তৌরকই, কয়াগুক কর্ম কংলক্তবনা দবা অসী ফংবনো, ইচাবু যজ্ঞগী মৈদা থাদনবগীদমক থুনা পীগে হায়'দাক্লুরেদা। হাই - হাই। হরি হরি।। বিষ্ণু বিষ্ণু।!! লাইরবদগী অশুক পাঙ্গনা হায়রুবনি হায়রগা, মমিৎ পা'থোক্লকপদা অহুক ডান-থনবা মুখি' মুংবা মতম অহু, থাশিগী অহিং নোংম্নাগগুন্না পুখম মমথ'র। হরি হরি। বিষ্ণু বিষ্ণু!! হায়বগা মক লুকথবগা চিন্তা তৌদুনা লৈথোকথরে। ব্রাহ্মণা ম্যাঙাংদনা তুমিন্না লৈবহু উৎবদ', ব্রাহ্মণবু থুরুমলগা অমুক যযাতিনা হায়'ক ঐনা লিরকপা থাক্কা মচা'দ চহি ৭ রোমগী বয়সদগী ১০ গুবা ফাঙ, মমা মপানা পিবা, মশাসু য়াবা, থিক্তরকপনি। অহুমক ওইরবদি ঐগী রুশদগী সনা লুপা ময়াম অসি থমক্তরমগ, ৌজ্ঞানবিহ্না পিবিরো। মশান য়াম্রবসু লোওরোই, মশানসু য়ারব অহুতনা যজ্ঞগী পুগনি। রা অহ তাবদা ব্রাহ্মণ অহু পংথরুবদগী ডাম্পারক্লহ্না থল্লকই, ঐনা হাইদোক্লুরিবা রা অসি কাদনো, ফ'র অহু মঙাইদে। পোক্লবদি শোয়দনা শিরগনি, শিরবদি শোয়দনা পোকনি, হায়বা মশানা আবা সাস্ত্রগী নিয়ম লৈ। লাইরবনা চাদ-থক্তহ্না শিব: নংত্রগা ফংত কংতবা পাপ তৌক্তহ্না শিববুদি, মীগী যজ্ঞ কায়গদবদা লাইরবা ঙগী ইচা অহু লৈরমদগী কায়দবা বিষ্ণুগী শক্তি ওইববা নিংথোগীসু কাম্নহনবা অসসু' "যজ্ঞথন" কৌবা ঈশ্বরবু ফংখবনা ফবা তাবে, অহুগীসু মথক্তা; ব্রাহ্মণমচ ওইবা ঐনা হায়দোক্লুবা রাবু করমা হঞ্জিনগনি। অসিগুম: রাথল কয়ামকম থল্লুরগা হৌগংলক্লে। অমসুং হায়রকই, হে নিংথৌগী মচাইবুঙো। গর্ভগী অরাবা থাজরবী মমাগী রা অনহং লোক্লখি'গ, হায়রমলগা মধুম'লামদা চ'খ্র। ব্রাহ্মণ অহু চিন্তা তৌরহ্না মাইথোংদি, রাহ্না উমলবা চক্রন' মকশিনবগুম চংল'ক্ল। পুকচেল কক্তরগী সতী ব্রাহ্মনীনা, মপুবাইবদা থুরুমলগা ঝ্লুলী ওকচ'গ হায়রুরে। ব্রাহ্মণ অহুদি হে'ই, মাঈ ঈহাম হায়দনা চংশিন্নগা মাঙ্গোল ফ'মলদ, মমায় ঈমক মকাশিন্দুনা চিন্তা তৌহনা কমহ্না লৈথোকথ'রে। মপুথোঈবগী চিন্তা অহু উবদা, ব্রাহ্মণীনা অমুক হেন্না রাথরহ্না, নোমুকপগা লোঈননা মরম হংজরকঈ।

জনার্দনা থুমই, ইবেম্ম', লাইবক থিরবী নডোন্দা ঐগী থম্মোম ফুংডাইত্রিবসি করি হায়না পাওদমসিংগ, নং ঐগী ইচা দুপা "কুশধ্বজ" য়োল্লগে হায়রবে, লৈগদবা মী অত্র হৌজিকমক ঐথোইগী থোজান্দা লৈহৌরি। অহু তাবদা ব্রাহ্মণীনা মরম করিগীনো হংখি। ব্রাহ্মণা হায় তাও লাইরবী ঐনা অহানবদা থল্লি, ব্রাহ্মণ মচা লৈগে হায়বসিদি লাই লাংমবা, বেদ তম্বীহ্না

জনার্দনগী মচা ৫ লৈ, তোইগুবসুং মচা ৪ গী রারিদি লৈতে, অংতোম্বা "কুশধ্বজ" মতোমতগী রারাদি লৈ, মরম অহ্না মচা অমতা পোকপগুম্মা ইরবনি।

শেমগৎপিগনি থম্লই। মমৈদদি হস্তিনা লৈবাকী নহুষ নিংথৌগী নরমেধ যজ্ঞদা, হাপ্লবগীদমক্তি হায়রক্লে। ইচিমগ্না হায়দোকখরে, ব্রাহ্মণ ওইবনা হায়থরবা রাবু চাকত্রবদি॥ ধর্ম্ম পুন্নমকচু মাংলগনী। বা অসি তাবদা ব্রাহ্মণীদো, তু থ্যাও চুংথি, অমসুং মকোকথক্তা খুৎ হাপলগা, হায়হংজুনা লৈমাইথক্তা তুথরে। মতম অদোদা ব্রাহ্মণ অহুনু হায়কম তৌকম থংদ্রেনা, লাইরবগী মপোক অসিদি ওহ্যোকপা নোংমদবু তম্বখিদা, হায়না জ্ঞান মাংহনা লৈথোকখরে। অমুক জ্ঞান তাররগা হায়রকই, ডাইখো রাকম অমদী লৈরী, মশানা য়াম্রবদী লোয়রোই হায়রি পৃরে। ডাই-হাক লৈরগা ব্রাহ্মণী জ্ঞান তারক্লে, অমসু ব্রাহ্মণা ব্রাহ্মণীদা র'কম অমহু হায়খি, নংগী ঐগী কর্ম্মগী ফলনী। লাইরবনা চাদ থক্রুহনা শিবা, অমদি কর্ম্ম ফংতবা তোকমো শিরগা, নরক ভাগদবগী শরুকপুদি ব্রাহ্মণা কংদহনবা যজ্ঞ কাইগদবনু। লাইরবা নং ঐগী ইচ অহু লৈমগ্নদগী কাইদবা অমসুং যজ্ঞগী কোৎ ইবডোস্ত উনবা ওইরসে। ব্রাহ্মণীন হাই, হাই। করি রাম্বা তাকপিরিবা রা অসিবু, ইচাবু মৈহুংদা থাদহুন শিহনগদবগী শকক্তি, ননাই লাইরবী ঐনা ইচাগী মহুৎ শিন্দুনা, চচ্চবা য়ারাইত্রা অজ্ঞা? ব্রাহ্মণনা হায়বকই, ইচাগী য়াক্ত মহুৎশিনবদী য়াররোই, চহি ৭ তগী ১০ ফাওবা মহুতনী। মতৌ অসুম তৌনা মুংশিবগী মমগা, মখাই অনিনা ডাংনথিবা অহুদি, ওহ্যোক্লা য়ামথুবনি, তোইগুমসুং লাইরিক চাওথনগনি হায়না কিরু-বন্দী ঐনা অয়াম্বা ইন্দ্র। জনার্দ্দনা হায় লায়রবী নং য়াক্লা ইচা মুংশিবগী, অরাবা কয়া পুথোক্লনা থননরিবা অসিবু, মায়া হায়বক্ত অসীনি ম'য়াদা তাওরবা জীবনী। রাকম অসী ডাংনরবগী মতুংদা, ব্রাহ্মণীনা, মপুরোয়বু ঈশ্বরগুন্না থনবা, অমসু মপুরোয়বনা হায়বা ইন্দ্রবী মুপীদি, মানা পাঙ্গবা পোং ফাও ঈশ্বরনা লোয়দ্র, হায়ব খবা ব্রাহ্মণা, চেপুগ্রাই না নিংবা থুংবীখরো হায়না, মগাকপ্ন য়াবগী রা উংখরে মতম অদুগদ মচা পুপা 'কুশধ্বজ' দি লৈকাইগী মথাম্নবশিংগী মতুং ইন্দুনা, গোচারণ বনশেনবুংদা বন শেনবা চংখিহুনা, ময়ুমদা লৈরমদে। মরম অদুনা যযাতিগী সারথীদা, অডাং কোরুংগে হায়ওম্নগা, ব্রাহ্মণা বনলোমদা থোকখে। অডাং অহুদি চাক চাবা ফংলক্রবা, চয়া অহুম হেল্লরবনি। অয়ুক্তা মথাম্নবশিংনা কোরকপদা মমানা থামই, মহাক্লা রাথিদে; মমাদা মানা হায়রৈ, অসুম পাবুং ভিক্ষা চংথিবা ডাইহনা লৈরবাদ, চাদবগী অরাবা হেল্লগনি, কাউননব। বন শেনবুংদা শাম্বরুগ, পাবুংনা হখিন্নহগা ঐবু কৌথির কউ, হায়রম্নগা চংখিহনা বন্দা শাম্মরি। কুশধ্বজদি অডাং ওইমা কৃষ্ণ ভক্ত লৈবা, ভক্ত প্রহ্লাদগী মতৌগুবা কৃষ্ণপ্রেমী ভক্ত অমনি। অডাংগী হৌনবা মথঙ্গ কয়ানা শাম্নবা থায়গা, কুশধ্বজনা হায়। অরেশদা মতম মাংহনগম্নসি, পাবুংনা তম্বিবদা য়াওথুবা রারীগী লীলা শাম্নসি। অডাংশিংনা য়াররুনা কুশধ্বজগী রাতবু ইংখ্রে। নানা হায় ইতাওশা। ঐথোইনা বন শেমগুম্না শ্রীকৃষ্ণনা গীরি গোবর্দ্ধন রা শেনখিবা মতৌ শাম্নসি, হায়মগা, মীওই যেংহুনা মতিক চাবা "রাম", "কৃষ্ণ", শ্রীদাম, সুদাম, সুবলনচিংবা, শাদম্মুনা উমানা কোক্লা থেত্নুনা, চুড়া ওইবা লৈতেং শেমহুনা, ত্রিম শেষা

লীলা শাম্নখি। কুশধজনা চিংহুমা ইশৈ শকই, অগোই শাই, চোংই ওযোক্লা হুন্ডাইনখ্রে। কমি অমুক হায়রগনি– ভূংওআ কম্লিব ; অওংগী থমোইবু শ্রীকৃষ্ণগী ওমা, মহি চেনবগুম্না পেংগ্রে, মুত্তাই নরে। ব্রাহ্মণ মচাশা পেল্লহুনা, মম্বাইদা লৈরিবা "রাম কৃষ্ণ" লেপ্লোম্নরিবগী চমণ কোম্নুনা, মমিত্তা মপি ভাত্তনা থুরুমহ্লে। অহুদা রাম কৃষ্ণ শান্নবা অনিনা হায়, লাইমবা ব্রাহ্মণ মচা নানা নিংবা থুংজম্নো। মতৌ অম্নম্না লীলা অহ শান্নবা লোইশিল্লে গোঠারনা রাম কৃষ্ণগী শান্নবা মাত্তৌ অহু মপুংফাবা ওমদ ৭ অঙাংনিনা ।। লিলা লোইবহুনা পোখানরে। অঙাংশিং অহু মযুমদগী মমানা হাপ্লিরকপা, অচাপ্পাং লোশাক্লুনা চারগা পোথানরে। কুশধজদি চাও হায়বা য়াদ্দ, মরমদি মপোক থীরবা ঐনা, মীগী মপেংৎ চাশিন, লোশিন্নুনা, লমন তোনশিন্নরোই, হায়বা অসি খন্নুনা, তোপ্পা কমহুনা লৈখি। মণশেন্নহা ময়ামত্ত চাব-থকপা লোইকহুনা, অমুক থম্নে কুশধজসী য়াম্না হৈথে, মাবু তাকহল্লগা শান্নখিসী। অঙাংশিংনা অহুগুম্বা অংগা শাননখিসি, হায়রক্লই কুশধজন তম্মীহুনা শ্রীবৃন্দাবনগী। রাস লীলাবু হৌহুনা শান্নরক্লে। অগোই অহু ভখাই চল্লকপদা, মপাবুং ব্রাহ্মণ লাইরবা জনার্দিন্না, মচাবু কৌথিরমই অনিরুক অহুমক কৌরবগী মম্মথংদা, তাবহুনা কুশধজনা থামহুনা জগায় লেপপি। পাবুংনা ঐবু কৌনে, চন্না অহুম চারক্রবনি, ভিক্ষা হজিল্লকুনা চামিন্নরসি হায়না কৌরিমাল্লে, হায়রম্নগা শান্নফমদগী চেম্নোরক্লে। অগাংশিংনা অগোই কায়বগী গুডাইহোদে অমস্নং হায়নশোই, ওঃহাকপনি মানা চন্না হেল্লকই হায়রবদা অঙাংপাংশিং অহু মতোনা পিজদোববু ঐ-থাইদি ভাব তাহোদ মা য়াওঙবদি ঐথোইদা শান্নব লেপ্পা তারেদো। মহাক্লা চাও হান্নবস্নু য়াখিদে, অম্নম থম্নহুনা রাসগী ক্রোমদা হৈতবনা, তাকপানব লুচিংবহ য়াও ত্রবদা, শঙ্খেনবুংদা ফমহুনা লৈহোই। কুশধজনা মপাগা উনখি, মপাবুংনা পম্নগা কপ্পা কপ্পা মচাবু চুম চুম্নহুনা ময়ম্নামদা হল্লক্লে। লাইরবী ব্রাহ্মণীদা মচাগী থমুবদা লৈবা ওম্নমদ, মশম মনা ইকা ফানা অঙাওবীগুম্না, চেম্নোরক্লগা মচাবু ওক্লগা পুশিঙ্গরকই মচাবু ইমুংদা পুশিন্নগা হিক হিক লাউবা মীকপ্পা, মচাদ নেংহুনা চেংনা কোল্লগা কপখিবহুদি প্রমাণ লৈখিন্দ্র। মচানা মরম হংই, অহানবদা পাক হায়দোকপা ওনখিদে, তৌইগুমস্নং হায়নবা য়াদহুনা, জনার্দিন্না মরম পুম্নমক মচাদা তমথোকথে। মপাগী রাকমত্ত তারগা ঐ শিরুগনি হায়বগী, অহাব থজিক্ত থহ্নদন্না ইমা ইপাগী লমন শিংলম্নগে হায়ন থল্লগা ।। কুশধজ পুক্কিং লেপথী। মচা ঐ পোকপগী লাইমবা ইমা ইপানা, ঐগী মমম্না ঈশ্বর সেবা, নিংথা থুংনা সংসারদা লেলহোরসনু। অমস্নং তোম্নবশু লাইরবগী মচা ঐ অমম, নিংথৌগী নিংবা কায়ত্রসনু থনখিহুনা ; মমা মপা অনিদা কপকনু কপ-কনু থেমথে। অভকপনি। অঙাং অহুমা মমাদা মপাবুংদা সংশাবগী লমচং নিয়ম কয়ামকম লীহুনা অনিগী থমোই কাখিবহুদি ইরুংনা লোইম্নরোই। অভকপনি বৈকথকী মতৌ মমা মপাগী থোং পাইহুনা কৌক্ত হাল্লগা, গুরুকৃপান কৃষ্ণ করে নিবী। মতৌ অমুম তৌহুমা ব্রাহ্মণ মচাবু থবাক্তিদা কপ্পা কপ্পা শিন্নহুনা পিখ্রে। ঐনা লুপা হৈথম্রে, মপা মমা পুরুথহুনা, থিদাত্ত লৌমিনগা থম্নদা

কাখৎখে। অদুদা খাংদুনা লৈগদবা মথা কনা মপা কনানো? অনিহু রাহহনা জ্ঞান মাক্কুমা তুখে। মমা মপানা জ্ঞানতাদি তৈদা থৌবিহৌরো হায়রক্লে, যযাতিনা হয়াউবগা লোইননা হক্তিনা ম্যাইকৈ পাংবা, যদ য়াংনা থৌহনখী। যযাতিনা ব্রাহ্মণ মচা কংহনা হল্লক্লিবসী, যজ্ঞ হৌখিবা মধুপুর্নিমাহুগী, ওল্লকপা পূর্ণিমা য়োগদবা তনী য়াংলিবা শুক্লাগী ত্রয়দশীনী। যজ্ঞ মকম য়োল্লুমা থমকম চানা থমহনা, লাম্মীশিংনা ভাক শেন্দুনা অঙাং থখখে. অমসুং যযাতি মুখমাজনা, নিংথৌদা মারম পুন্নমক হজংখে। লৈপাক মীয়াম য়া-য়া লাওখি, অঙাংবু উরগা, শোয়দবা কপ্পবা কনা য়াওখিদে। নি থৌগী মাংদা পুশিন্দুনা অঙাং মরা হংবদা, অচুম্বা মশানা য়াবা, লেংনা থোল্লকপা অওইবনি খুমই। নহুষনা পেন্দুনা হায়, মপুক্লিংদা চিংনরবদি, সত্য। সত্য। মচাগী হুংশিবা খংদবা নিংথৌ নস্ত নংনা চিংনরবদি ঐগী যজ্ঞ কায়গে কায়সহ নযুমদা থিনবিগে; অঙাংমা য়াখিদে, ঐদি মহারাজগী যজ্ঞদা য়াওগে লাকপা, তশেংনা ইশানা ম্লাবনি খুমখি। অহু তাবদা নিংথৌন-চিংবা প্রভু মমক, অমুক্লং ওইনা ভাংলখি, শোয়খি; কপ্পখি। ব্রাহ্মণ মচাগী পুকচেন্ কজবা, সাধুগী লক্ষণ ওইবা, ভক্তিগী য়াওাং ভাংবা তারগা। অহুগী মতুংদা নিংথৌনা অঙাংদা, নংমা পান্বা অমত্তং ঐন্ডান্না দিন্নু হায়রক্ল। মতম অহুদা কুশধজনা অতৈ করিগুম্বা অমত্তা পামদে, চাক্তদি চানিংই। মহারাজা হায়জৈ মহারাজ ইবুঙো; ননাইদি লাইরবা মচা ওইবনা, চাক চাবা ফংলকবা চরা অহুম ফংলক্খনি, চাক লাখনা খাংবা ঙমদে; চাত্রবদি যজ্ঞগী লৈরম্ভ কাবা ঙম্মোইদৌরি, মরম অহুনা ঈশ্বরগী মহাপ্রসাদি লুকফম অমত্ত পানবিয়ু হায়রক্লে। অঙাং অহুগী য়াঙাং তাবদা, মীয়ায় পুন্নমক চপমানা কপ্পখি। ব্রাহ্মণ মচা অদ বৈষ্ণবনী, মাগী পেনবা সেবা তৌবগা, যজ্ঞে শ্বরনা পেনবীনী খংহনা, নহুষনা মাখং পীহনা ঈশ্বরদা কংখুরবা, লাইরক প্রধা ব্রাহ্মণবু পুহল্লকুনা অঙাংদা পীরে। অহাও অথুম মশিং কয়ামকম্না। শেম শাহনা থোং-থাক্রবা; মথেল কয়ামকমগা। লোইনরবা চাক উবদা, অঙাংনা ফমথহনা চথোম অমা লোখৎতুনা হরি শোন্দুনা চাখ্র. অমুকপু চথোম অমা লোখৎলগা হুকে তৌবদা? লাইরবা মমা অমসুং মপা নিংশিংলকুনা, চথোম থাদোক-তুনা হিক হিক লাওনা কপ্পুনা লৈথোকখে। মতৌ অহু মীয়াম্না য়েঙভী, খঙে, অঙাং অসি দুংশিদা লাইরবনা য়োল্লক্লিবনী? তোল্লিদকো লাইরবা শিরনী থনবদা চাক মাএদো। অঙাজি মতৌ অহু উবদা নিংথৌনা হায়রখি, নপুকা চিংনরা? ব্রাহ্মণ মচা অঙাং অহুনা —চিংনদে, অজ্ঞা ইমা ইপা নিংশিংলকুনা তৌবজি, মরমদি লাইরবনিনা অসিগুবা চাক অসি চাবা ফংদবা মতম কুইখে। ভসি ঐদি ফংলে, ইমা ইপাদি ফংদে খবুহনা তৌবনি, ঐ চায়রোই হায়হনা, মখুং হায়দোকুনা তোকখে। হুশেহ পায় হৈপী চাও য়াঞে হায়জৈ, মহারাজ ঐ ব্রত তৌজবগে, যজ্ঞে-শ্বর শ্রীহরিবু নিংজবন, নিংথৌরিস্র মজোল ওইগনী। নিংখিজরবা নিংথৌগী ফিজেৎ পিন্দ, অঙাংনা শেমহু য়াখিবে, অমসুং হায়খী মহারাজ লাইরবী ইমানা থোনরীরকপা' অথোংপা, থোগায়রবা দি অঙদা খাংদ অদনা তকা য়ায়লিবা, অসিনা ইমা ইপাগী সেবা কংলি হায়না

নিংজরগে। জগত অদিদা মমা, মপা দ, মচাওইবগী অথোইবা গুরুনী গুরু কৃপাজনা সংসার থারগা শ্রীকৃষ্ণগী চরণ কংগদবনী; অদুন তৌজবনী? হোমগী মতমদা হোংজবগে অমুম্না লৈরে। মধু পুর্ণিমা নোংদা ব্রাহ্মণশিংনা পুর্ণাহুতি পিশনবা হায়রদুনা হন্না হন্না কৌররে। নিংথৌগী মনাই-শিংনা মতম অদুদা পুংশেল, বস্ত্র থোংদুনা, খুংলাই পাইবা কয়ামকয়া চপ্তুনা মমাইদা চৎহল্লগা যজ্ঞদা ব্রাহ্মণ মচা পুররক্লে। বেদগ্য ব্রাহ্মণশিনা তীর্থগী জলনা স্নান তৌবিরে, তিলক থারন শংস্কার লোইরে, ফিশেং হোংলে নহুষদা শিংরে। যজ্ঞগী লৈরং মথক্তা পুখংলক্লে, কুশধ্বজ থমোইদা চেংনা শ্রীহরিবু ধ্যান তৌজরক্লে। মীয়াম পুম্নমক্না জয়ধ্বনি লাওনয়ক্লে; ব্রাহ্মণশিংনা বেদ মন্ত্র খিদুনা॥ চেং থোইদিং, লৈপত্র, কুশ তিংথৌ. ঘী লোইননা হোম তৌরকলে। অন্তর্যামি শ্রীহরিনা উবরক্লুনা ঐগী প্রানগা মান্নবা জগাই রাসবু লোইশল্লমখিবা, ইনাইনি হায়দুনা লেংবিরক্লে। অঙাং অদুদি লাইমিংবা লোইরে, হায়দুনা ইজিং পিবদা নিংথৌনা ব্রাহ্মণ মচাবু কোনথত্তুনা, শ্রীহরিবু শোল্লগা অচাকপা, মৈগী কুণ্ডদা লংথক্লে। খুদক অদুমক্তদা শ্রীকৃষ্ণনা মৈমুংদা লেংশিন্দুনা মনাইবু কোনবিখ্রে। মৈ অদু শাদবা অমসুং মৈদগী অমুক হেনবা মঙাল অমনা মহাকপু কোইশিনবা অদুদা? অডাংনা মিং পাংদুনা য়েংলকপদা। মবুডো শ্রীহরিনা কোনবী-দুনা লৈরম্বদু উবা ফংজরে, জগংনা কগুম্মব্রবা "ভগত বংসল" মনাইগী প্রেমগী মথা পোন বিরবা? শ্রীহরিগী পাদদা কুশধ্বজনা মথুং লোম্নদুনা হায়জ। মৈমুংদা শাহনবিদবা ইবুংঙো নহাক্কি ঈশ্বরনি, মীনা ফ ঙমদবা যজ্ঞেশ্বর প্রভু ফংজাব, লাগবা তোঞানা নন.ইবু থাগৎলকপা? মীনা ফংঙমদ্রবা শ্রীচরণ ফংলিঙৈদা ননাই থরাই থাজরগে। শ্রীহরিনা হায়বিরকই ব্রাহ্মণ ম। নহাক্কি ঐগী জগাই লোইশিল্লমখি, শিবা য়াত্রি হায়রগা, মৈমুংদগী কোন্দুনা পুখংলক্লে। যজ্ঞ মৈমুংদগী শ্রীহরিনা, কুশধ্বজবু পুথোরকপসী মীয়াম্না ব্রাহ্মণ মচাদুদি উখি, অমসুং শ্রীহরিবুদি উখিদে। নহুষ নিংথৌ মতোমতনা, উবা ফংজখি। নহুষ মহারাজদু মুনিঋষিশিংনা চাদ থজন, চহি কয়চুম্না মিংবদমু ফংবা ওমদ্রবা। হরিগী বৈষ্ণব শজনা ফংজরে। যজ্ঞেশ্বর কোবা ইবুঙোমু মহাক্কি, অদুনা নিংথৌনা চোংথোক্তুনা কয়ামকয় লৈশি লৈথোক্লুনা খুরুমজরে। শ্রীহরি ইবুঙোনা হাই, ব্রাহ্মণ মচা অসি খিনথিক, অদুগা নিংথৌ নংগী নরামধ যজ্ঞ অমতা নৎতনা। চামরক তৌবগী ফল হৈহেন্ন ফংজরো। কুশধ্বজ নহাক্না ঐগী মুক্তি অসি উনা শাবগা। 'লাংচৌ' অদুগা জগোই রাসবু মপুং ফাওদুনা, লাইরবা নপাবুং অমসুং নমাগা লোইনমা মুঙাইনা 'অরাবা কোক্তুনা পাল্লুরো। অদুগী কান্দা লাইমক্না কগুমদ্রবা ঐগী রাসমণ্ডলবু ফজৌ। অমুম্না বয় শিথীরম্বগা অন্তর্ধান ওইখি-দুনা। হরিধামদা লেংখি। নহুষনা ব্রাহ্মণ মচাদুবু পুজা কংলগা; যযাতিবু মমুমদা সনা লুপা কয়ামকয়গা খিনহল্লুরে। মচা কাইনবগী বাবনা 'জনার্দিন' ব্রাহ্মণ অমসুং ব্রাহ্মণীদুদি। প্রাণগা দেহগা কাইনরমদোরে। শিকবদগী হল্লকপা মচা কংলবদা, প্রাণ অমা পিনিওই লৈতনা হয়াউথরে। মতম থুদিং ঈশ্বর লাংদুনা অরাবা লাইরবা কোক্তুনা পানখ্রে। নহুষ নিংথৌদু দান দক্ষিনা

কংহনা যজ্ঞ লোইশিনখে। অসিবু তাক্লবা মী অহৃদি পাপ কোক্না যজ্ঞ অহুগী মহৈ লেপবমক কংই। মসিবু শ্রীব্যাস দেবনা লেংখরবা মহাভারতকী য়াম্নি। ঈতি। হরিবোল হরিবোল হরিবোল॥ মতাং অসিদা ৺শ্রীখোকচোম তোম্বাও সিংহ কথাবাচক পণ্ডিতকী ইবীরম্বা য়ারী শৈরেং শরুক লোয়জরে। ঈতি।

— — — —

অধ্যায়

দুষ্মন্ত শকুন্তলা গন্ধর্ব্ব বাবাহাগী —

য়ারী মতাং।

অধ্যায় অসিদগী ৺শ্রীলাইময়ুম বিবচন্দ্র শর্ম্ম কথাবচক পণ্ডিতকি শরুক লেহ্রেনা খনগা য়ারী মতাংহৌজরে। নৈমিষারনদা য়াগী তাবিবা শৌনকচিংবা মুনি ময়ামনা হংলকই, ছৌজিক ভরত বংশগী য়াবী লিংরা। সৌতিনা হায়খ্রে তাবিযু ব্রহ্মা সভা পুম্নমক, ভারত তাবিবা পরিক্ষিতকী মচা জন্মেজয় নিংথৌনা খুং শোয়্রহনা হাংবকই। মহামুনি চন্দ্রবংশ অসিবু, ভরত বংশ কৌথিবগী য়ারী লিবীয়ু। মনাই তাজগে। বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়বকই, পুক্নিং চংনা তাবা মহারাজা, মমাংদৈদা ইনিম্নগী মচা দুষ্মন্ত কৌবা নিংথৌ অমা পাল্লম্মী, মাগী মিংচংনা মবোল অহম শিন্দুনা ফাওরম্মী। চন্দ্রবংশগী নিংথৌনি বিরমানারবা পাম্লি, সমুদ্রনা বারক্তা ওইরিবা জম্বুদ্বীপ অসীগী, সর্ব্ব ভৌমা পতি ওয়রম্মনি।

দুষ্মন্তদি থৌনা ফবা মহৈ হৈবা, মপাঙ্গল কনবা, মগুণ চেনবা ধর্ম্ম লৈবা অমা ওইরম্মী, পৃথীগী নিংথৌ পুম্নমকনা মাগী মথা পোল্লম্মী, প্রজাবু মচাগী পান্দমগুম্না পালন তৌই। নোংমদি অগস্ত মুনি লেংলকুনা, বাবা সভাদা থুংলবে। মুনিবু দণ্ডবত কংহুনা খুকম্মী, সনাগী আসন থাই মতিক চানা পুজা কংলি। খুং শোয়্রহনা করি দান কচ্চৌ হায়বা তাকপিয়ু। হায়জে। মুনিনা নিংথৌবু আসির্ব্বাদ তৌবগা হায়বকই। হে দুষ্মন্ত নিংথৌ নংনা পৃথী শাসন তৌরি, অহুবু হৌজিক লাইনিংবা ব্রাহ্মণশিং অরাবা কয়া ওইরিবা কৈ ওক, শক্সম, নোংশা, শামু, গণ্ডা, যগো হিংস্রক জন্তু কয়ানা আশ্রমদা লৈবা ওমনরবাত্রে। মসিবু ফাদোকত্রবদী আশ্রম থুদিংদা লাইনিংহুনা লৈরিবা ব্রাহ্মণ, ব্রাহ্মণীশিংদি মচা মসু করা মাংলে। মরম অসিনা নংনা মৃগয়া চৎহুনা, হিংস্রক জন্তুশিংবু মাংহনুনা লাইনিংবশিংগী উপায় তৌ। অসি হায়থে লাকপনী অগস্ত মুনিগী য়াহার অসি তাবদা, দুষ্মন্তনা হায়বৈ মহামুনিগী য়াথং মতুং ইন্না, ব্রাহ্মণ ব্রাহ্মণী লাইনিংবা আশ্রমদা লৈবশিংগী উপায় ওইনবা হিংস্রক জন্তুশিংবু মাংহনগে। য়াসি হায়জরগা মুনিবু লেংশিনথিহনা ব্রহ্ম ভুবন কংথবে মুনি নিংথৌবু মঙ্গল পিরবগা আশ্রমদা হলথী। দুষ্মন্ত নিংথৌ অহিং লেমে লোংগ্লে ওভা চাব থকপা লোইহনা পাত্র থম্রি প্রবা লাম্বী লোইমহনা

অর্দোলা শাম্ রথ তোংহনা থুম্ব থুলাই হাপলগা বৃগয়া চংলী। মুনিশিংগী আশ্রমগী নরুৎম বর্ণী লৈবা পিওম, কৈ, লোংশা, শামু, বন্দী, গন্জা, কয়া কাপ। অমুম বন খুদিংগী মথং মথং থাওয়র্না লাক্‌ই। মসিনু মেনকানা সর্গদা চেরে। শকুন্তলা মচাগা দুম্মগা উমহলগে নিংহনা সখী অমগী মকমদ লৌশিং পুন্নমক তাক্ক্‌না থারকখি। সখী য়োরকহনা শকুন্তলাগী মতা সখী অনিদা মেঘকানা হায়রকপা পাওতাকশিং অদু লোয়না হায়রমলগা। মেনকাগী মনাই গুপী সখিহ্ হংখী। অনুসূয়ানা শকুন্তলানা হায়খী, ইতা ইবেম্মা অরান্দা শাতানবগী মখোল তারিবা অসি, পুরু শাগৈদা পোকপা চিমন্ত কৌবা নিংথৌনি। পৃথীবীগী মপু ওইরিবা গুণ চেনবা নিংথৌ অসি, ইবমনা সেবা তৌজবদা মতিক চারবা শায়কনি। নিংথৌ অসি ঐথাইগী আশ্রম অসিদা পুশিন্নরকে, হায়রমলগা অনুসূয়া, চংখিহনা মথানা শক্তি অমা ওল্লে। মনাগী মচুগুম্বা, য়েংবদা পুক্নিং হুরবা মন্তো ওইহনা। দুষ্মন্তগী মাংদা চত্তকহনা তপনা তপনা চংলী। মনাগী শক্তি উবদা নিংথৌনা কাগে নিংহনা রথনা তাংরকই, মায় তৌরিবী শাজিহ্ নরা অমুক উতপ্রি অমুক্তা লাপনা চেনখী অম্‌য়া শোদ তৌহনা, মালিনী তীর্থগী মনাক য়োৎম্রে। শক্তিনা মনাং তৌরিবদু থুংলাই থাহনা কারগ থন্দুনা, লিরিদা কেনপা থাংহনা তান্নরক্রে। মতম অদুদা মুশি অনিনা নিংথৌ উবদা হায়রকই, মহারাজ মকম অসিদগী শক্তি কাপকনু, গুরুদেব কর্ম মুনিগী আশ্রমনী গুরুদেবনা য়োকপা শক্তি ওইরমগনি। আশ্রম অসিদী কর্ম মুনিগী গুণনা অমগা অমগা হিংসা লৈনদবা মফমনি। মহারাজনু রারবিগনি. আশ্রমদা লেংশিন্দুনা, ভগাকতং পোথাদিক সেবীকা লৈবনি। নিংথৌ তপখি অনিবু থরুম্মী, মুনি অনিনা মহারাজ হন্দক বোন্দগী, য়েক্রবা শং কৈ, কাংদোক্লুনা ব্রাহ্মণগী উপায় তৌবসি ঐথোই পেল্লে। গুণ লৈবা নচা থার অমা পোকচৌ হায়বা ব্রাহ্মণ অমনা বোর পিরে। ব্রাহ্মণ অমনা অমুক হায়রকই, নিংথৌ ব্রাহ্মণগী বোরদগী, কংবা নচা অহুম। পৃথীবীগী নিংথৌরেল ওইসনু। অম্‌মা দুষ্মন্ত ব্রাহ্মণগী বোর ফংহবে, ব্রাহ্মণ অনি লৈহোরে। দুষ্মন্ত মুনিগী আশ্রম য়োনা, রথ থোথরে। আশ্রম য়োরবদা রথ থনমদগা মুনি থুকমজগে নিংহনা, আশ্রমদা চংশিনখি। আশ্রমদা অনুসূয়া য়ৌখিহনা শকুন্তলাগী মকমদা হায়খী ইবেমা দুষ্মন্ত লোয়দনা য়োরক্লগনি, থল্লি হৈং লৈং-মথোং ঈশিং চাইরশি, হায়হনা মবেমনু পুথোকখীহনা, পাত্র অমমম পান্নহনা হৈংথোং লৈথোং ঈশিং চাইবা ওইনা দুষ্মন্তবু চাইহনা লৈখি। লৈগী লৈহিখিবা থোইমুবু চাইহনা থম্বাল কৌবা লৈনা হুঁগাইনা শাংহনা চাইবহনা, অনুসূয়া, প্রিয়ম্বদা, শকুন্তলা, নাংথাকপওয় লৈখি। "শাস্ত্রী প্রমান্দা মাকম সার কাদে" হিরাংদা শামু থুমদোয় অমোমদা দুষ্মন্ত নিংথৌ, থুংক থুংলাই মাওদনা, ভক্তিগী মথং শেমু শাহনা তপনা তপনা, মাংকুং লেং ওই য়েংহনা চংলকই চংলকইবা অদুবু শকুন্তলা মমুরক্লেং য়েংখি। সখী অনিনা হায়রে। ইবেমা মহুদা লেংশিনবিথরে। নিংথৌনা ইবেমা-রোমদা থমৌর রাজা লেংলক্লে উমাগী থাংগোকমুদা লৈয়া লৈবীক। ঐবোয়না পর্বতগী

লাংদা- থুরবগী লাজ্জি লাংজি পায়িদুনা চিংশিজরক্কে। হুয়েন ইত্তানা লাংকাইবিয়ু সখীগী মা তাবদা ইকাইজদুনা লাবন্য কটাক্ষ কৌবা মিৎয়েংনা য়েংলম্লগা শকুন্তলা চংজখী। উনাগী থাংপোক মঙ্গুংদা বৈ-বৈ শেম শাজদুনা ভাইডখী দুষ্মন্ত নিংথৌবু। শকুন্তলাগী নিংথিজবী শক্কম অহুবু উম্লখা ইবেম্মগী লাবন্য কটাক্ষ অমমা মহম, হয়ন, স্তম্ভ, উঘন, উমাদন কৌবা ত্তেন ওইখিদনা। থমোইদা পানখিবনা শোঞ্চরবা নিংথৌনা, থোংথাংবা ভুমদদুনা মুখীগুম লেপ্পগা; চিংনা য়েংদুনা লৈহৌই। সখী অনিনা নিংথৌগী পুক্নিংদ। মবেম্মবু প্রেম লৈবা মতৌ উবদা। মথোয়না শিঙ্গবা থবক মহৈ য়াল্লনি নিংঙ্গে। দুষ্মন্তনা সখী ২দু, ইবেম্মাদুগী চায়বী মত্তা ওইরমগনি থংনদুনা? সখীগী মনাক্তা চংলক্লগা, নিংথবা য়াহায়না হংলকই, হে সখী উনাগী থাংপোক্তা চংখ্রিবী অসি কনানো। সখীনা খুম্মী, কণ্ব মুনিগী মচা কন্যা ঐখোইগী ইবেম্মণী, লেংশনবীবা য়াগনী। দুষ্মন্ত চংথি শকুন্তলানা অতিথী, নিংথৌ অমগী ব্যবহারগা লোইননা, থাসন থাম্ন আসন্দা ফমলগা নিংথৌনা হাইরকই, ঐ পুরু বংশগী দুষ্মন্ত নিংথৌনি। মুনি খুরুমগে লাকপনি, নংবু কনাগী মচানো, নমিংনা করি কৌই। কন্যানা খুম্মী, মুনিগী মচানী, ইমিং শকুন্তলা কৌই। নিংথৌনা হায়রকই, মুনিদি ব্রহ্মচারিনি, কমদৌনা মচা লৈরিবনো। চুম্মী মহারাজ মদুগী মরম পিজগে? গুরুদেবশু সোম তীর্থদা মুনিশিঙ্গি যজ্ঞ লেখি। ভহাক্নং পোথাবিখো। নিংথৌনা হায়রকই, ইবেম্মা নহাক্কী নশক মতৌ অসি!! লাই নিঙ্গোনগুম্মী মুনিমক্কী মচা ওইরমগনি থাজদে পরিচয় শেংনা তাকউ। শকুন্তলানা হায়রক্কে, মথাংঙৈদা "বিশ্বামিত্র" কৌবা মুনিনা চাদ-থক্কদুনা মতম কুইনা অকনবা তপ তৌখী। মহাক্কী তপ্পা কনমনখিবনা, মাইকৈ ভাকপা লাইনচিংবা, অমদি শোরারেল্লা অকিবা পোকথু, খরমদি মমৈথংদা তৌবা তপ্পা শক্তি অমা ওইরক্কনা? দেবরাজগী থুরম শিল্লগরা থরখী। ইন্দ্রদেবনা মেনকা কৌবা "অপসরা জগোই শাবী"দা নহাক চত্না বিশ্বামিত্রগী তপ থুগাইক হায়খি। মেনকানা হায়রখী হে. দেব রাজ ইবুঙো? বিশ্বামিত্র কৌবা মুনি অসিদি কিরে, বশিষ্ঠগী মচা চাখমু অশাওবদগী মাংহনথবা মহাক্কী য়াথংতনা কৌশিকী মদী ওইরবা, মাইথু থুংলবা মত্তোমতনা ফহন্দুনা হায়গী ওইবা অমমু মহাক্কী তৌবা ওবু ক্ষেত্রি ওইরহদগী ব্রাহ্মণ ওইরকপা ওবা মুনিনি; দেবরাজমকমু কিবিরিবা মুনিগী তপ থুগাইবদি অকিবগী মথক্কি।

অদুম ওইনমক মহারাজবু কিবদগী অমসুং মহারাজগী য়াথং ভাকপা ওইনা ননাই চংচকগে, তৌই-ওদ্বুং হংশিং তৌবা ওবা, কামদেব, অপায় হংশিবা কৌবা লাই অনিগী শক্তি পিনবিয়ু। শোরা-রেল্লা মথমক পিবিরে। মেনকানা বিশ্বামিত্রগী মনাক্তা চংলে। ইন্দ্রগী য়াথংদগী হংশিং "মলয়া মথিবন" কৌবা অনিলে, কামদেবনে লোইনদুনা চংখিরখী। কীবেং লৈত্তেংনচিংবা কমরবা মরুপুমবা; মী থুরবকী থুংলিং ভবংনবগী মথক, ওইরবী মেনকানা? মায়া তৌদুনা মুনিগী মথাংদা ম্যাথবরে। অদুবা হংশিং কুকবনা মেনকাগী কিহ হয়দোকপু। অদু উবনা মুনিনা তপ কাদুনা

মুনিনা মেনকাবু কাহনা আশ্রমদা পুশিনখী, অহদগী হৌহনা বিশ্বামিত্র মুনিদো তপস্যা তোক্ত্না মুখানবা মুপা অমগী হতৌওয়া মেনকাগা মুমিং কয়ানিমুক লৈমিন্নখী। মেনকাগা শান্নবগী মহাক্কী থবক ওইথরে, সদ্ধা বন্দনানচিংবা ওয়োক্না কুইনা থাদোকখি। নোংমদি মুনিনা নিংশিংলক্তুনা সন্ধ্যা থুরুমগে ঈশিং অশেংবা পুরকউ হায়না থৌদাখি, মেনকানা কয়িনে৷ মুনিদেথ অমুক কুইনা তোকথ্রবা সন্ধ্যা নিংশিংলকইরা? অদু তাবদা শাওরক্তুনা অকনবা মিৎয়েং য়েংলকপা অমসুং অয়াকপা রাহৈনা চৈরকপদা মেনকা কিরহনা চেনখ্রে। মতম অমমক্তি হে দুষ্মন্ত নিংথৌ" এহাক্তি চেল্লিবা মেনকাগী গর্ভদা লৈরবা মতম্নি। মঙম মরাং ইথং থংদনা বন্দা ঐবু পোক্লগা হুন্দোকপীরম্নে। কৈ নোংশানচিংবনা ঐবু চাবিদে শকুন্ত কৌবা উচেকশিংন কোইশিন্দুনা হিংলকপনি। থর লৈরগা কর্ণ মুনিনা বন্দা তপস্যা তোগে লাকপদা থেংনহনা ঐবু লৌশিনবীহনা য়োকপিখা, শকুন্ত লংজা কৌবা উচেক্না কোইশিন্দুনা লৈবন্দগী ঐগী ইমিং "শকুন্তলা", কৌখি; রারা অসি মুনিগী মুখদগী তাহৈ, অহনা মহারাজদা ঐনা লীংথাকপা ঙম্মনি, মতৌ অসুম মুনিগী মচা ওইদুনা লৈখিবনী। শকুন্তলা পোকপগী মতাং অসিবু তারগা মী ওইবনা বিষয়গী পাপ কোক্তুনা অন্তগী কান্দ স্বর্গ সুখ ফংই। শ্রীব্যাস মুনিগী রাথনী। ইতি — হরি হরি হবি।

শ্রীবৈশম্পায়ন মুনিনা হায়রকই তারো মহারাজ জন্মেজয় মথা লিরগে। দুষ্মন্তনা শকুন্তলাগী অবেপ্পা পরিচয় থংলবদা নিংথিবা রাগায়না হায়রকই ইংন্দা নশাক্কী নণক নংতৌ অসিদি নিংথৌ অমগী মহারানী ওইবদা মতিক চাবিনী উকু শেংপা তোক্তুনা ফিংগ শেংলসি ঐগী বানী মশিং চল্লসী। রা অসী তাবদা ইকাইজহনা মরু লুক্লগা ইমুংদা চংথি। নিংথৌনা সখী ১গী মথমদ প্রেমগী রাহৈ কয়ামা উপাই তৌবিয়ু হায়রখী। সখী ২না হায়রকই মহারাজ হৌস্তিক গুরুদেব কর্ণও লৈতে তাকপিগনু। নিপাগী মপোক্না অথোইবনি দুপগী মপোকি পাঙন শোনবীগী থোইমু ওইবনা মালিকাগী লৈদি চুপলম্মদবগী থম্মালগী মনম ফংলগা মালিকাবু হুপ্লেক্রমহনা লাইবক ফবী থম্মালগী বন্দা থোইমুনা পোথাক্ন ওইথী। লাইবক থিরবী মালিকানা লৈথোদে কেন্দুনা মাংখিবগুম ঐথোইগী ইবেম্মা মাংজতৌবা করম্না য়েংহন লৈগনী। অম্নম্না পূরবদা সখী অমীগী হৈ-শিংবা রাণয় কয়ামুক তারগা শকুন্তলাগী প্রেম্না পুন্নবা নিংথৌনা, রা হায়রকই হে সখী মবেম্মগী প্রয়া থাওমহবা ঐনা প্রেমগী মথা পোন্দুনা চংজরবা নিংথৌনী। শরনাগত ওইব মীবু কনথীবা অসি অথোইবা ধর্মনি। গুরুদেব লেঙওকপা ওইরবদি লেপ্পা থরাই থারগনি ঐগী থরাইদদি কনবিয়ু। গুরুদেব কর্ণ মুনি লে নরুগা ঐনা গুরুদা হায়জগনি মুনিনমু পোইদনা চামখিগনি নিংই। অমুধা নিংথৌনা শকুন্তলাগী প্রেমদা॥ ইরাক্লহনা লৈরিউৈদা, বিহবুক মত্রি নিংথৌবু খিরকপনা; মকম অহদা থংলরে। বিহবুকনা হায়রকই মহারাজ শক্তি কানি তারগ্রগ শক্তিদি কাবা ওমত্রহনা? মীগী লৈকোনং চহনা, মমম পুংশিবা লৈ শাৎপা উরগা॥ চিঙ্গিংবদগী হেক্ক তোরহনা, মপুনা কাবমারোসো। জোয়া হেকশমু ওবগমু ওমহৌবনা, পাজল কম্নি হাজহনা

নমহুনা হেকলুরবসু মুনিগী লৈকোম্নি; শাপ কঙ্গনিদো মহারাজ। মীগী মপোৎ, পামলুবগী দবা ওন্নোকপনি? মোঙবা নত্তনা, উপাই লৈররোই। নিঙবা নত্তনা মীগী মরনবু পিরকপা হৌনদে' হায়জবা, মিঙবা, ইকাইবিকনু মহারাজ। মগ্নি, মৈনা চাক্লগা ঈশিংনা মুৎপা হৌনৈ? অচাকপা মৈদ' ঘী থাও হৈজিন্নগা, মৈবু মুৎপা ওম্বা হৌনদে। চুম্মি মহারাজ মৈগী মথল য়াম্মী? মিৎনা উন' চাকপা মৈবু।। মুখংপা উপায় লৈ। নায়ক নায়িকাদগী, হৌরকপা মৈবু? হুতাষ কৌবা, মশক উদনা, হুয়ান্দুনা চাকপ' মৈনী। মাহুদী মহারাজ মপু নাইবা মৈনী? মৈ মপুনা মুৎপা নত্তনা, অ'ত্তাপ্পা উঙ্গা মী অননা, মুৎপা য়ারোই। মৈনা চাক্রবদি মৈহু মুৎপীরে হিংলে।। মুথংপি'ত্র শি'র, মশানা তায়বনী। শিশুবশু ঐথোয়দি দোম ফংলাইদবনিনা; য়াদে, দোষ কঙ্গদবা অঙ্গনা, য়াজবা তাবনি মহারাজা। হৈ শি'বগী মতৌ হুপাতগী য়াডাং, নি'থোগসু য়াম্ম', চায়বগী মতৌ ওইবা, কোইনদব' বিহুসুক্কী, য়াসী তাবদা, সখী ১না, নিং'থৌগী অচানবা মন্ত্রিনি থ'লতুনা শকুন্তলাদ' হায়জয়কই। ইবেন্ম গুরুদেবদি অতিথী সেবা পাম্বনি? লৈঙবা বস্তু থরদং অতিথীদু সেবা তৌবীয়ু; হায়ভখী। শকুন্তলান' উ'হ নিংথিবা থরদং, পুথোক্কুনা নিথৌ মন্ত্রিবু সেবা লা'জখী। দুষ্মন্তন' হায়খি, শকুন্তলনা তাপস্বী ওইহুন' উকুনা লৈতেংবগী মহুত্রা; 'লপাক্কী ম'বন্মা ওইরগা, বাঞ্জাভুগ লৌবিয়ু? হায়বদা করি চিংনবা লৈরিব'গ হায়রু। শকুন্তলানা হায়জরকই, মহানাজ ঐগী ইরাইবক ফব'ন, অহুম ওইনমক ঐনা চিংনজবদি, ঐগী গর্ভদগী পোকপা ইচানা, নিংথৌ খুবম ফংবা য়া'ম্নাই, মরম অ'সরতং সনাবুদ্ধি তৌবিয়ু। দুষ্মন্তনা হায়রকই, ইবেন্মা অহুগী ওইরবদি। সত্যনা শাক্ষি ওইংসগু, নহাক্কী গর্ভদা পোকপা নচাদা নিং'থৌ খুবম পিগনী? মহু হেক শোয়বদা, যমগী যাতনা ফংগ্র'গ। শকুন্তলানা হায়রৈ, অহু ওইরবদি মহারাজ, ইপাগী য়াথং মহুংইন্ন', বেদ বিধিস্ন, কায়দমা ননাই ফংজগে। য়াসি তাবদা বিহুষ্কনা, কেঃ কন্যা গুরুদেবগীদি ঐখোয় পুন্নমক্না খুকমজরগা? সংপাত্রগী লক্ষণ য়েংবিহুন; দোষ লৌবিরোই মিংই। বেদ বিধিগীদি নিংথৌ মচাগী নিয়ম লৈ, মশা মশানা য়ানত্তমা, লৈ পবেং অমমম।। হুরুহুমা হোংবা অসি? গন্ধর্ব্ব বিবাহ কৌই। বিবাহ মথল ৮দগী, গন্ধর্ব্ব বিবাহনা, মিংথৌ মচাগীদি, অথোইবনী হায়না, শাস্ত্রনা পিরি। মন্ত্রিগী য়া তারগা, সখী ১না হায়রকই, ইত্তা ইবেন্মা মন্ত্রিনসু তাকপিরি, ওসি অসি হুমিং থাসু য়াম্না ফরে, ওসিমক পাংথোক্লসী? হায়-হুনা সখী ২ লৈ লেংঅরহুনা, থৌরাং পুনমক লাংবা লোইজরে। দুষ্মন্ত শকুন্তলা গন্ধর্ব্ব বিবাহ তৌখরে।। অতুগী তুংদা নিংথৌনা বিহুষ্ক মন্ত্রি'ন ভদ্রাসন কৌবা সেনাপতিনে।। ২গী মকমদা হায়রকই। মুনি হুনকত্রিকাওবা, ঐ লৈরকথি'গ, তে'ঙ্গান পুত্তমা হল্লো। নথোইনা বসুমতী মহারানীদা, নিংথৌদি ইঁচা থায়া অমত্তং ফংনবা, বন্দা লাই মিংহৌমি হায়না তম্মু। অসি হায়দুনা বিদায় তৌখ্রু, মন্ত্রি সেনাপতি ২না তেজোল পুদ্না হনখী। দুষ্মন্তনা শকুন্তলাগা লৈবসি।। থা ৬ গুমক্লে। মতম অদুদা রাজমাতা অনাবা অকনবগী পাও, কয়ক্ক পাত্রমা নিংথৌগী রথ সারথী লোইমনা; পুদ্না আশ্রমদা থুংলরে।

দুষ্মন্তনা শকুন্তলা য়েংহুনা হায়রকই, পৃথে ঐাদ হৌজিকমক চৎঙবা য়াদে ঈমাগী অকনবা পাও থুংলরে, গুরু লেংলকত্রিবনিমা, মংদি লৈহৌ'থা। মবুঙোগী বা তাবগা, শকুন্তলা কপ্পুনা হায়রকই, ঐবু হুক্লেকপিরমলগা লেংখ্রবদী। হৌজিক্তি গর্ভ লেখোনম্ম ওইজরে, ননাইবু অমাবগী ঈপাক সমত্রুদা ল'থহুনা থম্বীরমগে হায়বসি ঐবু কম দানা হিংহুনা লৈগনি। অমস্থং কোমুং য়ৌথমগা, রাজ্য ভুগনা কাউবিথরবদি, মতম অহুদা ঐনা ওইপদৌরিবা দথা, অমুক্তা সনা বুঙ্ক তৌবীয়। দুষ্মন্তনা মথুক্ত শিরিবা খুদোপ অনি অঃ লৌ:থাক্লে। শকুন্তলা য়েংহুনা হায় ঐগী খুদোপ অনি অসি। চপ মান্নবা মমাইদা ইমিং থাম্বিবনি, অসি লৌদৌরো, নহাকপু পাত্র মন্ত্রি, প্রজা মীয়াম থারক্কুনা লেমা লৌথৎলগনী। লাইগী নোংজমদগী কাউথরবস্থ, খুদোপ অসিনা শাক্তি ওইনসী, হায়হুনা খুদোপ অমা শকুন্তলাদা পিরে, অমমা নিংশীন' শিক্তিনখ'র। অনস্থুয়া, প্রিয়ম্বদা অনিদা, শিররম্মী; শকুন্তলা সম্ভা মবুঙোগী থোং কোন্নুনা, বপ্পগা ধুল লৌক্তে, লৈক্তহৌরে। দুষ্মন্ত পাত্রগা লোয়ননা, রথ তো ্না কোন্থ য়ৌথা। শকুন্তলা মবুঙোগী থাইনা মৈচাক্লা থাংপোকপুংদা কপ্পুনা লৈখয়ে, সখী অনিনা মবেন্মগা মদোল ওইননবা ঈশ্বরবু পুজা তৌসি হায়হুনা, মপান্দা লৈ হেক্লি। মতম অহমক্তদা দুর্ব্বাসা মুনি লাকহুনা আশ্রমগী থোঙ্গান্দা লেপলগ' হো মিয় কর্ব কর্ব কৌই, মুনিনা অমুক হা-শকুন্তলা' নপাবুং লৈত্রা হংলকই দুর্বাসা মুনিনা কৌথিবসী, শকুন্তলানা মিংথোগী প্রেমনা ডাওথিহুনা, অহুক্তা থন্দুনা লৈথিবন, মুনিনা কৌখিবা অসি তাথিদ্রে। দুর্ব্বাসা শাওরক্কুনা শাপ চৈরক্লে, মাক্তবু নিংহুনা অভিশীবু লৌওইদবা নংদী, নংনা নিংজরীবা মবু'ডাহন। কাওবা ওইথরসনু, অহমমা চৈয়মগা চংথ'র। মাক্তবু লৈহক্লিবী সখী অনিনা তারবদা। পাদ্য অর্ঘ পুঠনা লেক্লকলগা মুনিগী মাংদা পুজা কচ্চরগা হায়জৈ। মুনিদেব নায়ককি প্রেম্না ডাওরবী মপীমচা ওইবনি; অতিথী লাকই হায়বা থংজব্রবীনা, মরান অমুক্লা ডাকপীয়ু। দুর্ব্বাসানা হায়রকই, ঐনা হায়খরবা য়াদি, লেমা মাংবদি য়ায়রোই। অহুবু মশাগী মশক নাইবা পোং অমা উহলবদী? নিংশিংবা ওইসহ্ম, হায়মমলগা মুনি চংথরে। অনস্থুয়া প্রিয়ম্বদা; খুদোপ অহ লৈবদা নিংশি বিররক্লগনী, থন্দুনা য়াকয় অমী কনাদস্থ তমথোকথিদ্রে। অসোমদদি দুর্ব্বাসাগী সাপ্প', দুষ্মন্ত, শাকুন্তলাবু লিংশিংথিদ্রে। শোমদনা কর্ব মুনি, সোম তীর্থ থোংবান্দা, মুনি ময়াম যজ্ঞ তৌবা লোয়রহুনা আশ্রমদা হল্লকলে। মুনি য়েংলকপা মতম অসি গর্ভগী লক্ষণ থা ৫ য়োম তরে, মুনিনা শকুন্তলা ইপা লাকলে, থোকলকউ হায়রকই। শকুন্তলা ইকাইজবগা, কিজবগা, থোকনকপা ঙমদ্রে, মুনিন ধ্যান য়েংবদা লোইনা উথী। মুনিনা হায় শকুন্তলা ইপাবু থওইদবগী হায়রবগী? শাওগদবনি অহবু সংপাত্র য়েংদুনা ইচানা ধর্ম্মা কাইদনা চংলমনিনা ইপা শাওদ্রে থোকলকউ। য়াসি তাবদা, শকুন্তলা কর্ব মুনিগী চরণদা খুলমদুনা হায়জখী, মচাগী ইয়ান কনবীয়ু, নিংথৌগী লোমবুস্থ ডাকপীয়। কর্ব মুনিনা হুংশিবীদুনা হায়খী, ইচাগী গর্ভদা লৈরিবা নিংথৌগী থায়া অদুনা, পোক্লগা পৃথীগী নিংথৌরনম্ম ওইদহ হায়না

বর পিরক্লে। হৃমিৎ খরগী মতুংদা মচনহুপী গৌতমীবু কৌকরে, গৌতমী অসি শকুন্তলাবু কোন্দুনা চাওবরা য়োকলকপী ধাত্রিমাতানী। শকুন্তলা য়োকচবী মমাবু থুরমজহুনা, মরম পুম্নমক চিখদনা তবরৈ, গৌতমী শকুন্তলাবু কোনবাহুনা ইচাদি রাজা মাতা ওইবা কংজো হায়না বর পিখী। শকুন্তলা য়োকচবী মমাগী বর কওজবদা মুওতাইজবগা লোয়নন সেবা তৌরৈ। কর্ব্ব মুনিনা হায়রকই, ইচাগী ইমুদী অচোবা নিংথৌগী থারানী। উনাগী খাংপোক্তা পোকহনবা মতিক চাদে। মস্তগী মেথাচ্ছন্ন কৌবা কোনুংদা, পুখংতুনা দুষ্মন্ত নিংথৌগী মথুত্তা শিন্নক্লো। কর্ব মুনিনা রাকম অসি .গৌতমী, মচন মুপীদা হায়রগা, শিষ্যশিংবু কৌশিন্নি, শারঙ্গব, শারদ্বত, শিষ্য, অনি চওচকহুনা গুরুবু থুরমবী। মুনিনা হায়রকই, ননে গৌতমীগা নথোর অহন্না, শকুন্তলা ইচাবু মেঘাচ্ছন্ন কোনুংদা পুখংতুনা, দুষ্মন্ত নিংথৌদা শিন্নক। শকুন্তলা থৌরাং লোইজগ্রে, পিতা কর্ব্ববু থুকমরৈ, মুনিনা নানবাহুনা হায়রকই। যযাতি নিংথৌনা বম্বা থম্বী শর্ম্মীষ্ঠাবু নুপা তৌবগুম্ন? ইচাবসু লুনা তৌবা ওইসনু, অমুম্না বর পিহুনা বিদায় পিরক্লে। কর্ব্ব মুনি মপাগী বর কংলবা শকুন্তলানা গুরুগী পদধুলি লৌজরে, মতা সখী ২বু চেৎনা কোন্দুনা, মু শিনবগী প্রেমনা কপমিন্নরগা বিদায় তৌমরে। অনুসুয়া, প্রিয়ম্বদা অনি সর্গ য়োথরে। শকুন্তলা গৌতমী শারঙ্গব শারদ্বত মন্নিমক যাত্রা চৌথিহুনা চংথিবনা, বিজয়া নগর য়োন্নক্লে। শক্রাবতার কৌবা মুনংগী, শচী তীর্থ কৌবা কুণ্ডদা, পোথানহুনা স্নান তৌরৈ, লোইবগা অমুক লাক্লবনা, মেঘাচ্ছন্ন কোনুংগী মুংথাং যেংক্লে। দ্বারীশিংনা নিংথৌদা তপস্বিশিং, থোংদা থুগুরে হনংলি, দুষ্মন্তনা যজ্ঞ শালাদা পুশিন্নকউ য়াথং পিরকই, দ্বারীশিংনা যজ্ঞশালা সভাদা পুশিন্নি। দুষ্মন্তনা কোনুং মনুংদা পোথাহুনা সৈ মাথবা কৌবা পুজারি ব্রাহ্মণ থাদোরকুনা, তপস্বীশিংগী মতিক চাবা পুজা তৌহনখি অসিগুম্বা দুষ্মন্ত শকুন্তলাগী ৱারী অসি পুনাগী মশক্তি মীওইবনা তাকবা যমগী যাওবা কোহুনা সর্গ সুখ ফংই মসিবু ব্যাসগী য়াথংনি। ইতি॥

অধ্যায়

দুষ্মন্তনা শকুন্তলাবু ইকাইবা পিহুনা থাদোকখিবা, অমুক ফংখিবা

ৱারী মতাং

ৱারী তাবরবা শৌনকমচিংবা মুনি মরায়া হংলকই, শাস্ত্রগ্য ওইরবা সৌতি, দুষ্মন্তনা সতী থর্ম্ম তাক্লবী শকুন্তলাবু, ইথোকখীবা, করম্না অমুক ফংনখীবা লিমু। সৌতিনা হায়জে, তাবীবু মুনি সভা, বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়, তাও জন্মেজয় নিংথৌ কমুক ব্রাহ্মণ কুল পুরোহিতনা, কোনুংদগী দুষ্মন্তবু কর্ব মুনিগী পাও পুহুনা, তপস্বীশিং লাকই হায়না কৌথোকবী। দুষ্মন্ত থোরকুনা সভাদা রাজা আসনদা ফমখি, নিংথৌগী সভাদা শকুন্তলা, গৌতমী, শারঙ্গব; শারদ্বত, চংলকপুতা

সভাদা বেব্যহার তৌনা লেপ্লগা ? শারদ্বত, ব্রাহ্মণা হায়রকই। মহারাজ কর্ব মুনি গুরুদেবগী, মাথং মতুং ইন্না, নিংথৌগী থৌজাল্লগী গর্ভগী লক্ক ওইরবা, শকুন্তলাবু মপুরোইবগী মকমদা থিন্দ্রো হায়দুনা পুজরকপনি ; অদুম্না নিংথৌদা হঙ্গংলা। দুষ্মন্তদা, শারদ্বতনা, হঙ্গংলিবা অদুগী তুংদা রাকম অদুবু গৌতমীনসু, শারদ্বনসু হংগৎখী। নিংথৌদি দুর্বাশাগী শাপা, কাওথিদুনা লিংশিংখিরে। দুষ্মন্তনা হায়রকই, হেঃ তাপস্বীশিং ; ঐদী বন্দা, মুপী অমত্তা লৌথিবা মিৎয়েং তাথিবমু লৈতে ; হায়রিবা রাহ্ ঐমা ওন্না থোকই। শরদ্বতনা হায়, মহারাজ, হায়খিরিবা রাকমহ্ কর্ব মুনিবু ইকাইবা পীবনী ! শকুন্তলা অসি ধর্ম্ম কায়দবিনী, লৌশিনবীয়ু হায়থী। নিংথৌনা হায়রকই, মকম খংদনা গর্ভ পুরবী মপীবু লৌশিনবা। পুরু শাগেগী মিংচৎ থিবনী, মাহ্ ঐনা ওমলোই। নিংথৌগী রাসি তাবদা, শকুন্তলা থক থক নিক্লুনা, অশাওবগা লোইননা হায়জরকই। করিরানো মহারাজা, বন্দা মৃগয়া লাকপদা, ইপাগী তুংদা রাশকপীরগা, ঐবু নমাই ওইহনবিগ্রবান ? হৌজিক সভা মরাইদা রাশক তাকবা, ধর্ম্মবু কিদবা অতোনবা মীগী মতৌগুম্না ; তাকশিরবা অহ্ মতিক চাদে, অমুক্তা লিংশিংবিয়ু মহারাজ। দুষ্মন্তনা হাইরকই হে তাপস্বী ; অহ্ ওইরবদি থাজবা য়াবা শাক্ষী পোৎশক অমা পিয়ু। অসি তাবদা খুদোপ উংক হায়না নিংদুনা য়েংঙ্ববদা, খুংনিংথৌদা শিবা খুদোপ য়াওরমত্রে। তকিং তকিং ইমা খুদোপ তাহোর হায়রকই, গৌতমীনা ইহেঃ শচী তীর্থদা স্নান তৌরুবদা তাহোরম্লগনি হায়রকই। নিংথৌনা হায় মহ্ তৌবা ওবীগী মিনল্বা বানী ; তানিংদে হনখ্রো হায়রকই। দুষ্মন্তগী থৌজাল্লেম্বগী মতৌ ওইবা বা অসী তাবদা, গৌতমী, শারজব, শারদ্বত, মন্ত্রিগা থবৈ হায়জখী, ঐখাইদি কর্ব মুনিগী মাথংদা মপুরোইবগী মকমদা শকুন্তলা শিন্নরু, হায়বা মাথং মতুং ইন্না শিন্নরবনী ? ঐখোই চচ্চরগে হায়দুনা, শকুন্তলাবু বিদায় তৌরগা, অদুম্মক অদুম চংখরে। শকুন্তলানা হিক হিক লাওবা হাহায়না হায়জে, মহারাজ ঐসী অচম্বা মুপ নত্তে, ঐবু পোকপনা বিশ্বামিত্রমী, ইমানা ইন্দ্রগী অগোইশাবী মেনকানি, ধর্ম্ম তাকচবীনী, লৎন থোং থিংবীগন্থু। ঐগী গর্ভদা লৈরিবা অঙাংসী অচম্বা ওইরোই মুনিশিংগি বননা, পৃথীগী নিংথৌরেন ওইগদব নগানী ; ধর্ম্ম য়েংবিয়ু হে পৌরব। শকুন্তলাগী বা তাবদা, দুষ্মন্ত শাওনা হায়, হে তপস্বী বিশ্বামিত্রত্ত লোভিদগী ব্রাহ্মণ ওইথিবনী, নমান্থ অপসরানী, অহ্মনি। মপা খংদনা গর্ভ ওইরুরগা, তৌবওবী ওইদুনা ঐত্তোন্দা হায়রবিবা ; নওক লাকুন্না ইন্দ্রিবৈদা চৎহোরো, নত্রবদী খুদোং চারকলোর। শকুন্তলানা হায়জরকই, মহারাজ মনাইবু ওকবীনী চৈবীব', অমসুং লৎনবিবা মতিক চার। ঐনা নিংথৌগী রাশকপু থাজদুনা, আম্বা কৎখ্রবনা পতিব্রত ধর্ম্মবু ঐ তাকচরী। মরম অসিনা মহারাজদা দোষ হাপচ-রোই, অদুগা ইমাবু নিন্দা বাক্যনা তাকপীবা চুম্বী নটিনিনী। অদুম ওইনমক ইমানা স্বর্গদা লৈবীনী, অলিঙ্গী থেরবা লৈ হায়বসি, সনাবৃত্তি থম তৌবিবা কৈ। ঐগী, নিংথৌগী অচুম-অরাঙ্গী চন্দ্র, সূর্য্য, পৃথী, আকাশ অমসুং ঈশ্বরনা উবিসহ। পুরু শাগেগী মিংচৎ থিগদবা লৈরবদি,

ঐ অমা মাংজখিবনা কৈ, চৎচরগে হায়দুমা নিথৌগী চরম্বা কুকমতরগ, কপ্তনা মায় ওনখী। সভো ওইবী মুপীগী পুকচেল অওকপনি, অদু য়োমা শিবদগী হেৎ তোল্লবা ইকাইবা পীবদা। ইপুরোই বনা মুপা ঐথোয়গী ঈষ্টনি, ঐগী থর্ম্মনা কাইত্রবদী ইপুরোইবগী মঙনওইবিসমু, হায়রমলগা দোষ খজি-ক্তকাও তৌরঘদন, সভা মপাইদগী কপ্তনা যেংকবরে। মতম অদুদা কণ্বকমিশ্র বুনাগার্যনা দুষ্মন্ত নিংথৌ য়েংদুনা হায়রকই মহারাজ, মুপা মচা অপা, মপা কর্ম্মমুনিশু ঐগা মরূপ অমনি, য়েংবদা লুংভাইতে কমদানা বন্দা পাখিগপগে? ঐগীদা থমনগ অচাং অসী পাকলগা, য়েংবদা নিংথৌগী চিনহ্ন, লৈ লৈক উরগা অচুম অয়ান থংনশা। য়ায়ম অসি হায়দুনা, কণ্বকমিশ্র বুন চাবানা, শকুন্ত লাবু তান্নরক্তুনা শকুন্তলাদা হায়রকই, নংগী পিতা কর্ম্ম মুনি ঐগী মরূপনি, ইংগদি ঐগাদা লৈরদু স। নিংথৌমা ইচাং পৌশিন্নবা তোংনগনা, অসি হাদুনা পুখন। শকুন্তলা মবাবু কৌবা, ত্তে পাদুনা হাঈমা নচান ফংনিব দমা অসিবু য়েংবা ভুংভাইরিবর? হায়দুনা থোংজন য়াংনা কপলকই মতম অদদা সর্গগী মেনকা মচা মত্তৌ উবদা। থুনক অদুদা লাক্তুনা মচাবু সর্গদা পুখংখরে। সর্গ যে থদুনা শকুন্তলা অশুসুয়া, 'প্রয়ম্বদ' ওতাশবা ২শু উয়রে। মামবন কুলাচার্যনা নিংথৌদা পাও পুশী মচ পাক্র শকম্বাবু মথুন অম পাইবক্ননা থত্তহৌদনা অতিথাযোমদা পুখংখরে। পাও অসি তাবদা মিয়া। পুরমক, দুষ্মন্ত নিংথাবু ক্তুদ কমদ রকব হাইনা খম্ভদুনা লৈনখী। সর্গয়ামদন মেনকা শকুন্তলাগী মচমদা অশুসুয়া, প্রিয়ম্বদা, মমাংগী দুর্বস। মনিগী, শাপপী য়ায়া পুরমক ওমথী। পাওদু তাবদা মেনকানা মচাগা লয় শেমলগে হন্নুনা? মিত্রকেশী জগাইশাবাদা হায়রকই, মিত্রকেশী নন অনুকত ঈচাগা উপায় থৌরিয়ু। মিত্রকেশী না হায়রকই, ঐবু কনি উপায় তৌগে হায়রগে মেনকানা হায় ইবেম্মা নন, মেঘাচ্ছন্ন কোৎ কোম্বদা চংলগা দুষ্মন্ত নিংথৌগী সভাদ জগাই ঈশৈ থোগল্লু। নিংথৌনা পেন্দুন সমা-কপা পিবা লৌবুগমু, নিংথৌগা থুনিজথৌদ 'শরাব দুর্গোপ্ত', মমায়দা মঙি থাবনা মদু নিদুনা লৌরকউ। অদ মতম চানা অনুক হৃষ্ণিজ্জহনা, নিংথৌবা অপুক হয়্যু। শচী তীর্থনা স্নান তৌ-রুবদা খুদোপ তাখরে, ফনবা অমুক্তা থীনিয়ু হায়দ্ধৌ। নিংথৌনা থিত্তবনা কংলগা নংতান্দা পিয়বদী, খুদোপ অদু নিংথৌদা পুন্না কচ্ছিয়গা, শকুন্তলাগী য়াকম হজৎণু। অদুদগী নিংথৌগী মবুকনিং কমদৌবগে, মোংমশিনি নিংথৌগীদা পুকচেল য়েংলগা হকক্কউ। য়াকম অসি শিন্নদুনা মিত্রকেশী থারক্লে, জগোই শাবীদু বাজনানগব মেঘাচ্ছন্ন পুর য়ৌরক্লগা; য়াজ দায় মনাক্তা জগোর ঈশৈ শক শক্লুনা চংলি, মাসিব হ্মাবিনা নিংথৌদা চক্কংখী।

দুষ্মন্তনা পাত্র থাদোক্তুনা, মিত্রকেশীব সভাদা পুশিনখী। মিত্রকেশী নিংথৌবু থুকমজরগা, হায়জৈ মহারাজনা ঐবু কৌশিনবিব। করবা য়াথং তাকপগদৌরিবনো? দুষ্মন্তনা হায়ইবেম্মা জগোর শাবী। ঐগী সভাদা জগোই ঈশৈ সভাগী থোগল তৌরম্মু। ঐনা মতিক চানা দক্ষিণা পিগনী; মিত্রকেশীনা কনি থৌগজরগে হায়ৎনা;'জগোই ঈশৈ হৌথরে। মুংশিরবা থোক্কেপনা, শকুকপা ঈশৈ কক্কবা শক-

কম, অদুনা শারকপা জগোই, সভাগী পুক্লিং হুখরে জগোই লোইরকপদা, দুষ্যন্তনা পেল্লদুনা হায়রকই, হে . জগোই শাবী নঙ্গ জগোই য়েংবদা, ঈশৈ শরুকপ. তাবদা ঐগী পুক্লিং পেন্নে মংনা পাংনা হায়রু, ঐনা শোয়রদনা পীগনী । দুষ্যন্তগী রাহায় অসা তাবদা জগোই শাবীহ্, মেনকাগা তাক্লকপা অহ পাং-পোরবগী দমক । অহিং অদুমা চুপ্পা জগোই শারিবী, 'মশ্রকেশীনা হায়রে । মহারাজগী খুনিত পৌদা শিরিবা খুদোপ অহত', নিজরগে চানবিদুনা, নলাই এচৌন্দ' পিনবিয়ু, 'ায়না নিখি । নিংথৌনা পেঁরানা, খুদাপ শৌথোক্লগা মিশ্রাকেশীদা পিব'রে খুদোপ কংলবদ' নিংথৌবু খুকম'জ্ঞ, থাবং লৌজ-রগা জগোই শাবী চংথরে । মিশ্রাকেশী পুত্ত ৮ লোম লৈবব তুদা । অমুক সভাদা হ'গুলখি মা দুষ্মন্ত রাজাবু খুকম্জরে । নিংথৌনা হংখী হে জগোই শাবী, অমুক হল্লকপদী কবিহায়নিংবা রাংহৈ-রবগে হায়রু; অদুর তাকপিরকই । মিশ্রাকেশীনা, হিক হিক লাওবা রাহায়না হায়জরকই । মহারাজ দগী কংজবা খুদোপ অহ, শক্রবতার কৌরবা থুনগঙ্গি শচী তীর্থ কৌবা পুম্রিদা ॥ স্নান তৌকই খুদোপ্পু, ঈশিংদা নাম্বোকতুনা তাখ্রে । ঈশিংনগা লেপ কংদবগা থিজবদা কংদরে, মহারাজনা থৌজানবীদুনা অমুক্তা ক'হনবীয় । মিশ্রকেশীগী রা তাবদা দুষ্মন্তনা হায়, ঐনা পংনবা থিহনগনি লৈশা হায়রমা থামলগা, পাত্রশিংদা ডুম কৌরগা জাল থোল্লুনা, খুদোপ কনব থিয়ু হায়রদুনা থাম্রে । নিংথৌগী মনাইশিংনা ডুমশিং পুদুনা ঈন্ থোল্লুনা থিহনবদা, ঈন্দা রোহিত কৌবা ঙা অমা লকই । ঙা অদুনা শকুন্তলাগি তাখিবা, খুদোপ অদুনা ঈয়ং লওনা তাখিবহ, রোংখিবা চাহ ওইরমলে; ঙা অহ মাগী গর্ভহ লোইনা উই, ঙা অহ শেনথাইদুনা য়েংবদা খুদোপ অত রাওরমলে । খুদাপ পুদুনা ডুমগ পাত্রশিংগা, মিংথৌগী সভাদা থুগুতহনা, খুদাপ অত নিংথৌদা কংথরে । নিংথৌনা পেন্দুনা সনাগী খুজি অমা, ডুমদা পিবিরে থিবর, নিংথৌবু খুক্রমলগা খুজি পুনেং 'মমুমদা হল্লখী । দুষ্মন্তনা খুদোপ অত জগোইশাবীদা পিব, মতমহদা মিশ্রকেশীনা, খুদাপ অনিহ পুন্না পুথোক্লকহুনা, সনা মাংদা কংলগা মোন্নকপা রাইনা হায়জরকই । মহারাজ খুদোপ অনিসি ঐনা কচ্চরি, লৌশিনবীরগা সনা বুদ্ধী অমুক্তা তৌবীয়ু, খুদোপ অসি পৃথিদা তাংলবদগী, মহারাজদা শাক্তিগী পোংশক উহপা ওমথিদবনা শকুন্তলা সত ওইবাবু সতা মমাংদা শিবগা মাররবা, ইকাই-ববু পীখিবা অতগী শাজদবী সতীগী মগুণ মাংহনবিতদবনা ঐনা খুদাপ কংনবা হায়রহুনা হোৎনজবা মহৈ রাজরে । মহারাজগী খুদোপ তাক্রম লৌশিনবীয়ু; হায়রমলগা কুবক্লিনী বিদ্যাগী গুণা জগোই-শাবী অমুব মাংলোকখরে । খুদাপ কংবদা দুর্বাসা মুনিগী শাপকি মতম লোইথরে? অদুনা শকুন্তলাগী থৌদোক পুমক মি শিংলকপদা, দুষ্মন্তা মিংথৌ জগোইশাবীদা, শকুন্তলাগী লৈকম হংহৌথনু মহুতৌরে । থমোই অদ, শকুন্তলাগী থাথলদা তাশোনা লেংথপা মাঙখরদুনা শকুন্তলা ঐ কবি ওইবশিংগে কাহরবলগা, দুষ্মন্তদু হা শকুন্তলা কৌরমলগা পৃথীদা হায়রথরে ।

নিংথৌনা কুমন লৈজমা তাক্লজদ । বিদুষক মন্ত্রিনা থৌরম্পুনা কোবতুংথি । দুষ্মন্ত জাম কাহরবারঃ মন্ত্রিনা লৈথাকি সাজনগী থবক পুদুনক শিজরবলগা য়োম্হ' মহুরদা য়েংশিন্দুনা শকুন্তলাগী

রাখন্দা রাখিবনা, মপাল খোক্তনা চিন্তা তৌদুনা লৈখি। মিশ্রকেশীনা মশক উহন্দনা কোন্থং ময়ূংদা চংদুনা নিংথৌগী পুক্রিং য়েংবদা। শকুন্তলা তবু শোন্দুনা মাগী খোঞ্জা মৈচাক ওইথনা মপাল খোক্তনা লৈরিবা অসি খঙজনা চংখ্রে। মিশ্রকেশী সর্গ চৌখিদুনা, "মেনকাগী মচানুপা শকুন্তলাদা" দুষ্মন্তনা ওইরিবা অবস্থা পাও পুমনমক তমখী। শকুন্তলা অ'দত্তী-কাশ্যপ মুনিগী আশ্রমদা লৈজখী; গর্ভতু থা' তরা তুদুনা গুণ চেন্নবা মচানিপা অমা পোক্লে মচানু লুনা মোকতুনা শকুন্তলা, মপুবোইবগী রাখশতা খঙবনা মতম লেন্দুনা লৈজখী। মতাং অসী মৌরকপদা রারী ভাবিবা শৌমক্রা চিংবা ব্রাহ্মণ ময়ামা হংলকই, হে-উগ্রশ্রব, শকুন্তলা দুষ্মন্তগী মখা লিয়ু সৌতিনা হায়ই, অদুম্ব কাইমবগী মৈচাক্রা দুষ্মন্ত শকুন্তলা অনিনা মতম লেন্দুনা লৈনখিবা অসি চহি ৮ শুথরে। মতম অংদা ইন্দ্রলোক্তা কালনেমি হিংচাবগী কাংবনা। ইন্দ্রগী খুবম হৃমগন্দগী লাল চৌরদা লাইরেপাক থাংবা ভমলকপদুনা, খেস্তবু লান পাংবিয়ু হায়বগী বার্তা গা লোইনন, ইন্দ্রনা মাতুলি থারক্তুনা দুষ্মন্তগী সভাদা থুডগরে। মাতুলিগী পাও অসি নিং-থৌ কৌংকুদন্সী খরবদা। কুলাচার্য নক্লে মাবরোই হায়তুনা, কঞ্চুকি মিশ্র ব্রাহ্মণ থাজিনখ্রে। ব্রাহ্মণনা কোন্নগী শঙাই শুমাংদা লেপ্লগা শাওনা হায়রকই। মহারাজ ইরাম লৈজদবা শৈয়ু হাংপিগদৌরে। ব্রাহ্মণগী খোনাও তারদা, মপাল খোকখিরবা নিংথৌ লিক্তেম পাইদুনা মপান্দা চেল্লোক্লকতুনা। কুলাচার্যবু খুমঙনা মরম হংখী। নিংথৌনা মরম হঙবদা, কঞ্চুকিমিশ্র ব্রাহ্মণনা হায়খি, মহারাজ হৌজিক ইন্দ্রগী মাতুলি থুংলরে, অথুবা পাউ ওইবনা মহারাজ লেংলাক্লবা তাররনী। দরবারদা লেংখাকলসি হায়তুনা, দুষ্মন্তবু সভাদা পুশাকখ্রে। মাংগী আসন্দা ফমলে মাতুলিনা ইন্দ্রগী পত্র পিরে, দুষ্মন্ত পত্র ফংবগা খিন্দনা রন বেশ লৈত্তোংলগা, খুদাই পুরমক হাপচিন্দুনা ইন্দ্রগী রথ তোংদুনা মাতুলিগা অতিয়াগী লম্বীদা চংশিংকী মাং থানা, রথ পাইরকপনা ইন্দ্রলোক য়ৌরকলে। ইন্দ্রগী সভাদা মাতুলিনা দুষ্মন্ত পুশিনখিত্তনা ইন্দ্রবু নিংথৌনা খুরুম্মী, ইন্দ্রনা দুষ্মন্তবু কোন্দুনা আসন্দা পুখংতুনা পুন্নপ ফম্বিন্নখী। চন্দ্রেছ কয়া পুশিল্লকুনা নিংথৌবু পেলহনখী, দুষ্মন্তগী মফমদা ইন্দ্রনা হায়খি; হৌজিক লানফম অকনবা অমা থুডগরগনি। কালনেমী হিংচাবগী লালহৌ তোইনা লাকপনা, লাইবেপাক লৈবা ভমনরকত্রে। মহারাজনা উপায় অমুক্তা তৌবিয়ু? হায়নবিরেদা হিংচাবশিংগী লানহৌরকপনা ইন্দ্রলোক্তা থুডগরে। দুষ্মন্তনা রাথৌরুগদু ইন্দ্রদেবগী য়েক্লবা হাংকে হায়তুনা, ইন্দ্রগী রথ তোংদুনা মাতুলিনা রথ খোরগা লাম্থেনবদা প্রতাপ চাওবা নিংথৌনা কালনেমী হিংচাববু লানফমদা মতক কক্লুনা খাদখরে। তম সি হমাদ লাওদুনা লম্বংদবা হিংচাবা মশিং নায়দনা হাংখী, হিংচাবশিং কাপনা কায়নদুনা পাতাল য়োনা চেন্নখী। দুষ্মন্তনা লাল তম্ব তৌরে' ইন্দ্রবু খুরুম্মী, ইন্দ্রনা পেন্দুনা বর পীরে। মহারাজনা মতম থৈবিত্তা লৈরিবা অকাবা মৈচাক অদু লেপনা কোকতুনা, গুণ চেন্নবা মচাবু কংলবা ওইয়ু অমুম্না হায়খি। অহিংদু ভগোইশাবীশিংনা খোগন্দুনা মুত্তাইনা পোংথাহনখী। নোংতাঙ্লবদা চাব থকপা লোইরগা

ইস্রনা মাতুলিদা মপা মচা উনহল্লু হায়না তাকই। মাতুলিনা রথ পুহনা, দুষ্মন্তবু সর্গগী ফজবা বন য়েংচনুসি হায়হুনা। রথ তোংমিন্নরগা, সর্গগী ফজবা নন্দ বননচিংবা য়েংহল্লো। মথং মথং য়েংহুনা লাকপনা কাশ্যপ মুনিগী আশ্রম বন য়োরকই, দুষ্মন্তবু * অশক বৃক্ষ মখোংদা, শিদা ফমহনা ওহোক্লা ওাইবীরক্লু; এ মুনি অমুক্তা উনজগে হায়হুনা, মাতুলি চংথ্রে। অশক বৃক্ষ মখোঙদা ফম্লগা পোংথাংনা লৈরিবৈ মতমদা, চঙথাব্রবা অডাং নিপামচা অমনা, মোংশা মচা অমা ফাহুনা উরিনা পুম্লগা চিংহনা লাকই। অডাং অদু উবদা, বাৎসল্য প্রেম (মচা নুংশিবা) গী থাথল থমা পোকথো। মতম অমদা লাইনিংবা রূপা অনি, চেম্মোক্রকনা অডাং অদুদা হায়রকই, নং অসি লমহেল্লি হায়হুনা মুনিনা সক্ক দমন কৌবসি মতিক চায়, মোংশা মচাদু থাদোকখ্রো, মপীনা চিক্ররনি। তাপস্বীনী অমনা অশাবা রাংগোং অম পুরক্কুনা, শাম্নপোং সর্বদমনদা অসি লৌ হায়হুনা পীরকই। অডাঙনা শাম্নপোং লোগদগী মথু য়েং অম তিঙথোক্লকও মচাবু দুষ্মন্তনা য়েংবদা অশাংগী খুদাক ময়াইদা, রাজা চক্রবর্তী মরি লৈব অসি উখো। অচা অচুনা শকুন্তলা হাঃ ইমা শকুন্তলা হায়না কৌখো। শকুন্তলানা পোকপা অডাংনি হায়ব, থওখিহনা নিংথৌনা তপস্বীনীদা, অডাং অসি কনাগী মচানা হঙিউ তপস্বিনীমা পৌরব শাগে মচানি থুম্মী, নিংথৌন, হঙত্রী পৃথীগী অডাঙনা, সর্গদা কমদৌনা লৈররিবনো? তপস্বীন থুম্মী অপ্সরাগা মরু লৈনবগী লৈবনী, অডাঙ্গি মথুত্তগী মোংশা মচাদু অনুক্ত থাদোকপিদাশা হায়রকই, দুষ্মন্তনা অডাঙ্গি মখুত্তগী মোংশা মচাদু থাদোকপিগুসি হায়রগ মোংশাদ থাদোকখি? অদুদা অডাঙ্গি মখুত্তা শিলৈবা 'রক্ষাসূত্র" নাম্নাকনুন লৈপ ক্তা তারে। তাপসীনা হায় ইহে অডাঙ্গি "রক্ষা সূত্র" তাংখু হায়রকই, নিংথৌনা "রক্ষাসূত্র' থুমগংলগা অডাঙ্গি খুদাংদা পুনশিনবী। মদু উবদ তাপসীনা হায়রকই, অডাঙ্গি "রক্ষাসূত্র" অসি মুনিনা পুনবীবা মতমদা, করিগুম্বা নাম্নাকনুনা তারবদি, মম নত্রগা মপা অমসুং মমানা থুনগংপা নত্রবদি, লিন ওইদুনা চিকনী হায়খি। রাংহজ তাবদা দুষ্মন্তন মচানি হায়বা থওচদনা মচাবু চেংনা কোল্লগা লাইবক্তা চুপ্লগা? ইপাগী ইবুঙ্ঙে নংন, নমাবু নিঙ্গরগুম্না ইপাবুঙ্গ ... হায়খি। অডামা নংদি ইপ নত্তে, ঐগী ইপাদি দুষ্মন্তনি, হ ররম্লগা মরুম তাম্না চেনখিদবা ইমুংদা চঙথরগা মমাগী তম্পাক্তা ফমজখী। দুষ্মন্ত তপস্বীনী অনিগী ভুং ইন্দুবা চঙলগা, মেনকাগী চরন্দা ওক্তা কিরেংলগা, দণ্ডবতনা খুরুমজনা হায়জরকই। ইমা ঐগী ইরান

* ব্যাখ্যা — অশক বৃক্ষ হায়রবসি অধ্যাত্মিক্তা নাওইদোং পাম্বৈনি হায়রি। মীওইবনা অরাব তারবা মতমদা মাগী মখোংদা ফমগা থাথল তোদনা লৈবদা। বুদ্ধি লৈতবা অরাবা চিন্তা কোকহুনা মীওইবগী দুওাইনবা থাথল লাকই অরাবস্থ কোকই। মাগী মগুণ অমা লৈ মরম অদনা মাতুলিনা দুষ্মন্তবু অশকী মখোংদা ফমহন্দুনা পোথাহনবনী। অসুম্না অধ্যাত্মিক্তা হায়রি ইতি।

ঙাকপীয় ? নচা ইবেম্বগা নশুগা পিবীম্বগা ইমানা ; ঐগী অরাব মৈচাক অসি, অমুক্তা কোকপীয়ু। মেনকান, হাইরকই, মহারাজ ইচাদি জগোইশাবীনা পোকপনী, পুক শাগেনি মিংচৎ থিগনি, ঐমা পিব ওয়োই। মেনকাগী বাহৈ ভাবদা নিংথৌনা কপত্নুনা, ভক্তি কয়া তৌহুমা নোজরবদা পেয়হনা হায়রকই। মহারাজ হৌজিক্তি ঐগী গুণ খংলক্লুনা, চঙজরক্রবা শরনাগত ধর্ম্মবু মেনকাদা সোইদন ঙাকনী য়ারুগয়ু ; অসি হায়রগা ইমুংদা চংখ্রে। শকুন্তলা মচাবু য়েংলগা হায়রকই। ইমাগী ইবম্মা হৌজিক্তি ইমাম নিংবা থুংডে ; গুপী ওইবীনা মপুয়োইবগী। মরান ঙাকপনা সতীগী ধর্ম্মনী। নয়ুংডগা উনবা য়ারগনী থোক্লগী হায়রগা মচাগা মশুগা থোরক্লুনা, দুষ্মন্তগী মকমদা শিন্নবীরে। শকুন্তলানা হায়রকই, ধর্ম্ম চেন্নবা মহারাজ, ওঙবী ঐবু কমদোনা লৌশিনবীগদৌরিবনো ? পুক শাগেগী মিংচং থিবা ওইগনী, অসি হাংদ্রনা মপুয়োইবগী চরন্দা খুরুমজরগী। দুষ্মন্তনা শকুন্তলাবু কানখংলগা হায়রকই, ইবম্মা ঐগী ইয়ান পুন্নমক, লাইগী নোংদমদগী থদোপ অসিনা থোকহনখিবনী। নজি সতী ধর্ম্মনা ঙাকপীযু। সতী মনী মশুগ্না পুক শাগেবু ঙায়গনি, হৌজিক্তি বিজয়া নগর য়োরসি। অসি হায়হনা সতী শকুন্তলাবু, কোন্দুনা হন্না হন্না মুখ চুম্বন তৌরকই।

মতম অহ্নদা মাতুলি লাক্লনা, কাশ্যপ মুনিনা উমনিঙভী হায়না পাও তন্নরে। দুষমন্ত শকুন্তলা মচাগা লোইননা মুনিগী নাকা য়োরক্লগা। মুনিবু আদিতী দেবমাতাবুসু খুরুমজরে। কাশ্যপ প্রজাপতিনা হায়রকই দুর্বাসাগী শাপগী থদোপ মাঙডবনা, নবডানি কাংনরুবমী। হৌজিক্তি ইন্দ্রনসু নোংজু ফু শা চুমা পীহনা। মনৈ মরোং কনবা মজেং পাংনবা ওইরসু। নচা অসিত রাজাচক্রবর্ত্তি ওইরকসনু ; অসুন্না বর কাশ্যপনা পিরে, অদিতীনসু পুন্সি শাংনা পাঙৌ হায়না বর পিবীরে। অদিতী, কাশ্যপ, অনিগী বর কংলবদা ব্রাহ্মণী ব্রাহ্মণগী পদ ধূলী লোইজে। দুষমন্ত শকুন্তলা ব্রাহ্মণী ব্রাহ্মণবু খুরুমজরগা ইন্দ্ররথ তোংদ্রনা মাতুলিনা পুরকপসি, বিজায়নগর মেথাহুম কোনুং য়োরক্লে। "মাতুলি দুষমন্ত বিদায় তৌনরগা ইন্দ্রলোক্তা হনখী" দুষমন্তনা শকুন্তলা দমন মচাগা পুসিন্দুনা, কোনুংদা চঙক্লুনা, মহারাণী বসুমতীদা শিন্নরে। শকুন্তলা মচেম মহারাণীবু খুরুমজৈ রাণীনা শকুন্তলাবু কোন্দুনা পেনহনখী ; দমন মচাবু মতম্বাক্তা হাপ্লগা চেংমা কোন্দুনা, লাইবক্তা হন্না হন্না চুপখী। কুলাচার্য্য কঞ্চুকি মিশ্রনা চঙক্লুনা অশীর্ব্বাদ তৌই, শকুন্তলা কুলাচার্য্য ব্রাহ্মণবু খুরুমজরে। বিদূষক মন্ত্রি চঙক্লুনা শকুন্তলাবু ভক্তিমা পেনহল্লি, দুষমন্ত মিংথৌনা দান কয়া তৌহুন, ব্রাহ্মণশিংবু পেনহল্লি। লাইরব কঙাদা লন য়েন্দুনা লাইরবশিংগী অরাবা কোকহল্লি ; মহোৎসব কুহৈ কয়া তৌখ্রে। অসোমদা কাশ্যপ মুনিগী শিশ্য অমা থাহনা, দুর্বাসাগী শাপগী দুষমন্ত শকুন্তলা অনি কাইনবা অদু। হৌজিক্তি শাপাক্তকী মতম ওইরঙনা। শকুন্তলাবু মচাগা লোইননা দুষমন্তনা লৌশিনখ্রে হায়বা ; মচা ইন্দ্রদেবদ খঙহনখী। দুষমন্তনা মচাবু কুলাচার্য্যদা, লাইরিক তমহন্দুনা মতিক চাদা ঠৈহল্লি, বিদ্যা তম্না লোইরবদা যুবরাজ হাপ্নে। যুবরাজ ওইরবা মতমদা সর্ব্ব দমন উত্তম বিজয় চৎনা। পৃথীবীগী নিংথৌ পুন্নমক জয় তৌরদা।

থিদর্ভ নিংথৌগী মচানুপী অহমবু পুলপ লুহোংখি। অছৌগী মখিং ভরত হায়না খোমথি অছুগী মরমদি ভারতবর্ষবু অম তৌবগী খোনবনী. দুষ্মন্ত মতম কুইনা রাজভোগ চানুনা পামমগা। বসুমতী রাণীগা মচা ইবুঙো ভরততা নিংথৌ থুবম শিন্নরমগা। বন্দা লাইনিংথনা নিংথৌ মহারাজা অনি বৈকুণ্ঠ কপথী। "ভরত রাজানা শাসন পুসিন্দুনা কৌনা পাল্লী চামখদগী জম্বুদ্বীপগী ভরতবর্ষ হায়ন কৌখী চন্দ্রবংশ অসিত্ত ভরতুকি হাক্তকপী ভরত বংশ হায়না কৌনখী। অসিগুম্বা অংদি পর্ব্বগী রারী ভরত বংশগী ইতিহাসবু; মীওইবনা পুক্নিংচংনা তাকববদি, সম্পত্তি চাওখৎলী, মচা কন্তৌ, মিংচৎশু কন্তৌ, শিববা মতমদা। মমগী মাতনা কোক্লুনা বৈকুণ্ঠগী সুখ ভোগ লেপ্পা ফত্তৌ। শ্রীব্যাসদেবগী সোয়কদ্রবা য়াথংনী॥ মসিবু লাইঃযুম ৺শ্রীবিবচন্দ্রা শন্ননা মাতু ভাবাদা ইকায়খনী। ইতি॥ সম্পাদন তৌজবা শ্রীহরিদাসসিংহ অসোইবা কম বৈষ্ণব সমাজনা তাকপী গনী মিংচৈ, সাহিত্য সেবা পামজবগী তৌজবনী। হরি হরি হ র।

অধ্যায়ঃ—

শার্ম্মিষ্ঠা-দেবযানীগী—

বারী মতাং॥

নৈমিষা কৌবা বন যজ্ঞ শালাদ বারী তাবিবা শৌনকনা হঙখা, কচগী শাওগী দেবযানীবু কমদৌখী। সৌতিনা হায়রি তাবিয়ু মহামুন পুন্নমক, মহাভারত আদিগী রাংগ অসি চাওখ্র অমুক লিজনগে তাবিয়ু। বৈশম্পায়ন মুনিগী মফমদ জন্মেজয় নিংথৌনা হংজখি, সংস্কৃত্রি ওহববা "যযাতি" নিংথৌদা, ব্রাহ্মণগী জাৎতা পোকলবী ইবাই শুক্রাগী মচানুপা দেবযানা"বু লুহোংখিব করম ওইখিবনা এদুগী রারীদি লিবর্থখ্রি মাত অমুক্তা লিবীবো, মহু তাঙনিংহ বাবা অঙ্ক লৈংজোরবদি, এনাহ জন্মজয়গী পুক্নিগী চিনবা অমা লৈখিব তাবে। মুনিনা হায়খি – মংদি অসিনি: মমাংদৈদা হিংচাবা নিংথৌ "বৃষপর্ব্ব"গী মচানুপা শর্মিষ্ঠা হায়বা কৌবী অম লৈরমই মহাক দেবযানীগী মীনাই নুপী ওইরমই, ওইখিব মরমদি, নোংম দেবযানী অমসুং মমারবী লোইনবী কয়া মরুমগা লোইননা চৈত্ররথ কৌবা বনগী ময়াইদা লৈবা। কিংখিজরবা পুক্রী শংচাবা অমগী মপান্দা, সমুং মগুংদা শামরমই মতম অমদা মথোইদি মমারবী নহা মপেল ওইনবদা ইকাই টকি লৈরমদে, মথোইগী খাংশেং কী পুন্নমক তোর্ব্বান্দা থমগা শামমিরে। থংহৌদনা অকনবা মুংশিং লাকনা কি পুন্নমক হুমদোকখ্রে, অমসুং চওৎনখ্রে ;* অহু উরবদা

---

* কচনা "সাঞ্জবনা" মন্ত্র তমনুংগা লাইয়াবদা মথং মথং তম্বিনগা শোরারেবা লান চংলকপদা চৈত্ররথ বনগী লৈকোন্দা কষ্ঠা মরাম শামরবদা শোরায়েরো মারা তৌইনা মুংশিং ওইনা হুমদোকপনি।

ঈশিংদগী চেনখৎনহুনা মাগী মাগী ফি লৌনবদা। শর্ম্মিষ্ঠানা ওক্নুনা দেবযানীগী খ্বাংজেৎতু শেৎখিরমই। অচ উবদা দেবযানীনা শাওনা চেনশিল্লকই, অমদু অধীবা য়াহৈনা চৈরকই। চৈরকইবা য়াম্ থর হেনমগা, মরিংম্নেনগা থর কনবী ওইবগা, উশিন্না হাঙ্গ — হাঙ্গ — শর্ম্মিষ্ঠা হায়বী মীনাই মবা। নংগুম্বী রাক্ষসী নিঙোম্না ব্রাহ্মনী ঐগী ফিবু, ভরাই ভরাই হেক্কা শেংপদি অহুম হৌনব্রা? ইকাইদবী হিংচাবী। দেবযানীগী য়া অসি ভাবদা ইকাই খুংশি য়াম্নথুনা শর্ম্মিষ্ঠানা থুম্মকই, করি, — দেবযানী অডকপা অকাওবা হায়বহুদি নহাকমু অহুমডাই; অহুদা করিগী অহুক থীনা হায়বগে? নখাই নপা নচাদি হিংচাবী ঐগী ইপানা বঙ্কাল হুন্দুনা হিংমবনি, পিদবা ভুমিত্রা চানা হেজিবনি, মরম অচেনা ইপাদা চংঙ্গনা নথরাই হিলিবনি। মতৌ অসুম তৌহুনা চিন্দান পদানহুনা য়াম্ থংনরদগী অশাঙবনা হো ওক্নুনা খুংখননা য়ানখে ইনা, কাওনৈ, ফুনৈ, অমসু মশম কেঙইনৈ। মতম অচম শর্ম্মিষ্ঠানা খুদো চাবা হেনখিবনা; দেবযানীদো গুহাদা ইথখে। গুহা অদু ঈশিং দি য়ানদবা মরমদগা শিদি শিন্দ, কানদি ওমখিন্দ্রে। মমাগ্নমী লোইন-বাশংনা লোথংকে তৌবগ শ মহানা শেংবংহান্দ্র অমসুং পুমক মাংদা হন্নথু, দেবযানীদি অংম ঠৈহৌদ। লাইগী মো দম্না কনবনা মুমিং অচদা হস্তিনাগী "যযাতি" নিংথৌনা মনাই কয়াম্নক্ষগা শগয়া শাদানবা লাক্লই। বন অচদা চংলকপদা নিংথৌনা ঈশিং থৌরাংগুনা থিংকপদা গুহাগী ভাহুনা লৈবা দেবযানীবু নিংথো মশামক্না থেনকরে যযাতি নিংথৌ ওক্নুনা য়েংখিবদা মশক মতো ফজগবী কন্যানা নাও চাদনা খুদোংশিবা গুহা মহুংদা তারিবা করিগীনো? চাইগাক থল্লুরগা হংলকই। হে থা মানবী ইবম্মা নহাক কনানো? করি মরমগী কোমদা লরিবা শেংনা চিংনবা লৈতনা ওঙোনদা হায়গু ঐ অসি চন্দ্র বংশগী যযাতি নিংথৌ হায়বহুনি। য়াংং অথু ভাবদা অরবা ভাবগী দেবযানী মিংল পিনা ঈরা চেল্লগ হিক্ হিক্না হায়বা য়াহৈনা থুম্মকত, মহারাজ ইদুদো ঐদি ইবাই শুক্রগী মচাগুপী দেবযানী কৌবীনা। থোঙ্গান-বীহুনা ঐবু কোমদগী অমুক্তা চিংথৎপিনম্। য়াবোন অওদি কোম্না হঙ্গচগে। নিংথৌনা হায়খি হে ইবম্মা নহাক্তি ব্রাহ্মণা মগুন লৈবা ওহরয়ে; পিতা ঠাকুরগী গু থল্লুবদা ইখুংনা নহাকপু শোকপা চিংনরে। দেবযানীনা হি — করিবানা মহারাজ, দোষ থিবীদহুনা শিবদা ভারবা মুপীমচা ওইবী ঐগী থরাই কনবানম্? উপায় লৈরবী অমসু মুপামচা অমা ওইবগা প্রেম থল্লুবদা লংথোক্নুনা চংপা ওমখিব্রে। থুদক অহুদা যযাতি নিংথৌনা, পুকথুনা পামগা —য়ানা লামথংচরবী ফজনা থোংলবী কন্যাগী খুঙ্গং য়েংতা পাইহুনা, চিংথংপিহনা মীংক্ত থাঙ্গৎপিরে। অদুগা লৈহৌরো ঐ চংলগে হায়রমলগা যযাতিনা মুমিং অদুগী থবক থোদোক লোনদুনা, মমাইশিংগা মাগী কোম্নুং ভাগা হনখরে। যযাতি চংখ্রবা তুংদগু, মমুদা চত্তনা মুভাই থিদবদগী ফমদুনা চিন্তা তৌদুনা লৈরে; মতমদি হৌখিদুনা মুখিৎতাগদৌরে। মতম অদুদা দেবযানীবু দুনা শিংবী "থুর্ণিকা" কৌবী মতানা (থুর্ণিকায় কৌনৈ) য়েংলুগে হায়না লাকপদা উনংরে।

দেবযানীনা তত্তা ইংবমা চারথোইবী। রা অন্ত ওানদুনা কায়দে, ইপাদা ঐগী রাবু হায়বিরু, মচাদি লম অসিদা লৈবরোত। শর্মিষ্ঠাগী মমাংদা হিংহনা লৈগদবগী শরুকপুদি' উনরোইদোবা অগাদা চৎখ্রগে? সখীনা হায় শাওবিগনু ইংবম্বা ঐ চংচরুগে হায়দ্মগা, চংতুনা দেবযানীগী রাবম পুম্ব ক ইশাই গুরুদা তম্লুরে। লুনা থমজবী মচানুপীগী বা তাবদা, মশাংখবগা লোহননা "শুক্রাচার্য্য'না চেল্লতুনা দেবযানীগী মন তুংা য়োররে" অমসুং মপা বুদা মীনা লাকচর্থীবগী কপতুনা পাওদমংখ। মসম করিগীনো হায়না শুক্রাচার্য্যনা হংলকই, নংনা হায়নিংবা রাজা পুম্নমক ইপাদা হায়রু, নজী অপাম্বচ ঐনা শোয়দন' লাংবীগনী, করিগী মুমিং তারমদাই ওইববা ফাওব। যুমদা চঙওরুনা নতোমত্তা কপ্পুনা লৈবিবনে? তাবিয়ু পাবু—হিংচাবগী মচাম্নুপী—হিংচাবী শর্মিষ্ঠানা ঐগী খাংজেৎ লোৎলা শেৎলি? অওইবমক্তি ময়ামগী কি থম্মি জলক্রীডা শান্নবদনি। অতদা ঐনা রাইহৈ থর হাবকবগীদমক, মাহাক্না হাইরকই ঐংথার ইপা-রুচাবু মহাক্নী মপানা থাকপনি, অমসুং মপাদা হাজবদগী শাগৈমচিংব তিংলিবনি হাই। অহনসু মৎতনা কাবা ওমদবা কোমদা ঐবু ইম্বমলবনি, লাইগী নোংদমদগী মীনা লৌথৎপিরমতনা শিগদবদগী ঐ হিংলবনি। মরম অদুনা শাওংনংবনা নৎত নংতবা রাথল রারা থরে। মচাগী বা তাবদা ইশাই গুরুনা শাওকম্র ইবেম্মা, মানা তৌবনা ফংতবা ওইরংদি মহৈ অদু শোয়দনা মানা ফংগন। অদুগা অশাওবা হায়বা অসিদি পাপনি, অমা বত্র অশাওবদগীনি। চহি চাম তপ তৌদুনা ফংবা পুণ্যগা, তপ তৌদনা ওকশাও শাওবিদনা চেল্লকপা পুণ্যগা অনি অদু য়েংনবদা শাওদবা তুপা তুপীদুগী পুণ্যনা য়েমবরি। মরম অদিনা ইপানা হায়বা ইদু, মানা তৌবনা মাগী শরুক ওইসনু; দেবযানী মচা তুপীনা হায়রি পাবু—অহম ওইতুনসু; শর্মিষ্ঠানা ঐংওান্দা ওাংথিবা রাংহেশিং অদু হেক নিং-শিংলুবদা লিনগী হুগুরা হকচাংদা কাংরে। শিং অকংবা অনি তররগা মৈ হোৎনা চাকপতুম চাকশিন্নরে, দেবযানী ঐহাকসে হিওওহনা কাযদ। মচাবু হিংজখা হাযববদা শর্মিষ্ঠাবু হায়জ হনবীর? গুরুনা মচাবু থেমদা য়াত্রবা, অমসুং য়ায়া মথবাই শোক গুহাইতবা উবদা, লৈবা য়াপিত্রহনা শর্মিষ্ঠাগী মপা হিংাবা "বৃষপর্ব্ব"গী মনাক্তা চৎখ্র, য়াবদা দৈত্যয় জনা থুরুমই আসম থাহনা কমহল্লি। ইরাইনা হায়খি, হে নিংথৌ, নংনা তক্তি কংপা ওসিদগী তোক্লো, ঐসু লম অসি থাদোক্কুনা চৎখ্রগে। করি বানো গুরুদেব নমাইনা লানবা করি লৈরবগে? অসি তাবদা মচাম্নুপী শর্মিষ্ঠানা দেবযানীবু কোমদা ইতরগী রা তমখি। অদুগী মথংদা হায়খি, হে হিংচাবগী নিংথৌ, জীবহিংসাতৌবা নথোইগী নমাক্তা, অহম লৈওমদি ঐথোমনু পাপ অসুম অসুম চেল্লগনি। সাধুশিংদি পাপীগা তিন্নবা থাদোকই॥ মরম অসিনা মকম অসিদা ঐনা লৈরুম থোক্লে; ইথর ইগা মানরবী ইচাম্নুপীবু, হাৎকে তৌরবসিনা অতোপ্পা মকম অমদা চৎখিবনা করে। হৌজিক ইচানা লৈমী মাত্রংনিমা ঐসু লৈরবোই, থংজবোরো তাকপীরমগে ল্যুরপুম্নী, ঐ চৎলে। ইরাই তকগী রা অসি তাবদা, তকগী মথো কোম্মুনা মুমশর্মাম্বা চারকরি; জৌবিগম গুরু দেবনা তাবেন থোদাকিবদগী, ঐমা হিংতাবগী লি লৌ ওইবমদি। ঐবু [illegible] শাগৈ

নাতেগা লোয়মনা ঐহাক্তি সমুদ্রদা চোংথদুনা শিরগে। ইরাইদা হায় — শিগে শিজৌ হিংগে হিংজৌ করিম্নু পাম্মুদরে, ইচাম্না য়াম্বা লমদদি ঐম্নু য়াদরে। মথম অসিন, নংনা হায়জগে হায়রবদি ইচা মুপী দেবযানিদা হায়জক? ইচানা মথন্নাই দুত্তাইত্রিবহ কোহরবদি, ঐম্নু শাওবা কগদি। করে অহু ওইরবদি হায়দুনা গুরুগী মনা কগী বিনায় সৌদুনা, বৃষপর্ব্বা মশামক্তা লাকুম্না দেবযানীদা হায়জরে। হে ইবেম্মা গুরুগী মচানুপী হে-ব্রাহ্মণী। ইচানা লান্বা ভাক্তনি অমমুং ঐম্না কাইবা ভাকনি শাগ্রবীগনু। হায়দুনা নোল্লকপগা লোয়মনা লৈসি লৈথান্দুনা দেবযানিদা হায়জকরে। বৃষপর্ব্বনি থোগী নোংজ্বা ভক্তি, কপ্পুন হায়জরকটবদু উবদা। দেবযানীনা খুমই— অহু ওইরবদি, মচানুপী শর্ম্মিষ্ঠাদা মীনাই মুপী ১০০ গা লোইননা ঐগী মীনাই ওইহল্লু। য়াসি তাবদা খুদক অহুমক্তা বৃষপর্ব্বনা মনাই পাত্তুনা শর্ম্মিষ্ঠা কৌহল্লরে, অমমুং হায়রকই — নহাক্না গুরুগী মচা্বু কোমদা ইম্বুনা লংক্লবগী দোষনা গুরুনা ঐথোযবু থাদাক্রমদুনা চংথিদোরে? চংথিদনবগীদমক্তি ইচা নহাক্না নম্যা লোইনবা ১০০ গ নহাক্ত পুন্না দেবযানীগী মীনাই ওসিদগী ওইরো। মপাগী য়া অসি তাব দা নাইত্তক্তদা চিন্ত তৌবরগা (মপানা হায়বা ইনবা অমা ওইবদগী) ফজর অহু মত্তাইরে ইপাগীবু কগ ন হায়রবদি। ওসিনগী মীনাই ওইরগ, হায়রগা দেবযানীদা হায়খি হে-ইবেম্মা গুরুনন্দিনী ওসিমথৈ ইনাইশি ১০০ গা লৈগা ননাই ওইজগে হায়খি। মতম অদুদ দেবযানীনা মথন্নাই দুক্তাই থংবগু কোকথাকপা ওইনা হায়রক্ল কবি থোক্রে শর্ম্মিষ্ঠা মংনা ঐমৌন্দা হায়খিবদুগা লম্থাক্তা চেল্লরে। মহাক্তি ইপানা নপাদা হায়জবদগী ঐথোক লৈরবদি, অমমুং থাকপানগী চি লৈবদি হায়বদাই, ঠাকুরানীগী মতৌবু উংঙিবদাই হৌক্তিক মীনাই ওইবা মতিক চান্না? মুন্না অমুক্তা থম্মু। নিংথোগী মচা মুপী মপাগী য়াথং মতুং ই ুনা * ব্রাহ্মণ ব শগী; মঙ্গাল ওইনবাগাদা লোপথবা পুক্চল চাওবা শর্ম্মিষ্ঠানা খুমই। হায়রিবা য়াসি ঐ শাওজবনাই, মরমদি। — "ইপাগী ফননবা অমমুং শা গগী ফননবা" ঐ অমথক্ত মাংখি বনা চিনক্লদে। তৌইগুম্মুং মানাইমক ওইরবা নিংথোগী মচা মুপী হায়বা অমদি কোকলরাইদো বনি, খাইনা নিংথৌগী মচা মুপী হায়রিবদু ইরেম্মা নিংনাইনি, মঅসি মীনাইমি ঐ করিম্নু চিংনবা লৈতনা ওসিনথ মীনাই ওইনবনি হায় য়াখি। মতৌ অসুম তৌনা নিংথোগা মচানুপী শর্ম্মিষ্ঠান, ইরাজ গুরুগী মচানুপী দেবযানদ মীনাই ওইখিবনি। মহাভারতকী য়ায়ী অমদি অমৃত গী ইচেল্লি। শ্রীব াস দেবনা য়ানা তপ তৌহন লেখবা সংগ্রনি॥ মাসিবু মাওইবনা পুক্তিং চনা তাজবদা লানচমহব মায়াগী নমদ্যু লাইন লাহাক্তুনা খিবনা নগে থারব, মতমন দেব নেহে— কংলগা লেপ্ন। শ্রীহবিগী ধ মন্দভী হায়বমি। বেদ বাক।নি বেদ বাক।দি ঈশ্বরগী য়াথংনা। ইতি।

আদি পর্ব্বগী মনুদগী অন্যায় মত খনদ সাহিত সেগা পামজবদগী ঈমালোন্দ ইজবা শ্রী৺বিরচন্দ্র শর্ম্মাবু মুংশিবিতুনা তরানব কয়া বৈষ্ণব সমজনা ডাকপীগনি। হরিবোল হরিবোল॥ অধ্যায় অশিদা ৺শ্রীবিরচন্দ্র শর্ম্মানা ইরখা য়াবী মতাং লোইরে। সম্পাদন শ্রীহরিদাস সিংহ ইতি॥

---

* ব্যাধ। শাগে অমামাঙদবা লৈবদি মী অমামাংহল্লগা শাগৈত্থ কনগনী, খুঙ অমা মাংগদবা লৈরবদী শাগে অমামাংহল্লগা খুনগং অহু কনগনী, লৈপাক অমা মাংগদবা লৈরবদি খুমগং অমা মাংহল্লগা লৈপাক অহু কনগনী হায়বা মিতী ডাকখীবী শর্ম্মিষ্ঠানী।

অধ্যায়

যযাতি অমসুং দেবযাণী বিবাহ তৌথিবগী ৱারী মতাং

অধ্যায় অসিদগী শ্রীশামূলাইলাংপম কাহ্নাই শর্ম্মা ৱারী শিখা পণ্ডিতনা ঃখিৱগা শরুক য়োৱরে ।

মোংমদি দেবযানীনা "চৈত্ররথ বনদা মনাই নুপী শর্মিষ্ঠানচিংবী শিশিং অমগা লোইননা মখোই মশেল তগোইশা, ইশৈ শক অমসুং পুং য়ৈহনা নুঙাইনা শাররিঙৈদা চহিনাগী লিংথো "যাযাতি" মগমা অমুক লাকপদা থেংনরে। নিংথৌনা মতাই থংবী কন্যা অমদা মরাইদা লৈবী কন্যা অসি কনানো হংখি, ইরাই গুরুগী মচানুপী দেবযাণীনি হায়না তাকখী। দেবযাণীনসু নিংথৌনা তৌবগী মিংকম হোংবা য়াখিদে, খুদক অহমক্তদা মনাই শখি অমা থারকতুনা চায়রহনা নিংথৌবু কৌশিনাখ; মখোই অনিনা অমগা অমগা পরিচয়বু হংনখি। মমাংঙৈদা গুহাদা তাবদগী লৌথংশিনবা ৱারক্ত্ দেবযানীনা নিংশিংথোক্ত, হে মহারাজ গুহাদগী লৌথংশিনবদা নুপী ওইবী ঐগী খুজেং পাইখিবা মতমদা ইশানা বরিখরে। অতোপ্পা ইপুরোইবা অমত্তা আশা তৌদ, মহারাজনা নমাই ঐগী (স্বামী) ইপুরোইবনি তাইঅমসুং নুপী ওইবী ঐথোই-গীদি ইখুঃ খুজেং পাইথরবদি পাইখিবা নুপা অদু ইপুরোইবা শরুথরে হায়বা বেদগী ৱাবু গুরুজন-শিংনা তাকপিখি, মরম অদুনা ইপুরোইবনি ঐদি সতি ধর্ম্ম পামজবীনি, মরম অসিন ঐবু ৱাণী হাজীয়ু, মহারাজগী চাইথদ্রন' নৈজরবানি সেবা ফ হনবারো হায়থী। যযাতিনা হাইদি ইবন্মা নহাক্তি ব্রাহ্মণ নিংডালনি, অহং পুন্নমকী অথোইবা ব্রাহ্মণনুবীবু চন্দ্রবংশদা পোকপা ঐ তা সেবা তৌবদা ঐনা চিংনৈ, অমসুং পুন্নমক্তা কিনারবা ইরাইগুরুগী মগুণবু ঐনা কি। অসিগুম্বা ৱাঙাং অসি তাবদ', দেবযানীনা মনাই শখি থাহনা ৱারম পুন্নমক থংহনখি। গুমনা মচানুপী অমসুং নিংথৌ অনিমক মনাক্তা কৌরগনা হায়খি, মহারাজ ঐগী ইচানা নিংবা থুংহনবদা খোইদোকনা অকায়বা নৈরনাগ, মরমদি খুজেং পাইথনবা (পানি গ্রহন) তৌবনা দোষ দোখি থিরবোই, ভসিমক কনা দান কৎলগে, চিংনবা তৌগনু হায়থরে। ইরাইগী ৱাথংবু নিংথৌনা ৱাখি, মুখং অহমক্তদা গন্ধর্ব বিবহ তৌহনা দেবযাণীবু যযাতিদা দান্ কৎখরে। গন্ধর্ব বিবাহ কৌবদি মশা মশানা হান্না ৱানরগা কেন্না হায়নবা অমসুং নুপীনা অহানবদা, ইপুরোইবা ওইরগে হায়বা হৌথিবা, অদুদা কৎপা কন্যা দানবু কৌই। মতম অদুদা ইরাই গুরুনা মচাগী মনাই পুন্নমকসু ঊনখি, অদুগা নিংথৌদা চেকশিন্না হায়খি হে-মহারাজ মনাই পুন্নমকী শূচিংবী শর্মিষ্ঠাদা করিগুম্বা প্রেমগী মিংনেং তাকগনু মহাক্তি ৱিচারবগী মচানুপীনি; অমসুং মীনাই নুবীনি। অসিনচিংবা ৱারম করামরুমগা লোইনবা, মচানুপীবু নিংথৌদা শুংকা শুংকা শিন্নখি। নিংথৌ অমসুং দেবযানীদা

ওঅদু থুরুমহনা বিদাই লৌরগা, শর্ম্মিষ্ঠামচিংবী মনাই পুম্নমক পুহনা কোনুংদা হনখি, লোরগা প্রজানা যাহনা দেবযানীবু হস্তিনাগী মহারানী হাপখ্রে। শর্ম্মিষ্ঠামচিংবী মনাইশিংগীদ্র লৈকম তোপনা লৈহনখী মতৌ অমুম্না থুডাইনা পানখি। মতম থরা লৈরগা দেবযানীগী গর্ভদগী, মতম চানা মখং মনাও নাইনা মগা থুপা অনি পোকখি। অহনগী মমিংনা যদু, মনাওগী মমিংনা তুর্ব্বসু হায়না কৌই, মশক মতৌ কৌবা রাজকুমার ওইবগী মডিক চাই মগুণ লৈ। মরক অসিদা, রারী অমা শেলরি মতদি অসিনি — নোংমা শর্ম্মিষ্ঠানা মহাক্কী ঋতু স্নান লৌমিং থোকপদা মহাক্না মপুক্কিং লুংশিখি, ঐ অসিবু লাইবকখিদা! মপোক অসিমগী মানাই ওইবদগী হেল্লোইদোরবোই হায়না চিন্তা তৌহনা লৈরিভৈদা যযাতি নিংংথৌনা হকচিক লা'বা লেংথোরক্‌না মনাই মশল কনাগুম্বা মাও-দবা মতম ওইথমা, শর্ম্মিষ্ঠানা চংশিল্লগা মহাক্কী চিন্তাগী রারীবু হজ্রংচখি। মহাক্কী থুডাইভবা থম্মোই উরহনা লুমিং অদেগী অরোমবা অথুপ্পা মনাই ওয়খিহনা ধর্ম্ম য়েংহনা শর্ম্মিষ্ঠাগী ঋতু পালন তৌখিরম্মা। শর্ম্মিষ্ঠা নিংথৌগী থোঙাল্লগী গর্ভ ওইখরে। রাফম অসিদা ইবাই ওকনা নজাগ লুহো বা মচাগুপী দান কংপদা হায়রিবা রাবু হিকতোকপা থোকই, মহুবু নিংথৌনা কাউবা নত্তে, মরমদি মভোন্দা মীনা শরনাগত তৌররবাদা মী অহুগী অপাম্বা থুংহনগে হায়বা রাশক অমা লৈখিবনা মশাগী রাশক ডাকুনা শর্ম্মিষ্ঠাগী নিংবা থুংহনখিবনি। শর্ম্মিষ্ঠা দাসীনীহ্ কোহুঙ্গি মপাল লৈগী বন্দা লৈজবীনি, নোংমা নোংমগী হোৎথিহনা থা তরা গুথরে। শর্ম্মিষ্ঠাহ মতম ওরগা মচা থুপা অমা ফংজ্রে। অদু তাবদা মহৌশানা মনাই ওইরকপাম্না মচা ফংবদা তাবদা গর্ভগী কান্দস্র চিংননা লৈরকপী দেবযাণীনা পোৎয়েং লাকপগুম্না লেংলক্‌না শর্ম্মিষ্ঠাদা হংখি দুত্তাইরেদা হত্তা ইবেম্মা হন্দক মচা ফংবসিবু কযুম মচা ওরববনো? শর্ম্মিষ্ঠানা থুমখি ঐনা চুমিং মঙানি সেবা য়াম্মদবদগী মারকপা (ঋতু স্নান) লুমিংতা সিদ্ধ পুরুষ ওহনা লৌবা ঋষি অমা লাকই. অহুদা ননাইনা ইচা ফংজগে হায়না বর নিজহৌই. অহুদগী ক বা ইচানি। রাণীনা কহে ইবেম্মা অহ ওইরবদি ঋষি অহু মমিংনা কবি কো'বগে? শর্ম্মিষ্ঠানা ইবেম্মা হুস্‌ননাইদি তোঙ্গবীনা ঋষিগী গুণা চাওবনা কিজত্তনা অকুপ্পা মখাল হংহৌদ্রে মরম অহনা ঐ থংদ্দহৌদ। অদু তাবদা দেবযাণীনা হায়খি— নরাইবক হৈদা ইবেম্মা নচানা নচা ফজবনে ঋষিগী বরনা ওইরমানে হায়রম্মগা হন্নক্কুনা রাণী কোনুংদা চংখি যযাতিগী থোজাম্না মতাং চাম্না চহি মথম চান, চানা খন্ন-খন্নদুনা শর্ম্মিষ্ঠাগী মচাম্নুপা ডাক্না অহুম ফংখি, মথং মথং ওইনা মমিংদি দ্রুহ্য, অনু, পুরু কৌই। মহা-ভারতকী রারী অসিদি অমৃতগী মশাক্কি; জীব খিবিকী লামনবা শ্রীব্যাসদেবনা লেংথরবম্মি, অমৃত ঈচেল ওইরব। মহাভারতকী রারীবু পুক্কিং চংনা তাজবদগী, জন্মেজয় নিংথৌ ব্রাহ্মণ হাৎপগী পাপ কোকতুনা অরোইবা মতমদা হরি ধাম ফডথী। হরি হরি হরি। ইতি।

— ——

অধ্যায় ঃ—

শুক্রাচার্য্যনা যযাতিদা শাপ তোবা, অহল ওইবা লাইথুং ফংবগী

বাবী মতাং

শৌনকনচিংবা মুনি ময়ামদা হংখী, যযাতিনা শুক্রাচার্য্যগী শাপ ফংখীবা লিয়্ সৌতি, সৌতিনা হায়রক্লে জন্মেজয় নিংথৌনা বারী পীরিবা মুনিদা হংখি। যযাতিনা ব্রাহ্মণগী নচল দেবযানীবু মচা ফংঙবা। মতুংদা করম তৌখিবগে? মুনিনা হায়খি, মতুংগা বারী অহ ভাংবা হস্তিনা কোনুংদা লুমিং কয়ানিমুক লৈরবা মতুংদা যযাতি নিংথৌনা দেবযানীগা লোয়নদুনা "অশোক" কৌবা বন্দা শাম্নখি। বন অদুগী ফজবা মতৌদি করি অমুক, হায়রগনি, নিংথি নিংথিবগী হৌবগী অমম্ব' লৈপালগী স্থাংনা মমিং নাইদনা হৌবা অহুন। পানখ্রিবা শাংলক, মচল, মশিক চাবা মও মতৌ ফজরবা অমমুং মখোয়গী মুংশিরবা উচেকগী খোংনা কয়ামফম লৈরিব মতৌ অহ উবদা অনোবা পুক্রিং ওনহল্লবা অহুণুম্বা বন্দা মনমকনা হুডাইমিয়খি। অমুম বনগী মথুংদা ফজবা হৈখাং লৈ-খোংদা পোখাহনা নিংথৌ মহারানী অনিনা লৈবসা লুমিং কয়ানিমুক শামবদা লাইদি দৈত্য রাজা "বৃষপর্ব্বা"গী মচানুপী শর্ম্মিষ্ঠাদো, মচা নুপী অসুম্গা পোয়রক্লুনা নিংথৌ মহারানা অনিগী "বন বিহার" ওইবা শাম্নবদু থেংথিরমই। শর্ম্মিষ্ঠাগী মচা দ্রুহ্যু, অনু, পুরু অসুম থরুম্ব শাম্নরম্ব-দগী মপাবুং যযাতিগী মনাক্তা চংশিল্লগা খুকথী। নিংথৌগী মচা অসেংবা ওইবনা, মশক মতৌ ফজবা গুণ লৈবা অদোম অমমনি, শর্ম্মিষ্ঠানা পোয়রা পোকখিবা যযাতিগী মচা ওইনেবনি। অদুগুম্ব অরোনবা মচা লৈ হায়বা অসি, দেবযানীনা খংনরম্ব হায়রোকপ য়াদহুনা লৈবননি। অদোং অসুম অদুনা অকি অথ লৈতনা নিংথৌগা মাংওইনবা লেপলবদা দেবযানীনা হঙ্গংলি, মহারাজ অদোং অসুম অসি কনাগী মচানো। বা অসি তাবদা অংক মুংশিবা মচাবু ঐগী মচানি, হায়খিরে, অমসুং বাবু শুকতাং তাথিরে। নিংথৌগী মতৌ উবদা দেবযানী, তাশিনবা মপুংগা নিংথৌগা মচানি হায়বা থাখ্রে। মতম অদুদা দেবযানীনা অদোংশিদ নখোয়বু কনাগী মচানো হংখি। অদোংনা খুমই, ঐখোয়দি ইমানা শর্ম্মিষ্ঠা কোই, ইপানা অহুদা কমদবা নিংথৌ অহনি, ঐখোইগী ইমংনা দ্রুহ্যু, অনু, পুরু, কোই হায়রগা নিংথৌগী মনাক্তা থরা অমুক নকশিল্লকই অমসুং খুং লোয়রুনা অহুম্বুক লৈখরে। অহু কাওবদা দেবযানীনা তৌরকদবা থল্লহনা অদোংশিং অহুদা কোবীদে। দেবযানীনা মতাং চারে হায়রুনা লাপলপনা লৈবা শর্ম্মিষ্ঠাবু কৌশিল্লগা রায়া থিনা চৈরক্লে। হাই—শর্ম্মিষ্ঠা হায়বী হিংচাবী, মীনাই নুপী, নংনা ঐনা হ্ববদা ঋষিগী বরদগী ফংবা নচানি, ঋষিগী মচানি হায়খিবদাই হৌজিক্কি করিগী নিংথৌগী মচা ওইরম্লে, হুরানবী ওসিদি ফারেদো। দেবযানীগী অশাওবা বাংওাং অহু তাবদা! শর্ম্মিষ্ঠানা খুং লোয়রগা নোংকপগা

লোয়ননা হল্লংচৈ। শাওবীগম্ব মহারাণী ইবেমা। ননাই ঐদি থোইদোক্লা ধর্ম্ম কায়দে থক্লে, ইবেম্মাবু লুহোংবা মতমদা ঐবুস্ত অউম শাই ওইহল্লনা পিরক্লবনি। অহনা ঐ অসি মনাই অশেংবনি অহনদি নিংথৌগীস্ত থাদোকপা য়াদ্রবা মনাই অমনি হায়বদা থোইদোক্লা লাল্লোই হায়না নিংজে ইচাশং অসিস্ত মহারাজগী মচা ঈ তাশংবনি। হে-ঈবেম্ম।॥ ঐনা হায়জগদবাদ অশাওবা পুন্নমক থাদোকপিহনা নচাশিংব লোশিনবীয়ু। ঐবুস্ত ধর্ম্ম কায়দবানি হায়না খল্লবীহ্। ঐনা ঋষি হায়জবগী অবানবা য়া নত্তে ধর্ম্ম লৈবা লাইনিংকনবা নিংথোবু য়াগু ঋষি হায়নরি। শর্ম্মিষ্ঠাগী য়া অসি তাবদা দেবযানীদা, শাওবদা পাদম অমা লৈথরে, অমম্লুং হায়রকই। করেদা শর্ম্মিষ্ঠা নংদি হৈকেদা; নরোশিং শিংজেদা ঐগী সেবক ওইরগা ফজনা ইফম (মপুগী কম) য়ুল্লদনা। ঐনা ইচা অনিদমক ফওঙি নংনা মচা অহুম পোক্র, ঐদোদগী নংনা লাইবক ফবী ওইরে, অসি হায়রমলগা হযাওদা ওনশিনুনা দেবযানীনা হায়খি, মহারাজবু ননাইনা হল্লংপা য়াই থমদি য়াম্মৌবিগম, পাপকী লমচৎ চৎপা যে-নিংথৌ। অয়ানবগী ওরানি মপুগী নোংম হায়বহ্ নাওরোল অহুম কাওবা হুরায় ওসি কারদে।। অমুকা বুদ্ধি য়ুম্না তৌবিয়, ইপা ইবুংঙো শুক্রাচার্য্যনা ঐবু লুচোং-বীহন পাবা মতমদা। শর্ম্মিষ্ঠাদি য়ীনাইনি ভার্য্যাগী মিংয়েং তাগনি হায়খিবা, গুরু বাক্য হিক-ত্তোকপা ঐ মক্লা লৈজবা ওমনরোই, হায়রনা মথোং তিংথোকহুনা লেংথা নাওইহুনা কপ্পামথে কপ্লগা। চোংংহুনা কপ্পা কপ্পা মপাল্লোমদা চংখ্রে। নি থোনা তাম্নহুনা থামহুনা কয়াম্রুম হায়বদা চংথিগ্র য়াম্র, অস্নুম ইরকপদা শুক্রাচার্য্যগী মনাক্লা য়োমিনখ্রে, অনিমক্লা শুক্রদা খুকমখি। যযাতি অমপ্লুং দেবযানী অনিনা, থমোই য়াম্না হুংওাইতবহ উবদা শুক্রাচার্য্যনা লাক্লিবহ্গী মরম হংবদা দেবযানীনা থোদোক অপুগী য়ারম পুন্নমক তমলুবে। শুক্রনা য়াম পুন্নমক তারবদা অশাও-বগা লোইননা, যযাতিদা চৈরক্লে। হে নি থৌ ইচা শিনবা মতমদ ঐনা করি হায়খিবগে? শর্ম্মিষ্ঠাদা ভার্য্যানি থল্লক্ত মাদি মানাইমি হায়নগা ঐগী য়া ইন্দবদি ওসিদগী চোংনা নশা অহু মশক নত্তা ফজ্রবা মাংলো য়াং হম্নরবা তাইবংপান্দা পানবদা য়ারবা শকক্‌ম অহু ওইহনা হম্ববা হায়বা লাইথুং অচ থুংলো হায়না শাপ তেংখ্র। শুক্রগী অয়াকপা থোঞ্জেলগা লোইনবা শোইনত্রবা শাপ অহু ফংবদা কিবনা নিকথরে, অমম্লুং হায়রকই। হে গুরুদেব। ননাইনা ধর্ম্ম কায়বা নত্ত্র, শর্ম্মিষ্ঠানা ঋতু রক্ষাগী দান নিবনি, দান পিরুবনি কামগী ভাবনা পিবা নত্তে ধর্ম্ম ভাকনবাদমক পিবনি, মীনা নিদকপদা দান সোইদনা পানি হায়বা। ঐগী য়াশক লৈবদগী ক্ষেত্রিগী য়াশক ভাকপনি। স্বশম্পায়ন্না জন্মেজয়না হায়খি, তাবায়ু মহারাজ ব্রাহ্মণগী বাক্য হায়বসি কয়াদা কনখরবনা? যযাতি অহু নহা ওহরম্বা শকক্‌ম অহু মাংখিহনা অহল ওইশিনখরে। পোক হৌরে মউন থইরে ময়া তেকখরে, মমিং কুংলল, চাইকং তারে, মথ্যা কোল্লে, মমিংতা মিকশা কারে। মৈ শোল্লে; নিংথম চল্লে। মশায়ু মশানা য়েংজবদা মংগামদ হঙ্গোহরে, থল্ল থল্লবগা নহাগী শক্লো পামুইদা হায়হনা কপ্লক্লে। শুক্রদা য়েংলগা কপ্পা কপ্পা হায়রকই, হে গুরু অথোইবা!

মাংথোকদনবা ঐদি মীনা তাদা-খুড়া কৌরবোই, ইপু শোয়দনা হায়রনি, মচাদি নহা ওইরি, ঐদি অহল ওইশিন্‌খ্রে, মা সম্‌ কররা য়েংগদৌরিবনো। অশিগী শরুক্তি শিখিবনা ক্ষবা জাংনি। ক্ষরুৎত্রবন্ত্র নক্ষাকন্নি, শাপ কোব্রবা পিবির। নিংথৌগী ধর্ম্ম ভাকপদগী খোকখিবা দবা অহ দেবযানী-না শাওমনবদগীত; ওইথিবনী অমসুং মতৌ অহ য়েবা ওমগকতনা গুক্রনা থৌগ্রানবীছনা হায়রকই, হে নিংথৌ হায়নবা য়াবা নচাদ লাইথুং শিন্নবা য়ারে। চহি লিশি (১০০) অমা নহা ওইছনা পাল্লগা অসুকসু হন্দো নবা য়াও লাইথুং শিন্নবা য়াবা নচাহ নিংথৌ হাক্কিরম্মু। নিংথৌদো হবাওবদা ভমথৈ লৈত্রছনা শুক্রনা ধুকমলয়গা বিদায় লৌছনা নহা ওইবিবী দেবযানীগা হনরবা যযাতিগা হস্তিনা কোন্থংদা হনখ্রে। অসিগুম্বা যযাতিগী বারী অসি তাব্রবদা অমৃতগী মপকনি, সহিত্য লেবা পামজবদগী ইমা লান্দা ইক্রবা শ্রী৺কাহ্নাই শর্মাগী অরানবা কয়া ভাকপি-গনি। ইতি। হরিবোল হরিবোল হরিবোল।

অধ্যায়:—

যযাতিগী লাইথুং পুরুদা শিন্নবগী—

বারী মচাং ॥

যযাতিনা কোন্থংদা হস্তিনগা সিংহাসনদা কমছনা মচাশিংবু কৌশিন্দুনা থৌ দাক অহ পুমমক তাহল্লে। অহানবদা দেবযানীগী মচা অহল 'যদু' দা নহা অহল ওয়নি, ইপা; চহি লিশিং অমতংদি নহাগী শরুমন তাইবং চিন্নাক চাহল্ল; শুভাইহল্লু, হায়রুরে। মতম অহদা যদুনা য়াখিদে মতম অহক কুইবনি ভম্রোই, অহদা মপাবুংনা বহদা মগী ধাবনা মংভোনগী থোছনা নংথোদনি ওইরগনু হাইদোকখরে দেবযানীগী গর্ভদগী পোকপা মচা অনি যদু, তুর্ব্বসুনি, যদুনা য়াত্রবদা তুর্ব্বসুদা অমুক হায়রে, তুর্ব্বসুনা খুমহই, পাবুং হন্নবা পামদে, মহাক মীনা য়াবা থোনব্রা ? তুর্ব্বসুগী বা তাবদা শাওছম, যযাতিনা শাপ চৈরক্লে। নহাক্তি ম্লেচ্ছগী নিংথৌ ওইরুরো ম্লেচ্ছ হায়বা জাৎ অহ নমি শজ নচ, খাম্না পান্দবসু ওইরো। ম্লেচ্ছ হায়বদি চহৈ চাহৈনবা তৌহ-তৌহৈদবা পাপ পূন্য খংদবা নাস্তিক ওইবা শাবগী মনা চাবা, থেবা লৈননবা, বা ভাবদ ভগ দও বিরুদ্ধ অপনবা ওইবা, অমাং অপেং থাইদবা ল চং লৈভবনু মহ * কৌবনি। যযাতিগী মচা যদু তুর্ব্বসু অনিমকতো, মপাগী বৃদ্ধমডহবু চহি লিশিং অমা লৌ, মখোইগী নহাগী শকক্ষমহু লৌবগা পানখিগে হায়বহদা, ইপাসো ভাওহমাম্নে খল্লী। দেবযানীনা পোকপা মচা অনিনা য়াত্রবদা,

---

মূল — গোব্রাহ্মণ: খাদকো ম্লেচ্ছ বিরুদ্ধ বহু: ভাষতে। সর্বাচার বিহীনশ্চ ম্লেচ্ছ ইত্যভিধী য়তে।

শর্মিষ্ঠাদা পোকপা মচাদা হংবা হৌরক্লে। শুক্রদা মংগী মহা অহু ঐগী অহলগী অমাগা চহি লিশিং অমতং ওয়সি, ইচা লৈবদগী ইপাবু থগাইহল্লু, মতুংদা অমুক ঐনা নহা ওইরমলগা অহলগী শককম হন্দোরবা য়াগনি, ইবুংঙো, হায়রুরে। শুক্রনা হায়দে, যযাতিনা শাওই, মপানিংববু অমদি মপানা হায়বা ইনবদ্‌, মচা কোৎবনি, মখোইদি অহু খোকরে, মরম, অদুনা জাং থাইদোক্তবা জাং নাইদবা লৈবাক্তা নহাকথক্তগী হৌনা চারোল চুরাল কাওবা নিথৌ ওইদুনা লৈরুরো, পুন্সি চুপ্পা নিংবা থ্রংদনা রানা মতম লেনবা ওইরো হায়না শাপ তৌথোকখ্রে। অদুগী যযাতি নিংথৌ অগমচাগী মফমদা, অমুক হায়রগে থদুনা কৌশিন্নকই, "ইপাগী অডাসিচহি লিশিং অমা লৌ হায়বদা য়াদ্রে মত্তোনসু শাপ তৌগি। চুমগী য়ানদুনা ওয়সি, শিয়সি, হায়বা য়াত্রবদি ওসিংগী হৌদুনা ঐত্তোন্দা ওইরবা অরা মসি ওইরে অমসুং মংমা পোকপা নচা থাসু "পুন্সি-রগদু যৌবনগী কান্না হেক-হেক লিবা ওইরা, অদুনা অগদুসু মপাগী শাপ কংখ্রে, অদুবু মচাশিং য়াদ্রিবা মরিদু, মপানা ওৎরবনি থদুনা শাপ্পু কিখিদে। মচা অমতা নত্তনা মরিদা হায়বদা অমত্তসু য়াত্রবদা। অমুক হায়গদবা চিংনরে। কয়ামুক চিন্তা তৌরবগা ইচাগুপা অমথক লৈরিবা অসিদা হায়দুনা মেংগে, থম্নগা পুরুদা হায়কবে। পুরুনা পুন্সিং থম্মোই শেংনা য়ারদুনা য়ানা অহলগী অরাবু লৌশিন্নে, মপাদুংদা মাগী নহা পিখোক্লে। খাইগী অত্তোনবা পুরুনা মপা মমাগা গুণবু থংবনি, ইপা ইমাদি শংসারদা মৈচমদুনা থিবদা অমা লৈররোইদবনি। অতি লাইদগী হেনবনি, মচাগী মফমদদি মপা মমানা অখোইবনি মখোইনা য়াবিথুবা মহেদি গুমিংথুবা কোরক মহৈ (ফল) মাংত্রবনি। যযাতিনা নহা অমুক ওইদুনা হস্তিনাগী নিংথৌ, থুবমদা লুংডাইথদনা মপাগী নিংবা থুংহনবা পুরুদি, অহল ওইশিনখিবনা অরাবা থাংদুনা লেমখবে। যযাতিনা মতম অদুদা মথল মথা অয়াম্বা দান তর্পণচিংবা, মশিং লাকপা ওমদনা কয়া, কয়া তৌখি। স্তুঅতিথি ভিক্ষারী, ব্রাহ্মণবু নিংবা থুংহল্লি। অশোন অনা লাইরা লৈতনা পেনহাল্লি। মতম অসিদা মপাবু নহুমনা লাইবেন ওনখিবগী য়াবু যজ্ঞ সভাদগী হংচনা মহাবুংগী ব্রাহ্মণ থোওইদবগী দোষ কোকনমবগীদমক্ত যযাতিনা "অশ্বমেধ" যজ্ঞবু তৌখিরম্মি ভুমা দান তৌই। মহাক্না সর্গগা অগোই শাবী কয়াগা লোইননা কুবেরগী লপাক "নন্দন" বন্দা অমদি নৈকোপা, চৈত্র বথ বন্দা, অমসুং উত্তর মেরুদা অমদি চৌদা চৌংদানদা মুগাইবা পুম্নমক্না তিল্লবা লম থল্ল থল্লনা শান্নখি। মতৌ অদুনা মথল মথা কয়াগী শান্নবা, মুগাইবা, অন্সুং, ধর্ম, অর্থ, কাম, মোক্ষ, মরিবু জানদুনা মুগাইনা চহি লিশিং অমা চুপ্পা পরিসহ লেনখরে। পুরুনা মপাগী মহুৎ শিন্দুনা চহি লিশিং চুপ্পা অরাবা থাংদুনা লৈরি। চহি লিশিং অমা কান্নরবদা, মচা পুরুগী মতৌ অরাবা থাংবদু নেংদুনা লৈবা ওয়কত্রে। অমুক হন্না নহা অহল (জরা-যৌবন শিমরে, অমসুং হায়খি, ইপাগী ইবুংঙো ইপা পেল্লে, নংনা মিংবা থুমমক থুংজরা নংনা নিংথৌ ওইঙনা মিংচং অফবমা তিন্দুনা শাগৈ চাওথংপা ওইহৌরো। পাত্র মন্ত্রি কৌশিন্নরা, পুরু মচাবু রাজা অভিষেক তৌরগে যৌরাং

ভোরো হায়মা নিংথৌগী রাখং পিরে। নিংথৌ, মন্ত্রিনংবা অগুম অথৌ পুরমক তিল্লহনা থরবদা পোকমিল্লবদগী অহল অহদা নিংথৌ হাপদম থোকপনি, ভৌইগুমনুং মপানা হায়বা ইনবা মচাদা মপাগী খুৎম পিরগনি হায়বা কল্লামুকত্ত য়েংলে, অদুগ ওইনমক পুরুদা পিবা তারহনা নিংথৌ হাপথ্রে। নিংথৌ অমত্তুং তত্ক্রমা লেপখিবা রাকমদা প্রজাস্ন য়ানখি। যযাতিনা মচাল্লপা পুরুদা রাজনীতি তাকাপখি, অমত্তুং রাজ্যভোগ থাদাকথ্রে। দেবযানী বিদার তৌখ্র। বৈরাগ্য ওইদুনা তীর্থ থোংবান্দা, শ্রীহরিবু নিংত্থনা চাদ লকনা লৈখি। যদুগী পারনা যাদব বংশ হায়থকে, তুরবসুদা থারা পাল্লে লাইনিং কনখি, দ্রুহ্যগী ভোজ বংশ, অনুদগী ম্লেচ্ছ জাৎ শম্লাকখি। পুরুদি চহি লিশিং তরা হস্তিনাদা নিংথৌ ওইদুনা পানখি। অশিগুম্বা যযাতিগী রারৈ অসিবু তাবদা অমৃতগী মশক্তি। মত্তাং অসিবু মীতৈলোন্দা ইথোকচবা ৺শ্রীকান্হাই শর্ম্মা অরানবা কলাবু বৈষ্ণব সমাজনা ওাকপীগনী। ইতি। হরিবোল হরিবোল।

অধ্যায়

যযাতিনা সর্গদগী তারকপা অষ্টকচিংবা উনরগী সর্গ কাখিবা

রারী মত্তাং।

নৈমিষা বন্দা রারী তারিবা মুনিশিংনা রারী নীরিবা সৌতিদা হংখি। সৌতি রারী মথা নীমু যযাতি নিংথৌনা মচা ত্তুপা পুরুদা নিংথৌ পিরমগা মথংদা করি তৌখিবগে? রারী অদু সৌতি নং লিংথা। শৌনকাচিংবা মুনি মরামনা হংলকইবা রারীবু উগ্রশরবনা লিখি। সৌতিমা নীথিবা অদুমক বৈশম্পায়না জন্মেজয়গী মফমদা রারী লিখি, তাও জন্মেজয় নিংথৌ নবুংথৌ যযাতিনা পুরুদা নিংথৌ পিরমলবা তুংদা মুনিশিংগা লোইনদুনা বন্দা চহি 'লশিং অমা লাই নিংথি তপস্যা তৌখি। অদুগী মতুংদা অমুক চাবা থকপা থাদোকদুনা মুংশিং চিংশিন্দুনা (মুংশিং চাদুনা) মদুতনা শাজেন ওইনা হিংদুনা তপস্যা তৌখি, লাইনি খি, হকচাংদি শরুগা, উনশাপদা মডাইরে। অদুদা চহি লিশিং অনি লেরে। অদুগী মতুংদা চহি অমমা পঞ্চাগ্নি কোবা যোগীদা লৈখি, (পঞ্চাগ্নি= মাইকৈ মরিদা মৈ হৌবা, মথক্তা মু মংকী মৈশা মৈ মডা থাদুনা লাইনিংবা) লাইনিং কনবা যযাতি অদু হকচাং থাদাকতুনা মকত্রবা দোলাইথক্তা ইন্দ্রলক তান্না নোংগাপি। লাইনিংবগী পাঙনা পঞ্চ ভৌতিক দেহে থাদোক্তুনা, সিদ্ধ দেহে ওইখিবনি। তাইবং থাদোক্রমলগা আত্মানা মশক অমা ওইনা চৎথিবনা ইন্দ্রলক্তগী ব্রহ্মলক তান্ন কাখিদুনা, লক অদুদা চহি লক্ষ হরা লৈখি। অহানবদা ইন্দ্রলক্তা চহি লিশিং অমা লৈরমগা। কল্লা বুইনা ইন্দ্রলক্তগী অমসুং ব্রহ্মলক্তা লৈখিবনি ব্রহ্মলক্তগী

অমুক হনজগা, ইন্দ্রনহক্তা লাকুমা শোরারেনগী সভাদা য়াওরে। মতম অমদা ইন্দ্রদেবনা মহাংতৈগী রা থংবা-শংবা, যযাতিদা হংখি—যযাতি নিংথৌ নহাক্না মতম থুপা পুক্নগী লাইথেং (অরা) লোথোক্লগা নিংথৌকম পিখিরবদা করম কৌবা ধর্মনীতি অমসুং রাজনীতি তাকপিরবগে ? ইন্দ্রগী বাহংসি তারগা নিংথৌনা বাখল তৌহৌদনা, মংগী সত্যবাদি ওইবা অচুম্বা হায়রবা যযাতিনা খুমখি, দেবরাজ। ঐনা ইচা পুরুদা শাস্ত্রগী নিয়ম চুম্না রাজনীতি অমসুং ধর্মগী অচুম্বা য়েংহনবা পুক্না নিংথৌ কম হাপ্পীরি। অহনবা বিদায় তৌরগা, বৈরাগ্যদা খুদিং লেপ্লগা বানপ্রস্থ ওই-দুনা, চাক থক্তনা অকনবা লাইনিংনা লাইচিং লৈবাক্তা লাকপনি, ইন্দ্রনা হায়, মহাক্না মচাদা তাকপিরবা রাজনিতি ধর্মনিতি শুপাইন হায়মু? মহৌ ধর্ম থংনবা মহারাজগী মকমদা ইন্দ্র ঐনা তাজনিংই। ইন্দ্রগী বাগায় অসি তাবদ, যযাতি নিংথৌনা অমুক হায়রকই, তাবিয় দেবরাজ ইচাদা তাকপীরবা রাজনিতি ধর্মনিতি মথংমথংদুনা হায়রগে।

ঐনা পুরুদা তাকপিরবদি অসিনি :—

মীগী অরাবা উরগা এমং খোইদা রাগনি।
য়ারবা মীগী উপায়দি তৌবম থোকপনি।
পুকচেল চাওরবা মহাত্মাশিংদি অত্তমক তৌবিদি।
ফজবা য়াইহেন্দা মীপুম খুদিং পেনহল্।

অথুপ্পা য়াম্বু কনাগুমদা কপ্পিষ্টু হায়দোকপু।
চুমদবা রা ওাংকদে, ও মবা রা হায়কদে।
লোনম তৌদুনা মীব শরাবা খক পীকদে।
পাপকী থবক খাদোক্নি, পূন্যাবু য়ানা তামগনি।
লাইরবশিংদা লন পিদুনা মুত্তাইহনগনি।
মথোয়মা পেনখিবদি, ঐগী থমোইদু পেনবনি।
নিংথৌমা প্রজাবু ইচা য়োকপগুম য়োকনি।
জীববু হিংসা তৌকদে ঐসু জীবনি অমাদি।
ব্রাহ্মণবু লাইকদে, দান তৌফম থোকপনি।
পাইগে, চাই, মরূপ-মপাং থংমকরোই।
ফজবা নমচংনা, নিংথিবা য়াইহেন্না পিজিমগনি।
হুরানবা, মীহাৎপা, দাহু, লৈহনলোইদবনি।
কনা লৈজবা, অহল, অশোয়বা য়োকনি।
অহল লমন, লাইরকবু খেব্যহায় তৌগনি।
অতিথি তৌকা নীবা মীবু থীনা হায়করোই।

অচুবা থবক্তা, অশেংবা লমাদা লম্ভানগনি ।
ইপাপদা ইথৌবানা য়েক্লবা থুহুম চ নগনি ।
যজ্ঞ যাগ তৌদুনা লাইগী লমন শিংগনি ।
লাইশং কৈথা, 'হরি' সেবা তৌবা কাউগনু ।
একাদশী ব্রত তৌগনি, সাধুশিংগা তিন্নগনি ।
ধর্ম্ম বিচার তৌথনি, মরালগী দণ্ড পিগনি ।
ইচি খুদুম চল্লগনি, অচুবা চাংবা ওইগনি ।
শ্রাদ্ধ, পিণ্ড দানা পিতৃলোক পেনহনগনি ।
মীগী মথোই শোক্কপা রা থক চাংলোইদৌবনি ।
মীগী মাংখবা শিরকদে, নংগীদা য়াম্না মাংগনি ।
থথোই শোকপা রা চাংবা, মাংখবতা শিথবা লাং তিন্নকদে ।
জীবগী মকমদা খৌজাল কৈবা তখশিল্ল্ ।
মী থুদিং ফুংশিবা, প্রয়দক্তা মকপ ওইরল্ল্ ।
মহাকসে থাইগী ওইরল্ল্, থাইবুথ নহাক্তী ওইথোকউ ।
খজিকং শিরবদু অথোংপা রাহৈনা পেলহল্ল্ ।
কজবা অথোংপা রাহৈনা মীগী খুদম চল্লগনি ।
মীচং মীথাই লাইফদে, মাম্নবা মিংয়েং য়েংগনি ।
য়ারিবা মথৈ মীওোন্দা নিরোইদবনি ।
আথবা রা হায়কদে, মীনা ফুংশিগদবা রাতা চাংগনি ।
অহন ওইরগা ইচা অহন্দা মিংথৌকম পিগনি ।
বন্দা উহৈ-য়াহৈ চাহুমা লাইনিংবন লানানি
অশিনচিংবা য়াজনীতিগী ইচাদা ঐনা তথীরমই ।
অচৌগী মচুংদা বন্দা লাইমিংচুনা মওম লেমখিবনি ।
মওদা উঞ্ছবৃত্তি, শিলোঞ্ছবৃত্তি, পঞ্চ যজ্ঞ চৎলমই ।

উঞ্ছ বৃত্তি— ফৌ মক ৫, অমদি হয়াই মক ৫ দং চাহনা অতৈ য়াওরহনা মাথ শোল্লুনা মতম লেনবা লাইনিং অসিবু উঞ্ছ বৃত্তি হায়না কৌই ।

শিলোঞ্ছ বৃত্তি— মক ১ | ২ য়াওবা মঙ্গুরী (মতোন) অমমম থংদুনা অচুবা চারগা মতম লেন্দুনা, ইশ্বরবু পুক্নিং চংনা নিংবা অসিবু শিলোঞ্ছবৃত্তি হায়না কৌই, অমুং পোংশক অকনবা থর অসিনা থোং থাকপা অচৌগী অতিথিশিংগী দারুণ তন্নগা য়েক্কহৌবা চানা বনরাসিগী অংগাইবা লমচং অমনি । অসিগুম্বা (বৃত্তি) লমচং অসিবু চারগা শ্রীহরিগী ভক্তি ত্রাহ্মণবু বানপ্রস্থ কৌই ।

পঞ্চ ভক্ত (পঞ্চাগ্নি)= মাইকৈ মরিদা মৈ হোৎবা, মথকা ওলাংথোগী গুগা মৈশা, মৈ মতা থাংজনা মিংলা লাইরিং মথল অমমি। অসিনচিংবদা হিংজনা লাইনিংবা হাল্লবা অসি থুরিংমকা ওয়ান্ত্রবা অথোইবা মরোৎবা লাইনিংবগী মচংনি। অসিগুম্বা নমচংনা চহি লিশিং অনি অকনবা তপ তৌ-রগা পঞ্চ ভৌতিক (পঞ্চভূতনা ওইরবা) দেহে থাদোক্‌না ঐ লাকপনি। যযাতিনা মাবা তৌরকপা তান, অমম্ভ এক্বাগী শাসনদা লাইরবা তোল্লবা থোংতেকপা মিংতাংবা থিগা কয়াবু, মোক্ষ থাকলকপা, অসিগুম্বা যযাতি নিংথৌগী বাপমগুম্বা লোইনা শিংথাবা, পাওদম তারবদা। থাগৎপগা লোইনবা মাইহনা ইন্দ্রনা হায়রকই, যযাতি নিংথৌ নহাক্তি অথোইবা পণ্ডিতনি, মরমদি কবিগুম্বদা চংতমহৌবা, ইন্দ্রলোক ব্রহ্ম লোক্তা মনিং চন্না কোইরে। হৌজিক তপকী রা তারে, মথংদ পুন্যগী রা তমউ, মহাক্তা করা য়ায়া তৌবা গুম্বা সংসারদা করি করি তৌরবগে? তমিংবগা লোয়নমা যযাতিনা হায়রকই তাবিবু দেবরাজবু! মী; গন্ধর্ব, লাই অমমুং ঋষিমচিংবনা ঐগা মায়না তপ্তা কনবা, খুমাংদা তাল্লবা ঐগা মাল্লবা অমা লৈরোই। ঐনা তাল্লবা পুন্যগী তাং অহু কন্যাগুম্বনা মশিং থাবা তমলরোইদ্রোবনি। অহু তাবদা ইন্দ্রনা হাই, হে-যযাতি নংনা তৌবা নতোমতনা নগুন থাগৎচবদা খুদক অসিদা অকবা থবক্তি মতৈ লোইরে। ঋষি, গন্ধর্ব, লাই উশিংলুদবা মরমা নংগী পুন্য লোইখ্রে, সর্গদা লৈবা য়াবরোই পৃথীবীদা কুমখো। পুন্য লৈতবা মী মহাক অহুদি, সর্গদা লৈবা য়া'দ্র অহৌগা সগগী তৌগন্থ ফংবা য়াদে "মদানা "গুণ প্রশংসা মুর্খ মথোপগী" হায়রম্ন নতোন্দা থোকখ্রে। ইন্দ্রগী রা তাবদা হায়বৈ মাংলেদনা যযাতি ঐদি থৌজাবথীবু শোয়াবের নহাকনা ঐবু পৃথীবীদা লৈবা তারবদি পুন্য চেনবা মীশিংগী লম্না মরক্তা তাহনবীবু। ইন্দ্রনা তায় হে-মিংথৌ নহাক্তা নিংলিবহু খুংলে। অদুনা থুনমক সর্গদা অবুক কাবকউ অসি হায়মবগা যযাতিদো সর্গদগী তাখ্রে, কযাদা লুখ্রবা অমসুং কয়াদা,কনথরবা লংইগী য়াথংনে। কুমিংকৌ মতৌগুম্বা লৈথরকপদা গুম্বা চংলম্বা বীযান তোংবা, অষ্টক, শিবি, বসু, প্রতর্দন, হায়বা পুন্যবান মবি; মীগী উপায় তৌবনা মথোইগী শকক ওইকম্বা কাংবুনা উরহুনা? অষ্টকা লাওয়কই তুমিংকৌ মতৌগুম্বা ওারবা, মোংগী মরক্তা মোংথাংগী মশোগুম। হায়থবক্লিবা তুপা লেপথা পুন্য চেনবা অষ্টকী রা লেম্না মাংদ, লেপথবে অমসুং পুনাবান মরিন চংশিন্দুনা হংথি। ইন্দ্রগুম্বা থবংবা তুমিংকুম লনবা, মতিক চাওরবা নুপা মং কনানো? করি মরমগী পুন্যগী লম্বীদা তারকইবনা? অসুমা চডডকপা রাবায় অহুগ মথোইগী য়াথংবা পাঙ্গল ওইদুনা অতিযাদা লেপ্পা ওবগী পাঙ্গল ওইরবা যযাতিনা খুমই ঐদি মহুৎগী মচানি, পুরুগী মপানি, স্যাতি কোই, চহিদা মরামদগী ঐনা অহল ওইরবন মমাহ্‌ ঐনা থুকমদরে। পুম্য মথং তাখিত্রমা সর্গ, সিদ্ধ লোকগী তারকবনি। পৃথীবীদা লাইরব মীবু মকপা থাদোকনৈ, অতগুম্বা সর্গদদি পুন্য লৈতবা মীবু লাউনা থাদোকনে। অদু ওয়রবদি নহাক্তি পৃথীবীদা, করগা পুন্য তাল্লমহুনা সর্গদা কবগা কারবা? অমসুং কবিগী অমুক তারকইবা; অষ্টকনা হংবা তারবদা মহাকনা

শোরারেন্দা মানা ;তৌবা পূরমক লীরবগদ্রা। অথাকপা লৈতনা পুরমক অষ্টকা তমথোকখি। যযাতি ঐগী ইন্দ্রনবু ইতোমতনা হায়দোকলুবদা। ঐনা তাক্লকপা পুন্যাশিংদু লোয়খিদুনা ঐবু লাইদা তাহল্লকহৈবনি। অষ্টকা হায়রকই সর্গদগী তারক্লবা মহা রু ইকাই খুমকম ওইমবা মীনি, মরম অহুনা মতোন্দগী রা থরা তাহোগ; সর্গদগী তারক্লবা জীবন। কান্না অমুক পোক্লকপা, অহুদগী পাপ্পা কমদোবা, নরক তাবনা কমদৌবা, সর্গ কাবনা কবিনো? অজ্ঞানা তত্ত, জীব তত্ত, শরীর, তত্ত তাকপিয়ু অমসুং জীবনা অরাবা, মুত্তাইবা করম্না ফংলিবনো? ঐখোইনা নত্তাকি পাওতাক অহুবু খংনিঙ-ঙি। ঐখোইবুসু নত্তাক্লা চানবাদুনা হাইবিয়ু, মাদু তাবগা পেঙগ? রাকমহু যযাতিনা হায়খি, মাও ঐনা খংবা থরদ' হায়গে তা বয়ু। জীবনা পুনা পোম্নক্লনা সর্গদগী তাদকপদা মনিনগী মাতৌগদা লোয়দা তিন্দুনা লৈখি, লোপা তাক্লকপা অতুদা মাওদুনা চুথমিন্নগ, মচু মরাং মরুদা চংখিদুনা, মদু চাখিবদা মচি ওইব শককনা হকচাংদা শুক্র হকচাংগা মথাল মচি ওই; অদুগুম্বা শুক্রদা জীবম্ন তিনখিদনা মুপা ওইবদা লৈখি। মত্নুনা মুপা ওইবগী ব্রজস্বলা (ঋতু) গী মতমদা, থাদ লৈবা দশিদা মেগা শোকনগা থাওম ওইখিবগুম্ব, অংবোমদগী শুক্রগা শোকনবদ মতম চানা (শোনিত) ঈদুগা কিনখিদুনা, কোইদা লৈব নাকপ গী শকক্কা পুন্নগা। মুংশিংকী শকক মাওনা চিংশিনখিদনা, অকুপ্পা জীবগী পোংশক অমা ওইখি। মাতুনা গর্ভ ওই মচা লৈফমদ (পিণ্ড) মতুম মচা অমা ওইনা লোখি; মতুদা মথং হথং অমুম অত্তম ওয়না মৈ, ঈশিং, মুংশিং, নৈপাক, অমসুং অত্তিয়া মত্তাগী শককনা মাওশিন্নকুনা পুন্নগা অপিকপ পিণ্ড, হায়বদি অকুপ্পা (কুম্ব) জীবনা লৈবিবা মশা অদু চাওখংলকুনা হকচাংগী মচৌ অমা ওইখি। শিশ শাবিবদি মশক উদদ জীবনি উরিবদা জিবসু উবা ফদে মি মংদ উরবদি পঞ্চভূতনা শাংকইবা দেহে পাক্লকপা অত্তনা। গর্ভদা নাওবাম্না কুথাম ওইনা জীবা শাম্নকব হকচাংগ মগু অহু অমুং অমুম চাওখংলকই। মুমিং শা মামলকপগী মতুং ইদ্ম জ্ঞান পুমমক কংলকুনা রানা থাংহনা লৈখি, পোক্লকপদা গর্ভ পীরিবা অমসুং পুরিবা অনিগী শকম অহু থমা চানবনা মখোয়গী শক মানা পোক্লকই। মসিবু পোকপা হায়না খংনৈ, জিবনা দেহে পান্দুনা লৈবিবা মতমদা। তৌবা মক-কত মহৈহু মানা চাই। জীবনা লৈরিবা মাশিবমথৈ হকচাংবু শিংলিবা হায়না কৌই, জীবনা হকচাংবু থা-দোকলমখত্রবু শিরবা হায়না কৌই। জীবদি মৈনা খুংলাইদা, ঈশিংনচিংবনা শুকমাং মাংহনবা ঙমদে। মৈ, ঈশিং, মুংশিংনচিংবনা রাওরিবা হকচাংবু পঞ্চভূতাত্ম কৌই, (পরমাণু) থোইদোকনা কুম্নবগী মশকনি জীবগী মতিক মঙ্গলদি অমদা প্রধান হায়নিংঙাই লৈতথমথৈ কম্নবা, অহুগা পিকপা কুম্নদদি হায়নিঙাই অমুক লৈতদ্রা কুপখিবনা কম্নিওবা শক্তি অমত্তনসু উবা ঙমত্রবা পোংশকনি। শিবা হায়মরিবা মিংদা উরিবা হকচাংবু থাদোকলমহুনা চংখিবদা প্রাণ বায়ুবু পুদুনা, মানা তৌরবা পাপ নত্রগা পুন্যগা লোয়মনা মুংশিংমত্তনা শাবা হকচাংদা মপান্দগী মুংখিংতগী হেন্না মাংনা চংখিদুনা, পুন্যগী ভোগ, মানা তৌবা থবকী মহৈ চাক্লবগা হন্নকখিবা পুন্যদগী লাকপনা

অকবা মপোক্তা অমসুং পাণ্ডুগী লাকপদা— কৎজবা মপোক্তা ফংখ্রিবনি। মাংনা পেংকর্ণ। মায়না থ্রাইনা থংনখিবসিনি। মী, শা, উচেক জীল কান চংবা কয়াগী মপোক পোকই, মাতুনা অহান মদা পৃথীবীদা জীবনা পোক্লদা তৌরগী মইহৎ শিরগা জিবনা শোয়দমা চারুগনি। মসি মংগী ভোগনি অসিবু ভাব তারবা ঋষিশিংনা সংসার লাথোকনবা হোৎনরি। অষ্টকনা হায়রে মীওইবনা করম থবক তৌরগা। করম মইহৎনা হায়বদি জ্ঞান লৈবা, বিদ্যা হৈবা, তপস্যা তৌবা অমসুং পুন্য লোক ফংবা। চামবাতুনা ঐঙোন্দা হায়বিয়ু। অষ্টক, শিবি, বসু, প্রতর্দ্দন মরিমকনা হঙজকইবা য়াহং আসবু তারগা নুমক হগা মতিক চাওরবা যযাতিনা হায়খি,— লাইনিংবা ফংথোকপা, শান্তি ওইবা, ইন্দ্রিবু লাকশিনবা ঙকায়বা থংবা, পুকচেল শেংবা, জীবব মুংশিবা, অসিগুম্বা তরেং অসিনা সর্গ ফংগদবা মরু ওইবা থৎলাইনি। মসিবু থংদতনা অপংবা জ্ঞানা কুপথতনা, নাপগা মশাবু মাংহল্লি। যজ্ঞ দান তপ (অধ্যয়ন) শংহৈরিক য়েংবা তধনা জীবগী অরান থুবমনি, অতনা নাপনগা দেয়্মখ্রবদি নাবা ওইরে। নিংবতনা ফদদবা, হোরকখম থংত্রবা অংরাইবসু নাইত্রবা, পুন্নমক্তা চংনমম ওতবা পর ব্রহ্মাবু নিংবতনা হন্দক্না মপোক অমসু হয়েং- অনুক্তা মপোক অনিমক্তা শান্তি পাগনি। সন্ন্যাসী, গৃহস্থ বানপ্রস্থ, অমসু ব্রহ্মচারীন, গুরুগী য়াগং ভাকপা চেকশিনবা পুতিং তগা, রাংহ ফংবন, নিংজবা থবক পাংথোকনি। গৃহস্থনা অচুম্বা ধর্ম্ম তারবা যাগা যজ্ঞ তৌগনি, দান অমসু অতিথি সেবা তৌগনি, মীগা মপোং নমতুনা লো- লোইংদবনি। মন শেংনা ঈশ্বরবু নিংগনি, অসিগুম্বা লমচংবা গৃহস্থ ধর্ম্ম চৎপশিংগী সিদ্ধি ওইগনি। গৃহস্থ ধর্মদা লৈরগা পুকনিং লাকাশংদুম, অচুম্বা থবক তৌবা সেব, তৌবা ফিরবু জুংশিবা ঐগী আত্মাগা চপ মান্নবা থনবা কনাবুসু য়েরুদবা ঈশ্বর নিংব, অসি মী অংথোইবনি। বানপ্রস্থ— মশানা থিজবা উংহ রাংহনা মাগী হিংনব, ওইব, পাপকা থবক থাদোকথরবা, মীগী মী এত্তবদা দান তৌবা অমসুং শেনহনবা তুবা, হিংস, গাবা থকপা পুথমক মতম নাইবা অসিনা সিদ্ধ ওইগনি। লাইনিংলগী কয়াথোক্তা ধর্ম্মশাস্ত্রনা লেপ্লীব ঈশ্বর ফংনবা ভাকনি পুন্নক আসদগী গৃহস্থ ধর্মদা লৈবগা নিংজবা বৈষ্ণবনা হোল্লি "ভিক্ষুক সন্ন্যাসী ন" থবক শুংরাইদোবনি, থোক্তাগ হৈবা, মুংশি হৈবনা মাগী মথুন ওয়গনি। ইন্দ্রি থুৎম চনগনি, বিষয়গী ভোগ থাদোকান করিগুম্বদসু মীগী মমুমদা হিপলাইদোবনি অমসু ফিরোন য়ামন, থোমখিন্দবা, চৎপদা মী লোইনচবা অসুমমা ঈশ্বরবু নিংলবদি সিদ্ধ ওইগনি। হায়খ্রিবা লাইনিং ধর্ম্ম থুদিং অসি মশাতগী নত্তনা পুরণ কয়া লান্বগী রা হায়গে বান প্রস্থনা হায়ত্রবা মীওই অহ ওইবা চৎলবরা ইন্দ্রি শাকশিবা পুকচেল অমতা চোয়দবা ওইনা হবিবু মিংথনা থকপোমদগী হায়বদি তায়দগী ওইখ্রবা পুরুষ পুরোণ তয়া; থাদগী হায়বদি তুংদা ওইমকদবা তয়া অমসুং মশাগা কুনদ্যথোইবু লেপ্পমক অরাবা থুবম ফংহনবা ওমই। ধর্ম্মদি সত্য হায়বা পোথাকনি, মাংবা লৈত্রবা অংহ্মা ধর্ম্মবু ফজে তানকইবা অহু অচুবা ধর্ম্মনি। অষ্টকনা হায়— অসিগী মতুক তাথখিদা যযাতি মহাত্মা করম

তৌরুপদগে ? যযাতিন, খুমই, ঐদি পুন্য লোইখরে নরকি মশক ওইখ্রিমি। পৃথীবীদা রাজ ওইরা ওইবা মীর্যাদা তিন্নগা অমুক পাপকী (বাণীগী) খোংদ চংহুনা হায়বদি পোককমদা গর্ভাশ্রয়দা লৈরগা মমা ওইদোরিবা মাং অহুগী মও: মতৌ মকুংইরা মখোংমরি পানবা। অনি পানবা, মপোক কয়া কয়া কংলুমগা অহুওবা মপোক কয়াদা ভাগথংচরগা মীগী মপোক ফংগনি। মী মপোক কংখিদৈ মথকী মপোককী কত্রগা হজিন হজিন অহুম লৈদুনা মীওইবা ওমদে। মীওইরব্রবদি পুন্য তাল্লগা সর্গ ফংগদবনি হায়রা নিংই, অমসুং শ্রীকৃষ্ণগী ভক্তি প্রেমদা মুধওইবা ওমবদি, পোক্ল শিম সংসারসি লাখোকপা ওয়ী। অইরো হংই— সংসারগী অমমবা মরক্কগী কমদৌনা লানগনি। যযাতিনা খুমই— মাংদি যজ্ঞ, হোম ব্রত তৌবা, অতিথি সেবা, গুরু, সাধু, বৈষ্ণব, সেবামা, ব্রাহ্মণদা অমদি তোল্লবা জীবগী মকমদা দান তৌবা; ইন্দ্রি খুহুম চনবা, অরেপ্পা রা ভাংবা, মীবু মুংশিহৈবা ভাকপীহৈবা, মীয়োক মীচাম ফবা, তপ্পা, শাওবিদবা ওবা, হিংসা তৌদবা, কংখোকপা, অহুরা লাইনিংবনা নরকুগী লানগনি। মতাং অসিদা রারী শাবা লোয়রসি। ইন্দ্রগী মরদগী ঐহাক্না সাধু মহাত্মা নখোয়গা উনজবা অমসুং রারী শাজবা কংলরিবনি। ঐদি পুন্য লোইখরবনিমা পৃথীদা কুমগা পুন্য অমুক তাঞ্জকখিগে। অস্টকা হাই— মহারাজদগী অচেংপা (তত্ত্ব) কয়াককম তাকরে, মকম অসিদা ঐখোইগা মতম কয়াকুক লৈমিন্নখিসি। যযাতিনা হাই— ঐতোন্দা পুন্যলৈত্রে, লোইখাস্য মরম অহুমা নখোইগুম্বা পুন্য চেনবগী মকমদা লৈবগী শাক্ল লৈত্রবনি তৌইগুবসুং ইন্দ্রদা হায়জকবদা মাহাকী খোজান্দগী নখোইগী মাক্কা পুন্যগী লমদা পনবা ফংজবনি। যযাতিগী রাঅসি তাবদা অষ্ট, শিবি, বসুমান, প্রতর্দন মরিমক্কা মিংথোদা হায়রকই— ঐখোয়গী পুন্য লৈবমগনি মিংই, মসি লৌবিরগা সর্গদা কাবীরু। যযাতিনা ঐদি মীগী মপোং অরেম্বদা লৌনিংদে। অমীকপা মীদি মাগীনা পীখোকনিংদে, মীগীনা লৌনিংই; মগুণ লৈবা মীদি অরেম্বদা পোং পামদে, মীতোন্নদি লেয়া পিখোকপা (দান) তৌবা পামই। মরম অদুনা নখোইদগী পুনাবু ঐন লৌনিংদে। মগুণ লৈবা মীগী লমচংপু ঐমা ওমজনিংই মরম অদিনা নখোইদগী পুন্য লেমনা লৌনিংদে। শিবিনা হাই— মহারাজনা চিংনবীরবসু নাপীমা মমল ওইনা পিরগা পুন্য লৈবিয়ু। যযাতিনা খুমই— মতদি অঙাং শান্নবগুমই, নাপীনবু পুনা লৈবা হোনদে জগংবা তাবগা নোক্নখিগনি। রাঅসি তাবদা অস্টক, শিবি, বসুমান, প্রতর্দন মরিনা হায়রৈ ঐখোই মরিমক্কী পুণ্যদি মন শেংনা মহারাজদা কংখোকচরে, তৌইগুবসুং অসি মোমা হাইরবদা রাথিরবদি মহাকপু থাদোকপদি ওয়ারাই। থুংবক অহুমগুদ ফজরবা বগ মঙা থুংলাব মরিমক্কা ফাম হে নিংথৌ সগ দগী থারক্লবা রথনি অমদা তোংখংলো ঐখোয়গা শোয়ননা সর্গদা চংলসি যযাতিনা ফর হৌজিক্কি ঐ তাব তারে নখাই অসি ইচা নিঙোল পোকপা ইও ভাক্কি, সর্গগা লম্বী উরমদবা ডাক্স উবে হায়রমলগা যযাতি রথ অফদা তোংখংখি অমসুং মরিমু রথদা তোংলগা সর্গ পানা কাখংখি মতম অদুদা শিবিনা খ্বায়গী মাং থাখিরমই। শিবিমা খ্বায়গী মাংথখিবা মখোয়না মাং থানিংলবসু বিধান থৌরীবা লাইগী মুংমা

রাদহনা ভুদো থংবহনা, অষ্টকা যযাতিদা হংখি— ঐনা মাং থাদিংবনি মরমদি থেংনকখদবা ইন্দ্র অহ ঐগদি চাউরবা মরুপমিং উশিনরগী মচা শিবিমা মংদা থাখিবসি করিননো ? যযাতিনা খুমখি, শিবিদি মানা মিংথৌ ওইরিভেদা হাঙ্গনিংঙাই নৈতনা দান কৈ। ধর্ম্ম, কর্ম্ম, তীর্থ স্নান যজ্ঞ, হোম জপ, তৌই। থৌতাম লৈবা, তাকপি থৈবা, পীনবৈবো অমসুং সত্য লৈবা অমমি। মীশী উপাই থৌবদম্ব মীওোন্দগী থোইদোকপা অমমি, দান তৌবদা মপা লৈতে মতোন্দা মিতম্বু মিরবদি মাগী শরুক তুকথাক থাক্তহনা মথরাই কাওবা কংথোকপা ওবা মগুম্না মতোন্বা লৈ, মরম অদুনা স্বর্গ কাবদা মহাক্না খুাইগী মাংদা থারিখমি। যযাতিগী রাহার অসী তাবগা অষ্টকা অমুক হায়রকই, হে- মহাত্মা সাধু যযাতি নিংথৌ, মতম পুরমক্তা মরু ওইনা সাধু মহাত্মাশিংনা সত্য (অচুম্বতমু) ইকাই খুমথৈ, সত্যনা অরেপ্পা ধর্ম্মনি হায়বা তত্ত্ব উযদর্শগী মচা প্রতর্দ্দনা ঐমা মমাংতৈদা হায়খরে। অসিগুম্বা অতেংপা রা অসি মথোই ঐথোইনা ভাংমম্বিখসিবু চুম্না নীড্ডনা তারিবা মহাক অহ ঐথোইগুমনা স্বর্গ কখা শোয়দনা ওইগনি। মরম অসিনা শাস্ত্রনা সাধু সঙ্গ তৌগমি সৎসঙ্গনা মীওইবগী অথোইবনি, ফত্তবা মীশা তিমথোইদবমি। মতাং অসি ম্রোরকপদা রারী নীরিবা "বৈশম্পায়ন" মা জন্মেজয়দা হায়খি তাবো মহারাজ ! পুকচেল চাওরবা যযাতিগী মিংচংনা মরোল অচুপক্তা শক্তোক্রমলগা অমুক হন্না নিংতোন্না পোকপা মতশিংগী পূন্যগা মতশিংবু উদ্ধার তৌবা ওইনা যযাতিনা স্বর্গদা রথ তোংচনা কাখি। যযাতিগী রারী অসি "অমৃতগুমনি তাবদা পাপ কোকুম্না স্বর্গগী সুখ ফংদবা মতাংনি, মতাং অসিবু তাজবদা পুক্নিংগী অমকপা কোকুনা শেংদোকপা অমসুং পুন্য ফংদবা ওই। শ্রীব্যাস মুনিগী বাক্যনি। ইতি॥

সাহিত্য সেবা পন্বীরম্বা কথা বাচক পণ্ডিত শ্রী৺কাহ্নাই শর্ম্মনা মীতৈলোন্দা ইবিরবা রারী শৈরেং শরুক অধ্যায় মতাং অসিদা লোইরে অরানবা কয়া বৈষ্ণব সমাজনা ভাকপীগনি। ইতি। হরিবোল হরিবোল॥

সম্পাদন— হরিদাস সিংহ।

অধ্যায়:—

চন্দ্র বংশ শন্দোক্রকপগী রারী মতাং।

অধ্যায় অসিদগী শ্রী৺মোইরাংথেম কর্ম্ম সিংহ, রারীলিবা পণ্ডিতনা ইবিরম্বা রারীগী শৈরেং হোৎজরে। সাহিত্য সেবা পাম্বীরম্বা স্বর্গিয় ওঝাশিংগি পরিষদনা সেবা কচ্চবনি আত্মা শান্তি ওইবীসন্থ।

সৌনকনচিংবা মুনি মরাম্না হওডী, হে-উগ্রশ্রবা পুরু শাগৈগী রারী লিযু, কমদৌনা পুরুগী বংশনা চন্দোকখিবগে। সৌতিনা হায়জৈ তাবিযু ব্রহ্ম সত্য; মহাভারত নীবিবা বৈশম্পায়ন মুনিগী মকমদা ? রারী তারিবা জন্মেজয় ,নিংথৌমা হৌজৈ। মহামুনি চন্দ্রবংশ চন্দোকখিবগী রারী লিখিযু।

বৈশম্পায়ননা হায়রকই তাস্নো মহারাজ। যযাতিনা স্বৰ্গ কণখৎলা, মচানিপা অহল যদুনা যদুবংশ হন্দোকখি। তুর্বসুনা হরিবব থগুদা নিংথৌ ওইডনা পামি; মখাগী শাগুগী মচ পোকখুনা, চহি চাম্মা যজ্ঞ তৌবদা লক্ষ্মী নরায়ণগী থাদাবু মচাওইনা কংজখিনা; হৈহয়বংশ হন্দোকখি। দ্রুহ্যুদগী ভোজ বংশ হন্দোকখি, অনুদগী পোক্লকপা থারানা, ম্লেচ্ছ যবনগী শাগৈ হন্দোকখি। ব্রহ্মাদগী অত্রয়ন চন্দ্র — বুধ — পুরুরবা — নহুষ — যযাতি — পুরু মগা মথং পোকই পুরুগী থারানা পৌরব শাগৈ হন্দোক্লকই; পুরুগী মহারাণীনা পৌষ্টা কৌই, মচানিপা অহুম পোকই, মগী অহনগী মমিংন প্রবিন কৌই। পুরুদি তপ, জপ, যজ্ঞ ব্রত, দান ধর্মদা পৃথীবীদা অংথাইবা অমনা। মথম অহুদগী পৌরবা বংশ কৌনখি। চন্দ্রবংশ হন্দোক্লকপগী ৱারীদা ব্রহ্মান মরিচ পোকই মরিচনা কাশ্যপ পোকই কাশ্যপ — সূর্য। মনু — সুংঘন — প্রংবন যোবিনাশ মন্ধাতা — মচুকুণ্ড — পৃথু ইক্ষাকু — ইল মগা মগা অসি পোকথরবই। ইলাগী গর্ভদা বুধগা ঔরসদগী পুরুরব পোকই; মতাং অসি য়ৌরকপদা জন্মেজয় নিংথৌন, হংখি। মহারাজ নি সূর্য্য বংশদগী চন্দ্রবংশ ওয়রকইবা করিগনো? তাবদ। চিংনরে তাইনা পাবিয়ু। বৈশম্প যম হায়রকই মে নিংথৌ সূর্য্যবংশগী ইক্ষাকুগী মচ ইলানিংগৌনা। নোংম বন্দা লিক তান্নো পাইদুনা মথন্দ হুগায় চৎলি।

চৈত্ররথ কৌবা বন্দা শিব দুর্গা। বসন্ত কিদা বসদা পুবিং চংদুন লৈব, হুনা অলঙ্কার য়াংদনা, মনুংডা মহাদেবগী থোগয়িবৈ মতমদা। মনা নিংথৌন শক্তি থিবা লাকপদা বন্দুগী মনুংদা চংডক্লে, ইলা নিংথৌনা চংডকপদু উবদা। দুর্গানা হবাংবদগা শাওখিদুন। শাপ তৌকই। হে ইলা নিংথৌ নংনা সেবা ভঙ্গ ওহহনবগা দোষনা; হৌজিকমক নুপী অল্লে কাম-রূপগা। শিবদুর্গা মাংথোকখরে। দেবগী শাপ্তা ইলা খুদক অদুদা কৰুংবী নুপা অমা ওংখ্রে, ইকাইখিদুনা মরৈবাক্তা হল্দনা। বন্দা অদুম লৈবে। মতম অদুদা চন্দ্রদেবগী মচানিপা বুধনা, শক্তি তাবব লাকপদা ইলাবু থেংনবে, মশক মতো কজববা ইলাবু পুংক্লুনা মগারাগা হাপলে; ইলাগী গর্ভদা বুধগী ঐবসন গর্ভ পুন্নুনা। মচানিপা অন লৈবৰা অমা পোক্লে। মচাদুগা মমিংনা পুরুরবা কৌই, পুরুরবাগী ঔরসদগা উর্বশীগী গর্ভদা নহুষ পোকই। বারী অসি তাবদা জন্মে-জয়না অমুক হংজরকই; মুনিদেব ইলানা ফজবীবা দমা অদু কমদৌখিবগে? অমুক্তা লিবিখো। জন্মেজয়গী ৱাহং অসি তাববদা, বৈশম্পায়ন মুনিনা অমুক লিরকই। তাস্নো মহারাজ ইলানা নুক ওইখিবা অদুবু হায়রগে। পুরুরবা পোক্লবা তুংদা নোংমা ইলানা দুর্গাগী শাপ্তগী নুপী ওক্লকপগী থৌথোক অসিবু; ঈশ্বরগী থৌজালগা লোইনা নিংশিংলরে। দুর্গাগী শাপপু নিংশিং লক্লবদা। ইলানা বুধ নিংথৌগী মকমদা হায়জরকই, মহারাজ ঐ অসি সূর্য্য বংশগী ইক্ষাকু নিংথৌগী মচা, অযোধ্যাদা পানবা ইলা নিংথৌনি। ঐনা নোংমা চৈত্ররথ বন্দা শক্তি তামবা চৎলুই; অদুদা হর গৌরি অনিনা শৃঙ্গার রসবু আস্বাদন তৌরমী। ঐবু উবদা দুর্গানা শাওখিদুনা নুপী ওল্লো হায়না শাপ তৌরমলগা। অন্তর্ধান ওইখিদুনা শাপান্তোক নিংহৌরে। মরম অদুনা

ঐনা সুপীওইদুনা মহারাজগী রাণী ওইরিবনি, অসিবু ওসিদা ঈশ্বরগী থৌওাংলগী নির্দেশতরে মহা রাজনা ঐগী দবা অসিবু কোকবা উপায় থমুক্তা তৌরায়ু ? রা অসি তাবদ' বুধ নিংথোনা, কুলাচার্য্যগী মফমদা মরম লোইনা হঙংলি। কুলাচার্য্য ব্রাহ্মণা হায়রকই, মহারাজা ইলাগী দবা কোকর্বগীদমক যজ্ঞ তৌ, যজ্ঞেশ্বরগী কৃপা লৈরবদি, সোইদনা চপানং হায়গী খুবম থঙনি। কুলাচার্য্যগী পাওতাক লৌজদুনা চন্দ্র অমমস্থ' বুধ অনিনা। চহি অমা যজ্ঞ কংপদ। যজ্ঞেশ্বর শ্রীহরিগী কৃপানা, চুর্গাগী শাপ লোইখিতনা হায়গী "পুরুষত্ব" নিপাগী মর্মক, শক্তি পুন্নমক হত্তিনখি। ইলাগী অরাবা দয় পুন্নমক কোক্রুনা বুধ নিথোবু বিদায় তৌবয়গা রাজ বেশ শেত্রুনা রথ মথক্তা খুমুখুলাই হিরা মাণমুক সনা, রূপা, কয়ামুক হাপকংলগা। তে'জান লাম্মী থরা লোহনজুনা অযোধ্যা' লৈবাক্তা কল্লক্লে। অম্বার দা' রাজ সিংহাসন ফমহনা, প্রজাবু পালন কৌরকই, যজ্ঞ যাগা দান ধর্ম্ম করা-কংখি। হলান চুথব কেই' ভুথনন থণ্ড — দণ্ড — রহিত — হরিবিজ — হরিচন্দ্র — রহিদাস, মথং মথং সূর্য্যবংশ পোকংখি। হোৎরিক চন্দ্রবংশগী মথং মথং পোক্লকপবু লিবক্লগ বুধনা পুরুরবা - নহুষ — যযাতি — পুরু — প্রবির — জংশমন — মতিনার — দংস্থ — কলিপ — চুষ্যন্ত — ভরত - ভুমন্যু — সুহোর — হস্তি পোকই। হস্তি নিংথৌনা মগুন্না চাপন পানখিবদগী, লৈবাক অসিবু বিজয়া নগর কৌরম্বদগী; হস্তিন নগর কৌনখি। হস্তিনা আজমি, আজমিঢনা সম্বরম পোকই সম্বরনা ভূমিংকী মচানুপা তপতীগী গর্ভদা কুরু পোকই, কুরু নিংথৌগী হাকক্তা পুনাভূমী কুরু-ক্ষেত্র শেমখি কুরু নিংথৌগী মিংচংনা জগত শিহুনা যাৎখি মংম অতৃগী ডনবংশ কৌরম্বগী অমুক কুরুবংশ কৌনংলে। কুরুন মহারাজগী মিংমায়না জন্মজয় পোকখি, জন্মেজয়না ধৃতরাষ্ট্র কৌবা অমস্থ পোকখি। ধৃতরাষ্ট্রনা প্রতিপ পোকই, প্রতিপন দেবাপি, শান্তনু, বাহ্লিক মচা নিপা অহুম পোকহ, দেবাপি মহা ওইন সন্ন্যাস ওইতনা বন্দ শাই নিখি। শান্তনুনা হস্তিনা লৈবাকী নিংথৌ ওইতনা পানবদা। গঙ্গাগী গর্ভদা বসুমা বশিষ্ঠ মুনিগী শাপগী, ভীষ্ম ওইনা পোকই। ভীষ্মনা সত্যবতী মমাগী হাক্তক্ত। বাশকথহুনা নিংথৌ ওইখিদরে সত্যবতীগী গর্ভদা চিত্রাঙ্গদা, বিচিত্রবির্য, পোকই, চিত্রাঙ্গদন চিত্ররথগা মথুদা, লানফমদা শিখি। বিচিত্র-বির্য্যনা নিংথৌ অমুক ওইদুন পাল্লি, মচা ধৃতরাষ্ট্র, পাণ্ডু বিচুর অহুম পোকই। ধৃতরাষ্ট্রনা গন্ধারীগী গর্ভদা দুর্য্যধনচিংব মচানিপ চামা; নিঙোন চুশল্যা কেবী অমগা পোকই; দাসী মীগী গর্ভদা যুযুৎসু পোকই। পাণ্ডুরাজগী মচানা কুন্তীগী গর্ভদা। যুধিষ্ঠির, ভীম মন অর্জ্জুন, মাদ্রীগী গর্ভদা নকুল, সহদেব মচা অসি পোকই। অর্জুনগী মচানা সুভদ্রাগী গর্ভদা, অভিমন্যু পোকই, অভিমন্যুনা পরিক্ষিত পোকই, পরিক্ষিতনা ইরাবতীগী গর্ভদা জন্মেজয় মহাক পোকই। চন্দ্রবংশ চন্দ্রোল্লকপগী রাজাবু ঐনা মথং মথং লিবক্লবনি; মহারাজা হৌজিক হ নিংথৌ করি লৈরি হৌজিক মহারাজ জন্মেজয় মহাক্তা, মহাভারত পুরাণবু তাররিবা অসিনি। ঐনা নত্তোক্তা থা কৌবা লাইদগী পোংথরকপা শাগৈনি হায়হনা চন্দ্রবংশ কৌবা, শাগৈগী মথং মথং পোকথরকপা পরেংবু

শমপুদা লিবগা অরিবি। অদুগা বৈশম্পায়ন মুনিনা লিবকপা, বারী অসিবু তাবদা শৌনকনা নিংথৌনা, খুং ফ্রুন লোয়্নবা হায়খ্রকই। মহামুনি শান্তনু নিংথৌগী মহারাণীবু, পতীত পাবনী ওইরবা ভাগীরথী গঙ্গানা; ওইখি হায়বসি তাকবদা ঐগী থমোয়দা চিংনবা অমা ওইরে। কার মহারাজা গঙ্গানা, মীওইবদা ওইরিবনো? মরম অসি ওগাইনা মুনিদেবনা চানবীরনা, পংলবা অদোমগী ঐগোন্দা ফিবিয়ু। অমসুং বসু কৌবা মাইনা কবি দোষ লওশিন্নুমা। পৃথীদা মীওইবা মপোক্না ফীম শুইনা পাক্লরিবা? তমশু ব্রহ্মচার্য্য ওইহুনা লৈখিবা? মরম পুম্নমক তাবনিংই। অদুগা শৌনকনা নিংথৌনা হংলকই, মহামুনি, মহাভারতকী বারীবু, মথং মথং মপুংফানা লিবীয়ু চিথদনা তাবগে। অসিগুম্বা মহাভারত অসিবু, পরাশর মুনিগী মচা শ্রীব্যাস মুনিনা, শ্লোক লিশিং চামানা লেংখ্রবা মহাভারতনী। মাসিবু কবি কয়ানা ছন্দোগা লেংথোকখিরনা; মহাভারত মশাং কয়ামক থোক্না পৃথীদা শিন্দুংনা লৈখি। মীওইবনা তাবদা কলিগী অচৌবা পাপকি মপেন্নু কোকুনা শিরবা মতমদা বমগী বাতনা কোল্লগা; স্বর্গগী সুখভোগপু লেপ্প শওতি। মসিবু বেদ-ব্যাসনা ইরম্নবা বেদ বাক্যনি, মাসিমক মীতৈ সাহিত্য চাওখৎপা পান্দগী, মণিপুর পৌরানিক পরিষদনা ত্যাকপিবা রাথং মন্নুইনা পাংলওবা শ্রী৺জর্ম্মসিংহনা মতাং অসিবু মাতৃভাষা মীতৈ হমালোন্দা হন্নারবনী অরামবা অকাইবা কয়াবু বৈষ্ণব সমাজনা চাকপীগনি নিংজৈ। মতাং অসিদা চন্দ্রবংশগী পুরণ শম্পা লিয়কপা বারী মতাং অমা লোইরে॥ শ্রীমহাভারত পুরাণবু অমসুং শ্রীগুরুদেববু, শ্রীহরিবু, শ্রী৺জর্ম্ম সিংহনা নোমক্না খুরুমজে ইতি॥ হরিবোল হরিবোল হরিবোল।

অধ্যায়:--

গঙ্গা - শান্তনু - ভীষ্মগী বারী অমসুং সত্যবতী লুহোংব — বারী মতাং।

শৌনকনচিংবা মুনি ময়ামা হঙভকই হে উগ্রশর্ব্বা সৌতি, বারী অংবিব অম্মজর নিংথৌনা, বারী শীরিবা অনিদা শংথুবা। মুনিদেবগী বারী তাবদা অগুকপা চিংনবা অমা লৈরে। কৌনা করম্বতোনা শাইওইংবী গঙ্গাদেবীনা, ঐথোয়গী শাংগগী ইবেম্মা ওইরগে লিবিয়ু হায়জবদা। বৈশম্পায়না লিবকপা বারী অদু ঐথোয়দা নংনা চিথদম্না লিয়? মুনিশিংনা ভাবরদা সৌতিনা শায়ই পাবিয়ু মুনিসভা। বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়খি তাও মহারাজ মাহাগী মরমদা অাসিজি:—

হয়ংইদা অযোধ্যাদা পাল্লমবা সূর্য্য বংশ মচা ইক্ষাকু তারদা কৌবা নিংথৌরেন অহুগী মচা- "মহাভিষ" কৌবা চাওরবা নিংথৌ অমা পাল্লমী। মহাক্কি দান তৌবদা, মাগুমা লৈত্তে হায়বী য়াই, মতম, অহুগী কন্যাগুমা মীনা মতো তম্না অয়রোইদোবা; নিংথৌ অমা ওইরমই। অদুগা মা

ডা বা অমসুং প্রজা অশোল অনা থোংতেক মিংতাংবমচিংবসু মচাদগী হেল্লা লুনা তৌই । ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব, অহল লমন, গুরুজনসু লুনা তৌই, অসিগুম শক্তা অশ্বমেধ যজ্ঞঅচিংবা মখল করাবরুমসু মহাক্না তৌখি । মহাক্না তৌজবা অফবা কর্মশিং অদুগী মহেৎতদা ফংঙমগ্রবা "ব্রহ্মলোক" কৌবা ব্রহ্মাগী কোন্নুংদা কাখি অমসুং ব্রহ্মাগী সভাতিনবদা নিতিগী মাওংমা নাম শ্রবন তৌথরে।

মহাভিষ নিংথৌ অসি লাইমক্না বেব্যহার তৌরবা ; মীগী মশোকপী থোইদোক্না গুণ চেন্নবা ; মাম তারকপা পুন্যমা কঙুক্লিবনি । ব্রহ্মানা সভা ময়াইদা খ্বালগী আসন্দা ফমই, অদুগী অকোয়বদা দেব, ঋষি, মুণি, দক্ষ অমসুং শোয়ারেমচিংবা দেব বর্গনা ফোইশিন্নুনা ভিন্নবা সভাদা মহাকসু মহদা য়াওখ্রবা নিংথৌ অমনি । নোংমনি মফম অদুদা গঙ্গা দেবীনা লাক্লমই, সভা মমাংদা থুংশিংনা ইাবম্মগী ফিজেং নৈজেংসু হুমদোকপদা, মক্তিক মগুণ চাওবা সভা অদু পুম্নমক্না মক লুকথখি । মংাভিষদি লুকথদে গঙ্গাগী ফজখ্রবা শক অদু উবদা মিংকম থোংবা নৈকনা য়েংনমই , মিংথৌ অদুসু মুপা মরুপগীদি ফজবা শকনি, মরম অদুনা গঙ্গানসু মহাভিষদা মিংচিন্না লৈশিন লৈশিন্নুনা য়েংই । অদুন্না মথোই অনি পুক্লিং চংনা অশাঙ্বা পোকপা মতৌ উবদা।। ব্রহ্মানা শাওদুনা মথোই অনিদি মীগী মচংনি, ব্রহ্মালোকতা মাফ মাদে পৃথীবীদা মী ওইনা পোক্লরো ; অদুগা পুন্যগী মহৈ লেজরগা। অমুক হনা মফম অসি ফংবা ওইজে হায়ব্রে। অহানবদা নিংথৌবন্না য়োংওইসু মথংদা মীওইযু, নংনা গঙ্গাদা প্রেম লৈকুবদো মহাদেব লিংউ, শিবগী থোজাব্দগী গঙ্গা ফউধু, গঙ্গাগী লোনমদগী য়োং শিনু । অদুগা মী ওইনা নিংথৌগী মচা ওইরগা বাজপদবী ফংদুনা গঙ্গানা রাণী ওইনা পানু । অসি হায়রমগা ব্রহ্মাসু সভাদগী হনখ্রে অমসুং পুমমকসু নিজস্থান্দা হল্লখ্রে । গঙ্গা দেবী মমাই লাংশিন্নুনা চিন্তাগী পোংদুনা মকোক্তা ওদুনা ব্রহ্মলোকতগী অদুম লাকপদা। লমখাংদা গঙ্গামাগুম্না দথা ফংলবা কা বু উময়ে । ব্রহ্ম শাপ লেনা মাংবা মাদে, মহাভিষদো ব্রহ্মলোকগী কুমথখ্রে । মতম অদুদা গঙ্গানা লাকপদা লম্বেলদা অষ্টবসু লাই হিপাজনা বান্না মথমাই কুতাইতুনা লৈরবা উনরুনা গঙ্গানা হংথি ?. বসুনা খুমথি, ইমা ত্রাখাইনা য়ারিবগী মতমদি নোংমা ভার্যাশিংগ শোইননা স্বর্গীং চীংথাংদা লম কোয়বকংদা গুপী য়াদগী পৃথীবীদা তাংলবা কা ধেনু কৌবী বশিষ্ঠ মুণিগী মগনু কাকরে। মুণনা ধ্যান তৌবদা খংলদুনা ঐগী বং ফাগনা পুথিব্রা নথোই নিপানদি তাইবংগী ওইনা পোক্লরো হায়না শাপ তৌখিরে । মহ তাদুনা বং পুশিন্নগা শাপ কাকপিযু হায়জরবদসু কোক পিগ্রে তৌইগুমসু পোৎতানথিদুনা হাবিখি । নথোয়মা মী ওইবা পামগ্রবদি শাপকী শক্লবা ওইনা চহি খুদিংগী অমমম্ ওইনা পোকউ পোকপগা হেক হেক শিবা ওইহন পোকক্রো। অদুগা ঐগী মগনু খুংথংনা ফাবা বসু অতোপ্পা অসিমদি পোক্লগা কুইনা মী ওইদুনা সংসারদা অফাওবা অমা ওইনা লৈরগা শিনিংবা কান্দা শিরকউ হায়রক্লে । অদুগা ইমাগজানা লাকপদা মাইথোং লাংশল্লা উই ? অরাবা করম্বা ফংবা লৈরবগে, এখোইদা তাকপিযু ।

গঙ্গানা হায়খি, ঐসু শাপনা মতম থরদি মীওইনা লৈরগনি ; অদুনা রারিবনি, । বথুনা হায়, অদু ওইরবদি ইমাগী গর্ভদা পোকচগে, পোকপগা কুইনা লৈহনবিগনু ইমাগী গর্ভ মনুং ঊশিংদা শিন্নবা থাদবিয়ু । ম ওইবা মরক্তা লৈনিংদে । গঙ্গানা করে ইবুংঙো মতম ডাইদুনা লৈরে, হায়রয়গা চৎনখ্রে। বসু নিপালসু মযুম লাইগী লৈপাক য়োয়'ক্ল । বসু নিপাল গঙ্গা দেবী, মতম ওাইদুনা লৈনখি। শৌনকনা হায়রকই হে-সৌতি ব্রহ্মশাপনা লৈবা রাদদুনা পৃথীদ' লৈথখ্রবা মহাভিষ নিংথৌনা য়েংগী মপোক ফংখিবা লিয়ু । সৌতিনা হাইক্কে তাবিয়ু মহামুনি, মহাভারত শ্রবণ তৌরিবা শ্রীজন্মেজয়না হংক্কে ? মহামুনি, মহাভিষনা কমদৌনা য়োংগী মপাক ওইরগা ; শান্তনু ওইংবো পোক্লকপা কমদৌনা ? পতিত পাবনী গঙ্গাযু কংবগে, অমসু প'-পিতা মাদা ভীষ্মনা ব্রহ্মাচ'বি ওইখিবগী রারা লিবিয়ু ভাজনিংই ।

মুনিনা লীবকই—তাবিয়ু মহারাজবু মথং মনাও লীঙবক । ব্রহ্মাগী শাপুগী মহা'ভষ অদু য়ো ওইদুনা চৎ'খ্, মমিনা "কপিহরি" হায়না কৌথবে অমসুং "হবি কপি" হায়নম্ব থংনৈ । মহারা শুভ্রব বন্দা লৈবগা গঙ্গা মপান্দা মহাদেব নখি । মহাদেবনা দুংশিবিদুনা লেংবিরক্লগা মংনা পান্বা নিংঙৌ কাম্নবিংখ । য়োংনা হায়'ঙ্গ গঙ্গাবু ঐগী দুপী ওইথগে হায়না বব নিরক্লে, অদু তাবদা মহাদেবনা নাংকংবদা লোইখ , অদুম ওইনমক মনাইগী নিংবা থংহল্লিংদুনা, ঙ্ৎহ মফম অসিদা উনবসি, হায়রগ হঙ্গ্রে । মহাদেবন ব্রহ্মাগী শাপ লেংব খংলদুনা ব্রহ্মাগী শাপ কাহদনব শিম্নগ থনখি অংসুং মনাইগী নিজবা মরথুংনহৌ থাদ্র । মথংগী শুমংতা য়োংনা হায়ন, হাইদুন লৈবমই, শিবসু মনাহ দুর্গাগা মগুন চৌংদুনা শাক পংব । গঙ্গাগী গভদ (স্নান) ডকজবা কুমথখ্রে, স্নান লোইরদুনা কাপ্থংলকপদা। হরি কপিনা মহাদেবগী ভুংদা লোগল তৌনে লৈংখ্র । গঙ্গাগা দুর্গাগা স্নানদগী কাথংলকপদা । য়ংশিংত' মহাদেবনা ঙক্সিং শিদুনা গঙ্গাগী কি গুম'দাহনখ্ । অদুদা মহাদেবনা গঙ্গাবু শাঙবগী মথৌদা হায়রকই, গঙ্গ নন ঐবু উশিংতবা মথৌ চোকশিন্দবা উৎপাদ ইনাক ফমশিবা য়োংকাশ অসিগী দুপী ওইদুনা চহি ১২ লৈরুরে। শোইফব্রবা মহাদেবগী য়াথংনা মনাই য়েংগী নিংজবগী ভক্তিগা মথাংশানবীদুনা মা নি ব থুংডপদু হাবরকপনি । অদু তাবদা গঙ্গানা মাংলদনা ননাইদি চবুঙোগী থৌজান লৈংত্র, জটাগী থৌগল করম্না থাদোকনি, মাদু হায়বিগদু হায়না নোম্লক্না হায়ক্কে । শিবনা অমুক হায়বিখি, তাও গঙ্গা নং চিংনগদু নরলোক্তা নমি "অম্বুগা" কৌদুনা লৈকবো । মহার শাপ কোকদবদি, য়োংগী দুপীদগ চহি ১২ অদু শুনদবা মথংদা মী ওইদুনা নিংথৌগী মহাবাণী ওইনা লৈক ; অদুদা অস্তবসু নিপান মকপু অমমম ওইনা মথং মথং পোক-পিরয়গা । শপ অসি কোকপা ওইয়ু । কৌজিকমক অস্তবসুনা মুনিগী শাপুগী মীওইনা পোকদবগী য়াশাবানা ডাইদুনা লৈবি'ন । অসি হায়রয়গা হরগৌরী অনিনা । কৈলাসদা লেংথরে । গঙ্গা দেবী শিবনা পিথোক্লম্বা ওইবনা অরাবা চপাক্তা তাওদুনা লৈহৌরে । মহাদেবগী য়াথং কায়বা য়ানবদগী, থো গী মতুং ইন্দুনা হবি কপিগী দুপীন হায়দুনা লাক্ল । গঙ্গানা থল্লি য়োং অসিগা মতৌ করম্না লৈমিন্নদৌবনো। মহাক অসি শিংখ্রগা ঐ রাই শংগনি । মরম্নাই শিহম্নগে হায়না থম্লদুনা

য়োংদা হায়বকই ; হে নাথ ঐগী ইবুঙো চুংশিন্নববা। নংগী তু চোমবা অসি হলোইশ্ত, ঐঙোন্না তু য়াওদনা শিং শান্না লৈরবদি ; চপ চানা সেবা ফংজবগে। য়োনা কম্দোনা ? গঙ্গানা ইংংঙো শিং অকংবা থাদরবা কোমদা মৈ হৌবগা চোংথবীয়ু। করে হায়রম্না মতমক থোরাং তৌরম্না চোংথবমদাইদা মৈশা কিবা উরম্না গঙ্গানা হায়বকই, তু চাকথ্রগা লোইরে হকচাং থাগৎপা নতে। থান্নবগা যেউ হায়রম্না মৈরা মচা অমা পোকপা য়োংগী খুদোঙবা হাংজরম্না মত্থানদোক্লে অতগা হায়খি, তো শাংশোরদো ? হায়না উম শান্ডোনে তুঙি জ্ঞু জুম চাকথোকখে। থুংক অত্তদা মৈথংদ চোংপদুনা য়োং অত মধবাই থাংখ। অমসু গঙ্গাদি পেল্লঙনা হনখে (দুপীর তাইবা খুদিং ইল্লবা খুপাদি, মক কন শাহই হায়বত য়োংদ পোকখ)।

মো শিখিবা মগী কৃত অত্তদনী ইথ থগৌদনা, ইকুং ওইনা ঈশং কাওগংনক্লুনা মৈথা ঈশংগ য়াংলব ওইখিবনা। শাবব মৈশা দুবেন অমা হৈন চাংজো নাইশবা পাক চাশ্না চেল্লক্লে। অত্থগী মমি দি বৈতরণীদ তিমখৈনা বৈতরনী শাদন থোনখ্রে। বৈতরনীগী মথা থংবদা মমগী কোনুং লৈবনি, মতম অতুম অশিবা য়োংগী মশা অত, ঈশিন পুনক্লুন তাওখংলক্লে। য়োংগী মশা অত্তদি ওস্তোল্লা চাউশ শথ ; অত্তদা পনশা মস্তৌগুম্ন পদুনা শেনা লৈখ্রে। যোগী মশা অচৌবম্না তুরনহী অখুবদা, কৈনা পনখবম্না ঈশিং মৌথংশক্লুন ; মুনিশিংদি মাত্র। কাওবা থুম্লে। মুনিনা হায়খি অভকপদি জম্মেজয় মহারাজ মতম অদুদা মাশ্রমদনী মনি শিশিং মবিস্থনিপায়, ৮০০৮ সিং লম কোইরক-পদগী পন্দুনা লৈক্লবদ থেনব। মুমিদাংগ ওইব। কিমথত্তুনা হাহাকার লাওত্তুনা অংহং লেল্লে, মোং চাল্লগা য়েংশবদদি মৈগী তুবেল ওইরমম্না অমক হেন্না কিনখ। লালফম থিবকপদ মৈন কাকম কাকম থংকখক্লবা যোংজাওগী মশ অশিব অত থেনক্লবদ অমুক হন্না কিখ্রনা মুনি মম্নামত্র কায়ম্না চেন্নব। অগ্রম অসিদি “তুঙ্গভদ্র মুনিগী’ লাইনিংকমনি মুনিদি মন্ত্র চৎখিত্তনা মতমম্দি লৈশত। লম অত্তদা হস্তিনাগী নিংথৌ “প্রতাপ না” মচা শন্তনবগী মহেবাক থাদোক্লুনা মন্ত্রিদা শিম্মরম্নগা লাইনিংম্না লৈরমই। মতাক্লা থোংদৌ অত উৎসদা নিংগৌনা হাংজখ, ব্রহ্ম সভানা তুংমন লান-লম থংচবত্তদি, মাংদা উব্রিবা যোংগী মশ, কৈনিবা অত্তদা শাংগ্রাকপিম্ন কিবিক্রম্ন। মুনিশিং লান থোক্লে মতমম্মদা লাইনা মকাশবাণী লাওবকই, মা অত্তু শ্রেষদ মা হল্লগম্ন বর পিরক্লু। অত্তু তাবদা মুনিশিংনা উপায় ওইনরবা য়োং অত্তদা বর পিবক্লে ; মডাং অমা ওইরো হায়খি ; হাংবগা ব্রহ্ম বাকাদগী শান্ত স্বভাব ওইবা অডাং মুনা অমা ওইত্তনা হিংলক্লে য়েংবদা শান্ত হুনি ওই তারত্তনা মমি “শান্তনু” থোল্লগা প্রতীপদা পীরম্ন মচা কদবদগী কংজবদা চরাশরম্না নিংথৌনা হস্তিনা কোঙদা হল্লগা রাণীদা শিন্নরে, অমসুং মচা কবগী হৌনবা মিরম পুন্নমক তৌদুনা লোকখে। হে-জম্মেজয় নিংথৌ মতৌ অদুম্না শান্তনু হায়বা অসি য়োংদগী ওইখিবনি। রারী অসি তারকপা মতাংদা। জম্মেজয় নিংথৌনা হায়রে, মহামুনি য়োংনা শিববদা, গঙ্গাদেবীনা কমদৌখিকপ মথা অমুক লিখিয়ু ? মনাই তাজনি ই।

মহাভারত লিরিবা বৈশম্পায়ন মুনিনা অমুক নীথি—গঙ্গাদি মহাদেবদা চৎতুনা হরাউ হরাউ, য়োং শিহন্নবগী রাবু শিবদা তম্থুরে। ইবু ওানা শাওরদুনা ন·শা য়োং হাংপদি রারোই, হৌজিক মহাক অদু মুনিগী ৱরদগী হস্তিনাদা নিংথৌমচা ওইনা লৈখ্রে। নংগী মরাদা মরম ওইদুনা, নংনা মী ওইরগা মহাকী সেবা, তৌকরো হায়খ্র, সিবগী সোইক্তরবা সিবগী য়াথং তারো মহারাজা। তাইবিরু রাশবা মতম্না নোংমা নাংমগী হৌখিবনা, শান্তনু হায়বা মচাইগুদো অদু মতিক চায়রদুনা, হস্তিনাগী যুবরাজ হাপখরে। মুমিং কয়ানিমুক লৈরগা মহাদেবগী য়াথং ইকাই কাইদনা, গঙ্গা দেবীনা পান্দমনিডাই লৈতনা কজরবী কন্যা অমগী শকল লৌরগা প্রতীপ নিংথৌগী সভাদা চংশিল্লে। অদু উবদা প্রতীপনা হংলকই, কন্যা নংবু মতম চাদনা মকম অসিদা লাক্লিববু কমা'না? কদাইদগীনো, নমিং করি কৌবগে, করি হায়নিংবা লৈবগে? কন্যা অদুনা খুমই, ঐদি অযনীসম্ভবনি অরামদগী নচ্চদে, ইমিংনা "অম্বুগা" কৌই; ইপুংশৈবগী মমি না শান্তনু কৌবনি, হৌজিকমক্তি কংদহনা লৈরি, মবমদি মমিং হেক তাবদগী ইতোমতা পুক্নিংন ইবুঙো মতোন্দা ইচ্ছা বরিগ্রবনি; হৌজিক্তি মহাকী খোঙ্গুল লীগ্রবকপনি। অসি হায়রগা ইকাই খুম্‌শি য়ায়দুনা, মাইপোং লুকথরগ! খোংবীনা লৈপাক্তা তক্লুনা লৈখ্রে। মীওচবগী পুক্তি হবডা কজরবী কন্যাগী শকলমহ উবদা; পাত্র মন্ত্রি ব্রহ্মসভা গুরুপুহনা! মিংয়ে অমত্তা ওইনা য়েংদুনা লৈনখি। কন্যাগী রাজ তাবদা প্রতীপ নিংথৌনা, মুপীমচা অমনা হুর্দি শোক্লা মপুরোইবদু নিংবমতৌনা, ইকাই ইকি হংশোঙ্লুনা তৌরকইবা মতৌ উবদা অপেনবা অমা ওইনা পোকখিদুনা; মচাইবুডো শান্তনু কৌহল্লুরে। মচাদা তুপী অংগী রাজম তম্মদুনা, তপানা কায়বা ইন্দ্র, কন্যা অসিগী নিংবা থুংহল্লু হায়রখি। তরজনগী য়াথং তাকপ লং হেন্দবা শান্তনুনা, মপাবু য়াথং ইন্দ্রে, অমত্তা মুমিং অহমক্তদা মন্ত্রিবচিংবা অমাখা প্রজাগা য়াওনা লুহোংবা। সনা লুপা দান কবা তৌখি। মতৌ অম্বুগা গঙ্গানা সবা তৌখি, শান্তনুবু রাজ্য অভিষেক পিংবগঙ্গ পাণী হাপ্লে নাংমদি গঙ্গানা হায়জখি নৈন তৌগবা থবক মতাবাজনা পিংবিগদু চায়রবদা; শান্তনু গঙ্গাগী পল্লা থুহম চনখিদুনা, মপান্দ তাংগৌ নৈনা থিডক্তবোই হাবনা য়াশকখি। ৫ শিপ রাণীগ পোইননা বন খিদুনা, পাইনিংবমা পঞ্চ-তিক দেহে থ দোক্লুন বৈকুণ্ঠ ফথি। মক্মখর লৈরগা অম্বুগা কৌবা নবেক্কৌদো গর্ভগী লক্ষণ ওইনে, অডনা মপুং ফাবদুনা থা ১০ মুমিং ১০ নি শুরবদা মচানুপা অমা পোক্লে। পোকপগা মী কনা উংলদুনা অম্বুগানা শান্তনুদমু তাকুমদনা অডাং শখিদুনা মুনিগী শাপকোক্লবা, ঈশিংদা লংথখিদুনা শীহনথরে। নিংথৌনা রাণীগী মতৌ অসিবু উবদা অরাবা ওইরখ্রু। মতৌ অম্মা মথং মথং ওইনা চহি খুদিংগী মচা ৭ পোকখি অহম ৭ মক অম্বুগানা ঈশিংদা লংথনা লানথৌখি। মাহুগী অওইনদি মথক্তা য়ৌখিবা অষ্টবসুগী রা লৈখিবহুনি। মচা নিপাস ওবদা পোকপা পুপা অমদি অকাপবা মী অম ওইরগনি অমসুং মুনিগী শাপ তাকুম্না মপাবুগী পিণ্ডদানগীদমক থর্ব বয়ংগ থন্দুনা লৈপাকী চক্লদা হাপ্লগা মথুম থুমংনা কিনা বোঞ্চশিরগ, নিংথৌদা হায়রমদনা। অম্বুগান পুখিদুনা বকন্দা হায়ক্রদুনা ঈশিংদা থাদখ্রু। রাণী হল্লক্রবদা শান্তনু নিংথৌদো মচাগী থহ্রবদা চিন্তা তৌদুনা কমদুনা লৈখ্রু। মরম অদুবু রাশক তাকপদগী নিংথৌদু হায়রে। ঈশিং নিংথৌ বকন্দা য়োকপিরগু হায়রবা অতাংদুবু

শিল্লরবনি ; বরুনা লৌশিন্নুনা ঈশিং মপুংদা য়োকখরে। বসুনা পোকপা ওইবনা অঙাংগী শক্তি লৈবা মীওই মীতৌ মপুং ফাব ওইখে ; মমিং সত্যব্রত খোনখরে। পুন্য চেম্বা, মীবু য়োকপা পাপ চেনববুনা মাংহনবা, অমস্নুং ধর্ম ঙাকপা অংশোনবা মীবু য়োকপিবা, নাপলবুনা নৈনংপা, হায়বসি লাইগী মখোনি। হায়খিবা রাদা অরেম্বা, মীমম্ববুনা তিন্নদবা, অচুম্বা চংপা মীবু চানবীবা মালা তৌবা কর্মনা মপাম্না মহৈ কংজবা, অসিত্ত্বু শিমবিবনা লাইগী মখোনা হায়বা অসি লেংখ্রবা শাস্ত্রগী বচননি। মরম অদুনা চন্দ্রবংশগী মঙণ লৈবা অমস্নুং পুন্যগী লমজিংবা পৃথীবীদা কাওরগদবা উদুনা। অতোপ্পা মচাবু হিংহনখে। মতৌ অসুম্না গঙ্গাদেবী নরভোগ চাদুনা। শিবগী শাওগী লৈবনী, অদুগী মতুংদা লোংমা লোংমা হৌখিবনা মহাদেবনা হায়রকপা চহি ভরানিখোই ওরকখি।

লোংমদি গঙ্গানা শান্তনুদা অপেংবা হাবদাকখি। ঐদি জাহ্নবী গঙ্গানি শিবগী শাওগী চহি ভরানিংনাই মী ওইদুনা ননাক্তা লৈরবনি, হৌজিক নুমিং অদু ঐ স্বর্গদা চংলগে। বা অদি তাবদা শান্তনুনা হায়খি এঃ অদুদি ঐদি করম্না লৈহৌগনি। অদুগা ইচা থারাম্নু অমত্তা লৈত্রি. ৮ পোকপম্নু লোইনা শিংখ, হৌজিকস্নু চুপী লৈত্রবা মুপা অমা ওইরবদি। সংসারদ লৈরদুনা কারগে। শান্তনুগী রাগায় অসি তারবদা। মখুক ভম্না সত্যবাদি ওইবদু উদগা। গঙ্গাদেবীনা মুংশিরদুনা হায়রকই, রারো-বিগম্নু মহারাজ। ইবুঙোদা মচংদি ঐনা পীরমগে লেংমিন্নবসি, মাংখিবা শিখিবা ইচাশিংদগী অমদি মকম অমদা ঐনা থএলিয়ে। অদি তারবদা মথ অমতদা নিংথৌ অমস্নুং অদুগা অনি ভোংনো লেংখোকখে। কম্নামরুম লাপ্পা চংলগা গঙ্গা (তীর্থ) মপান ইবেন অমগী মনাক্তা রথ থাখে। গঙ্গানা হায়—মহারাজ ইবুঙো ইবেন অসিদা নচাইবুঙো অমা লৈবনি, কুমথবিদুনা লোখংপিয়। রাহু তাবদা হয়োউদুনা কুমথকবদা ওহোৎওা অকিবা মকম অমা ওইরগে। অমস্নু ভোর্ব্বান্দা কাখংলগা মহাবীর অদু উবদা মাসিদ ঐ চংবা ওয়োই হায়ররে। শুক্রবা ইবেন অসিগী মচংদা খুৎস্র-খুৎলাই লোইননা প্রতাপ চাওরবা মুপা অমদি লৈহৌবা হায়খি অডাং অংদি বরুন মিংথৌনা খুজু খুংলাইনচিংবা অম্বাম্বা বিদ্যা তম্বীদুনা থমখৎবনি। সপ্তম অদুদ মহাক্র বীব বেশ শেংতুনা মনমদা হেন্দোং পো, খ্বাংদা ছুরি ফুম, খুৎতা শীকংতেন পাইদুনা ভেনগা থাং শরকনা লৈরকই। শান্তনুন চিংনবগী মতৌ অদু উরগা গঙ্গা দেবীনা হায়রকই, মহারাজ লমিবা নিপা মচ নচ ইবুঙোনি। হৌজিক নচাচ ঐনা লোখৎচকগে হাবদুনা কুমথখৎগা, মমা মচা বানী শান্নবগ পুখ ংকুনা শান্তনুদা পিরমংব, অমস্নুং ৮ পোকখিবগী অভোপছনি হায়না তাকখি। চংখোনবা মশক মতৌ য়েংবদা মগুনা গম্ভীর ওবা মিংনা কম্না য়েংবা ওমদবা লৈচিন মর কুগী প্রমিংনা থোক্লকপগুম্বা শ ৫ম অদু উবদ, নিংথৌ হরাওবদা পান্দম লৈখিরে। গঙ্গানা হায়খি মহারাজ নচা অ সদি "দেবব্রত" কৌবনি, লুনা তৌবিয়, মহাকথক্তা চন্দ্র বংশ লাম্নগনি, মমিং তাংদা পৃথীবী পুরুষং কিনবগনি। পুন্সি শাংগনি, লাইথুংনা শিরোইদোবনি। গঙ্গানা মচাদা তাকই, দেবব্রত নশাবুঙনি ঈচাদি নপাবুঙ্গা লৈহৌরো ইযানি চৎলগে। শান্তনুনা হায় ইচা অমতং ভাইবদি লৈতবগা অম্মানি। কদাইদগী ইচ অমুক ফংগনি। গঙ্গানা হায় হে ইবুঙো পোৎ অসি লৌগৌ হায়দুনা

মোইবুং খুজি অমা পিরে, অমসুং মহূগী মরম হায়রকই, খুজি অসিনা চপচাবা মপী রাজকন্যাহ্ গঙ্গা ঐগী শায়োমী মাহূনা মহারাণী ওইবিয়ু; ঐদি চৎলগে। মমাব' মপা নিংথৌ বিদায় তৌরম্লগা চৎথি-গ্যদৌরিবহ্ উবদ, দেবব্রত মমা কাইনখ্রনি খনবদা মমা মুংশিব প্রেম্না, দেবব্রতনা মমা কাইনরম-দাইদা। কিন্তৌ পাইহূনা কপ্না কপ্না হাররক্লে। ইম চৎখ্রবদি কনাদ ইমা কৌহৌগনি। ইমাগী হূবুডো মুংশিবা নপাবুংদা শিন্নরিবা খুজি অসিনা; থিবদা অচাবা মপী অহূ নবা অশেংবনি। ইমা-মক্লি খুহ্ হায়রনা শিন্নরগা; মচাবু কোন্দুনা লাইবক্তা' চুম্লগা' মমা মচা হিক্লা হিক্লা কপ্পুনা বিদায় তৌনরগা। গঙ্গাদো চৎখ্রে, (অন্তর্ধ্যান) ওইখি।

গঙ্গানা হনখ্রবদা, শান্তনু নিংথৌ মচাবু কোন্না লাইপক্তা চুম্লী; মথদা তোংমিন্নবে অহূদগী লাইবক সবা শান্তনু নিংথৌনা, মচানুপাবু পুনগা হস্তিনা কোম্মু'দা হল্লক্ল। অমসুং মন্নিনচিবা কোম্নুংগী মী পুম্নক্তা মচাগী মরম থহল্লে; হরাউ কুম্মৈ কয় তৌরকই ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব ম'চংবদা, দান কয়ামকম তৌখবে। অহূনী মতু'দা শুভদিন যেংহুন বিহ্ন ওম্বা হৌ'ম্র, লাইরিক লাইশু, খুজ খুৎলাই চংথৌম্না হৈরক্লে, মী পুম্নমক্তা থাগংনখ্র। অতমস্ন পেম্নবো ম'হম্রু পবরা নৈবা "শ্রীপবশুবামদা" শিন্নহূনা খুৎলাইগী বিদ্যা তম্খিন্নি. মীওইবগী অথোইবা অমা ওইখরে। বিদ্যা তম্ব। লোইরহূনা গুরু দক্ষিণা কংলমদাইদা "পরশুরাম্না' মুংশাবিহূনা, মক ওইবা খুৎলাই-মচিংবা কয়াম্ন শিন্নখি। অহূগী মতু'দা হক দক্ষিনা কংলম্নগা হস্তিনাদ হল্লক্ল। মচাব যুবরাজ হাপখ্রে শান্তনুনা গুরাইখিবদি হ'যনিডাই পান্দম লৌখিন্ত্রে; তৌইজ্ঞমসুং রাণী য়াওদনা নিংথৌ ওইবগী চিন্তা অমতংদি নৈরিবহ্ মডাইরে দেবব্রতনা ভারতকী নিংথৌ পুম্নমক্তা পত্র থাহূনা মচা কন্যা নৈবশিং; ঐনা চেংঙথিনী ঐগী বা তাত্রিমইথ থাজব য়াত্রি হায়না পাওজেন থংহনখ্র।

মোংমদি রাজদরবারদা অইতেগী বা য়াওদনা রানী থিবগী মবমদা খরখি। মোইবুং খুজিনা থিবদা লেপ্পরহূনা মোংমা মুমিং অমা লেপ্পরগা "দেবব্রত" য়াওনা লম খুদিংদা খুজি অহূ চাবা কন্যা থিথরে। অমতা নৈখিত্রে, অহূগী মরমদা শান্তনু নিংথৌনা চিন্তা তৌখি! খুজি চাদবহ্ থাজবা য়াবনী হায়'দাক্লসী। মহাভারত আদিপর্ব্বগী বারী মতাং অসি তাজবদা পুন্য ফংজনি। ইতি।

অধ্যায়ঃ—

পদ্ম গন্ধাগী—

বারী মতাং ॥

বৈশম্পায়ননা হায় তারো রাজা জন্মেজয় হস্তিনা রাজসভাদা নোংমা ঋষি নারদা থ্ংজরে। নিংথৌ মথুংমক্তা ব্রাহ্মণ লেঙ্কপগী মতিক চাবা সেবা তৌখি। নারদনা হায়রকই শান্তনু নিংথৌ নংনা নমাই মকশিল্লিবা কৌরিগনে? শান্তনুনা খুমই— ঋষিবরবু নংনাই ঐগীদা অরাংপা অদা লৈরে মুনি। নারদনা কন্নো হায়রু? নিংথৌনা হায়ই পাটেশ্বরী রাওবগীনি মুনি। মাবদনা হায় উম। কন্না বানী থিবি হায়রক্লবা? অহুদি ঐ হায়গ তাও। "ধীবর রাজা ভুম নিংথৌগী মচানুপী পদ্ম গন্ধা হায়না কৌবা, থমবাল মনম নমবী অমসুং মশক মতৌ কজবদসু মতম অমিদা মাগী মানবী ফজবী লৈরবী; কন্যা অমা ভুমগী থুরংদা লৈবনি। গঙ্গানা পিরমবা থুপ অহু সংতোনদি চাংনি, কন্যা অহু লৌকখুনা বাঁ হায়রু। রাণী রাওদনা নিংথৌ পানবা হৌনদ মাত গঙ্গাগী শাখ্যান্নী মতাংদ। এনা মংবু মুংশিহনা মাহুবু তাকে লাকপনি; হৌজিক ঐ হল্লগ ওংবরগ মুনি লেউথয়।

অমা অদা লৈত্রবা মীনবব রাংভাংদবা নারদগী বাদগী; শান্তনু নিংথৌনা ভুম নিংথৌ "দাস" বাসাগী যুম পিবংগ্র থুঙং অংগা য়োনমনাদ লাইগী নোংদমদগী; দাসগী মচা পদ্ম গন্ধা অহু যমুনাদা ও লানবী অমা ওইনা, অশোক অনা, ব্রাহ্মণ, বৈষ্ণবনচিংববু যমুনাগী মাক য়েংবা লাল্লাকপিহনা লৈবা অহু উকনা। মশক মতৌদা মাগী মতমদা শাগুমবী অমা লৈত্রবী শককম অহু উবদ; শান্তনু নিংথৌগী পুৎরং হুখ্রে। অমসুং লংথাক্লন চংপা ওমখিগ্রে নৈমিষা বন্দা রারী তারিবা শৌনকনা হায়বকই, সৌতি — পদ্ম গন্ধাগী রারী লিথো, কমদৌনা গঙ্গাগী শক্তিনা পোক্লরিবনো? সৌতিনা হায় মুনি মতাং অসি বৌরকপদা, ভারত তারিবা জন্মেজয় নিংথৌনা লৌরিবা মুনিদা হংখি কমদৌনা শুক্রগী জাং ভুম মহাক, অহুক কজবরী বেদ থংলবা অহুবু, মচা ওইনা কংলবিরনো? অংগী মরমদা অদুক্কা লৌবিরমখো। অমুম্না কজরক্লবদা, রারী লিদিথা বৈশম্পায়ন মুনিনা লিখিবা রারী অহুবু; সৌতি এনা শিজরকে তাবিযু মুনি সভাবু॥

বৈশম্পায়না লৌরকই তাও জন্মেজয় নিংথৌ, দ্বাপর যুগা "পরিচব" কৌবা নিংথৌ অমা লৈরমই। ধর্ম চেল্লি, সত্য লৈ অমসুং ইন্দ্রি খুহুম চনবা, মুপা অমনি। মাহাক্না মতম অমদা উকু শেং ওটা পুহনা, অকনব তপ তৌখিবমই। ওলা থা, নিংথম থা, পুয়মক অরাবা থাংহনা তপ তৌবদা দেব রাজ — শোরারেনা অকিবা পোকখি, মরমদি তপকী মইহনা মথৈবংদা। দেবরাজগী খুবম ফাও শিরগত্রা থরি শোরারেন লাকখনা মথুংমক্লা ছত্র খানবিহনা; "চেদি" লৈবাক্তা অভিষেক তৌহনা নিংথৌ হাপপিরমই। রাণীদি পরিচরনা নোংমা চৌংথোংদা শযোনি সভবা—(মমাওইবীগী জরায়ুজদগী

পোকপা নংত্তবী) কন্যা অমা ফংলুহুনা পুবরগা প্রজাদা পুহোংহুনা মহারাণী হাপখি। মতম কুইনা পাদকপদা মচাদি পোক্তে। মচা কংনিংবনা যজ্ঞ দান করা থোইই। মোংমদি স্বর্গদগী পিতৃ লোক-শিংনা আকাশ বাণী লাওরকই। পরিচয় নিংখৌ নংনা পিতৃলোকী অর্ঘ দান তৌদবনা, পিতৃলোক ঐখোই লৈবক্ত ওমজে, স্বর্গগী তোক করিওবা অমত্তা চাবা ফংখিজে। মরমসিন মৃগ মাংসনা ব্রহ্মভুজন কংগ্‌ মটাংদু কর্গনি। আকাশ বাণী অসি তাবদা উচ্ছ্ব কংকে হায়হুনা, নিংখৌ অহু মোংমী লাম্নী কর্মাধুকা মৃগদা চংলি। মতম অহুদা কোম্নংদা লৈহৌখি রাণীদি ঋতুগী মতম ওইহৌরি। মশক মঙৌ কঁজবা রাণীবু লংখোকপা মতম চাদনা নিংখৌ ঐ শাংক্লদা খন্দুনা। লি শিংলুবদগী ইথং থংহৌদনা মশাদগী হুকচাংগী মচি ওইবা থাবা পৈকেপা উদ্গা পোংশক অদু (অমখামৃত) মরিক অমিদং লৈপাক্ত ওঁথে। মতম অহুদা মিংখোংগী (শিকাড়ি) ওহোক্লা কৈ-শিংলবা উচেক খুর থরং অমা মাওরকই ; শ্বীর্ষ্য অদু খুংত্তুনা উমাদ মোম্লগা ঐগী রাণীদা পীরবো হায়না থারক্লে। বীর্যা মরোম মচাহু মরাবা চিক্লগা শিকাড়ি খুমুখংহু অতিয়াদা পাইখি। উচেক অহুনা পাইরকপহুবু আকাশদা অতোম্পা খুহু থরং অমদা অতাংপোং ওইরবোই খন্দুনা পাইশিনক্তুনা থৈন, চিক্ল, ফুনহনা মুরবদা। বীর্যাহু তাখে। ঈশিং ইরাইদমি, তাখিবা বীর্য্য অদুদা গঙ্গাগী শক্তি অমা চংখীহুনা তিমখি। মাছব থীকা কৌবীদি কগোই শাবীনা মুনিগী শাপগী তা-ওন্দুনা লৈরমই, "লেংবাণী" মহাক্লা বীর্য্য অহু মোংথে। তা অহু গর্ভ ওইখি, ভুম অমগী জাল খোনবদা ফারে মঙ্ক কংবদা অমম্ব মতিক চাবনা চাওরীবা ওইখোক্তবা উবদা ভুম মখোইগী নিংখৌ দাস বাজাদা কংলুরে। মওং অমানি হায়না লেন্দুনা য়েংলুবদা অতাং অনি নুপী অমা, মুপা অমা লৈরমলে হিংই। দীর্ঘাকাদী শাপ লোইখিহুনা লাইগী লৈপাক মোথরে।

ওইখোক্তবা থৌদোক্তি হায়হুন ভুম নিংখৌ দাসনা। চেদি রাজা পরিচয়দা কংখি মচা কংদহুনা লৈবগা নিংখৌ অহুনা হয়াওবতা ওমখৈ লৈখিদে। অতাং মুপা অহু লোইচৈরগা, নুপী অহুমা দাসরাজানা মচা ওইহুনা মোকখি। গঙ্গাগী শক্তিনা ওইবিবনি তাহিং নথা মরমদগী "মীন গন্ধা" 'মৎস্য গন্ধা" হায়না মখিং থোল্লি। নুপামচা অহুদু মৎস্যরাজ কৌখি বিরাট হায়বক্ত কৌই, ধীবরগী মচানি হায়বদি অসিমি। দাসরাজানা মচা ওইহুনা মোকখিবী কন্যা অহুদি তাগী গর্ভদগী পোক্লকপগী ভাহিং নখা অহু কোক্তুহুনা, মখিং মীনগন্ধা কৌরিবী মশক ফজরবী কন্যা অহু চাওরক্লবা পাওবদা ভাহিং নথা কোক্তুবন মনাম্নবী মীরক তিমবা রাখিত্রে। দাসনা মচাগীদমক কয়ামকম খড়ুরগা যমুনা তীর্থদা হাই হৌনবী অমা ওইহু ১। অয়াকপা মী খুদিং ঘাট লাম্নোকহন্দুনা থমথে। মরংদ ব্রাহ্মণ বনাব সাধুগী কৃপাদগী নম .কাংপ যাই খন্দুনা। যমুনাদা কৈবর্ত্তিনী ওইহুনা লৈহনখীংনি। ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব অ সুং তীর্থ যাত্রিক লাকপা মমল লৌদনা লাল্লি।

নোংখদি শক্তি মুনিগী মচাংপা "পরাশর" লাকুনা মকম অহুদা থুংলরে। কন্যা অহু উবদা ফজমধহুহুনা, মুখি অংগী মুকিং হৎহুনা মহাকী অশেংবা পরিচয় তাকখি ; অমসুং কন্যাগী পরিচয় হংখি। কন্যানা মোহ্‌রা হজেচ্ছে, ধীবর দাসরাজগী মচা মুপী ভাহিং নখিনী হায়খি ; মুনিদা বর

নিজবদা তাহিং কোকুম্না থম্বাল মধম্ নমখে । অমুকনীদি "পদ্ম গন্ধ" হায়না মমিং মীয়ায়া কৌখ্রবনি। মতম অমুদা মুনিনা কন্যাগী মশক হেক উবদা অহানবমকুলগী। কন্যাদা পূক্নিং থমখ্রবনি। মমুনা তোর্বাল্দা মী য়ায়া লৈবা মরমদগী। মুনিনা সমুদ্র নিংথৌদা য়াথং পিহুনা, খুদক অমুদা ইয়াইদা নোং অনৌবা চুবমলাইগী মচিল লুকথরকপদা ওইখত্তয়া। মুংনা য়ৈশিল্লবা লৈচিল্লা দ্বীপ ওতনা মমুশিনখি, ময়াইদা পরাশর অমস্তুং পদ্ম গন্ধা লৈখি। অমুদা থার পিখি, সিজ্জিগী মতম, মিকুপ ১০ দা থা ১০ গী মপুং ফারবা গর্ভ ওইহন্দুনা, কন্যাগী মচাণুপা অমা পোকখে। অতাং অহ্ন মতামগা লোয়নবা "কৃষ্ণ বর্ণ" মচুনি, পাম্বোম চোল্লি; পোকপদা যৌবন ওইরবা মখোক কারকপা পাথংঅমগী শকতম ওইখি। ঈশ্বরগী শক্তিনি, মমিংদি :— কৃষ্ণ বর্ণনি লৈচিল্লা কোইশিল্লবা দ্বীপ অমগী মংদা পোকপদগী (কৃষ্ণ+ দ্বীপ+আয়ন) কৃষ্ণ দ্বৈপায়ন লৌখি, মতুংদা বেদবু বিভাগ শরুক লেংথোক পূখোল্লবা মথৈথংদা বেদ ব্যাস হায়নখিব্রবনি। বাদরায়ণ হায়নসু কৌই (বেদ আয়ণ) বেদবু গর্ভদগী হৈহুনা লাকপনি অমসুং কৃষ্ণগী শক্তিনা বেদগী অচুবা অর্থবু কোংদোক্লবগীদমক পোক্লবনি; হায়বগী মরমদগী ব্যাসবু বাদরায়ণ হায়না কৌবনি। পোকপগা রা তাংতি, মথাদা ইমা লৈবোয়ো কন্যা অমা ওইনা অমুম লৈখিজৌ কনাংগুমদা হায়দোকপিকগনু ঐদি চৎলগে। ইমাথা অয়াবা তারবা নত্রগা কাময়মদাইদা মচা ঐবু নিংশিং-থিরকউ, হায়রয়গা চৎখিহুনা "বদরিকা" কৌবা বন্দা লৈখে। পরাশর পদ্মগন্ধাদা বরপিবমই, ইবেমা মহাক্তি নিংথৌগী য়াণী ওইবা ফংজৌ নচা থাবমু ফংজক অমসুং নংগী হকচাংনা মপুন্দি চুয়া মরোং তাগনু মহা ওইবগী অনৌবা শকফমদা ওইহুনা লৈজৌ হায়রমগগা মুনি তোর্থদা লেংখ্রে।

বেদ ব্যাস পোকপগী অধ্যায় মতাং অসিদা লোইরে, ভারত অসিগী য়াবী অসি তাবদা পুন্যং মপক্কি। ইতি হরিবোল হরিবোল হরিবোল।

অধ্যায়:

শান্তনুগা পদ্ম গন্ধগা লুহোংবা মচা অনি পোক্লগা

শান্তনু নোঙ্গাথিবা বারী মতাং।

অহেরয়না বারী হ্রাইরে, মহামুনিগী কৃপাদগী মথাগী য়ারী তাহনবীরো, মুনিনা হায়। তাও হে নিংথৌ শান্তনু নিংথৌনা পদ্ম গন্ধাবু উনবদা কন্যাগী য়াদগী মপাবুং দাস নিংথৌদা থেবাহার তৌবা নচা পিবু হায়রুবদা, দাসনা হায়খি ইচাগী গর্ভদগী মচাদা নি থৌকম পিবিরমু। শান্তনুনা দেবব্রতগী থম্মুনা য়াথিদে। হস্তিনাদা হলরুগা স্তুমিং কলানিমুক চিন্তা তৌখি। "দেবব্রত"না মরম থিবদা মন্ত্রিগী মচিল্লগী য়া থম্মুনা দেবব্রতনা মোইবং খুজি পুহনা রথ তোংলগা দাসগী মনাক্তা য়োখি। চংশিন্দুনা তুম নিংথৌদা নচায়পাবু ইমা ওইজগে পিবিযু হায়খি। অগাংবদা পোং অমতং ইমা ওইগদৌবিরী

অহুদা খুদম য়েংজখিগে চানরবদী পীবিনবা তৌবিয়্। দাসনা হায় য়েংবিরু। যুবরাজনা থৌইদুং খুজি পুরকুনা কন্যাদা হায়জহনা শিজিনবদা চপ চানরে মধরাইনা পানা মথুংদগী থৌজনা পিজিনখি ! খুজিহ্ চানরে।

গঙ্গাগী মায়োম ওইব পদ্ম গন্ধাহ্, "বাসন্য" প্রেম হোরকখী চিংনা য়েংই, যুবরাজনা খুজি চানববদা কন্যাগী মখাং কোন্দুনা হিক্লা হিক্লা কপলক্লে। ইমা। ইমানি এনা বিবা কুইরেদা ইমা। নহাল মখে কদাইদা চংদুবগে, ওসিদগী নচাবু লৌশিনবায়ু দেবব্রত নচাবু নিংশংবয়ু হস্তিনাগী যুবরাজনি। রা অসি তাবদা পূর্বভাব নিশিংহুনা পদ্ম গন্ধানা ইমাগী ইবুঙো হুংশিবা ওসিদগী নহাকপু থাদোকপা ওয়রোই মরম অহুনা নহাক্না হপা নিংথৌদা হায়জক। ইপাগী মাথং মতুং ইমগা ইমা-ইচা হস্তিনা য়োরসি নপাবুগী সেবা কনগে দেবব্রতনা চংগুনা ইমা ওইগে ইপাদি হস্তিনা কোয়ুংগী শান্তনুনি হায়জবনা দাস রাজানা হায়, কাংগোক ইধুডেচা নপাবু লাকমে, এনা হায়জবহ্ ওমদহনা চংথুবনি। দেবব্রতনা তাকশিয়ু এডোন্দা, দাসনা হায়, যুবরাজ হচাগী মচাদা হস্তিনাগী নিংথৌ হাপ্লীয়ু হায়জবদা নপাবুনা যুবরাজগী থন্দুমা য়াথিহ্রে।

দেবব্রতনা হাই, মপোক অসিমগী এন্দা নিংথৌ কম ওইগরোই সত্য। ধীবরনা হাই, থাজদে মচা হাওক্কা সোক্ত তারেকসি মরম অহনা ইন্দা মিংথৌকম লৈগনি নিংদে। যুবরাজনা এম্না হায়জবা রায়ম অসি, এনা পিতৃগক শাক্তি প্রমদনা বাশকখে এগী থম্ব অ স তাকপায়ু। রা অসি তাবদা কৈদা, "দেবব্রতদা" ইপা হায়বা গুকদি মতিক চাওবনি, ইগা ইমানা পেলগা লোইরে সংসার অসিদা ইমা ইপাদা পেনবীবগী মহৈদি গ্রমিং থানা লৈরামখে মহে মাংদে হায়, মরম অদনা তাবীয়ু ধীবর রাজবু সত্য মত সং কোবা লাইনা শাক্তি ওইরসয়, লৈবাক, পৃথী আকাশ হুমিং থা, অমধা অতানবা লাই থিবিক্লা শাক্তি ওইবিশৌ — সত্য — সত্য হন্দকা মপোক অসিদা ইচা থায় পান্দনবা য়ুম পানথরোই হায়হুনা অকনবা বাশক শকুন লেপখে। মমা অমস্তুং মপাগীদমক খল্লুবগী ভগতনা ওমকত্রবা বাশকপু দেবব্রতনা লায়না শকথী।

যুবরাজগী রা অহু তাবদা মী লাই অতাব থিবিক্লা নিংখি, অমস্তু আকাশ বানী লাউথখি। অকিবা বাশক। শকপা "ভ"+ভয় অকিবনি, মশম অহুনা ওসিদগী যুবরাজ নংগী নমিংদি "ভিম্ম" কোবা ওইরো অমস্তুং পদ্ম গন্ধানা সত্য তৌহুনা লৌবদগী সত্যবতী কোহুনা পাখুরো। লাইনা দুন্দুভি বাজন্তোরে, গন্ধর্ব — কিন্নরী পুষ্পক ওগোই শামথী লৈমা নোং চুবগুম চাইথরকথী।

ভীম্মগী বাশক অমস্তুং আকাশ বানী তাবদা দাস নিংথৌনা মচাবু পিবোক্লে। যুবরাজনা মথদা পুংনা হস্তিনা য়োরগা মন্ত্রিনচিংবগা লোইননা সত্যবতীবু শান্তনুদা পুখোংখে অমস্তুং রানী হাপক্লে। শান্তনুনা ইকাই ইকি লৈতনা মচাবু পেনমথওহুনা হরা দরা কোনবিথি অহুগা হায়রকই। মচাবু য়োকপা মপাবু মপা কৌই, মপা নিংবা মচাবু মচা কৌই। হায়না হন্না হন্না থাগথখি। দেবব্রতনা বাশকখিবা ব্রহ্মচার্য্য পালম তৌখিবা অমস্তুং সত্যবতী লোনখিবা, দেবব্রতদগী ভীম্ম

কৌথিবগী রাণী তারগা অমুক হেন্না অত্তকপা অকিবা, অপেনবা জিন্নথিদুনা মচাবু খুজেং পায়দুনা লায়খি, ইপাগী মনি ওইরবা "ভীষ্ম" ইপাবা কয়িনা লমম ওইগনি, ঐনা লায়গদবদি :— অগবা নংবু অমকদবা ওইরসনু, ইচাদি অগংনা শিবগীদমক কিবমি। ইচাদি শিনিংঙ্গিয়বথে শিগনু (ইচ্ছা মৃত্যু হও) হংনা শিনিংঙবা কান্দা শিবা ওইবু হায়না বর পিখ্রে। অদুগী তুংদা নিংথৌ — রাজা মুনবাজ খুৎতাইনা হস্তিনাদা পানখ্রে। শান্তনুগী ঔরসদগী সত্যবতী গর্ভ ওইদুনা থা তবানা মপুংফারবদা মচানিপ অমগা পোক্লে মচানুগী মমিংনা চিত্রাঙ্গদ পোক্লে, মথক মতৌ ফজবা মগুণ লৈ। মতম খর অমুক লৈরগা রাণী গর্ভ ওইরন দশমাস সম্পূর্ন ওইরবদা, মচানিপ অমম্মু পোক্লে; শান্তনু মচাগী মমিং বিচিত্রবির্য্য থোক্লে। শান্তনু মতম থরগী মতুংদা আয়ুঅন্ত ওইরদুনা লোপ্লাখ্রে। ভীষ্মনা মনাও অনীবু লুনা চান্না য়োকনা লাংথিক হৈহল্লি ক্ষেত্রিগী ধনুর্বিদ্যা মাতিক চানা হৈহল্লি, চিত্রাঙ্গদবু শীয়না থাজা অক্তিংমক পিরে, হস্তিনাগী নিংথৌ ওইরে। চিত্রাঙ্গদ প্রতাপ চাওরবা বিজয় হৈবা নিংথৌনা, তে থান থাপ্প মাওদা উটমবিসং চংলি। ভাগতকি নিংথৌ লোইনা ভয় হৌরকনা, পৃথক মাইকৈগী নিংথৌ লোইনা ভয় তৌরকপদগী ইবাবতী থোংবান্দা স্বর্গগী চিত্ররথ গন্ধর্ব লানথংনবদগী, দিবিঙয় চংলকপগী চহি ১২ শুবা কুমদা, চিত্ররথগী মখুত্তা চিত্রাঙ্গদ শিখে। শ্রীব্যাসদেবনা হাকচাংগী, ভচন, কম্ম তৌবগ মনাও হোৎনা বিচিত্রবিয্যদা নিংথৌ হাপ্লে। ভমগী শক্তিনা লৈপাক ম্বংনা পাল্লি। ভীষ্মনা মনাওগী রাণী হাপকে খল্লকপদা, কাশীরাজগী মচানুপী অহুম পুলপ ইশাংবগী সয়ম্বর তেবগী পাও তাখে। কন্যা অহুমম্ত পোকনগা মনাওগী রাণী হাপকে খল্লুনা; সয়ম্বর মুমিত্তা ভীষ্ম সানথাবু রথ সাজ্ঞন তৌদুনা, লিকং তেপ্লাং থুংম্ন থুংলাই লোইনবগা, রথনা কাশী লৈবাক যৌরকে। সয়ম্বর মাণ্ডবকী তোঙদা রথ থাবগা কন্যা পুথোরকপা তাইদুনা লৈখে। নিংথৌ সভাংগুনা কন্দবদা। কন্যা অহুম পুথোরকপা সভাতক্তি কংলি, সভা মাণ্ডব ময়াইদা মপুংবোইবা থনগদবগী চত্তৌ। তাতা অচদা ভীষ্ম চত্তক্কনা, সভা মথাইদগী কন্যা অহুমম্ত শাংনং পায়দুনা চিত্তী, মংচমদুদা ভীষ্মন ফাবদগী নিচাই তৌদুনা নাম্মোকই। ভীষ্মনা কন্যাদুগী থুদাং পাইশিন্নগা নমদুনা চিত্তং, কন্যা অহুমক বথদা হাপচংগে মচেমচদী লম-কেল্লী হায়দুনা পুনশিনবীগে; মনাও অনিত্তদী ভীষ্মগী গুন উবদা কিজংনা নিচাই তৌজখ্রে। ভীষ্মনা রাজসভাদা হায়রকই, তাবিয়ু রাজসভা ঐনা ফাংবা কন্যা অহুমসী, ইনাওগা রাণী হাপকে তৌবনী য়ানিংদবা লৈরগা খুলাক পায়বীয়ু, ক্ষেত্রীধর্ম্মগা লম্বা তৌনবগা ভয়ে কন্যা মুনবিহৌ। ঐ চেন-জরোই ময়ামগী মাংদা নমদুনা ফাবনী ঐনা কন্যা পুরগনী হায়না লাওনা হায়রকই। রাহায়সি তাবগা নিংথৌ মরামদু, কনানা হায় উসিংমন্দ ভীষ্ম হাংসি, কন্যা মুন্সি, লাপ্পা থেংনসি,- ভীষ্মগী গুণ থংদবশিংনা অম্রম্মা হায়নরকই। ভীষ্মবু থংবা লুচিংবা নিথৌশিংনা -হায়; কারবোই ভীষ্মদা নত্তক হায়গংলুবু থরাই মাংজনী ঐথোইদি লাখা ঙমক্করোই রাক্মসি তাবদা লাওনম্বা মরামদু কিমদুনা মরু লুকখী। হা ভীষ্ম কন্যা পুথ্রা ঐথোই নঙ্গা লথা নৌরম্মাই রাজসভাগী রাসি তাবঙ্গা ভীষ্মনা রাজসভা রারৌবিশনু ঐ চক্তরগে হায়বম্মগা রথ থৌরকই। লমথাংদা শাথনিংথৌগা ভীষ্মগা থেংনরে, কাশীরাজগী মচানুপী অহুম অসী মমিং ১। অম্বা, ২। অম্বী ৩। অম্বালিকা

পাণ্ডুবা কুন্তীনা হায়রকই মুনিদেব ঐগা শকপায়রবী। ইচেম গন্ধারী কৌবা অমা লৈ; মা ওইরবা ভারে। মসি তাবদা মুনিনা হায়রকই কুন্তী নংনা পাণ্ডুবা ঐনা শোয়রথ বননি; মাচ ইপা মাবে। অদুগা নংগী খুদোপ মাইয়োইবা হুথি ঐবু মরায়বা সিবদুদি তৌগনু। ইপাদি লৌদে। কুন্তীনা হায়রকই মুনি ঐনা হায়রবদি মুনিমু হকচে হায়রদুনা য়ানিংগনী। অম্মা খুদোপ মাইওইবা মায়বনী কন্যক ঐনা গুরুদেবগী সেবা তৌরবা অসি, শোরগনা শাপ কংগদৌরীবনি, সেবা শোয়রুগা বর কংগদৌরীবনী য়াকংসি লেপখুবনি। অদুবু পিরবদনা লেংথিরমইবনী। অমগুং যেন মথা হায়রবদি, কোয়া থাংবা য়োনবু নত্তে। মন পুক্কিংগী মথা চিত্ত থম্মায়রমুংদা মুনিগী মাবংনা হায়দোকলকপা বরত থোকউ হায়রবা থোকপা খুদোপ মাইওইবা অমা কংজরে মিংচুনা লিচুনা থমজবনী। অদুবু পীরমদনা চংলবদী শুবানবা নত্তগা? কুন্তীগী য়াহায় অসি তাবদা দুর্ব্বাসা মুনি পেনখ্রুদুনা হায়রকই। হে কুন্তী চুম্মে ই শুরায়রবায়ক্কী ইশানা য়াওরে হৌজিক্তি ঐ পেল্লে নংদানিবা নত্তনা ঐনা বর পিরগনি মীনমত্তনা বর কত্থিবা। গন্ধারীভু মচা চামা পোক্লগনু। নংদি য়ায়া পোক্লগা য়োকপা য়ানবনী। শুগ চনবা নচা নিপা ৫ দং পোকচৌ গন্ধারীগী মচা ১০০ চু লামকনদা নচাগী মথুত্তা তুয়াশিনগনু। ঐবু কন্যক মংনা লাকখব শুথাঅসি ঐ পেলে; মদী নচা অমদি মীপুয়মকপু ভাংনবকপদা। মাদমা শুগা ওইসগু। অদুগা কুন্তী নংনা হায়দোকলকপা মাইং থুদিংমক। লেপ্পা মাংদবা ওইসগু। মুনিগী বর অসি তাবদা কুন্তীনা হায়রকই কবিরানে মুনি ইচেগী মচাবু ঐগী ইচাগা য়েক্কহনবা পাম্মজদে।

দুর্ব্বাসানা হায়রকই কুন্তী য়েক্নদবা মাৱোই নচাশিংগী হাকক। কৃষ্ণ অবতার তৌদুনা; পৃথীবা ভারী লৌথোক্লগা লিলা অমা শান্নগনী। মংগী নচাশিংমতু কৃষ্ণগী অচানবা মনাই ওইরগনি। লাম্ভাও অদুগী মতুংদা নংনচানা পৃথিগী নিংথোৱেল ওইদুনা পালসনু অদুগা দেব আকর্ষন মন্ত্র অমসুপীগে লৌ মংনা চননীবা লাই অহ খুদক্কা কৌরগা বব লৌবা য়াবা মনুগী। কুন্তীনা মন্ত্র তম্বীনে বব, মন্ত্র পিবা লোইরবদা কুন্তীবু মঙোল ওইজো হায়রনা লামবাযথলগা। দুর্ব্বাস মুনি লেংথরে। কুন্তী হজিলকচুনা মপা নিংথৌদা পাণ্ডুমতুথি; কুন্তুলাম নিংগী মচা কন্যাগী শুগ উবদা ওমথৈ লৈত্তনা হবাওমথি। অদুগী তুংদা নোংমদি কুন্তীনা এম্মা কোবি চফু অমা পুদুনা যমুনাদ ঈশিং শোকে হায়রনা মত্তোমদা লাকই। যমুনা তুরেলগী খোংবাল য়োরকপদা তুমিং থোকলকই, শুমিংকী কোয়বক কোয়বা মওঙঅদুবু। মথাই ওইরিগত্রা শর্তি-ওওকই। অদুগা দুর্ব্বাসাগী মন্ত্রগী পরিক্ষাসু য়ে নি ওকতুনা আকর্ষন মন্ত্র না কৌরক্লে। সূর্য্যদেব মন্ত্রগী শুনা থাওবা ওমত্রবো কুন্তীগী নাকগা থুংরে। কুন্তীনা কিবগা লোয়ননা চুমিংপু মুয়গথি। সূর্য্যদেবনা হায়রকই কুন্তী নংমা ঐবু কৌবদি করণাখা লৈবগে। হাংমু, কুন্তীনা হায়রৈ। মুনিনা পীবা মন্ত্রগী পরিক্ষা য়েংবনি অদুগা সূর্য্যদেবনী মুক্তিবুমু থওজমিদন তৌবনি। হৌজিক্তি লেথোকপা লাকরকই। কুন্তীগী য়াহায় তাবদা হুথিংনা হায়, মুনিদা মুনিগী

মাথংবু লোইহবা হৌরবরা। অদুগা লাই ঐখোই লায়রংদি লেপ্পা ঙমবা য়াদে। মরম অসিনা থাবা অমগা পিরম্লগনি। হাসি হায়রগা বলাকারনা রতীস আবাহন তৌখরে। কুন্তীনা কপ্পা হায়রে হে সূর্যাদেব ঐহাক নুহোংগ্রিবীনী, লোক্কা কদি হায়নগদগে হৌজিকমক ভুমিৎ নত্তি উরস থাবা অসি, লৌথোকপীয়ু। ঐবু কন্যাগী অবস্থা কাইহনগদ ; কুন্তীগী মাহায় ভাবদা ভুমিৎ কৌবা লাই, বরগী মাহেৎ হায়রকই। কুন্তীগী গর্ভদা লৈরবা জিবনংদি, মিকুপ ভরাদা থা তরাগী মরক চিংশিন্দুনা মপুং ফারো। গর্ভ থাবদা ভুমিন্থ ওইরবদি কন্যাগী অবস্থা কারিগনি, য়েংথওবা মাকোংদা লোক্লকউ হায়মা বর হাপে। লাইগী মাথং কায়বা য়াদবনা ! মিকুপ ভরাদা মপুং ফাওনা কুন্তীগী য়েংথংবা নাকোদা অঙাঙ নিপা অমা চোংথোক্লকুনা পৃথিবীদা তারে। ভুমিৎ হনথী কুন্তী গর্ভগী মচা অসি থুৎলাই চঙদবা ফুরিৎ লুহুপ শাইন লোইনবকই। শক্তি য়াম্না লৈ মানা লৈপাক্তা তাবা মতমদা, ভূমীকম্প তৌই পৃথীবী অস খাদান তরামাখোই মথাদা মমথী। অঙাঙহৃপী মঙায়া ভুমিৎকি তেজগুম্মী, কুন্তীনা অঙাঙ য়োকপা মতম চাদবনা মী ংঙহনিংদত্তুনা মচাবু লোথংলগা কোয়া চক মন্নংদা হাপ্লগা যমুনাদা পুথরক্রে

অঙাংবু য়েংলগা কপ্পনা বর পিরকই, ঙবুঙেঙা ইমাবু মারোগন্তু ইচাদি ইমানা য়োকপা মাত্র-বননী। ইমানা যমুনাসিগী ইচন্দা ভাওশহল্লগে, কনাগুম্বীনা লোকুম্না য়োকশন্ন ? পৃথীবীদা অকাওবা অমা ওইগ্রবকউ। অসুম্না বর হাপ্লগা ঈশিংগী ইচন্দা ভাওথহনখি। কুন্তীনা যমুনাবু থুকমজদুনা হায়রে। হে যমগী মচনুপী যমুনা, ইমা নংনা ইচা অসিবু মাংহনবিদনা পুবিরগা কনাগুম্বী মচা লৈজদবী অমদা পিনবীয়ু। অসুম্না হায়জরগা ইকজখোক্লুম্না কাথংলক্লে। লৈরাই থথক য়োবদা গর্ভদা অঙাঙ অমা লৈবগী থুদম ফাওরক্লে। কুন্তী ওহাক রাথল থক্কি ঐ মন্ত্রনা কৌকবদা ভুমিত্তনি, লাই মিনথা য়াওরগগী মতৌ অহু ফঙওবদা। কুন্তী শাওদুনা ঈশিং থুক্তোক অমা লৌথংলগা। শাপ তৌগনবগী হায়রক্লে। মীনথা লাই কনানো হৌজিকমক ইমাংদা চোংথোক্লকউ ? অহু মন্ত্রথদি উং ওইনা তুমজগনি হায়রকই। কুন্তীবু কিথদগী থা কৌবা লাই, কুন্তীগী মাংদা লেপ্তুনা ইবেম্মা শাপ তৌগদ্রু ঐ লাক্ল, হায়রকই। চন্দ্রবু উবদা কুন্তী থুরুম্নগা হায়রকই, লাই নংনা ঐহোন্দা যানমলিবা করিগীনে ? চন্দ্রদেবনা হায়রকই, হে কন্যা ঐনা মীনথা নত্তে চসি নংমা ভুমিৎপু কৌবা অসি, অমাবৈস্যা তৌথোখি। থাগী ভুমিৎ মসিদী ঐগী কলা 'অমন্তা হায়বনা। থা ঐ ইতোমন্তা লৈবা য়াদহুনা সূর্যাদা ভিশিন্দুনা লৈ। মরম অহনা সূর্য্যনা শর পীবা মতমদা ঐনু য়াওবে ; ঐগী শক্তি মাংবা য়াংদুনা নঙী গর্ভদা। ঐগী থায়া অমা লৈহোথনী। লাই ঐখোয়গী শক্তি মাংবা থাদথোইয়ে থন্দুনা ; ঐবু নং মারোগন্তু মাহৈসি ভাবদা, কুন্তীনা হায়রকই। নমাকবা ভুমিংনা তৌবগুম্বা জিবসি লৌথোকউ ? মতম অহদা চন্দ্রদেবনা শক্তি হাপ্তুনা য়েং থংবা নাতোন্দা পুখাক্‌খী। ইদা অসি ঐন য়োক্লগনি হায়দুনা ! পমতনা চন্দ্রদেব চংখিদুনা ; রোহিনীদা য়োক-হনথী। কুন্তী কোমুংদা হক্তিনথী, যমুনাগী ঈচেন্দা ভাওথখিবা অঙাংঙ ; যমুনাগীদি 'য়োপানী অঙাঙ অহবু মিংথিনা পুথথিহনা ওগ্রমগরগী মপা য়োথয়ে। অধিরথগী লুপী রাধা কৌবীনা ঈশিং

শোকপা লাকপদা মতামগা লোইননা তাওরকইবা অদু উবদা কর্ণমখরক্তুনা লোকই। চয়ু মথুংদগী অতাও অতগী মতৌ উবদা পুমনক ওত্তুনা লেরে। ১তম অদুদা মুমিংনা আকাশ বানী লাওরকই। হে রাধা নং চিন্তনরুগনু মুমিং ঐনা নঙী নচা ওইজৌ পিরবনী। লুনা য়োকউ তুংদা নচা ধারা মরিমু পোকচৌ। অতাং অদু নিংথৌ ওইরগনী, নচাদুগী হাক্তক্ত রাজমাতাগী পদবী ফংলনি। অতাং অদু মমিং কর্ণ থোল্লু; অমুম্না লাওরম'খ; অকাশবানী তারবদা রাধা মুত্তাইবগী ঈপাক্তা তাওরক্তুনা অতাওদু পমলগা মমুখদা য়োরক্রে। নিংথৌজরবা অতাংদুগা লোইননা মপুরোইবা অধিরথদা লাইনীপাও চিথদনা তম্মী। অতাও অসিবু লুনা য়োকচৈ। তকরি শুথদা জাত কর্ম লাংখি, অন্নপ্রাশন কোতি ইরে মমিং কর্ণ থোল্লে; কোঠিগী মিংনা বসুষেন কৌই। অধিরথ রাধা কর্ণবু য়োকচবদগী তুংদা মচানিপা মরি পোকচখি। অসিগুম্না মহাভারত আদি পৰ্ব্বগী হানী অস অমৃতগী মশকনি মতাং অসিবু পুক্নিংচংনা তাত্তবদা মচা পোক্তবনা মচা ফঙগী মরন চাওখংলি মিংবা মতমদা মীওইবনা বৈকুণ্ঠ ফঙগী মসি; ব্যাসনা হায়রক্ত্রবনি। তোল্লবা শ্রীশ্যত্তোমচা সিংহনা মতাং অসি ইজরবনি। ইতি। হরিবোল হরিবোল হরিবোল॥

অধ্যায় :—

পাণ্ডুনা কুন্তী মাদ্রি লুহোংবা অমসুং বিদুর লুহোংবা —

বাবী মতাং।

বৈশম্পায়ন মুমিনা হায়রকই রাজা জন্মেজয়। কুন্তীগী যৌবন বয়সনা মপুং ফারকপসি উবদা। কুন্তভোজ নিংথৌনা ইচাদি মবুক্নিংনা তাবদা বোরিসমু। ইচ্ছাবরি স্বয়ম্বর লাজে থম্লুনা স্বয়ম্বরগী মাওব নিংথিন শেম শাংকই, উজোম পুমমম পোইবদা নিমন্ত্রণ পত্র থাত্নুনা দেশ খুদিংগি নিংথৌ বার্তন তৌরক্রে। স্বয়ম্বরগী বার্তন ফংবা কুন্তীগী মগুণ তাবদা, পৃথিবীগী নিংথৌ পুমমক মাগী মাগী তেংলোন শেম শাত্নুনা লাক্লখি। রাজধানি পুমমক স্বয়ম্বরগী সভদা ফম্লখি। নিংথৌ লক অমক্তনা তিনখি। মগধরাজ কাশিরাজ, কলিঙ্গ, কোশল, বৃহদ্বল, শুল্ক, পৌণ্ড্র, চেদি, পরিচর, বিরটক্কা। শুবাহু, তৈলঙ্গ, দেবক, কেকয়, চেকিতান, বিন্দ, অনুবিন্দ, নিলধ্বজ, শিখিধ্বজ, কৌশিক, বিবভদ্র, ভদ্রসেন। শাল্ব, যৌবিষ্মাণ, শিন্ধুরাজ, মদ্ররাজ, পাণ্ডরাজ, হায়রিবা অসিনচিংবা নিংথৌ লোইনা শিংথাবা ওমরোই; লুচিংবা থরদং হায়রবনি রাজসভা শুরবদা। কুন্তভোজ নিংথৌনা মচানুপী কুন্তীবু নিংথিনা ফিজেৎ লৈতেংনুনা স্বয়ম্বর মাওবত্তা পুথোকখী। কুন্তীগী ফজবা মমক মতৌনা, স্বর্গগী লাইরেম্বীশিংবু ওমদৈ। রাজকন্যাগী মমক উবদা, রাজসভা অরুকপা কল্লখী। করাম্বা মরাইবক কবনা কওগবা। থরদুনা মিংকম হোংদনা য়েংনখি। কুন্তীমা সভা মরাইদা

চংডক্লুনা, রাজসভাবু লৈদুনা য়েংলকপদা পাণ্ডুগী মগুনা লাইরামগী মরাইদা ইন্দ্রনা তৌবগুম্না তান্নিবা। মশক মতৌ মগুণ উবদা কুন্তী পুক্নিং লুপখিডনা পাণ্ডুগী মা দা চংজরকখ্না। লেংপক্লে হুরুগা ভক্তি তৌহনা খুংলোয়রগা মাংদা লেপচখী। রাজ কন্যানা পাণ্ডু নিংথৌবু থাগংনরম্লগা; মাগী মাগী মরৈবাক্তা হন্নখরে। কুন্তিভোজনা পাণ্ডুদা মচা কন্যাবু দান কখ্না থোজগা অউনপোৎ দাস দাসী শগোল শামু বথ সনা লুপা মণি মুক্তা আভরণ চামা চামনা খুজিং ওইহনা লাকখী। পাণ্ডু রাজা, কুন্তীবু পুহনা হস্তিনাদা হল্লকুগা পাটখরী হাপলে। ভীষ্ম মচা পাণ্ডুগী মথৌ মশী হাপ্পবদা গুণচাইহনা দান কয়া তৌখী। হস্তিনা সভাদা পাণ্ডু কুন্তী অনী অদু ইন্দ্রগা শচীগা ভানবগী মতৌ-গুম ওইখরে। হস্তিনা প্রজা পুম্নমক গুণচাইনরকলে; চন্দ্রদেবগী কপদা রোহিনীনা ফজবগুম, কন্তীনা পাণ্ডুগী লৈতেং ওইনা নিংথিজখী।

মতম খর লৈরগ ভীষ্মনা পুক্নিংদা রাখল তৌবকই, ক ক শাংগে চাওখৎহন্নিংখী। মচাদি পোক-তবা অদুদা শাংগে হুনা চাওখৎহন্নিংবদগী মদ্র দেশকী নিংথৌ শল্য হায়রবসি গুনচেনবা শক্তিলৈবদা পৃথিবীদা ফাওই। মাগী মচনুপী মশক মতৌ ফজবী কন্যা অমা, লৈ হায়রবা পাভ ভাবদগী ভীষ্ম কন্যা হায়রবা চংখ্রে মদ্র দেশদ খুদংতবে দ্বারীগী মচিনগী ভীষ্ম লাকই তাবদা, শল্য থোরক্লুনা খুদংগা পুক্নিংনখিত্তুন মশক চানা পুজ তৌগনা ভীষ্মগ পেনহনখী। কবি মন্মী লাকপিবনো হৈ ইচে ভীষ্মনা হায়বকই মহারাজ নহাক অসি ভাবগু ফাওই। মরম অদুনা সম্বন্ধি ওইজনিংহনা লাকপনি। নহাক্কী নচন মশক মতৌ ফজবা অমা লৈ হায়বা তারে; ইগানিপাগী ইমৌ ওইজরগে পিরা হায়রক্লে। রাজৈ অসি তাবনা শল্যনা হায়বকই, বিধিগী নাংদমা ঐগী ইরাইবক কবা ওইবদগী থোক্রবনি; অসুম ওইবদা হায়দকদবা ইকাইখরব। অদু লৈবে। ইপা ইপুনা চংনবখ্রা নিঙোনগী মমল থবা লৌবা অসিবু ঐন ককথংপা ঙমদ্রবা অমা লৈরে।

শল্যগী রাহ তাবদা ভীষ্মনা হায়রকই, মহারাজ চিংনরুগথ্র মমাডৈঙনা ব্রহ্মানা ইন্দ্রদ তাকখি শাস্ত্রগী চংনবকপা ধর্মবু যতন তৌনা ঙাক্লনি। রাজৈ অসি হায়রহনা সনাগুন তবেং থনবা লুপা, শামু অমা রথ শগোলগা লোক্তনবা অম। মমল য়াম্নবা আভরণ শল দা পিরে শল্য লন কল-বদা আভরণ পুম্নমক মচনখুপীবু লৈতেংহন্দুনা ভীষ্মগী মকমদা মাদ্রীবু পিরে। মাদ্রা পুরগা ভীষ্ম হন্‌কলুনা পাণ্ডুদা মাদ্রী লুহোংডে। মাদ্রীগী ফজবা মশক মতো উবদা পাণ্ডু পেন্দুনা কয়ামুক কুমে হরাও তৌই। দান কয়াগুক কৎখি, কুন্তী মাদ্রী অনিবু, চপনাইবা মিংয়েংনা য়েংখি। সত্তী সাধ্বী ওইবা অনিমক, পুকচেল ভিদনা সেবা তৌজখি মতম থরা লৈরগা রাশকুনা অশ্বমেধ যজ্ঞ হৌখি; মমাম্বা ধৃতরাষ্ট্রবু যজ্ঞ আসন ফমহল্লগা পাণ্ডুনা হেক্লোন পুহনা শগোল ভাকপা দিগবিজয় চংলি। লোচুপলোমগী প্রতাপ লৈরবা দশার্ণ জয় তৌই। পঞ্চাল, মগধ, অসাম, মিথিলা, কাশী, মগান চাওরবা চওনিংথৌ। কৌশল, চেদিরাজ, বৎসরাজ, ত্রিগর্ত, কলিঙ্গ, অঙ্গ, বঙ্গ, ডঙ্ক, ব্রহ্মাদেশকী নিংথৌ কয়াও জয় তৌই। দক্ষিনাত্যগী রাজ্যধানি পুম্নমক লোইনা জয় তৌরকই; পাণ্ডুগী মথুরা ভারতবর্ষগী নিংথৌ পুম্নমক লান্দা মাইথিবহনা পাণ্ডুবু পুজা তৌনখী।

তারতকী নিংথৌ পুন্নমক হৈরৈবাক্তা থোকপা পোং পুরকপগা লোইননা কোড় কারকতুনা যজ্ঞ যাওরখি। দেশ খুদিংদগী কাথংলকপা শগোল শাম্ন শা বণ; হিরা মণি, রত্ন স্বর্ণ রৌপ্য বস্ত্র আভরণ, কান্না দ্রব্য লদ্গুম পুন্নমক অসি মদ্যাগী ধৃতরাষ্ট্রদা পিরৈ। যজ্ঞ মণ্ডপ কানা লোকশিল্লি। ব্রাহ্মণশিংদা মশিং লাকগুমদনা দান তোরকই; নিংথৌশিংবু মতিক চানা পুজা তৌদুনা পেনহল্লি। লাইরবা প্রজাশিংবু লম য়েন্দুনা লাইরবা দৰা কোকহল্লি। অশোন অনা তোল্লবা জিবগু লুনা চান্না য়োকপি, পাণ্ডুগী মিংচৎনা পৃথীবী পুন্নমক শিন্দুংথি। মমাংদা ভরত নিংথৌনা তৌরম্বা সাসনগা, পাণ্ডুগী সাসনগা চপ মান্নখি। তেজদা পরশুরামগুম্বী, মিংচৎতা কার্ত্ত বিৰ্য্যাৰ্জ্জুনগুমই, পাণ্ডুগী মগুণ উবদা ভীষ্ম পাণ্ডুবু চেংনা কোল্লগা হন্না হন্না চুপ্পনা থাগৎখি। অদুগী তুংদা ধৰ্ম্ম চেন্নবা বিদুর বৈষ্ণব মন্ত্রি ওইরি, মচা অতোপ্পা বিদুরগী মখোই লুহোংলগে নিংই। শুকদেব নিংথৌগী মচান্নপী পরাশরীবু চায়রদুনা ভীষ্মনা মচা অতোনবা বিদুরবু লুহোংখি। বিদুরনা হস্তিনাগী বডমন্ত্রি ওইরে; মন্নানা শগোলশেল গুরুগুমই। সতী সাধ্বী পরাশরীগা গর্ভদা এচানিপা তরেং মুপী অহুম পোকই। বিদুরগী মচাশিং অদু মম্য মপাগুম্না পুকচেপ ফজবা ডাক্তা ওইরমই। অসিগুম্বা কুরু শাগী চাওথংলকপা রাজি অসি অমৃতগী মশকনি। মীওইবনা পুক্লিং চঙন। তাঙবদা শাগী চাওথংপ ওইগনি। হস্তম্না ব্যাসনা লেংলমলবা মহাভারতকি রারীবু তোল্লবা শ্রী৺তোমচা সিংহন। মতাং অসিবু ইজরিবনি ইতি। হরি হরি হরি।

অধ্যায় ঃ—

পাণ্ডুনা ধৃতরাষ্ট্রদা নিংথৌ খুভম কথোকপা অমসুং— মৃগ ঋষিগী শাপ ফংবা মতাং।

শৌনকচি শা মুনি মন্নান্না হংনরবকই, হে—শৌতি পাণ্ডু নিংথৌনা শাপ ফংবা? মথাগী রাগী তিন্দ্রা। শৌতিনা হায়জখি, তাবিয় ব্রহ্ম সভা, বৈশম্পায়ননা হায়খি—ধৰ্ম্ম থংবা পুকচেল চাওরবা পাণ্ডু ভারতকি সাসন লোইরবদা। মযাম্বা ধৃতরাষ্ট্রদা নিংথৌ খুভম কথোক্লগা, জুবরাজ খুভমদা লৈদুনা, মতম থরা লৈবাক ডাকুনা লৈ। অদুদগী মনাও বিদুরদা সাসনগী শক্তি শিন্নরম্নগা, মুনিশিংগী সেবা তৌগে থজুনা রাণী হনি লোইনদুনা, মনাই মশন মপোং মহন ব্রাহ্মণ পুজারি কয়া পুদুনা বন্দা চংখি। মুনিশিংগী আশ্রম থুদংদা লাকুনা দান কংলি, ব্রহ্ম-ভুজন তৌদুনা মুনি ঋষিশিংবু সেবা তৌই। পাণ্ডুরাজানা বন থুদিঙদা কোইদুনা লৈবদা নোংমদি মৃগ মাংশনা ব্রহ্ম ভুজণ কৎনবগীদমক শজি ফাগ থিরকই। ফজবা উমঙ অমদা শজি লাবা অমোমনা, বসন্ত রসবু শান্নরিডুদা, পাণ্ডুনা থেঙনরকই। শজি কামিংবদগা রাথন তৌদোদনা, উবগচতেন কাপ্লগা মাৎখিদুনা শজি অদু তেন্না পানখ্র। পাণ্ডুগী অকনবা তেনগী চৈথা ফংবদা, শজি লৈপাক্তা হায়থবরে। পাণ্ডু শজিগী মনাক্তা চেনশিল্লকখি পাণ্ডুবু

উবদা শক্তিনা হায়রকই। মহারাজ ইবান লৈতবা ঐবু কবিগী তেম্না থাহনা হাংকদৌরিবনো? পাণ্ডুনা হায়রকই, শক্তি নখোই অসি ব্রহ্মানা মীগী চিন্তাক ওইনবা শেমখ্রবনি অহনা নয়ান লৈত্রবস্থ নভবু ঐনা হাংপগী দোষ লৈতে। অগস্থ মুনিনা শক্তি চাবা য়াই, মউন্দা কয়হনা লোম 'পবা য়াই হায়হনা বেব্যষ্টা লেপ'খিবা মতু'ইদা মুনি ঋষিশিং'না' চংনরি। শক্তিবু, য়েরবু ক'বগা হাংপনা ক্ষেত্রি ঐখোইগী ধর্মনি, মরম অহনা ঐনা ন'বু তেম্না থাবনি। পাণ্ডুরাজাগী রাহার ভারগা মৃগ ঋষিনা হায়রকই। ধর্ম খ'লবা, শাস্ত্রগ্য ওইবা সর্ব্বভূম পতি ঐগী রাহার ভাবিখো। অমুক হায়রকে, মহারাজ য়েরুবা ওইরবস্থ মতম চাদনা খুংলাট থাহনা হাংলোইদবনি। পাণ্ডুনা হায়বকই য়েরুবদি ময়াই কাবা, ফিরবা, চেন্নবা, লোংলবা, মতম ওইরবদস্থ ক'বগা হাংকনি অমম্ন' (শক্তিবুশু) অস্থুয়া ক্ষত্রিগীদি নিত্তি সাস্ত্রগী বিচারদা হায়রি। মৃগ ঋষিনা হায়রকই চুম্মী মহারাজ। ধর্ম নিত্তি খণ্ডবা রভী বিত্তা হৈশিংলবা নিংথৌনি। ঐদি শাণ্ডনি বা ব্রাহ্মণনি ইমিংন কিন্দম কাই অঙ্গিবস গোত্রনি লোক্তি ইকাইবা ভারুংগী মৃগবিত্তা শিজিন-নহন ঐগী মুপীগা লোন্নন রতী রোসম লৌরী। ঐখোইনা শক্তি ওইকবনা ব্রাহ্মণী ব্রাহ্মণ হাংপগী পাপ তৈ'বন। শক্তাবগী মতমদা' অছুটী ওবনা প্রান থাগদৌরি। ঐগী শাপ্তগী স্ত্রিসঙ্গ ওহবদা অছুটী ওইনা পাণ্ডু ন'স্থ'শিয়ু। অতুগা দোষনা মুপীহুগা লোইনবা স্বর্গ 'চৌবা ভমদনা যমলকতা লৈয়ু। অস্থুয়া শাপ চবয়গা পান্ডব, (মৃগানী) কৌবি ব্রহ্মণা লোইনহনা পান থাখরে। পাণ্ডু অরাবগী সমুদ্রদ লুপথবে অন্দোইন কপলুরগা, ব্রাহ্মণী ব্রাহ্মণগী যদ তৌরমলগা। আশ্রমদা হলহুন বেদ বিধি কাইদনা শ্রাদ্ধ দান কংথি। অহুগা তুংদা পাণ্ডুনা কুন্তী মাদ্রী ১ দা হায়রকই, ঐদি সংসার থাদোকুনা লাই নিংবা চংখগে। নখোই অনিনা মীষামসি পুহনা হস্তিনাদা হল্লো। ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব অহন লমন পুয়মক্তা, ঐনা কন্তিতবা ব্রহ্ম শাপকী পাণ্ডপুম্নমক তম্মু। ঐগী মলোইবা বিদায় পিরবমি।

পাণ্ডু রাজগী বাহায় অসি তাবদা রাণী অনিমক বজনা থাবগা মারথ'ন। পাণ্ডুগী মখাং পাবহনা লো' খো'বওম কপলগা হায়জনকই। মহাবাজ মুপী ঐখোইগী ধর্ম মপুবোইবগী ভুং-ইজবা, রাবে রামিয়বা ভংভাইবে ভংথাইমিভবা অসিনা অ'রপ্পনি। ঐখোই অনিশু মায়াদা লৈজবল রোই। ইপুরোইবগী কু ইন্দুন লাইনিংবা যাঞ্জবগে ঐখোইবু পুবিয়ু। ঐখোইনা হায়জব অসিবু য়াবিত্রবা ঈশিংদা চোংথহনা থরাই থাজবগে; ননাহ মুপী হাংপগী পাপ পুরগা লে'বিখো? কুন্তী মাদ্রী অনিগী অবেম্না খম্মোই উববগা পাণ্ডুনা হায়রকই, ফবে লৌমিক্তি বাণীগী ফিজেং হোংদোক্লে। লাইনিডবীগী ফিজেং সৈতেংলো, লাইনিঙহনা নিবগী লাববা লখী তান্নুবস। পাণ্ডু কুন্তী, মাদ্রী অহুমক উকু থাডজেংনহনা কোক্ত জাটা শেমহনা থম্মোইবু খুহম চন্নগা শ্রীহরিগী ভক্তিদা পুক্লিং লেপখরে। রাণী অনিগী মতৌ উবদা পাণ্ডু লোভ, মোহ, কাম, ক্রোধ, মদ, মাসর্য্য, থাদোক্লনা মণী রত্ন আভরণ, সনা লুপা ব্রাহ্মণদা দান তৌখরে। পাণ্ডুনা ব্রাহ্মণ, বৈষ্ণব, নাখাই পুম্নমক হস্তিনাদা হন্নে; ঐখোইগী পাণ্ড অসি ভীষ্ম, ধৃতরাষ্ট্র বিদুরনচিংবা পুম্নমক্তা তমলুবো। পাণ্ডুগী বা তাবদা মীয়াম পুম্নমক কপনহনা। অরাবগা পোইথনা হস্তিনাদা হনখি।

হস্তিনাদা চংখিদুনা পাণ্ডু মথৎ মথৎ তমখী। পাণ্ডুগী লাণ্ড তাবদা হস্তিনাপুরগী মীয়াম। কপ্পকপ্পী খোজেলনা খুদনিন মিনখরে। ভগ্ন বিদুরনচিংবা পাণ্ডুগী মরূপ মপাংনা ভেংবাদুনা কপনরক্লে। ধৃতরাষ্ট্র নিংথৌ পাণ্ডুগী বাখনা চাবা থকনা খাদোক্লুনা, মপান থোক্লনা লৈবাক্তা ওদোইহনা লৈবী বন্দা পাণ্ডু, কুন্তী, মাদ্রী, অহুমক আশ্রমকী ব্রাহ্মণ খুৎমন্ডুনা বিদায় নিরে। অসোমদা পাণ্ডু মানী ২ লোয়ননা মুনি ঋষি ময়াম খুৎমজরগা। স্বর্গী লমী, ভারগে নিংদুনা অরাং পাংনা যাত্রা তৌরকপনী। চৈত্র রথ কৌবা বন যৌরদুনা স্নান, তর্পণ কংলগা শ্রীহরিগী চরনবু নিংশ্নুনা গন্ধর্ব অপ্সরাগী শাদ্দম ফজববা বনবু অমুক য়োরকখী। অমুক লাকপনা নৈমিষ বন যৌরকপদ তীর্থ স্নান তৌই, পিতৃলকীদমক তর্পন কংলী, হরিগী পূজা কংলী। অচুদগী অমুক ভুবেল অচৌ অপিশক, দেশ কয়া লাম্থাক্লুনা লাকপনা। হরিদ্বার তীর্থ স্নান তর্পন তৌবগা। বদ্রীনারায়ন দরশন তৌজখী। বদ্রীনরায়ন খুৎমজরগা পাণ্ডু কুন্তী মাদ্রী অমক হিমালয় চাংজাও কাখৎখ্রে। হিমালয় লাম্থোকখিংনা চংখিবনা শ্রীগন্ধমাদন চিংজাও য়োরক্লে। মফম অদুদা ইন্দ্রদ্যুম্ন কৌবা পুখ্রী, লৈই থিবিরা পাংনখব। পুন্য তীর্থ অমা লৈ তীর্থ অদুদা স্নান তর্পন কংলি শ্রীহরিবু নিংশ্নুনা অমুক কাখৎখিবনা, মায় রাং চাওরব শত শৃঙ্গ কৌবা চিঙ য়ৌশ্লে। শত শৃঙ্গ অসি মুনি ঋষি কয়াগী লাইনিংফম আশ্রমনী ? চিং অসিবু কংবদা পাণ্ডু নিংথৌ পুরিং সুডডাইজখ্ব। মফম অদুদা ঋষিশিঙ্গা লোয়নদুনা অকন্না তপস্তৌরক্লে পাণ্ডু কুন্তী মাদ্রী অমক্তা অকনব লাইনিং উবদা মুনিঙ্গসি ঋষিক্তা থাগংলি অকনবা লাইনিঙ্গী পাঙ্গনা নিংথৌ মরাবাগী অমক সিদ্ধি শক্তি ফংলে স্বগ য়ৌবা ঢংনবা পাঙ্গল লৈরবদা, লাইনিংব বংগী উংনা, বারনা লৌথরে॥

মফম অদুদা লৈবা মুনি ঋষিশিংবু খুৎমজবগা স্বর্গ য়োলগে নিংদুনা মথৎ ২ ব ংলব চিঙ কয়া কাবকই। গন্ধর্ব, কিন্নর, গুহ্যকা, অপ্সরা অমসুং লাইগী মুপৌশিংগী শাদ্দম হিব মণি রত্ন কয়ান থালবা। শাইগী খুৎম লায়থম কয়া অমসুং স্বর্গদগী চেম্বরক্লিবী; ঈর্থক ইপোম মরক্তা লাইগী মুপৌশিংনা সান্নরিবা, মোংন ভডুনা চুবা, মুংশিংনা কগা শিংলব, ইংবন, চমখৈ লেত্রব, শাবনা অচাক পা মৈগুমবা কয় তমখিরবা মফম কয়। লাম্থাকখিংনো, স্বর্গগী বৈতরনী ঘাট য়ৌরক্লে। বৈতরনী হিরানবা ঋষিশিংদা হিলানবীযু হায়না পাণ্ডুনা খুৎমজখী। ঋষি মহাশয়, পাণ্ডুবু থাগ তুনা হায়রকই; মহাশয় পৃথীদা পোকপা মীওইবনা॥ খেংডনা চংপ তমকত্রবা স্বর্গগী লম্বীবু কমদৌনা লাকপনো ? হৌঙিরা কদায়দা লৈকগে হায়রবনো ? পুন্যবান ওইবনা মহাশয় নশাক্নবা মীওইবনী মপোকসি অত্তাং বন্দ। নহাক্কী পরিচয় তাকউ ঐথোয় তি পাম্থোকচগে ? হিয়ানবা ঋষিশিংগী বাগায় তাববদা পাণ্ডু নিংথৌনা হায়রকই, তাবিযু ঋষ পুত্রমক; ঐগী ইমিংনা পাণ্ডু কৌই; কুরু শাগৈদা পোকপনি ঐগী কপ্ন দোখনা ইচা পোকত্রদুনা সংসার থাদোকতুন স্বর্গদা লৈরবগে লাকচবনি। মীওইবা মপোক কংলবগী (ঋন) লমন ৪ শি দোকচবনা ঐগী কম্ম ফত্তবগী লমন অমদি শিংবা চমত্রদুনা সংসারদগী মী ওইবা মপোক্কী মুংডাইবা ভোগ থাদোকচরবনী। যজ্ঞ তৌবনা দেব ঋণশিংজাব ! বেদ শাস্ত্র তমবা অতিথীগী সেবা, বৈষ্ণব সেবা তৌবনা ঋষ ঋণ শিংজবে, প্রজা সেবা তৌদুনা দেশ ঋণ (মাতৃভূমিগী

লমন শিংজরে। ইচা পোক্লগা শ্রাদ্ধ তর্পন পিণ্ড দান তৌবনা, পিতৃলককী লমন শিংগদবা অহু ঐগী কর্ম কত্তবনা ওমত্রে। মবম অসিদগী মীওইবা ঐখোয়গী পঞ্চভৌতিক দেহেগী পাপ্প তীর্থ স্নানবা তপস্যা তৌবনা শেংদোকচবগা, স্বর্গদা লেজগে লাকলবনী। রাহায় কওবা নোঙ্কপা ভক্তিগা লোয়নদুনা ঋষিশি দা হায়জরকপ। পাণ্ডুসী রাহায় অসি তাবদা। ঋষিশিংনা ধান তৌদুনা রে নগা হাযরকই; শাস্ত্রজ্ঞ ওইরবা ধর্মাত্মা হে পাণ্ডু নঙনা তাররকপা পুন্যনা। স ধর্মীনা ওইরীবা মুপী ২ লোইনদুনা মকম অসি য়ৌবকপ ওমবনী মীওইবন মপগী দান তৌরকলবদি বত্তরনা লাম্তোকপ য়াই; মনবী দান তৌরকত্রবা মাদি লাম্থোকপা য়াদে। মহারাজ নহাক্কী দান ধর্ম পুন্য করা পাররকলবা মহাত্মানি এখোয়না লাম্তোককনী। স্বর্গদ লৈবস্ন য়াগনি, অহুমদী ওইরগা স্বর্গদা লৈবগী কায়রোই। পৃথীদা পোকপা মীওইবনা গৃহি ধর্ম পোল্হনা মচা পোকলমত্রবদী। পুন্যদনা তান্দুনস্ন লাইনি ভোগ কংবা য়াদে। মৈ মথক্তা নৈব। মায়ন মৈচাক পজনী। মহারাজ নহাক্তি নপাঙবক্তা মচ ধার ? ওঙহু হায়ব লে। পৃথদা হন্নচনা মচা কওউথো। লাইগী লোতাপ্পগী পোতপনা মচা ও ফংগনি পাণ্ডু ব্দক কংদোঁবিবা নহাকী নচাশিং অহুদি, শ্রীকৃষ্ণগী মনাও ভক্ত ওইরগনি অমস্ন খুংকন পাঙ্গলবনা মঙ্গল ও কাংন মিংচৎলখিনি, অদুম্না ঋষি মযামনা তাকখী॥

পাণ্ডু নিংথৌ ঋষিশিংদি পাওতাক ফংওদা সিদ্ধ ঋষি মমামদু থুরমজরগা কুন্তী মাদ্রী লোয়নদুনা অনুক হন্নরকপনা শত শৃঙ্গদা থুংলে'র। ব্রাহ্মণ মুনি পুম্নমকপু থুরমহুনা পাও তমথী। পাণ্ডুসু মুংশিঙ্কনা ব্রহ্মঋষিশিংনা হায়রকই মহাবাহ্যা ঐখোয়গী আশ্রম শতশৃঙ্গ অসি স্বর্গগা মান্নবা পুন্যধামনি মসিদা লৈদুনা ঐখোয়গ লাইনি মিরসি সোয়দনা লাইগী খোজাপ্পগী মচা ধাব ফংগনী ঋনিশিংগী য়াথও মতুংইন্না শতশৃঙ্গদা পাণ্ডু কুন্তী মাদ্রী লাইনি ঠনা লৈখবে। অসিগুম মহাভারত আদি পর্বগী য়ারী অসি পুন্যগী মপকনি শ্রীব াসবু থুকমচনা তোল্লবা শ্রী৺তোমচা সিংহনা ইমা পোন্দং ইজরম্বনি অধ্যায অসিদ শ্রী৺তো চা সিংহগী লকক লোইরে। ইতি। হরিবোল হরিবোল

অধ্যায় ঃ—

ধৃতরাষ্ট্র নিংথোগী দুর্য্যোধনচিংবা

মচা ১০২ কংবগী বারী মতাং।

অধ্যায় অসিদগী শ্রী৺খোদাম অঙাতোন সিংহ বারী লিখ পাণ্ডিতন। ইথিরম্বা লকক হৌজরব। লোতিনা হাবক্রৈ তাবিথু শৌনক চিবা ব্রহ্ম সভা; বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়রকই তাম্নো মহারাজা জন্মেজয়। ধৃতরাষ্ট্রনা পাণ্ডুগী পাও কংবদগী চাবা থকপা থাম্দাজুনা মপান থোক্কনা কোয়ুং মঙ্গদা

লৈপাক্কী ওয়োইহনবা কণুনা লৈরিবা অসি বদরিকাশ্রমদা শ্রীব্যাসদেবনা উরহনা, যোগ শক্তিনা লাকুনা মিৎকুপ খরগী মতুংদা হস্তিনা কোনুংদা থুঙলে। আসির্বাদ তৌহনা মিঙথিবা বাহৈনা হায়রকই, হৌগংলো মহারাজা ব্যাস ইপা লাক্লে, করি মরমদগী লৈপাক্কা ওয়োইনা কপলিবনো? মিংথৌনা অরুম তৌরবদি হস্তিনা লৈপাক অসি অশান্তি ওইরগনি। লৈপাক্কা মপু ওইবা নহাক্না থোলথোক্লগা ভেংথাহনা কপ্পবদী, লৈপাকী অরাবা তারগনী। ব্যাস মুনিগী চরন্দা ধৃতরাষ্ট্র গন্ধারী অনিমক খুরুমজরগা, গন্ধারী মুনিগী সনাগী আসন কংলি। অশেংবা ঈশিংনা চরন শেংদুনা, পাদদক লৌইজে, ধুপ দিপ লৈ চন্দন থর্তিনা মুনিবু পূজা কংলি। চন্দেহ কয়া লাওহনা মুনিগী সেবা তৌই, নিংথৌ মহারাণীগী সেবাদা পেল্লহনা মুনিনা হায়বকই। ধৃতরাষ্ট্র নংনা রাজিবা মরম হায়রু, ঐনা নহাক অরাবা কোক্রবা উপায় তৌবিগনী।

মুনিগী থৌজানগী বাহৈ তারবদা, ধৃতরাষ্ট্রনা খুৎলোয়হনা হায়জংকই, পাণ্ডু ইনাওগী মপান্দগী ঐনা রাজভোগ ফংবনি। পাণ্ডু হনাওদি মৃগ ঋষিগী শাপ ফওহনা সংসার থাদোক্লুনা চংখ্রে ইনাওগী মপান্দগী ঐনা হস্তিনা রাজভোগ কংহনা লৈজবনা ইমিং তাংলবা ঐনা কমদৌনা শ-বাক ওাক্লুনা পালগনি। ঐদি মচা থারাম্ভ ফত্রা, শুকদেব ঐগা মান্ননা লাহবক থিবা পাস অপণ্ডা লৈবম্লোই। মরম অসিনা অরাবা সমজ্রদা লুপুনা লেববা ঐনা। ব্যাসনা হায়ংকই, ধৃতরাষ্ট্র নিংথৌ লৌজিক্কি রাকরগনু। পাণ্ডু কুন্তী মাদ্রী শংঙ্গ পাখত্তা লাইবিংনা লৈখ্রে পাই-নিংবগী পাঙ্গমা ননাও অদু, মচা থাবা মঙা ফংহনা হল্লকান। ব্যাস ঐগী বরদগী গন্ধারীগী গর্ভনা থুংকম পাজলবা মচা থাবা চাখা পোক্লসু অসি হায়হনা বন পিরম্লগা, ব্যাস মুনি হনখ্রে। ধৃতরাষ্ট্র, গন্ধারী অরাবা কোক্লুনা হুওাহনা লৈ। থি, মতম কয়ামুক লৈরগা গন্ধারী গর্ভগী লেং-থোনন ওইথরে; দৃতরাষ্ট্র নিংথৌনা গর্ভগী মঙল ওইনবা দান কয়া কর্চথি। গন্ধারীনা গর্ভ পুবা অসি থা কুন শুথরে, মতম অনমক্তা শত, পব্বত্তা লাইগী কৃপাদগী, কুন্তীগী গর্ভদা মচাইবুংগ অম পোক্লহনা, হস্তিনদা যসনা মুন্দাং পাও থুঙলে। কুন্তী না মচা থারা ফঙই হায়বা তাবদা গন্ধারী মতোংদগা মথাবু কাওবা ওহনা রামনখিবনা লৈপাক্ক হাইথহনা কুম্থ্রে। জ্ঞান লাকপদা হৌগত্নুনা রাথল হৌরকই, কুক শাগেগী চৎনবা নিয়ম, মচা অহন্না নিংথৌ ওইগদবনী, মবমঅসিনা লাওবৎ ফবী পুস্তীনা রাজমাতা ওইখ্রগনা। এদি লাইবকাথবী ওাবন। গর্ভমু চহি অনি শুরংগ কবথা কর্মদোযনংনা পোক্রু; রানবা পুবা ভারে গর্ভসী মাওহনখ্রগে। মরিংক্কেন কল্লবা গন্ধারী সতীত্ব রাথল লেপথ্রহনা কোপ্পং মপুংদা চঙখ্রগা যোৎক্তক অমা লৌরগা গভত্ত তকথরক্লে. গর্ভ মংকাক নথোং মথুৎ নাইদে। (মাংস পিণ্ড) মতুম অমা ওইমা লৈপাক্কা তারে। মাসি ধৃতরাষ্ট্রনু খঙহৌখ্রে। মতুম ওইনা শারিবত্থ উবদা হুওাইতহনা হন্দোকহল্লুগে থন্দুনা মনাইক্রপীব কৌরকই। মতম অহুদা তপবক্ত ব্যাসনা উথি, খুদক অওদা যোগ শক্তিনা লাকপনা থিকুপ মদা থুঙলবে। ব্যাসনা শাওন্না হায়রকই, গন্ধারী ধর্ম পুরুক খওবা সতী নংনা; গর্ভপাত ওইহল্লিবা কলঙ্ক মীহৌবগী মচা চামা কনদনু! গর্ভবু মংনা মাহনবা হৌনবনা? ব্যাসগী বাহায় তাবদা গন্ধারীনা

ঙক্লাইবগা লোইনবা থুং লোকচনা, হিক্লহিক লাওবা রাহাক্লনা নোংক্লা হায়রক্লে। গুরুদেবগী য়াথঙবু যিংকোক্লনা ; হোৎরবা মত্তো লাঙ্ডিবা অসি অ্যান লৈরবী শুপীনি থুনবীয়না ; মুনিনা অমুক্তা ঐবু পোকপীয়ু। ব্যাসনা হায়রকই গন্ধারী ঐনা হায়বা বাদি কফিওবদা হিক্তোকয় ; ঐগী বাসি লৌ ঐগী য়ামগ অক্রেম্বদা মাংলোই, মাংস পিণ্ড অসিদগী সোক্লদনা নচা ১০০ পোক্লনি। ঘি থাঙ্তপ মৌনা মৌনা য়াম্না চফু অহনবা চামা পোরকউ. ঈশিং য়ুশেংবা থবগা ছুরী অমগা পীয়ু। ঐনা মাংসপিণ্ডবু দকক চামা য়োক্লা থাইদোরক্লগা, নচা ফংগনি। গন্ধারী, ব্যাসগী য়াথং মতুংইন্না লাংত্থনা ; পোং পুম্নমক লানসিল্লি। ব্যাসনা পিণ্ড ঈশিংনা শেংনা চাফদোক্লগা ; মতুপ মতুপ ককলগা থাইদোক্লকই। মুনিনা অমুম থাই-দোক্লকপা, গন্ধারীনা মচাম্নপী অমতং ফওনিংহনা ! শ্রীহরিবু নিংজবগা প্রার্থনা নিজখি। সতীগী নিংবা থুঙ্গনবিগে হায়না, শ্রীহরিনা কৃপা হাপখি, ব্যাসনা চামা শুনবা থাইদোক্লকপদা শকক অমা লেংমই ; ব্যাসমুনি গুরুদ্ধনা ধ্যান তৌদুনা যেংই ; মবম পুম্নমক খণ্ডতনা হায়রকই। হে সতী নংনা নচা নিংঙাগ অমা ওনিংদুনা নিঙ্গরিবা শ্রীহরিনা থৌজাল পিবীখবে। মবম অসিনা নচা কন্যা অমা ফংগনি. নচফু অমগম্নু পীয়ু। গন্ধারী হুংওাইজরকনা ঘী চফু অমম্নু লানশিল্লে, মুনিনা থাংদোক্লিবা মাংস পিণ্ডশিং অদু ঈশিংনা শেংনা চাম্নগা ; ঘী চফ থুদিংদা অমমম হাপ্লগা ১থুম থুমজিল্লি। ব্যাসনা অমুক হয়বকই, হে গন্ধারী চফুশিং অসি চেকশিন্না থম্মু। করিগুম্বদম্ম মথুম হাংদাক্লনা য়েংলুগম্ম ; মাগী মাগী মতম শুবগ অম্ভা ওতবক্লনা চফুত মরাইনা পোথাইরক্লনি। হে—বণ্ড এগী রাথং অসি শাকউ, মথং মথং নচানিপা ১০০ নিংঙান অমা শোইদনা ফংগনি. অসি হায়রমলগা ব্যাস মুনি আশ্রমদা হনখি। গন্ধারী কাংলুং মনুংদা চেকশিন্না থমই, ব্রহ্ম ভুজন কয়া কংলি দান কয়া পৌখি। গন্ধারী মচা ফংনবগীদমক অমম্ন মঙ্গল পৈইনবা ! শ্রীহরিবু পূজা তৌই। মতৌ অম্নম লেনকপনা চহি অমা শুবকপদা, কপি কৌবা যুগনা লেপ্লা ওইরমবা মচাইবু চো অহল দুর্য্যাধন অমুকী মুগকী মঙ্গমদা পোকখি। দুর্য্যাধন পোকপা মমিংতুগী তুংথনগী মুথক মংমদা শত শৃঙ্গ চাঙথকা কুন্তীগী গর্ভদ ভীমসেন পোকখি। দুর্য্যাধন পাকপগা হডড়া হায়না কপ্পকপা খোংগুল (গদর্ভশব্দদা) গধানা খোঙবগী খোনকমগা মান্না লাওনা কপ্পকই। অঙাং কপ্পগী খোংম্লাক তাবদা শংজা, উ ইবী, কাংখন, কাক, মকু, বাংকোমচিংতা অমঙ্গলগী উংচক মশি নাইদনা পাইশিল্লক্লগা লাক্ল লাক্লা নিন গোংলৈ, নুংশিৎ অকনবা অফি শিংলি, উপাল রাপাল তোংক্ল। লমহুই, য়ুমহুই, শা মগ শঙ্গ শঙ্গু খোঙতনা চেপ্পবাক্ল। হস্তিনা লৈপাক ভূমীকম্প তৌই, ঈনা নোং চুথরে ; লৈবী শঙ্গাইলেল পাইথরে। অমঙ্গল অসি উবদা ধৃতরাষ্ট্র নিংথৌ রাজত্বনা অহল্লমন পাত্র মন্ত্রি পণ্ডিতশিং কৌশিনখি। মরামগী মাংদ ধৃতরাষ্ট্রনা হায়রকই, শত শৃঙ্গদা ঈনাওগী মচাপোক্লে তাবদা খ্যাগেগী ইচা মহন্না নিংথৌ ওইগদবনি, মাসিবু ঐনা চিঙনবা লৈতন ফংডাইবি।

ঐগী ইচা পোকপা মতম্মদা অমঙ্গল থুংঙলিবা অসি করিনো ? বিচার তৌরগা মরম হাযবিম্ন। বিরাম পুম্নমক অথবা রাহু নি থৌগী মাই য়েংনবদগী হায়দোকপা ওম্নখিদে। বিদুর মন্ত্রিনা মরাম্নুংগী মকমা হাক্লকক্লকই, য়াম্নুং মহারাজ তাবিয়ু। অডা অসি ইহাকক্লা কুরু শাংগ তুম্নরগনি, প্রায়চিত্ত লৈরবোই মডাং অসিমদি য়াংক্লনবিগে ? নিতি শাস্ত্রনা হায়রি শাগৈ অমা করবগীদমক মী অমা

মাংকন্ ? খুদং অমা করবগীদমক শাগৈ অমা মাংহনবগনি ; লৈপাক অমা করবগীদমক শাগৈ অমা মাংহনবগনি, লৈপাক অমা করবগী মরমদা খুদং অমা মাংগনু ? মাদি দোষ লেতে। মরম অসিনা শাগৈ কননবা ভাবিয়ু, তুংদা ইচা ৯৯ ফংলকথিগনি ; মমামগী মজোল ওইগনি অস্থরা বিদুর মন্ত্রিনা হায়খি। বিদুরগী বাকয় অসি ধৃতরাষ্ট্রনা মচাবু দুর্যোধনগী রাখিত্রে ; মচাবু লুনা য়োকখি (অহুগী মতুংদা চহি অমা লৈরগা শত শৃঙ্গদা কুন্তীনা অর্জুন পোকখি হস্তিনাদা দুঃশাসন পোকখি মথং মথং মচানিপা চামা নিঙোন অমা দুশল্যা কৌই, গন্ধারীগী গর্ভগী মচা ১০১ পোক্রে। বৈশ্য নিঙোল দাসীবী অমনা গন্ধারীনা মচাময়াম য়োকপা মতমদা থবাই রাওনা নিংথৌগী সেবা তৌই।

ধৃতরাষ্ট্রগী ঔরসদগী মচানিপা অমা পোকই, মমিংনা যুযুৎসু কৌই। মথোইশিং অসি মশক মংভৌ কইজ, মঙণ চেপ্পি, মপাঙ্গল মংরাশিং য়াম্না চংথাল্লি। কৌরব শাগৈ চাওখৎলকপা ধৃতরাষ্ট্র মচা পোকপগী, বারী অসি পুন্যগী মশক্লি। পকনিং চডনা ভাডবদা শাগৈ চাওগংলি অসিগুম্বা আদিপর্ব্বগী বানীবু তোল্লবা শ্রী৺অঙাওান সিংহনা ইমা লোন্দা ইজনি। ইতি হরিবোল হরিবোল হরিবোল।

অধ্যায় :—

পাণ্ডুনা মচা মঙা ফঙবগী থন্নবা।

বাবা মতাং।

সৌতিনা হায় ভাবিয় মুনিসভা, বৈশম্পায়ণ মুনিগী মফমদা হংদৈঙ, জন্মেজয় নিংথৌনা। মুনিদেব পাণ্ডুনা মচামঙা ফংখিবগী বাবী লিখীথো। কমদৌনা ফংথিবগে ভাজনিংই। বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়বকই, জন্মেজয় নিংথৌ শতশৃঙ্গদা লাইনিংশিংবা পাণ্ডুনা নো মদি কুন্তীগী মফমদা হায়বক। হে – কুন্তী মুনি ঋষিশিংনা হায়রকপা বাবয় পুন্নাক মংনা ভাবক্লবনি। ঐদ মৃগ ঋষগী শাপ্না ইচা পোরবা উপায় লৈত্রে। মনা ইচা ফডনবা লম্বী যেংডগা পিতৃলকী লমনশিংনবা তৌৎনসি ? শাস্ত্রগী বিচারদা মচা ফংনবগী মরম লৈ. ঐ হায়গে ন না মুন্না তারো। মীওইবনা বিধাতাগী লোংদমদা মচা পোকউ ভলমত্রবদা. মচা ফংনবগী মরম ১২ পিবী। ঔরসগী মচা অমা কনাগুম্বা অমমা মচা ওইহবো পীবা মচা, ২শুবদা মমল পিত্তনা লৈবগা য়োকপা মচা, ৩শুবদা য়োকপীরবা লৈত্রংনা শিবভাবরগী য়োকপা মচ ৪শুবা লৈবীনীগী গর্ভদগী ফংবা মচা, ৫শুবা মপুরোইবগী বাথং মতুং ইমা অভোম্না নিপা অমদা বর লৌদুনা পোকপা মচা, ৬শুবা মচা নিঙোনবু য়াওং ইনহন্দুন পোক্লগা মানা লোকচবা মচা, ৭শুবা মনাও নিপাদগী লংব মচা, ৮শুবা শাগৈগী ঊ অশেংবনা জাং হস্তবীদা পোকলুবা মানা লোথংতুনা য়োকপা মচা, ৯শুবা বিদ্যা ভাম্বতুনা শেম্বিবা মচা, ১০শুবা কৃষ্ণ মন্ত্র ভক্তি ভাকপিত্তনা কংব মচা ১১শুবা (শরনাগত) চডভররকুনা কংবা মচা, ১২শুবা অসিনা পিণ্ডদান পিবদা পিতৃলক

লাক্লি, পিতৃ ঋন শিংবা য়াই হায়না বেদমন্ত্র হাররি। মরম অসিনা ইমায়বদগী ওইরবস্থু ইথক-
থোংবা মীদগী ওইরবস্থু নিহুনা থারা কংব য়াই। মমাংউদা শরদণ্ড কৌবা নিংথৌনা মচা পোক-
ত্রবদা দময়ন্তী কৌবা মাগী রাণী ঋতুস্নান ত্তুমিংতা সংব্রাহ্মণ অহুম খার্তণ তৌহনা কৌরগ যজ্ঞ
তৌহনা মেদা হোম কংপা লোইবগা ব্রহ্ম ভজন তৌই। মুমিং অহুমা ব্রাহ্মণবু সেবা তৌহনহনা
থমী। অহিংদা রাণীবু ফিজেং লৈতে হনগা লৈশবে শিহন্দুনা ব্রাহ্মণ অহুমদা বব নিংথি।
ব্রাহ্মণগী ঔরসনী মহারাণীগী গর্ভদ থুংকন পাঙ্গলব মচা থারা অহুম কখি। মবন অসিনা ঐনা
যাথত্ত পিবখনি ব্রাহ্মণনী থার নিহুন। চে পুপা নংনা ঐবু ইং ফংহল্র।

বুন্তীদা হায়বকই মপাবাডদি পঞ্চ খংডব পণ্ডিত, ঐস্নু বর্ণ্ম লোবচবা মনাই মুপানী; নহাক
মগনা অংলাংপ অমা য়েংনবা ডমংলাই মহাবাহুদা পনিপিংদগী তাহব পৌরানিকী রাণী অমতা
লিরণে; মমাংদা বুংসকান্ত কৌবা নিংথৌ অমা লমদা, কেবব নিংথৌগী মচানি। মদু নিংথৌগী
মচানুপী ভদ্রাবতী কৌবা রাণী, কুক্ষবাং নিংথৌগী মচানুপী সুলোচনা কৌবা রাণী অনিন, সেবা
তৌই। ঙ্গ মহার্ষ নিংথৌ পাংথোমগী পাল। পুথিগী নি থোংপি কয় মইতুনা সর্ব্ব ভুবণপতি ওই
নঙ্গ নম্মদ থোংইদাকই যজ্ঞ শাহবু পেনহল্লি অক্ষিমাদা বান্ধা পনহল্লি, দান্না লাইনব প্রজা
পেনহল্লি, সবান অতিথাবু পেনহল্লি; ভগদা মমাং কমাং বনী অননা মচা পান্নদগী
সেনাদ পুক্তি চ-ডা। রাণী অনগী কংমুদা ভেনবংপনে, নিংথৌ মচা পেক্রমদন। যজ্ঞ বোংনা
লিবে মপুনোংবগী অশিং মখাং কাম্রগা বনা অনিহু নোডংখাবেশুম বগুন পাদোক্তনা অহুম
লৈপখু। মতা অনি নোংমা উবদা লাইনেপা রাগী পাওয়েক্ল। নগী শবদংহু শৈয্যাদা মতন
তোংনা থম্নগা সেবা তৌ। এনা পাকুনা নংখাই অনিমক মচা পোকহনগনা। আকাশবানী
তাবদা বাণী অনিনা আসব মপাহ্র নিংথন হিদাক থানা শৈয়দা থমনে সেবা তৌজখি।
বাণী অনি ঋতু ওইবক। মংমদা লাই হপাক্তা. লাকুনা শবদংহদা চহে পুংদান পিংনা
ভগবতী মব মবং মচা নাং পোক খ। সুলোচনাগী গর্ভদ নচ থবা অহুম পোকখি, মহাপাক্ষু
লাগ শক্তিনা এগী গর্ভদ তচ পোকহল্লি। পাকুনা হায়বক কুন্তী মাহুদি মাওবনা ওহগোঙ্ক
অমবা ওকচাংবু সেনা তাবগা মচ পোকহ্নবা অত্তত্ত লাইগী থোংবান্দগী ওইখিবনি অহুগী মতৌম্ন
এাদ শক্তি লেকদে, মমাংউদা লেপপবা নমগী নিয়ম অম লৈ এ লিগে পাবা।

ব্রহ্মাগী অহান গী সৃষ্টিদা গুপী নপাগী চংনবা অসি কনা মগী থারুদনা নিডত্তক নিডত্তকপগী
মতু ইম্না; চংনবা মরম্মা। মমম অতদা উদ্দালক কৌবা লাইনি কল্লব ব্রাহ্মণ অমা লৈরম্মী,
মাগী মুপী সুবলীনা বাহ্মনীগী গর্ভদা শু চনব শ্বেতকেতু কৌনা মচানিপা অমা পোকহ মচা
অসি মমা মপাবু লুনা নিডিত্ত মমা মপাগী সেব তৌহুন লৈরাংদা মুনি অমা লাক্লগা মম বু থুনা
পায়হুনা পুংখু। শ্বেতকেতু শাওনা মপাদা হায়রকই, পিতাজি ইমাবু মুনি অসিনা কপাগী মফমদগী
খুদাং পায় না পুথ্রিবা কয়গীনে? উদ্দালক হায়রকই কবুত্তা শাওকনু নমা চল্লকখিন; মান
মাদা নিডত্তকপগী মতমদ পুনবা মাবা অস ব্রহ্মাগী সৃষ্টীদ। মানরবা নিয়মনি। রাহু তাবগা অনাং

অমুক হেরো শাওখ্রংনা হায়রকই। অসিগুম্বা কতত্রবা ধবকপু ব্রহ্মামা থোকহল্লিবা? অগত্তি শেম্নগা নিয়মদি খওদবদগী কত্তবা থবক অসি থোকহনখিবনি। ওসিদগী হৌহ্না মমাইদা কক্তরবা নিরম লেপ্লগনি। য়েংবিয়ু পিতাজি ঐগী লাইনিংগী পাক্তমা মুপী ওইবনা মপুরোইবা নওনা অতোপ্পদা মিৎয়েং তাবা নিপা ওইবনা মীগী মুপীদা ধর্ম কাইকরবা মীশিং অদু নরকতগী কাবা ঙমদবা ওইরসু। মুপী ওইবনা মপুরোইবগী মাথংবু চাকত্রবা শাগৈ কক্তনবগী হায়বদা থওইদহ্না মপু-রোইবগী মাথঙ ইস্রবা। মুপীশিং অচ মতম কুইনা নরক তাসু। অম্নমা শ্বেতকেতুনা নিয়ম অসি লেপ্তুনা চৎমহনখি। মমাইওগী বা অমমু হায়রগে অবোধ্যা লৈপাক্কী নিংথৌ সূর্য্য বংশগী সৌদাস কৌবা অমা পাল্লম্মী; রাণীনা দময়ন্তী কৌই। মচা পোক্তবনা শাগৈ মুত্তনখগীদমক, মপুরোইবগী মাথঙ চাকুনা বশিষ্ঠ মুনিদগী বর নিহ্না মচা পোক্লগা সতী দময়ন্তীনা সূর্য্যবংশবু কনখি। মরম অসিনা ঐনা মাথং পীরবনি ইচা পাকপগী পাক্তল লৈত্রবনা নঙোন্দা হায়জরবনি, কুন্তী নংনা ঐবু লানহল্লু অম্নমা পাণ্ডুনা হায়জরক্লে। পাণ্ডুগী মুংশিরবা বাহায় অসি তারবদা পতিব্রতা কুন্তনা মমাইওগী বাচম অমা নোল্লক্লা হায়জরকই। তাবিয়ু মহারাজ ইংগী নাক্তা লৈরিঙ্ক কুমাবী ওই-রিঙৈদা, নোংমদি দুর্বাস মুনি অত্তিথী ওইবা লেঙক্রে, ঐনা মুনিগী সেবা তৌজে। ঐগী সেবাদা পেনবীরহ্না দেবআকর্ষন মন্ত্র অমা পিবীরম্মী মুনিনা তাকপীখি মন্ত্রসিনা খুদক্তা নংনা কৌনিংবা লাই অচ কৌরগা বর নিখদা ফংজৌ হায়বীরম্লগা মুনি লেঙখি। তৌজিক যাথং পীবীরো লাইশগী ইচা পোক্লবা বর নিজগে, করম্বা লাইবু কৌজৌ হায়বগ? তাকপীয়ু মহারাজ। কুন্তীগী বাংহায অসি তাবদা পাণ্ডুনা হায়বকই, হে পৃথা যজ্ঞ হোম পুজা তৌহ্না মতম কুইনা নিওবদস্ম ফংবা ঙমত্রিবা লাইবু খুদক্তা কওবা মাথা পাক্তল লৈনবদা। কবগী অমুক হারুগনী। অকবা থবকপু পুনা পাওখাকপা কৈ, ধর্ম লবা গুন চেনবা পাঙ্গনবা ইচা ফওসি, ধর্ম্মবাক্ত যমবু ওসিমক কৌবগা বর নিয়। কুন্তী মপুরোইববু য়েংওইননা কাওরগা খুকমজহ্না মাথং লৌরখরে। আদি পব্ব মহাভাবতকি বারী অসি, ব্যাসমা লেওখ্রবা তাজবদা পুন্দি মিংচৎ পুম্ব চাওখংলি অমৃতগী মথক্তি ব্যাসদেববু খুকমজহ্না তৌরবা শ্রীহরিগী মনাই শ্রী৺অঙাতোন সিংহনা ইজরী। ইতি॥ হরিবোল হরিবোল হরিবোল।

অধ্যায় --

যুধিষ্ঠীরনচিংবা পাণ্ডব মস্তা পোকপগী—

বারী মতাং।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়, ভারো মহাভারতস্মেজয়, হস্তিনাদা গন্ধারীনা, গর্ভ ওইখিবা মতমনি শতশৃঙ্গদা কুন্তীনা আকর্ষণ মরম, যমরাজবু কৌবক্লে। খুদক মতুদা যম, কুন্তীগী নাক্তা থুডজরে পৃথানা ধর্মরাজ থুরুমজহনা। গুণ চেনবা ইচা অমত্তা পোকচগে হায়হনা বর নিজখি। যমনা পেল্লহনা শক্তি অমা খাইদোক্তুনা কুন্তীগী গর্ভদা হাপ্নীরগা তারবকই, কুন্তী গুণ চেনবা ধর্মলৈব নচা নিপা অমা ফংজরম্বা। অমুম্না বর পিরম্লগা যম হনখি; কুন্তী গর্ভ ওইখিহনা থা তরা গর্ভ মপুং ফারগ্নে। অভিজিৎ নক্ষত্রনা পানবা, সুমিৎ যুংবা মতমদা অঙবা ফন দণ্ড লগ্ন কাইদনা কুন্তী মচ ইবুঙো অমা পোক্লে। খুদক অতুদা লাংনা আকাশদগী লাওরকই; পাণ্ডু হন্দক পোকইবা মচা অসি সত্য লৈবা হন্দ্রি খুত্থুম চনবা ধর্মুদা থোইদাকপা মী পুম্নমক্কা পুজা তৌনবা অচৌবা মিংথো ওইরগনি। মমিংনা যুধিষ্ঠীর হায়না ফাওবগনি লাইগী পাওতাক অসি তাবদা পাণ্ডু মুঙডাইজহনা ব্রাহ্মণশিংনা দান কচ্চখি। মতম অতুদা শ্রীব্যাস থুডজরুন আশির্ব্বাদ তৌবিরে পাণ্ডু কুন্তী মাদ্রী ব্যাস মুনিব খুরুমজে। পাণ্ডু নচাসি ধম্মুনা অববাব তৌরবনি পৃথিগী পবিত্র ওইরনি; শ্রীকৃষ্ণগী মনাই ভক্ত ওইরগনি। পৃথিগী সর্ব্ব ভুমাপতি ওইহনা পাল্লগনি। হৌজিক ঐনা হস্তিনা য়ৌহনা পাও তাকপীক্লগে অস হায়মগা দ্বৈপায়ন লেংখিবনা হস্তিনা য়ৌরকুনা ধৃতরাষ্ট্রদা পাও তাকপীরগা আশ্রম য়ৌখি। শতশৃঙ্গদা বাতমি পাণ্ডুনা কে চীইক্লে; মমিং লাইনা তাকখিবা কাইদনা মুনিশিংনা যুধিষ্ঠীর থোম্লে মপী শোনখরে। মসিগী তুংদা কুন্তীগী মফমদা পাণ্ডুনা অমুক হায়রকই ইচা অসি থম্মোই ওপ্পা বুদ্ধি চংথোনবা ধম্মদা খোংয়দোকপা অমা ওইরগনি। ব্রাহ্মণগী জাতিদদি অসিগুমনা অথোইবা ওইগনি; ক্ষেত্রি ঐথোইগীদি, খাইদগী হেন্না পাঙ্গল লৈবা অথোইবা ওইগনি মরম অসিনা অকনবা ইচা অমগা সংনব, অকনবা লাইদগী বর অমগা নিযু। মবুংতোগী মাথং কংবদা কুন্তীনা রাখল তৌরকই লাইখিবিক্তগী পাঙনবা লাইদি মুংশিংনী মঙোন্দগী বর নিবগে থক্লকই। কুন্তীনা অকবা মমিৎ য়েংডগ মন্ত্র শোন্দুনা মুংশিং কৌবা লাইবু কৌবক্লে। পবন দেব খুদক অতুদা থুডজরে কুন্তীদা হায়বকই; সতী নংনা ঐবু কৌবদি করি অপাম্বা লৈবগে হায়মু। কুন্তীনা খুরুমগা হায়জে হে দেব নহাকী থোজান্দগী থোইদোক্লা পাঙ্গলবা ইচা অমত্তা পোকচগ। বর পিনবীয়। কুন্তীগী ভক্তিদা পেল্লহনা, মুঙশিংনা শক্তি অমা খাইদোক্তুনা গর্ভদা হাপ্নীরগা হায়রকই। হে-বৈষ্ণবী মীওইবদগী থোইদোক হেন্দোক্ল কনবা নচা অমা পোকচনবা হায়না বর পিরমলগা মুংশিং চংথরে। কুন্তী গর্ভনা থা তরা মপুং ফারহনা হস্তিনাদা দুর্য্যোধন পোকপা মমিং

মংখিলগী মুখক্তা মচা ইবুঙো অমা পোক্লে। পোকপগা অতাঙ্গি পাঙ্গল অংকপনি কুন্তী মচাবু তম্পাক্ত পমগে থাজংলূবদা। লুমনখ্রুনা অমুক থাগৎলী। অদোম্না লৈশাক্তা মথোং ফ্রং ফ্রঙ কাউরুনা কপ্লকপদ। শতশৃঙ্গ নিকুম্না চিঙদোম্প নিংথাইখী।

কপথিব অতাঙ্গী থোঙ্গেল তাবদা নোংশা, কৈ, শামু গণ্ডা, ওক, শওম লমমন. শদোনচিঙবা শাগী তাত শতশৃঙ্গ থাদোকতুনা; অন্তাপ্পা মনশিংদা চেন্নখি। মতং অদুদ অংপশবানি তোংক্লে তাঙো কুন্তী পাণ্ডু তন্দক্তি নচা অসিদি। মীওই মাহোদা পাঙ্গলপা পৃথিবী শৈনিব অকনবা মীরাম খিবিক্তগী; মানা চেম্না কল্লগনি। থমোই কমল থোঙ্গান হৈতবা ওইগনি; হকচংনা বজ্রগুম্ম কনবা খুংলাই চঙদব কন্ডবা শিঙ্গি শ্লেরবা ওইগনি কুন্তী পাণ্ডু অদোম্গী মচো ইবদ আকাশব নিংগু তাবগা অঙকপা ওইখি। অদুম্না কুন্তী মচা অনি পোক্ল পাণ্ডুগী মচাগী জাতকম্ম তৌখি। অংকবগী মশক্তি হায়রুনা মমিং ভীমসেন থোম্লি। মংম থবা লৈশগ পাণ্ডুনা অমুক হায়রকই; থমোই লোংবী চপুবা। ধর্ম লৈবব অমা থোই দাক করবা অম শপা গুণ পুন্নমক তুন চন্নবা ইচা অমতগা পোকখিসি। হে মাহৎগী মপু করম্বা লাইবু নিংলগ গুণ গুন চেনব ইচা শংদাগ? তাকপীয়। পাণ্ডুনা মুনিশিংদা চংঙ্গে করম্বা শাইনা গুণ পুন্নমক গুন তিনবগে? ইগা অমতগা মতখিগে তাকপাম্ম। মুনি ময়াম্ম হায়রকই; হে-পাণ্ডু লাংবে বক্তী গুণ লনা চেনবদি ইন্দ্রনি; মাবু চহি ১ নিঙদ অপাম্পা খৈবিক থুগনি। নিঙদবদী অপাম্বন গুনা কংব মথোই পাণ্ডু মনি শিঙ্গি পাওতাক মতু ইন্দ্রা শন্তি অম অরাধনা তৌখি, পাণ্ডুগী ভক্তিদা শেল্লহন ইন্দ্র থংলে; হে রাজর্ষি বংদ অপাংবা লৈবংশা নিম্ম হায়রক্লে। পাণ্ডুনা দেবরাজব খুকমজ হে শাইগীনিংগো গুণ পুন্নমক গুনা তিনবা ইচা নিপা অমও পোকচগ নহায়া লেজানবাগু ইন্দ্রনা লেম্না ফংঙলো হায়না বর পিরম্নগা হনখি। পাণ্ডু ওভাইহুরহুনা কুন্তীদা কণ্ঠব্ব কীরগা ববনিবে ও সোইদনা কংংগনি হায়বন তাকথরে। মপুশোইবগী মা কঙ দা কুন্তীগী মন্ত্রনা সাবদেনব্ব কৌগক্লে ইন্দ্র লাক্লুনা প্রথম লোয়ননা বংপা বে। ইন্দ্রগী মসনা শক্তি অমা কুন্তী গভ ওইখোর; দেবতাও হনাথ ইন্দ্রগী শক্তিনা ওংবিব গভ অদু থ তম্ম মপু ফারক্লুবা কুন্তী মচা ইবুঙো অমা পোক্লে। পোকপগা আকাশবানী লাংরকল, পাণ্ডু কুন্তী নচাত লাইবু হংচাবব্ব ওয়ুগন, পাণ্ডব মহৈদ মিংচত্তা কার্তবির্য্যার্জুনগা শাম্নগনি। ধনুবিদ্যাদা পরশুরামগা মাম্নগনি। মংগাল ৩ তুনা ফাওরগন লক্ষ শাও জয় চৌনে যুধিষ্ঠিরবু অভিষেক কংলগনি দিংভূলক উদ্ধার তৌবগনি থাতবন থাহুন মৈ পেশহনগনি অশ্বমেধ যজ্ঞ কংলনি. অসুম্না ব্রাম্মন আকাশবানী তৌরকখি। অংগাং অমসু মংবা নাইমায় লোইনদ্নে ইন্দ্র লাকই লাংবেনবংশিং জগোই শাথী গন্ধর্ব কিন্নর যক্ষ, রক্ষ, প্রজাপতি, সিদ্ধঋষিশিং, লোইনা পুঙজব। অচাবু আশার্ব্বাদ চৌরমলগা লোইনা হনখি, পাণ্ডুন মচাবু মংক ফাঙ হাথন মমিং অর্জ্জুন থোম্ল। কুন্তীনা মচাং কৃষ্ণবর্ণনি হায়রুন কৃষ্ণ থোম্ল মুন ময়াম্না ফাংনা নক্তদ পাকহ হায়রুনা ফাংনি থোল্লী মতম কয়ানিং ক লৈরগা পাণ্ডুনা কুন্তীগী মকমদা হায়রকই পুরে এন ইচ শাম্মীবসি নিঙবথু দ্রি। নগোন্দা অমুক হায়দবমু

ভূপীনা নিপা মরিগুনা সেবা কন্তুবদি সৈরিনী কৌই, মভাগুরগা মেশ্যা কৌই, মভাদগী হেনৃগা অসতী নারী কৌথ্রে। মরম অসিনা নঙোন্দা হায়গদবা মতিক চাদ্রে, অদুম্না রাজা শাবৈ মতম কয়'নিমুক মচা ফংনিংবগী রাথন্দা লুগুনা লৈ; রাজর্ষি পাণ্ডু অদে। ব্যাস মুনিগী মফমদগী হস্তিনাদা গন্ধারী মচানিপা চাংনাগুনা ফংব্রে হায়বা পাও তারে। পাণ্ডু মাদ্রীগী মনাক্তা কমচনা হায়রকই; ইবেম্মা কুরু শাগেগী মৌদা, লাইবকথীবী অসি নতোনবা তাইবে, গন্ধারী কুন্তী, পন্নাসবী ওম্মা মচা ফংব্রে। নঙ্গিদমক খনবদা ঐ রাবে। মপুবোইবনা মচা ফংহন্নিংবহ উবদা মাদ্রীনা হায়ৈ, তাবিয়ু মহারাজ ঐন কং'য় অদুক হায়গনি, কর্ম ফলনা ফংজবনি। ইচেম্মা চানবীবনী মন্ত্রগী শক্তনা লাইদগী বর নিরগা মচা পোকচবা য়াবনী অতুবু পিরক্লনি পিয়ক্লোই খঙদনা হায়জরুগদবনু কি ইচেম সতীগী মগুননা চাওখদগী মাদ্রীগী ফংশিরবা রাগায় অসি তাবদা নিংথৌনা হায়রকই বাচম অসিবু ঐনা তঙনা খল্লি; হৌজিক নংনা গেদোক্লবনিনা ধর্ম কায়দবীনী মন্ত্র এন নচেমদা হায়বীরগনি। মাদ্রীদা রা অসি হায়রম্লগা কুন্তীগী নাক্তা চঙত্তুনা পাণ্ডুনা হায়রকই, শা গগী মঙ্গল ওইনবা মরম থম হায় শ তাবো — হে সতী ইন্দ্র পদবী ফঙব ইন্দ্রমচা যজ্ঞ তঙন তৌহ, বেদ শাস্ত্র খঙবা ব্রাহ্মণমক্তা মজগীদমক সংব্রাহ্মণবু সেবা তৌই। মরম অসিনা বুম্মী নঙোন্দা এনা হায়বা রা অসি অমুক্তা তাকুনা মাদ্রী ননাওবু অমুক্তা অমম্বা শংসারদগী লানবীয়ু।

মাদ্রীগী মচা পাক্লবা উপায় তৌবীয়ু, মাদ্রীনা পোকপা মচানা নঙ্গিনচাশিঙ্গি সহায় ওইগদবনী। মবুদ্ধোগী রা অসি শববদা কুন্তীন হায়জরকই; থরাইগী মপু ওইরিবা ইবুঙো নহাক্তি যাগং তাকচনা অমুক কৌবা যানবগী শক্ত ওইন', মন্ত্রসি ইনাওদা পীয়'গ। অসি হায়দুনা কুন্তী মাদ্রীবু কৌশিনখবে, মাদ্রী মচেম্বু খুকমজনুনা মন্ত্রবু নিজরকই, কুন্তীনা মন্ত্রচ তাকপীরে। অদুগা হায়বকই মাদ্রী মন্ত্রসি অমক্তঙ্গি শক্ত ওইনা পীবনী মতুংতাবদী য়ারোইকো খঙহু। মাদ্রী কুন্তীগী খোজান ফংজরবদ বাথল তৌরে, ইচেম্মা পীরীবা মন্ত্র অমুক্তগী হেন্না মতুংতাবদি য়ারোইদৌরী। অমুক কৌবদা অনি ফংব লাই পুন্না চৎপা অশ্বিনী কুমারবু নিংশিঙতুনা মন্ত্রনা লাই অনিবু কৌরে, মাদ্রীগী ওন্না লাইকাইবোক মাইবা অনিদু থুদক্তা থংভরে। লাই অনিনা হাইরকই, মাদ্রী ন না কৌবদা অপাম্বা হায়য়ু, মাদ্রীনা হায়'জ হচানিপা অনিদং ফংজগে নিরে। লাই অনিনা শক্তি অমমম মাদ্রীগী গর্ভদ হাপ্পীরম্মগা হনখরে। মাদ্রী বর ফংজরে। অশ্বিনী কুমারগী ঔরসদগী গর্ভ ওইদুনা থংভরা মুরগা মাদ্রী মচানিপা অনি পোক্লে। শোকপগা লাইনা লাউবকই, "পাণ্ডু মাদ্রীগী গর্ভদা পোকইবা নচা অনিহু" মশকয়ন্তো ফজবদা অথোইবা ওইগনি মহৈ মশিং মপাঙ্গল চঙথোকগনি। পাণ্ডু মুঙডাইজরে মচাগী যাত কর্ম লাউখি মুনি মহাক্না মমিং "অহন্না নকুল অতোনবনা সহদেব খোল্লে" মচা মঙ' ফঙবদা নিংথো মুঙডাইখদা ওমৈথে লৈত্তরে। "কুন্তী মাদ্রী পাণ্ডু অহংক" মচাবু ফিংকুপ অমা কাওবা থাদোক্লনা মচাগী কুইম রেঙহনা মুঙডাইব্রখি।

ঙোংমদি পাণ্ডুনা কুন্তীদা হায়রকই, সতী মহাগী কুম্মেবু হেন্না শুংভাইবা অপত্তা লৈরম্মরোই। মহা হায়বসি মীওইবগী অথাইবা লম্রি। অদ ধৃতরাষ্ট্র নিংথৌনা মহা চাম্না পোকচবা লাইবক কৈ, মরম অসিনা মাদ্রীদা মন্ত্র অমুক পিয়ু ইচা মান্না পোক্লগা মান্না শুংভাইবা ওইগনি। কুন্তীনা হন্জংই মহারাজা অমুক তাকপিরগনু; ইনাওসি লোনম তৌই। ঐনা মর অমুক্তংগী পীরগা মহা অনি পোকপা ঙমই, ঐ কিজে। মরম অসিনা মাদ্রীগীদমক হায়বীগনু; ঐনা প্রান নাথবু খুকমজরি। কুন্তীগী রা তাবদা পাণ্ডু রা তাংখিদরে। মহা অমুক কংলিভবগী রাখল থাদোখ্রে। অসিগুম্বা ব্যাসনা লেংখ্রবা মহাভারত অসি তাবদা অমৃতগী মশক্কি, মসিবু পৌরানিক পরিষদকি রাথং মতুংইগী তোল্লবা শ্রী৺অত্তা-ভোন সিংহনা ইমালোন্দা ইজবা অরানবা থৈবিক রসগা পন্নমক্লা তাকপিগনি নিংজৈ। ইতি

হরিবোল হরিবোল হরিবোল ॥

অধ্যায় ঃ—

পাণ্ডু নিংথৌ মাদ্রী শিবগী—

বারী মতাং ॥

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়—তাবা মহারাজা পাণ্ডু মহা য়োক্লনা শুংডাইনা লৈবদগী ঋতু রাজ বসন্ত ওইরকপদগী। উরি উপাল হৈ লৈ লেনিং চোত্তকপনা লৈনী জাংজনা শাংলক্লে। হৈগী জাং মক লুক্লা পাল্লক্লে, খোইমু শঙ্গুংশংবা ভক্ত পেরিক চুম্মনা মথৌ ওহবক্লে। কোকিল লাবা ঙমোন্না জুরা জুরা উশাদা লাংছুনা; পঞ্চম স্বর খোংবদা নিন্নকই। বাগোং লাবা অমাম্না অপোই শাবা হৌরক্লে। ইংলবা মলয়া মুংশিংনা লিং লিরি হৈনম লেনম পুম্বনা শিনথুনা চুমলক্লে। অসিগুম্বা বনগী কন্নবা মতমদা মহাশিং কুন্তীদা শিন্নরমগ, পাণ্ডু মাদ্রী পোইননা নিকুঞ্জ বন্দা হৈ-হৈল হেকপা চংডকই। মংম অসিদা থৈকবা কুন্তী মহা অডাং মঙাহ্‌ হোংনহুনা বালা লেমদ। তাওহনা লৈবদগী কুন্তীহ নিংথৌনা মাদ্রা লোইনাথিবসি খণ্ডহৌরে। ফজববা বনগী মন্নংদা কোহরকইবা পাণ্ডু ব্রহ্ম শাপকী মতম শুদ্রংপনা কাম কেবা লাইশা পেগী লিকং লিবি চন্দুনা মূহন, হবণ, স্তম্ভ, উৎঘন, উন্মাদন, কৌবা লৈনী তেন ৫না পাণ্ডুনী থম্মোংদা থাবর। নিংথৌ লৈগী তেন্না থাবগী মৈচাক মাদ্রীবু চিংনা য়েত্তকখি। ফুগাইরবা থংমলগুম্বা পুর্ণিমা থাঙ্গুম ভাল্লিবী। মাদ্রীগী মাইগাং, মিংলুনা থম্বাল লৈকা ওমজবী মিংথৈ ওারকপনা শজি অমোম্বু ওমজবীনি। নাকোং অনিনা গৃধিনীবু ওমজবী; পয়োধর অনিনা দাডথ কলব ওমজবী। নিতম্বনা মপুং কানা কন্নবী শাজংনা কাত্তহুম মিত্তথিবী, তাংথোক্কপা রাহৈনা অমৃত বিক্লকপগুম্বী, মাদ্রীবু উবদা রতিগী অরাম্বা থৌরাংবনা পুনখিহুনা জ্ঞান থাংখদগী মুনিগী শাপ্লু কাউথহুনা মাদ্রীবু পাবোম অনিনা কোনশিনখ্রে। কাল কৌবা লাইনা

গ্রাস তৌরকপনা, জ্ঞানৈশ্বর্য্যবা পাণ্ডুরাজ মীগী মাংলমনায়দা বুদ্ধি ওইরককই হায়বয় মতমচুদা থোকখ্রে। মতৌ অচু উবদা মাদ্রী সত্তী লাউনা অকনবা রাঁইনা হায়রুখী, থাদোকউ মহারাজ মা'বা তারে। মৃগ ঋষিগী শাপ্প কাওরবরা লেপ্পা শিবা তাবে। রা অমি হায়রুনা "থোত্ত থুং ক্রন্ত ক্রন্ত চোংরুনা কখী। মতম্বা কনখিবনা। মাদ্রীগী রাবু তাখিদরে। মতম্বা তৌরকপা থবক কদানা ককপা ঙমগনি। অথোইবা পণ্ডিত ওইরবা পাণ্ডু মতম্বা জ্ঞান মাংহলখিরুনা। শাঙ্গল থেক্লা রক্তি রসবু লৌখরে। ঋষিগী শাপ মা'বা রাদবনা থুদক অথুদা পাণ্ডুবাজ পরলক তানখরে। নিংথৌনা শিরবদা মাংলে মা'পে হায়রুনা থোঙেন রা'না কপ্লক্লে। কুংগী থোঞ্জেনবু অরাপ্পদা কুন্তীনা তাখী। লৈবা ড্রক- ত্রুনা মচা মত' পুনা থিবকপদা। মাদ্রী পাণ্ডুবু লৈবা উদ'র। মতমতু থেঙগুক্লে, কুন্তী রাবনা ঙমথে লৈত্রবুনা কপ্পা তাখিবা মাইগৈরোমদা মচা মচা পুরগা থুনা রাংনা থিরক্লে। যৌরকপদগী পাণ্ডুগী মৃতু দেহে কোল্লগা মাদ্রীনা কপ্পুনা লৈরম্বু উবদা, কোক্তা বক্তুনা থাবগা মারখিরুনা কুন্তী লৈপাকথক্তা হায়খ্রে। জ্ঞান লাকপদা মাদীদা শাওনা কপ্পুনা হায়খি, হে — মাদ্রী করি মত্তৌনো? মংন। ইপুরোইবা হাৎপনী। ন'গ লোইনত্নুনা চৎলগা; থামদবা মৃগঋষিগী শাপ্প কাওরবরা? মবম অত্থুদগী বম্মা লৈবিবা নত্রা? মিৎকুপ থুদিঙ্গি ঐনা মিংথৌবু শেমত্নুনা থম্বনি, কমদৌনা পুথোক- থিংনা হাংলুবিবনো। কুন্তীগী রা তারগা মাদ্রীনা হায়রৈ, হে — ইচে ইবেম্মা ঐবু করিগী নিন্দা তৌবীবা? লাইগী নোংমন্থু কমানা ককপা ঙমগনী। ঐনা হায়রবা কথা তাখিত্রবদগী থাম্বা ঙমখিত্রুনা। অসি থোকখ্রিবনি। কুন্তীনা অমুক হায় মাদ্রী চুম্মী মীওইবনা কর্ম্ম কল ককপা ওমদে ৎৌঙ্কিকি ন'না ইচা মচা অসি লোকহৌবো ঐনা নিংথৌগী ভুইখুনা। পরলক্তা চৎখ্রগে। মাদ্রীনা হায়রৈ হ — সত্তী, রাংম অত্ ঐংগোন্দা তাকপীগনু; নিংথৌ লৈত্রবদা হিংত্নুনা লৈব, মিৎকুপ থম কাওবা ঙম্মরোই। ইচেম্বু ভাইবগী লৈরম্বনী ঐনা হায়রগদবদি ঐনা পোকচবা অঙাং অনি অসিদদি, ইচেম্মা য়োকপাংহৌ। মমা লৈত্রবা মচা হায়বসি লাইবক থিংশোরবনি, ইংগী রবু থাদোকপীগনু। হুম্ম হুম্মা হচেমগী থুযাদা থুকমক্তরী। ঐনা ম'থাৎ কাবকপগী মংহৈবু য়ানহত্নমদনা শিংবনী, ঐগী প্রেমদা ইরাকত্নুনা লেঙখ্রবা নি থৌনি। মরম অসিনা ঐ নিংথৌগী ভু' ইরুথগে? ই'চম্মা ঐগী ইমা ইপা শক্রবীনো; কনাদম্বু হায়ত্রম লৈক্তদে নথোঙ্দা বিদায় লোক্তরবনী। অমুম্মা বিদায় তৌবম্মগা অসিবা দেহেবু চেংনা কোল্লগ শোরবিত্নুনা মাদ্রী থরাই থাখরে। কুন্তী রাবগী মথক্তা অরাবা হাপচিল্লরে; কুন্তী নোংখোংবক্তম কপখরে মসিবু শত্তশৃঙ্গদা লৈব ঋষি পুম্নমক মথং মথং পাও তারত্নুনা লোইনা লাক্লরে। ঋষি ময়াম তিত্নুনা বিচার তৌনবদা মপুরোইবা' লৈনবা কুন্তী অঙাংশিংদা বন্দা লৈবা করে। মবম অসিনা মৃতু দে'হগা লোইননা হস্তিনাদা থিল্লরো', গুকওইবা শিংনা মচা পণ্ডবানশিংদা থৌদাখরে। গুরুশিংদি মাথং মত্তু'ইম্মা, রাগী দোলাইদা মাদ্রী পাণ্ডুগা হকচাং হাপকত্নুনা॥ কুন্তী মচামচাগা লোইননা ঋষি ব্রাহ্মণশিংনা, হস্তিনাদা থিত্তবকপনী। ভমিং থবগী মহুংদা হস্তিনাদা থুঙ্গ'র, দ্বারীশিংনা নিংথৌদা পাও তথখে। পাও তাবদা ভীষ্ম, শ্রীবাহ্লিক,

সোমদত্ত, বিদুর, ধৃতরাষ্ট্র মচি বা, ব্রাহ্মণ, বৈষ্ণবশিং সত্যবতীনা মশা গন্ধারীগা লোইননা কোমুংগী মপী অহন নহা পুম্নমক খোরক্লুনা ; ঋষিশিংবু থুকমহুনা আসন থারগা রারম থিবিক হংজরকই। ব্রহ্মচার্য্য ওইহুন পাণ্ডু কুন্তী মাদ্রী অহুম লাই নিংহুনা ঐখোইগা লোইননা শত্শৃঙ্গদা লৈমিরে। লাইগী বরদগী মচা মচা অসি ফংডি ; কাল কোবা লাংনা মতম কডথিদুনা, নিংথোবু শাপকী মহুং ইনহনখ্রে। মাদ্রীকন্যা ধন্যনী মপুংবোইবগী তুংচনখ্রে, রাজা রাণীগী মৃতুদেহ পুহনা মচা মচাপা কুন্তীগা থিরক্কইবনি লোহোরো ! ঐখোই হল্লগে। রাসি হায়হুনা শিররমগা ঋষিশিং হনখে , মীরাম পুমমক ওয়োইহুনা কপ্পরক্লে। ধৃতরাষ্ট্রনা বিদুর মখিদা মাথং পিরক্লে। শবদেহশি গঙ্গাগী খোঙবান্দা যজ্ঞ তৌকরো ; নিংথোগী মাথং মতুংইন্না সনকপ্পা দোলাইদা হাপ্পুনা, নিংথৌগী হৌনবা লাংহুনা কয়ামুক লৈতেংঙী। কাণ্ডহায় চামর নবশত্র থান্দুনা, মা দ ঈশৈ শকপা মর থোংবা ; ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব মপী নিপা পুমমক লোইননা ক্ষেত্রি শংনা চতুর্দোলবু লেংবান্দ পুংন। গঙ্গাগী খোঙবান্দা পুথরে। অগুরু চন্দনগী মচিনা চিটাগী শা শেমহুনা পাণ্ডু মাদ্রীগী দেহবু ঘী চফু চামা হৈ'জন্দুনা মেদা যজ্ঞ তৌবা লোইখরে। পাণ্ডু রাজা মাদ্রীগী পিণ্ডদানদি যুধিষ্ঠিরবু কৎহল্লি, বেদগী বিধান কাইদন শ্রাদ্ধ কর্ম্ম তৌই। মণবী দান, ভূমিদান অন্নদান, বস্ত্রদান, লুপাগীদান কয়া কৎলি। "পাণ্ডু মাদ্রী"বু মুংশিবদগী ব্রাহ্মণ, ক্ষেত্রি, বৈশ, শুদ্র বাল বৃদ্ধ যুবা নারী মাগা মাগী মচা ক ইনবগা মাপনা রানখি। শ্রাদ্ধ কর্ম লোইরবা তুংদা ; কুরু শাগেগী অহন লমন গুনা রাজা সভা ফমহুনা ! পাণ্ডবকি রাকম থন নরক্লে। ভীষ্মনা রারেলি পাণ্ডব ইগু মডা অসি মহৈ মশিং তম্বগী মতম কাওবসি ঐনা ইরুশংবু কোনথিগে। পাণ্ডবকি লৈপাক লনগী শকক্তি মতম চারবা কান্দা থংইন্দাকসি ; হৌজিক্লা রাজা ভাণ্ডারদগী মন্ধান ওইনা কাইথোক্লুনা পিরগা রোকথিসি। মতৌ অমুম্না পাণ্ডব মচা মমাগা শককপু ভীষ্মনা কেংন্দুনা য়োকখি" কৌরব পাণ্ডব চামা মচাবু বিদ্যা আরম্ভ তৌহুনা ; কৃপাচার্য্যদা লাইবিক তমহল্ল। লাইরিক তম্বা হৌরকপদগী ভীমসেন দুর্য্যধন মুংশিনদে, য়েরুবা হৌনবকখি। ভীম অসিনা খাইদগী হেন্না ডাওনত হৌরকই ; দুর্য্যধন্না খাইদগী হেন্না ফত্তবা হৌই ; ভীমদি লেও মাঙা পাম্মী, পরোই থিবা বন্দম্ রান্না তোইনা চৎকল্লি। অকি অশং লৈতে, ভীম উংদা ভূত প্রেত তম্লাহ ফিংচা মাইতম লোইনা চেল্লি ; পাঙ্গনা লমজেন মা বদা মী পুমমকপী হেল্লি। অসিগুম্বা মহাভারত অসি বেদ ব্যাসনা লেডথ্রবা পুস্তগী মশক্লি। মসিবু শ্রীগুরুদেবগী চৎনবু কোক্তা হাপচহুনা তোম্রবা শ্রী৺অঙাতোন সিংহনা ইমালোনদা ইরুবা অসি সর্ব্বদম ভাকপীগনি ইতি। হরিবোল হরিবোল হরিবোল। মতাং অসিচা শ্রী৺অঙাতোন সিংহ রারী লীবা পণ্ডিতন, ইবিররা শরুক লোইজরে ইতি

অধ্যায় :—

পণ্ডব কৌরব লাইরিক তম্বা বাল্যক্রিয়াগী

য়ারী অতাং।

অধ্যায় অসিদগী শ্রী৺চিঙ্গাংবম অমু সিংহ কথাবাচক পণ্ডিতকি, অবিকল য়ারী শৈরেং শক্তক হৌজরে।

নৈমিষারণ্য য়ারী লিরীবা উগ্রশ্রবা সৌতন, শৌনকচিংগ মুনিশিংগী মকমদা হোনরক্ত হংখ্রে; তাবিয়ু মুনি সভা। বৈশম্পায়ননা জনমেজয় নিংথৌ মখোয় চাগা মহাগী বিচার তম্বী মশা লেবগে। জন্মেজয় নিংথৌনা খুংগানা না হায়রে, মহাম্মান তস্থনো "চাগা মতাং", অমাং এইনিংগা য়ারী কন্দ কবম তে নিবা নিংথা তারকপী মহা দা ওইখিবা? থবক কয় চিখবনা লিবি খুননা হায তাপে নিথো চাম মচা শাইরিং তবকপদা; পুয়মক্তগী যুধিষ্ঠিরনা খোই লোকত। মং দা সহদেব নৈ, অর্জুনদ অভম নৈ অর্জুনদি লোইদোরা হেনদে, ভীমা লাইরক কয়া লৌশানদ, দুর্যোধন মাম্ম শিংচি মী। থংনবদ মান ওয়বা পাংবমা ভীমনা মাম্মা তৈনারে, লাংব থনবা নবা সংবা শরাক থাকে শক শানাদ লাইরিক নুংসি ওঝান পায় মথং-থং তাক্রকপদ দুযধনগী মনাও কয়। যেংই দুয্যধন পান লোব হৌরকপদা ভীম লাইরক কাক পাক্রপা সোরেং (অ) হনন থংবা হেক লাওই দুর্যোধন থনংবক থং না পায়া কাবা জমত্রে, দুর্যোধন যাম্মা নঙ্গ লৈ লৈময় সি ন চায় তৌখে। ভীমনা দাদা লৈবখো ঐ কোনগে হায়চনা চপোব খ। ভীম তাব খু হয় না মখক হেক তঙ্গা হৌবগা, ভীমচণ্ডশিনখিরনা (অ) লায়চন থংলাব হক লাওই। দুর্যোধন ভান মাত্র ন শাউনা তবা তোকুনা ম্বংলদনী চংখি; চংখা থবা শাউন শাকপসি অথা অমনা উবনি হই। মতাংবু দাংল মলদগী শাওন ডম্তা কুম্বকপবু কাংবা কুপ্তোইতবা লেহবনা? তুম ধম্ম শুমত কৈমু চকং পুংচাতবা লৈনতে। শাস্ত্রিক তম্বদা পুক চাংবা ভীমন ইনাক থংলাও থংলাও শাওনদা জ্ঞান কাদুন লাকচরবনি। ভীম অসিনা মথরাই লোক্রা শাওনিংগদব লেবরদি? হয়ুনা অমত্তা তাকপায়ু। ঐনা তম্বা মতমদা মান যেংপসি থরই চারে; তেকথিনব অমুক্তা খিন হায়নগ। দুর্যাধনগী মুংশাংচব উংদা অহল অতুনা তাকই এঃ মতাইবুতন্তো; হয়েংদি ভীম অমুক তৌরকবদি 'জারজ পুত্র জাবজা স্থানেংগও" অমুন্না চৈবীয় ভীম ইকাইদনা মকুংদদি তোকংখ বি।

য়াংহ অসি তাক্রলমংগ অচম্মুত চখি, দুর্যধনমু কোমু দ হজিনখি, অমম্বা নোংমক্তমা শেক্রে। অতোপ্রহনা ম্বুল অমুক কান ব, তম্ব অমুক হৌনবকপদা দুর্যাধনগী পাম্বা পোবা মতংদা; ভীমমু পাবা কাক্তোককুনা (অ) হায়না থংলাও লাওই। মতম অদুদা দুর্য ধম্মা হাই "জারজপুত্র জারজা

স্থানে জাও" অসুম্বা হায়রকই ভীমা চৈথিন্বা মাহৈ অহু, অর্থ লৈবা য়াম্নি হায়বা খঙলুম্না, কুলদগী পুথাইদবা মতামতা কুমখরে। লমীদা অহল অমা ওকলে; ভীমম্না অহলগী মকমদা হংলে ইপু ঐবু অর্থ অমত্তা হংজগে? অহলহুনা হায় করি অর্থদা মরেক হায়রু খংসি। ভীমনা হায় "ভারত পুত্র ভারতী স্থানে জাও' অসিগী অর্থ খঙজরে ঐদি, ইবুঙ্গোয়াইনা মাহু কনানা হায়রকই, ইপু মাসি দুর্য্যোধননা ঐগোন্দা হায়রকই। অহলনা খল্লি হেন্দুর্য্যোধন মহা ভইনা তৌবা চন্দ্রা। মহাকখক্কী য়েংথিনহল্লি, খন্দুনা হায়রকই। ইবুঙ্গোয়াইনা মাহগী মপা তাকচগে হরেং দুর্য্যোধনা, "মেবের পুত্র মে. মেঃ দাকো" হায়রু। অর্থদি লমীদা তাকহৈদে মুম য়োরগা ইমাদা হঙহ্রো; হায়রমলগা অহলহু চংথি, ভীমহু মমুমদা য়োরক্লে। ভীমহু কাওথিমি খন্দুনা ঔরাইহুনা চঙক্লে, মচানা ঔরাইবত তাবদা কুন্তীনা হায় ভীমসেন নংনা ঔরাইরিবা মরেক অহু কমানা তহীরকই। ইমা ওসি কুলদা দুর্য্যোধন দাদানা "ভারত পুত্র ভারতী স্থানে জাও, হায়না চৈরকই। ঐ অর্থ খংজহনা পুংতাইতনা লাকপদা। অহল অমা ওলহুনা হংবদা? অহুগী পাওখুমদি। মেবের পুত্র মেঃ মে. দাকো হায়রু, অর্থদি লমীদা তাকহৈদে ইমাদা হংহ্ লাকরমোঁ। ইমা মাসিগী অর্থ তাকপীরু কুন্তীনা হায় ভীম মাহু ওসিদগী অমুক চমা হায়গনু, ইমাগী সিত্র থিহুনা চৈরকপনি। মানা হায়রগুম মংহু হায়রকপহু হায়রগা কুন্তীনা খামথি, হে দুর্য্যোধন নংদি কজবা পুকচেন তৌইদা অনিসিগী হাকতা য়েংথিনবা তারে খনথি। দুমিৎ অহু হৌখরে নোংডাম্লগা স্থূল অমুক কাপ্প, দুর্য্যোধন উবদা ভীমনা মেবের পুত্র মে মেঃ দাকো হায়না, লাওরকই। দুর্য্যোধন ভীমগী মাহৈ তাবদা খমোই পুঙতাইতনা কোপ্পংদা চঙখরে, গন্ধারী মমাগী নাক্তা হঙঙী, ইমা "মেবের পুত্র মেঃ মে দাকো" হায়বসি কবি হায়রিবা অর্থনো তাকপীয়। গন্ধারীমা হায় দুর্য্যোধন মত কনানা হায়রকই, ভীমনা হায়রকই, নংনা করি হায়রকই। ঐনা ওরাং অহল অমনা তাকপীদ্না, ভ্রাতার পুত্র জাও হায়রকই। মা ওরাং তুমিন চংথি অদুগা ওসি হায়মরিবনি গন্ধারীনা তম নংনা হায়া হৌকদ্না হায়রকপনি। ওসিদগী মাদু হায়রগহু মিনা ভোরগা নোক্ষিনি. অহলগী সিত্র পুথোক্নুনা হায়নবা হৌনদে খঙহ্। অসিদগী মানা কিবদগী অমুক ভীম দুর্য্যোধন হায়নথিদে, অপন্না লাইবিক তম্নরকপসি। স্বর বর্ণ, ব্যঞ্জন বর্ণ, বানান হৈনবদ্না অর্থ প্রাপ্ত তামরভুনা মুগধ বোধ ব্যাকরণ তম্বা হৌনরক্লে। ভীমদি (অ)গী অর্থ খংলি হায়দ্ন মখা পোথক্লে, কুপ ওখা-না হায় ভীমসেন নশাম্বদি বানান হৈনরদ্না ওমনা অর্থ শাস্ত্র ভাম্নরে নহাক মখ পীখম্নবা কৈন্দাবে। ভীমনা হায় গুরুদেব (অ) গী অর্থ তাকপীথো, অদুগা মগা লোথওগে (অ) অসি মখক কৈনা চিংলগা, মানা থোই শানা কোল্লগা মথৈ ইনখংথিদ্না মখকী অঙ্কবা লই মচিন্দা পেঙঙ্রি। নাকন্দা অমুক মচিন তুম্বা চি থরগা অমুক ইনখংথিদ্না মখকী লহ মচিন্দা পোক্লুরি। থোক শানা কোনবনা করিগীনো; মখক্তা কৈনা চিঙরবদা করিনো হায়রিবু, অহুগা নাকন্দা মচিন তুম্বা চিঙথরগা ইনখংখ্রিবনা কারগীনো? মসিগী অর্থ মচা তানা কোংদোল্লা তাক পিয়ু। কুপনা হায় ভীম (অ) অসি স্বর বর্ণনি, স্বর হায়বসি ঈশ্বরগী মশক্কি স্বরদি বিখুপ অহুম্নি,

ঈশ্বরগী মূর্ত্তি কিরেপ অহ্ মখেক অহুম থোক্না লেপকনি। জগৎ শেমলকপদা মখেক অহুমদগী, স্বর্গ মর্ত্ত, পাতাল, মরোল অ থোকখি, স্বমগী কিথুপ খঙনা সাধন তৌরবদি থমোইদা শ্রীবিষ্ণুগী মথক ঊগনি। শ্রীহরিগী কৃপা লৈরবদি হকচাংদু ডোগ লৈররোই, পাক্নদ কল্লগনি পুমশিগনি পাপ পকনরোই। থমোইদা জ্ঞান মচু ডালনা লৈরগনি, হায়রিবা অর্থসি (অ)দগী থোকপা অর্থনি, স্বর মাওদনা তিবমা লেপপা মাদে থঙু। মরম অসিনা স্বর বর্ণশিংনা মথাদা তমনকদৌরিবা। বেঞ্জন বর্ণবু মপুং কামা হায়দোকপা মাবা; থোক্তোক লেংকনি। বৈশম্পায়ননা তার জন্মেজয় নিংথৌ নযুথৌ তামদি, থাইগী লাইরিক মতমগা মায়দে, মরেক থুনিজি অর্থদা কোমনা তমী। স্বর বর্ণ, বেঞ্জন বানান থওবা লোইবদা, ঐ হৈরে হায়দুনা অর্থ শাস্ত্রতম্ হাটবা মাদরে। ভীমনা হায়তে শুকদেব লাইরিক হায়বদি (অক্ষর) মরেক অসিবুনি অক্ষমদি ঈশ্বরগী মশক্তি, ঐদি থওকরে থওদবশিংবু থওনমবা কবিত ঋষিশিংনা ইরমলিখা শাস্ত্র পুরাণ ওাকনি। লাইরিক মথাম অ সদি থবক তৌথিবা থওনবা। তৌবকদৌরিবা থওমবা ইশিনব', হিশাপ থোই থাতা ওহনি। থওদবশিংনা তমনি ঈশ্বর শ্রীহরিনা লাইরিক থৈবিক্তী মচিনী, লাইরিকশিংনা থবক ওইনা পথোকুনা জগত পাক চাওবা মশিবু য়োমশিন্দুনা থমথুবা মপ্রাম ওাকনি থবক হৈনবা, পণ্ডিত ওইবা পামদুনা তম্বা লাইরিকনি। মপ্রামলোমদা হোংনরিডেদা মচি কং হৌদমা! পুনশি লোইশ্রুগদবা জিখ ওাকনি, ঐদি থবক তৌবত পামদে পণ্ডিত শাবস্থ পামদে মচি পাইজরগা লোইরে। মতৌ অস্নমনা ভীম অসি লাইরিকতম্ব ওবানা ওাংমবা ওমেত্রদুনা, লাইরিক তম্বা তোকহনথরে। ভীম নোঙানবগা বন্দা হৈ থিবা চংলি, মোংমা বারনাবটিগী চাঙথোওদা ঋষিং থিরবদা হাকজবী পৃথি অমা থেনকই। ভীমনা থক্তি মচিব মদাও চান্দশি অমুক্তা লারুগে নিংদুনা স্কুল কারকপা মতমদা নমথাওদা ওাইদুনা লৈরে। চামনা লাকপদা ভীমনা মাংদা থঙনা দুর্য্যধনবু থুকন্মী।

মনাওশিংনা ভীমবু থুকন্মী ভীমনা হায় দাদা ইবুংগো বুদ্ধি কবক লাইরিক হৈবা পামদ্রা? তোইবে রাজ্যমা ঐথোট বুদ্ধি কংথিত্রেদা তম্বী কাবা নাইত্রে কমদৌনা হৈরকদবনো থওদরে, ইনাওদি বুদ্ধি কৈদাকো কৃপ ওস্তান তম্বীবা লোইরংনা, তোকথরে ঐদি হজিন্দুনা লৈরে, ভীমনা হাথরকই পাদাথোরবা নোংমতা হংবিদেদে, লাঙ্গবিকপু তম্বা ওাকনা হৈবা ওমত্রা! কৃপা অমা তালজুবগা হৈথনিদা, ঐথোইনা কৃপা হায়া তাক্সোকতুনা অসুগা হেপ্তা হৈকিবসিনি। দুর্য্যধননা তার রাইমা লাইগী কৃপাবু কমদৌরগা কজদগে অমুক্তা তাকপীরবা? ঐথোইস্ত্র নপান্দগী অমুক্তা হৈজগে। দাদনা শান্তিরবদি হায়জয়গে থবসতী কুণ্ডদা অমুক্তা লুপীয়; শোটদনা থবথতী ইমাগী কৃপা কজনি, ঐনা লুপচরবনা কৃপা কংদুনা, তম্বগা হৈবগা মানবিবা অসিনি। রাইমা কুণ্ড অহু কদায়দা লৈ, ইনাওদি কমদৌনা থওচুই; দাদাবু ঐনা বল্পা পোরোই থিবা চংপদা, মুনি অমনা তাকশীদুনা লুপচবনি। মীনা থরাই রাওবা তৌত্রবদি তাকথোকদ্ দোষ কজনি হায়রিবশী লুপপুরবদি কৃপাদি শোটদনা কংদে, ইশাদা শিক্ষ পাম্নদুনা থংজরবনি। অদুদি রাজ্যমা অমুক্তা লুপংগে নহারা শোয়দনা তাকপীরো, দাদবু

অহুদি লাইরিক থজিনমকিনো চেঙশোইদিং নৈ-ভিংখৌ পত্র হৈকক প্যানত বণ্ডি মঙবি। কোলায় তেকচাও অহুমগা চর্মি, ঐদি কবনাবত্তা হিখোংসা, চাইনক্-লগে, ইমাওশিকা লোইননা রথতা হৌবীরক্রা, অদি হারয়নলম্ম ভীমন্ধ্রেন চংখে।

দুর্য্যোধন মনাওশিংগা লোইননা হৃজিনক্নুনা শোং পুন্নমক লাংহুনা দেখলাইদা হাপ্লগা রথ তোংহুনা মচিন মনাও চায় যাত্রা তৌরক্লে। "দুর্য্যোধন মচিন মনাও" বায়নানভাঙ্গা থুঙলে, ভীম চাইহনা লৈরক্লে, রথ খারে সারথী রথ থমমগা, শোং-চে পুহনা তাবগা লোইনবা চিঙ্গ খোঙদা চংখ্রে। হাকজবী পুখি মৌরুনা পোংচে থগে, তেকচাও অহুমহু থবা চেঙপাক কবোক লকোই চুহি শঙ্গোন হাপচিন্দুনা কোলাহু নিংথিনা তোংহলে। হৈকক পানা খারে বণ্ডি চুখংলে ভীমনা কোলাহু পুক্লিডনা শ্রীকৃষ্ণদা কংলে, চেঙখোইদিং নৈ ভিংখৌ পুত্রিদা থদরগা লাওমা হায়বকই। হে স্বস্বতী, ইমাগী কুন্তস লুপচবদা ঐচিন হনাওশিং অসি লাইবিক হৈহনবাখু; কর্চ্চরিবা কোলাসিনা পেনবীয়ু হায়তুনা থুকমথারে। চামাবস্থ খুকমগলে ভীমন কোলাহ নথংইদি চাইদে, মাইবনা কংলপ নংখাক মহে কক্ষনবনি থাযহুনা লোইমা চংবে। লোইরবদা ভীমনা কোলাদি মরেক শেংনা হাওই; মঙ্গল ভৈরবনি লুপ্পা বাবনি ১০৮ লকশুনা লুপকদবান হায়খী। দুর্য্যোধমচিংবা মচিনমনাওশিং লুপ্পাব ভীমনা মপক্লা চৈখেক্নুনা মশিং থাবি "কাওংংলা লুপ্প কাও গংলা লুপ্প" কুনগা মর্থ মখাবক শুরকপদা কওবা ঈশি তুগী মহিক্লা মশা পুন্নমক মবে মখে চত্নুনা হাকজবনা থাংবা ডম্বকত্রে। মথক্লা কাখংনরক্নুন পঙ্খোংত খোংনংক্লে। দুর্য্যোধনা হায়বকই ভীমসেন নংনা লুম্নদা কমদৌই? এখোইদি হাকচধনা থাডবা ওমাত্রে থমদোনি। ভীমনা হায়বকই দাদব হাকজবক্নদ কুপ লাক্লবনি; মুংশ মচাক য়াইবাযু অচগা অমুক মশিংশুনব, লুপ্পারা। বুপাডনা ঈগা শমবকপা মতমস গান্ন থাকজংকখিনি মাহনা থমোই য়াখিবদ, জ্ঞান অহু ভাঙ্গক্নুনা হৈংদোরিবনি। ভীমনী ব্রা তাবদ গুংশা য়াইদ্রনা খোংপা মখ খোংশংলগা, অমুক চোংথবনা লুপ্লে। কাওংংগা লুপ্পা কৌবদা মশা পুন্নমক্ পুমগা থাগংখহনা মমাহ মমিং পুমপোম পোমথংশ্র। হাকজবমা খাডগা ওমদ্রহুনা মহ মহ কাখংনবক্নুন হায়রকত; ঐখোই লাইরক হেক্রথম্ লোক্লগে ১০৮লক গুনা লুপ্পবদি শিবতাবে থাবরম্নগ হাবথহনা তাশবে। অদিংবা লুপ্পগী চক্রমন, থাগং পোম্নথংলকপগী মনথবকপনে, হাকজবন খাডগা ওমদ্রবা ঈহং নাইহ শানা খোংতংনবকপগী মবা বগা মুশা য়ৈরকপদ রাম্বহনা তিদম তানো লৈনখরে। মহু উবদা ভীমন সারথা রথ কৌশিন্দুনা রথ মপং হাপকংশিলগ হস্তিনা কোংদা পুহনখি ভাবন্ধ মযুমদা হুমখি। গন্ধারী ধৃতরাষ্ট্র মচা চামগী হাকজবা হোংপগা নিদাক তৌবগা খোলোম তৈবগা, থা অহুমলোম মচ ময়াম হোংনবদা চাবা থকপা চঙখিদে। অসিগুম্বা মহাভারত আদি পর্ব্বগী কথাব শ্রীগুরুব খুক্মজনা যিচৈ ইমা লোন্দা তোম্নবা শ্রীঅম্ব সিংহনা ইক্লরি। ইতি। হরিবোল হরিবোল হরিবোল।

অধ্যায় --

সত্যবতী অম্বী অম্বালিকা বন্দা লাহ নিংড়ুনা নোঙ্গাখিবা—

কৃপ, দ্রোণ পোকপা বাবী মতাং ।

সো[illegible]না হায়রি তাবিবু শৌনকচিংবা মুনি সভা মহাভারত লিরিবা বৈশম্পায়ন মুনিদা জন্মে-জয় নিংথৌগী মফমদা হায়রকই। হায়বো মহারাজ [illegible] [illegible] শ্রীদ্বৈপায়ন হস্তিনাপুর থুডরে, সত্যবতী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। সত্যবতী [illegible] কোত্র আসন্দ ফমহল্লি, ছন্দে[illegible] [illegible] বাস [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ইমা [illegible] অসি ধর্ম [illegible] পাপকি মতম [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অসি [illegible] [illegible] [illegible] লমচৎ [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] চুমবাই পৃথিবী [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] ধর্ম [illegible] [illegible] তোকপগনি মীওইবগী [illegible] [illegible] পাপকী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কোনবা শাটে। [illegible] [illegible] [illegible] মাচবু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]; [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] বেদব্যাস [illegible] [illegible] [illegible]। সত্যবতী [illegible] অনমক [illegible], [illegible] [illegible] অম্বিকা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নি হায়রি। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] বদা [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হায়বু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অম্বা [illegible] মক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কৌশিল্যা। [illegible] [illegible] হায়বা। বিদায় [illegible]। [illegible] [illegible] কৃপ [illegible] ওইবা পুনক; [illegible] সত্যবতী। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। লাই নিংবন [illegible] [illegible] দেহে [illegible] [illegible] স্বর্গ [illegible]। মুনিশিন পাণ্ডু তাহনবা 'ভীষ্ম ধৃতরাষ্ট্র বিদুরনা শ্রাদ্ধ [illegible] বিধান কাইদনা; [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

বৈশম্পায়ননা হায়, [illegible] জন্মেজয় [illegible], হস্তিনাপুর [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ১০০ গা ৫গা অসি লাইরিক [illegible] নিং [illegible] ওইবগী মতিক [illegible] [illegible] [illegible] ধনুর্বিদ্যা তম্নরক্লে। কৃপাচার্যনা ধনুর্বিদ্যা তম্বীবা ফরিবা অসি [illegible]; ভাবকী নিংথৌ মচা কয়া লাকয়ুন; কৃপ ব্রাহ্মণদা ওঝা ওইদুনা বিদ্যা তম্নখি। কৃপ ব্রাহ্মণ অসি ধনুর্বিদ্যা হৈ তম্বীব কৈ হায়দুনা পৃথীবিদা আচার্যা গুরু হায়বা উপাধী লৌখিদুনা কৃপাচার্য হায়না ফাংখি। জন্মেজয় নিংথৌনা হংজরকই মুনি কৃপব্রাহ্মণ অসি কনান পোকপনো? ধনুর্বিদ্যা তেমিবনা কনানা তাক[illegible] বনো। বৈশম্পায়ননা হায় মহারাজ গৌতম ঋষিগী মচা শরদ্বান কৌব ঋষি অসি মমাগী গর্ভদগী

পোকলকপদা লিরুং তেনগা লোয়ননা পোকলই হায়দুনা শরদ্বান কৌই। বেদ শাস্ত্র হৈ ধনুর্বেদ মশিংতদা তমহৃম' য়াম্না চেকশিন্না হৈ মমা মপা অহল্যা গৌতমগী বিদায় লোয়না ব্রহ্মচারী ওইদুনা মন্দা কয়া লাই নিংথুনা লৈ। ধনুর্ব্বিদ্যাগা লৈয়ে তপস্তোবগা কয়ে মুনিগী তপকী মঙনা ইন্দ্রনা মকম মুনগে হারবকদা কিবদগী জানপদী কৌবা মচানুপিবু মুনিগী তপ থুগাইকনবা ইন্দ্রনা থাথরে। কন্যানা পুক্লিং হুরবী খোনকমনা মুনির্দা হাজরকই। কন্যা কবিগী তপ তোরিবনো হায়দুনা। মোমোন মোকতুনা লেপপরে। দেবকন্যাগী মাহৈ অদু তাবদা মুনি মিৎপাংখোকলূবদদি মাংদা লেপলম লিবা কন্যাগী মশক মতৌ উবদা জ্ঞান মাংদুনা লিরুং তেংলোং শিকথদুনা তাখি। মশাস্ত্র জ্ঞান মাংদুনা তুখি, মুনিগী মতৌ উবদা কন্যা কিদুনা চেনখি। মুনি লিরুংতেংলোং লৌথংলগা মফম অসি লমহৈগী থাকলে। মকম অমা হোংলগে থন্দুনা মুনি চৎখি মুনিনা চৎপদা বীর্য্য শিকথদুনা তাখি "শর পত্র" থৌবোম মমাদা তাবদগী থনি থোক্না থাইদোকখিদুনা। তোতাদ ২ লৈবাক্তা তাকৌরে। মুনিশু অদুম চৎখরে। বির্মহৃদি মাওবা য়াদবনা কন্যা অমা নিপা অমা থুদক অহুমক্তা পোকলে। তুমিং অদুগুক শান্তনু নিংথৌ শকিতানবা মম অদুদা চত্‌লকই। মাংথাবা মনাইশিনা অভাং অদু উরদুনা মিতেথোদা হর্ষংলি। শান্তনু চত্তুনা য়েংই। অভাং তপী, মুপা, অনিদুমা কনা লৈতবা মকম অদুদা কংদুনা লৈরবদু উবদা থুংশিনদুনা য়াথদ তোই। আশ্রম ইমাগী থাংপোক শক্তি মউনগী আসন লৈরবদ; উই; থবিগী মচানি য়োকপিনবা লৈরম্মরোই থন্দুনা কোপ্পদা পুয়কতুনা লূনা য়োকখে মাসিবু মুনিনা থ্যান তৌদুনা য়েংবদা উরদুনা হস্তিনাদা ৬নি শুবা থুমিত্তা লাকুনা শরদ্বান মুনিনা শান্তনুদা হায়রই। ধর্ম লৈয়বা হে নিংথৌ নংনা কৃপা তৌবীদুনা য়োকই হায়বগী মমিং কৃপী কৃপ, থোয়গে। অঙ্গয়া মমিং থোয়ে, কোষ্ঠী ইশে মষ্ঠী শোয়ে। শান্তনুনা মুনিবু সেবা তৌংনা থমখি। ইন্দ্রনা থংডাইরদুনা আকাশদগী লাওংকখি। শান্তনু নিংথৌ তারো মহামুনিগী মচানিপা অদু অমর ওইরসনু; মচা : পী অদুগী শান্ত অতর অমর ওহবা মচা থারা অমা কললগানি য়োন্দা থাজৌ অসুম্না পাওরকই। আকাশবাণী তাবদা মুনি নিংথৌ হবাওখি। শরদ্বান থাসিনা মচাবু বেদ শাস্ত্র তম্বী। কৃপদা ধনুর্বিদ্যা তম্বীরগা পোকপদগী লোয়নরকলবা 'শমাং অতা লৈত্রবা লিরুং তেংদু পায়ে। কৃপী মচেবু দ্রোনাচার্যদা পুংহোংখি কৃপ মচাবু শান্তনুদা শিন্নরমলগা শরদ্বান মুনি বংদা থাইনিংবা চংখ্রে। শান্তনুনা পুরহিত হাপ্পুনা হস্তিনাদা লৈরবা কৃপনি অসিগুম্বা কৃপী কৃপ পোকপগী য়ারি লিরবসিনী। জন্মেজয় নিংথৌনা অমুক হংজবকই, মহামুনি দ্রোন হায়বা ব্রাহ্মণ অসি কনাগী মচানে? মদম কদায়দা লৈবগে লিবখো। মুনিনা হায় তারো নিংথৌ ব্রহ্মাগী মচা ভরদ্বাজ কৌবা ব্রাহ্মণ অসি মরোল অহমদা কাওই। নোংম ভাগীরথি হ্রানতৌনে হায়রনা মুনি গঙ্গাগী থোংবান্দা থুডরে, মতম অদুদা ঘৃতাচী অপ্সরা মুনিগী মাংদা; পাইচনা নেমলপনা চৎলি। মুনিগী মপা য়োকপা হু শিংনে মফি হুম দাকতুন ইকাইবা পী; মতম অদুদা মুনি নিংথিজবা জগোইশাবীগী মশক উরদুনা কামগী তেন্না থম্মোয়দা পানখিবনা, বীর্য্য হীকথদুনা

তারে। মুনিনা উনাবা দোনা অমা শারগা বির্বাহু হাপচিন্দুনা থম্মী খুদক অহুদা মচানিপা অমা পোক্লে। দ্রোনাচর্য্য পোকচ হাইহুনা মমিং দ্রোন হাইবা থোক্লে। মতম অমদা পঞ্চাল লৈবাক্কী প্রবর্ত নিংথৌগী পুরহিত ওইনা ভরদ্বাজসি লৈরম্মী। মচাদ্রোনবু বেদ শাস্ত্র তম্বী প্রবর্তকী মচা দ্রুপদ কৌবা অমা লৈ, মিংগোনা মচাবু লাইহিক লৈহন্নিংদুনা ভরদ্বাজদা তমহল্লী। দ্রোন দ্রুপদ ২মসি মকপ শাহুনা লুনা চাইহনা লাইহিরিক তম্মিবদা; চারে খুমলে, চংলে, শাহরে পুরুথা খীনদে তরুগী খুমদা লৈহুনা তমই মতম কন্নামুক লৈরগা প্রবর্ত নিংথৌ শিরে। প্রবর্ত লৈত্রবদা ভরদ্বাজনা মচা দ্রোপদ্রু রুপী লুহোংবীরমলগা স্বর্গদা অমুক লৈখে। দ্রোনন্নু আশ্রমদা রুপীগা লাইনিংদনা লৈথরে। পঞ্চাল লৈপাক্কী নিংথৌ দ্রুপদনা ওইরে। বাল উপজাত ব্রাহ্মণ মনিন মনাওবু পুরহিত হাপখি। মহাভারত আদি পর্ব্বগী বারী অসি অমৃতগী মথক্কি শ্রীবেদ ব্যাসগু খুরুমজবগা পাংথবা শ্রী৮অমুসি ইনা মিতৈ ইমাংলান্দা ইজবগী দথ থৈবিক বৈষ্ণব সথাজনা তাবগী গনী নিংথৈ ইত্তি। হরিবোল হরিবোল হরিবোল।

অধ্যায়ঃ—
ভীমবু লাইনা পুবদগী কৈলাশ য়োরকতুনা অন্নপুর্ণা ভাগবতীগীদা
চাক চাবগী বাবী মতাং।

শ্রীবৈশম্পায়ন মুনিনা হায় তাও মহারাজা জন্মেজয়; নোংখদি কলি যুগ কৌবা লাইনা বাখল তৌই; নংশিংকী মচা ভীম অসি অতাং ওইরিবৈদা মাংজল্লগ। মাতুহনগৌরবরী ঐগী শাক্তিনা পোকইবা দুর্য্যধন অসি মাগী মথুত্ত শিবা তারে অমুম্না থম্মুনা কলি হস্তিনাদা থুগুরে। অমুক অডনবদা ভীমমু দুর্যোধন মনিন মনাওগা শান্নগে থোক্লকই লমথাওদা কলিনা মচিন মনাও ১০০ শাহুমা থাইহুনা লেবমই ভীমদী লাইগী মাযা থডদবনিনা চমশিন্নতুনা দুর্য্যধন্দা থুরমমী। মনাওশিংনা ভীমবু থুরমই। ভীমনা হায়লকই দাদাবু ইনাওশিংগী ভস্তানা লৈবীরথা মুত্তাইজরে, ভসিদি কদায়দা শান্নকশিগে। কলিনা শারিবা চামনা হায়রকই, ভসিদি ইচিমাও ঐথোই যন্দা চংলুসি, তরাং মুর্মিদাংবাই ঐথোয়না বন কৌইকবদা, পোয়োই যান্না পানবা মকম অমা থেংমনক্লে। দুর্য্যধন্না হায় ইবুংঙো যাইমা, তরা ছ ইয়াম্বনা নওনাওশিংদা হনবং নয়াম্বা যাইমাগা চামিন্নসি হেকতোকস্নু হায়রহুনা থনমলে। ইনাওনা পোবোই পাম্বহুদা চামিন্নান দুনা ভত্তানা গোকাস হায়রহুনা মনাওশিং পুহুনা লান্নবনি। ভত্তা য়োরসি ইয়াম পম্বী চিংগে হায়রহুনা কলিনা ভীমবু পুহুনা চংথরে। কলনা যায়া থৌনা পুথিবসি মীরৈবাকী লম লাংত্থাকথিন্না লাইরৈবাকী লমদা য়োরকথি কৈলাশকী পিংম নানী শেংলবা বন অমগী মখুংদা পুশিলগা হায়রকই। ইবুঙোয়াইমা উজাওসিগী

মখোংদা অমুক্তা পোখাখিসি, তরাং এখোয়না থেনরবা খোয়োইহ্ বোন অসিদনী, ইনাওশিক্তা অমুক্তা খিরুখিগে। থেংনয়গা হেক কৌরককে; উখোংসদা কমদুনা লেরমউ। রাসি হায়রুম্না ভীমসেনবু কমবরয়গা। দুর্যাধন মচিন মনাও ১০০ শা থবা কলি কৌবা লাইদা মাগী চেং শিংদুগা লোইনদুনা মথুমদা চনখ্রে। ভীমদি মখোয় হে থিগ্রি কৌবকখিনি খন্দুনা। অতুম ফমদুনা চাহার। দুমিং দুংবা মতম ওওরক্লে। বন অচবু কোংরিবা লাই 'বন দেবতা অনন্ত শক্তি পাথবনা উৎনা' ভাম অনি লাই কত্তবা কলিনা মা হল্ল। হায়ন খোনা চংপদা চহি ১০ চংদুনশু য়োবা [illegible]। লমদা ত্বপোকপ রমলে। মসি মাংবা য়াব নংও মাস শিগ্রবাদ ঈশ্বরগী লিল কাইরনি উপায় থোংবরগে খন্দুন। [illegible] শায়োনিদুন, [illegible] কমানবা উগ্রগী মশা অন্দা [illegible] মাগী মরোয় কৌবদন হাবরকই, চে-কুণ্ডী॥ মচা ভীম সেন [illegible] কমদনা [illegible] এচেন্দা পাখ্‌খু। নবু এন উবদা য়াগ্না দুংশ নংনা ভাব [illegible] লৈবে। [illegible] বাদম অসি [illegible] মমায় ওনথংদুনা যেববু, [illegible] অদু উবদ [illegible] বক। [illegible] হখবা। নংনা মাংলোন [illegible] হনাওশিং [illegible] খিবা চংথবি মখোংবু [illegible] বক [illegible] বমনাংনা [illegible] পু মক চাখববু। লংতনা [illegible] এদি সক্তী [illegible] পাকপনি, অচন মিশান [illegible] প্রদি হংনদুট্টী [illegible] নংনা [illegible] বন নওে, নদি কল কৌব লাইনা মায [illegible] মনাও [illegible] নংবু [illegible] বন অংসনা থনমলগা মখোং দি [illegible]। মাসিদা [illegible] থডম্বেই। চাহি ১০ [illegible] মাঙহনগী থা নংদ [illegible] ঙম রো। [illegible] লবন [illegible] হাবনা পুরম [illegible] মগু [illegible] খংদা ঙম নি। রাজ অংস ভাবদ ভীম মক্ষ মংক য়ং গ দংবত্তন থুবমন হায়রেঙা [illegible] অদেদ পিনবি। [illegible] মবুক শেংব ভক্তি উবনা পল্লভুনা [illegible] ভীম ফাবক লংজানা হায় খুবী মরদা শোংগা [illegible] অনিমক নাহোংদুনা যেউ [illegible] গনি। ভীমদা মগ্ন শোল্লগা মমিং অনিমক নাহোংদুন যেবদা অবাপ অনকপা লোয়না উরে। [illegible] অদু নাপনদুনা। [illegible] বোত থল্লুবদ রামনথন কপলকই। ভীমগী মহৌউবদা দুংশিতনা লংচান হায়বকই যে ভীম রাজগৃহ এনা লমচিংশিয়ব মগ্ন অমগা তমবাগ অরাপ্ত উহান্ত য়োবা ওনানি। অসি হ মহুনা মগ্নহ তমবারে, মগ্নহ ফাংকন্দুন ভীমহু, ওন্দনা এবু [illegible] কপবনি প্রসিদ্ধ ওহজরগে হায়না দংবত্তন খুকমই, লেপ্পা প্রসিদ্ধ ওইজরো হায়রম্লগা বনবেদতা মা থোকখ্রে। ভীমসেনা লংজা অদু উখিদবদা লাইন পুবক্রিডেদ লাইবৈবাক য়োংশোংগে থল্লদুনা কৈলাস য়োমদা চেল্লক্লে কৈলাসগী লম্বী হায়গংল্লপদা চিংথাও য়োরকপদদা অন্নপূর্ণ ভগবতীগী হোজংদা থংখ্রে।

ভীম চাক শাম্নমখম্লম্মা য়ুম অসিদা ওসিগী চরা অমতং নিরগা চাক্লগ খন্দুনা চঙ্ওকলে। ওমাংদ লেপলগা হো ইমুং অসিবু য়ুম্বু লৈত্রা হায়ত্না শাগ্লকই . অন্নপূর্ণা চাক তোকতুনা ইমুংদা পোথাহনা লৈরম্মী ; খোম্লাওহ্ ভাবদা মপান্দ খোকলকই। অন্নপূর্ণা উবদা ভীমনা হায় ইবেম্ম মুপা নহা লৈত্রা ? ঐবু চাক লাম্বনা য়ুম য়োধা ওবলোইদো'ব। চাক চরা অমম্বা নিজগে ইবুক থম্ম' পিদ্ধো অতিথি সেবাগী পুণ্য ফংবিয় কৃষ্ণ প্রীতি ওইগনি। অন্নপূর্ণনা ভীমগী শকফমহ্ মীওইবগী শকফরী ; করম্বা মায়ানো য়েংলগ খন্দুনা হায়রক'। মহাশয় ঐদি মুপা মহাসু লৈগদ্রে যণ লামচা অমম্বু লোইঙব ওদিগী শক্তিক পীজদ্রি, এদি যণ অম লেপ্পুগদৌরিবনী, কমদৌমি হায়থকহ। এ চাবদ্ম অংদি যণহ্ ঐ শেনবিকর'গ চাক খোংলদ্ম্বা ; নণক নতৌম্বু ফনা শট্রা ভুসিনি নখুং কেক্লা লোবগে; ঐঙ লম্ফনি দোব 'লত্তেদা হায়বমলগা অংগান্দা চদথবে। ভীম চঙ্ওকপ' উবদা বৃষভ শাওনা মীমান ভক্তিম্বু লে'ত; ঐবুস্ম উশিত্তে হাৎকে অসি খন্দুনা ভী ভী কাবহুনা চোংশিল্লকই। সংগী মতৌ উবদা ভীমনা হায় লামচা মৈতংপা লুখ্রাবীনা লোয়বদগী নত্থবিদহ্লা লম'হন্নবা শাবিত্র', নাতান কাইগব হায়হুনা খুংজুম্না মক্নমবগী নাতান্দা তিংখৎহুনা থারে। ভীমন থারকপদা শিব শক্তি ওইবন যক্সমবগী নাকোন্দা শিবগী মনম কাপ্লই ; মবুত্তওাগী মনম ফবদা ; বৃষভহ্ চইমকম কেথর'। ভীম্না হায লামচ নং তাঙ'ত্রবনা এনা থা'দাক পীন ওসি খুনা নবুক থম্মবা চানিংবা মফম নলিঙ তৌনা চাজো হায়রগ বৃষভবু শগোন্দগী থাদোকথরে। বৃষবংস্ম অচাওবা যণ'ননা লাকাই চাকবগে খনহুনা বশিষ্ঠগী ঠৈকোন ভাম্না চেংথে ভীমনা তুংদা ভাম্নকহ ম' অহুদা অষ্টি মুনি তপ তৌনা লৈ; উংহৌত্রহুনা মুনিগী লুশমদ ভীম্না থুদি চেনুরে। মুনি ইকলাওরমবদগী তিংদম ভাখ'ব। ভীমনা হন্থন য়েংলুবদা মুনিহ্ ময়াদা কোঙ্গোল কাহুনা লৈবমলে ; মুংশা থিম্নদনা লবাইদা কম্ন কামই। মুনি হন্নরকতুনা কৃষ্ণ কৃষ্ণ শোন্দুনা কমলগা ভীমবু কনানো থান তৌহুন' য়েংবদা , মনম লোহনা উথ'ব।

ভীমসু মীগীনলমদা লাইনিংলম্মিবা শিবমগনিংগা মুনি বারৌবিগম্ হাযহুনা দণ্ডবদনা থুকমইজ। ভীমগী থমোই লেংবা মতৌহদা মুনিস্ম শাণ্ডত্র ভাকশিন্নকহ, হে ভীম নংম্না পাদোকউম্বিবা যণহ মহা-দেবগী বৃষভ হায়বহ্নি নংনা চৎবিবা চপত্ত জগৎমাতা অন্নপূর্ণানী থডভ্। নংদি ইপাগী বরদগী মংনা খেহ্বদ চিঙ উ মুণ্ড য়োং তেকপা কাইবা ওইসহ নঙ্গি নশাদি শোক্তবা ওইজৌ নংনা ঐবু থুদিচেনবী বদগী বর পীয়বনি ; মঙ্গোল ওইজ'রা। ভীম মুনিগী পন্যুপি লৌজম্নগা কোজা হাপহুনা থুকমঙ্গরগা যণগী মাইগৈ য়েংহুনা অমুক তাম্নথরে। যণহ্ মুনিগী লফু হৈকোন্দা চংহুনা লাকাই লউ লউ য়ান্দুনা মুন্নিবহ্ থুদেক থুদেকতুন' মবুক থম্না চারে। ভীমনা শন্নি যাসি কৈথেনমন ওইরে লাকোই চাবাইবা হায লামচা অমুক চৎসি হাংহুনা হোইগিল্লক্নগা শজেণ্ড পুনসিনরে। চঙ্ওকুনা ইবেম্মা চাক খোনওবরা হায়রৈ ? ভগবতীনা মতৌ য়েঙে খন্দুনা মহাশয় চাকখোংনবা শিংবু লৈত্রি ; শিংখিকথিবা তাবি হায়রকলে। ভীমনা এ অংদি ঐ থিকর'গ ঈশিং শোকলমম্বু হায়রম্লগা অমুক চেনথরে "হাঃহাঃ

হূঃহ গন্ধর্ব্বগী জগোয় ম'গুব ফেনকচনা শিদোকখুনা পোৎলাকশিল্লগা থোজত্তুনা অমুক চেজকলে। অন্নপুর্ণাগী গুধাপদা পাবগা হায়রকই, হবেম শি চনবিনব হুপা হৈজদমাল্লে ঐনা কুব ১ থাব ওকবা পোরকলবনী কোন্না লোইশিনহৌ খুমা থোঙজ্রবা ঐ থুম খর লাম্লী গুন্না হন্নিঙডী।

ভীমগী মতৌ উবদা ওকখ্রহনা মহাশয় নহাকপু কনানো ? মুনিগী হৈকোন্দা মন হৌইজিন্নুনা পিজর্কারিবা, অমস্ত' গন্ধর্ব্বগী মাগুব সিদোকউরিবা ; রাথোক্রবগনি কমদৌনি ঐদি কিজরে। ভীগ্না হায়রকই হবেম্মা চংশা থিরুল্ল, মুনি গ্রাজ্জুশিং অসিদি ঐনা তৌবিমখে রাবনি' ন্যুশমদা কারব কাওবা হরাউওমা বর পিরিবনি। গন্ধর্ব্বস্তু লাকসন্ন ঐ ডাংনাগ হে খ্রিকপু মাগুব চাঙনা থল্লগ মপু শংদনা হুন্দোক্লুনা থম্মিবা। করিগুণ্দা হরানপোৎ কত্তবা লংশিন্নম্বদি, কৈলাশসি বদনাম ওই রোইদ্রা ? অঙ্গনা ঐবা শিদোকপনি। ১সু' জগোইবু গোপী কৃষ্ণ পাম্ববদি উমংদনি মাথোহনা মাংগুব থল্লুনা কঙনা থাঙযাদা লাংহুনা রাসগী গুণ মা নবা হোৎনবিবসিবু কৃষ্ণনা পাংচন মাগুব শিদোকচ হায়হ্নমা লাকপনি। হন্দক্কি গন্ধর্ব্ব কংহুমা দণ্ডি পীগে চাক্কা লোইকরো, চাক চারগা ঐনা তৌবা রেংবিয়ু। ভীমগী রা ভাবদা দেবী প্রভুনা এবু মামা তৌহনা লংমারিববা কনাকে থংনিংহ্নমা ধান চেরগা রে চরে। ভগবতী ধ্যান্দা লোইনা থংঙনো মোংপাম নোয়া ৷ হায়, বৃকোদর নং এবু খঙ্গা ? ভীম্না থচ্চ ইমা, নং এবু কারণী থুকমদে। হৃমা নযুমদা লাক্ল হরা হরাও কৌদব অদুদা চাওথাকমাল্ল হায়হ্না ; কৌরকন্দ্রিমথি থুকমহৈগোই হ রবেমা ডাইবনি। ইমা ননাক্কি ভীম থুক্লাজবি হাম্নরগা দেবীগী চরন্দা দণ্ডবত তাথরে, ভ মনা হায'জ ইমা হুন্মগুৎ থংনহ্নমা থাইবু থাহবু' তৌবসি কম্না কুইবে। কৈদোয়ে ভীম ? ইম পভুপদ "পার্ব্বতী ভৈরবীথোহ চণ্ডীথোহ উমা কত্যায়নী দুর্গা গজ" পংলোন্দা পোনবনিন হম। অন্নপুর্ণনা চাক থোংবদ হৈবনিংদা গঙ্গা পেশদি হৈরিবোইদা অহুদ ংহুনা মন মত ংামচা অসিমা পাইবনা ? তোঙান পীজহ্নমা রাম্না ন না লৈরমাল্লে। চাকসিবু কৈলাস কোন্দ ্া ইমাগী মোমদা চাহৌকবনা কগনে ইমা ? অন্ন পুর্ণা নোক্লি ওহ্নমা ভীমসেন ইমাপু নবু চম্না অমদি থম্না পিজবা ওমগনিদ, হম' ।াংতচুরংগ গুহাক্ক কমথো। অন্নপুর্ণা লেংশিনাথহ্নমা চেং মন অমারোম থাঙিং; ইনপা মংথন মাইথমুক পাংডী চেংবগা পোহবগা মাত্রে, লুগ নম্ব পোহহুনা হবিদা ক গে ভম কংবা রাধনি তাকপী ভীম চঙঙক্লুনা পাসিন্দা কম্নগ। চাক্কু রেঙগা হাম্ন চাকসি পোকচপ হমানা মুমিদাং হানথা। থর্ম নং- বিংগানচাদি চাজকরোই। কৈদৌরে মাইম, ইমা নচাদি পাইবক লিচম ইমা লুখ্রামা নংমা রোজ্লুন চাওরকপনিমা পুক্লিং রাম্না নেইই। ইমানদী প্রভুমস্তু থাইনবী লৈপি লম্নদা নচানিনা লিদি লিজবি' তরক তবক থরদং লাংলিবসি উরগ' কপনিংলকই। মপান্দা পোকথুগা কপচক্থিপে। ভগবতী- এ রাইবা ইমানা লা ইবত রামদে হায়রবদি কপা রাম চাগগে হায়যু ইমা মীকুপ্তা পাজে। ইম চেংশিংদি ঐ হায়জরোই ঐনা থা তকক গুরকপদা ইমানা চঙ্গমবিবদ্রনা চেঙ মন অমগী চাক্ক চঙথা হারএ। পুক থম্নহুমা মুমিদাংবাই পংকপ্তা কম্নহুনা চেং মন অমা অমুক থোংলগা চ।

মানহল্লি হায়এ। হৌজিক লাইরৈপাক য়োবা ওন্থবক্না অসিদি ইমানা রাথল অহুম তৌখিরো!
এ — মাইমা ইমা থোংলগে নংনা চাবা হোবা ঐনা লোইবগা হায়গা হানবা তাম্লসি, ইনশাংদি
মুহোরী ওইনা মথেগ অমত্তথক তৌরসি। মমা তাম্লবগী মাং অসিম ঐনদা হেক্লক্লুনা কৈলাস
য়োরকইবদি, মরে তাম্লবসি হায়ুনা অন্নপূর্ণা গোংলে, ভীমস্থ চাবা কৌগ্রে। থো বগা লোইবগা
হাঙগা চাবগা তাম্লকপসি, দেবীমস্থ হেন্দে ভীমস্থ খান্দে চপথায়ে, চহি অমগী চানবা থবা চেং অহু
লোইখ্রে। ভীমদি ওকত্রহুনা মথুং লেক্লুনা লৈবে, ভগবতীস্থ হুমাংনা লুপ্লে, মাইমা থম্লিব্রাহার ভীমা
ইমা যক থাংখৈ য়োগ্লি। লাইবেম্বা চকথ্রহুনা মাইমা ওনাক্তা ওগরথু শিদা থম্বা চেক্লোইরে;
পু গদগী লোকথিগে হায়রমলগা কৈলাসপুর মহাদেবগী চবন্দা চেল্লগা পাও পুন্নমক তম্লে। সদাদিবদা
হায়, পুয়ে ভীম অহুদি ঐনা শক্তিনা পৃথীবীগী অকন্বু কোক্লবা; কৃষ্ণগী জিলাগীদমক শেমথ্রবনি।
সিব ঐগী শক্তি লৈবনিনা মাদি চাবা অথনব লৈরোই, ঐ দিগে হায়রগ শম্ভু যুগ মরিগী কৌদি
লোথরুনা কা মক মবি দিন্দ। অন্নপূর্ণা মাসি থুংনা থোক্লগা তকথাইবদা। তল অম ওক্লবা য়াম
থোক্লনি। থাহুনা তল হৌবো তলহু লোথকপগ অমা অতুম লৈগান; ওয়াংপা লল তনা চোংথোক-
লকনি অহুম তৌরবদা বাদমা, ভীষ্ম মবুক থম্না পিজবা গুমগনি, অন্নপূর্ণা কৌ মক মব অহু পুহুনা লাক্লে।

ভীম তল হনদা ইমা তুপ ওইনা হোয়গেদা? ইম তংহুনি ঐনা য়াম্না হৈনজরিবা। ভগবতী
কৌ মরিহ মকু থোক্লে, তকথাইবদ তল অমা ওক্লবা য়াম থোক্ল, চুহ অনোবগা নৈবগা হৈ থাজংলগা
থোইদিং অতৌবগী থাও শাহন্দুন, লপ হৈহুনা কহুনা তৌরে। মুনবগা মরপা হৈবংহুনা হাপ লগু
লোথাকপগা অমা অহুম লৈরে, ভীমস্থ হাংগা যাংপা তাম্লকপসি জুমিং যুংবা মতুং মুথক কাওবা
চারকপদা ভীম গর্ভ থল্লে লোনথব খংবকত্র। ইম থল্লে সিদগী হে জনবা মাবর্মাই কাম্লিপত্র
তলসু থোকখিদরে। অন্নপূর্ণা দুর্গাসু বাবনা ওপতারে। তামস্থ চাননখ্রুনা রাবে লোইশিনগুহুব
থুংশা চিন শংদোকপা লোইহুনা কমজরে; দুর্গ থমানা হৈগান দিবীহুন চাম্লরে। কম গাবীহুবা
ভীমবু পোথাহুমবদগী থুংখিবনা। মিকপ থোক্তহুমা অহিং অমা চুপ্না তুমখ্রে। চন্তিনারামদা ভীমবু
থিবা থচত্রহুনা বানখি, মোংতাম্লবদ ভীম মিকপ থোক্লে, হৌগংদে কমং কিঙমগ থুম্লাই অংগা
দিয়ু; ইকজরগে দুর্গানা দিরে। ভীম জগল চংখিংচকুনা থর চংথুগা কৈলাসগী নাপোম অমগী
চিংথাওদ কমহুনা চয়াং চাখিবা থাপ মযামচ থারকপদা গীচমাংহুন, পাক্লক ওইনা চেন্থরক্লুনা।
থালথিন কৈবা মুনি জিশিং হুম্ফ, লাইনিংহুনা লবথ মশা থাক্ল্রহুন। ভীমগী মাম্না চেন্থখিবদা
চিঙথোংদা ইয়াক্লরে। মহৈ মহৈ কাপংনবক্লুন, শেংনা ইকজথাক্লগা। ধ্যানা হেংবদা লোইদা মথম
থচথরে। মাসি মাংহনবা য়াদে, কৃষ্ণগী মলাইনি, ববহুম পিনসি থহুনা চিঙথকলোমদা। ওনথংলগা
থরপিরক্লে। হায় হায় ভীম লাইরৈপাক্তা লাক্লগা এখাবরিবা নংগী মান্দা ঐথোইস্থ ইয়াক্লরে,
মাহু হৌনবরা, ঐখোই শ শবরোই। বর দিবিরগে, নং লোইজ্রবা, মুনিশিংগী থোনাও তাবদা
কিথহুনা মশা শেংদোকপা লোইরগা শেংনা ইকজরগা মতক্তা মদি য়েত নং মুনিম মমাগী মকমদা

হয়া হয়া থুরকয়রকই। ভীম নংগী মান অলিগী মমমদা ভাবচল্লোবগী মলম নরলসহু; মরামসিদা অমেন ওইগ্রসন্থ, মম পিরমগা মুনিশিং মকম অমদা হোথি। ভীমসেন হক্লিমথিহুনা লেবীদা থুরক-অরে, ইমা ঐ য়ুম যৌরুথুগে, ইরাষা ইনাও ইমানচিংবা অহনমম রামরক্তলগমি; ননাইদী অপরাধ পুরমক ভাকপিয়ু। দুর্গীদা নুংশিবিহুনা মতুংদা লাইনা পুবা ওমদনবা মাসা কাইমথা মগ্র অমদা ভহীরে। ভীমু নানবিহুনা লেপ্পা মজল ওইজৌ হারনা বিদায় পিবীরে, ভীম ভগবতীগী চমনবু কোরা শোকচমগা, মাত্রা কৌরর়ে মল্লনা লম চিংশিন্দ্রনা চেরকপসি তুমিং থুংবা কান্দা হস্তিনাদা থুংভরে। মমা মরাখা থুংমলে মনাওশিংবুস্ত কোমবিরে, পাও পুরমক ভমথি। ভীম চন্দ্রবদা; হস্তিনাগী মীয়াম মুত্তাইনথি। মহাভারত আদি পর্ব্বগী বারীবু অমৃতগী মশক্তি, মাসিবু পাংত্রবা শ্রী৺অমু সিংহনা শ্রীগুরুবু থুরথজহুনা ইমা লোন্দা ইরুবনী ইতি। হরিবোল হরিবোল হরিবোল॥

অধ্যায় অসিদা শ্রী৺চিদাংবম অমু সিংহ ওঝাগী ইবীবশ্বা শকক লোইরে। ইতি

অধ্যায় :—

দুর্য্যধনবু নুংশিংনা পুহুনা সমুদ্রদা থাদবা, জলস্তম্ভ মন্ত্র ফংখিবা নুংশিং শাপ তৌনখিবা অমসুং মাটুন ভূজন—

বারী মতাং॥

অধ্যায় অসিদগী শ্রী৺খুল্লোংবম লবঙ্গ সিংহ রাবী লিবা পণ্ডিতকি, ইবীরথা বারী শৈরেং হৌজরে।

সৌতিনা হায়রকই ভাবিয়ু শৌনকনচিংবা মুনি পুরমক, মহাভারত বারী লিরিবা বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়খি, তাও পরিক্ষিতকি মচা হে—জন্মেজয় নিংথৌ। নোংমদি নুংশিং কৌবা লাইনা মচা ভীমবু কলিনা পুথোক্লুনা অরাপ্পা ভঙ্গনা থাদোক্লথহু উবদা, শাওরহুনা লমন শিংনিংলে, কলিনা পোক্লবিবা দুর্য্যধনবু অয়ুক মনাওশিংগা লোয়ননা কৃপা ওঝাগীদা বিদ্যা তম্বা লাকপদা কাংজেবুং মপা ম্নৌরকপদা নুংশিং ভাইহুনা লৈরমই। নুংশিং থডাহোদনা নোংলৈ অকনবা অমদা উকরু লৈহুনা উমুল উমাশিং মরাম্না পুমমমহল্লগা দুর্য্যধনবু লৈহনা পুথংখে। মনাও পুরমক মরাথনা নোংথক-লোমদা পাইথংথিবা উংহৌই, হা—দাদ ইবুংগা হয়কও হয়কও হায়হুনা কপ্পরক্লে। মথোই ৯৯ না হৌহুনা কপ্পকপা ভাবদা, খোমুংগী মিরাম করিনো করিনো হাইহনা চেংহোক্লরক্লে। মীথাবা কৈনৌ-মুয়ুগে হংবদা দাদা দুর্য্যধন পাইখ্রে হায়। কংদোনা পাইথি মফম সিদগী থংহোদনা নোংলৈ অকনবা মমা থোরহুনা, নোংথক্লোমদা পুথংখি। দাদা দুর্য্যধমা ইনাওশা ঐ পাইরে পাইরে হায়রম্মী, অহগা অহম পাইখংখে, বাসি ভাবদা নিংথৌ মহারাণীদা পাও হজংখি।

পাণ্ডু অসি তাবদা নিংথৌগী মাথংনা পাত্র মন্ত্রি, অহল লমন ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব মাইবা মাইবী, অদুগা অমসুং লোইনা খোমগংদুনা কাম্বোজদা পৈনরে। অথঙ অদুগী পুন্নমক য়েংবা য়াবা মওং কয়া য়েংলে, শেল মত্রা য়েংবা, চেগু হৈদুনা য়েংবা, খুৎলোন্দা য়েংনবা, খোরি খোতু না খেল য়েংবা, তন্ত্র বিদ্যানা জাল য়েংবা, মথৈ মথৈ শায়নবরকই। কনানা হিংচাবনা ময়া চৌদুনা কাথুবনি, কনানা মচাইবুঙ্গাসি মশক মতৌ ফজবদুদা সর্গগী লাইবক্তীশিংনা কাথুবনি। কনানা ডাকিণী যোগিনী পীমাচীশিংনা পুথিবনী, কনানা হেলোই লমলমনা পুথুবনী থাদি থাদোক্লনী। মাসিগুম্বসি ভাওগদি হায়, কনানা নোংশৈ দুংশিংনা পুথিবনি মকম অমদা থাদরমগনি হায়। মাইবীশিংনা নোঙাখিদুনা লাই ওইথববনি খুবম য়াবা লাই চবাওরগা শাগে চাওখ কন, চৈপাক চাকহোত্ত ভাংহান্নী হায়।

অংমা মথৈ-মথৈ শায়নরকই, পণ্ডিতশিংনা জন্মগী কল হোত্তুনা য়েংবদা। দুর্য্যধনবু মমক্তা মাতডু হায়গা লতে। কৌরব শাগৈগী ভূমাপতি নিংথৌবেন, ওইয়ু হায়বা লৈ হল্লকখিনি হায়না, ধৃতরাষ্ট্র গন্ধারীদ তঙ্গৎখি। বিদুর মন্ত্রিনা দাদা মহারাজ রাবিরুগম্নু; সোইদনা ইচা মঙ্গল ওইদুনা হল্লকখিনি, মগাদা মাংলাইদবা দুমাধোল্লি, অসুরা থেমভিন্দুনা পুক্লিগ্রখি। মাইগ খুদিংদা মীয়ামা দুর্য্যধনবু ফিনদুনা কপ্প লানেন্দুনা লৈনবি, দুংশিংনা পুথিবা দুর্য্যাধনবু খা - সামুদ্রদা থাদথবে। অঃ গন্ধারীগী মচানা জ্ঞান তাদনা ইবাক্রহনা লৈবসি, সমুদ্র নিংথৌনা উরদুনা মাংহনবা মাগা মী নত্তে। কনবীরগ থন্দুনা, চায়গৎলক্লগা দুর্য্যধনবু লৌথৎলি পনংনা। লৈরাক মথক্তা পুখংপিরগা, মখোং পাইদুনা ঈশিং নিকলোকপীদুনা হিজ চাত্র। দুর্য্যাধন্ন খুরুমজুনা হায়জৈ এবু কনবীবিবা হে-প্রভু, নহাক অসিবু কবি লাইনো জাগা অসিন কবি লমনা? হস্তিনানা কযামুক লাপনা লৈহৌরবগ সমুদ্র নিংথৌনা হায় দুর্য্যধন ঐ অসি সমুদ্র নিংথৌনি, নম সতী গঙ্গারানা তীর্থ স্নান তর্পন তৌব দুদা দুংশিদুনা, ঐনা নংবু ঈশিংদা পোথক্তুনা কনবীরিবনি। দুর্য্যধননা হায়ৈ হে-ঈশিংগী মপু ননাই ঐথোক্লা ঈশিংদা শিননবা, ঈশিং মনুংদা লবা ওমলবা মন্ত্র অমত্রা তম্বীয়ু, সমুদ্র নিংথৌনা ঈশিং মনুংদা লৈবা ওয় জল স্তম্ভ মন্ত্র তম্বীর। সন্দর্ভ শঙ্খাসুরবগী মকোক্তা ওইবা "সন্দর্ভ শঙ্খ কোবা খাইবুং অমা পিরে মাসিনা নঙ্গি থুংগু মাইবু ওইজৌ, মাসি মগুণ লবা অদাওবা নোইবু নি। চৌদ্দক ঐনা থিনবিগনি হায় নং নখোংনা চৎপবদি লম্বীগু থঙলোই মতমগু খা ৬ লাম চঙ্গনি। ঐনা থিনবীরগে নমিং উইশিন্ন। দুর্য্যধন-মিং উইশিনথরে। সমুদ্রগী মাথংন, গঙ্গানা ঈশিং মনুংদা পুবিরকপনা? গঙ্গা তুরেন মবিন হায়রগৎলকও। হস্তিনা গঙ্গাগী ঘট য়োরক্লুনা মুমিং মুংবা মতমদা, গঙ্গানা লৈরাক মথক্তা থম্বীবমলগা সমুদ্র রাজাদা তমখি। দুর্য্যাধন কোম্বং চঙখিদুনা পিতা মাতা খুরুমজরগা। পাণ্ডু পুন্নমক তমজখি দুর্য্যাধন হল্লকপদা হস্তিনাগী মীয়াম গুডভাইনখি।

মতাং অসিদা রাবী তারিবা জন্মেজয় নিংথৌনা হংজরকই, মহামুনি লাই কলি দুংশিং অনিনা মচা মগাদা য়েক্লবরিক্লসি? কল্পিগীনো তাকপীয়। বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় মহারাজ "সত্য যুগতা দেবের নিয়াত" লাই থুজিমবদা মোকখিবা, দুংশিং কলি অনি থৎনদুনা শাপ তৌনখিবগী হৌজিক·

কাওবা মুংঙাইনদবা অমা লৈ। চহি খুদিঙ্গি (চড়ক পুজা) চৈবাওবা সুমিত্তা, কৈলাস পুরগী (রজস্থল) কাংজেবুংদা শিবা দুর্গা লেংথোক্লগা সাবীত্রি ব্রহ্মা ছটী ইন্দ্রনাচিংবা লাইরাম পুন্নমক্কা ভাবক ওইরগা লাই পাখঙ মীচঙ থাবনহনা খোড খাওজ শাদ্রে। খুৎ ৭—৭ —১৪ থোক্লনা মিচঙ অমবোমগী পঙাকপনা মুংশিংনা ওই, অমবামগী পঙাকপনা কার্তিকনা ওই। গনেশ থাকুরন, মুমিত্তুগী কাওলক চেনবা; কাওক্রম থনবা হুনবা ওই। মপা-মপ লেপ্পরগা হক্তে হুন্দুনা পরপ্রপ শানরকপদা মুংশিংনা কাওক্রম ফঙথিবদগী মথোং য়াংবা মপাঙ্গল কলবা হেনগনা। লাই অমত্তনা ভারবা কাবা কংদহ্না ইন্ডং ভত্তনা মুংশিং তনা পাঙ্গল চঞ্জ॥ মাত্র উবদ: কলি অসি মকি: শমহনা থোর্ক্ল, মহাদেব ব্রহ্মাদা হারইঞ্জ পতু অনিমক ডসিগী কাংক্ষে অসি অচনবা অমত্তনা চনবাসিদা লাই পুন্নমক পেন্নজ। ননাই ঐ অমুক্ত মুংশিং অসি পানমকপগ ব্রহ্মা শিবনা হায় কলি মুংশিং অসি, নন্দি, বিরভদ্র, কর্তিক, জয়ন্তকুমার, অশ্বিনি কুমার। নখাইশিংমক্ল লাব। যাত্রবস নঙ্গ মপিক মনেম অহনবু, মুংশিংপু পাবা মাবা হোৌনদে; লাইয়াম্না নোক। নিংখাকপ্ত এ প্রভু পিকই হায়তনম্ভু গুণ হায়বা অমা পনবনি; মোরাক মণিপুরবু কমদোবগ, ককচঙ নোমৈথৌনা চিকপবু নাদবা? নোংশাবু শাহুডনা ভবা খেল্লে প্রভূ অনিগী চরনন। শাক্তি সহ। মুংশিং অসি পাঙ্গল অম কাংবা চনবা ভমহ্লাই। শিব ব্রাহ্মনা চডডা অহুদি কুম্মে অমুকং যেসি, কলি খুকমগা চঙথী জয়ন্তকুমাব পোথাহল্লহ্ন কাংঙ্কেত্ত পাইবগা? মুংশিং ঐগা পানসি হায়হনা মমাদা লেপখি। গনেশনা কাক্রম পায়বা কলি মুংশি অনিগী ময়াইদা হল্লে হল্লে, কাংদ্রম্মু মুংশংভু থোমদ কলগী মথং য়েংই। কলি ভাপকপদ কইজ্ঞ কাওবাম্না কাক্রমহ থক ইনশিন্নগা, কাংক্ষে হায়গ তুন মুশিংকী খুউ কাওদা ফুদক্ত। মুংশিং খুউ পা কাইনা তুথন লাই মথাম চেনশিনখিহুন। মুংশংপু কোনথং-লগা কলি নংন মুংশিংকি খুউ ফুদেকইবা কদ্রিগীনে? কলি যয় হায়নবক্ল। কলিনা হংখ অগানবরু ঢৈয়বা পারবদি মুংশিংপু গৈয়, মানা লাল্লি কাংঙ্কে শাল্লবসি কাওক্রম চৈবা ভানবনি, মানা কাংচলম কাচনা লেপ্পদগী ঐমা কাওক্রম যবদা শোকচবনি। কলগী ফবব লৌশিং তৌহনা মুংশিংপু খুউ য়েংথক্লগা মনা অচুম্বা শাহনা মুংশিংপু অবানবা ভাহনগদবনী, হৈথংলক্লিবা কত্তবা লৌশিংহু উবদা, লাইয়াম নাকপাক ভাহনা থল্লে। মুংশিংনা শাওহনা শাই সভাদা হায়বাক্ল, ঐগীদমক দেবসভানা নাকপাক ভাবাবা থংনবা তোকপাল্লে। ঐ ইকাইজ হায় কলি পিকদ্র নংনা কাওম্রদি চুম্না মেদনা, নঙ্গি কাওদোম্না ঐগী থোংদা ইনশিল্লগা ঐগী খুউদা ফুবগ। অচুবা শারিবহুগী দোষনা হয়েং ভুদা দ্বাপুর যুগকী শেষ সন্ধ্যাদা, দুর্যোধন কৌহনা কলি নং পোক্লথিনি। ঐগী ইচা ভীম হায়বা অমম্ম পোক্লনি, ভীমনা দুর্যোধনবু লানফমদা গদানা খুউ কাও অনিমক মৈথকহুনা হাংসম্ম। কলিম্ম পাওবনা পন্দোল লোমখিদনা, মুংশিং মনাঙ্গ্রবু খদকক্লবা শাপ পিবদি; করে মঙ্গি নচাশিংদ ঐগা ইচাবা থেঙদনা অরাবা পিশগ? অম্না কলি মুংশিং শাপ তৌনখি। অদুনা হম্মক য়েক্লরিবসিনি। অগ্নেজয়না হায়ক্তে মুনিদেব দুর্যোধনমা মহুদা করম তোৌমকইবগে? লিখিয়, মুনিনা হায় নিংথো

জিন্নগে তাম্বো, দুর্য্যোধননসি নোংলৈনা পুক্কনদগী কোক ওাওবওুম বুদ্ধি লৈতাদবা মাখননসি তমজ্রংদা, ইন্নে লৈবতম তৌরদুনা পাঙ্গিদা কোঙ্গী য়েংববু পাঙ্গিনা মচাইঃংঙো দমা কন্না পাংদে। মাটুল ভুজন তৌরবদি দম স্নু কোকনি, বুদ্ধি লৌশিং মহৈমশিং চাওখংকনি। মচা ইবুংঙোদি মিংচৎ ফগনি পুথ গী মপু ওইগনি, অমুক্ত মান্ত্রাশিংবু চাকোরগা বর অমুক্ত নিবিয়ু। দুর্য্যোধন হন্নকুন মনাওশিংগা মঙোন্দা খনবা মনাইশিংগ না তাম্নবে, ইনাওসা মাতুল ভুজন তৌরগা বর অমুক্তা নিসি। অদুম তৌরবদি বুদ্ধি লৌশিং লৈহ মশি দা মিংপাই মীহৌনগনি, অমুম্না পাঙ্গিনা হান্নরি অহন লমন তাওনগগুসি। মা মা লাওথুনি অদু ওইরবদি পাণ্ডবনা তাথ্রগা মংখাইস্নু তৌথ্রবদি, ঐখোয়না মখোয়বু হেনবা চমশরেংই। শান্বদি মখোয়বু ঐখোয়না অমুক্ত হেনগংদুনা মংখাংসি নমথনবা হোংনসি মখোই তাওনগদুংস। অমুম্না লেপ্পদুনা মনাই নহারোনশি দা তাত্তম চংহন বে। নিমগ্নন চংখিবা নগা অভাওবশিং অদু; বার্তুনগী বা হ চাপোক্লগা লমংতা দই হঙ্গনখি। দুর্য্যোধননা মামাশিং লাইনা লাকনি, হয়েং চল্লপনা মোংক্লগে, লোইদনা শা চম্মু চায়বক্লে, অমুম্না ওইদব শেমদুনা তমশিনখরে। মামা ১০০গীদমক পুক্কশি প্রাঙ্গা নগারানশি পন্নংনা চাক খো হনখরে, মংথন কয়াক ছন্দেসগা লোইননা লংক্লরে। লম্বা লোইদুনা দাথন চাইঙ্গখি। অশামদদি বার্তা লৌশদবনিনা লাকে, স্নুমিং মুংবা মতুং পুং ১ তাবা শাওবা চাইনরগা লাক্লবাই থন্নদুনা চাগোকখ্রব। দুর্য্যোধননা খল্লি; এগী মামা চামংসি ইশানিংঙৌ গী হম বানীগী মাথও মাওদে শায়দুনা, এগা বাত্তাবু উসিন্নদুন লাক্লবনি। এনা অশুক লূন হোৎনজ্ববা অসিবু অবেপ্পদা মাংগনবা সভা খজনি মখোইসি গংকে, অমুম্না দুর্য্যোধন লেঙ্গুনা ফত্রবা মীগী মাথন, মী হাংন্নবা লৌশিং মবুক্ত লে বা লোংবদুন শান্নদা চংখি।

নিংগী মহারাণাদা হজংশ না চম অদু গায়জ্র, পাবু মগাবাপ্ত উম শাটথ্ররাম্ন তা বিয়ু। হন্দক নোংলৈনা পুক্কবদগী বুদ্ধি লৌশং ফকচিনব ? উ ংং মুংঙাইভবা অমং তৌবে। মংম অসিদগী নচানা পণ্ডিতশিংদা য়েংন্দ্রকবদা ! জন্মগী ফলদা পৃথীগা নিংথৌংনে ওংযু চায়বাদি লৈংগা অকায়বা থরা পিরি। মাসিবু মহৈ তবদস্নু বুদ্ধি থর ফকচনবা ! পিরিবা পুন্নমক কোকুনা মহৈদস্নু পদ্দংবদস্নু, মীথোই মীহেনবা ফজদবদি বন্দা (প্রমাণ কুটির) যুম অম মক্তিক চানা, লেকম চাফন চন্নবা শায়গা থুমিং ফংরংনি চযোন অমা তনবা হাঙ্গা অমা মামা চামাবু অন্নদান কংলগা বন ভুজন সেবা তৌদুনা পেন-হন্নবদি, বিদ্যাদস্নু ভাগ্যদস্নু মাখোই মীহেনগনি হান্নরি। মাসিবু নগান অমুক্তা তৌজ্রনিংঙ, ইপাগী ইমাগী মাথং নৈভনদি নচাস্নু ওমজদ। মামা শিংনস্নু মাবিয়ক্লাই, উমাগা পাবুংগবা মু শিবিদুনা অমক্তা পাংখোকহনবিয়ু। মচা এখোই চামানা পাণ্ডব মডাদগী মহৈ তন্নরকপদা, তোম্বা অসি নান্না মুঙাইতবে। মচাগী বা তাবদা নি শথী মহারাণান, গায়, দুর্য্যোধন নংনা শাস্বত লাংঙ্গো বনগী খোরাং লোইনগা তাকলকউ; নংগী মামাশিংচ ঐখোইনা কৌগনি ! দুর্য্যোধন রাজা বাণীগী মাথং কংওবদা, মনাওশিং মমাই ফত্তবা কাওবু তানদুনা যমুন খোঙবানগী বন্দা মিস্ত্রি ফত্তবাশংগা তানবগা, মুংনা চন্দুনা মখত্তু হিদাক্তি কন্না চেংহম্বনা ফুবা অচৌবা অমা শান্নে চাকখোংশং ইনা কুপ্পা মনামগী পোত্থাশং

অমত্ত শাবে, থোরাং পুম্নক লোইবগা নিংথৌ মহারাজাদা হন্দথলে। ধৃতরাষ্ট্র গন্ধারীনা পত্রগা লোইননা নিমন্ত্রনগী পাত্র অমদা চেকশিন্না শিন্নবগা থাখ্রে।

পাত্র অদু চংখিদুনা সুবল নিংথৌগী মচানিপা চামা গন্ধারীগী মোপ্পা সৌভন্ত সৌমিত্রনচিবা ১০০গী অতোনবনা শোকনি কোই চাপ্পগী মকমদা (পত্র) চিঠিগা লোইনন। চাকৌবগী বার্তন পিংব; চিঠি পাবে বার্তন লোবে চিঠি অমা অমুক হবে। পাত্র অদুদা শিন্নবগা সান্দনা য়োকরকে হায়দুনা বিদায় তৌরক্লে; হস্তিনগী পাত্রগী অদুক হলক্তুনা হস্তিনা য়োরক্লে ধৃতরাষ্ট্রদা পত্রগা লোইননা পাও কচ্চরে, অন্ধরাজা মচা দুর্য্যধনদা চিঠীদু শিন্নখ্রে। দুর্য্যধন বন্দা পোংচৈ হোম্বদুনা (অম বেপ্পন) চাক ইন্নাং মথেল কয়ানুক পাম্বনা থোংব। লোইবগা ফুবা মখুংদা চাক-পুক ১০০ থাগনা চাক ইন্না হাপ্পা লোইদুনা তাইবে। অসামদগী সুবল নিংথৌগী মচা চামা হস্তিনা কোন্নং য়োরক্তুনা ধৃতরাষ্ট্র গন্ধারীবু খুকমগা বন তান্না লাকুনা। দুর্য্যধননা লাংচিবা জাগাদু য়োরক্লে। রথ থাদুনা কুমথনরক্লে দুর্য্যধন মচিন মনাও ১০০না। মাতুল ১০০বু খুকমদুনা আসন থাবে; ওহাক পাথনিরগা হাবী শানবে। অদুদগী দুর্য্যধনা হায়রি, মামা পুম্নমক লেংশিনবিরো য়ারগনি, হায়না চাক তাকথবে। মাতুলশিং চংদুনা চান্নক্তা ফম্নবে, পুজাবিশিংনা তাপই মহৈ মহৈ চানবে চাবা লোইরমদাইদ? ইঙ্গিং তৌনদুনা পুজাবিশিং লোইনা থোকখগা দুর্য্যধনন। থোংখি জিন্দুনা মপান্নোমদা হো লোনখিবদা মঙ্গ অদু পুংমম মমথাব মাতুলশিংনা লাওই, দুর্য্যধন থোং হাংদোকউ? করিগী লোম্লিবনো য়াম্না মম্ন। দুর্য্যধননা হায়নকই মামা নংথাই হায়বিগ তাবো, ঐনা দযাগীদমক মামশিংবু চাকৌজবগ খুংমজদুনা বব নিজগে হায়না অত্তক লুনা তৌজ-বদু, নিংথৌগী য়াথং নস্ত অভার্থন চায়নো ঐঃ শিংদ শিংনা নাকুথ।। এগী থোরাং অবেখ তাওল্লগা ইপা ইমানা হায়রগা সাকপা? ঐবু ঊশিত্তবগী লমনশিংনা নংথাহবু হাংকে তৌংনি। লোমগী চেংপাক মুং অমগা চিনী মচেং গা তুঙ্গুনবিরকনি। নথোই চাদবগা পজ্জবগা কংশ শিংনগনি খঙবৌ হ য়রমগা দুর্য্যধন চংখিদুনা মংথাই মযাম চাথক্লন। মুত্তাইনা পোখানদুনা নৈখ্রে। অম্মা অহিংতমা লেমে লোংতাবে চেঙপাক মুং অমগা চিনী মচং অমগা ফিরৈরং ১দা যে শিন্দুনা তুত্তিনখী। মখুংদগী পাতুল চানদা কয়ামুক হায়রবদা দুর্য্যধননা তকয়া য়াখিত্রে, ফুবা মনু দং দম তংরিবা মচিনমনাওদু তানরকই। করমনো দুর্য্যধনন। তাবিবা অসি ঐথোইগী উপায় করিগু লৈত্রে হরান লৈতবা ঐথোইবু মানা শাংকদোরিবা অসি। গথোই চানগী মখুংদা মানা তুত্তিল্লকইবা চেংপ কসি অমতংনা চারবদি চারিবহুদি হিঙনি। কনানো ঐথোইগী লমন শিংদুনা যাবু হাংপা তুমগদবা অমা চোংথোরকউ। মাত্তোন্দ পিঙসি হাদনরকপদা। ১০০গী অতোনবা শোকনি অসি লোশি লৈ পাঙল কে মহৈ মশিং মম মত্র য়াগী হে, নানা হায়রকই। দাদাথোইনা ঐবু চানবিদু, ঐ হিংজহৌরংগ ইরাম্বশিংগি লমন শিংদুনা মগাপাপা দুর্য্যধন য়াসি সত্তানা শাক্তি হা হে লোকনিগী হাপক তাবদা মযাম্বশিংনা মতোন্দা পিজবে, অম্মা লৈরকপসি পুখিং মিপাগী

ভবে। নিপামিগী ভুমিৎয়ুবা কান্না হস্তিনা ভুমি কম্পা ভৌই, মতম অহুদা দুর্যোধনা ফুরা থুগাইদুনা নিংখাইহল্লু রাখং পিথরে। দুর্যোধনা মচিনমনাও ১০০না খাং পাইদুনা কোইরগা, মনাইশিংবু য়োংতক ভুংখং পাইদুনা ফুরা থুগাইহল্লে। মফুংদা লৈখিবা ১০০দু শোকনি হিডিঙ ৯৯দু শিরে, মীওইবনা কপি যুগতদি চাদ্র থকতবনা শিক্লা ফাওবা কৈয়েংদা তাত্রবদি? নিপানা ৭নিদা শিগনি, মুখীনা ৮নিদা শিগনি অস্ত্রা বেদনা পিগি। দুর্যোধন পোকপদগী কপি হৌখববনিনা, ৯৯দু ৭নিদা শিগদ শোকনীদু হীতৌ।

ফুব য়ৈথাইবা তৌবকপদা, ফু ।।। কাচিন্দা মরাম্বশিঙ্গি অসিবা হকচাংদু থর চিংশিন্নুনা খঙ্কিল্লগা থুগ্গুনা লৈবে ফুরাদু য়ৈথাইদুন নিংখাইহনবা লোইরবদা। মুডশিং অহু হোন্দাক্লুনা য়েংই। অন্ত লোইনা শিরমলে শোকনি হিংদুনা লৈবক উন্দা, দুর্যোধন চোংশিল্লকতুনা শোকনিগী মপম পাইদুনা পান্না কক্কদবগী থা চাইগৎনকই। শোকনিনা হায় ইমাক ইদুডনা অমুক্তা ভাইখো, মামা বা চাযদিগ মাবাদি বিনা নিংখিনা ক্ষমকই, পাযুই মমাগী থরাই ৎাহনগগ্র। মামাবু কল্লবদি মতম অমদা য়ুবগী মপুত্রগী ইমাক্তি থরই কনবা তমগনি, মামাবু লুনা য়োকউ ইমাক্তি কাম্বা ক্ষম্ন। দুর্যোধননা হায অতু ওইবব দ তোখি বসি তায়দাকম্ম ই, পুনসগী ঐরী ক্ষনবা তোগনি হানা বাপচউ অত ওসববদি মামা রা থনাইত্ত কনগনি। ম মাবু ঐনা নক্ষম্ম চাওনা হাপকনি। শোকনিনা হায দুর্যোধন সতানা শাক্তি মামাগী পাত্রাসি নচোন্দ কংগোকপগ। পুন সা নঙ্গিদনক লেপলগ লাইগী নোমন থেংকথবব থবক্তি, কন্দম্ন চাযদোক্লোই হক হায়দাকন্নুববদি মুমিং খানা লৈবেখৈ যমগী যানা কংখ্রুগ। শোকনিগী বাপক হাববদা দুর্যোধন শোকনিবু কনথরে। ধৃতরাষ্ট্র গন্ধারীনা শোকনি দুর্যোধন লাকতুনা হায় চাক চাবিৈ মতমদা ভুাম্বকম্প তৌবকপদা, ফুরা নিডখাইরকতুনা ননবদগী হোন্দোকনবদা মাম ২৯ শিন্ন, মামা শোকনিদং চিংহৌবে। দুর্যোধন শোকনিনী পাণ্ড অসি তাবদা রাচা নাগী অরাবগী ইপাক্তা পুশপে, গন্ধাবী তেংথাদুনা কপ্প মন্দগী সুবল নিংথোদা ধৃতরাষ্ট্রনা পাও থাখবে। যদু শাগ অরাবদ পান্দাম সোমখদুনা মাপল মাপলে লাওনদুনা কপমখি যদু শাগ য়োনকলে। ধৃতরাষ্ট্র নিংথোনা অস্ত্রা পিদুনা যমুনাগী থোংবান্দা যজ্ঞ তৌথবে; শোকনিনা গিবা পুনা হস্তিনানা গন্ধারীনা শ্রাদ্ধ কর্ম লংখি। শোকনি হস্তিনাদা দুর্যোধনগা মুকথা খানদনা লৈরে, দুর্যোধননসু শোকনিবু খাঙ্গে। নোমদি মনাওশিং মাওদনা গঙ্গাদা স্নান তৌবা। শোকনিগা লাকমিয়ে মাংদা দুর্যোধন চংলি, তুংদা শোকনিনা হল্লি। শোকনি তাত্তা কংশিইডদা দুর্যোধন মতক কক্লাগ থন্দুনা, কিম্মংদ থাং শংথরে। মাসিবু বদরিকা শ্রমদা উরদুনা শত্যা-বেশ ব্যাস অবিতুর্ভ ওইনা শোকনিগী মাংদা লেপনরে। শোকনিদা হায় নংনা ককপা মাংরাই মথুবাক্তা শিমু হায়বা তমদে, মানা শিগদবদি ভীমগী মথুত্তি, নয়াবশিদি লমন শিঙ্গে হায়রবদি পাণ্ডব ৫ য়েয়নবদা শিল্লু অদুতদা দুর্যোধনচিংবা মচিন মনাও চাওগী থাবা নাপা, কৌরব শাগে ফুরা মাগদবনি, হায়বমপগা ব্যাস মাংবোকখি। শোকনি অদুদগী হৌদুনা দুর্যোধন হাৎকে নিংলগা তৌকখিদনা পাণ্ডব ৫ বু য়েরনবা শিল্লগা কৌরব শাগে ফুরা মাহল্লগে নিংখী। মুনিগী পাওতাক কংবদগী

শোৎলি হাথল অমুৱা লেপখিহৃনা, দুর্য্যোধনবু লুনা চান্না তৌবন ফত্তম ওইহনা মচিনমনাওবু থাজবা লেপইহনবা ওইহনখি। অসিজবা, মহাভারত অদিপর্ব্বগী কথা অসি অমৃতগী মশক্তি পুক্তিংচংনা তাত্তবদা যাযাগী সমত্রবু লাপ্তোকই ব্যাসনা হায়রমলবা শোইদ্রবা রাদি যাসিবু পাংজবা শ্রী৺লোবজো সিংহনা ইমাপোন্দা ইচৈ। ইতি। হরি হরি হরি

অধ্যায়:—

ভীমবু হু পিজহুনা যমুনাদা থাদবা, পাতালদা লিনগী লৈবাক যৌরকপা বারী মতাং॥

নৈমিষা বন্যদা পুরাণ লিখিবা, উগ্রশর্ব্ব সৌতিনা হায়ৈ, তাখিযু শৌনকাচিংবা মুনি সভা, ভারত লিরিবা বৈশম্পায়ন মুনিগী মকমদা, জন্মেজয় নিংথৌনা হংজবকই। "মহামুনি ইবুংঙো চামা মভাগী মথাগী বারী লিখিবু, ভীম দুর্য্যোধন অসি করম তৌনা য়েকনবকপগে ? মথ শিংনা লাজনিংই লিখিবো। বৈশম্পায়ননা হায় চন্দ্রবংশগী ফিগম ওইবরা জন্মেজয় নিংথৌ, তাবো এখা অমুক লিবগে। দুর্য্যোধনগী মচিন মনাও ১০০ সি শাজবা রাম্না পাম্মো, শাজবা অসি মথোইসু ভীম যাওরবদদা মুডাই। ঈশিং দা শাবৈ ভীমনদি কল্লি মঙা তন্না কাবগা ঈশিংদা লাকশিনবী। অমুক হেক থাঙৎপী খংরকরে স্বরমলগা হেক চংখি। মনাও মমামচু ভীমনা হৌরগা বন্দ হৈ হেকউশি পুবীখি, বান্নাই পানখা উবদ কাখংলো ইনাপশা, হৈ হকউবো শাখবা। মমাওশিংনা কাখংখিবগা ভীমনা হৈপান্ন পাকরগা হেক নিকথবী। মথক্রী তারকপদ ন াং কন্না পাইবা যাদ্র ঐনা হৈ নিকথবদ ভাববদি উ কারিটৈদা মুংশিং কন্না শিংলক্লবদি কমদৌমি, হেক ঠৈবী। কপ্তুনা হজিনখি দুর্য্যোধনদা কপ কপ্তুনা পাওজম্মী, দুর্য্যোধনা হায় মতুংদা মাগা থক শাম্নকগনু। মথাট মথৈদা শামরবসু ভীমনা হেব থিস্কুনা নথোইন ঐবু মাওহনশিংদুনা পোনন শানমরিখনি দুশাসন নম ওইরিনি গায় হেক টৈশিংদলগা চংখি। দুশাসন অসি মবুকসু কত্তে দুর্য্যোধনগা পুক্তা মাখৈ, অদুদা ভীমনা কন্না কুংশিনদুন মাবুদা পিবনি। শানবগা নিত্তাই হেক গাতুনা খংনবদগী; দুশাসনবু থৈবগা ভীম মবুখদা হেক হনখি। অসুম লে ইনবকপসি ভীমবু কিবনা তুমদা মমং কাওবা, দানা মাইম লাক্লে হান্না খংপ্রেক খংবা লাওহনা কপরে। মরম অসিদগী দুর্য্যোধন থবাই চাকথহনা! বোংমদি শৌকনিগী মকমদা হংলে মামা ভীম অসি ঐগী প্রান চাক্লে, মশিঙ্ক কবদৌরগা মাংহনসিংগ, মসি লৈরবদি ঐ মুভাদগমিদা। মাগানা মাবু মী খংজনা হাংপা য়াবা, মরম অমত্তা তাকপ'নু। দুর্য্যধনগী বু তাবদা শৌকনিনা হায, ইযুত্তোহন মাবু হাংসি হায়রবদি যমুনাগী খোংবান বনদা, (প্রেধান ছুটির,

শংখোং অমা শারবা । কা-কা নাইনা থাজিন্দুনা মন্নুংদা মীশিং ওনবা কমুং থারবা, অদুগা চে ´ হন্নাই ঘি থাও হন্দেস কয়া লাউওবা। পাণ্ডব মঙা অসি বার্তোন তৌরগা বন ভুজন তৌদুনা অমুক্তা চামিন-থকমিন্নদুনা দুংশিনবগী মওংদা জলক্রিয়ানচিংবা শায়নবা 'হোৎনরো। অঃ ওইরবদি পুজারীগা তারগা ছন্দেসদা হু হাপচিন্দুনা, পিজরগা ভাম হাৎনবা তৌসি অমুয়া শৌকনিনা (কুমন্ত্রনা) করুবা লৌশিং তাকশিনবা তৌগে। দুর্যোধন মনাও অতে অভাংশিংদি মরোল অকুপ্পা থংহন্দন, দুসাসন শৌকনি দুর্যোধন তাম্নদুনা যমুনাগী খোংবান্দা শেমজাশাবা লোইখরে । দুর্যোধননা দুসাশন থাদুনায় যুধিষ্ঠীরদা বার্তোন তৌহনদে, বাহৈদি দাদা ইবুঙো ঐখোই চাম্বা মঙা নি থৌমচা'ওইবগী অমুক্তা (বন ভুজন) চাক চানদুনা দুংঙাইনা যমুনাদা জলক্রিয়ানচিংবা শানরুসি, ঐখোইগী মামান্ন য়াওবিগ-তৌবা চান থকনবগী থৌরাং ঐখোইনা লোইনা লাংজরে, হয়েং ভতা ইয়াম্বা ইনাও মঙামক।

যমুনাগী খোংবান্দা য়ৌবিবকও হায়দুনা, যুধিষ্ঠিরদা বার্তোন কৎলমলগা। দুসাশন হল্লকে। নোংঙাদে পোং পুন্নমক বথদা হাপকৎলগা, পুজারী সেবারী পুংনা শৌকনিগা দুর্যোধন মনাও মায়াম লোয়নবা লাকপনা, যমুনাগী খাংবান য়োৱক্নে। চাক এঙ্গাং মথেল মথেল পুরি পুরা শভুনচিংবা হন্দেশ করায়ুক লাংঙী। পুজারীগা তানংনা খ্বাইদগী ভেন্না চাওবা রড় মতুম অমা, মন্নুংদা কালকুট কৌবা হু হাপ্তুনা শাবগা ভীমদা পিজনবা থমগে। অসোমদা যুধিষ্টির মনাগশিজা থৌরাং লোইদুনা "মমাবু খুরুমী" কুন্তীনা ইংাশ নংখাই কদাইদা চৎকদৌরি। ইমা ননাই ঐখোই ওসিদি যমুনাগী খোংবান্দা, বন ভুজন তৌসি হায়দুনা ডয়াংদু দুর্যোধননা দুসাশন থারদুনা বার্তন ওইনা তৌবমলে, চান থকনবা মখোইন লাংলমগনি, ইশাদা চংলগা য়াওহনগদবনি। ইমানা বিদায় পিবিযু চৎচকখিগে কুন্তিনা হায় ইংাশা ডসি অহিংগী মংদা ভীমবু, মৃতক মুশিয়া ঈশিংদা তাওবা উরম্মী। ইমাগী মং কয়া দুওঙাইতে ওসিসি য়াববদি কয়া চৎহনলংদে, দুর্যোধনসি মবুক কবা চুমদ দুংশা থিদা? ভীমবা হায়খ্রে ইমা ওসিসি যমুনাদা, ঈয়োইদুনা শায়গদৌবি। অদুনা ইমাগী মংদা ঈশিংদা তাওরম্মা উবনি দুংশা থিবিকগম অহাও অংদুম য়ায়া, চাক তৌবিবনি চৎচরখিগে। যুধিষ্টীরনা হায়জ ইমা য়ামা শৌকনিম্ন য়াওবিগদৌবি, ঘরাও-ঘরাও তৌরকপসিদা ঐংখাইনা চৎত্রবদি, লিজদবা তারগম্রা। পাবুংজমা ইয়াংখাক মগারানীনা তারগা দুংঙাইখিরোইম্রা? মরম অসিনা ঐখোই য়াওজকখিগে ইমানা বিদায় পিবীধু। কুন্তিনা হায় কবে ইচাশা নখোই য়াওত্রক্লবা, খর্দ চেকশিন্ন, মঙ্গল ওইজরগউ। মঙানা মমাগী য়াখং ক্ষওচবদা খুরুমজরগা। মমাগী খুয়া উক্‌স মকোক্তা হাপচয়কই, কৃষ্ণবু শিংশিংজরগা পাণ্ডব ৫ চৎখরে। দুর্যোধন থৌবাং লোইবদুনা ভাইবমী, মঙা য়োমুকবদা তুওঙাইদুনা যুধিষ্টীরবু খুরুমী, ভীম, অর্জুন, নকুল, সহদেব মরিনা দুর্যোধনবু খুরুম্মী। শৌকনিনা দুংঙাইরে ইমাক মঙা য়োমকপা মাবাও, ইমাক ১০৫গী কুইম ঙেংজনিংদুনা য়াওমমী, কুকশি প্রসাদি কংডুবসিদো। দুর্যোধনদা' করে মামা লেংশিনবীরো, দাদা ইবুঙোম্ন লোংশিনবীন্দা, ইনাওশা কওচবসি অমুয়া, মহৈ মহৈ চাক্লুক্তা করমত্র। প্রসাদ লাওবদুনা আচমন তৌরগা মহৈ মহৈ কংনবরে, অয়াং অপা 'ঙেৎদুনা

পূজারিশিংনা হাপ্নী, মরাম পুরন ওইনরে, ভীম্ম চান্বিবহ্ লেংহনা লৈনবে। ভাম্বু মরাখনা থাগংশি জীবগ্ন গর্ভ থম্লে, মগুম অদুদা দুর্যোধননা অজ্ঞা পূজারিশা ? মতু অমামমতগা পুরকথে।। পুথাক্লিনা মতু মতুমত্র য়েন্নকপদা, হু হাপপা মতু মচৌবহ্ ভীমদা হাপ্নী, দুর্যোধননা ইথুজেত্তা মাইমা ইনাওগী থৌরিপী লথী অসিবু কয়ামুক কবগে ? ইয়াম্বা অমুক্তা য়েংনিংঙি। অমুক্তা পুন্না য়োংগু ইয়াবা ইমগেদো, কনি দাদবু ইনবিয় পুন্না য়োংচগে য়েবিং, দুর্যোধন্না মতুম্ব পান্নবগা ইল্লি। ভীমনা পুন্না য়োংথরে, দুর্যোধন্না কৈদকো ইনাওগী থৌনাওসে থাগংলি, আচমন তৌত্তনা চিন থুংশা লেংনবে। কৈ কা চানত্তনা ভহাক পোখানবগা, যমুনাগী ঈংরন্দা কুমগনরক্তুনা ইবাইহনা শাম্মিন্নে ? ভীমগা ময়ামগা লাক্কদুনা শান্নি ভহাক শান্নরকপদা ভীমদু গর্ভগা মতুম নিংথাইরক্তুনা, হুদুনা গর্ভগা লোকনরকপদা ভীম পাঙ্গল থোক্রকত্রে দুর্যোধননা তাঙ্গা থডডদুনা, শাননবা ওক্কে ওহাক পোথানক্রসি হায়না, থামথিদনা কাখৎনরে। কি বো দোক্রদুনা মাপী মাগী কাদা চংনদুনা শয্যাদা হিপনখি, মহৈ-মহৈ তুম্নখ দুর্যোধন শৌকনি দুসাশন অহুম লোননা হোগ লক্তুনা ভীংগী কাদা চ ডকপদা ভীমদুদি তমা শিনবা থুন্ডরক্তুনা, পুমপং প থদুনা লৈবমলে। ভীমবু থাংদাকগা।। লৌরিনা মথোং মথুং পুনসিল্লী, পুংবে যমুনাগা ঈচেপা ইম্মথুগা, কাথংলকতুনা মথোই ওন্ত তুমদুন। লৈথরে। মুমিং তান্নমদাইদা মিকপ থোক্ররকতুনা হৌগৎনরক্কে ভীম থোবকএবদা চংদুনা লেংবদদি লৈহ্মত্রে। ভীমবু ময়ামনা কোইনা থিংবা কত্রে, মহৈ মহৈ কোনে থুমক্লকত্রে মনাওশিংনা হায়রৈ, দাদ য়াইমদু বোবোই য়াম্মা পাখনি অরাপপদা ? বোরোগ থিবা চংলমগনি। থদনা হংবন দাদা য়াইমদি য়াম্মা লংনগল্লি, এংথাই ময়াম দুংশা খিহনগে হায়দুনা, লোননা হোগংক্তনা যুমদা চংশমলগনি। অসুম্না থম্নদুনা মহৈ মহৈ পোং পুম্মক লোইশিন্নুনা শোকানগা দুর্যোধনগা মনাও ময়াম পুদুনা কোম্বু দা হস্তিনথি যুধিষ্টীরদু ঐ তাক্রদম, ভীমদু গুদ চংশমলোই নিংঙি, য়াম্নদুন মনাও ংগা মাইথোং লাংশিন্না চিন্তা তৌদুনা, যুম থোকক'প। মমা কুন্তীবু থুকমলগা হংৈে ইমা—ইনাও ভীম য়ৌরকল রা ? ঐথোইনা তুমনরুবগী হৌগংলকপদা ভীম লৈংমত্রে।

রাসি তাবদা কুন্তী কোপ্না বক্স প্রাবগা মান্নবা রারকলে, ভীম্মদা বিদুরদা অন্ধরাজদা তাকথরে, হস্তিনাগী মীয়ায়া ভীমবু থিনদুনা রান লৈনখি। ভীমদি যমুনাগী ইচেম্মা পুথখিবনা সমদ্র তাখিংনা অদুদগী বসাতল লিনগী লৈপাও ৫ নিগী তুমিং য়ুংবা কান্না পুডথী মতম অদুদা লিন নিডোন লৈশাবা নিপাল চেংহি পুন্ডদুনা লৈরম্মী, ভীম তাওথরক্ইবদুবু উবদা হায়রৈ, ইভা ইরাইদা তাওথরকইবসি লোকউসিদো। ফরে লোকউসহায়রদনা মথোই নিপাল ইরোইরকতুনা ভামবু লোক্নগা লৈরাজ্ঞ মথক্তা থম্মে। অদুগা থরৈ ইভা মসি মীনি মহি চুপতুনা হাওবরা য়েংসিদো ইভা মাসিগী মীওরশি ,য়ামদা কি শিরমদরবদি ঐথোয় শোয়নি। হাংা হু কামশিন্নগা পুমসি শিহনখিসি হায়-মদুশ্ম, মাগ কন্যা নিপানদু ময়ানা চিকলগা হু কাংশিল্লি। (স্থাবরবিষ জঙ্গম বিষ) থশেম্বা হুনে মশাদা চেলকপা লেংদরবা হুনে অনি অসিদি, হেক শোক্নবদা ময়াঙ্গ চন্নদুনা মাউডি। মরম অদুনা

ভীমগী দেহেদা কুপ্পল্লিবা হহ লিনগী হুগা শন্নরুবদা মরাই চায়খিহ্না ; ভীমগী হকচাংহু হুমা কুপ্তনা মুরুবদগী ভোরোক ভোরক্লে। ভীম জ্ঞান লাক্তুনা মখাং মথুং পুল্লল্লিবহ কোইদত্তুনা। ফুক হৌ-গৎলক্লগা মডোম্দা চিক্লল্লিবী লৈশাবী চহ্ন লৈশাবী মী চিকপীশা য়ৈরগ লাওরকপদা। কিমনখুহ্না মকোল মরিক মফি মবোন হুগুক্লম্লগা নাগরাজা বাস্কুকিগী সভাদা তম্না চেন্সিন্নরকই। বাস্কুকিগী মস্তনা পোকপা মুহীমালা কোবী অমা। মখাই চহুগী মসুংদা কন্যা ফজবী অমা য়াওরী। মাদী মরাইবক্তা ভীমবু য়েকশিনবীবমগবোইদনা। ভীমগী মশক উবদগী লৈগী তেন এনা থমাইদা পান-খুহ্না ভীমবু হন্না হন্না য়েংহ্না চেল্লকপনা পূনত্রে পুনত্র ত্বরে। মতৌহ উবদা লৈশাবী মখোই শতুনা কোনখত্তুনা পোবগা পুশিল্লক্লে। মুহীমালাবু থাবগা থম্মী বাস্কুকিগী চয়ম্বা খুকমহ্না। স্বব থবেৎ থবেৎ হজৎলি।

প্রভু ত্রৈখাম্বনা সমক্রনা ইকথবিইডদা মখাং মথুৎ পুল্লগা মুশুকমুবা নিপা অমা তাওথরকই; মাবু পোত্রগা লৈবাই মথক্কা থম্লগা ঐখোইনা চিক্তনা ত কামশিল্লুবদগী ভোরাক ভোরকই। অহুগা পুম্রবা পৌশি কোইদৎলগা ঐখোইবু ক গনবগী তান্নবকই, ঐখোই পাখত্তুনা চেল্লকপদা ইতা মুহি-মাল দী মিত্তন চেনখৎখ্রমাপ্রে; চেনবা ডমদ্রহন রাম্হব। মরম অহুনা ঐখোইনা পোহ্না পুরক-পনি অমুক্ত য়েংবিয়ু; নিপা অহুনা কনানে তাকপায়ু। কন্যাশিঙ্গি পাও তারগা বাস্কুকিনা ধ্যান চেহুনা য়েডওকপদা মশম পুন্নমচ পোগনা উবক্র। নিপাহু কৌশিল্লু হায়না মনাই থবা থাখ্রে, বাস্কুকিনা মুহীমালা য়েংহ্না হায়রকই, ইবশ্ম ইশুদি কৈদোরবনো নঙ্গি মুংডাইতবা করি লৈর-বগে সম্না হায়য়ু? ইপুনা নঙ্গি অরাবা কোকহনগনি। মুহীমালা খুংলোল্লহুনা হায়জরকই, ইবু-থৌ নিপাহু হবানবনি মানা ঐগী থম্মোই হুনগা লোহারে। মাবু ফাবগা পিবু ইপোং হুরবগী ইযুমদা মাবু বত্তি থমজরগা, নঙগী অরাবা কোকচগনী। বাস্কুকি য়োমোন তৌহ্না হায়রকই হে নাতী নিপাহু শ্রীকৃষ্ণগী মনাই বৈষ্ণবনি; হস্তিনাদগী লাকপা পাণ্ডবকি ভীমসেন হাইবহুনি, সেবা তৌবদা মতিক চাবা নিপানে; ইপুনা সোইদনা পিগনি রাকগনু। মতাশিংহুনা হায় হে ইতা মুহীমালা ঐখোইদি কিবদগী পাখত্তুনা তুবাই নিডৗ; নংদো নিপাহুগী প্রেনগী পোংলুম খোদত্তুনা পোরকপদগী নন্দুনা তুবীবোইরে। হৌজিক্তি খওজরে ইকজথাকলুরসো, বৈকবী ওইরগদবনিনা প্রনালিকা লোবীহুনা লিক পায়বীবা য়ারগনী। হায়হুনা মুহামালাবু পুরগা নাগীনা কন্যাশিং অমুক চৎথরে, অসোমদা ভীমহুদা জ্ঞান ভাদবদগী কমহুনা লৈরম্মা। বাস্কুকিগী মনাইশিং য়োরক্তনা ভীমগী মকমদা হায়রকই, মহাশয় নম অসি নাগলকনি, বাস্কুকি নাগরাজনা মহাশয়বু চানবিহুনা কৌশিল্লু হায়হুনা ঐখোই লাকপনি। হৌজিক্তি নাগরাজাগী সভা য়োরসি, রাহে অহু তাবদা ভীম মুংডাইরহুনা লিনশিংহুগা লোইননা নাগরাজগী সভা য়োরক্লে। বাস্কুকিগী সভাবু দণ্ডবতনা খুরুম্মী, বাস্কুকিনা ভয়ামনা কৌরকই, হে ভীমসেন লাও ঐগী ইনাক্তা চঙ্ককউ; য়ারী শানসি ভীম চংজখিহ্না নাগরাজবু লৈপাক্তা চৈও তাবওম্না দণ্ডবত মজারক কৎলি; বাস্কুকিনা চিংখৎ-

পিহুনা কোনবা। ভীমসেন আসন অমা তোঙরোই ঐগা কমমিহসি হায়হনা বাজা আসন্দা পুখৎ-লিব্রে। ভীমনা খুৎ অনি লোয়জহনা হংজে, প্রভু ঐনা মাসি য়েরকইবা অ'স কহিননো অমুক্তা তাকপিয়ু ? বাস্থকিনা তাকপিয়কই। নংনা মফম অসি য়েরকপগী মরমদি, মখোইনা চাক চানবা অমুগী লোইরকপদা রডু অমা দুর্য্যোধনমা ইনবা নংমা পুম্না য়োংখিবা অহ হ হাপ্পা রভুনি। নংবু হাংকে তোবনি মরাগ্গা ভুমখনবা মতমদা নংবু শোকনিনে দুর্যাধননে দুসাশননে মখোই অহুম্না নখোঙ মখুং পুন্নগা যমুনাদা খাদরকপনি। হুনা হুপতুনা শিবগা মাননা তাওথংকপদগী নাগ-লক য়েরকইবনি মতানি তরে।

ন'বু কল্লকইবসিদি ঐগী ইশু দুপীনা মতাসখিশিংগা নংবু চিংখত্‌না চিন্নগা হ কাম্বদা নংগী কালকুট কোবা হু অহুগী মন্নাই চমখিহনা, হিজৎলকপনি। নংবু থরাই কল্লবা ইশুদুপীহুগী নং অসি ইশু ওইরো, ঐনা নঙোন্দা কন্যাদান পিরগনি। নাগ রাজাগী বা তাবদা ভীমনা হায়জে, হে প্রভু ঐবু চাক চন্না অমম্রা হান্না নিজখিগে ; লামবনা থরাই অসি পুবা ঙমদ্রে। বাসুকিনা হায় ভীমসেন ঐখোয়গী নাগলক অসিদি চাক চানদে, অমৃত থকই, নংসু অমৃত থকচক। ভাণ্ডারি মনাইশিংগা ভীমবু খাজিনবিখ্রে, অমৃত ভাণ্ডারদা কুণ্ড নিপানখক লৈ অমৃত থন্না ভুংই, লিনশিংনা ভীমবু পুশিল্লকুনা তাকই। হে—ভীম অমৃত কুণ্ড নিপাগ নংনা ঙম্বমথৈ থকই কুণ্ড অমা থকপা ঙম্নবদি শাম্ন লিশিং অমগী পাঙ্গল ফনবনি। ভীমনা হায়রকই, কুণ্ড নিপান্‌ অসি লোইনা থক্তোকপদি য়ারোইগ্রা ? লিন ভাণ্ডারি-শিংনা হায় ঙম্নবদি লোইনা থক্লবসু য়াই। ঐখোই নাগলোক্টীদমক ব্রহ্মানা থা'ববনি, হৌজিক 'লাইনা কম্বোকখ্রবসু হুরেন অমুক থনা হু ঙমগনি, ঙমই মথৈ থকপা য়াগনি। ভ'মদা পাত্র অমা পিরে মখোই ফমহনা য়েংই, ভীমনা পাত্রনা কন্দুমা থকপহ পেদ্ধক য়হনা কুণ্ডদা চো'থরগা, মচিন্না চ'প চপ চিংহনা থক্লে। ভীমগী ম'তৌ ডবদা লিন পুরমক 'কন'্‌, ভীমবু পুরকুনা সভাদা থ'ঙরে, বাসুকিনা ভীমদা মণ্ডসুপী মুহীমালাবু কন্যাদান পি'র। ভীম মুহীমালাগী জাগাদা সুমিৎ হুমনি পন্দুনা লৈরে; মুহীমালানা থরাই কংনা সেবা তৌজ, ভীমগী ঔরসদগী গর্ভগী লৈখোন ওইখে। অমীগী মোংতারকপদা মুহী-মালাবু য়ে হুনা ভীমনা বিদায় তৌবক্লে, হে পৃয়ে ইবেম্ম ঐগী বরদগী নগা নপা শুণ চেল্লবা অমা পো'ক্লা। ঐদি হল্লগে ইমা ইয়াম্বা ইনাও বানরয়গনি, মংদি লৈগেরো রাহৈসি তাবদা মুহীমালা মবুংঙোগী খো' পায়হনা হায়জে, প্রান নাথ ননাই সুপীবু কাওবাগনু, ঐোজিক্তি মতম চাদখনিনা লেংবিরো। মতম এমদা অমুক সেবা তোঙগেকো হায়হনা ! মবু'ঙোবু খুল্লগা হু চঙা লাইথু' তিহু'ং লাইনা চ'দবা মনীগী পুন্দাপ অমা কংলগা বিদায় তৌজরে। ভীম খোকখিহনা বাসুকিগী সভাদা চংতকুনা নাগরাজাগী চরন্দা খুম্নমহুনা বিদায় নিজরে। বাসুকিমা অমুক গদা অমা পিরগা হায়রকই, ভীম নবাদি অরাং পাংনা চংখিবা লম্বী অমা লৈরমগনি, মাহুদা অহুম হারগৎখো। থর চৎলগা লম্বীগী মোংচুপ পাংবদা চিঙ উগী বন অমা লৈরমগনি ; বন্দুগী মহুং মমাইদা' মুংগী ফুম্না অমা লৈবনি। মাহু রাইদা লাও খোংঙু পাতালগী ভৈরব কোবা মহাদেবগী মন্দিরনি, লাও খোংবা য়াদবা মহাদেবনি।

মং হুরেন অরাবা ভাগদি, মোলুক্না চংখো, অহুদগী অমুক চংলগা বলিরাজাগী লৈপাক কয়নি। অহুদগী লখী অশঙ্বা অমা লৈবদি অহু রাইগী মীদা হংলগা খজনি ; মগোল ওইজো হায়না মানবীচনা বিদায় পিবীরে। ভীম অহুদগী কৃক শোন্দুনা যাত্রা তৌবকপনা লখী অরাং পাংনা চংখ্রিবা লখী অহুগী মকুং ইন্না হাইগংখ। অসিগুবা মহাভারত আদি পর্ব্বগী বারী অসি অমৃতগী মশক্তি, মাওইবমা তাজবদা তীর্থদা লুপচবগী কল ফংতি, শ্রীব্যাসদেবনা লেংলম্লবা আদিগী কথাবু সভাগী মনাই শ্রী৺লবঙ্গ সিংহনা ইমালোন্দা ইজরি ইতি। হরিবোল হরিবোল হরিবোল। মতাং অসিদা শ্রী৺খুন্দোংবম লবঙ্গ সিংহ বারী লীবা পণ্ডিতনা ইবীরবা শকক লোইজরে ইতি।

অধ্যায়ঃ—

ভীমনা ভৈরব মহাদেব উনবা বলিগী লৈপাক্তা মুদ্রা কৈন্থা লুহোংবা অমস্তুং হস্তিনা য়ৌরকপা—

বারী মতাং ॥

অধ্যায় অসিদগী শ্রী৺ভাগেশম ওমর সিংহ কথা বাচক পণ্ডিতকি, বারী শৈরেং ইবীরবা হোজরে।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় তারো মহারাজা জন্মেজয়, মরুধো ভীম অহু অরাং পাংনা চেন্নকপদা। শালবন ভৈরব মহাদেবগী ভাগা য়ৌরক্লে। অমৃত থক্লকপগী ময়াইনা মহাদেবনু থেংননিংঙক্লে। লেপতুনা কোবকই হে—পাতালগী ভৈরব, নহাক অসি রাবকপিনবা লৈরদনা য়ামা নিঙাই চাওই হায়বা তা'য়। ঐগা চা' য়েংনসি থেক্লকউ লাও হায়না লাওরক্লে, ভীমগী খোল্লাও তাবদা শদা শিবনা য়েংলকপবু ভীমগী গর্ভদা, অমৃত কুণ্ড নিপান থক্লকপগী তুংংনা লৈবিবনু উরে। মহাদেবনা হায় দেবী নংনা হন্নবী শা'রা, ঐ যণ কাও শাংগে, ন না ঐবু ভামবগী মওংদা অমুক্ত ফাবিয়ু হায়বু। ঐ বাগী গর্ভদগী অমৃতসি গর্ভ হায়গাইরগা পোথোক ; দুর্গানা হায়, প্রভু ভীম অসি মমা লুখানা বানা য়োচরকলরনি, মপান চার্ত্রি মাবু লাউন' মীনা য়াম্না য়েংথিবিরে, শোইবা লাল্লগনি অমৃতসি লোথোকপিরগনু, অমর ওইরনসনু। শিবনা হায় পুংম ভীমদি মবক্তা মন্নু লোই মাবা অমর ওইথু বদি শ্রীকৃষ্ণগী জিলা কাইরগনি, লোথোক'হানবা য়া'দ্র। রাসি হায়রগা যণ লাবা কাও অমা ওনথরে, নেবীনা হন্নবী অমা শাথে। ভীমগী মাইপেদা কিঃ কিঃ কামতুনা চেংথোক্লক্লে ; দুর্গানা থৌরি অমা পাইরগা তুংদা কায়রকই। ভীমগী মকমদা লাওবা হাযরকট, লখীদা লেপইবা মহাশয় ঐগী যণ লামচান্থ, থৌরী নাথোকুনা শগোন্দগী চেলথরে ঐনা ভাম্নবা ফ'লাইদোরে অমুক্তা ফাথিরগা ইযাবু উনায় অমুক্তা তৌবীয়ু। ভীমনা হায়রকই ইমা হন্নবী নংনা কদাইদা যণ লামচা অঙাওবা লোইক্লবিরনো ? কৈ কাবিগে, হায় যণ লামজা লুখ'বীনা লোম্নরগা নংনা লম হেন্নবা শারিত্রা লাও হায়

থংগনি ডসি, অসি হায়রগা ভীম গদা থমলগা চেনশিল্লক্লে। মহাদেবস্থ ভীম ভাগা চেনশিল্লি, ভীম চোংশিলখিহ্না বণগী মচি অনিহ্ন ফারগা। গৃ গৃ ইল্লি। ভীমগা বণগা ইম্নরকপদা পতালপুর গেগে হায়বে, পতালগী জিব পুম্নমক হাকার লাওনরক্লে। সংহারগী মপু শঙ্করনা ভীম্ন পৃথীদা লোংনা মম-থেত্নুনা মচি অনিনা থমোইদা মৈশিল্লগা হাইগাক্ল'রে। ভীমগী গর্ভদ নাতান লোনশিনখিহ্না, অমৃত লোইনবা চিংখোক্নুনা লোথোখরে।

সিথখ্রবা ভীমবু অমূক গর্ভ হোগাইবিবন্থ লৈনা শং শং লেকতুনা হায়গুম তাইশিনহল্লগা; হিংগৎহনখ্রে। ভীমনা হিঙ্গৎ লকপদা যণ, হনুবীত্নস্ন লৈরমখ্রে। মহাদেব ত্রিশুল পাইহনা লেপ্তুনা লৈরমই সদাসিবনু উবদা দণ্ডবত তাহনা খুরম'জ। প্রভূ হৌজিক ঐগা থেংনরগা যণ লামচাহ্ন উবিহৌব্রা? শিবনা হায় ভীম ঐদি থংহৌব্রে নংন রাহ্নবা লৈবহৃদা। ন'বু মুংশিহ্নবা ঐ লাকপনি। ন'না পাম্বা বর অমা নিযু পিগে; ভীমনা খাল্ল ঐবু হন্দক হাংনবা থৌরাং তৌরক ইবসি মামা পৌকনাগী থুজিন্দগীনি। যুধ য়ৌরগা অমুক্তা লাক্লগে খন্দূনা। নিরক্লে প্রভূ ঐবু মানা ও পিজহনা রাহনবগী লমন্দি ঐনা চানগা দশানা মাঙোন্দা তাহল্ল'গ, ঐনা য়োংপদনা থেরা লৈহন্দবা মান্দুনা শোকনীগী গর্ভদা থংীবা মান্দূ মপান থোকসকপদা মথরাইন্দি শিদবা রামনা রাহনবীবা অসি পিনবিয়ু। মহাদেব মোমোন 'নাক্লুনা হায় মাহ্নমক লেপনা ওইরসনু নংনা রাহঐগে কহল্লগে হায়রগা ঐবু নিংশিংউ হাংরনলগ' মাং'থাকখ্রে। দুর্গানা থবঃ কবা বব পীবিবা য়াংা? দুর্গা মানদি ওইথোকত্রিবা বর অমা নিব'ক্ল; ঐগ্ন য়েনি'হ্নুনা পি'থাকগুংবনি প্রভু নপু ননাইসি ডাওবা মাহ্নখ্রেদা। অহ্নদগী ভীমহ মবা' পা'না চেক্লকপদা অতনপুর বলিগী লৈবাক য়োবক্লে। মহাদেবনা অমৃত লোথোকখিবগী গর্ভহ লাম্বনা'চনবা ভমলকত্রহুনা। থোঙ্গাল অমদা চ'লকই মাংগোন্দা হনুবী অমা ক্লমহনা লৈরমই ভীমনা ইবেল ঐবু চাক চবা অমত্তা পিজো লাম্বনা যুম য়োবা ভমলোইদোরে হায়রকই। হনুবীহ্ন ভীনগী ফাবম থোলাওদা থক্কংখ্রহনা রা ভাংদনা নিক্লুনা লৈরে। মতৌহ্ন উবদা ভীমনা হায় ইবেম' শকপ লাই থুংব্রা। হনুবানা হায় ইবুঙেডা ন'বু শকপ লাই পুবা লাইরা? ন'বু উবদা ইবেন্দো নিকখে। ইবেন্দি লুখ্রাবীনি চেং লৈজ্রদে হুজিত্তা নিরুবদা উতোং ২ রোমদং ফংজবকই; মাসি থোংলগা চামিন্নসি হায়বনু নবুক থমগত্রা এ—ইবেন অহ্ন ওইরবদি চাজররোই লম অসি কনাগুমবা অন্নদান তৌবা সদাব্রত থাওবীকা লৈতেকো ইত্তদি কয়া রাঙ্গ' চাগনি?

ইবেন ঐগীদি চেংশিং কক্তে লৈত্রগা তোকপা! লৈরিবা মথৈ চাবা ভমই। অহ্ন ওইরবদী ইবেন অমা তাকে। লৈপাক অসিদা পালিবা বলি নিংথৌগী মচানুপা মুদ্রানী কোবী কন্যা অমা চাক সদাব্রত তৌরিবমি। মরমদি চেং মন ১০০গী চাক হাবাই মন ০০গী য়েহাংপা চাবা ভবা নিপাদা। ওদনি হায়হনা রাশক্লুনা চাক থাওডীবনী মাহ্নবু চাবা ওঅলবদী কন্যাহ্নস্ন কজনী। নহাকপু কনামো ইবেন্দা তাকলমমু নংবু উবদা রায়ত হুংশি রায়ত কি গুণ রাম্বা চেক্সি রাজা কন্যা

অহুদা লুহোংবিরম্মু। মকম অহুদা লেপ্তো। ভীমনা হায় ইবেল ঐদি পাণ্ডবকী ভীম হায়রিবনি, হস্তিনাদগী লাকপনি ইবেশবু ইপু লৈত্রবরা ? নচা মশু অমত্তা লৈত্রব্রা। ইবুংঙো ইবেম্বি কনা লৈজত্রে ইবেলগী ইমিংনা শুমেবা কোই অহু ওইরবদা মুত্রানী কন্যা ওসি সোবদনা হোংঙনী ইবেম্মা লাকপীবগী ঐস্থু পেন্নে। ওসিগী লুহোংবগী কুজবা ইবেম্মা য়াবিয়ু। ঐস্থু ইমা কুন্তীনা লুখা ওইনা য়োক্লহনা ইবেনগী নত্তো উবদা য়াম্না পুংশিরে। ঐগী ঈমা শাবীরো। পুৎজগী য়াদনবা নমোগা কোন্নুংদা থথাবম্নগে, তমেথানা হায় ইবুংঙো ইংবেলশু নপু অমত্তং য়াথেল তোথিসিরা থলললম্বনি। হৌজিক্তি তোক্লগে ইচাগী নপান্দগী কোন্নুংদা ইমোগা কোম্নহনা লৈজহৌরংগ। ফরে ইমা ঐ বোবম্নগে বার্ত্তনদি অস্থুম থুকথজরে, ওম্ভ য়ে ববক্লো হায়ন থুক্লমলগা ভীম অমুক চংথিহনা মুলা কন্যাগী হোজংদা থুংখে। ভীমন মাবাদা হায়রকই হে — দ্বারী, মুত্রানা রাজকন্যানা লুহোংনিংবগী চাক থাংচিঙ হায়বা চুমত্রা নংবেম্মদা অথক্ত হায়রু, লুহোংবিরগে হায়রনা নিপ বোর অম থুংজরে, চঙঙকপ বাগম্রা হায়হনা ? পাও অমত্তা লৌরু। ভীমগী য়াংঙ তাবা মশুগ অহু উবদা, দ্বারী চেন শনাথম্মুনা রাজা কন্যানা হায়রকল। মচা হবেম্মা শুগ তেম্মবা মুপা অমা থুঙজরে, ইবেম্মবু লুহোংগনি হায়রবি পুসিত্রকপ থাংত্রে। মুত্রানা হায় পুনিত্রকউ দ্বারা থোরক্লুনা ভামবু লৈসিনাবনা যংগনি হায়বক্লে, ভীম চংবিহন বাক্ত কন্যাগী কোঙ্গং য়োবক্লে। ভীমগী সনাগী আসন থংগ্র আসন্দা ভীম ফম্মু, কনা নং থুংলাম্নংন হায়ত্তরকই। মহাশয়বু কবি দেশদগী লেংবিবকপ নাম কনি কোবাবা ? কন্থ বংশদা যাত ওইবনে ? ভীমনা হায় কন্যা ঐ হস্তিনাদগী লাকপনি, চন্দ্রবংশদা পোকপা পাণ্ডুগী মচানি, হংনিংনা ভীমসেন কোই। নহাকপু য়াশক্লুনা চাক থাঙচগা নিপা থিবি হায়না তাবে মবম অহুন এ নগাকপু লুহোংবিরংগ লাকপনি, হোঙংসিদনা হায়রক্লে। কন্যানা হায়খ্রে মহাশয় এগী য়াশক্তি, চেং মণ ১০০, হবাই মণ ৫০গী চাক য়েঙ্গাং চাবা ওগ্রা ? নিপাগ্না মনাই ওইজগে হায়বনা। চাক চাবিথো ওলমবদি ননাহ ওইজগে ডমত্রবদি ঈশিং হোম্নহল্লি, মাসি ঐগী য়াশক্লি।

ভীমন হাইরকহ হবেম্মা হাম্ন হোংদাক্লসি ; নংনা থো বা নথুৎ চাবা য়ানবা ? নক্তি য়াশক চাক অহুংদ সোহদনা চাবগনি। কনানা হায়রক্ল মহাশয় য়াশক কাহদনবা চাম্না চাবিথো ; ভীমনা হায় ইবেম্মা চাক চাকমদি কদোমদা থুনা থোরাং তোরে ? ঐ য়াম্না লাম্না লাক্লননি। মুত্রা কন্যা মত্তা মথিশিংদা শিন্নরে সথাশিংনা মহাশয় লেংশিল্লসি হায়রহনা ভামবু ভণ্ডারী লোইশংলোমদা পুসিনখরে। ভীমগী আসন থারে ভামবু ফমহল্ল, ভাণ্ডারীশিংদা চেং হবাই ওন্নু হায়রক্ল। ভাণ্ডারিশিনা চেঙ্গদগী চেং হোন্দোক্লম্নগা (তুল) কাটা পানথত্নুনা চেং ওনবা হোরকই ; ভীমগী মশক উবদা মুংশিবদগী ওমহললনিংহনা। থর নৌতক নৌতক ওল্লি। চেংওন্দু উবদা ভীমনা হায়রক্কই ভান্দারীশা। নথোইগী চেংওন্দু সোইরে চেং লোম্না থর থর হেনহল্ল ; নথোইগী নপোংশু মত্তে পাম্মুবিরমু ? হোরেন পুক থলনা তোক্লরনি। চেং মণ অমগী মহুদা সের অনি অনিরোম

হেন্না ওন্ন্; চেং ওববদা চেং মথাই কুংনা ওনগন্নু? মচা নথাই ভেক্না পোকচনি। ভীমগী রাহে ভাবদা-ভাণ্ডারিশিংনা হায়, মহাশয় নহাক্না নিংথৌমচা কযায়ুক লাকপশিংদি; ঐখোই চেংওবদা থন্না রাংহনবিয়ু হায়রক্না রা চংনরিবনি। মহাশযদি হেনহন্ন্ হায়রিবহুয়ু হৌরন ডমদহনা ঈশিং হোম্বা পানব্রা? ঐখোইনা মহাশয়ব ক্লংশিহ্না ডমহন্নিংবদগী থব থন্ন নৌহনবনি। ভীমা হায় এ—মাহু লান্নে নখোইনা ঐবু লুংশিরবদি থন্ন পৌতক পৌতক ওন্ন্! ঐ পুক থন্না চারগা নবেম্মসি হোংবিবগে। ভীমগী রা তাবদা মরামহু ওক্রহনা মাসিবু লাইবা মীন্না হায়বা থন্নখি, চেং হরাই ওনবা লোইংখ্র। চেংহু পুলপ চনবা পাত্র চেক্লামুক অমদা হাপ্লে; হরাইনা চেক্লামুক অমদা হাপ্লী, চাক থোংনবা পাত্র অমা ইশ্লাং থোংনবা পাত্র অমা ইকজবদা সিজিন্নবা কিয়োনগা লাকশিল্লি। ভীম আভরণ হোংদোক্লে চেং হাপ্লা পাত্রহনা রেংথংবা পাম্বোমদা য়াম্লিল্লি; হরাই অদুনা ওইরোমথংবা পাম্বোমদা য়াল্লে, পাত্র অনিদু খুংয়েং ওইনা অমমম পায়রে; কিদক অমা লেংবান্দা য়াল্লগা ইকজবা চংসি ঐগী ইনগদবা নখোওয়াংবা নিপা অমা-অনি লাকও হায়দুনা চংল্লে, নিপা অনি ভীমগী তুংইল্লি ইরুজকম তীর্থ য়োরে। ভীম তীর্থদা কুমথদুনা চেং হরাই তাওথোকখিদনবা তপ্না লুপথরগা জল গঙ্গা ইমা ঐগী দেহেগী পাপ শেংদোকপায়ু, লুপচরিয়ে হায়রগা মপা লুপই। কাওগৎপগা বিনেস পাত্র থোংনবা কোফু অনিহুম্নু ঈশিং থন্না রাওহন্নগা ঐ য়োরম্মগে হায়রগা চেনখ্রে। নিপা অনিহুম্নু মতৌহু উবদা ওক্রহুনা কুংদা চেন্নকই, ভীম চাক থোংকম শং য়োরক্লে। সখীশিংনা লৈরং মৈ থাগংলে, ভীমদি চাকথাংবগী মথোংমু অন্নম থোজনি হায়বা ভাব তানা হৈত্রি; হৈহে হায়হুনা হজদম্নু ইকাই, সোইরগা উসিংখিবোইদ্রা অহুম্নু ইকাই। হংবদদি রাহং অমা ওইবা হংলগা থওদোক্লগে থন্দুনা হায়রকই, ইবেম্মথাই ডসিগী চাকথোং অসিবু ঐখোইরোমগী চাকথোংদা থোংশিন্না নখোইরোমগী চাকথোংদা থোংঙ্বা? নখোইনা অপান্না অমা হায়মু। সখীশিংনা হায়রকই দাদা ইবুংঙো ঐখোইরোমগী মীগীরোমগী হায়বা নাইরমলাইদা। চাকথোংদি মান্নমগনি নিঙডৌ, ভীমনা হায় ইবেম্মা অসোমগীদি! কমদোনা থোঙডী। দাদাবু ঐখোইবোমগীদি কোফুহু ঈশিং থাবৈওমরুম হাপকদি, মচি শাহন্নগা চেংওই। পাত্রহু চেডনা থাবৈও থন্না ঢেঙ্গংলপ ওরপা অমুক্তং ওথাইবগা মথুম খুমজিন্দুনা মৈ চাং নাইনা রাংলগা শোইহল্লি। শোগংলকপদা অমুক্তং ওংথাইরগা থাংথহনা মহিরু য়ামলগা থনা চিথোক্নুনা চুপশিলকল্লি। মথুম চেংনা থুমলগা মৈতাম থন্না থোক্তোক্নুনা খিন্নগা লৈয়ং মৈনাক্তা ওন্না ওন্না রাইহনা কহল্লি। মহাশয় অদোমগীনা কমদোই।

ভীম্না হায় ঐখোইরোমগীনা নখোইবোমগী মথোং অসিমু মতৌনৈ। অহুবু কবিওথদা তাব চাহৌত্রগা চাক অশাও হাওভা নাই, চগা কাবা চেওচংবা পেংপা নাই চাকও মহাও রাংদি হায়হনা অন্নাম্বা তৌনদে। মনিন্দা মুনহন্দুনা চাক ওইহল্লি, অহুবু নখোইবোমগী মথোংদা থোংলগে। কম্যাশিনো থোংনবা পাত্র কন্না লানশিল্লি, ভীম লৈবং তন্না পালথহুনা অমুক্তা চেও মন তন্না

তম্না কোর্ন তম্না পৌরে খাংথরে য়াইশিল্লি। তম্না অমুক খাগত্না হরাই মুক মন ৫০ম্ম খোংলে, কন্যাশিংনা সনাগী পূখন পুখোক্তুনা লানশিল্লি। চাক্ষু করে খাংদোকই ইংবল্লি হরাই মুল্লে খাংদ্রগা মৈতাম্দা য়াইহুনা খাও শোক তৌই মুশলা মরোজ মশাং থুম মোয়োক জুৎচানা থাক্তুনা, মস লৌবনচিংবা লোইরে। চাক খিদোকলগা পূলপ লৈবুং অমগুম্না শৈরে, লৈবুঙগী মতোন্দা পুখ্রি মচা অমা শেমলগা ইহ্লা' অম লোইনা হৈজিল্লি। নিক নিক লাওনা থমলে হৈক্রক পাম্না লৈপক্ল য়াওনা বত্তি চমথৎহুনা চাকলুক্তা তুলসি মঞ্জুরী হাম্লগা শ্রীকৃষ্ণদা বুকৎলে। ভীমনা হায়রকই থুপি-মচাশা মবেম্না কৌরুরো? অহগা শাক্তি ওইগদবা মীও কৌরক্লো? ঐ চাখিরগে। কন্যাশিং চেন-খিহুনা মবেম্মদা, হক্তংলি, মুত্রানীয়াজা কন্যা থোকলকলে মীয়াম পাও তাখদা পাত্রমত্রি লোইনা লাকলহুনা য়েজদবগী শৈরে। ভীব মথুং অনিমক হামলগা আচমন তৌরে হৌগৎলগা। চাকলুক্ত খোঙলম অমা শেমহনা মাংয়োনা পুখবকলে, মতোনগী পুখ্রিহুগী লৈরাইহু কাত্তোকই। লৈখোঙদা মথুং অনিনা লৈচাও অমা ককই, ফুল চাওনা তাহনা ত্রোং-ত্রোং চেম্মরকইবা ইঙ্গাংহ্ন বুপহল্লি। জয়কৃষ্ণ য়া কাখৎলগা থোক হুল্লিল্লি, ভৎ য়োংলি গ্রং হায়খখি চাকথাওদা বুব লাওনা তাখি। মথোল্লু তাবদা ময়াম তাবক খড়ী। অম্লম্না লোইনা চাখ্রে ভীমগী চাক মচাহু উবদা তাবকশিংহু হুমাং কাঙও, লোইরবহুমক্তদা পুথমহু মথুং অনিদা তকশিন্দুনা শৎ শৎ লেক্তনা ওত্তিবা মানহল্লি। আচমন তৌথোকলে খুৎশা চিন শেংদোকলে, ভাণ্ডারিশিংনা হৈ-পানা লাক্লিল্লি, ভীম হৈ-পানা চারে। মত্রিনা চৎখিহুনা বলি নিংখোদা হক্তংলি, বলি মহারাজ থুঙওরে বলি নিংখো উবদা, ভীম্না দগুবননা খুকম্মী। বলিনা ভীমবু কৃষ্ণগী মনাই বৈষ্ণবনি খংহুনা, চিংথত্না চেংনা কোল্লি। ভীমবু য়েংহনা হায়রকই বৃকোদর ওসি ইচাগী য়াশক থুংজবে, ওসিমক ইচাসি নঙোন্দা দান কৎলগনি। বলিগী য়া তাবগা ভীমনা হায়রে, মহারাজা মচা ইবেম্মদি হোংবিত্রবত্ত য়াগনি, ঐ চাক লাময়-থুহুনা চাত্তরবনি। ঐনা ওশাই নচাইবেম্মদা নংনা থো'বা নথুংচাবা য়ানবা হায়া হোংদোক্লগা নংনা অহুম থোঙ্তুরো হায়জবদা যাথিদ্রে। হৌজিক্তি ঐ হক্তরগে নচা ইবেম্মগী য়াশক থুংহল্লু থমিনা; মত্তিকগাবা য়েংহুনা খাজবিখ্রে। ভীমগী য়া তারবদা বলি নিংখোনা হায়রকই। কৃষ্ণদাস য়ায়োগনু ইচানা জ্ঞান লৈতবী মুপী ওইবনা নগুণ থঙদবননী, নংনা দান লৎনবিগনু।

হায়নবিদৌদা ওমেখ হলুবিহু ভীমগী পাও তারহুনা কুক্তবা য়াকনী হায়না হয়াওজবহুনা লৈকাই ইনাক থুনবদগী য়াইজক্ষরগা শম ডৌরিবহু পোকহিদাক কৈহুনা মুহল্লে। চন্দোন, থাও তৈজরে, শম্বান্দোং মিংথিনা হাপত্না বেনী লোক্তরে। মনাদা গোথুম্ব চিল্লে, মণ্ডক্তা নেক্রেশ, পারিজাৎ পরেং থোজিল্লে। মথুক্তা সনা খুন্দোপ, খুজংদা সনা খুজি, পাখোমদা অনন্ত লৈজেংলে থমাম মচুগী ফনেক সেংচিল্লে। ইমক্তিনা শমজী বেনীহু হায়কেং খুৎজরগা কমাম অংতৌবা মপাশোনবা অমা শাইবহুনা মমাম্নবী অমা হোজরগা থুঙওরে। বলি য়াজাবু থুকমদৈ ভীমবু য়েংহনা হায়রকই, ইবুঙো মাইথা ইচাগী কুক্তবা য়ানবা ইমা লাকচরে, ওসি হোংদবা য়াদে হায়রক্লে। ভীম মজুধীগী

মঙৌমু উবদা চুংশিরমা থুক্রমগী; ইমা লাকপা ওাইজরমীবমি ইমাগী মাথং লৈরবসি হোংজক্তা ওসিমক পাংথোকপিনবা লাংবিমো ? ইমাগী মাথংশু কজরে।

বলিনা হায়রকই ঈবন শুমেধা কমদোনা ভীমগী মমাশিক্র দডডুরিবনো। সুমেধানা হায়রে মহারাজা ঐনা কমাগা লৈজরে; লাইরবীগা ওইবে চানিঙাই লৈজদবগা রাম্বরহনা ? ঈশ্বর থুক্রমজরগা তুমজবদা ওসি অডিং ইথেমগী মংদা কুন্তী বৈষ্ণবী লাকপীহুনা ঐগা ইতা শাম্নব ঐগী অরাবা উবদা, ইত্যানা ঐগীদি ইচা মামই ইতাগীদি অমতা লৈনদে ঐগী ইচা মাইমা ভীম থায়রে। নচা ওইস্বো হায়রগী অতগা নোংঙানবদা ভাম থুঙডব চানিঙাই চে লৈরহনা ইমা ইচা হানবদা ইচাদি চাক পুকথনা চারগা ইমৌমে হোংশৌরসি হায়হনা, ঈবমা শিক্ষরিবনী। সুমেধাগী রা তাবদা বলি নিংথো যোংমান নোকনা ইবলগী নপাদগী কৃষ্ণদাস ভীমবু কজবনী ইবেন্দ্র নপুনস চুমা ইচাগা কোনুদা লৈজবো অসুমা বল নিংশৌনা থৌজানবী। বলিরাজনা মচা মুদ্রা কন্যাবু ভীমদা বিবাহ দান কংলে। মুদ্রানী ভীমবু সেবা তো. ভাম মুদ্রানীগী জাগদা হুমিং ৪ নি পাংম। মঙানিগী লোংডারেকপদা ভীমনা মুদ্রাগী মফমদা হায়বক। পৃথ্বী ঐনা লাকপ থৌড়কমসি। য়েক্রবনা রড়দা হু হাপচিন্নুনা পিজরগা ওনা প থবিবৈদা ইংথাঙ ইখুং পুন্নগা যমুনাগী থাদরকশন্নগী নাগলক য়োকরে। নাগরাজনা মন্ত্রপা মুক্তামালা নান পিহুন। মুক্তামালা নচেমগীদ হুমিং ৩নি লৈরক্লে; নঙ্গীদা হুমিং ৩ নি অমুক পল্লে অংশামদ হমা ইয়াখা ইনাও রানরমলগনি ঐ যুম য়োরগে ঐথোঙগী মত্তুভুমিনে নংথাম্নগী পাতাল লেবাক্লে অন অনি প না য়োনবা ডমনদে ঐংথায় লাক্লে হায়বগী রারৌগম্নু ? নচা থারা ওগ চেনব। অমা কংজো। নচেম মুক্তামালাগা লম থর নকৈন, নথোম অনি শকথংনহুনা চাম্নো। নচেমসু মচা নিপা অমা কজবগন ওসিদি ঐ য়োথবগে মংনা বিদায় পিরে। মুদ্রানী ভীমগী নথো দা থুক্রমজরগা। হিক হিক লাওবা রাহৈনা হায়জরকই প্রাননাথ সতী ধর্ম ভাক্কুনা লৈজগে ননাহ লেহোই হায়বা অসিদনী কাওবিগনু। মতম চাদবা য়োংকন ওঙখিবনা ননাইনা থামজবা ওমজদরে; লেংবিবো হায়না বিদায় কংজে। হিরা মণি রত্ন কয়ামুক মংথোম মচা অমা শেনহুনা মবুংঙাদা কংলে। ভীমগী পদধুলি লৌরৈ ভীম মুদ্রানী মান বাহুনা বর পিরগা থোরক্লে। বলি রাজাগী সভা য়োরকহুনা মকু নি থৌবু থুকমহুনা বিদায় নিবক্লে বলিনা ভীমবু কোনবা ছন্দেছ কয়ামুক পিরে। ভীমসেন নংদি হস্তিনা য়োংনা লম্বী থঙডরা ? ইবু মহারাজা ঐদি লম্বী থংজদে, বাসুকী নাগরাজানা তাকপিরকহুনা মসি য়োঙবকপনি। অসিদা অমুক হডড্‌ হায়বকই, রাহৈ অসি হায়রগা ভীম নাগলক য়োরকপগী রারম পুম্নমক লোইরা তথজরে বলিরাজনা হায় বৃকোদর শ্রীকৃষ্ণগী চরণ কাওগনু কৃপাবু কাওগনু, কৃপা লাকনি। হৌজিক্কি হস্তিনা য়োংবা তরুদি লম্বী অমমবা অমা লৈ ঐনা খিনহনগে। হৌজিকমক য়োংগনি। বলিরাজানা সুনা লুপা মনি রত্ন কয়ামরুম মপোংৎ লেমবীয়গা মনাইশিংদা মাথং পিরকই পাত্রশা। ভীম অসি হৌজিক

য়েনবা খন্না থিনবিরু মতোমদা চংশদি থগুরোই। বলিরাজাগী অজ্ঞা কংলবদা কেতুবান কৌবা প্যাত্র অমনা ভীমবু মজনদা হাপলগা মাৱা মন্নগী গুৱা গুরুদী লনবাদা হারগংথিন্নুনা হস্তিনাগী কর্ত্রিকা ইন্নেংগী ত্তোর্কান্নুনা থোংনাং মথোংদা কাওরিবা গুরুদা পূৰংলকতুনা থোংনাং মথোংদা খারগা ভীমবু কিলায় তৌরকলগা লাইথিন্নুনা। খল্লিদা পাও তমজখি। মতাং অসিদা জন্মেজয়না হংলে মহামুনি? পাতাল লৈবাক্তা লৈহৌরিবা ইবেন্তো অনিহুনা করম করমবা মচা কওথাবগে অমুক্তা তাকপীয়ু। বৈশম্পায়ননা হায় নিংথৌ নংনা হঙকুম্নবদি চিংথংৌরগদবনি মাদু হাবরগে ভীমগী ঔরসনা গর্ভ ওইহৌরবী নবেন্দো অনিহু, নাগ কন্যা মুহীমালানা মচা ইবুঙগুবা অমা পোকই। মমিংনা মুহিমন্ত কৌই। দৈত্য কৈন্যা মুগ্রানীনা মচা নিপা অমা পোকই মমিংনা মুগ্রাশ্ব কৌই ভীমগী মচা অহু মশক মতৌ করৈ মতিক মগুণ য়ামনা চেন্নি। হৌজিক্কি নবুবো ভীমগী অহুক লিমাংগ ভীমনা য়েৌরকপসি ঈশিংদা থাদথিবা মুথিবগীনা ১৩নিগুবা মুথিংনি শ্রাদ্ধ থোক্লে। হস্তিনাদদি ভীমবু শিখরবনি থন্নহুনা ১২নি শুবা মুথিং অসিদা ভীমগী শোরাং শোক্লমমী।

শ্রাদ্ধগী সঙ্কীর্তনগী কিবোই খাবা মতমদা কুন্তীহু মচাগী লৈ কোয়রুরগা মচাগি মৈচান্না লৈবা ওমত্রহনা মখা পাংবা হোজংদা চেংথোক্লকতুনা। কপলগা কৌরকই। হে ভীম হে ভীম ইমানা কৌবসিদা অমুক্তা ইচানা থুমজকলবদি ইমাগি অরাবা কোকনিদকো হা ভীম হা ভীম হায়না থোজেল হাংনা কৌরকই। মমানা কৌরকপগী থোজেলবু হুংশিংনা পুরকতুনা ভীমগী মনাকোড়দা থুডজে। ভীম মমাগী থোজেল তাবদা হে ইমা মচা লাকচরে হায়না খুমহনা চেল্লকইবত্থ থুঙবগা মায়হনা মমাগী মমাংদা ইমা ঐ য়েৌরক্লে হায়হুনা পুন্নরকইবা মরোম অহু থারগা দগুবত চৈহ্ তাবগুদ থুরুমৈ। কুন্তী মচাবু উবদা মুংগাইরোথ্রহনা চেংনা কোল্লগা লাইথক্তা হন্না হন্না চুপ্পী ইচাদি নহাক মখৈ কদাইদা চংলুই। ইমা চাক চাত্রবা অহুদা ঐনা চাগবা অহুদা ডডু অত্তদা হু হাপচিন্নমতনা হুনা পংথহনা লৈরিবৈহ্নরা মরাম্না তুমথনবগী মতমদা। দুর্য্যোধনা ইথোং ঈথুং পুন্দুনা ঈশিংদা থাদবদগী তাওখহনা নাগলক শাতান য়োল্লরে। লিনশিন্নি মপাম্বগী হিংজহুনা হজরকপনি অমুম্না পভাগুা তৌরকপা থবক পুন্নমক চিংখনা ল্যোয়না গুমী। কুন্তী পাণ্ডু তাবদা মচাগী থকমদা হাবরকই ভীম য়াকম অহু কনাগুম্বগী মকমদা য়ায়রোকরু; থম্ভনা য়াথোক ওয়রকতুনা ইমা ইচায়াথোয় লৈবদা শুংগায়ন্নবোয় য়েকনা হেকংলককনি। অসি অসি ইচা লৈথিদবা ১০ নি শুমহনা কোমুংদা ইচাগী শ্রাদ্ধ কর্ম তৌবি মকীর্ত্তণ পোয়হৌরৌয়ে ক্লোয়থোনগী চাকল্লুক থান্নুনা চেংপাক কথোক হাপ্পা লোয়হনা হন্দোহ তাহৌরি। ইচাদি কোলা পাম্বনা ইচাগী শোরাংকী কোলানিকো মন্নান্না চাগদৌরিবদে থন্নবদা ইমা লৈবা তমজহনা থোয়ন্নগা নংবু কৌহুনা কপলমইবনি।

কোলাগী পাও তাবদা ভীম মমাদা সনা মণিরত্ন শিন্নয়নগা, ইমা ঐ কোলা চারুথিগে হায়জনগা মাগুবতা চেলিগ্রে। ভীমনা লাওকই ঐগী শোরাংকি কোলাদি মী অমতা চাবা য়ারোই, তাওরি ওবাশিংনা চাকলুক্তা য়েথোউরিবা চেংপাকথোকু, পুনিন্নো। লাইথুদেং অটোবদা হাপচিন্নু অহুগা

শক্তোম ঐবু হিন্দুবা পোগলবা তিথ্রেড়ো. ঐ পালাশিং অহল লমনম উবকথিথে। ভাণ্ডারিশিংদা রাক্ষ অসি মাওরকলগ, সঙ্কীর্ত্তণ মকমদা চঙখীহনা নকীর্ত্তণ ভাক্ত পুজা কৎলগা ! ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব অহল লমন খুরুমজথি। ধৃতরাষ্ট্রগী মাংদা চংওন্না পাবুংহন মহারাজা নচা ভীম লাকচবে, পাবুংহনগী চর্ম্মা নচা খুরুমজরি হায়রুনা দণ্ডবত তাকুর্না খুরুমই, ধৃতরাষ্ট্রনা ভীমবু কোয়লগা হংকই, মাইমা চটা লৌথিদবা মুমিং গুরুনা ইপানদি ইচাগী শ্রাদ্ধ কম্ম লাংই। ইচাদি নহান বথে কনাইদা চংদুই, কনাইদা লৈরুই ইপাদা লেংনা ভন্মু। নংগী নতৌসি ইপাব ওক্লে, নংনা চেংদুবা লৈরবগী; পাও লোয়না থংনিংই। ভীমনা হায়রৈ, পাবুং মহারাজা নচা ভীম শিরবে, হৌজিক মম লৈবাক্কী লাকপনি ; ধৃতরাষ্ট্রনা হায় কমদৌনা শিরুই কমদৌনা হিংদুনা হৌরকই হায়ুরু। ভীমনা হায় পাবুং ঐথোইগী কান্ন অসিগী মত্তুদো ঐবু শিজনশিংবা থরা রাওরে ; অদুদা শিরিরগা যমুনাদা তাওদুনা চংপদা সমুদ্রদা তারে। সমুদ্রদগী বৈতরনি অমুক তারে, অদুম তাওথবনা যমগী হিদেমদা কাথৎলগা যমগী সভাদা চংদুনা ধর্ম্মরাজাদা খুরুমদুনা হায়জরে। ঐবু শিদুনা চাদ থকনা ১২ নি চুপ্পা ঈশিংদা তাওদুনা লাকপগী লাম্বনা মহাক্কী যমপুরদা লৈবা উম্নোইদৌরে। চাক থোঁডত্রিডৈদা কোলা থজিক্কা পিজো হায়না নিথবু যমনা হায়। ভীম নংবু চাক থাকপা অমলোই ঐদি লাইবে চেং লৈজদে ফোলাগী মপোৎ লৈজদে, নংগীদমক মপন মহারাজানা ওসি হস্তিনাদা শরাং শোল্লে। ইচাদি কোলা পাথনি হায়দুনা কোলা মন রাম্বা লাংজে, মাদু চাকরো ঐগী যমপুরদা লৈবিদু মকুদসু নংদি মীনা হাংপদসু হু পিজবদসু শিরসু হায়না যম পিরে। ঐ অমুম লৈজরগে হায়বা মাএরুনা, পাবুংদমা লাংথিরবা কোলা অসি চাবা নংনথা চেজরক্ল-বনি। মনাই ঐগী শোরাংকি কোলা অসি নচা লোইনা কংজরগে ; ভীমগী পাওদম অসি তাবদা ধৃতরাষ্ট্র ওকাথ। ভীমদা কোলা চাকরো হায়না রাথং পিথরে, শোরাং ঈশৈ লোয়শিনখ্রে। ভীমসু ভাণ্ডারিরোমদা চংথিদুনা পূজারি ব্রাহ্মণশিংবু ভোৎহ.গা, কোলাসু লোইনা চারগা মচিন মনাওশিংগা মুংডাইনা মযুমদা হনখ্রে। ভীমগী রাডাং তাবদ া ভীমনচিংবা জ্ঞান লৈবা অহন লমনশিংনা দুর্য্যাধন, শৌকনিনা চারদুনা ভীমবু হু পিজরগা। যমুনাদা থাদথিবা ওইরমলনি। কৃপা অমদগী হিংজরবনি হায়না থরথিবনি, শৌকনি দুর্য ধন দুসাশননা, ভীমবু কিবদগী কদি ওইবরগবা হায়না থরথি। হস্তিনাগী প্রজানা ভীম হরকপদা নুংডাইনথি, পাণ্ডব মচা মমা কুন্তীনা মরদবা থবক মতুংদা তৌথিদে। অসিগুম্বা আদিপর্ব্বগী কথা অসি মীওইবনা তাজবদা মুক্তি ফংই, অমৃতগী ইচেলগুমলবা বেদব্যাসনা লেংথ্রবা পুরাণগী রারীবু ; ব্যাসবু খুরুমজদুনা মৈতৈ ইমালোন্দা সাহিত্য সেবা পামজবগীদমক ইথথনি, অশোয়বা কম্না তাকপিগনি ইতি। শ্রী৶ওমর সিংহনা খুরুমজে। হরিবোল হরিবোল হরিবোল।

অধ্যায় ঃ—

ভীমনা শোকনি লান্নবা অমসুং মহাদেবনা নোংমা নংবা— ৱারী মতাং।

মৈনিষা কোষা বন্দা পুরাণ তারিবা শৌনকমচিংবা ব্রাহ্মণ মরামনা হংজকই ? হে-উগ্রশ্রবা সৌতি চপা মঙাগী ৱারী অসি তাবদা য়ুংঙাই, মথাদা ভীমনা করি তৌরকইবগে নীরো। সৌতিনা হায়রে তাবিয়ু ব্রহ্ম সভা মহাভারত লিরিবা বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়, তারো রাজা জন্মেজয়। মুমিং অহুগী অহিং লেন্দুনা নোং ঙাল্লবদা ভীম অহু ওহা হোৌগংতুনা হকচাং শেংদোক্লগা, গদা পায়দুনা থোক্লকপনা হৈ থিগদবগী বন্দা লাকই, অহানবদা হৈগ্রি য়াম্না পাল্লবা পাষী অমা থেংনরে। ভীমনা থল্লি ওসিদি য়ামা শৌকনি লান্নবগে থজনুনা হৈগ্রী পাষীত পায়রগা নিকপদা লোইনা কেল্লে। লোইনা থোমলগা পৈথদা মন ঙরামুক ওইগনি, ভীমনা মহাদেববু নিংশিংই, হে—পতালগী ভৈরব প্রভু, নমাইনা থবক তৌজরংগ প্রসিদ্ধ ওইতনবিয়ু। মহাদেবগু অমুবী দুর্গানা গঙ্গা সেমদুনা লানশিনবা মতম থোকই। ভীমনা হৈগ্রী য়োংপা হৌরক্লে। মহাদেব গঙ্গা চিংবা নংত্রহ্মাহার দেবী অথুবা থবক অমা লাক্লে। থকপ য়ারোইদোয়ে তিকি লোথোকলগা থম্মু হায়রমলগা সদাসিবা কথা য়াত্রহন' য়াম্না থুনা হস্তিনাদা আবির্ভূত ওইরকই। ভীমনা য়োংলিবা হৈগ্রীদু উহন্দনা পুথোকখিদুনা কোন্নংলোমদা চন্নি শোকনিগী পর্বদা থোক থোক হৈজিনলুই। শোকনি মযুক কংথৎপা লেংবা হৌখ্রে ইমাকশা মামমযু মওং অমা তৌরে কম থাও, মৈ হৌগংলু মাইবা কোরু। শোকনি পূক কংথংলদুনা লেংবনা থাঙবা ঙমদরে হায়রগা ছ্যাং কাংদুনা থরো থরো ওল্লে। মংতৌদু উবদা দুর্যোধন কম থাদুনা, শোকনি থাংজিল্লুনা হিপহল্লে। দুশাসন থিল্লে, মাইবা হায়রকই দুশাসন মাইবা লোইশংদা চেলহুনা, মাইবা কোরই। মাইবা কৌরভুনা থুম থাও লোইহনবগা, হিদাক পিথকপগা, শোনবগা, কাষগা, হোৎনবদা ভীমনদি অহুম য়োংলিক্লক, শিবনদি অন্নম হৌজিললক, শোকনিগী মথুক্কু জর জর কংথথলি। শোকনিগী লাইনা অসি নেমহনবা ওথত্রহুবা। নিংথৌ মনারাণী অহন লমন পুয়ক থমদুনা লোইশংগী মাইবা মাইবীনা ওবক্কুর্বদা, থুলাকি থটৈ অশিং কাওবা থিহুনা কৌমরে। (অর্চ্চা পুজা) থৌ তৌবা চবাম থাবা (যজ্ঞ হোম) মৈদা ইরাংপা কথা হোংশবকসু যাদ্রে। ভীম হৈগ্রী য়োংপা লোকহল্লা, মরবাইগী হৈ পংথাই থিহুনা অমুক চার্দে। থমুনাগী থোংবান্দ অমুক থুগুরে, ভীমনা হে—প্রভু হৈগ্রী অমুক থাদোকপিগ্নো, ঙাশিং অমুক হৈথে থাজিনলসি।

মহাদেবে শোকনিগী পর্বদা চংখিদুনা অমুক ইথোক্লকপনি, তাঙ্গা অহুনা শোকনি লেংবদগী, য়েকপা অমা হাপকংলক্লে। দুর্যোধন মামাবু য়েকপনসু থীংবা ওবক্লে মমুংঅচৌবা চংনিংলে, লেপ্তবসু ওবক্লে কমদোনি মামা নোম লৈজে অহুম হেক্তা। দুসাশন মাইথল মাইথৰ্দ মীথাম মপান্দা থৌমাংঙৌই।

শৌকনি শিনিংবিং খুমখুমকখুমি, দুর্যোধনা শৌকনিবু কোয়ী, দুসাশনা পাত্র পুশিল্লি শিথনা হৈত্রি তকথোক্লকপদু, কল কল হন্দোকলগে লোইখবা শৌকনি তপতাখ্রে, দুসাশনা হৈত্রিনি হৈত্রিনি লাওই, মরাম চেনশিন্নুনো হেক্লৈ, অদুগা মন ১০ খুদে, থাওদা হাপ্পিন্দুনা থমী মীয়াম তঙ্গদে। অসোথদা ভীম যমুনাদা কুমথদুনা ঈশিংদু মজিল্লা গর্গ চিঙডী, মহাদেবনা ইথে পুথিদুনা শৌকনিগী গর্তদা থাদিল্লি, শৌকনি জয় জয় কংখংলি হয়াং কাংডী হয়াই হয়াই চন্দোন চন্দোন মী পুরমক? পোথাননা হোংলৈ। ভীম অমুক কাখংলকই লৈরাইথকা নামকা, লেপতম অথা ঈশিং চাওবদা তাওথরকপগী পন্দুনা লৈরমী। খুংনা লৌখংতুনা পাইরে মহাদেববু নিংশিংঙি, ঈশিং অমুক থাদোক-পীগো লেপতম অসি অমুক থম্বীদ, শিব শৌকনিগী গর্ভগী ঈশিংদু অমুক ইরম কাংথরকই? শৌকনি অমুক য়েক্লে। হন্দক্লা মওং অমনি খুদেং ২ জয় জয় হাথবগে খুদেংগী কয়োকতুনা তেকচাওদা হৈজিনবদু, তেকচাও ১০ থক থল্লে। ঈশিং পুথোকপা লোইরদুনা ভীমগী নাক্লা অমুক চেনখ্রে ভীমা জয় শিব'লেপগুমদু ময়াদা থোক হুজিল্লি, শম্ভুনা তাপ ওল্লগা পুথিদুনা, শৌকনিগী গর্তদা থাদরে। শৌকনি অমুক হয়া, মবুক কংখংতুনা লেংথ্র, ময়াম্মা হয়াই হয়ূগা, মরাইদা ঈশিং হৈবগা, চন্দোন চাইবগা, শোনবগা, কাথগা, হোংলৈ। ভীমদু হুমিং যুত্তগদুনা মযুমদা হজিনকই, যুধিষ্ঠিরগা মনাও শিজা শৌকনি অনাবা কলিন্ডে পাণ্ডবদগী চেলথংখিদুনা, অমাবা সেবা থাওদুনা লৈংখ্রে। কুন্তীনু চাক লোইরগা মচাশিঙ তাইদুনা লৈরি, ভীম খুঙগে কুন্তীনা হায় ভীম মরবু শৌকনিগী অনাবা চংদুরব্রা? ঐদি থন্দা হৈথিবা চংলুই ঈমা মামা লাই থায়বা থংজল্লি, মামাবু কবি লাইনাদা লাই থারবগে। বৃকোদর হৌজিক কাওবা লাইথাই তাক্রিদাব্লে,, হুমিং মুংবা মতুংদা অনাবা হত্রবদি, লাক্লবা মাথগোই হায়মদি মাগে মংও নক্কাম্না খুত্তাইখিগোই চাক চারগা ওহোক য়োক্ল, ভীমনা হায়রে ইমা মামাবু থোংহাথদা হৈত্রিকা য়াও লাকই হায়বা তাবিব্রা? মাইমা ইপাদুবু থবা থাওবদা নত্তনা; হৈত্রী অসংবা মন তরাযুক হাপী হায়নৈ, ভীমনা এঃ ইমা মামা শিরোই। লাইরাসি খুনা য়োৎরকপা পাতালদা থেংনজরগে; ঐ লাইদু অজবকই মামা কবি, মুংশা'খিবিকপদু। অদুদি ভীম চাক চারম্মু ইমা অযুক্তা য়োলখিগে, ভীম চাক চাহৌই কুন্তী চংখিদুনা পক্কারা খুদমী। ইদে ইবেম্মা ইপাবু কমদৌরিবগে চংবা মায়োইদবা? এঃ কুন্তী ঈমাওদি চণ্ড্রম পুগী মদা চংবা কয়া খুত্তাইখবনি। ইচেমদি লাইবক থিদা ইপা ১০০ লৈবদু ১১৩ মীথি চারবা শিথরে, অভিমন্যু শিংহৌবসি ওগোকপা লাইদাদা শিগলৌবি। কুন্তীনা হায়রে পাটৈবরী, ভীমদু মায়োইবকপী মথোকচৈবা হজিন্না হজিনহৌরি, অনাবগী পাও তাবদা থানা মক্ক চংদুবা থোংকমবা লাইনাম্নি থেংনরদুনা ত্থমজলকমাগে, শিরোই হায়রি। য়াদু তাবদা পক্কাথীনা এ অহদি ইচা মাইমা কৌক, ভীমবু য়েংহনগা ইপা কবা ওইরবি। রাণীগী য়া তাবদা য়াজাপাত্র অথা চংখি; কুন্তীগী পুজারী খুদমী ননাও হজরগে, ইরেবা হন্না ভীম থর পুনা থারকউ। কুন্তীগী য়মদা হন্নগে ভীম কৌবা মিপাইদু খুত্তদে, ভীম চাক থোকুদনা পোথাবগী ভীমবু লাকইবা অওবা মিপাইদুনা রাণীগী য়াথং পাউনা কৌরগে। ভীমনা হায়

য়ৌবিরম্মো ইপু ইমাবোক মহারাণীদা ভবীরশু, মামা শোঃদনা কপনি হৌজিকমক হুংনা কম্রি মামাদা কয়া পাঙ্গোই হুমিদাংহাইবম লাকচগে। কমনাইবা হৎখিছুকী মিংথৌ মহারানীগী পাও হৎখি, অসামদা ভীমবু ৎাইহনা লৈনরে। পাতালগী মপু ভৈরব মহাদেবক্ত দেবীগা দুক হৌবা লোইকগা, দুক হাখিবা য়াৱনি হঙ্গংলুবদা ? মহাদেহনা হায় দেবী ওসিদি ভীমগা এগা থবক লোইখম্রি। কৗক লৈতনা কোক তুবা ওমগোই ঐ চাকচাবা য়াজি, দুর্গানা হায়বৈ কম্রি থবক ভৌবিম্রিবা প্রভু ? পুবে ওসি অসি ভীমগী থবক শুবি। মনাক্তা নংনবা চেন্দুনা মাল অমৃক হোনলুই, শৌকনিগী মবুকা অমুক থম অমুকসু মপান্দা পুংথোক, হোংকোক হোঙ্জিমগা পুংথোক পুজিনগা ঐবু তপ তারে। শোকনিগু মাইবা ময়ৈখনা য়াবংয়াঙ্গ মপান থৌয়াং লোয়রো হায়নবে শৌকনিগী অমাং অশোয় ঈশম শয়রেদা দুর্গা। ভাৎনা পুং কয়াদা থাগদৌবিবা হাজিয়াংন। থংদে, দুর্গানা হায়নকই, প্রভুগীসি অমৃত লৌংথাকউবগী দেংশতি খুনা পাল্লেদনা। হোঙ্গ দবী চেং পুবা ৩ শিং হায়বহ্ তাংব॥ অসামদা ভীমহ্ মমা থুক্মলগা চংখ্রে লম্বা ময়াদা না প চাবা লাৎ, মুং অমা খিন্দুনা লৈরম্বী ভীমন পাইখংলে, হেংপ্রভু ওসাংগী লেপতনহ্ লোংথাকপিখ্রো। মুংচুম অসি অমুক থম্বীকায়রো হায়রকই, মহাদেব চেললকই শোকনীগী মবুক্তগী লেপত্তমহ্ অমুক ইম্বংকলে, শৌকনি য়েকপনা খাঙবা ডমগ্নঠনা দুর্যাধন মাখা য়েকপা হৌরকলে, ডশাইপা হন্দক্তা মায়দে মামা যাবয়োই। মামা ডহাক্তা থাংবিয়ু থোকলকলগনি অদুগা পোম্বারগনি হায়রিংউদা, মহাদবনা ইম্রকপদ মনিং ওপলপ তৌবনা মাং থাদুনা থোকলকপদা মমাই কলপ তৌবনা খোঙজিন্দা পন্দুনা লৈরে। দুসাশননা এ থোক্লক্লে লেপত্তম্রি ময়াঙ্গ অচেংবদা পন্দুনা লৈবে, দুর্যাধন্না হায় থৌরি হকলগ থুনা চিংখাকউ। দুশাসননা থৌবি হকংলে মনাওশিংনা শোকনিগী হকচাং পায়বগা মনিং মমাং চিংনবে, লেপ্তুম লোংথোকপগী নৈনবদা শৌকনি মপা চোকখ্রে। অসামদা ভীমনা মুংচুম অচ য়া কাংথোকলগা হন্জিল্লকপদা। মহাদেবনা থৌরিদগী ওক্তুনা পুথ্রগা শৌকনিগী মবুক্তা থমখরে।

অমুক মবুক, থনগংখরে হন্দক্তি মুংনিনা লুম্বনা শৌকনি লেং হায়বা ওমদরে, শোর শদৌ থোংলে মাইবাশিংনা হন্দক্তি মলোইরান, শঙ পালখংলো হায়বকলে। ভীম থব চংলগা শায়ু থুরৌগী য়োংহ্জিঙ ঐমা তারম্মা, মাহ্ অমুক লোখংলে জয় শিব অমুক য়োম্বলে, শঙ্করনা পুথিহুনা মুংছুমচ ইম্বরকলগা, য়োংহ্জিঙচ হাপচিনবিংর। মুংদু থোবকপদগীদি পোথাকম থংদবে য়োংহ্জিঙনা অমুক লৈরবনিনা মপালগী থৌবাং লোইনরে। কপনবগা লাওনবগা থোম্বুং মরুদ্ পুৎনিন নিঙ্গ্রে, তাজা অদুদা ভীম থুওরবে ভীম লাকলবদা দুর্যাধনা। ইবুঙো মাইমা মামা অনাবা লোইরে মায়মোই দমাদু মামবু কনবা য়াগদবা কম্রি উপায় লৈরিবগে অমুক্তা য়েংবিয়ু ? দাদা ইবুঙো মামা শোইরোজ অমুক্তা কয়া লাওবা থাথীথো, ঐ মামাবু কনগনি। দুসাশন মাইবগী কিদা দুসাসনা মাইবগী কিদা থোমখরে,' ভীমনা হায়রকই মাইবা ওবাশিংবু ঐ অমুক্তা য়েংজগে ঈবুঙো মাইমা য়েংবিয়ু ঐথোইদি খুৎ থারবমি। ভীম চংহনা য়ে ই মাইবা থৈখরবোইরে হায়না কিহ্নগেখপুনা তাপ তাপ পাইদুনা শৌকনিগী

মশা অহু মকম থুদিংগী মেৎতুননা, যেংলগা খোরক্লনা করে, ভীমগী না ভাগবতগী মীয়াম পুরমক তুমিন্না লৈনৈ। ভীম্না হায়রকই ওয়াশিং মামাগী অমাবশিবু কনি লাইমাবি হায়না লেপ্পবিরিবমো? মাইবা অহনশিংনা হায় ইবুঙেো য়াইমা লাইনাসি ঐখোই লেপ্পা ঙম্রে। মিহুনগী মরোল্দি মাইবগী হোৎনগদবা মতম লৈত্রবনা খুৎথাবরবনি। ইবুঙেো মাইমগী বাদা ভাইড্রনা লৈনরিবনি, মশেল ইবুঙেোগী সুঙভাইনবা লাইবিক ভাবা য়ারগনি। গঙ্গাবানা হায়রকই য়াইমা ইচাগী থুত্তবু কমদৌরিবগে? অস্ত্রা মামাগী লাইনাসি অনোথা লাইনানি; ওয়াশিংনা ভাব ভাবা ঙম্নত্রবনি; মামাগী হকচাংসি থবদি চোকথরে। অহুবু মামাদি উতুপ্পা থারবসু শিংবাই, ব্রহ্ম লেংজি লাকপা লাকপা মান্দু পুথোকপা হৈজহনা হকচাং নৈথেকথিবদগী পুমথিং থিত্তুনা চোকথথিবনি। হৌজিক মামাগী পূজা লৈরিবসি শামু থুরো য়োংহ্লিংনি, ঐ লৌথোকে মামাগী লাইনা অসি ঐনা হন্দক চচ্চরুবদা খেনেরকই, অসোমদা দুর্মতি ভোগ কৌই। ঐখোইরোমদনা জদল লাইরৈ হায়বহুনি। হৈগ্রিনা অহান্নবদা লাকইনি, মথংদা ঈশিং, অহুদগী লেপকুম, মথংদা কুংহুম, হন্দক্তা শামুথুবো লাক্লবনি; ঐ শোলগে থোক্লকনি। রাসি হায়রগা শৌকনিগী লরাইদা হায় মামাগী পুক্ত লৈরিবা শামু থুব্বী বং। ভীমগী য়াথংনি হৌজিকমক মপান্দা থোকথরো। রাসি হায়রগা লোয়া ভুক্তনাথ লোথোকপিখ্রো হায়রগা কাম্মী, মহাদেবনা য়োংহ্লিং মচিন পাইহুনা খাগী থোং লোমদা চিংহনা থোকখ্রে। দুশাসন্না থোক্লক্লে মান্নি শামু থুরোগী শৃঙ্খলানি, ভীমনা দুশাসন শোকউর লোইখিশন্ন, শিবনা লোইনা চিংথোকপিরগা শৃং শৃং থাদবিবে। মীয়াম পুম্নমক ভীমবু লাইনি লাইমি হায়নৈ, দুর্য্যাধননা ইবুঙেো য়াইমা করবা পূজা কৎলগা মামা কগদগে হায়রু? ভীম্না দাদা ইবুঙেো হৈরুক অমা পানা অমা বত্তি অমা লৈ তুলসী পত্র থম্না, কোলমোল ভেকচাও অহুমলোম লাভঙগা। বাহির উত্থান মপালগী বন্দা কুকম্নুনা লাই তাইনকরগ কোকনি।

দুর্য্যাধন থুদক অহুদ মংশাং লাংবা শোইহুনা, মনাও ভবাগা ভীমদা শিন্নরে; ভীম মনাও শিজা লোইননা বন্দা থোকাথ। শিববু নিংশিঙতী প্রভু ওসিগী অস্থম লোইরসি, স্নান তৌরগা লেংবিরকউ কোলা অসি কংবিরো। মহাদেবা অসোমদা দুর্গা ঈশিং অশাবা পুরক্লো, থবক থারক্ল লুক্ষবা য়ারনি, দুর্গাবা থোগম্নুনা সদাসিব কোকস্নু তুমহুনা স্নান ক্রিয়া লাংথরে। ভীমগী মাক্তা অমুক থুঙডরে, ভীম মকম অহুদা য়াই থবা ভৈথোকহল্লে, হৈরুক পানা থারে কোপা তোংপা লোইরে, পত্র থাদরে বর্তি চমথংলে শ্রীকৃষ্ণদা কৎলে। ইনাওশা ফিথল্লো নমাই ওখোকউ মমিং চেংমা উইশিন্নু লাইমা কোলা চাবা তাও; উইহেদ য়েংঙ্গবদি নখোইদা ভেকশিল হত্তিলগনি। মনাওশিং ফিথল্লে নমাই ওখোকুনা মমিং উইহ্লিনি, ভীমনা হায়লরকই হে — দেব দেব নমাই মামা কহলবিরো হায়না থুক্লমী। মহাদেব মাংদা লেপ্পরে হায় ভীম, প্রভু থুক্লমী, মাসিগুম্না থবকসি মতুংদা অমুকন্না তৌরম্নসি; ওসি ঐ ত্রুমাং কাঙতে নজি মামান্নু কহলরসু, ঐদি ওসিগী চবা হেন্নবদি কোলা অসি ঐ কংখ্রবে। প্রভু ঐনা কৃষ্ণদা কৎচবদা মনমদমক লোবিথি ঐবু ফংহনো থমীরগী;

প্রভুন্ন মনম লৌরগা পেনবিরো, প্রসাদ অসি ঐ বংজগে। মহাদেব পেল্লহনা কৃষ্ণদাস নংবো কংপা নির্দৈলা লৈপত্রলি ঐ লৌগ্রগে; কোলানা নং কংজহোরো। মাগী হায়রগা লৈপত্র লৌহনা মমম লৌরগা জটাদা থেংথ্রে; মহাদেব অন্তর্ধান ওইখি। ভীম কোলা চাবা লোইথ্রে, ভীমনা কোলা চিংথংপগী মথোল তাবদা এ — লাইনা কোলা চারে। হাওরমাক্রে দাদা মাইমনা য়োংপগী পুক তক তক থোংলে; ভীম খুংনা চিন শেংদোকুনা খুবাক অহুমক খুরগা ইমাওশা ফি লৌথোক্লো লাই চাবা লোইহনা চংথে। মনাওশিং ফি লৌথোকুনা য়েংবনু মরু অমা কাওবা পকহক্রমদে; দাদা মাইমা কোলাসি সিং নাম্না চাথে; মামাগী অনাবা শেঙ্গপদবোইনা?

ইমাওশা লাইমা হাকথেংননা লৌরবনি, অনাবা করগনি, দাদা মায়মা কোলাদি মরেক শেংব্রা? ইনাওশা লাইনা চাবনু ঐতোল্না মরেক মংইবা? করিগীনো। দাদা মায়মগী গুণা লৈমনবহুলা কোলা চাবা লাই ওইনবোই নিংজকবিবা অসুম্না মমাওশিংগা প্রহেম্নি তৌনবগা হজিন্নকই। মহাদেবনু নিংশিঙ্গগা মাম্না জ্ঞান তারো, ভীমগী মাথংনি থৌজিকমক কল্লো হৌগংলো, হায়না লৱাইদা কায়কই। শিবগী কৃপান' শৌকনি জ্ঞান লাকুনা কৃষ্ণ কৃষ্ণ ঐ জ্ঞান মাংলুরমাক্রে হায়বগা হৌগংহুনা কমলে। দুর্য্যাধন মামাগী পুক অসি থবং তংথরে, চাক চথোম অনি-মরিদা থোংখিগে। অহুগা কোম্না মারী শানসি দুর্য্যাধনবা চাক পুশিল্লি, মাম্না ইম্মুম্না? শৌকনিনা ইথুংডো মামা খুংনা চাবা হয়নি, শৌকনি চাক চারগা থম্ব কওরে। শৌকনিন' হায় দুর্য্যাধন ভীমগী দক্ষিনা, দুর্য্যাধন্না দক্ষিনা কংলি শৌকনিনা ইথুংডো মায়মা মামানু নংনা পোকপি রবনি দক্ষিনাসিনদি মত্তিক চাদে, মু'ঙাইমিন্নসি তৌবনি মাথোগন্নু, ভীমনা মাম্না ঐ দক্ষিনা লৌজরোই হৈ পানা খন্না লৌরগা চারে। নিংথৌ মহারাণী অহন লমন খুকুম্নগা চংথ্রে। হস্তিনাগী মীয়াম পুন্নমক ভীমনু লাইওম্না নিংনখি শ্রীব্যাসনা লেংখ্রবা মহাভারত অসিনু তাজবদা মীওইবমা অরান পদবীনু কংই, মাসিনু ব্যাস বাক্যনি ইতি।

হরিবোল হরিবোল হরিবোল।

মতাং অসিদা শ্রী৺ভাসেম্নম ওমর সিংহ মায়ীলিব। পণ্ডিতনা ইবীরম্না শরুক লোইজরে।

অধ্যায়:—

গন্ধারী রাণীনা হামেং ওনবগী মারী অমসুং ভীমু পুন্সিগী—

শাপ তৌরোই বাশকপা মতাং।

অধ্যায় অসিদগী শ্রী৺লাংবোম্লাকপম মনি সিংহ বাতিব ভূষন পণ্ডিতকি ইবীরম্না মারী শৈমেং হৌজরে।

সৌতিনা হায়ৈ তাকিনু ব্রহ্মসভা; মহাভারত লিরিবা বৈশম্পায়ননা হায় নিংথৌ লোংবা নবুথো ভীম অসি অহুব ভত্তা পদা অমা পায়রগা কোল্লুংলোমদা লাকই। দুর্য্যাধন মচিন মমাও চামগা

শৌকনিগা মমুং কাংজৈবুদো থোক্‌খুনা মুংশা মাইহৌনা শারগদবগী লৈরম্মী। ভীম চঙ্ঙখুনা শৌকনিবু থুকম্মী, ভীমবু উবদা দুর্য্যোধননা কোয়রকই ইবুঙো মাইমা ইনাও লাকপসি হুঙ্ঙাইরেদা; শারবসি ইনাও মাওরগা মুংঙাই। ঙসিদি মামাগী মাওয়ে, করম্বা মশাগদা শারসিংগে হায়রম্‌। দুর্য্যোধনগী মা ভারতদা ভীম্না মাথল তোয়রকই; মামা শৌকনি অসি ঐবু কিবরা কিজ্রীবরা খেজে। করম্না চাং য়েংশিংগে থন্দুনা কোইনা য়েঙ্ঙ্‌বদা ধৃতরাষ্ট্রগী থুক্মমন মনবা অরাংবীদু চেকপন মখোংদা কুন্দুনা লৈরম্মী অদু উবদা মাসিদগী হৌরগে থল্লহৌনা ভীমনা হায়বকই। দাদা ইবুঙো ইনাওশা চেকপল মখোংদা কৈ চাওরবা অমা কুন্দুনা লৈরে; ঙসাইমখৈ ময়াম উবত্রিত্রা? ওম্বোক্লা চাওরেদা নাসি মী শোক্লরনি। দুর্য্যোধননা কদাইদা মাইমা ভীমনা দাদাবু তোক্লজি মথাথংবা চেকপল মখাংদা কুয়ে, ঐখোইগী যোগেশ্বর মহাদেব থুকম্বা লাকপদগী নো ঙানবনা হানখ্রহৌনা লৈরমাল্লে। ইনাওশা নখোইমু য়েঙ্ঙ্‌ দুর্য্যোধননা মাইমা আসাদ পাবু মহারাজগী কুকশমন মনবাশনি কৈ নত্তে, ভীমনা কৈনি চাওরেদ চাম্মনা মনবানি য়েংবৈ। চাম্মগা ভীমগা কৈনি মণনী মণনি কেনি চিন্দায়হৌনা থংলরকই; শৌকনিদি ভীম অসি মী য়েননিংঙখুনা চক্র হৌবরুবনি। মাসিগা মায়করিবা ইমাক চাম্মসি পণ্ডিতদা চৈ চারশি থঙহৌনা কবদগী লাম্না হন্দোকখুনা হুমিন ক্ষমহৌনা লৈরে। ভীমনা চাম্মদা হায়রকই ঙাইখো নখোইনা ময়ামনি, ঐগীনা ইতে মদনি হায়হৌনা য়েংলাস ঐ চিন্দায়বা ভন্নী, ভাসিনীসি মামাদা রাকৎলগা বিচার তৌহল্লসি। মামানা মণনি হায়রবা নখোইনা ঐঙোন্দা গদানা নময়াংদা অমুক অমুক মীশংখুনবা চামরক খৈবা। মামানা কৈনি হায়রব, ঐনা নখোইগী নময়াংদা গদানা অমুক অমুক খৈবা। মণ ওইসনু কৈ ওইসনু মামানা হায়রবকপহৌনা অচুম্বা ওইমহৌনা য়েনরসি কমদোই। দুর্য্যোধনদু থল্লি ঙসিদি ভীম চৈ চাও হায়বা হুমিং ঙরমাল্লেদো নিংহৌনা হায়। করে মাইমা মামানা অসিবু কৈনি হায়রদি, হে — সত্তা এখোহ চাম্মবু য়েয়ু চৈ খাঙনি। ভীমনা ভাপো মাসিবু মামানা মণনি হায়রবা। সত্যনা সাক্ষি ঐ চৈনা খাংহৌনা কমগনি য়েজো; মা অসি লেপ্লহৌনা শৌকনিগী নাক্কা চংনরক্লে। শৌকনিদু হরি হরি ঙসিগীস দবা অপাইবানি কমি ওইরগবা থল্লি, দুর্য্যোধননা মামা চেকপম মখোঙদা কুল্লিবা মণবা অসিবু ভীমনা কেনি হায়থি; কৈরা মণলা অমুক্তা হায়বীদু। ভীমনা অমুক হায় মামা কুল্লিবা কৈ অসিবু মখোই মমায়া মণবীনি হায়জিল্লে। অদুগী রাকৎচরি। অমগীসু অমগীসু মাই য়েংবিদনা ধর্ম্ম বিচার তৌবিহৌন' অমুক্তা চুম্না হায়বিয়ু হায়রগা শৌকনিরোমদা ওনশিন্দুনা গদাহ শিং শিং নান্দুনা লেরে। শৌকনিনা হায় ইমাকশা মামা অমুক্তা য়েঙবীগে; মামানা য়েংলগা থজনি হায়রগা হৌপত্তুনা য়েংসিন্নরে। শৌকনিনা থল্লি অচুম্বা ন্যায়ম্ব ভীমনা চৈ চাবা; অরানবা হায়রে চাম্মনা চৈ চাবা, চাম্মদি চৈ অমুক্তনি, ভীমদি চৈ চাম্মনি অদুগী মায়িদি ঐঙোন্দা খৈরনি। ঐ মপাল থোকপা মায়োই মানা লুমহৌনা লৈরমগনি? ইমাক চাম্মদি চৈ অমুক্তনিনা কাওথিবা মাই। অহনদি ঐগী য়েংহৌদবা মাজ্রে মানা নাল্লিবা গদাসি লেত্তো তোকথিয়োই ঐঙোন্দা থংহল্লিবনি। মাথজি তোয়গা শৌকনিনা হায় ইমাকশা চেকপল মখোংদা

কুন্নিবা অমিরা? এ—চাওবেদা মামি চাওরাং লাডিঙ কৈজাওন্নি কৈনি কৈনি। ভীমনা দাদাবু ইনাওশা ঐনা চুম্বনিনা, নখোয় পরেং নাইনা হংম্মা, মথং মথ' ঐনব'। নিংথৌ চাখী হায়নখিবনা অরেপ্পনি চামত মথরাই মুডোইতনা। পরেং কাউদনা কমলে। ভীমনা দাদা ইবুংগো বাবৌবিমুংকা ঐস্নু থংনা থংনা হায়জিন্নবনি, মামানা কয়া পেম লৈবমগ্রথাংপ্রদো, হায়রগা দুর্যোধনদগী হৌত্তনা গদানা তম তম তম ১০০ চু ঐরে। ডসিদি চাক চংউনি হায়বমলগা নেংবান্দা গদা চায়গৎলগা চংথি, ভীমত্ত চংথরবদা মচিন মনাও ১০০ চু স্বব খিংডখত হম্বাব। দুর্যোধন শাওমনখিবদগী মমিত্তা ঈ কাহ্লনা মামা অচুম্বা মণবু মমি হাযরগা ঐখায়ন্দা ঐনগদবা ভীম হুবু কৈমি হাইত্রিন্দুনা ঐথোয়বু ঐহনবদি মামা মাংশইনবা? এ—এ ইবুংঙোগন অমুক্তা তপগথে মামা য়াহাযংণ। মাদি ঐনগে হায়ংনা নিডাই হৌরকপংন, নখোইনা পংকনা যেংনকবনি, মানা ঐংডান্দা ওনশিন্দুনং. গদা নাম্নিবত্তগী অর্থদি, মামানা ঐবু যৈংগ্লনদি ২১ চামত পুল্লপ মামাদা শিংব ঙসিনি ডসি অত্তম চংথিনি ঐয়েংদি ঐ ঈরুজবা চংপা য়ায়োই লুম্মগনি। চৈ চামত্তু শি ওয়বদা নাংবু চিংখিগন্না? নথোযদা ঐবদি অমুকনি, শিবদি য়ায়োত অত্তনা তৌবনি, মামাবু বায়োগন্ন। দুয ধননা করে পেন্নো মাম' হাযরগা কোম্মুংদা চংখিহ্না গন্ধারীদা পাও তম্মুরে, গন্ধারীনা শোকনিবু কৌশন্দুনা হংই। শোকনিনা লোইনা তম্মী, গন্ধারীনা থন্নি, হে—ভাম ন ম্নব দুর্যোধন, দুসাশনগ ঐনদে ঐফ, কবিম্নু থংচত্রিবা অগাংশিং অসিমু অমুক থিনা চৈফম নাগনা, ওগদবা হাযজিল্লগা' ঐবফি তাকমল্লি। গন্ধারী ঐবু খংক্কো ফাওবা উসিত্তমায়ে, অাংগং থংহনদ্রবদি মতু দা উংসংলবোই খংদুনা গন্ধারী চৈও অম পায়বগা। ভীমবু ঐরগে নিংহ্না শাওনা চেনখ্রে গন্ধারীনা য়োরকপদা ভীম চাক চাব। হৌগলকপদা ডাইং, হায় হায় ভীম লৈরম্মু লংঙসি থংগনি, হায়হ্ননা গন্ধারী চেনশিলকপত্ত উবদা! চাথুম্মাংদা ঐরববদি চোপ্পরনি। ঈনদ্মানসি মচাশিং ঐয়কবগী শাওহ্ননা লাক্লবনি, চাকসি থনম্মু দুডাইত্রে পুহ্ননা চেল্লগে থন্দুনা চাক্তা ইঙ্গাং হৈজিল্লগা। পুখমত্ত কোন্দুনা মমিংথোডলোমদা ঐ ১২ংন, হায়বমলগা চেনখ্রে। গন্ধারীম্নু অহুম তায়খ্রে, কুস্নায় য়াফম অত্র হংবা নংহৌদে, অগম ভাবতাংদনা লৈনংবাই ভীমত্ত চাক অমুক হেকচাই, গন্ধারীনা নকশিল্লগা অমুক পাইহ্ননা চেল্লি, লংনবগুম থোক্রে। গন্ধারীত্ত মৈ অচাকপদা ঘা হৈজিনবগুম। হেন্না শাওবহ্ননা নংদদি ঙসি ঐয়ত্রিম্মংখ হল্লিনথবোই হায়হ্ননা তায়রকই। ভীম যমুনা য়োরকপদা চাকচাবা লোইবহ্ননা, মচিন থুং মশা লেংদোক্লগা হায়রকই, ঈমদ্মান ঐদি থন্দা হৈ চাব চংলনি, হনগৌয়োদা তায়বস্নু কংলোইদা. য়ানবনি কায়রোই। ভীম যমুনাগী থোং লান্থুনা বমলোমদা চেনথরে, সত্তী শাওবনা পন্দোন লোমখিহ্ননা খ্নাংজেং কয়া লাকশিল্লগা বনংলামদা প্রপ প্রপ তায়থক্লে। মরিংথেন থাবা সতীনিন। হনবা লৈতবত্ত উবদা ভীম অহ গুংশা খিবংক্ল, হরি হরি কন্মো ঈনদ্মানসী গয়োদোয়ে; মাসিনা বায়ক্লবা কান্দা শাপ চৈরক্লবদি ঐ উং ওইবা তাবে। ভীম হুংশা খিমনথয়েনা শ্রীকৃষ্ণবু (স্মরন) নিং-শিংলকই, "জগতির গাত অনাথর নাথ হাকৃষ্ণ" নমাই ভীমবু ঙসি ঈনদ্মানগী অশাওবা মৈদগী অমুক্তা কনবিযু অম্না চেল্লকপা ভীম অহ ইন্দংগয়ীগী চাথোং নোবক্লে, তৌবিবা মতৌ অসিবু মুর

ঋষি মায়দনা উবহনা, ভীষবু উপায় তৌবিরগে খল্লি। গন্ধারী অসি থরা হাকমল্লি, খিহল্লগেদো থল-লকলহনা সিদ্ধিনা মিকুপ অমদা ভীমগী মনাক্তা থুডহরে। ঋষিনা হায়রকই, বৃকোদর, চিখোংদা খুংপাকত্তা লাইরিক হরগা লাইথুং শকপা কুণ্ড হায়না থাবগা মুংঙনা থমলিবা। কুণ্ড ঈশিং, মচুনা ভোংলোক ভৌবা মং হংমেং ওনবা ঈশিংনি। মাত্তগী মনাক্তা লনরগা উপায় য়েংহনা নমক্কান্দা ঈশিং মরিক অমত্ত চোংহ্ন, শাইদনা হাংমং ওল্লবগান। মহাগা অরাংবংবদা ঈশিং মচু ভাংলৈনবা লাইথুং কোকপা হাংনা থাবা কুণ্ড অমা লৈরিবহ্নগী ঈশিংদু, অমুক চোংহল্লু মী ওনবনি। নঙ্কান্স চায়দি ওনহনখিল্ল সঙানি লৌহন্দ, মতু ঙা শান তীরকুনব রাশক্রতৌবগা দম কোকহনমু, অসি ভাক-পিনহগা নাবদ ঋষি হনখরে।

ভীম নারদগী পাওত্তাক ফংলদা ভাহনা চাইন চত্রে, থঙ্কা বরু লদ্রুগী লৈকোন্ক না দল নহুন পুশিল্লগা লৈনরে, ভীমন মংতুম তমং ঈশংদা নক্তা তং মপ লেংহনা নংবকই, পথাংগী তুশিংতু মশাদা চোংখিংল খুংক অংদা হাংম ওন্ত্র। মঁদ ভান মংখিহল্লাঙ কংদে, ভাত উবনা লৈনা হায়বকই হক্কান হাংমং, নৈবু শাম্লকপদা তামলবে ইদে নাপী শংল চাদে। ভাঁমগী নাচাং তুংলগা অমুকস্থু নিংশিংলক্তুমা এনেনিংকা গ্রবু হামেং ওনহাল্লব, শাঙমনখি ন নাম লোলগা। ভীমন রাইংদবগী ধমকা ভৌনা চোংশল্লি। ভামন এ নইশ্যান হাংমং ওহঙমদ কং প্রাং এবু রাইংগ লৌখিবা অসি হায়হনা উরি অমা চোংহব। উঁ তু কোংঙাই লেম্লগা মহনা ওকচিন বদনা শাবলা শক্তিক অকবা মফল অমা নেহনা পুনশিনখিরে। ভীম বল শংহনা মবুক থল্লা বাংলাই নাবরা হল্লকুনা উত্তোং অমা লেমলগা, মা ওনবা কুণ্ডহ্নগী ঈশিং টংলংদা লোক্রগা মথুম চেংনা থুমজিল্লি। ঈশিং উত্তোংহু পাইবা শাংলগী মনাক্তা চঙখ, লেমং শক্তিক লাবলা অবুক থল্মুনা কুল্লমই, ভীমনা ইমহান হাংমং যুম যৌরসি চৌংহল্লো হায়লম। গন্ধারী অমুকস্থ নিংশিংই। শাওবনা থুনা হৌগংলে, রাইগদবগী চোংশিল্লি, ভীমনা হায়রকই ঈমহান মং এরোন্দা লম পাংহন চেনগল্ল, এনা লাইবা উল্লবদি কৈ, ঈমহানগী দমা কোক্লবা হিদাক ঐ খিকহনা পুংক্লি। উত্তাং অসিদা হাপলকই, এবু রেক্লবা ওইনা নিংলবদি; নপুনসি চুম্ল হামেং ওংহনা তোকহন। ভামগী র ভাবদা গন্ধারী কিররুহনা, মানা চানবীর " ঐগী হাংমং ওইরিব দমা অসি কোকদৌখিবনি থল্লরুমাল্লে। মমিত্তা মপি ভারহনা মেমে লাওনা থোংহনা, কপ্লগা ভীমদা মমাখনা মরেংন ভক্লনা হংমজরবে। ভীম মত্তৌহু উবদা ভুংশিরহনা ভীবিহ থোল্লগা পমহুনা পুরগা হন্নকুনা যমুনা স্নৌরক্লে। ভসাই থনম্বা পুথমহুম পুরকই, গন্ধারীহু চেকপন মহুং লফু মথোঙদা পুনশিল্লগা। ঈস্কান অসিদা ভহাক পোথাবিরমখো হায়রমই, ভীমহু চংশি, হক্তিনা কোম্বুদেশী গন্ধারী লৈত্রহনা খিনরকপদা। খভত্রহনা যুধিষ্ঠির অর্জ্জুন নকুল সহদেব লোইনা চেন-খিহনা কপ্লবগা লাওনবগা পুমনিন নিল্লে। লাইনা পুত্রবনি, থমহনা পুং ঝান, কোরভাল মোইবুং কাংসি য়াওনা মৈরা চাওনা চমহনা খিনরি।

ভীম হস্তিনপুরদা কুন্তীনা মচা ভীমদা হৌরকই ; মাইমা নমাবোক মহারাণীবু নহাকা ওপাই চেনমিন্নখিবা অহ্ন করোমদা চৎলূবগে ? হৌজিক পাটেশ্বরীনা কদাইদা লৈহৌবগে, হস্তিনা সম্বন্ধি লেগাকাইনা থিনবদা কাঞ্জি , নমান্না মনাও লোইনা চেনখৎনজনা থিবা মাপখ্রি। নংপু চেনখৎলু মহাকপু উগ্রগা ঈকৈ ইবুঙো অন্ধরাজনা মাবোৌখিগনি এন্নু অমুক মোকরবনী। ভীমনা হায়রে ঈমাবোক্তো ওপাই অহৌম লেংশিনখ্রবনি ঐ বমুনা রাংমগী বন্দা ঐ থিকহ হুঁজিক্কা চক্লরকই ; ঐদি পাণ্ডুপ ফজরি। কুন্তীনা হায় ভাম অদুদি নংপু মোক অহৌম লৌগাক্লবদি ইকৈ ইবুঙো মহা-রাজা শবুধো শাম থমমু লৈপাক্কা মীবায়া চিংনখিমী। ভীমা হায়'জ হমা অহ্নগীদমক মাবিকগম্ভ নচা ১২চপে, হমাবোক্কা থোদুন সোইদনা খপ্পান, লাকনা পুবমবম্বু কগনি। লাইনা পুরুবদগী শ য়াম্ন ভাব খাঙার রাস হায়গ দরবার ওানবা আভরণ পুননক লেত্তেংল, ভীম মমানী থোংশং শকং বগা গদা পায না থোরে মমানা ইমুংদা চখিবা তাজ্ঞা যে তুনা লক্ মরুডগী গন্ধাবী হাম লৌথাকউ প পমদ্রন পুগু দরবারগী চেকপর মথাংদা খাদাক্তগা ঈন্ধালদি অস্বাইদা ভতাঙ্গা বগে নানা দয কোক্রবা অধুং শিজকথিগ হাযবমগা দরবার সভা চচচকুনা সভা থু না। মাখাং দংমক ভীম নর্ত্রে লিম বা তাস হায়না ভাংনকই, ধৃতরাষ্ট্রী মা দা দওবত্ত কলি, বলিক, ভান, আচার্যা দ্রুক, বিদুর মব মগ থুকনী। ধৃতরাষ্ট্রনা বকোদব, অজ্ঞা। হপন্দি ইচাদবু লাইতনা লেংম্নবনি, ইপনগী নাক্তা ফম্বা দুশাসন মখাপগী আসন দুশাসন আসন থাব ভন আসন্দ ফম। অন্ধরাজনা হায় মাইমা নঙ্গানবু ভংস অদামদা য়োমব্রুমী ; নঙ্গা উনথি গায়বা চুমনা চৎলী পুং মহারাজ অমাবোক মহারাণী নমাই নচাবু উনবিবস্মা। মাইমা হন্দক ইচানা নজি মামাবু কনবসি ওংল ঈন্দ্রালনা চাক ওনুক্কা কৌবা শাকপিবম্মগা কোম্ন্ংলোমদা হনথি। ঈহু বন্দা চত্লুনা ঐ চাকবদগী হুজিক্কা চক্লকই, ঈমানা পাও তাকপাবদগী চেক্লবকইবনি, ঈমাবোক কাংগ্রিব ? মাইমা নঙ্গাল কাংগ্রি থিবা তৌনব মথং কয়া লাংথনম্ন কংব্রহনা হৌজিক খন্নবখীবা অসিনি। ইচাদি বহ, ওইবা ভবা গুরু থনবনি, নঙ্গালবু ফংমবা ঈপাম্ন লৈরবদি লৈপাকী রাণী ১বু মকম থংদনা মাংখ্রে হায়বসি চন্দ্রবংশগী মিংচং থিবনি মাসিবু ইচানা অমুক্তা কয়ু। পাবুং মহারাজ অহৈ অশিং মাইবা মাইবী পণ্ডিতশিংনদি, কবি কবি হায়না খন্নবিবগে ? ভীমসেন য়েংবা মাবমখৈ য়েঙেত মাতঙ্গ হায়বদি লৈতে হায়বা মথৈ মাম্ম , মেন্তানা থুংবদি ভুমনত্রে। পাবুং মহারাজ হস্তি-নাগী পণ্ডিত মন্ত্রিং চাবা ব্রাংলদা। নগা অসক্তা য়েংজশিগে করিগী খংদগবনো খজবি। দুশাসন চেকলম পিযু ইমাগী অমুক্তা হোত্নুনা থেল অথুবা ওইনা য়েঙ্গে, দুশাশন্না চেকলম লানশিল্লি।

ভীম মংভৌ মামবা গ্রহ মাপনগী ধুক্ষম কা মাপল লই য়েক্লগা অঙ্ক অমদগীনা মাপন অঙ্ক কাওবা কা কাহ মথংমনাও কাইদনা হৌরে। দাদা ইবুংঙো কা মাপনসিগী অঙ্কশিং অসি পুক্লিংনা পাম্না অমত্তা নষীমু। দুর্যোধন মডাগী কাদা নমী, ভীমনা মডা শগোলশেলগী দম অপাইবা অমনা ইকান্দী বন চৎলু কোয়্যংদগী মপাল থোকউ হাবা পীবী। ১—২—৩—৪—৫ লাই, মী, হিংচাবা;

মাইতবা, শা, ইশ্বানগী নবানা শা ওন্ন হায়বা লৈয়ে করি শা ওল্লিবকো অমুক য়েংসি; দুসাশন মং অমুক লম্নু। দুসাশননা ৮গী কাদা মক্কী ৮ মাল্মো হুখিত্থনা থিবা থওওনু হায়বা অমা মাওরম্মেদনা অহুনদি ময়ায়া খিবদা থওগ্রিবা। হায় মাহ হুবানবা ফাবা তবা ভীম লাক্লে; ইশ্বানবু লোৎকহু পুথোকউ, ঐনা নমহুনা কাগনি। হোউজিক শা ওন্ন হায়ব লৈরবনিনা মুমগী শাক হায়া থিরগে। অমা শগোল, অশি শাবু, অহুম বণ, মশি ইরোই, মঙা ওক, তকক হুই, তরেং হোদোং, নিপান হাক্কে মাপন মাওনি। দুসাশননা নিপান্দা মমবনিনা নিপান হায়েং ওইবা তারে মাহ নংনা হুহুনা লোৎপহু ভীম ঐনা অহনা কাবেদো। পাবুংহন মহাবাহ্না ইশ্বান লৈবে, ভাম কদাইদা লৈরে, নোংমা লেপ্পিরবনিনা পংলাপ লাপত্রি মংং অমাইদা লৈরম্মনি। দাদা দুর্য্যোধনগা ইনাওশিঙ্গা কোম্ব মহু অমাইদা অমুক্তা থিসি, মহোশা লৈবা লায়েং নত্তবা মশক খংদবা অনোবা হায়েং অমা লৈরম্মবদি, ইমাখোক পাটেশ্বর সোইরবোহ, মাহু কায়গা পুশিল্লকউ ঐনা লাই খুকম্মগা মহারাণীগী দয কোকনি। ভীমগী বা তাববদা অন্ধবাজনা হায় দুর্য্যোধন থিরে হচা ভীমনা হায়বা বাদি সোইরগোই খিকরা? দুর্য্যোধন মনাওশিঙ্গা খোকথিহনা থিনরব। ইনক নক্কা গন্ধারীনা ওহবা হায়েহু চেকশন মনাক্কা খোংনাং মনা চাহুনা লৈরম্মে; অনোবা হায়েংহ উবদা দুসাশন্না হায়েহু কত্রঙ্গী খোনী তক্কুনা ফারে; দুসাশন্না লাওবকই। দাদা ইবুংঙ্গো ইমা লৈরে ঐনা ইমাবু কাজ্জর, ময়াম চেনশিন্দ্রনা য়েংনৈ, ইমানি সোইবরোই হায়নৈ। দুর্য্যোধননা দুসাশন চিংডন্ ঐ হোয়গ পুশিন্নাশ দুর্য্যোধন চিংডী। দুর্য্যোধন্না শাইজ মচা পায়ত্তনা হোইরগা পুশিন্নকই গন্ধারীনা মচাশিং উবগা নিংশিংলক্কুনা খন্নকই। চেং ইচাহা ঐবু নথোইনা ইমা ওইরম্মনিম্ন খন্নবা অওমক্কদা ঐবু কোম্নগা পুবন্ন মাই পোরি তক্কুনা চিংলগা পুরি, পণ্ডিতদকো নথোই। অদুমক্কনা ভীমগী মখুত্তা মতম খি বক ইচ চাবিবনি থন্দুনা লাকপসি, দরবারগী খোংজিন্না চিংশিন্নকই। গন্ধারী মন্তে মকু কম্মীবা সভাহ চঙনিংদহুন তুংশোমনা হন্নোকই দুর্য্যোধন্না শাইজ্জনা কং কং শাহুনা দুসাশন্না চিংশিন্নগা নমনে পশিন্নি। ভীমদা শিন্নন খোরিহু পায়বগা মামি ইমাংবাকনী হায়রকই, অন্ধবাজনা বৃকোদব ইপদি মাংলে ইচানা নক্কালবু অমুক্তদি পোকপীমু। করি পোৎচং লাওল্ল হায়বগে, ইচানা ভাইনগবোরিবা লাই খত্র পেন্নবা ভাইনত্তনা থুনা অরাবা কোকহন্ন। পাবুংগন চেংংক মন তরামুক্তী ফোগা চঙ্গনি, অদুগা কোম্নবা হরক পানং বত্তি পত্র মাওগনি, ধৃতরাষ্ট্রনা থিরে ভাণ্ডারিশা। ভাণ্ডারিশিংনা পুন্নপ লাংহুনা পেবরে। ভীমনা পুজারি কায়রকপদা ব্রাহ্মণ পুজারিশিংনা কোম্না তোৎপা লোইবে, ভীমনা ভীষ্মগা মাংদা গন্ধারী পুশিন্নি, ভীমনা লোম্না গন্ধারীদা বায়। মহারাণী ইবুংঙো ভীমগী মাংদা ঐ মতুংদা শাপ তৌরোই হায়রহুনা মাংকপিমু, অহুগা হায়েং ওইবা দবা কোকহনগনি। বাশক্রবদি পুন্সিগী হায়েং ওইবা। খনবিমু পওকুইদি কুইরমোই দেবী পুজা মোরকদোরে বল্লী। ভীমগী মাহার অসি তাবদা গন্ধারীচ, ভীষ্মগী মাংদা মমিং অনিহু শিন্না জয় জয় চেহুনা কপপা। ঐবু ভীমনা লাকরিবনি হায়না ভীষ্মদা প্যাও কন্নী। ভীষ্মহু হায়েং মরোম্দি খংদবদিনা য়েং যো খোংহুনা কন্নীবহু উবদা গুওয়াইত্ত্রনা ভীমদা

হডিও ? বৃকোদর নম্বায়া থোড্ডিওবহুবু করি হায়রিবনো ? ইপুবু য়েংবা ভমদরে খব থুনা নম্বানগী অরাবা কোকহল্লু, ভীমনা হাইরকই ইবুধৌ লাইগী নোংদম অভকপনি । অন্তুক হুভডাইনা হামেংওয়ববু মী অমক ওইহনগদৌরে হায়রুনা, এভোন্দা শাওহুন্না ইবুধোদা তন্ত্রীবান। হাযজিল্লিবা ভীমগী বাহার তাবদা ভীমনা হায়রকই, হুমৌ ইবুংমা সুতা নুচ ভীমনা হ্যুয়বা ম্লাও, নকু এখোইগী উপায়, লৈরে। গন্ধারী ভীমগী বা তারবদা কাপ্পরবোই থুডচংন। গন্ধারী ভীম য়েংদনা বাশকই। ভীম এৗনা শাওরুবা শংল্ল সত্যনা সাক্ষি এযরসনু, ইচাগী থরায় লৌববা ফাওবা নঙোম্দাদ পুন্সিগা শাপ তৌবোঈ ঈশ্বানগী অপ্লাবসি কোকহল্লু । গন্ধারীনা রাশকঈব অদু ভীমনা থঙয়ানা ময়াম য়েক্লমা হাযবকঈ হোজিক্তি দরবার মচংদগী মী থুমমক মপান্দা থোংদারো অদুগা এৗনা যারে হায়ত্রিংপাওবা মিং উহাশন্দুনা লৈখিয়, পাবুডগদি থোকপীদবা য়াগান, ঈবুধোনচিংবা অতৈদি লোবনা লেংথোকপীয়ু ভীমগী রাংহ তাবদা লোম্বনা থোংশবে গন্ধারবু য়ুংদুনা হায, পাংটিপ্পা ভাযহাক্তা শায়বাংথা শ্রী কোলাংসি অমুক্তা কচচখিগে হায়যগা ইকককপানা থাংব বত্তি চমংজ তুলসী পত্র হাপ্পুনা শ্রীকৃষ্ণদা কংলে। মপ নগী কনাগুম্বা মী অমডা য়েংকল্লবোয থন্দুনা লাওরকঈ মপান্দগী ময়াম ভালে কমাগুম্বা উনিংবা য়াওদুন লোম্না যেলবা য়াওরব দ, হংস ন ভাগ ন ঈশ্বানগী দয়া অসি ভেকশিন হুক্তিন্দুনা হামেং ংগইনা। ভীমই থোল্ল ও তাবদা য়েংশিংজেংংবাহবুন্ত বিহন। মমাই ওয়্বাকনহুনা মমিং চেংনা চেংনা উচাংদাব ভীম ফোলাহু লোইনা চংবে, চিন খুংশ শংদোক্লে পান চাবে, অংদগী ফুরিংখাওদ হাপ্পুন পোবকইবা মী ওপ্পব ঈশিংত, শোথোকুন খক্লে। ঈশিং অত্তনা হেক শোকপদা হামেং শোক্লুনা গন্ধারাগী মশক ওইবে। ভীম মচক্ত ফি য়ংশগ সতী পতিব্রতা, নচাগী দোষ পুন্নমক ভাকপিসু হায়রগা, অস্টঙ ভক্তিমং খুকমভবে। গন্ধারী ভীমবু কোনথংশগং হায়, য়াংমা ইচাগী গুণ থংশ ঈশ্বান পেল্ল, ইচাদি তৌক তৌরুবা থবক খুদিং নমাই পাকচবা ওইবু। হন্দকী থোদোক অসি কনাগুম্বা অমদা হায়দোকহু, ইশ্বান টকাইংজ। মী উদ্রিষ্টদা কোপ্পংদ চংখুগে লৈংহৌরবা তাব্রবশ্মী, গন্ধারী কোপ্পংদা চঙথরে ভীমনা লাউরকই ময়াম চংবিরকপ য়ারগনি মহারানী দযা কোক্লে, মীয়াম চংনরকই ফোলাপ্ত, হামেংসু, গন্ধারীসু লৈবমত্রে, মীয়াম্না হুভডী ভীমনা হায় হামেং ওনহনব, লাইসি দক্ষ প্রজাপতিনি, এৗনা কোবদা পাক্লুনা ফোজা চারগা মহারানীগী দযা কোকপীরমশগা মনখে। হুমাবোকসু শঙ্গাইদা চংখে উনবীকখং য়াবগনি। ভীমগী বা তাবদা দুর্য্যধন মানওশিঙ্গা চেনশিনখিবদা ! স্নান লোইরমে মমাবু খুকখী গন্ধারীনা ইচাগী নখোই কবিস্তুদসু ভীমগা থংনগন। নখোই অরাবা তাগনি মগুন লৈবা ভীমনি, মাগী মপান্দগী ইমা অরাব কাকপনি, দক্ষিনা চাওখা তোক। গন্ধারীগী বা তারবদা দুর্য্যধন মনাওশিঙ্গা দরবারদা থোকখিন্দুনা ইমা মঙ্গল ওইরে হায়না তমখি ! ধৃতরাষ্ট্রনা পেল্লুনা সনা লুপা মনিবত্না কয়া পি, ভীমনা মাঙ লোংদ কা-হৈ থর চাবগা খুরুমজুনা বিদায় লৌরগা, মচিন মনাও লোইনদুনা ময়ুমদা চংখি। ভীমগী মতিক মগুনসু হস্তিনাদা শোরাখি অসিগুম্বা আদি পর্ব্ব ভীমগী (চারিত্র কথা) বারী অসিবু মীওইবনা পুক্তি চংনা তাবদা বিবরাদগী তাকপা পাদপূ কোকই মাসি ব্যাস মুনিগী য়াথংদি অমৃতগী ঈচেনগুম্বা মহাভারতকি বারিবু মীতে ইমা লোম্না পাংত্রবা শ্রীংমমি সিংবনা ইজবনি। ইতি। হরিবোল হরিবোল হরিবোল।

অধ্যায়ঃ—

চাম্মা মঙানা কূপদা শূন্ত-খুৎলাই তম্বা অমসুং দ্রোনাচার্য্য লাকপগী

বারী মতাং ॥

শৌনকমচিংবা মুনি মরায়া হঙ্গকই, হে-সৌতি-কৌরব পাণ্ডব ১০৫গী মহা অইরিঙ্গুগী বারী অসি হুঙ্গাইরে, দ্রোনদা ধনু বিদ্যা তমলকপগী বারী অমুক লিয়ু সৌতিনা হায়ৈ ভাবিয়ু মুনি সভা, মহাভারত ভাবিবা জন্মেজয় নিংথৌনা খুৎ লোয়হনা হায়রৈ, মহামুনি ইবুধৌ কৌরব পাণ্ডবনা খুৎলাই তমকপগী বারী লিবিরো? ভারত পুরান লিরিবা বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় ভারো জন্মেজয় নিংথৌ মবুথৌ ১০৫ না কূপ ওয়াগী মকমদা খুৎলাই তমকপগি, কূপনা বিদ্য তমবা লোইশিল্লে, কূপচার্য্য১০৫ না লৈরিবা মঙমশিং অসি উবদা, দ্রোন ইবাইদা শিনরগা তমহল্লবদি মতিক চাগনি খল্লুনা দ্রোনবু থিবদা ফংথিজে। ভীষ্মদেবস্লু দ্রোনবুদা নিংছুনা লৈথরে।

বৈশম্পায়না হায় জন্মেজয় দ্রোনগী বারী অমুক লিয়গে। দ্রোনাচার্য্য ব্রাহ্মণ অসী তপবল্লা লাইমিংছুনা লৈবদগী, গৃহী ধর্ম্ম লোয়গে নিংছুনা পদবিকা অমদা লাক্লুনা, পরশুরামগী মফমদা বৃত্তি দান নিয়রে। পরশুরামনা হায়রকই হে-অতিথী ব্রাহ্মণ ঐদি হৌজিক দান তৌবা লোইখ্রে, পৃথী অম তৌছনা কাশ্যপ মুনিদা ভূমী দান কৎথোকখ্রে. লাইরবা ব্রাহ্মণ কয়াদা সনাগী দান তৌবা লোইখ্রে। হৌজিক্তি উহৈ চাহনা ,লাইরনা লাইমিংছনা লৈবা মতম থোক্লে, ব্রাহ্মণনা থবা থোংহো থেংলকপনা কয়িত্ত বংনিঙ্গাইদি লৈত্রে। ঐনা লৈাববা হায়রবু ধনুর্ব্বিদ্যাগী লন্দ মঙাইরে, বিদ্যা অসি দান ওইনা পিয়গে বিদ্যা অসিনা ওঝা ওইংনা, লন ভানবগী উপায় ওইনক। অসি হায়রুনা লিরং ভেঙ্গোং মন্ত্রগা কোয়না, বিদ্যা পুম্নমক লোইনা তমীছনা, দ্রোন্দা দান ওইনা পিয়ে দ্রোন বিদ্যা পুম্নমক প্রসিদ্ধ ওইনা ফংলবদা। গুরু থুকমলগা আশ্রমদা ধনুর্ব্বিদ্যাগা হন্নকই। মতম কয়াগী তুংদা ভরদ্বাজনা কূপী লূহোংবীরমলগা ব্রহ্ম লক্তা চংথি, কূপীগী গর্ভ থা .০ শুরহুনা মচানিপা অমা পোকঈ। অঙাংমা কললকপদা অশ্ব শব্দনা কপপী হায়হুনা, মমিং অশ্বথামা থোন্নে। পোকপা মতমদা ব্রহ্মানা আকাশবানি লাওথরকই, দ্রোন মন্দক পোকইবা মচা অসি, যুগ মরি অমর ওইরসি। মরিংজম মখোয়া মরোমিং থায়া করগনি অস্ত্রা লাওরকপা, লাইগী মাথং ভাবদা দ্রোন হুঞ্জইরথি। অশ্বথামা মচানা চহি ৭ চংলকপা মতমকাও কূপী দ্রোনাচার্য্য মচাবু উহৈতেনা রোকচুনা আশ্রমদা হালা মতম লেন্দুনা কূপা অমদা নিরুদমা লৈথরে অশ্বথামা মমাহবগা লোইননা নিত্তিগী শাট্রে, মমাহবশিংনা মিত্তিগী মমা মপানা থন লৈবনিনা শঙ্গোম পীরকুনা, শারবগী পোথাববা মতমদা,(অশ্বথামাও হাওনা থকমিদৈ। মিত্তিগী মীনা থাইবিবগা থকপা যাদি শোংমতা শুম্নোতবা অঙ্গুনা, মমাহবা অমনা হায়রক্রে অশ্বথামা নংদি শঙ্গোম শোংমতস্লু পোয়কে ঐখোইগীদা থকই ইকাইত্রা? মংগু পোয়কউ হায়রক্রে।

অশ্বথামা মীমা রাক্তৈ লাকচথিবগী মুডডাইতনা হল্লকপা দ্রোণ্দা কৃপী মমাদা হায় ইমাম্বগীদি মমা মপানা শজোম পিরক্নুমা, নিত্তিগী শান্নবদা থকই। ঐগীদু শজোম পিরু হায়রুনা কপ্লরে, দ্রোনমা মচাবু পমহুনা খেন্থী অশ্বথামা কপকনু তরেং ইচাগীদু শান্নবদা পুমবা ইপাদা শজোম পিগনি। অশ্বথামা শজোম পিগনি হায়বদ কপপা ভোক্রে, মুমিদাং মোকক্লবদা রাথল তৌনৈ নোঙাম্নবদি ইচানা শজোম পিরু হায়রকনি। কৃপী করি উপায় তৌসিগে থরেহোসি।

শজোম লৈনিডাই পৈশা লিকোনমু লৈজন্দ, পিক্রে ইচা কপকনি চেংচি লৌরগা কত্তনবা শজোরি চারহুনা পিরসি রাকমসি খরুনা (পিটাগুলি) চেংহি লৌরগা। পাত্র খুজাই মচা অমদা হাপ্পুনা থম্নে। নোংডাম্ন হোৌগংলি অশ্বথামানা, পিতা মাতা শজোম পিরো শামবা চংলগে, দ্রোণা হায় নজি খুজাই মচাদা হাপ্লগা থম্মীবনি। ছারন শান্নবদা নংগীদু অদু হেক থকউ, অশ্বথামানা শজোম পিরে হায়হুনা খুজাইদু পুরগা। হবাওনা শান্নব চংখ্রে। মমাম্নবা মরাম শাম্নবা লোইরকপগী পোত্থানবদা শজোম থক্লস হায়হুনা মহৈ মহৈ শজোম পুথোকনৈ। অশ্বথামাদু ওসিদি ঐগীদু শজোম মাওজরে হায়হুনা পুথোকই, মথক্তী ময়াম্বাশিংনা মথোইদি লাইবক্ত মগবী লোইদবা ইমুংনি। কনানা থাইবীবকপনো মামলমলোহ, খুইদগী থর থর থাইবীসি হায়নহুনা, অশ্বথামা নজি শগোমদু য়েঙ্গে মামত্রগা ? ঐখোইদগী থব হৈবাগে পুরকউ য়েংসি। অশ্বথামানা য়েংহিনু য়েংহিনু ঐগীদু কনদি মাম্মী হায়হুনা য়েংহল্লি, মরাম্বশিংনা য়েংতি চেংহি পুবকইবত্ত উবদা হায়রকই। অশ্বথামা নজিদু চেংহিনি হৈদোকউ মখোইগীদি মগবীদি লৈজদা। কদাইদগী শজোম লৈগনি। নংনা শজোম পীমু হায়হুনা কপ্পুরিনি, অহদা তাং তৌহুনা পিবকলবনি ঐগীদু শজোম রাম্না রাওরে হ য়কবিবত্ত ইকাইত্রা ? হৈদোকথো, ঐখোয়গীদ থাইবীগ। অশ্বথামানা হৈদাকউবদা মনিং কাওন্দুনা চেং মাওমা লৈরম্মী অদু উবদা ইকাইতুনা মরাম্বশিংনা থাম্বা রাদনা শাওনা চংখ্রে। মমুম য়োরক্লগা খুজাইদু লংখাইরনো থরো থম্মা ওম্লগা কপ্পী। দ্রোণা মচাবু কোনখৎলগা হায়রকই। অশ্বথামা কৈদৌরে কপকনু নজি অপাম্বদু ইপাদা হায়রু মাদু ইপানা পিগনি। অশ্বথামানা কপ্পুর্না হায়রকই ঐগীদি পিতামা চেংহি পিরনা ইমাম্নবনা লোক্করে, শজোম ওম্নবা মগবী অমা লৈবীয়ু, অদু নত্রবদি ইমাম্নবগা উনবা ওমলরোই হায়দ্‌না; হিক হিক কপতুনা লৈরে। দ্রোন রাথল তৌই মগবী লৈনবা পৈশা লিকোনগু লৈডে, লৈত লাইর তাক্তী গদোবা মমাম্নু লৈতবী লাইনিংবানিনা উপায় লৈরোয়দৌরি। দ্রোন অমাবা ওয়রক্লদ্‌না করি উপায় তৌসিগে থল্লি, মমাওঙদা মরুপ ওয়নদ্‌না লুনা তিনবথিবা দ্রুপদবু মিংশিংতি। পঞ্চাল লৈপাকি নিংথৌ ওয়দ্‌বা পাম্লিবা দ্রুপদগী মফমদা চংলগা। ইচা য়োকনবা মনবী অমত্তা শিজকগে, থদ্দুনা, কৃপীদা হায় পৃরে ঐ পঞ্চাল নিংথৌদা মনবী অমতা নিরুথিগে। দ্রোন চংখী দ্রুপদগী হোজংদা থুরেও, থাবীশিংনা নিংথৌদা হজংতুনা দ্রোনবু রাজ সভাদা পুশিনথি, দ্রোন রাজ সভাবু ভক্তি তৌরগা দরবার মরাই চঙরুগা দ্রুপদ নিংথৌবু কৌরকই । মহৌশাগী সভাত থম্মহনা সখ্য প্রেমদা, ইভাও ইমুঙো ঐবু নচন কৃপা লুহোঙ্গদগী রাম্না রাবে, ইচা অমসু পোক্রে। হচাবু শজোম পিথকবীদবক

নচাসি মুৰ্শিথিন্নু নমনী মখোম খোকপী অমনা ইতাওনা শিখিন্নু, দ্রোণাচার্য্যগী হাটেহ তাবদা দ্রুপদ মিংথৌনা হায়রকই। কদাইদগী লাকপা ব্রাহ্মণ অঙাওবনো, চাকলিবা মংঙ্গ নিংথৌ ঐবু ইতাও হায়না কৌবদি, ভিক্ষুরি নংগা নিংথৌ ঐগা কদাইদা মরুপ ওইবা হৌনবরা? লৈজদবা অঙ্গি চুম্না শিন্নুবা পিগনি। অতুম ওইনা রাজ্যা বেবহারস্থ খংদা অঙাওবা মানবা নংনা, ঐবু উশিং থওকইদনা ইতাও হায়তুনা কৌবদি, রাজ দণ্ডি কংলিংবরা? দ্রুপদগী বাহায় তাবদা দ্রোন্নু তাশোন্না থমোইদা লেংবগা মান্নখরে, সভা মমাংদা ইকাইখিবনা থক থক নিক্রুনা। মিৎলুদা পী শিন্নরগা হায়রকই। পঞ্চাল নিংথৌ ঐনা রাজ্য বেবাহার কাওপোকউবদি হৈপা ভবদ্বাজদা লাইবিক তম্মাংওদা তিন্নখিবা প্রেম অতুনা তৌকবনি; হৌজিক ঐবু শক খঙবীরমত্রে? ব্রাহ্মণ মচা অমন অতুক কননা ইকাইবা পিবদি, নিংথৌ ঐ অচম্বা মচা নত্তে ইত্তিক খঙহনবা ডম্বা মীনি। অতুবু মরূপ অমা ওইখিবগী গুণ তাক্লমংগ। ওসি ঐনা হায়রম্বসি কাওগন্নু, মতম অমনা মরূপনি হায়বা চাকনিবা ব্রাহ্মণগী গুণ খংহনলকেকো। নিংথৌ নচোন্দগী মনবী নিন্নরাই চৎলে হায়রমলগা। দ্রোন থমোই শোক্লা থোকংখ্র। ব্রাহ্মণন মমিত্তা মংপ তাথিবসি করি থোক্লগবা হায়না মীয়ামা খল্লহৌই। দ্রোম হন্দোকলকপদ রাগল তৌরকই, হস্তিনাগী মিংথৌমচা ১০৫ গী গুণ অসি চাওনা তাই, অতুনা চংলগা ঐগী 'বদা অসি তম্বীরগে। অকবা ছাত্র য়াওরমলখদি মতিক চানা শেমগে। দ্রুপদ অসি ঐগী পকল্লানগী মথুত্তা, মাইথিবা অমুকং কংহনগে রাকমসি খল্লগা আশ্রমদা থুঙচবে, কৃপা লাইনিংবা মতম থম্ম খাদোকুনা ইচা য়োক্লগে লন থম্ম তংদুথিসী, লাইনিংবা লাইবে, ঐংখাইসি মীয়াম্না উসিংত্রে। হস্তিনা যৌরসী হায়মগা ব্রাহ্মণ মমাম বিদায় তৌরমলগা দ্রোম মচা ভার্য্যা পুতুনা হস্তিনা পাণ্ডক্লে, দ্রোন, কৃপা, অশ্বথম্মা হস্তিনাদ থুঙচরে। তুমিংতু চাংগা ১৫৭া য়োংতুম হুনথা 'শানবৈ, কাংজেবুদি থামৈবম পাংবদা। ঔশিং তুংদবা লুরবা গুহা অমা লৈ। মহুদা যোং মতুম অচ ভীমনা হুনবদা, গুহা অদদা তাপ্রতুনা যোং মতুমতু লৌখংকদবদা গুহদতুনা, ময়াম য়েংনরগা চিন্তা তৌনরি। মতম অদুদা অহিং মুংখিদ পোখাদনা লাকইবা দ্রোণাচার্য্য, হস্তিনা কাংজেবুংদা থুঙবে। দ্রোননা কৃপী অশ্বথামাদু কৃপগীদা থাজিনখরগা, কৌরব পাণ্ডবকি নাক্লা চঙগা হায় মখোই ময়াম্না য়েংনতুনা লৈবিবতুবু গুহা অদদা করি তাখরবগে হায়রকই? দ্রোনবু উবদা এ-ব্রাহ্মণনিনা হায়নতুনা থুকম্মী, গুরুদেব ঐখোইনা শাজবা (লোহ পিণ্ড) য়োংতুম ১ তাখরে, অদুগী য়েংনজরিবনী। দ্রোননা হায়রকই। অদু ওইরংদি নখোইগী তাখিবা য়োংতুম অদু লৌখংপিগে ঐডোংদা করি পাংগনি? মরান্না ব্রাহ্মণগী বিদ্যা য়েংনিংতুনা য়োংতুম অসিবু পৌখংপিরবদি ব্রাহ্মণনা হায়বা অপায়তু ঐখোই পিগনি। দ্রোননা হায় ইনা থুবাম অমত্তা থংলকউ, চরোং মনা থুবাম অমা অর্জ্জুননা থংলুরগা, দ্রোনদা লানসিন্নি।

দ্রোন থুংনিংথৌদগী কোরি থুদোপ অমা লৌথোক্লগা, হায়রকই ঐগী কোরি থুদোপ অসিন্নু থাদখরগে? থুদোপ অসিগা য়োংতুম অদুগা পুননা লৌথংকে থেংডু হায়দুনা থুদোপতু উংজগা ওইহাদা লংখখরে। চরোং মমাদু কিশি শমদুনা শমদুনা অদুর খাদথিবনা। গুহাদুগী তৌথা

য়োনা থান্নরে। মখোই পাঙ্গল কোন্নি থুনোপ মাংহনু লেপ্লিরে, য়োংতুম কুমুম ময়াইদা কাপ্পুরিং কাওনা লেপ্তুগা কিন্নিন্দুনা দ্রোমা ইনাম্ব প্যাঙ্গনা চিঙ্খংলকই। য়োংতুমবু মথক্তা পুখংলগা ইনাশী কিন্নিত কোথোক্তুনা য়োংতুমদা থেম্ভিতবদু শংতোকই। মচু শোয়লগা নানবদা ই পেংলগনী মই কাওবা লৈরম্লা। হায়গুম্মা শিং বালহল্লি য়োংতুমচু পিরে; খুদোল্ দ্রিঙ্গিনখে। দ্রোনগী মিতু' অচু উবদা গুরুদেব ওহাক সিদা লৈবিবমখা হাল্লরমগা চাথা ঙুতাদু ভীষ্মগী মুমদা চেঙ্-শিনখিদ্না পাও তম্মুরে।

মসুশিঙ্গি পাও তাবদা ভীষ্মনা বাখন তৌবদা। বিদ্যা অন্তুদি দ্রোন নত্তনা পৃথিবীদা লৈতে। নহাক মখেৎ খিবা খণ্ডিবা দ্রোন গুরু লেংচক্লগা খন্দুনা ভীষ্ম মশুশিঙ্গা লাকপনা কাওইবুং য়োবকই। দ্রোন শিরু' তেপ্লাংগা কমহুনা লৈরমী দ্রোনবু উবদা ভীষ্ম গুরু কি য়েত্তনা চৈত তাবগুম্না দণ্ডবত কৎলি। দ্রোননা ভীষ্মবু পোনথংলগা কশিন্নখু ভীষ্ম কৃপীগা অশবন্দা চচা য়োকপদা ইমানবগা মামান্নবা ওমদুতল। থরা নংলে। হস্তিনাদা লোশমত্তু য়োরকপা ওমখিদবে কৃপ ইশেন ময়ান ওইরিবর? গুওদেব কৃপাচার্য মঙ্গল চইরি। গুরুবু ঐখোয়না থিজবদা মফমসিদা লৈ হান্নবা খঙ্গতুনা লৈরবনি লেংশিন্নসি ভীষ্মনা দ্রোনবু রাজসভাদা পুশিল্লকে, দ্রোন গুরু শিরু' তেপ্লোং পুংনা রাজ দরবারদা থুচরে। দ্রোন সভাবু য়োন্নগা হাংগত্তুনা পান্থোম থাংগৎলগা আসিরাদ পীরকই, অঙ্গরাজ আসনদগী কুমথহুনা দণ্ডবত খুরুম্মী। দ্রোনগী আসন কত্তুনা মতিক চানা পুংগা কৎলি কৃপাচার্য্যা দ্রোনবু উবদা চেনশিল্লকুনা খুরুম্মী। কৃপবু কোল্লগা কপতুনা হায়রকই হে কৃপ, নচেম কৃপীনে ঐংন আশ্রমদা উইহ চাংনা লাই নিংতনা লৈবনি, নচেমগী গর্ভদা নমাক অমা কশ্নরে। নমাক চাওরক্লহুনা অশবন্দা থন্দা থুংদাং চারোইদবরা; নমাকসি পোকপদা অমর ওইনি ফাওবিবনি। মমিং অশ্বত্থামা কৌ হায়না আকাশবানি লাওরকই মরম অচুদগী ইবাইনা লাক্রবনী। মতম ওইদ্রু নং ঐ তান্নহুনা নমাক অসিগুদি মতিকচানা শেম্বানবা হায়না নিংহুনা লাক্লবসিনী। দ্রোনাচার্য্যগী হাইক তাবদা, কৃপাচার্য্যা মচেমগী নাক্তা চেলক্তুনা গঙ্গাহারীগীদা উনারে মচিমমোপ্পা ক মিল্লরে। কৃপ মমাকপু কোল্লগা চুপ্পী হৌজিক্তি হস্তিনাদা লৈরসি ঐ শিক্তখিংগ হায়বগা দর-বারদা খোকপ্রে কৃপ নিংথৌ মন্ত্রি তানহুমা দ্রোনগী লৈকম ব্রহ্মঘরদা শিন্নখরে। ভীষ্মনা মশু চান্দগা মতাবু দ্রোন্দা পুশিন্দুনা ওঝা বরিহনখে; ধৃতরাষ্ট্রনা দ্রোনগী ব্রহ্মঘর রাজ বন্দাব কৎখরে। দ্রোন হাস্তনাদা কৌরব পাণ্ডবকী ওঝা ওইদুনা ধনুর্বিদ্যা তম্বীবা হৌখি। দ্রোনগী বিদ্যাহৈবা তম্বীবা কবা মশুগ অসি মথং মথং শন্দোকখিহুনা পৃথিবী পুম্নমক তানখি।

বিদ্যা পান্দা নিংথৌমচা কয়া লাকুনা, দ্রোন্দা তম্নরখি নোংমা দ্রোন্দা চাথা মতাবু তম্বীবা হৌরকপদা। লোইনা কৌশিন্নগা হায়রকই। ইচাশা দ্রোন ইপানা হৈবা বিদ্যা পুম্নমক নখোইদা লোইনা তম্বীগে; অদুগা ঐনা নিংবা অমতং লৈ মচু ঐনা মতিক চাবরা মঙ্গদা নখোইদা হায়রকে নখোইনা ঐনা হায়বা থবক পাংথোকপনি হায়দুনা অমুক্তা হাশকউ? দ্রোনগী হাইহে তাখনা শিষ্য

পুম্নমক ঘুমিম্না মরু লূকুন্না লৈ। অর্জুনভদি দ্রোণগী মাংদা হাইরম্মি। গুরুদেবনা তাকপিরকপা ৱাহংবু সত্যনা সাক্ষি থমাই লেপ্না তাকচগনি, অর্জুনগী থাপক তাবদা দ্রোন পেল্লহনা অর্জুনবু চেংনা কোল্লগা; হন্না হন্না নাইপক্না চুপখি। গুমিং অত্তদগী অশৰামাগা মরুপ শান্নহন্দুনা মগামক্তী হায়না প্রেম হাপত্রে অর্জুনদা হায়রখি; হে-সত্য অর্জুন বত্তোন্দদা ঐনা হৈবা বিদ্যা লোইনা খাবগনি, থৱাই থাওনা তম্ হায়রখি। অমুম্না দ্রোণা নিংথৌমচা লাকই লাকইবা পুম্নমকপুমু তম্বী; দ্রোনগী গুণ তাবদা বিদ্যা পাম্বা অখিরথগী মচা কর্ণ, শিকং অমগা ভেম্নোং অমগা দ্রোণ্দা তমগে হায়রগ্না লাকই। কর্ণনা ৱৌরকপদা মরাম তম্বীরম্মী দ্রোননা মরাম তম্বীরকপহু হেংবদা অর্জুনবু গুরুনা খাইদগী হেন্না প্রেম লৈবা চেকশিন্না তাকইবত্তু উই। কর্ণনা খল্লি ঐনা দ্রোণ্দা খন্নহুনা অর্জুনা লৈরিবা প্রেম অমুম্না লৈবদি ওইরগোই. অতনদি ঐনা অর্জুনগী মথাপোনবা তাই, অহনদি দ্রোণা লৈরিবা বিদ্যা অসি পরশুরামদা তম্বনি। ঐসু পরশুরামদ তম্লগে দ্রোন গুরুনা হৈরিবা বিদ্যা অসি অমুক্তা তানবা ঙংবা ওমত্রা? হেংলগে থল্লকপমা কর্ণ হনখ্রগা মমা মপাদগী বিদায় নিরগা। চেংখেন পুহনা পদরিকা শ্রমদা যাত্রা তৌখি। গুমিং কর্ণ নিমুক্তি মতুংদা যমুনা থাংমগী বন মনুংদা লৈবা হিরন্যধনুগী মচানিপা একলব্য কৌবা, নিষাদ জাতিদা পোকপা নিপাহু দ্রোণ্দা খুৎলাই তম্লিংহনা লাকই। দ্রোণগী চরণদা দণ্ডবত ভক্তিনা খুৎমজরগা হায়রৈ, গুরুদেব ননাই ঐবু গুরুনা ধনুর্বিদ্যা তম্বীবু; ননাইনা ওমজবা গুরুগী দক্ষিণা কচ্চগনি। দ্রোণাচার্য্যনা হংই, 'পত্তা নাম করি কৌই, কন্দা জাতিদা পোকপা নংগী নমিংনা করি কৌই, একলব্যনা হায়রৈ, নিষাদ জাতি হিরন্যধনুগী মচা, ইমিংনা একলব্য কৌই। দ্রোণা হায় একলব্য নংবু ঐনা তম্বীবা ঙম্মোই, ঐদি রাজকুমার মরাম তম্বীরি। মংনা জাতি চম্বনা মরাম্না ভিন্নমিংদে হায়রকলবদি ঐহোন্দা মাংই, নং রাজ্যগহু কনাঙবা ওঝা অমদা তম্মুরো হায়রগ্না থাজে।

একলব্য মখিত্তা গন্না ঈংহৌরকপগুম-া পি শিম্নহনা মথুকনিংনা দ্রোণদা ওঝা বরিজবগা দণ্ডবত মত্তারক কত্তুনা গুরুগী পদধুলি নিজরগা। মাগী আশ্রম বন্দা হল্লকুম্না লাহশং মচা অমা শারে। যমুনাদগী মৃত্তিকা পেকখত্তুনা দ্রোণগী মূর্ত্তি অমা শারগা। নিষাদগী ফিজেৎ থা দাকুন্না ব্রহ্মচারীগী ফিজেৎ শেত্তুনা দ্রোণগী মূর্ত্তিহু লাংথরে। চাদ থক্তনা ব্রত কত্তুনা যোগ আসন্দ ফমলগা। দ্রোণগী নাম লোন্দুনা ধ্যান চৌইনা লৈখি। মতাং অসি মৌরকপদা রাজা তারিবা জন্মেজয় জিংথৌনা হায়রৈ, মুনিদেব অমুক্তা ঙাইথিখো. একলব্যনা দ্রোণগী মূর্ত্তি লাংলিবহু করম কৃপা ফংবগে? অমুক্তা লিবিখো। বৈশম্পায়না হায় তারো. মহারাজা. একলব্যনা (একান্তিক) পুক্নিং অমত্তা ওইনা লেপ্লগা, ব্রত কত্তুনা গুরুবু নিংজবিবা অসিবু শ্রীহরিনা পেনখি। ঘুমিং মুংলমদাইগী পুং অমমম, দ্রোণগী মূর্ত্তিংদা শ্রীহরি লেংশিন্দুনা শাক্ষাৎ দ্রোন ওইনা লেংথোকললগা, একলব্যদা হায়রকই। একলব্য মগী ভক্তিদা দ্রোন ঐ থাংবা ওমত্তুনা লাকলনি, ঐনা নংবু ক্ষিতিগী-ওসিগী মতম অসি কায়দনা লাক্লগা, পুং অমমম তম্বিংগে হৌগংদু। গুরুবু শাক্ষাৎ দর্শন ফংলবদা ওমবু, খুৎমজরগা ওমজখি, পুং অমা তম্বীরমলগা লাইমুংদা লেংশিনখি, দ্রোনগী

মূর্ত্তি থমখলগা ভসথাম লেংখি। অমুক্ষা থা অহুম ভাবদা মন্ত্র বিদ্যা লোইশ্না হৈহন্নগা হায়রকই, একলব্য মঙম থরা অমুক লেপথিসি হায়রমগ শ্রীহরি লেংখি। অমুনা একলব্য বিদ্যা পুরমক প্রসিদ্ধ ওইনা হৌখি; মাসিনা রাজা জগেশ্বর গুরুবু শ্রীকৃষ্ণগী মথকসি হায়না সিংগনি, গুরুবু সিংলগা কৃষ্ণনা পেচ্ছি হায়বগী থাক্কিনি।

মোংমদি হস্তিনাগী মচিন মনাও ১০৫ মা শাহুই পুন্ননা একলব্যনা লৈবা মন্দা শক্তি ভানবা লাকই, হুই অমনা মা থাহ্ননা শাগী মনম থিল্লুনা লাকই। একলব্যনা গুরুবু ধ্যান তৌরিবহ মেংনকরে, একলব্যবু উবদা হুইহ্ন লারন্ লাপ্না খোংহ্রবে। হুইনা লারা খোংবদা একলব্য ধ্যান কাইহ্ননা মেংই, হুইহ্ন খোংহন্নরোই থন্দুনা লিকং লিবিদা জুমিহ্ননা ভেল ভরেং কাপ্লগা! হুইগী মথাহ্রা খোংবা রাদনবা কবাক থল্লি। তেজিল্লবু মুহাক্ষ হুইহ্ন খোংবা রাঙ্গে, একলব্য ধ্যান্দা অমুক কমখি, হুইহ্ন মপুগী মাভা হৌখি, হুইগী মরাদা তৌরকইবা বিদ্যা অহ্ন উবদা ঙক্লহ্ননা! একলব্যগী মফমদা চংহ্লুনা হংই। মহাশয়বু মিং করি কাবগে ওঝা কনাদ বিদ্যা তখগে, হুইগী মরাদা ভেন্না কবাক থল্লকইবসি মহাশয়রা?

একলব্যনা হায়রকই রাজকুমারশিংবু ঐগী ইমিংনা একলব্য কৌই, গুরুদেব দ্রোন্দা ভমহৈ। হুইহ্ন ঐনা নাম শোনবা রাদহ্ননা খোংদনবা ভেন্না কবাক থন্দুনং থাথিবা; শোথোকপীমু শোক্লোই মচাহবুঙেঙাশিংনা থব হন্দোক্লগা ভানবীযু অহদগী চাম্মগা মডাম্ন শক্তি ভানবদগী লোইহ্ননা হজিনখি অর্জ্জুনদি দ্রোন গুরুদা কপ্লুরে, দ্রোন্না হায় অর্জ্জুন নংবু করি নমিং থুংদবা লৈবগে? কপকপ্নু ইপাদা হায়যু। অর্জ্জুনা হায়ই গুরুদেব নহানমথেদি গুরুনা ঐখোইগী ইমাংদনং ভম্বীরোই হায়হ্ননা থাঙ্গগা লোয়া ভম্বীহ্ননা ঐখোইদা শাকপিদবা! অরুবা বিদ্যা মথৈনা একলব্যদা ভম্বীবা। মাগী মথা পোন্নবা গুরু থনবা কায়দ্রে; ননাই প্রান থাজখ্রগে হায়হ্ননা ওনথোইমা কপ্লে। আর্জ্জুনগী মতৌ উবদা দ্রোন কুপ্তোইরহ্ননা একলব্য উঙকসি হায়হ্ননা আর্জ্জুনবু পুহ্ননা একলব্যগী মফমদা থুঙরে। একলব্য গুরু লেঙংকপহ্ন উবদা, দণ্ডবৎ মডারক কংহ্লুনা দ্রোনগী চরন্দা থুরুম্মী। দ্রোন্না য়েংবদা একলব্যগী গর্ভদা লৈরিবা বিদ্যাগী মডান্দু দ্রোন মাবা হৈভবা বিদা কাওবং লৈরে। দ্রোন্না হায়রকই একলব্য নংনা হৈরিবা বিদ্যা অসি ওঝা কনাদগী ভমদ্রুনা হৈবনো? মিনমগন্নু শেংনা হায়যু। একলব্যনা হায়রকই গুরুদেবনা শাহংশং মন্নুংদগী লেংথোকপীবক্লগা ননাইবু পুং অমমম ভম্বীহ্ননা হৈজবা অসিদগী অভোপ্পা ওঝা অমদা বিদ্যা অমত্তা ভমল্লকদে। রাদ্ ভাবদা দ্রোমনা হায়রকই, অদ্দি একলব্য ওসিদি ইপা গুরু দখিনা নিরগে। একলব না হায়রৈ গুরুদেব ওসি ননাইগী রাইফবা মুখিং থোংক্ল; ননাইনা নরাযন তৈগ চক্ষু অমত্তং থমজরি মাসি লৌবিরগা অমুক্তা স্নান তৌবিখে। অহ্নগা দক্ষিনা কচ্ছগে। দ্রোননা শায় অদ্দি থাওদ পোরক্লো স্নান তৌরুরসি; একলব্য মাগী উনাগী থাংপোক মহুংদা চেকশিমনা থমজবিবা থাও অদ্ লৌথাকউরগা। থাও চক্ষুগী মনা শাইদ্রনা শিরং ভেল লোইনা; গুরুগী তুংদা থোগল্লগা যমুনাদা স্নান তৌগদবগী, কুমথরক্লে। দ্রোননা মাংদা, একলব্যনা মরাইদা আর্জ্জুননা তুং থংদ্রনা লাকপদা, থংহৌদনা মুংশিং

আদি অমা শিংলকতুনা দ্রোনগী মপাদা উজাও অমা কয়াই থিগাংদা তেকুনা হায়থরক্লে। একলব্যনা থাও চফু রাংমা থাজংলগা, থাদোকই তেন শংতুনা কাপলগা হায়থরকইবা উ অত্ব কককুনা মাক রেং ওইদা থাদগ্রগা। থাও চফু লৈবাক শোককদবা হুই অমা রাংজিদৈদা মনা পাইগ্রলা ফাথি; দ্রোন উনা মন্দুনা শিবা তারবদগী কনথিবত উবদা দ্রোয়্ন হওকই। আর্জুন নংনয়া ঐবু কল্লিবদে? আর্জুনা গুরুদেব মনাই একলব্যননি, একলব্য থাও অত্থ লংথোকখ্রো। লৈবাক তারবদি লোয়রোই একলব্যনা হায়রে থাও অসি রানা থাজংলগা থাদোকতুনা ককলগা! লেবাক তাদবিদৈদা ফাবনা হালহৌই রাগনি গুরুদেব দ্রোনা হায় আর্জুন বং উহৌরা? আর্জুনা হায় চুম্মী গুরুদেব উজহৌই। দ্রোন পেনথি যমুনা য়ৌনক্লে নবায়ম তৈলবু হকচাংদা তৈরে; দ্রোন স্নান ক্রিয়া লোয়রে একলব্যস্থ স্নান লোটজখ্রে। দ্রোনা হায়রকই একলব্য নংদি ঐনা ভমবীবা নত্তে নঙ্গী গুরু ভক্তি অচেৎপত্থ উবদা সঞ্চধা শ্রীহরিনা; গুরুগী রূপ ওইহুনা তমবীবনি অত্থমক ওইরবস্থ নঙ্গি ওজা হায়বত্থাদ ঐনি, নংনা ভদি শিবা রাবা থোংকমদগীস্থ কপ্ল নঙ্গী থম্মোয় অশেংবত্ত উবদা ঐ পেল্লে নংবু পাও ইপা কে নগে। একলব অঙ্গাঙ্গনা দ্রোনগী খুযাদা খুররমরৈ ক্রোননা চিংখৎতুনা চেংনা কোয়গা। লাইবক্তা হয়া হয়া চুপ্পী একলব নংদি তত্বা ভমদবা নাইদনা দ্রোন ঐনা হৈবিবা বিদা। পুরমক এলাইন প্রসিদ্ধ ওইনা হৈত্ববো অস্ত্রগী মমদা কৃষ্ণ কৃপা ফংহুনা মুক্ত ওহখো। দ্রোনগুরুগী যোজান ফংলবদা একলব্যনা হায়ই গুরুদেবগী কৃপা ফংজবা নমাইনি; কুবেরবু জব তৌরগা লনগা দান, পৃথি জয় তৌবগা ভূমীদান দখিনা কৎপা ভমজগনি। দখিনাবু করি কৎচো হায়বগে তাকপিয়্।

দ্রোনা থরি মাসি পৃথদা লাম্বা লংবোই। মীনা লাম্বা রানবা থনম্মগে থন্দুনা। দ্রোন মেংকী খুবী মিয়ে একলব্যনা কথুন কৎলি, দ্রোনগী পাদক লোটৈ। দ্রোন অত্তনগা কল্লকই লখীদা দ্রোনা হায়ংকই আর্জুন একলব্যদি কৃষ্ণগী কৃপানা হৈবনি অত্থক নুংশিগ্রবা ভক্তি লৈবা একলব্যগী খুবী নিরকইবাস। নঙ্গিদমক্তা থন্দুনা নিরকপনি। মাসি থংনা হোংনজো অস্ত্রমা হায়থি, আর্জুননা ঐবু গুকনা অস্ত্রক প্রেম লবী হায়বগী ভমইথ থডহৃন থরাই কৎনা থজথি। অসিগুম্বা আদি পর্ব্ব মহাভারতকী রাবী অসি শ্রীবেসবাসনা লেংখুবা অমৃতগী ইচেনগুমলবা রাবীবু সত্তাগী মনাও পাংদরবা শ্রী৺মনি সিংহনা মাতৈলোদা ইজরি। ইতি। হরিবোল হরিবোল হরিবোল। মতাংসিদা শ্রী৺মনি সিংহ পণ্ডিতকী ইবীবথা শকক লোইরে।



অধ্যায় :—

পাণ্ডব কৌরব দ্রোণদা খুংলায় তম্বা ভীমনা কুরাক তানবগী বারী মতাং ॥

অধ্যায় অসিদগী শ্রীজখেলচন্দ্র ৺কৃষ্ণমোহন শর্ম্মা পণ্ডিতকী ইবিবদা বারীগী শৈবেং শরক হৌজরে। সৌতিনা হায়রে তাবিয়ু শৌনকচিব মুনি মহাত্মাশিং ভারত পুরাণ লিরিবা বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়; তাংবা গাছা তম্লোয় । কৌরব পাণ্ডবনা দ্রোণাচার্য্যদা খুংলাই তমলকপসি দ্রোণা মচা অশ্বত্থামাবু ভধীনবা অহাংবা মতম লৈত্রদুনা, মোংমদি ইশিং শোকউ হায়হনা য়াথং পি। ছাত্র ময়ামহ পাত্র পাইদুনা গঙ্গাদা ঈশিং শোকপ চৎমখি। অদুগী তালদা অশ্বত্থামা মচাবু অরু অয়বা খুংলাই তমবী। আর্জ্জুনদি বকন মমুগী গুরা পাত্রহ ইশিং থরা হাপশগা গুরুদা কংশিন্নগা অশ্বত্থামা তমবীবদগু অতম য়াওই। ময়াম ইশিং শোকপা চঙ্গকুনা তম্বী য়াওই, আর্জ্জুনদি অমুক কংবিগ মুমিদাং গুরুবু তকথা থাদোকুনা থম্নি অতনা আর্জ্জুনা খ্বাইদগী চেকশিন্না হৈবা হোম্ন । দ্রোণা লক্ষভেদী বিদ্যা চাম্ব মথান তাবীরা, ভাসপক্ষি উকচুনা উমাইবী মথং মানবা। উচেক অমা শারে। উজাও পামবী অমগী মথকং উশা অমদা য়োংপী থাজিন্দুনা তোংহন্না থম্বী। অহানবদা যুধিষ্ঠীরদা লিকং ১, তেন ১ পিরে, দ্রোণা হায়রকই যুধিষ্টীর উথক্তা লৈবিবা ভাসপক্ষিবু মুদনা য়েংহুনা নিশান থাগদি মিংযেং চোযরোযদবনী ঐমা হুংরগ হডংক হডংকপদা, নংনা খ্মুকবদবনী ঐনা য়ারে কাম্লো হায়রগা কাপতুনা ভাস পক্ষিগী মডক ককংবনী। যুধিষ্টীরবু অম ৫০০ লাপমা লৈহল্লগা নিশান থাতল্লি দ্রোণা হডংকই যুধিষ্টীর করি উবগে, গুরু উজাও পামবাগী মশা মনা লোইনা উই, ভাস পক্ষিগু উই। দ্রোণা অমুক হংঙী করি করি উরি। গুরু ভাসপক্ষিগী মমৈ উই উগী মশা অপুম্ব মত্তাগী মখোং ফাওবা উই দ্রোণা হায় মিংযেং চোয়গদ মুননা য়েংউ। গুগাক লৈরগা অমুক হংই ইবুংগাহল করি উরি। গুরুদেব ভাস পক্ষি উদরে গুরুবু উই, ইনাওশিংসু উই উজাও পামবীসু উই ঐবুসু উই দ্রোন শাওহুনা যুধিষ্টীরগী মথুত্তগী লিকং তেন মুন্নগা চংথোকউ নংনা মীওইবা হৌনদে ভাবক ওইক দুর্য্যধনদা অমুক লিকং তেন পিরে। দুর্য্যধনসু অহুমতাই মথং মথং ১০৪বু য়েংহল্লি। অহৈবা নিশান থাবদা চুমবা অমত্তা য়াওদ্রে। অকোনবদা আর্জ্জুনদা লিকং তেন্দু অমুক পিরগা য়েংহল্লি আর্জ্জুন লিকং তেন্দু তুমীরগা নিশাম্বাহনা য়েংই, দ্রোণা হংঙী আর্জ্জুন নংনা য়েংবদা করি করি উবগে; গুরু পামবীদা তোংলিবা উচেকো উশা অহুগা উই। গুহাক লৈরগা অমুক হংঈ করিউই, আর্জ্জুন গুরুদেব উশাহু উদরে উচেক উরে, গুহাক লৈরগা অমুক হংই উচেকবী মশা উদরে মতক্তা মমিং ২গা অহুবু উরি।

দ্রোননা হায়রকই য়ারে কায়া, উচেক মতক ককতুনা থাদরো, অর্জুন তেন কাপ্পগা উচেকী মতক ককতুনা থাদরে। দ্রোনাচার্য্যনা অর্জুনবু কোল্লি চুপ্পী হন্না হন্না থাগৎলি চায়া মতাবু (লক্ষভেদী বিদ্যা) পরিক্ষা হৌবদা অর্জুন মতোমতমক ওমই। গুরুনপ্পোন অশ্বত্থামাসু ওই, অমুগী মথাদা আকাশ ভেদী, পাতাল ভেদী, জলভেদী মনভেদী, শব্দভেদী বিদ্যাশিং অসি অশ্বথামা অর্জুন অনিদা তম্বী। মল্লযুদ্ধদা চেকশিন্না হৈবা গদাদসু ভীম দুর্য্যধন অনিনা খ্বাইদগী হেল্লি। শগোল্দা হেনবা তাদা হৈবনা নকুলনা হেল্লি, থাঙদ হৈবনা সহদেবনা হেল্লি। মতৌ ফজবা লৈতেংদা হৈবনা যুধিষ্ঠিরনা হেল্লি, মতৌ অমুম্না দ্রোনাচার্য্যনা মানা মানা হৈনবা বিদ্যা অদু লোইনা পরিক্ষা ঙম্লে। নোংমদি দ্রোনা নোংঙাল্লমদাইদা অশ্বথামাবু হৌদোক্লগা ব্রহ্ম মন্ত্র তম্বী। তুমিং অহুদি অর্জুনমসু থাবল কবা অহুদা নোং ঙানগদৌরমাস্লে নিংহুনা লাকপদা নোং ঙাম্রহুন' গুরুগী মাঙোল কাচিন্দা কন্না কোইশিন্দুনা হিল্লগা লৈরে। গুরুনা মচা হৌদোক্লগা ব্রহ্ম মন্ত্র তম্বীবসি, অর্জুননা তাবদুদা লোইনা ফাবে। অশ্ব থামাদি অমুক হেক উইংথ, দ্রোনা হৌদোকই, অমুক হেক পাংথাকই মন্ত্রনা থব শুবগা কাবা ডম ত্র। দ্রোননা হৌগংলু মন্ত্রহ ওসি ফাত্রবশ খুৎকাপ তম্বীগে হায়হুনা দ্রোন লৌগৎথরে, অশ্বথামাসু হৌগত্তুনা মপানদা থোরকতুনা দ্রোনমা খুৎকাপ তম্বীরকই।

দ্রোনা অশ্বথামাদা তাকই পিকং অমুম পাই ম, লিরী অমুম চিঙনি, মিংমে' অমুম য গনি, পিংম অমুম লেপকনি, ফিওপ অসিদা কাপকনি, অ.তগী খুকাপকা এম্মশিংগী খুকাপকা মাম্নদ। মাদি যান্না নুই অমত্তা লোইবা য়াদে, অমুম্না তাকপদা অশ্বথামা ফিভম তাবা ডমদবে. অর্জুনদি মাঙোল কাচিন্দা তুমিন্না লেংবদা লোইনা ফাবে। অশ্বথামানা কামন্নক ব' অহুদা দোননা শাওহুনা, লিকং মুন্নগা চৎহন্না নোংনিংদে নং পাংমনদে, অর্জুনহচা ওইনবা তশাহনা ফারগদবান হায়রগা হা— অর্জুন হায়না হেকশাল্লকপা মতম অহুদা, মাঙোল কাচিন্দগী অর্জুনদু চনসিন্নকুন গুরুদেবা ঐ লাকচবে হায়হুনা খুরমই। অর্জুন উবদা দ্রোন খাই লাওঃ হংই, অর্জুন নং কয়া কুইবে লাকপা? অর্জুননা হায়ই, গুরুদেবনা ইতাও অশ্বথাম হোদোকপ অতদ মৌজনকপ' ভহাক ওইবে। দ্রোনা হায় নং ঙ্গাই মথে কদাইদা লৈ গুরুদেব মিংকপ থোক্লকপদা থাবনা। . . ডানশম্বহুদা নোং ঙাম্লবোই নিংহুনা লাকপমি, সিদৌরকপদা চাল্লবহুদা মাঙোল ক চিন্দা, . . গা কমহুনা লৈজবনি। দ্রোননা হায় ঙণাই নত্তাওদা অকপচ, নং ত্যাহৌবর, ঐ ও . . ., ফাজৎৌরে, দ্রোননা হায অমুক্তা হাথবু? ইনা ওমুগ। অর্জুনন এখ . . . এ' ত্রং হাবদোকলকই, অর্জুনগী মহুক্তি তবহু উবা দ্রোন লেনখুৎনা . . . হকাইদ, ঐনা নংদোন্দা তম্বী- মিংদদা ইচলদ হৈহনম্নিংবা লোম্না তম্বীত্রা মাল্লে। মা' থল্লুগ, এক্ষ মন্ত্র অসি গুরুশিনো, ফেত্রিদা তম্বীনরম্লে। মন্ত্র নংদি ইন্দ্রগী শক্তিনা ওইরকপনি, পাত্র চাবদ হায়দি দোষ লৈররোই কপা লৈরমহুনা মংনসু তাবদা কাজরগে। ইপানা ওসিমথৈ নংদোন্দা পিবগে ব্রহ্ম অস্ত্র হায়বা খুৎলাই অসি তেল ওইমা শাহুনা লৈবা নত্তে; মনুগী গুনা ওইবনি তেনজম অমদা ওগরবশ ইকা অবদা ওইরবসু ব্রহ্ম

মন্ত্র অসিদা নির্দোষ কৌরবগা ব্রহ্ম অস্ত্র ওইরম্রি। ব্রহ্ম মুন্নসি হৈরবা মী অমত্তু থমোইদা ব্রহ্মগী মওান লাক্লবা, ব্রহ্ম মমাক লাংডুনা মীনি, হায়না খংনগনি। ব্রহ্ম মন্ত্রসিদি সাধ্য সাধনগী মতুং ইন্না মথন কয়াগী শক্তি কল্লনবি।— মন্ত্রগী শূরলপ্পা হায়গে তাও, যোগিশিংনা যগ সাধনা ব্রহ্মানন্দ ওই ব্রাহ্মনশিংন সাধনগী পাংলনা মিঙ্গেরেপ্পা হায়দোক্লকপা য়াথংনা উং ওইহুনবা ঙমই। যজ্ঞদা ব্রহ্মঅগ্নি শিংডিন্নবা ঙমই, বহু বিত্তার্থী ওইবশিংনা খুলাই ওইনা কাপতুনা য়েক্লবা জয় তৌবা ঙমই। তান্ত্রিক সাধন তৌবশিংনা য়েক্লবা মাংহল্লী, তৌনিংবা থবক কয়া ঙমই। যাদি তেন ওইনা কাপতুনা শিজিন্নবদা ব্রহ্মগী ফিরেপ স্বর্গী ফিংপ কাইবা য়াদে, অদুগা (সম্বরণ মন্ত্র খুমুক হৈত্রবদি মশা মাংবা ! অরাবা সংই। দ্রোননা-চার্যনা চেকশিন্না অর্জুনগী মফমদা ব্রহ্ম অস্ত্রবু সম্বরণ মন্ত্রগা কোন্ননা শরীরে দ্রোননা হায় অর্জুন অচম্বা মীগী মফমদা কাপকব তৌহৈদে। বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় রাজা জন্মেজয় নবুধৌ ১০৫ না বিদ্যা ভ্রমগী মনুং অসিদা, ওইখিবা নবুধৌ ভীমগী রাবী অমা লিয়ক্তে তারে।। কৌরব পাণ্ডবনা কয়া বিত্তা তম্লবকপা মতম অসিদা নোংমা গদাগাগ তম্মুবদগী ভীম মমুমদা চাক লায়া মাতামদা হলকপন্না হস্তিনা কাংতবু মপাদা কুব'ক অমা ভীমগী মমাই মপাদা। কাতুকাবন পাইবগা য়েংথংবা লেংবান্না তোংই, ভীমন। কাগে তাবদা অমুক পাইথোকখিহুনা কুবাকতু মিং মপাদা। কাতু কারুন পাইরমলগা থাওনম পাখী অমাদা তোংখ্রে। ভীমত চাকা লাম্বাহুদা কুবাক অহুনা অংনবিবসি হায়না থমুহুনা, পাণ্ডবদগী কুবাক হাংলগে মিংহুনা গদা হায়থবকই। গদাগী শউম মুংশিংনা পাইথোকখিহুনা অমদা অমুক তোংই, ভীমনা অমুক শান্নহুনা গদানা হায়খৈ, গদাগী মনিন্না অমুক পাইখি। মতৌ অম্মা তানবসি কুয়াকু চাংপা যাম্রহুনা কাংজৈবুংদা অক্তম কুয়াকা ভীমগা লৈনহুনা লৈবসি চুমিং য়ুংবা মতুং পুং অমা তাখরে। ভীমনা হাযবকই হে কুবাক তংবু হাংত্রিমখদি, সত্যনা শাখি, এ যুমদা লজিলরোই। য়াশকুনা ভীমনা তাংনকপসি, মুংশিংনা পুখিংনা কাংজৈবুংগী চিথৈ পাংবা মুলম্মা ব্রাহ্মণগী চেকপন্দা পাইশিনখি।

ভীমসু চেকপন্দা চোংশিন্নকুমা কুবাকপু তাম্রবকখি কুবাক অহু মুশম্মা ব্রদা। লাতবকপী ওমাং মমা মথাকংবদা হঙ্গাম থাংজিং মামবীহু ... দাম অমা থায। হঙ্গামত মাম্নসু ক, কুবাকতু পাইখিনখিহুনা হঙ্গাম পাম্বীদা তোংই, ভীম চাংশিন্দুনা গদানা হাবথবদা পাইথোকই। অমদা তোংই ফুই, পাইথোকই তোংই কুই, অম্মনা গদানা ফুংদকতুনা ... দাম অতমা তুমাল। ভীমগী শব্দ তাবদা মুশর্মা ব্রাহ্মণ ইমুংগী চেম্বোক্লকপদ মাগী হঙ্গামত পান্নবংই ... হায়রকই, কুকোবর ইপাগী হজ্ঞ কৈদোম অহুদি ; ঠাকুর সেবা পুনশিবনি। ... পাদভুনা মাশঙ্কলিথমো? ভীমনা হায় অজ্ঞা এন। কাংজৈবুংদগী কুবাক হ ... ক তান্নব ... নি। ... কপা পাইশিনখিওনা হজ্ঞ পান্নীদা তোংই, ফুবদা হজ্ঞ লোকখিবনি, অজ্ঞা কুবাকসু হংদি ... লোংরে। ব্রাহ্মণনা হায়, মাইমা গদানা কুবদা কুয়াকু শিরোই, চেক্রুক পান্নীহু অমা ফুরপা কম্ব শিগনি, ভীমনা চেক্রুক পান্নী অমা কক্লপা ফুবদা কুবাকহু শীরে। ভীম চেনশিনখুনা ব্রাহ্মণগী চরন্দা খুরুম্মী, অক্তা কুয়াক মুংশুগী ওয়াদদি এসি অজানা ওইরে তবাতীলক্লিনা কংনয়া থৈনাম লিংখোংদি য়াওকনে থবক ওইনা তক্লবগো, কদি কমৌ থামবরে, কাতর্ষবু। কুবার্তাসা হায় মাইমা দক্লিনাদি শাদ্রুদি, ইমাগী হজ্ঞত থৈবথম য়াংনর্দ্রুবহু

কমদোনি, ইপাগী ইংখোল্দি অতৈ এহাং মাপী অমা হোদে অহৌনা ৷ নিত্তিগী ঠাকুরগী সেবা পুনমিথনি। ইপাদি লাইরে ঠাকুর সেবাগী এহাং লৈনিঙাই পৈশা ,লিকোলসু লৈজদে, মহাকথক্তা ঠাকুর সেবা মুংপা তারে কমদোনি। তীম্মা হায়রৈ অজ্ঞা অদু ওইরবদি মনাই অজ্ঞাগীদা মিনাই ওয়ত্না লৈজবগে নিত্তিগী ঠাকুর সেবাগী বজ্ঞান শোয়দনা ঐ লাংজনি। অজ্ঞাগী হঙ্গাম অমুক থাহনা হায়গী অগমনা কত্রিকাওবা। অজ্ঞাগী থবক তৌহনা লৈজবগে।

সুবর্ণমনা হায় য়াইমা নংদি সিংথোমচানিমা, ঐগীদা সিনাই ওইবদি কোঙ্গংলোমদগী থেরা লাকওইদ্রা। এ- অজ্ঞা মাহু ঐনা য়ারগা লোইরে, ঐগী দায়িনি। করে যাম্মা ইপা ইচা লৈমিররসি, অদুদি অজ্ঞা মিনাইগী চাক থোঙ্গৎপিবো চাক ভাইবা ওইনা, লেপাক তোঙ্গগে .য়াংপা? অমা পিথু তীমদা য়োংপাক পিরে থৌরাণীবু চাক থোঙ্গৎহল্লে, ভীম লৈপাক তবা হোথরে ভোখাইবগা থুগাইবগা পোংথাবা য়ানবা ৷ মওংদা ওইরকই। তীমগী চাক অদু চেং উত্তোং তরামক চনব কোর্ফু অমা থম্বা থোডেড, চাক লোই- রত্তুনা সুবর্ণমানা য়াইমা চাক লোইরে থবক থারো, হায়া প্রসাদ ফডভথো ভীম থবক থা'ব স্নান তৌরে, তিলক থাবণ লোইহনা, চাখুমদা চঙ্ঙী :থৌরাণানা চিবি চিরি লাংজরম্বীবতু উবদা। ভীমনা হায়রকই। ইমা থৌরাণী চেং লৈত্রবরা ? য়াইমা চেং লৈত্রে, চাক ওত্তরোইত্রা, থৌরাণী কৌদি লৈরা য়াইমা কৌদি নিংঙৈ মচা অমা স্নামহি কাদা, থিল্লিবসি কৌ মান কুম্‌ যকমদং হাপচবি। অদুদি ইমা থৌরাণী চেং ওষ্মোরুসি, হো অজ্ঞা লেংশিল্লকও রা তানগদবা অমা পৈরে। সুবর্ণা চডকই। যাকমা কমিনো অজ্ঞা চাকথুমদা লেংশিল্লো, অজ্ঞানা থোংবিবা থৌরাণীনা থল্লগা চেং থৈবগী শরুক, ঐনা কৌ তবা হানবা তাম্রসি। ভীমসেন কৈদোনবা, অজ্ঞা মিনাইনা চানবা, তসিগী চধা অমগীবা বাইমা, মাম্রি অজ্ঞা, ভীম তমগত্রা, অজ্ঞা পুক থাঙৈডদদি থনবগী য়াদি থনবিগন্থ, লৈত্রবনিনা অসিনা পাংনবা লেল্লাস হায়জমিবা। ভীম য়েংলগা সুবর্ণনা হায় হকেঙ্গিদি কদোবা য়াইমা। অজ্ঞা হয়েংলীদি ওত্তু ইপা ইচা চংতুনা হোল্লুসি বৃকোদর কদাইদগী, অজ্ঞা য়াম্মা নকনা লৈ হয়েং ঐ চিংজগে করে য়াইমা ৷ ইচিমা ইপা ইচা লৈমিররসি হায়থ্রবদবু চেনবা হোমবা ? মুংলগা মুৎ মুংতাইরগা য়ংতাই, ইপা চাকথুম চঙলগে কৌ তরুরো। করে অজ্ঞ তসিগীদি পুম্না হুমিদাং ওইনা ফংলসি, কৌ তরুরবগে হাররম্নগা নিউেহ্ কোন্দুনা থাংলোল্লগা লমম্নাইদা লোইনা হৈদোল্লে চক্রি পানথৎতুনা কৌ তকপা হোদ্রে।

ভীমনা তোরিব মত্তোঙ উবদা থরগা পাথৎ চাওবনে জ্ঞান তাত্রত্তুনা থৌরাণী হেমাবতী ভীমবু য়ুম্না য়েংলদা ক্রং-ক্রং চোংহনা কপলে, কদাইদগী ঐখোইগী অভাওবা অজ্ঞগা, মীনা লাইনা লাকবা তমত্রবা ভীম মংগা ভিত্রহনা, ভাওমিরবদা ইমাদি মাংবা তারে। চহি অমগী থমজবা ,কৌবু চবা অমদা লোইশিন্নবদি, কমদোনা,সেবা তমগনি ইবুঙো য়াইমা, মিনাইসু ওইবিরসু থবকসু তবিরস্থ, লেংথিথরো য়াইমা হায়হনা কপ্লে। ভীমনা হায়রকই, ইমা থৌরাণী য়াবীগসু হন্দক মচা ভীমনা ইনাক থুলহনপনি, ঐনা হায়জবদা য়াথিবু হায়হনা। ভীম কৌ তকপা লোইখরে। থৌরাণী থোল্লবা লাইগী লোত্তরি থম্মনা। কৌ থপলে ভীম মচা অমুক য়েং চেং য়োইদ্রে থৌরাণীনা থৈবা লোইখরে, সুবর্ণানা থোংজনা

ফমিং তাবা মতমদা থোংবা লোইখি। সন্ধ্যা আরাতি তৌরে লুক কংদ, ব্রাহ্মণ ব্রাহ্মণী লেবা লোইরহনা ভীম কুন্তীগী মহাপ্রসাদ কংলে, পানা চানরে। স্বর্ণপর্ণনা, হায়রকই ভীমসেন ইপাদি নখি চাকয়ম থোংবদা পুখিৎলে; চৎলে কংনবা চেং মক অমা তাম্মে কদাইদগীনা, হোয়্ নদোমিনা ? অঙ্গা ইমাথৌরাণী কৌশল্যা রাদলকা ওং ওইনা হোয়্ সি, চক্লা লেঙ্গ্ রগা থবক তৌবা নংনবা খুনা হায়কদবনি, অঙ্গা রাঙ্গোই ঐনা পুক্কগনি ঃ ভীমগী ব্রাহ্মণীদা হায়রকই ইমা থৌরাণী, হয়েং চেং হোয়্ নবা অথোং থাও ২দং ভুমি, ফি রেক্কুম নং পুথোকপিরকই। থৌরাণীনা ভীমগী থাও অচৌবা ২খুক তুমা লোইরহনা। ঙৈযাদা পোথানরে নোংজালে, অমশুং ভীম স্নানক্রিয়া লোইরে। থাও অহু পুহনা থোরকই স্বর্ণপর্ণনা মপা কদোম চংকনি, ভীমন অঙ্গা ব্রহ্মপুরসিগী মুডাই মুডাইবা। মুমথোং মশা তন্দং চংলি, অজ্ঞানা চিংবি। ঐখি খঞ্জদে স্বর্ণপর্ণনা হায়রকই যাইমা কবি হায়রমগদবা লৈবাগী হুরেন কোনা হায়সি চেং থানা হোয়্ বিসি, ভীমনা অমুক হায়রকই অঙ্গা চেং লৌকনবা মখা থরিবা তসনা, স্বর্ণপর্ণনা হায় যাইমা কম্পৌরিবা ভামনা অঙ্গা ভিক্ষা তৌরগদৌরিবা স্বর্ণপর্ণনা হবি হরি ওসি ইপা ইচানা লাকইবা অসিনু। নংনা চেং হোয়্ সি হায়রহনা, কোশুলগী চেংগৈদগী ওইরবোর নিংথনা ইপাদি হরাওনা লাকও, ভিক্ষা তৌগদৌরবা ওয়রে। ভীমনা হায়রকই অঙ্গা কোংজি চেংগৈদি এথোয়না শোকউবা য়াদে, ইপল মহারাজ ধৃতরাষ্ট্রনা ইমা ইচা ঐথোয়গী চানবা কাওবা নিতিগী বক্তাণী ওয়গা পিরি। চেং মক অম কাওবা পাথোকহন্দে; অহুনা লাইরবা ইপা হচাগীদি ভিক্ষা নিংগা লোচরেনা অঙ্গা অগুবু যাইমা ইচাগী নবুক্ক, ভিক্ষা দ চেং থর থনমক হাপলকনি কমদোবা তারি, অঙ্গা মাহ্ মক মত য়েগনি মথোইনা পিত্র হাপলবদি, ঐনা যাম্না হাপচনি রাখিরুম। স্বর্ণপর্ণনা বৃকোদর নঙ্গি নবা অসি ইপাদি জ্ঞানবু তাক্লেদা, ভীমন এ-অঙ্গা মাহু হুনেন শুমাং রৌরগা ভাব তারিনি, লেংদা লেংশিনবীখ্। স্বর্ণপর্ণগী ভীমগী থোংঙাল অমদ খঙচকুনা, তমা দা স্বর্ণপর্ন হায় কুক ভিকা চেং খবদ নিজরি, ইমুং অহুগী মৌ অত চেং উতো অমতোমদা, ভিক্ষা হাপকদবগী পুথোকলকইবনু উই। ভীম অহু উবদা মিমং নারং য়েংহনা মনিংথোংলোমদা চংখ্রগা। ইমুং অহুগী লিথাইরক অমদা লেংফুদগী চেংহু লোংনা হৈরোরে। মগু নৈরবা, থোংক্রম, মাইরেন, থামেন লৈরম্বা লোইনা লোবগা হাপচিন্দুনা, পুথোকলগা ভীমনা ঊফিং তৌজ, স্বর্ণপর্ণনা থাও মচিন পায়হনা ম্যারগা ভীমন হৈরিজি। রাহৈদি অঙ্গা ওসিগী অংবা থরং কচ্চবা অসিনা, কুন্তীগী লুক হৌবিক হংবং ওক্তা লেংবিরকউ হায়রগা। ভীমনা থাওহ লেংবান্দা হায়পংলগা। মাং থায়গা থোকখ্রে। ইমুং অহুগী মৌ অয় ওক্কুনা লেহৌই অসুয়া ভিক্ষা চংশসি, মুমথো ১০ মকম চংবনা ভীম মপোং কাবহনা অঙ্গা নেতসি হায়রনা মমুমদা হজিলকই ঃ ভীমনা ইমাথৌরাণী লুক হৌবিরক্কো হায়রগা ব্রাহ্মণীদা শিনরে, ভীম খোংপাক পাইরনা ইংখোল তৌবা হৌখরে, ব্রাহ্মণী লুক হৌরকই।

ঠৌরাণীনা লুক থোনা লোইরে, স্বর্ণপর্ণনা কুন্তী লুক কংপা লোইরে, ভীমগা মহা প্রসাদি কংখিররে লোইবগা হৈপানা চারগা এহাক পোথানরে। ভীম অহু হমক ব্রাহ্মণ ন্যাইরবসি লেপ্রমলঙ্গু খনুনা স্বর্ণপর্ণদা হায়রকই, অঙ্গা ইংখোল-অসি লেকপন শাংথোং লোইনা লেমলয়দগে। লৈরক্তাইরবী থোং

থাং শিংজং যায়া য়াইরম্মু, ঐ ববকশুনবা মী লোক্তরথিগে তাঙ্গরমলগা ভীমহ্মু মী থোয়া চংখি। সুশর্মা খুৎসু খুংলাই য়াম্না য়াউকরে। ভীমবা লৈকাইগী নহারোন ময়াম থোমলহনা পোয়কলগা ব্রাহ্মনগী চেকপম লাংখোং তৌথংপা হুমিৎ অহুদা লোইখি। ভীমনা বিত্তা পাম্বা নহারোন পূকচেল চাওবা কয়া থোয়গৎলহুনা লৈত্ত লাইরি অসোন অমা কয়া?, উপায় তৌখি। লৈকাইগী লপী থোং লৈরক খুলক ককনা সেবা, ময়ামগী পাজল ওইনবা লম থাইগকহ্না পৈবা। দেশ সেবা তৌব অসিগুম্বা নিত্তি অসি হোদোকত্তুনা ব্রহ্মপুরগী নহারোন ৫০০ রোম খোমগত্তনা ভীমনা লেমগংলে। কুকপী কুপা লৈবা মশাগী ওইজবা থাদোকপা ভম্বা। ভীমগী গুণনা মরম ওইহনা মী পুম্মকপু অপাম্বা পোকহনখি। ববক ওইন পাংখোক্লে থল্লুনা ময়ামদা ভীম্না হাবকই, নহারোন পুম্মক তারো। নংখাই ঐখোইনা মজবা পূকচেন, তৌবা ভম্বা ববক থৌনা কবা, লিংজেন্না ময়াম মায়না অপুম্বগী পাজয়া গুবা ববক ওইনা পাংখোক্লগা উৎসি। অহু ওইরবদি মীয়ামগী পুক্নিংবু চিংশিনবা ঙমগনি, অহম তৌরংদি প্রজাগী অয়াবা লৈ৩ লাইরা কোক্কুনা দেশগী চাওথংপা ওইগনি। ময়ম অসিনা হন্দক্তী লাইরবা সুশর্মা ব্রাহ্মন অসিবা সেমগৎসি। মসিগী মরমদা ঐখোয়গী অপনবা লিংখোগী দগী লাকপা পুম্মক ভীম ঐগী মায়ি ওইগনি। অসিগুম্বা ভীমগী পাণ্ডাকপু লোইনা য়ামদ্দনা লেপ্পখরে, ব্রহ্মপুরগী যুমথোং থুদিংগী নিথা, হায়জবা চংকুনা নহারোন কয়ানা লন থাইগংলকখি। ভীমনা লুচিংবা ওইহনা গুরকপা ববক হাগুব শামবা য়ুক্ষম, মন্দির বৈথোপ য়াংহ্লোশং, যুম কৈ শিঙ্গে শামবা মকম চানা চানা যুক্ষম থোক্লু। লইয় থাবা রাই তৈবকাওবা লোইশিল্লে। ব্রহ্মপুরগী ক্লুজাই য়াইকাশংনা, ওয়কপদা শানবা লাংহ্নমা থম্বা, মাওবকি যুমকৈগী মচাক মত্ত য়েংহনা য়েংহনা লোথংপা হোবকই।

মরোথংত্তি মপুণিংদা কুমশি শারোইদবা ওইরবা৫, অমুক ভম্বা লাংসি হৌজিক অথুবা শাবা সুশর্মা ব্রাহ্মণগীদা হাপবসি হায়হনা প্রেমদত্তী ওইনা ভংনা নহারোন ময়াম পুরক্লুনা হোনখি। অম্রুম্না মচাক পৈবা লোইবদা মীত্তি ময়াম থোমগত্ত মা থাএ এনগৎলগা শাবা লৌগৎলি, কাংবু অমনা চান থক্রবা চেং হয়াই, ঘি থাও, ইপ্পাং মনা মাদং লান্সিং থাইগৎলি, কাংবু অমনা ববক গুই, বুক্সারি কয়ানা থোংবা নচারোন কয়া কয়ামা সেবায় পুরি। ভীমনা তৌরকইবা ববক অসি ব্রাহ্মণী ব্রাহ্মণ ভকল, লৈকায়গী মীয়াংদ দকরে, ব্রহ্মপুরগী মীয়াম 'ভিয়হনা থয়রকপদা ভীমগী কাংবু নহারোন মথেগা অহনলোনশিজা নাকপাক তানহনা য়াইতোং অহনশিং চেনথংলক্লুনা অন্ধাবাজাদা য়াকথখি। ধৃতরাষ্ট্রনা ভীম ফাগৎলু হায়হনা পাত্র মত্তিমা অকন অথো লাম্মী ২৫০ রোম পুহম্না লাক্লে। ভীমবু নিংথোগী য়াথংনি চৎসি তায়কবদা ; এ—ইপুংখোই য়োবিরকপা হুংভাইবে। পাবুং মহারাজনা ব্রাহ্মনগী ববক লোইশিল্লবা। থায়কপনি ভসাইনা মরুংদা পাও থুংওরবনি ; ঐ ভাইহনা লৈরবনি। কিয়োব হোংদোকপিরো থুলাই পুরকত্ত লাওথিবদা ভীমগী কাংবু সেবা দোলগী নহারোবশিন্না হোংদোক্লবা কিয়োন পিরে, থুংত্ত খুংলাই পুশিল্লে। তৌরমইবা ববক নহারোবশিংগী কজরিবা মওংশিংহু উবদা চক্লহনা ভীমগী ভম্বা কিবগা মখোয়হু ববকওবা অহম য়াওরে।

য়াসি অঙ্গাবুজানা তারহনা ভীম দ্রোন কৃপ কৌশিক্নুনা দরবারদা থগরক্লে। ধৃতরাষ্ট্রনা হায় মরুমৌগা গুরুদ্রোন, আচার্য্য কৃপগা তেঙ্গোল পুহনা অমুক্তা লেংখিরগা, ভীমবু কাপথপিয়। থবক্তাবক-চৌরবদি লৈপাক অসি ঙমথক মধা ওঙকপা ভারে, অম্মা রাজাগ্যা হায়রকলবদা ভীম দ্রোন কৃপন্দা লুচিংহনা লাম্মী অকাহিনি অমা পুহনা চৎখ্রে। সুশর্ম্মাগী ভাগাদা থুংখরে, "ভীম দ্রোন কৃপ" লেংগল-লবদা ভীম চেম্বোক্নুনা মডক্তা ফি য়েৎলগা দণ্ডবত ভক্তিমা থুরুমচরে। ভীম দ্রোন কৃপ গুরু অহুমদী আসন, হায়রকপদা সেথাগী নহাবোনশিংনা আসন কংলি ফত্তিকচানা লেবা লাক্লই, ভীমনা হায়রকই বৃকোদর নং ঠাকুর সুশর্ম্মাগা ত্তিম্নরগা লমহেল্লবা নহারোন থরগা, কাংবু অমা শেমগৎলুনা ব্রহ্মপুরগী লুমথোং খুরিংগী লুটপাট তৌবনা পানবা ভদ্মোইদোর হায়না নংগী নখক্তা নয়ান পিহনা থাকৎলরে। অহুগী দমক নংবু ফাগংলু হায়হনা পাত্র মন্ত্রিশিং থাখিবা ফাওবা নংনা ফাওনা থবক শিক্তিনহল্ল লৈরে হাববা থাকৎ অমত্ত লাক্কই। মরম অহনা রাজাগ্যা লোইমহনা ঐথোই লাকইখনি, নংদি হৌজিক নিংথৌবু থওইদনা প্রজাগী অশান্তি থোকহনবগী দণ্ডী ফংবা তারি, পনবা য়ারবোই ভীম য়োরসি। ভীষ্মগী রাহায় ভাবদা ভীমনা হায়জৈ, ভাবিযু ইবুধৌ ব্রহ্মপুরগী মী কত্তবা কাংবুনা পংহায় হায়জিনবনি, যেংবিয় ওদি মসিদা গুজরিবা সেবা তৌজরিবা মহারোনশিং অসি ব্রহ্মপুরগী ছাত্র ওক্তনি। মথোয় অসি দেস ভক্ত প্রজা সেবা পামজহনা সেবা শওব হায়বা সংস্থান অমা শেমগৎলগা, লাইর অনং অসোন অমা কয়াগী উপায় ওইহনবা ময়ারগী মতেং পিজিন্নগা সেমগৎ শাগৎপগী থাক্তা চৎশিন্নকই। লাইরবা অজ্ঞা সুশর্ম্মাগী গাদি য়েংবা মুংডাইক্রহনা ময়ামগী মতেং পিশিন্নগা ঈশ্বরগী মন্দির মাগুর অসি কংথক্লি হায়না ব্রহ্মপুরগী অয়বা কয়াদগী থাইগৎনরগা শাগৎলি, মাসিবু নত্ত ভীমসু কৃষ্ণ প্রুভি ওইগত্রা থন্দুনা; অমসুং প্রজা সেবা পামজবসগী মাওহনা হোৎনজক্রি। শাগৎপসু লোইশিন্নক্রে. ইবুধৌ গুরুদেব আচার্য্য গুকনে অহুমক্তা য়োবিবকপা ননাই ভীমদা মিংবা থুংজরে, অইগবিগী মন্দির মাগুর অসিদদি লোইশিন্নগা হোংবিরম। ভীমগী রাইে অসি ভাবদা, ভীমনা হায়রকই, গুরুদেব ভীম্ম ইহনা তৌজরিবা অসি কৃষ্ণসেবানি। হরিমন্দির হায়বসিগী গুণদি, পরা পরৈ অমত্তা ওইরবগ পুরুষা থৃবাক অমত্তা ওইরবস্থ মাই তৈজরথা মী অহুনা, পাপ মনা তৌরমলবসু মীহুনা শিরবা মত্তুদা বিষুগী হুতনা থুং পারহনা বিষুলোক্তা পুথংগী হায়হনা সাস্ত্রনা হায়রি। মরম মসিনা ঐথোইসু পাপ থরহং ওইরবসু কোকচনবা য়াওশিন্দুনা লোইরমলগা মন্দির মাগুব অসি হোক্তমসি। দ্রোননা হায় ভীম্ম নেংবা হৌগৎলক্লিবা অশাংশিং অসিনা কৃষ্ণ পৃত্তি ওগবা থবক্তা অমসুং প্রজাগী শেবা দেব ভক্তা, ওইবা.লম্বিদা থোং থাংলিকইবা অসিগী পুক্রিং থৌগৎপিবা ওইনা ঐখায়সু থবক তুবা য়াওশিন্নসি, অমসুং লেপ্লহনা ভীম, দ্রোনাচার্য্য, কৃপাচার্য্য, মবকওবা যা প্রিনখ্রে। চুকাং থাজিনকপো কাও, মথক কুম্মা, য়াইবৈয়া শাইকক্পা মামা মান্না হৈবা শিঙ্গি হৈখনা কিশিমী ,থবক, হৈত্তবা কান্নবুনা জুগালি এই , মী য়ানবা ওজিককপদা পুমলোই লোইমিক্লে। মন্দির মাওমতু হোংলে, সুশর্ম্মা মমুম লাক্লরে, থবক পুরবক্তু লোইশিনবদা, ভীমনা লেপ্তই। ব্রাহ্মণগী কৈগুমদি মহনা থাবে, য়েবা চৎনবা মৌগি মাওনা, ইয়াং

হাংখয় টমদা হুংজাইরমায়ে, ভীমনা হায়রমকই। ভীমসেন অসি য়েনা হোৎনরক্লবদা, ব্রাহ্মণগী কৌশে অসিনা ইহাং হাংনো থমগা হুংজাইতে ; ব্রাহ্মণগী সেবা চৎনবগী চহি অমা কোয়নরা ব্রহ্মপুরগী কৌ পৈবা খুদিংদগী থম থম লৌথৎলগা। সুশর্মা ব্রাহ্মণগী কৈ অসি কোহাল্লখগা হয়েংগী ডরবারদা অওনবদা নংগী অজ্ঞা সুশর্মগা লোইনত্থনা কারকউ। ইপুথোংই ওসি য়োখগে, অস্থা ভীমনা বিচারগী হুমিং লেথু্ন ব্রহ্মপুর লৈকাইগী য়ুমথোং খুদিংগী চে য়েনহনখ্রে। ভীষ্ম, দ্রোণ, কৃপ, বিয়াম পুংনা চংথি, ভীম গুরুজনবু খুরুমজ্জুনা লৈহোরে। ভীম সেবা শক্তগী নহারোন মরাম পুবগা ব্রহ্মপুরগী কৌ য়ায়া পৈবা য়ুমথোঙগী য়েংচমা অহেনবা থরা থরা লৌথৎলকপনা। সুশর্মাগী কৌগে থমা হাপথরে। সুমিদা অহু পোথানরকপদা ভীমনা হায়রকই, অজ্ঞা ব্রাহ্মণগীকর নবরত্নগী মচুংদা অশাবা অহত্তং থনবিস্থু ? মরেং কৎখিন্দোকচগে। সুশর্মানা হায় ইবুংঙো য়াইমা ঐম পামজবা কমদি, বেবষ্টাকারি হায়বা কম অসি য়ায়া পামজৈ। ভীমনা হায়রকই, অহু ওইরবদি হায় সি অওনবদা বেবষ্টাকারিগী আভরন য়াইফিনাই লৈগদ্রা ? য়াইমা লৈগনি। ফরে অদুদি ইমা থৌরামিন আভরন ওনা য়াইবিস্থু হায়নরগা পোথানথরে।

মোং ভাক্লে প্রাতক্রিয়ানচিংবা লোইরগা, ব্রাহ্মণী ব্রাহ্মণ বেবষ্টাকারিগী আভরণ য়াইফৎনা, পুজারিশিংনা লুক হোবা লোইহুনা লুক কংলে। মরাম পুংনমক মহাপ্রসাদ কংবা লোইনরগা মাগী মাগী দরবার কানবগী থৌরাং ত্তোনরকই। ভীমনা হায়রে অজ্ঞ বেবষ্টাকারিগী আভরন সেক্কংশিনো, সিদগী হোৎনা কম খিন্দোক্কুনা দোলাইদা তোংলগা লেঙথৎলগদবনি। সুশর্মানা হায়রকই, ভীম ইন্দ্রজিৎ ঐ থোয়াংত্র বলি লোইশং য়োবা ভীমনা হায়রকই ; অজ্ঞা কম ওইবমদায়দা থংমায় চল্লবিগনু ? থৌরাং লোইবি য়া থেংদনি। সুশর্মা থাদেনচংপা য়াখুজি, তাল, য়েশোন কুবিং শাইজানবা লমহাং খুনক, লৈংজংবা লোইরে। খুদৈশেল কাওশেল সনারোম্বা হিদাকফু ভাবক, জেংনৌ শাবা তোংজৈ থাবুম শাবা, লোইনা পানথৎথরে। দোলাইদা করাংজি ফিবুম থাচনা সুশর্মা দোলাই তোংলে, সনাগী খুজাই, লুপাগী চাইশেল, মনিগী থাগোক য়াওরে। ভীমনা পে থায়ে, সেবা সমিতিগী নহারোন ছাত্র হেনিংলেবশিংমা কিয়ান মচা অমমগা পাই, মাংদা যন্ত্র বাজন তৌরগা জয়ধ্বনি লাওরদুন দরবার কারকপহ ভীমগী খোলজাও অহনা গুরুদেব সুশর্মা বেবষ্টাকারিগী হায়না লাওরগা। নহারোন মরায়া জয় ওইয়ে হায়দুনা কয়া খুয়গা কারকপা অত শরোক অকা অকুম থিংদুনা য়েংনৈ। সুশর্মা বেবষ্টাকারি ওইৎবোইরে লাইৎক কৈদা হায়না থাগৎনখি। দরবারগী থোংজিন মরাদা গুরুদেব বেবষ্টাকারিগী জয় ওইরে হায়বা থোজাও অহনা জরবার লভাহ পুৎনি মিনখ্রে। দলাই-থাখে ভীমনা কিদা খুক্লনা দরবারগী থোংজিন কাশশিন্নকপদা ভীমনা এ অজ্ঞা বেবষ্টাকারিবু জয় জয় হায়না লাওরদা গ্রাজ সভাবু খুদম্মী, ধৃতরাষ্ট্রদি মায়ং ভাংথনিনা গুরুদেব বেবষ্টাকারি লেংবিরক্রা হায়রকই। ভীমনা লেপত্রে হায়না খুমথি, অতয়াজানা দণ্ডবৎনা খুরমলগা বেবষ্টাকারিগী কমকমদা লেংশিনবিয়ো হায়রকই। য়াজকজা কংলবদা ভীমনা বেবষ্টাকারিগী কমকমদা কিদা থাবে, সুশর্মা ব্রাহ্মণ কমথরে। ধৃতরাষ্ট্রনা ব্রহ্মপুরগী

মাকৎপিবিব অঙ্গাশি প্লবদি, তং ম মাংক্রে, মবুগীন বিংব কবিব য়াব নিংয়ংনা। অমদা বিংব পোকিনবা লাংক্লে। তাঙ্গা অহনা বরহ্মাকাশি বাম অহুম থুঙলে, সত্তা থুকমী মাগী ফিং মকমদা সুগনা মশিবহ উবদ। থমোইংাই শা হায়বকই এহাং জকংব ধর্মনো ইবুকম লোথা হায়বস্ত্র তাকপীদনা। এগী ইহ সুগম নুংঙাংবি মপি ঐগী ইরনকপি পবাংয়ে। তাকপিয় বেবটাকাবি ব তাবদ অহ। চক্রংন হায়বকই, অঙ্গব ত গ যোংশ ক্লিববা পেই মহ শক্তি হঙ্কিক মাঙ্গরকি নিংোন হ যবকত ন চশাই বং কাব তঙ্গবব হবদ। লোংঙক্লে হাযনা থুমকপদা দঙবংকংন। বেবগাক মিমদ শন শাস যাখবা। ইপিল্লা হামবাবা য়াবু কমাদ কোনদাদে বেবম্ভাকাব অত্রোনা এন ককপদন কনু বন, অজ্ঞ মহংগুম ওহায়ে ওপম। তাবি। সুগম অক্সান শি পবেবত্রাকা এপসন, তাঙ্গা অহুদা ভমন হায় তাবম পাবুংহন মগাবাজ, লাইবে সুগম অঙ্গবু মতো নায় অহঙ পোমগ চনি বদগী পা হয় হংবিনকপদ নচ না বেবট্রাকারি লা ক ; ওজচ্ছকবগী ম হ যাদ্রে সংবাবদি বব পাবু হনগী ম বু, নচ মংম পুয়মক কোকপঙ হাংনা। পুজগান হাযরগা হ দগুমত হাতুমা। থুক থ। থুক ন ভমী শাদ শরংন হায়নহই মহদদ এ খবা লে তাবকম হাঙ্গী শি বম, চচাী শবক ঋচঙাশ চন য়াব অ বু, তপন হাপকন। এগী অহ টবদ বেবাবি মহদু মগয়াত শাবপ্রভুৱা হায়রকই মান ী পোশিববু এ ান হঙ হং। চকমগু লোমাকপা ব এগীদি বিতাবদ য পবিবাম্ন সুগম অঙ্গ া কচ্চব লবনি শাররম্মগা দনথ। বেবংকবি ব্রাহ্মণ অংশী দমি পোংখুবশ, বিতাশ তৌব া ি ভুন বাঙ্গ পুম্নমক। ভীম্মা হায়রকই। কংগালিদ নীথব এন পুম্নক হগুন বাঙ্গা লাইবব নমক পোমগংপদ বাঙ্গবর অঙ্গা সুগমাগী সম তমি কাহংনশংসি। ব্রাক মঘাম ান হায়বগুপে ইন শিংজং গ? ভীম্মী রা ভ বর। বাজ্ঞ মযাম থঙ্গবদ তামবু কিবদ মহুদ শয়নাইবা শঙ্ক বাহনা মমান থাক পিরকত্র? ঙনবদী কংশাবসি লপনাশ। ব্রহ্মসভান শা ব অজ্ঞা অহয়া কংনস শহগুয়া ঐখোইগু বু পুং ংনেব এচ সুগর্ম্মদা লোপন কংগাকচাপ শি বিবগ তাঙ্গা অহুদ ভীমনা হায়রকই, ব্রহ্মপুরী অজ্ঞাশি মতুংদগু লাইবব বাঙনগ্র দ ব লোক হক পিরকচ। অঙ্গয়া বিচার পার্যাল দুনা দশার কুয়থংর মতুংদদি ব্রহ্মপুরগী ব্রাহ্ম শিং পাযবশি ন ভ মদা চাকউগত্র কিনবদগী। লৈত লায থাযনহন পানখিরখশ। অসিংগ আশি পরবা বান অশি তাএবদ, পুন্যাগী মশরি বদ বাসনা লেঙমব তাবঙ আদিগী কথা তোয়ব শহংরগী মনাই শ্রীকৃ মাহন শ য় মা। শ্রীকৃষ্ণ চরনবু কোক হাপচহুনা. মীতৈ ইমাপোন্দা ইজবসি অপোয়ব কয়া ; বফব সমাত্রনা চাকপীমি নিজৈ। হতি হরিবোল হরিবোল হরবোল। মতা অসিদ শ্রীকৃষ্ণ কন শম্ভু গা জীবিরম্বা শহ ক লোযগয়ে। ইতি।

---

* ব্যাধা ভীমনা কুমাক তানবগী মারী অসি সুগম। ব্রাহ্মণ লায়রবম্ন পেমথিবা অসি জৈমিনি মহাভারতকী মতনি। ইতি।

অধ্যায় :—

কর্ণনা পরশুরামদা খুৎলাই তম্বগী ৱারী মতাং ॥

অধ্যায় অসিদগী ৺শ্রীএলাংবম মধু সিংহ ৱারী লিবা পণ্ডিতনা ইবিরম্ব' ৱারি শৈরেং মতাং অসিদগী হৌজরে। শৌনকাসিংবা মুনিশিংনা হঙ্গকই হে- সৌতি? কর্ণনা পরশুরামদা খুৎলাই তম্বগী ৱারী লিখো। সৌতিনা হায়রী তাবিবু ব্রহ্মসভা, মহাভারত তাবিবা জন্মেজয় নিংথৌনা হংজরকই; মহামুনি ইংথৌ কর্ণনা কমদৌনা ভৃগুরামদা খুৎলাই তম্বিখিবগে? অমুক্তা লিবিথো। বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় তারো নিংথৌ, কর্ণ মমা মপাদগী বিদায় লৌরগা চেংজন পুত্না চৎখিবনা। বদরিকাশ্রম য়ৌখিহনা, শক্যাবেশ বামগী চরন্দা দণ্ডবত ভক্তিনা খুকমই, শুকদেব ননাইবু গুরুদেবদা বিদ্যা তমজগে লাকচবনি। চানবিহনা, বিদ্যা দান পিমবিযু হায়জরকই। পরশুরাম ধ্যান লেপ্তুনা কর্ণবু চিংনা য়েংই, কর্ণগী মীওই উবদা বামনা হায়রকই। নিপামচা নং কদাবদগী লাকপনো? নঙ্গি মশক মতৌ উবদা ক্ষেত্রি মচা মাল্লি, ঐদি ভীষ্মগী হাকক্তা নিংথৌ মচাগী মাৎ অসি খুৎলাই তম্বীথ্রবাই হায়রম্না বাশকখবে। ব্রাহ্মণ ঐখাই লাইমিংবনি ব্রাহ্মণ তাকত্রবদি হবি ফংলরোই নং কনাগুম্বা ওন। অমদা তম্মুরো ঐদি তম্বীর'বাই, গুরুগী বা তারবদা কর্ণনা হায়রী। ননাই ঐদি ক্ষত্রি মচা নত্তে, জাতিদি সুত্র মচানি হস্তিনাগী সুত্রনগবদা লৈবা, সারথী ওয়বা অধিরথনা ইপানি। রাধা কৌরীনা ইমানি, ঐগী ইমিংনা কর্ণ কৌই; গুরুদা, খজিক্কুং মিনমনবদি সত্যনা শাক্তি ব্রহ্ম বধগী পাপ ফংগগে, ননাইবু গুরুনা অমুক্তা পোকপিয়ু। কর্ণগী অচেৎপা বাশক হায়রবা ভক্তিদা পেল্লহনা, পরশুরাম তম্বীবগে হায়না য়াখ্রু। কর্ণ ওঝা বরিজহনা ব্রহ্মবিদ্যা তথা হৌখি বামনা তম্বীবগা ক্ষাবগা মাপম, কাখ্রবা কাওবা লৈতে। মতম খরগী মনুংদা বিদ্যা পুম্নমক শুনা তথা লোইখরে। কর্ণগী শক্তি উবদা পরশুরাম ৎকখ্রহনা। পরিক্ষা য়েংলগে নিংঙনা নোংমা অমুক অতনবদা, কর্ণবু পুবগা বাউ মগুরগী গুহা উদরা গিরিগী চিংদোংদা থুগ্গ্রব। কর্ণদা লিকং তেন পিরগা হায়রকই, কর্ণ লিকং পাম্বযু তেন অসি মমাই নোংচুপ ওন্দুনা শিসাম থারগা। মঙ্গি নপাজম্মা লৈবমখৈ লিরি চিংতনা কাপ্পু। গুরুগী য়াথং ফংবদা কর্ণ লিকং তেন লৌরগা। লিরি চন্দুনা তেন অহু জুরিবগা মমাই নোংচুপ ওন্দুনা, লিরি নাংশং থানা চিংলগা তেন থাদ্র। কর্ণনা কাপখিবা তেন অহু তেজিন্দা মৈ ক্রি ক্রি কামহনা। পাইখিবনা মস্থাচল গিরীগী চীংয়াংদা তেজিন য়েশিন্দুনা থাখি অস্তাচল গিরীগী চীংদোন মিকথি। কর্ণগী শিচিং শিথা কনথ, শক্তি অসি উবদা গুরু ওল্লহনা। কর্ণবু পুরগা শাশ্রমদা হল্লে। আশ্রম য়োরবদা গুরুনা কর্ণদা হায়রকই, ইপা ইসা গঙ্গাদা স্নানতৌকসি, কমণ্ডলুগা নখি নপোংনচৈ য়োইনং পোরকউ। কর্ণ কমণ্ডলু অমসুং মপোং মচ লোইনা পুত্না, গুরুগী থৌগন ইন্দুনা গুরু শিষ্য অনিমক গঙ্গা তম্মা লাকই

পল্লা য়েৌক্রিডে নমথাংদা ওয়না, কর্ণগী শক্তি কয়ামুক লৈবাগে থডনিংলদ্রনা হায়রকই। কর্ণ ইপা য়াম্না তুমনিংলক্লে, বং কম্মূ নজি কৈবোমদা মোন থাংদ্রমা ইপা ডহাক্তা তুমখিগে, ইপাধা মিকপ থোক্তুনা হৌগংলকত্রিবমখৈ নংমা ঐবু হৌদোকমু, লেংদনা ইপাগী থৌগল তৌগদবনি, ঐনা হায়বা অসি লোইরবদি গুরুগী শাপ ফজনি।

গুরুগী য়া তাবরদা কর্ণ মমাই অম্রাং পাংনা থোংগ্রাই চঙ্দুনা থমগে, গুরুনা কর্ণগী কৈবোমদা মোন থাংদুনা কোক নোংপোক ওন্দুনা যোগাসন্দা হিপখ্রে। অদুম তুমখিবদ্রমা থা কয়া হৌখিদ্রনা। বর্ষা ঋতু লাক্লে মাঘ স্নান মতমদগী তুমখিবনা। নো জুধা য়েৌরক্লবা কাওর্বসি কর্ণ গুরুগী য়াথং চাক্তুনা হাপ্রি পুরুষক লাকশিন্দুনা হৃদি পদ্ম আসন্দা, শ্রীহরিবু লিংখৎলগা। আত্মানা চেংনা হরিগী চরনবু কোক্তনা যোগদা কয়গা লেংদনা গুরুবু থৌগন্দুনা লখি। নোংমা কাক অমনা পাইবকপদা কর্ণগী মাংদা বিষ্টা থাদরম্মী, কাক্টী বিষ্টাদা জাম মরু অমা য়াওদ্রনা লৈবাক্ত তাবদগী, পোথাইবক্তুনা মরোন চোংলে। জাম অহু হৌরকপন মপান্মী শয়রপ ফারক্লনা, মপান শারে মহৈ যান্দুনা যুক্লে মতম অহু য়েৌরকপদ গুরু যোগনিদ্রা ওইখিবত্ত হৌগংলক্লে।

মতম অত্ত ফাওবক্ত কর্ণন গুক্লেং লেংদনা থৌগল্লবত্ত উবদা। গুরুনা চংই কর্ণইপানা তুম্মুবা অসি মন্ম কয়া কুইরে। তুমিং মশিং থাশিং থবিওবরা? কর্ণমা হায়ই গুরুদেবনা চেপখিবা থা তরুক ওবদা কাকনা বিষ্টা থাদবদদা য়াওবা, জাম মরুনা হৌগংতুনা মাংদা পাল্লিবা অসিনি গুরুনা য়াথল চৌখিরো। কর্ণগী য়া তাবদা গুরুনা কর্ণবু চিংখৎতুনা গঙ্গাদা পুনরক্লগা স্নান তৌমিররে, কাখংতুনা লাকমিন্নবনা আশ্রম য়েৌদক্লে। গুরু ভোজন ক্রিয়া লোয়বগা, যোগ আসন্দা ফমদুনা যোগগী পাঙ্গলনা ধ্যান তৌদুনা, কর্ণগী মপোক য়েংলকই। বায়ুদবনা বায়ু পুরাণ তাবগী মতমা উশিনর বৈষ্ণব নিংথৌ ওইনা পোক্লকপ। অন্তগা কান্দা বহির্মুখ শঙ্খ ওয়খিবগী দোষনা কোকপা য়াত্রদ্রনা, বিবহরি ওইনা পোকলকপা। অদুদগী কর্ণ ওইনা পাকলকপা মপোক অহুমক বহির্মুখ শঙ্খদা লৈরগা, লানফমদা অর্জুনগী মখুৎতা তুরগা; মাগী শক্তিনা ইরাবতীগী গর্ভদা তিরনী। বৈষ্ণব পরিক্ষিত নিংথৌ ওইনা পোকগা, অন্তগী কান্দা শুকদেবগী মচিন্দগী শ্রীমদভাগবত তাবগা শ্রীধাম গোলোকতা শ্রীকৃষ্ণগী চরণ ফংদবা। অদা অস্ত্র পুম্নমক লোইনা উংখ্র। গুরুনা পেল্লদুনা ফকপা য়াত্রবা বিজয় ধনুগা, মনসিদ্ধি তেন্দোংগা কালশর মডাগা, কর্ণদা পিবে। ফত্র শর, পদ্মপাত, বৈষ্ণব অস্ত্র, ব্রহ্ম অস্ত্র, মন্ত্রগা কোয়না তমীরে। কর্ণ ইপানা হৈবা বিদা থাকতনা নডোন্দা থাববনি, লেপ্পা প্রসিদ্ধ ওইজরো ডসিদগী নয়ুমদা হনবা য়াবগনি। হৌজিকতি ইপাগী দক্ষিণা নিবগ নংনা গুরুগী দক্ষিন কংজো? অদুবু পরশুরামনা হায়রকখি। কর্ণনা হায়রই গুরুদেব দক্ষিনাবু কদি কচৌ হায়রবগ? গুরু কৃপাদগী কুবেরবু জয় তৌবগা! সনা লুপা মনি রত্ন কচ্ছবা ওমগনি। পৃথীবু জয় তৌবগা ভূমী দান কংপা ওমগনি। গুরুনা অপাথা ডাকনীয়ু। কর্ণগী য়া তাবদা পরশুরামনা থম্রি, কর্ণ অসি জগৎনা লাথা য়াবরোই, কৃষ্ণগী শিলাদা অকাইবা লাক্লগনি, মাগী থুবী লোংথোকলগে থন্দুনা হায়রকই।

কর্ণ হৌপাদি সনা পামদে পৃথীভ পামদে, নঙি নপক য়েংবগুম ইপানা য়েংহনা লৈজগে; নঙি য়েং থংবা থুবাহু করুগা দাক্কনা ওইনা শিরম্মো। জগত'কদমক খন্দুনা কৃষ্ণগী পিদা কাহদনবা নিবনী; গুরুগী ৰাংবং ফলবদা কর্ণ থাড ওইগী থুংনা পাম্নরগা উন। অপাকপা অমা থারগা শদন থাহনা য়ে কি থুবাহু মক থেংনা করগা উনাদা হাপুনা গুরদ কহৌ। কন্ননা অস্টাঙ্গ ভর্কনা চরন শোয়া মগুবং তাবগ কপুন হায় জ; গুরদেব ঐহ্ গুল্না অমুক পোকংশ্নবনি মনাইনা পেজং মদবদি ঐগী থবাহ অসি কচ্চরগা পেজগদবান; থুবী কংপন্তনদ মংকচংদে, ননাইবু কমদৌজৌ হায়বগে। ভৃগুবংমনা হায়বকই কর্ণ নং অসি (৫) লেপ্পা কজিরবু (কর্ত্তা) লাংকশিন্দুনা খুহমচনবা ভুংশি মরম অসিদা নংঙ নমিংবু বৈকর্ত্তন হায়না খোঙ্গাগ। নবু শাইনা মানা কিনবা মবান অ মতুনা নাম চংশা ওইজস; অহৃগা নংদ ক্ষুদ্র মচাম্ন নন্নে। খৃযাগী গুনাম পাক্লবা সংস্কৃতি মচানি, নমানা য়োকপ যাব মতম নংখিদহন স্বত বাধা অধিরথনা যোকথিবনি। ন চোন্দা দাব তৌজরবদি অপাকপ, নম খ দ্বরকখিনি, নংগী ৰাতাদগী অবাহবা মতমদা শ্রীকৃষ্ণগা চবন ফং রগনি। সুবাবুন্ত নংঙা সুমিংনা কারকহবা মতমদ, নঙি লংখিনা যাত্র কাইদন। লান চংখ্রবাদ; য়েরবন নমাদা নেপ্ন যাব্রোই। সুমিংযুংবা মতুংদা লানগী যাদা তৌহনা চংলবাদ; অংগী সুমিত্ত নাঙ্গ অবোহবা ওইগনি। ঐনা ক্ষোত্রদা বিত্ত তথিংবাহ নোপকপবু নংনা তম্বী-রহনা ব্রাম্ভক কাইবিব অসিগী দোষনা নংদি হায় অবাংহবা মতমই লানথনা য়েরবগ অস্তায়গী লাম্বংনবদা শনা তরীব মন্ত্র কাৎব ওইয়ু অগ্না গুরুনা শাপ ৎোংথ।

কর্ণ মশাংগ নন গুরুগী শাপ লৌখি। কন্ন গুরুগী পাদদক খকচরে, পদর্গি লৌচরে, গুরুবু দণ্ডবৎ নঙবক কংপগ বিদায় লৌখহনা য়েংগননে কৌ রগ বিজয় থনু মনসিঙ্গি তুনা, লেংহনহনা হালা হৌরক্কে। কর্ণ সুমিং থংগী মতুংদা হস্তনা পুরনাব যৌংকুনা মাংগী পিতা খুকমচরগা মান তমজবকপা বিদ্যাগা পাও পুম্নক তনত্নখি। বাধা অধিরথ অনিংক মচা কন্নবু চেনা বোঙ্গ প সুভংহবন ঈপাঙ্গা তাঙ খি। কন্ন নিংশী অমুক চঙ হৈংগংলংগা চেন্দুনা চোং-হনা হক নং শাক্কেন শাংজ; নোংমাদ চৌভড় চন্দ্রবদগা লেংইবকপদা লেপ্পা থাবা পিবাক লংখি। খুদক অহুদা প্যাথবা পংপোক্লম্না কন্নদা শাপ চৈংক্কে; হায হায় কর্ণ নং পোকপা সুমিংগো পৃথী ঐ অসি থুদান ২১ লসাইদা নমথর্বিবনি। অংক শক্তি লৈবা ননা চোংহনা শানবদা; ঐদি থাংবা ন রে অহৃগা ননা শসি হৌনদবা লমচং লেপ্পা লেপ্পা থাবা পিবাক তৌবদি। অহৃগা দোষনা হয়েং নঙ্গ অতম্তায়গী লানকমদ নঙি রথগী ক খোৎবু নমথহনা লেংদবা পইরসগু। অস্মা পৃথিনা শাপ তৌনমগ মাংথোকংখ, কর্ণ অদুদগী চেনবা চোংবা তোকখি। রাধা মমাগী গর্ভদা পোকপা মনাং মরি বিকর্ণ, সুকর্ণ, হুকর্ণ, অধিকর্ণবু কর্ণনা থুংলাই তম্বীখি। অসিগুম্বা কর্ণনা পরশুরামদা বিদ্যা তমহল। হৈখিবা রাধী অসি তাজবদা মিওইবনা বিদ্যা চাওখংলি পুণ্য চাওখংলি। শ্রীব্যাস-দেবনা লেংলমবা মহাভারত আদি পর্ব্বগী রারিবু পাংত্রবা শ্রীমধু সিংহ মহারাজগী খনাইনা মতু-ভাবা ঈমা লোন্দা ইজরি ইতি। হরিবোল হরিবোল হরিবোল ॥

অধ্যায় :—

আর্জ্জুনা উত্তম বিজয় চংপা বারী—

আর্জ্জুননা কৃষ্ণ কৃপা ফংবা মতাং ॥

শৌনকনা হঙ্গকই উগ্রশ্রবা হে-সৌতি, কৌরব পাণ্ডব বিদ্যা তম্বনরকপদা যথা করি তৌরকইকণে লিবু ? সৌতিনা হায়রে তাখিবু মহামুনি। ভারত তাখিব অংশদুম নিংথৌনা হংজরকই ? ইবুঙ্গো চাম্বা মতাংগী মথাংগী বারী লিবিবো। শ্রীবৈশম্পায়না হায় তাবা মহারাজা, হস্তিনাদা পাণ্ডব মচানা বিদ্যা তম্বিরকপদা, মতিক মগুনা চামদগী হেন্না অসিদা; দুর্য্যোধন অসি চাকা থকপা তুম্বা হিয়ানা খংডাইবা লৈরে। নোংমা দুর্য্যোধনা শকুনিগী মফমদা হায়রকই, মামা পাণ্ডব মচানা মহৈ তম্বনরকপদা, পান্দা তৌবা ওয়দা ঐখোয় চামদগী নোংমা নোংমগী চেংংলকপা আসদা খেল্লোয় অসি শুঙাইরে। কমদোয়গা পাণ্ডব মচা অসিবু, মঙ্গহনা লাকচবা য়াগদগে মামানা, বুদ্ধি অমতা তাকপিয়ু। শকুনিনা হায় দুর্য্যোধন মাহু নহান মথৈ মামানা হায়রদবনি, মচা মমখনবা বুদ্ধি মামাদা লৈমাং হায়গে, মগা অসি ইম্মাকীদি য়দ্রা। য়েক্লবু চাওনবা য়োকখংপসি কে মচা য়োকপগুম্বনি মরম অসিনা রাজ ভণ্ডারদগী বহুম থিহনা মতাংবু থাকইবসি ইম্মাকী মাংনগনি। বন্দম অসি করবথংনগ মচা অসি চাম্বিংডাই লেংনিডাই লৈতবা চরা হেনহন্ন, অস্ত ওইরবদি মথৈ তম্বসু তম্বলরোই, মপাঙ্গলম্ভ হঙ্গরগনি। চানবা শেংনবা তানবদা বিবকতিনবা ভংলগোইদবনি, অগু ওইববদি পাণ্ডব মচা লাইনা নমথবা য়াগনি। ইমানা পাটেশ্বরীনি ইপানা নিংথৌনি, হস্তিনাগী লৈঙ্গেদি ইম্মাকী মরমি মশাকী নমিং তমগদবনি, করিগী য়েক্লবু মরলত্তিনা থাকইবনো ? অনুঙ্গা ফত্তবা লোপিং অসি শৌকনিনা মীনস্তা দুর্য্যোধনা তাকলিনখরে। কৃষ্ণনা অসি ফংবদগী পাণ্ডবকী বন্ধাম কল্লগে নিংহনা, মামা অত্তদি শুসি মখৈ বন্দান কল্লগে, হায়রবলগা পুকৈদা চংখরে। ভাণ্ডারীশিংদা দুর্য্যোধনা হায়রকই, ইশাগী পুংক পায়রিবা ইপুখোয় তারো এসিদগী হোত্তনা পাণ্ডব মম্বা মচা তককী, রাজবন্ধান পিরিবা অসি পিরগনু। ঐনা কত্তবনি। রাজমসি রাজা রাণীগী য়াথং নত্তে, হায়হনা পিরমলবদি, ইপু নখোংগ মথবাই মাংজগনি। রাজম অসি নখোয়গী চিনদগী অহল লমন তাংলকলবা দুর্য্যোধন ইডিক থঙন হাবচনা থিংলমলশা চংখরে। পুকৈ পানিব ভাণ্ডারিশিংগ থরবদা ? নি খৌদা হজংনুগংবনু কিহনা হজংরে। দুমিং অদা দুর্য্যোধন কিবদগী পাণ্ডবকী বন্ধান থিনাখরে, কুংতিগী মতম লেরকলহনা কুন্তীনা ভাণ্ডারীশিংদা হঙ্গরে। রাজভাণ্ডারী শিংনা খুম্বী কুন্তীবু খুরুমজহনা হায়রে। হে খেকবা ভসি ঐখোয়বা চেং হরাই খী খাও বন্ধাম পুজরজবদি। অমুক অতনবদা মচাইবুত্তো দুর্য্যোধনা থিত্তবলে, নিংখৌদা অমুজং হলথপিরেরা। মনাই

ঐখোয়না হজংলুরবদি থরাই মাংবা তাবে, চেং মরু অমত্তং শিন্নরলবদি নথরাই মাংজনি হায়না কন্না থিংলমলে। নমাই ঐখোয়গী মায়োইবিগম্ব, মতুংগীসু পীবা ঙমলোইদৌরে বৈকুণ্ঠপী কপদব লম্বা য়েংবীছনা রাথন তৌবিবনা করগনি। ভাণ্ডারীশিংগী রা ভারবদা কুন্তী রা ভাংলমদনা হল্লক্লে, মুম লৌরগা কুন্তী রাথন তৌই, রাকম অসি ইচাশিং ভাখ্রবগী কোপদোকরকুনা হস্তিনা রাথোক ওইরগনি দুর্যোধনদি যেক্কুব. হৌরক্লবনি, হস্তিনাদা ইচাশিং লৈবা মংঙাইরোই; মহৈ তম্বা লোইশ্রিকাওব-দদি থণ্ডহন্দনবা হোৎনরগে হায়না লেপথি।

কুন্তী মুমিৎ অহু মকু ভীমদগী লৌরকহনা থোংথাকপা লোইরগা, কৃষ্ণদা দুক কংলগা মচা মশাবু শাইংনা লৈলি। মভাসু ঘ্রোন্দা খুংলাই তম্মুবদগী হল্লকুনা স্নান ক্রিয়া লোয়রগা কৃষ্ণগী মহাপ্রসাদ মথা মচা তরুক কংমিন্নখ্রে। মতৌ অমুম তৌনা কুন্তীনা মচা মশা থণ্ডহগুম মতম করানি মরুম, যুমথোং খুদিংগী নিহনা মতম লেন্নরকই। নোংমদি কুন্তীনা ভিক্ষা লাকপদা চেং লৈত্রহনা হরাং মুমিদাং চরা হেল্লমলবা! ইমুং অমগী খোজাব্দা চত্তগুরে। মুম অমগী নিপাহ্ গুমাং রাই শিত্তুনা লৈবদগী কুন্তীনা ভিক্ষা লাকপহু উবদা ইমুংলোমদা ওনসিন্নগা ইচাশা থোং লোনসিলদু, মপু লেত্তমাক্কে হায়হনা মৌরকত্রিঙৈদা হ-দোকথরসম্র। গুমাং য়ৌরক্লবদি ওয়াংদগী চেং লৈত্তহনা চরা গেল্লি, হাপত্রগা ঐখোইস্থ মুংঙাইরোই বৈকবীস্থ ইকাইথিনি, হায়রমলগা য়েম্রথা য়োমদা লৈশিনখয়ে। ইমুংহগী মুপিহন থোং লোনসিনখি রাহ্রবু কুন্তীনা তাহোরহনা থোক্লকপদগী কুন্তীনা রাথল তেৎই। ঐ গুমা লাইরবা কন্নাদগী নিরগা ঐখোয়না কবুক থল্লি। মংখোয়না চাজগদবগু ঐতোনদা হাপলকলগা মখোয়না মবুক থনহৌদবা? অসিগুখা থর্ম অসি কুন্তী ঐ ভসিদগী তোক্লগে অম্রা পুক্লিং লেপথরহনা, বৈকবী মযুমদা হল্লকলে খোংনিঙাই, চেংদি লৈতথবিনা কুন্তী থর্ম্বদ উপায় লৈত্রঙ্না কোক্না খুং হাপতুনা কপ্তুনা ''রে। মচা মভাও খুংলাই তম্মুবদগী হল্লকপদা মমানা কপতুনা লৈরহদ', মমাবু খুরুমলগা মচা মভানা হঙ্ংলি। ইমা ঐখোয়না ঙসি হল্লকপদা ঈমানা চাক থোংদন কপতুনা লৈরমবা ''বু করি তৌববগে? ভাকপীয়ু। কুন্তীনা গায়রকই ইচাশা ঈমানা কল্পগী মরম অসি, ঙসিদি ঈমা নখোয়দা ভাকপগে। ইমা ইমা তরুকী রাজবন্ধান পীরবা অহু দুর্যোধনা ককথরে। মসিবু থিগৎলুরবদি হস্তিনা রাথোক ওইরকতুনা ঐখোয়ব লৈবা মংঙাইরোয়ম্রা থজুনা ইচাশিং মহৈ তম্বা লোইশ্রিকাওবা থণ্ডহন্দনা ঈমানা থকে হোৎনরমবনি ঙসি ইমামা ভিক্ষা ফংলকুবনা উপায় লৈত্রহনা কপলমলিবনি। চদি অমা কাজিল্লকলে ইমানা মংখায় থণ্ডলনদনা মহৈ তমবদা অপনবা ওইহরনীংদহনা চহিসিমা ইমানা পুবনী। কুন্তীগী রা ভাবরা পাণ্ডব মঙা, থম্মোয়গা ভাখোক্লা লেংবগা মাননথরহনা হায়রকই ঈমা নহাকমতৈ ঐখোয়দা ভাকনা ইমানা ভিক্ষা নিহনা থাকনমলিবা। ইবুধৌ লৈরি হস্তিনাগী লঙ্গৈদি ইপানা পৃথি অব তৌদুমা কারকপা কোক্না পৈরমবনি? হায়রদাই ঋষিগী অমুক তোয়া লৈগদগে। অজাবি তৌনরগা ঐখোয়গী শরুক লোমম থোকইনা? ঐখোয়দা ভাকপিদবা কষিগীনো। কুন্তীনা হায়রকই

ইচাগা হন্দক্তী বন্ধান ককখিবনি, রাজা রাণীনা নত্তে, দুর্য্যধনা ইচাশিংবু য়েকনবগে খন্দুনা কত্তখিজা হানবগা, মন্দুদা থিংখিবনি। মাসিবু কোংদোকউরবদি রাজা রাণীনু মচাগী মিচংদা লৈথিনি। পিতা লৈতবা মচানিনা ইচা মচাগী মিচং লৈরক্লোই। মরম অসিনা ইমানা ওন্নিবা মথৈ থংহন্দনা হোংলমংনি, হৌজিকসু ইমানা হায়বা ইহ্রু, ঈমা ইচাগী হাক্তকগী হক্তিনা রাথোক ওইহনগমুসি মরম অসিনা ঐখোয়গী মতম থর লেপবা, থমহনা হিংনবা উপায় হোংনখিসি। অচম তৌরবদি মাহনা ঐখোইগী মঙ্গোল ওইগনি।

কুন্তী মমাগী বা তারবদা মতানা হায়খৈ, ইমা ঐখোয়দি অতাথি থংদোকপা পাখনি। অদুবু ইমানা হায়বা য়াথংদি, লাইনা হায়বগা মাপ্পবনি। ইমাগী য়াথংদি মচা মতানা ইকোক্তা ভাগ্নগা পুক্তবনা মচা ঐখোয়গী ধর্ম্ম ওইজগে অমুমনা লেপ্পনহে। অতুগী তুংদা যুধিষ্ঠিরনা মনাওশিং য়েংহন হায়রকই, ইনাওশা মখোয় যাখোয় ভিক্ষা চংসি ঈমা পোথাহল্লসি। মরাদুংগী বা তারগা আর্জ্জুনা রাথল তৌকবগা হায়জরকই, য়াম্পুং য়েকনবনা কক্লক পেন্নবা করিগী ভিক্ষা চংলুগদগে। হৌজিক্তি নমাও চক্লংচগে, মচাবু মমা মপামা চাওদনা য়োকপা। মচানা চাওরগা মমা মপাবু সেবা তৌবা মসি অগক্তা ধম্মনি। ইপাঙ্গল চাওরে হৈহ ঙমজবে ঈমাগী সেবা তৌরমগনি; ওসিনদি চরা তেক্লসি চরে মথৈদি ননাওনা চানবা লাংজরগনি। সত্যনা সাক্ষি ওইরসু। ভীমনা হায় অর্জ্জুন হস্তিনাগী ইনাকখুনবা ঐনা লোয়না মশক থংভি। ইচিল ইমাও চংলগ হোলক্লুগি করিগী রাংলুনি পাঙল লঙ্ঘিদনা যুধিষ্ঠিরনা চায় য়াইমা মাত্ত ফত্তে, হক্তিনা রাথোক ওইরকনি আর্জ্জুননা হায়, দাদা নাইমা তুংগাইনা লৈবিয়ু। ননাওনা মতম থরদং তত্ত নোমজনা লম্পানজগে, ভী দা হায় নবে অর্জ্জুন ইনাওমা পংতদা তত্তনা ভালদু। ইবাঘমা পংহোন্দা হোলদুগে অসিগী তুংদা আর্জ্জুন মমাগী চরন কোন্দুন খুরুমজরকই। কেত্রিনিংথৌ মচাগী ধর্ম্মদি দিগবিজয়নি, নচাবা লন থরদং তাজবা চক্তগে ঈমানা বিদায় পিনবিয়ু? কুন্তীনা মচা খাধা য়াবরোই থংদুনা বর পিরকই। আর্জ্জুননা হায়ই দাদা ইবুংতো অনিমক থবক তত্তনা তাপ্রবসু ইপাগী গুণ মংই মথাই দিগবিজয় চংচগে। আর্জ্জুন শ্রীহরিগী চরনবু কাউগন্ত ইমাগী বংদগী ইচাদি লেপনা মঙ্গল ওইজরকউ। অর্জ্জুন মমাগী পদধুলি লোউজ মতামবা অনিবু খুরুমখৈ অহুদগ লিকং তেল্লোং, লোরগা যাত্রা তৌখরে। আর্জ্জুন ভীমগী মমুন যোরক্তুনা মবুথোগী চকনদা দণ্ডবত্ত কংলি। ভীম মমুবু কোনখংলগা হায়রকই আর্জ্জুন ইপুবু নংনা করি হায়নিংবো লৈবগে হায়য়ু। আর্জ্জুনন হায়ই ইবুংবো, ঐখোয়বু পোকপিরমবা ইপা নিখোবু চহি মাপলগী বয়য ওইবকপদা উত্তম বিজয় চত্তুনা পৃথি জয় তৌরগী হায়বসিবু চুমত্রা? ইবুথৌ। আর্জ্জুনগী য়াং অসি তাবদা ভীম, পাণ্ডু মচাযাইমবু, নিংশিংউরগা মিংলুদা প্রেমগী ঈরা চেল্লী হিক ২ লাওবা হাইহনা আর্জ্জুন য়েংহনা হায়রকই। ফাল্গুনি ওসি ঈও হংলকপা রাহৈয় অসি তারগা ঈপুবু নপা পাণ্ডুবু নিংশিংউবগা হুদি ত্রবির ওঈরকঈ পাণ্ডু ঈচাগী গুণবু ইপুনা করি অমুক হায়গনি। ইচানা লৈবা শক্তিদি চহি মাপল তত্তরকপদা রথ অমা তোংলগা

মহায় ভেঙোল য়াওদনা উত্তম বিজয় চংথুনা পৃথিবী মিংথোবু করা থোক্লবা। অদু নংকা অকক্নবা অদি করিগীনো হায়রু? অর্জুনা হায়রে ইবুঙো মপাগী খুৎমবু কনেবা ভাম্দ্রোং লিংঙবা! মচা অদু কা পুরুষদি হায়রে। ইপাগী গুণবু মচা ঐখোয়গী হাকচাং কনখ্রবদি; চন্দ্রবংশ ইবুঙো গ্রোইবী গুণ মতেং তাবদি, মরম অসিনা নত্তু অমুকং উত্তর বিজয় লাইবক য়েংজগে। অর্জুনগী বাহায় অসি তাবদা ভীষ্ম পেনখুননা চেংন কোয়গা মগুনী লাইবক্তা। হনন। নয়া চুপ্পী। হে অর্জুন ইচা য়াইমনা ইত্তু মচা থনখ্রসি মপাগী খুবম কংগদব য়াওরোইদ্র, বাবমবনি গুসি ইগুগী নয়া তাবদা ইখুংগেল্লে অমুক্কং নবাইবক য়েংহল্লো। অর্জুনা হায়রে ইবুঙো খোঙ্গান লৈবক্দি নত্তু লাইবক য়েংহনগে; রথ অমগা সারথিগা কপ্নগা ইবুংথোদ্ নিজগে। ভীষ্মনা হায় ইপুনা সোইদনা পিরগনি, কদেম্রৈ চংকনি ইবুঙো নত্তুদি য়ুমদগী যাত্রা তৌরকলবনি হৌজিকনক ক্সাবিরো চচ্চবগে। ভীষ্মনা হায়রকই নংবু চাক চাবত্রা ননাই য়াথ্রি ভীষ্মনা হায় করিগী য়াদন ওংকান্দ্রিবা। অর্জুনা হায়রে ইবুংথোদদি মিনল য়াত্রবনা চংচচ্চবগে। দাদা দুর্যোধনা ঐখোয়গী বক্নান ককপি মমংনা ইমানা নহান মখে ভীষ্মা তৌদুনা থকপিরমল। অসিদি ভিক্ষা কংদুনা কপদুনা পৈবথদ হংজরুবদা অসিদা তাকথোকপিরক্না থং রে। ইবুংথোখোয় লৈবি অতাবি থুগনরসি হায়রবগু ইয়ানা য়াত্রে। মরম অহুদগী চানা খেংনব লনসু থর ওাননগ ইপাগী খুত্তাংসু মংবা চমত্র লাইবক য়েংজবগে হাকচবনি। হৌজিক পোয়না চরা হেনবীরি রা অসি তাবদা ভীষ্ম বিষ্ণু ২ পোদুন য়াথন তৌরগা হে অর্জুন ইপু ঝা হায়রগ, ইগুলিংদি হৌজিকনক বৈকুন্ঠগী য়াথং চনবন মথং থবগনি। মসিগী য়াকম অসি মথম থর কোংদোক্লবা থমথিসা মতুদ মতম চাংবা। ইপুনা নখোয়গী শকক থারদোকপাগনি। অসি হায়রগা সারথীদা য়াথং পিদুনা রথ শেখ্রনখ্রে রনবেগ পুথোকুনা মত্তবু লৈতেংথিরে। ভাষ্ম মত্তু মগুণ পাঞ্চাবগে থন্দুনা জয়পত্র হৈরগা নিবচক্রদা থেংনুনা মগুন হাপ্পীরে, থাং, তা মুষল, মুদাগর, ঝগর, শেল, সিঙ্গং তেংতোং, রথ থুম্বা হাপ কংপিরে। অর্জুন ভীষ্মগী চরন খুরুমজরগ থুনি লৌরে ভীষ্মনা মগুবু মঙ্গল থইজরকই হায়না থব পীরগ, কুরু ঘরণ তৌদুনা রথ কাপ্লে। সারথিনা রথথোংনা যাত্রা তৌরকপনা মৎসদেশদা থুরে পত্র হৈরগা দ্বারীদা থাক্লিনথি বারা পত্র পুশিনখিনা? মৎস্যরাজদা কংদ্রি। বিজয়গী পত্র অংবদা বিরাট নিংথৌ তেঙ্গোল শেমদুনা লানথোকলকই অর্জুনগা নিবচক্রদা থেংলিবা জয়পত্র বানা ভীষ্মনা হৈরকইবা মরোম্বু পাণ্ডু ইচায়াইমনা পোকপা ইত্তমিপা অর্জুন অদু উত্তম বিজয় থাম্রিবনি পৃথিবী মিংথোলিং লাম্ব তোনৌ ওখোয়দবা লৈরগা ইত্তগা চাপ্লো। লাম্ব চোনবদু কবিগুণা ইত্ত অর্জুনা লাইবক থিরথদি ভীষ্ম ঐ বাতুনা ইত্তগী মক থুরগনি অদুনা হৈরকইবা মরোল অদু উত্তম বিরাট নিংথৌ, ভীষ্মবু কিবদগী অর্জুন য়েংদুনা হায়রকই।

---

* ঘ্যাথা আর্জুনদা উত্তম বিজয় চংপত্রি লবর ভারতকী মত্মী ইতি।

হে-পাণ্ডব অর্জুন নংবু উবদা ঐনা য়াম্না নুংশি, নংবু পোকপা পাণ্ডু রাজত্ব মুংশিনখ্রবা মরুপশিং য়াক লান তৌনগদ্রাস, জয়পত্র ইদুনা কোঙগা লোইনা পিরগে। বিরাট নিংথৌগী রা ভাবদা অর্জুন ক্ষুংলোইজরদুনা বিরাট নিংথৌবু রেবাহার তৌখি, বিরাট নিংথৌ অর্জুনবু কোনখি। বিরাটনা অর্জুনবু দরবারদা পুশিনখিদুনা আসন্দা ফমহন্দুনা, ছন্দেহ কয়ামকম লানশিন্দুনা পেনখল্লি। জয়পত্রগা লোইননা কোড মতিক চানা পিরে, অর্জুন বিরাটপু ভক্তিগা লোয়ননা বিদায় তৌনদুনা সনা লুপা মনি কয়ামরুম রথদ হাপকৎতুনা, হস্তিনাদা হল্লকই। মমুম য়োরকুনা মমা মমাম্বু খুৎমকতুনা পুৎকপা সনা লুপা মমাদা কৎশিল্লি, খুমিং অমত্তু মুত্তহাইনা চা থকুনা পোংথানবে। নোঙভাল্লবদা কুন্তীনা অর্গ বেঙ্গন থাংবা লোইতুনা, শ্রীকৃষ্ণদা লুক কৎলগা মমা মচা তকক সংমিনংব। অদুদগী অর্জুন শাজোল্লাংলগা, মমাগী চরন্দ খুরুমদুন পদ ধুলি লৌবগা মকাক্তা হাপচথরে, কুন্তীনা মচাবু বর পিবিংর। অর্জুন মমাম্বা অসিবু খুকমজরগা, বর তোংদুনা অমুক যাত্র তৌরে। দেশ খুদি বিজয় চংশকপদা লাখা থেংনকবা থুদিং কৃষ্ণগী কৃপানা জয় পৌজরকই। ভারতকী নিংথৌ কয়ামকমনা, অর্জুনদা লান তৌনদনা গুরুজনগী গুণ য়েংদুনা অমসুং ভীষ্মবু কিবদনী, জয় পিবোকরকই। অর্জুন ভারতকী নিংথৌ জয় তৌরগা, লম কযামকম মযুমদা পৈরমলগা। চীংগী নিংথৌ জয় তৌরগে থন্দুনা, অবাং পাংনা বিজয় লাকপনা, চীংদা পানবা লমহেল্লবা কিরাট; হুণ্দ, পুলিন্দ, শবরি, কুকি, জাতি কয়ামকম চীংদা লৈবা নিংথৌশিং লোইনা জয় তৌরকই। হিমালয় লানশিদুনা গন্ধমাদন্দা পানবা কিরাট গন্ধর্বগী নিংথৌ, মাকি লাইকিগ্রবা প্রতাপ চাওরবা কাবুগা খুমিং ৭ নি চুপনা অকনবা লান্থেংনবদা, গুরু কৃপানা মরম ওইদুনা ব্রহ্ম অস্ত্র কাপলগা। কিরাট গন্ধর্বগী নিংথৌ হাংনি। নিংথৌ শিরবরা কিরাট গন্ধর্ব পুম্নমক অর্জুনদা চংজখি, অর্জুননা মথোইসি লমহেল্লি মতু কাওবা, কিননবা তৌরমগে থন্দুনা মথোয়গী খোজং পম্থোংদা য়োংকা মুরী যুংলগা লোখনা। মনা লাওনা ছংত্তোকহ, অদুদগী মতুংফাওবা জাতিগী চৎনবী ওইনা, মনা লাওহনগদবনি হায়না। অর্জুনা ভাংখি।

অর্জুনগী হাক্তগী হৌনা কিরাটগী জাতিনা। চৎনবী ওইনা মনা লাওনখি, অর্জুনা দৈত্য দানব, গন্ধর্ব, কিন্নর, যক্ষ, রক্ষ, লোইনা মথং মথং জয় তৌরকই। অদুদগী অলকা পুরী য়োরকুনা কুবেরগা খুমিং তরানি চুপনা লাখা তৌনবদ। তরমদুনা তমাথোইনি তুনা খুমিত্তা, গুরু দ্রোনবু স্মরণ তৌদুনা ব্রহ্মঅস্ত্র কাপপদা, ব্রহ্মঅস্ত্রগী মৈনা প্রলয়কুম হোরকবদা। কুবেরনা হায়রখি হে-পাণ্ডব অর্জুন নংগোম্দা চকুরবনি নংনু প্রান কন্নু, ব্রহ্মঅস্ত্র হন্দিল্লু হায়জরকলে, অর্জুনস স্মরণ মন্ত্রগী অনা। ব্রহ্মঅস্ত্র হল্লিরখি স্বর্গগী লাইনা অর্জুনগী মথক্তা লৈ চাইথদুনা হরা হরা থাগৎনবি, অর্জুনবু পুশিন্দুনা কুবেরনা রত্ন আসনদা ফমহল্লে। মতিকচানা ছন্দেহ লান্দুনা পেনখল্লি। অগোইহ শাবা অগোই শাংল্লি, কুবেরনা জয় পত্রগা লোইননা। হিরা মনি রত্ন কয়ামকম কোড পিরে। নোংমা লোথারগা অর্জুন কুবেরবু খুরুমলগা বিদায় পৌজদুনা হকপনা বাউ মন্ত্রগী গুনা বিজয়া হস্তিনা য়োরকই। পুৎকপা সম্পুর মমাদা কৎশিল্লি, যচাখা অনিবু গুরুমচৈ মনাও নকুল সহদেব মমাম্বু

থুক্লম্বী, মচিন মনাও মচা চেংমা চান্না কোয়হনা রারী শানথি, মচানা তান্নকপা লন্না করাঘরুব লৈক-রবদা, বৈকবরী কুন্তী লাইরবা অসোম অনা ব্রাহ্মণ বৈকব কয়াদা দান তৌই। মমাগী দান উবদা অর্জুনমা মমাগী দান তৌনিংবহ্ নিংবা থুংমনবা, মণবী থরদং লৌরুবগে মিংহনা, মমা মমাংবা থুকমজরগা সারথী লোইনহনা শেম শারগা। অমুক থিজয় যাত্রা তৌথ্রে।

অর্জুনা হস্তিনাপগী যাত্রা তৌরকপদা রাথল তৌই, মণ রান্না লোইবদি গোকুলগী গোপনিংথৌ নন্দরাজ অসি, ইমাক থুনবা মণ রান্না লোই হায়না তাই, মাবু জয় তৌরগা মণবী থরদং লৌরুবগে। অস্নুরা থন্নমা অর্জুন সারথীদা রাথং পিহনা, ব্রজ ভূমী গোকুলগোমদা রথ থোরকপনা, গোকুল রাজা নন্দ নিংথৌগী হোজংদা থুংলরে। অর্জুন রথ থারগা পত্র ইরহনা হারী গোপ অমদা, নিংথৌদা পিরু হায়হনা থাজিনথি দ্বারীনা পত্র পুশিনথিহনা, নন্দ মহারাজদা পত্র কংথি। নন্দ নিংথৌ পত্র পাহনা য়েংবদা, অর্জুনগী দিগবিজয়গী মরোল ফংবদা। সভাদা ফম্বিবা নন্দ, সুনন্দ উপানন্দ, গদ, উপগদ; ঝিলি, উপঝিলি পাত্র মন্ত্রি পুন্নমকনা থররকই

পাত্র মন্ত্রিশিংনা হায়রৈ, মহারাজ হন্নক দিগবিজয় লাকঈবসি হস্তিনাপদা নিংথৌ ওইহনা মতিক চাওবা পাণ্ড   ংশগী পাণ্ডুরাজগী মচানী, ভারতকী নিংথৌশিংবু জয় তৌরকলবা। অর্জুন হায়বকুনি। মাগা চান্নবনা ফগনি পাত্র মন্ত্রি অহল্লমমগী রা তারবদা, নন্দরাজনা অর্জুনবু কৌশিল্লুনবা পাত্রশিং থারকই, গোপগী পাত্র মন্ত্রিশিং অর্জুনবু বেব্যাহার তৌহনা, নন্দগী সভাদা পুশিনথরে। অর্জুন নন্দগী সভাবু থুকম্মগা; য়েংওকপদা নন্দ নিংথৌবু উবদা কৃষ্ণগী কৃপানা, পাণ্ডু পিতাবু নিংশিং-ঙকুনা রিত্ত্ য়েনগী প্রেম থংহোদনা, থমোইদা ফাওরকপদগী। অর্জুননা নন্দ মহারাজবু ইপানিংথৌ থুকমজরি হায়হনা। অস্টাঙ্গ ভক্তিনা দণ্ডবত কংলি। অর্জুনগী মশক মতৌ, ভক্তি উবদা, কৃষ্ণ মচাগী মংশিব প্রেমগুম হৌরকুনা। নন্দরাজ চেন্নশিল্লরুগ। এনি পুত্র ইপা কোনংগ হায়হনা চিঙথংলগা চেংনা কোল্লি। নন্দনা হায়রকই গে- পাণ্ডবকি অর্জুন মতিক নঙন লৈবব!। দিগবিজয় লাকঈবা নহাক্না গোপ নিংথৌ ঐবু উবদা ইপা নিংথৌ হায়দন। ভক্তি তৌরিবা কন্নিগীনো হায়মু? অর্জুন্না হায়রকই মহারাজা ঐস্ন স্বর্গতি ওইখ্রব ইপাবু নিংশিংলুবদগী, প্রেমনা তাউথিবদগী ইপাথক্কি নিংহনা, থুকম-জথিবনি। নন্দনা হায়রকই মহাবীর ঐগীস্নু থহাংদগী হেন্না নুন্না নিংঙথ্রবা। কৃষ্ণ কৌবা ইচানিপা অমশং লৈ, ইচাহগা রাজকুমার নহাকা মীওয় শক চু মানমনথুহনা, ইচাথক্কি নিংহুনা বাসল্য প্রেমদা পুপলপা কোল্লুথরবনি। ঈশ্বরগী মোংদমদগী নহাক ঐহাক নুপ্নথিবা প্রেম অসি, মতুং ফাওবা লেংদনা লৈমনবা, এগী মমদা ইচা কৃষ্ণগা অর্জুন নহাকা মরুপ ওইনরো।

ভসি অংস ঐগী মুমদা পোথাবীরো। হৌজিক ইগা অহ জাতিগা থর্মনি হায়হনা, মরাখুং বহরামগা সথাশিজা লোইনমা বৃন্দাবনদা মণ শেনবা চংথি। ইচাগা মরুপ ওইরগা ইমাদো পিজা পিজা মায়হনা থরাং লেপশহ্ য়েংজরগা এগী থমোমদা ইচা অনি পোকপরে হায়না মুংঙাইজগে। নন্দরাজগী প্রেমগী রা অসি তাবদা কৃষ্ণ ভক্তী লৈবা, অর্জুন অহ। সাধু সমদগী

গোলক নাথা ভগবান্না পোক্লরগ্নুনা, বৃন্দাবনদা লিদা। শান্নরবদি হায়রবসি থংজৈ মরম অদুনা নন্দ মহারাজগী য়াথং পুন্নুনা বৃন্দাবনদা, শ্রীকৃষ্ণগী গোচারন লিলাবু দরশন তৌজনিংবনা। থগোয়রদা অরাখা খোৌরাবা ভইরভুগ্না আর্জ্জুনা হায়জরকই। পিতা মহারাজ য়াথং পিনবিয়ো, হৌজিকসু নচাইবুংতোগী থগশেনবা য়েংজকগে। আর্জ্জুনা কৃষ্ণদা প্রেম লৈবা অদু উবদা নন্দরাজ নুংঙাইজরদুনা হায়রকই, আর্জ্জুন ইচাদা ইপাগীদা লাকপদি কব্রি অপাম্বা পোৎ লাওদু হায়বগে!

অর্জ্জুননা হায়জৈ ইপাগী খৌজান্দগী কৃষ্ণ নচাইবুংতগা ফংজবগা লোইরে, অত্তে খোইদোকপা নিঙ্গরোই। আর্জ্জুনগী য়া তাববদা নন্দ নিংথৌনা জয় পত্রগা লোয়ননা, সনা লুপা হিংনাই কয়ামকম পিরগা হায়রকই। আর্জ্জুন কৃষ্ণ ইচাদু ঐগী য়াথংনি হায়রবদি ইচাবুসু লুনা তৌরমগনি য়োয়ো কৃষ্ণ কৌবা ইচাগী মশক্তি ময়াথদগী তোপ্পনি, উবদা হেক্তা থওগনি। নন্দগী য়াথং ফংবদা থুকমজুন বিদায় লৌজরগা। খোরজুনা রথ তোংলগা সারথীদা য়াথং পিন্নুনা বৃন্দাবন লোমদা রথ থৌমক্লে, বৃন্দাবন যৌবক্লবদা পম্বান্দা রথ থাবগা সারথিবু থনমলগা, আর্জ্জুন গোচারন মফমদা চিন্তামনী ভূমীবু থুকমলগা চংজগ্রে। ভুমিং অদু রাম কৃষ্ণ অনিনা লুচিংবা অমম্ম ওইবগা। অহল্লোন ; মহারোন কিবুনহাবী (গেণ্ডু লিলা) থদির বন্দা শান্নরি। শান্নরিবদু লাপতক লৈরিত্তেদা অর্জ্জুনা উজরকই বাম কৃষ্ণগী রূপ উজবদা প্রেমনা জ্ঞান মাংখিদুনা রাপ্পদুনা তাপ্রে। অমুক জ্ঞান তায়কপদা উথোং অমদা কমলগ, কৃষ্ণগী প্রেমনা গজা ইহোৌবকপগুম। পি শিন্দুনা কপলগ লৈজরে। মনাই আর্জ্জুনগী ভক্তি প্রেমদা থাওবা ওমত্রদুনা কৃষ্ণনা মনাইবু কৃপা পিনিংবদগী, শান্নবা ওমত্রদুনা শান্নব লেপদগা বলরাম য়েংদুনা হায়রকই। দাউজি শান্নবদি অমুক্তা লেপথিসি, ইচিল ইনাও তানগদবা অমা লৈরে, সথাসা নথোই অমুক্তা লৈহৌথো।

শ্রীকৃষ্ণনা সাথা ময়াথু থনথগা বলরাম পুন্নুনা, মনাইনা লৈবা মফমদা লেংগ্রে। গোপ অমতংদি রামকৃষ্ণগী তুংদা ইরথি: রামনসু থাম্বা নংহৌদে কৃষ্ণনসু নৈংতৌ হায়দে। অগম ইরথি অদুম লংশিমখিবনা অর্জ্জুনগী মাং য়োবক্লবদা। দরশন পিরগে খন্দুনা বলরামমদা য়েংতা কৃষ্ণনা ওইদা লেঙ্গোয়দুনা ভুমিং থা অনিনা পুলপ খোকপওমমা থয়াতানবিথরে। রাম কৃষ্ণগী চরণ্ডা (স্তুতি) কয়ামকম লৈসি লৈখোমজদুনা চৈস্রু তাবগুমনা থুকমজরে। শ্রীকৃষ্ণনা মধুরবানিনা হাযরকই, মহাশয় মহাকপু য়েংবদা নত্তিক নজন চাওবা। সংক্ষেপ্রি নিংথৌমচা মাল্লি। নগুণ চেৎবা নহাক্না থগ শেনবা গোপ মচা ঐ থাবথু উরগা। দণ্ডবতনা থুবম্মীবা কবিগীনো নহাক্কী পরিচয় তাকউ? কৃষ্ণগী মধুরবানী তাবদা আর্জ্জুনা হায়জৈ, হে ভগবান ননাই ঐহাক হস্তিনাগী শাণ্ডবাজগী মচা কুন্তীগী গর্ভদা পোকপা চন্দ্রবংশ মচানি। ইমিংনা আর্জ্জুন কৌই দিগবিজয় লাকচবনি পিতা নন্দরাজনা য়াথং অমা তাকপিরকই। বৃন্দাবনদা চংথো কৃষ্ণ ইচাগা মকপ শান্নথো। অদুনা তাকপিরকপা

মাথং মতুং ইন্না। রাম কৃষ্ণ ইবুঙো অনিমকী গোচারণ লিলাবু দরশন ফংজনিংহুনা লাকচবনি ঐনা সাধু সজ্জনগী ভাজে গোলক বৈকুন্থদা থা থোকহুনা নন্দ যশোদাগী মচা ওইনা অবতার তৌরগা বৃন্দাবন লিলা শান্নবি হায়রবসি। মরম অদুনা রাম কৃষ্ণগী চরন পদ্মদা খুরুমজরবনি, কোটি অপরাধ লৈরবসু ভাকপীয়ু। ভক্তি থংজরবা ননাইগী অপরাধ ভাকপিরগা; চরণগী ননাই ওইনা লৌশিনবিয়ু, অর্জুনগী ভক্তিদা পেল্লহুনা শ্রীকৃষ্ণনা তাকপিরকই। হে—মহাশয় ইপাগী মাথং লৈরবদি ঐমন্নু নহাকপু মান্না মুংশিজে, নং মাক ওসিমথৈ মরুপ শান্নরসি ঐগী জাগাদা লাকপিবনিমা ঐ হান্না কৌজগে। হে প্রানসখা হায়না কৌথিরকই, শ্রীকৃষ্ণগী থৌজান ফংলবা আর্জ্জুনা নম নম ব্রজনাথ হায়না খুরুমজে। অর্জ্জুনগী ভক্তি উবদা মথ্যপ্রেদা; থৌজানবিরগে নিংলবা কৃষ্ণনা হায়রকই ঐবু ইকাইবা ফংহনগনু, অমুকা কৌজগে হন্দকমুকসু খুমজরবদি, কৃষ্ণ ঐবু হাংপা পাপ কচ্চু অসুম্না হায়রগা হে প্রানসখা হায়না কৌবিরক্লে। আর্জ্জুন কৃষ্ণগী মাথংবু কিরহুনা সখা হায়না থৌগজরগা দণ্ডবত ভক্তি তাখি।

শ্রীকৃষ্ণনা বলরাম লেপ্লোনরবা থাদোক্‌হুনা শ্রীভুজ অনিনা মনাই অর্জ্জুনবু চিংখৎলগা। ইতাও নং মাক মরুপ শান্নবগী প্রেম অনিজন তৌনসি হায়রগা হৃদিদা চেপ্‌জৎ কোনবিখরে। শ্রীকৃষ্ণনা অমুক তাকপিরকই ঐগী ইয়াম্বা বলরামবু ঐনা দাউজি কৌজে, ওসিমথৈ ইতাওসু দাউজি হায়না কৌ থৌগজ্রগা চরন্দা দণ্ডবত কৎলি। বলরামনা ইনাও ইবুঙো হায়না চিংখৎহুনা কোনবিরে কৃষ্ণনা অমুক তাকপিরকই ইতাও নঙ্গী লিকং তেন্দোং অদুগা, ঐগী বাশী অসিগা মতম থরদং ওয়রসি। ঐসু নংগী লিকুং তেন্দোং অসি হৈনবা অভ্যাস তৌজগে নংসু ঐগী বাঁশী অসি থোংবা হৈনবা হোৎনক অসুমনা তাকপিরক্লে। আর্জ্জুন লিকং তেন্দোং লৌথোক্লগা কৃষ্ণদা কৎলি, কৃষ্ণন বাঁশীবু আর্জ্জুনদা পিরগা তাকই, ইবাও নংনে ঐবু উনিংবা মতমদা অচিকপদা অহিংদা ভজি অসুম থেল্লগা খুংখুং অদিদা মমোন হাপলগা কৃষ্ণ ঐবু কৌরকউ। খুদক অদুদা ঐ নমাংদা লেপ্লগে অদুগ বাঁশী অসিদি ঐগী প্রাণ্নি, নংবু মুংশিমনহুনা মতম থরগী হৈহনবীংহুনা পীবনি মী অমত্তা উহনগনু মাংবা মাথা যন্ত্র নত্তে, মা অসি হায়রগা কিপে ওজামঙোম খুবাক মরুম শেগায়রগা চেংনা মুবলিবু থেংশিল্লগা পার্জ্জুনগী মথুত। শিন্নরগা বিদায় পিবীরে। আর্জ্জুন রাম কৃষ্ণ অনিগী চরণ খুরুমজরগা পদধুলি লৌজহুনা মকোক্তা লৈতেংজরগা রথকি মনাক্তা হক্লকই। রাম কৃষ্ণ শানকম তান্না লেংশিল্লমই মতম অদুদা বলরাম অওকপা অমা লৈরহুনা? কৃষ্ণদা হঙকই। হে প্রানাথ কহ্নাই ইয়াম্ববু অওকপা অমা লৈরে ইচিন ইনাওগী তুংদা ইন্নরকইবা গোপ মচা অসি অর্জ্জুন কৌই মশক মথিংও থঙ্গী গ্রাম অসিদগীনি মমুম অসিদা লৈ মমা মপা অসিগী মচানি হায়রবদি থংদে। নিতিগী মণ্ড শেমখিবৈ ওসাই ঐথোইগী তুংঅমুক জৈরক্লে। ইনাওনসু ওপাই মাথুদি লাকমুত্ত হায়দে মাসি ইয়াম্বা ওকই বলরামগী হঙকপা মা তারবদা? কৃষ্ণনা হায়রকই।

দাউজি ওসি মরুপ শাম্নখ্রিবা অর্জ্জুন অহ, ঐগী অবতার খুদিংদা লোইনরবা মা ঐ থানবা যাদবশগী মাগী সিদ্ধ দেহেনা। গোপ ওইদুনা ঐগী থোগল্লরিবনি। মশা অদু লাক্রবনিনা মানা ঐখোইগী তুংইন্নরকপনি আর্জ্জুনগী মনাক য়োবদা উথিবনা মশাগ চিন্নখিবনি, আর্জ্জুন চৎখ্রগা সিদ্ধ দেহেন গোপ ওইদুনা ঐগী থোগল লৈহোবনি। ব্রজদা মশা মশা লৈবা গোপ নত্তে অদুম্মা কৃষ্ণনা তাকখি। বলরামন কৃষ্ণগী মনাই অর্জ্জুনগী শুগা কৃষ্ণগী লিপা থংসি অসুম্না বামঙ্গন রাংগালশিংগা শান্নদুনা লৈরম্লোই।

অধ্যায়ঃ—

আর্জ্জুন উত্তম বিজয় লোয়রকপা কৃষ্ণগা শক খঙনবা

বাবা মতাং।

বৈশম্পায়নন হায়জরকপ পুর্বি চন তাও প্রমেশ্বর নিংথা নংদ অর্জুন শ্রীকৃষ্ণ লিলা স্থান ওইবা বৃন্দাবনদ খুকমলগা পেরুকুন অমসুং অর্জ্জুন বন থাদে সাথি অংদি রথকি মথক্রা লৈবা শংগা কৃষ্ণবু দর্শন ফংজরবা। মেমনা খুপতুনা থমাইদ কৃষ্ণগা কপ্পা, সিংথংচরগা ওহিনা চেংনা পুক্কপি। রথ থাক থোরকপ মাকপন। হথিনা লেবাক থোরক অর্জ্জুন দিগবিজয় তৌগা থন্দুনা, সারথি বিদায় তৌখ্রে সারথী ভায়গী থান য়োরকনগ, নথসানাদ রথ, শংলৈশিংদা শংলা থমলগা। ভাগ্নবু খুকমনা পাঙ তমনমাদগী সংসারগী ফাস থাদোক লিবা, মথমদা চতশনদন। গোবর্দ্ধন তাথ চংশিন। চিংবা গোবর্দ্ধনগী লোকসংদ চাদ থক্কনা কুরা নিংঙবা নিঙ্ভবদা পক্ক ভাতক লেংখাশিনলগা। গোকুল বৈকুণ্ঠ কথি। অর্জ্জুন ময়ম ভক্তিমরক না মা মধ্যম্বা খুৎমনগ ; পেরকপা মনা কপা মমদা কংশলবনগা রারাশারমদন ইমদা চতখ অর্জ্জুনগী খোথাংবু ভমনা কুপনা লেপ্তত, অর্জ্জুন অচিকপ নিংদ রাভাং ভমদনা মপান্দ অমুক চৎথবহু শুমনা য়েংই। ভাগনা রাধণ অনা তোই ইনাওসি গাওরবা অচাংপাং অমা য়াওরে ময়াম মমাংদা পুংথাকপবদি মাখন। থুংনংবাই অচিকপদা মংতোংদা চাবগ থন্দুন অচিকপদা মংতামদা চারগে থন্দুনা অচিকপা জাগা থংবন। অতনদি ঐ শেংগরুংথিংগা মানা পুংথাকলকপা মতমদা। য়েঙবনা চাংহৌনগে থন্দুন অর্জ্জুন থুংদ লাপক ইথুনা চৎ। অর্জ্জুন মংনগী লৈগী বোম মমুংদা চংলগা উগোং অমদ ফমলগা মুকলি অদুক্কা খোংলগে নিজুনা। কোইনা য়েঙকই ভীমনা লাপ্তকনা শেন্নংনা লৈফমদে। অর্জ্জুন উহনানিংদহুনা পুখোকত্রে, থুংনত্তাবা ফাওবা ভাম শেন্নহনা লৌখ্রগা- ভুমিংতাবথদা আর্জ্জুন য়ুমদ হল্লিনথি। ভীমসু চন জিনথি শাগোলনবীবা বাপী অহ্ থমথম থওঅহনা চাৎ লোইনবা তুংদে শংগোৎনব চথলপুরে ইরুমরে মাওরে ভামনা অকুংথল্লি ইমাওসি চাবা ফজরবা মীদি নত্তে ঐনা শেন্নরে হাৎব সু থংলে

অচাপোং ওইরবদি পুখোক্লগনি। পুখোকভবা অসিনদি অচা পোংত্তি মত্রে, হন্জক চংলুবা খোংকমদা হিং চাইগুবা অমা কংতকপা তারে। পোংশক অহু মানা থাদোকপস্থ ওমত্রে; পোংতুগী সিদ্ধ রেংনিংবদগী অচিকপা মকম থিবস্থ ঐনা শেংবদগী পুখোকত্রে, অহুনদি শেন্নবগী শেন্নবা অস্নুম শেন্নরগে।

ফাওবা মাবা হিংমাই ওইরম্লবস্থ, মায়াক য়েন্নহনা ফাওমিন্নরগে, থন্দুনা শেন্নবস্থ তোকত্রে, অস্নুম তৌরকইবসি মভানি শুরুক্ল। তরুকনিগী প্রাত স্নান লোইরগা অজর্জুনস্থ, ফিভাও ঝন ঝন ইন্দুনা তুমিন বনরোমদা চংখি; অর্জুনগী শাজংশি উবদা যুধিষ্টিরনা, ভীম য়েংলগা হায়রকই। বৃকোদর মনাও মাইমা সিবু মহৌশাগা মান্নদে, উনহৈদবা ভুং প্রেত ওন্নরুবনরা। ভাওচংনবা তুঁ ন তুমিন অচিকপা উম থিবগুদ্ব। শাক্সং অমা তৌই অংহ অশিং য়েংশবনা ফগদরা। ভীমনা হায়ই মাপুং ইনাও অসি ভাওবদি নত্তে, করিগুম্বা কৃপা অমা লোইনরে, কৃপা বস্তু অমক্তং লোম্না সিদ্ধ য়েংনিংবদগী অচিকপা থিবনি। ঐনা শেন্নবদগী পুখোকপা ওমত্রে। ঐদি মাবু শেন্নকখিগে ইনাওশি অহিং অতিং অসি, মত্তোমদা য়ুম্মচা অমদা থম্বীবনত্থম করগনি; হায়রমলগা ভীমদি গদা পাইরগা। অর্জুন শেন্নবা চংশ্রু।

যুধিষ্টিরনা মনাও নকুল সহদেব অনিগ. হৈকোনমুংদা ময়ুম মচা অমা শারগা। ফক্লাং থাভিন্দুনা ইমুংহু শান্না রাই তৈথোকপিরগা, ফমুং থাত্ননা থম্বীরে অজর্জুন শুমিৎ অহু চাবা থকপা মিংশিংদনা, মমনাগী খাংবান বন্দা চংখিহনা কনা লৈবাগ য়াই, ভীমনা বমগী পম্বান্দা চাওশল শেন্দুনা লৈরম্মী। অজর্জুন চাক চাবা হক্তিন্ত্রে, ভীমস্থ চরা হেন্দুনা শেন্নর, শুমিৎ তান্নবদা হক্তিন্নরক্লে শুমিদাক্সি চাক চাবা লোইনরবদা, যুধিষ্টীরনা অজর্জুন্দা হায়রকই, মাইমা ইনাওবু নত্তোমতা লৈনিংবগুম উই। ইনাওনীদমক তোপ্না লৈজনবা নোংং ফকী হৈকোন মমুংদা, য়ুম মচা অমা শারগা ফমুং থাহনা থম্বীরকনি অহুদা চিপচবা য়ারগনি। অজর্জুনদা হায়ই মাপুং নোমা নিনিদদি তোপ্না লৈজগ হায়হনা পোংলম থর লাংশিল্লি বর্ অমা হকক পানা লৈ পত্র ধুপ অসিনি। কুন্তী যুধিষ্টীর ভীম নকুল সোহদেব অনী মাগী শযাদা পোখানরে, অজর্জুন ভীম তুমথবা চাংহনা লৈরে। ভীম তাব তা হনা নাখাকশিনরে. অজর্জুননা ভীম তুম্মমানে নিংহনা থাউমৈ অমগা তপ্না খোক্লহনা শেংও তপ্নপা চিংশিল্লি। হৈকোন গানা চংখ্রপা য়ুম মমুং চংহনা খোং থি ত্রিলম্মি লমমাই রাই তৈথাক্লগা ফিনে আসন অমা থারে, হৈরুকপানা লৈ পত্র লাংইবগ থাবে আসন মথক্তা বাঁশিহু থম্মা। ধুপ বত্তি কংলগা মরিক য়েংওইননা কোইরগা। দণ্ডবত তাহনা খুরুম্মী। ভীমদি অজর্জুনা চংখিবগা হৌগংহনা লোম্না লাকই, মনাগী তৌরিবা অহু ককপাং অহোবদা, তুমিন্না য়েংহনা লৈরে।। অজর্জুনা পুজা ভক্তি লোইরগা, বাঁশিহু য়েংলিবা ওজা মচেংহু লোখোকই, আসনদা বাঁশিহু মানগী মচেংগী ইনং লংনা ওাম্নকই, ভীম বাঁশিহু উবদা, থংহৌদনা তু চুপ্তি মিং অমিদা পী শিন্নথরকই। অজর্জুনা বাঁশিহু পাইথংলগ ত্রিভঙ্গদা লেপলগা! হা কৃষ্ণ হা কৃষ্ণ হায়না খোংতকই। মনাই অজর্জুননা বাঁশি খো হনা কৌরকপদা ব্রজনাথ শ্রীকৃষ্ণ, অবির্ভুত লেওকুম্মা মমাইগী মাংদা লেন্নরে।

অহর্জুন মংদুঙ্গো ভক্তি কংপা নংত্রি, ভীম অহু শ্রীকৃষ্ণবু উজবদা প্রেম্না শাওখিহ্রমা। ককলাং মমথেকলগা চোংশিনখিহ্রনা। কৃষ্ণগী চরন্দা খুরুমখি।

ভীমনা হায়রৈ, হে-কৃষ্ণ ননাইনা ইনাওবু শেম্নজবদগী, কংডমত্রবা ভগবান নঙি চরনবু, কংজরে। অজর্জুন্না ইবুঙ্গো মহাক্কি কৃপা কণ্ডক্রগা মত্তোমতগী মরল ওৎনিংলপ্লিবা অসি অহুক রাম্না মবুক কত্তবা 'ইনাও নত্তে, শঙ্গনা চোইহনবনি। শ্রীকৃষ্ণ ইবুঙেঙোনা মী থংবনগন্নু, অচিকপদা ইবানিদা উনসি হায়না, ভাকপিরিনি। হৌজিক্কি টেংক ফবা ননাই ঐন , কংজরবনিনা থাদোক্লরোই, মঙা য়াকথোইবু য়োক্লকপদা রাজরক্লবী ইমাবু; তব চরন দরশন কং'নখিনি। ঐনা ঈমা কৌথ্রবৈদা, পূকচেন ফজদবা নপ ননাই মানহনা লেংখিনি, হৌজিক ননাইনা থৌগনবা তারে হায়রগা। ভক্তগী ইমফিনা কৃষ্ণগা শ্রীহস্ত অনিবু; তু'বম্না কাত্তিল্লগা যাত্রা উংখা দ চেৎনা পুনশিল্ল। ভীমনা অজর্জুন্দা হায়রকই, ঐ ঊমা ইয়াম্বা ইনাও লৌরুখিনি নবুঙেঙাবু থ'দোকলমবদি, গদানা নকোক্ক নৈথাইগনি হায়রমলগা। চেনখ্রে। অজর্জুন কৃষ্ণগী চরন্দা খুরুমত্তরগা কপ্পুনা হঙ্গলি, 'হে-প্রাননাথ সথা ঐগী ইয়াম্বা য়াইথানা পুন্নম্মীবা অসি, ননাইনা থা'দোকপসু ওম্মো'দোরে, কোটি অপরাধা ভাকপিয়। শ্রীকৃষ্ণনা হায়রকই ইত্তাও ঐ বা'রীদে দাদায়াইমা অসিগী থমোই উবদা পেল্লে, মনিং থুংনবা লাংজখিসনু, ঐবু থাদোক্কনু। মা'ত্তী অস্রুম্না মনাইগী ভক্তিগী মথা পোনবীবা হবিনা, ভীমগী ভক্তিনা পুনবদা নাম্মোকপা ঙমদত্তন মনাইবু ভাইখি।

অ'সো'মদা চেনখিবা ভীমনা, মমা ময়াম্বা মনাও হৌদোকই, ঐমা ইনাও শেম্নজবগী মইগে য়ামে ! অজর্জুনগী ভাগাদা শ্রীকৃষ্ণ লে'বিরক্লুনা। নৈহৌরে। দরশন তৌক্লসি হায়হ্রনা লোইনা পুত্রনা লাকই, ইম্নংদা পুশিল্লগা ভীমনা হায়রকই, ঈমা অমুক্তা ডাইবীখো। কৃষ্ণসি চেনশিদনবা ঐমা পুন্দুনা থম্মো, অমুক্তা থাদোকচখিগে অহগা কোম্না খুরুম্নীয়, হায়রগা কৃষ্ণবু পাদোক্লগা আসন মথক্লা লেঙখংলি। ভীমনা হায়রৈ প্রভু ননাইনা পামজবা ভজি ইথুংমা থৌগল তৌজ'গ হায়রগা। কৃষ্ণগী ললিত ত্রিভঙ্গগী মওং অথরদা বাঁশি থোংবা চুরানা ওইদা চেপ্তক কৌবা। মূর্ত্তি মানা শেমরৈ। ভীমনা থৌগল্লববু য়াবা'হ্রনা জগতপু তমহংনবা মূর্ত্তিনা ভামবিথরে, কুন্তি যুধিষ্টির ভীম অজর্জুন নকুল সোহদেব ওরুকমক, শ্রীকৃষ্ণবু স্তুতি কম্নামরুম লাংহ্লনা। চরন্দা দণ্ডবতনা খুকমজখি। শ্রীকৃষ্ণনা ভাকপীরকই ইত্তাও অজর্জুন, ঐগী ইমাংদা নৈম্নবা অতৈ অসি নঙি করি থোরুবনে' ভাকউ ? ওম্মোংনা মুংশি লোইনা খংনানিভিঙ। কৃষ্ণগী মধুর বাক্য তাভবদা অজর্জুন্না হ্রৎচৈ প্রভু, ঐথোই মঙা অসি পোকমিন্নজবনি, ঐথোইবু পোকপিবা ঈমা লাইবক থিবীনা অসিনি। জগংকী মবুঙেঙা ননাই ঐথোয়বু চরণগী ননাইগী মনাই ওইহনবীয়ু কুন্তীনা কপ্পুনা হায়রকই। হে কৃষ্ণ ইবুঙোদি অন্তর্যামিদি, অহুম ওয়মমক নর অবতার তৌবিরবনিমা, মীওইবগী মশৌ লোবীরগা ভাকপীরি, ননাই লজচগে। ইবুংঙোদি কংসগী কারাঘরদা পোকপীরগা, বাসুদেবনা নৈহ্রনা পোকুপদা চাওরবনিনা, জগতনা নন্দ যশোদাগী মচানি হায়না, থংবথরে ননাই কুন্তীদি বাসুদেবগা পোকমীননবী মচননী, মীওইবগী

চংনবীদদি কৃষ্ণচন্দ্রদা. ইরা থোকই। ঐনা পোকচবা ইগা মঙা অসিদদি, তব চরনদা কংচরি মনাই ওইনা লৌশিনবীরু, মীওইবগী চংনবী মাঙ্গোদদি, ঈনেমতোন কৌবীগদবনি। কুন্তীগী বা তারগা কৃষ্ণনা হায়রকই, তাকপীরিবত্ত চুম্মী ঐনা থংগরকদবননি, ইপাগা পোকমীম্নবা ই'নমদি গুরুনী। ঐনা থুকম [illegible] হায়রগা কুন্তীবু খুরুম্মী। কুন্তীন' কৃষ্ণবু চেংনা কোল্লগা। কপনা কপনা হায়রকই। হে যশোদা জিবন, বসুদেব দৈবকী পিতা মাতা শনিগী। অয়াবসিবু মতম কয়া রাংলিবগে? ননাই মনেমদা তাকপীরম্মু। কুন্তীগী রাহায় অসিবু তাবদা, কৃষ্ণগী কমল নেত্রদা পিশী ইরা চেল্লগা। হিক্ক হিক পাওবা রাইবেনা হায়রকই, হে'ননেমতোন নয়া হায়জরগে:—

কৃষ্ণ নয়া হৌজিক্কি পাঙ্গল চাওজরক্লে, কংসবু হাংলগা ঈথা ইপাগী অরাববু কোকব' হোংনজরগে কুইরোক্ট রাবিকগবু। ঈনমগী নচা য়াইমা অর্জুনসি দিগ বিজয় লাকপদ', বৃন্দাবনদা উনবদগী মকপ শায়থনে এবম অসিনা অ'ত অসি ইয়াম্ব' ইনাও ওইনা লোইনজরগে। ভীমন হায়রকই হে ভগতবৎসল ইনাওগা মকপ ওইরবনিনা, ঐ'চাদা দানায়াইমা কৌবিসু ঐ'থাইসি ইয়াম্মনি হায়বদা থোইদোয়. চোঙা মাদি নত্তে। কৃষ্ণনা ভীমদা হায়নকই দাদায়াইনা ননাও অমুক্ত কো'ঙগে. ভীম্ম কোনবয় ইবুঙা হচিন ইনাও মু শিনরগ' লোইবে হায়নে, মপু মনাই চেংবং কোম্নবে। কৃষ্ণনা হাইরকই দাদায়াইও'ন পানা বয় অমত্ত নিংবগবা মনাও পিজগে, ভামন হয়'জ পতু নয়ানব লাইরবা। ওইবনা অমুং ই ক থর চা। ফ'দ্র ওবুক থনা চংবু হ বা পি'বগু। শ্রীকৃষ্ণনা লাকন্দনী চং মচ অ' ঊষদগী পুখোক্লা ভীমদা মাংদ দাদায়াইম চং শম কাম ওং কাবা চং য়াই'না। [illegible] অমও' ওরগা থোংবদা বিপাকপগী অনাইব নাচন [illegible], মাসি লোম্ন বদ চবা য়াং য়াও পোংহ'রা হায় না পিন. ভ'কামহুত'ঙ (বস্তু) লো 'র' যুধিষ্ঠিরনা সুবর্ণপাত্র কৃষ্ণগী চরণ [illegible], চরণামৃত লো' পান তাংবে পুম্নং করন স্তুতি কয়া লাংদুনা। পাণ্ডব [illegible] মজনে। বুধনা অর্জুনদা [illegible] 'নকু হোন' পিদ্র, দাশ অমক কৌর কুংবু নবথে [illegible] লানন থুম্নং [illegible] কৃষ্ণ অক ধ্যান ওইথ', গোকুলদা লেংথ'ব। কুন্তী মচা মচাগা [illegible] লেপ্পে, নাওংবদ' ভীমন হা'ম্ন কই দম স্নান তৌব'ব'রো চরুগী মগুন য়েংজুসি, কুন্তী [illegible] বক পোইজুন' স্নানক্রিয়া, নাইন লাংলগা [illegible]।

[illegible] কোংগা চরু য়াইহু লুক হৌথরে, লোইব। নিদোক্তুনা য়েংবদা, কৃষ্ণগী কৃপানা চারু থিদোকপ' অরোইবা চৈতন্য, অদুম লমুনা লৈরে। কুন্তী হয়রকই ইচাগ, চরুদি কৃপা লৈরে, ইকুইরবা পাওব মচা চচাইরবনো স্নান ক্রিয়া লোইজ'র। কুন্তীনা লুক কংনগা মচা মচাগী চাক [illegible], চাপা ভমদি নথোই হায়া কডং'রা ঈমা কাপলগে। মমাগী য়াথং কংলবদা, মমাবু থুক [illegible] মা পারেং কাইদনা কমনরগা', কৃষ্ণগী প্রসাদ ফংবা হৌথরে। কুন্তী চাক থিরগা রাপ্পগা হোংলৈ, যুধিষ্টীর অর্জুন নোকুল সোহদেব পুরোন ওইরে। ভীমদি থক্সি চারি কুন্তীনা হাপই, চফুনমু চাক লৌয়, ভীমগু চরু মচা অসিদগী থোকপা চাক, চাবা ওমজবদি কৃষ্ণনা ঐবু উশিংগ্নরোই

থন্নুহৌমা। পংচাদা চাখরে। শিব শক্তি ওইবনা ভীমসু থনবা মাইদে, চফুসু কৃষ্ণগী শক্তিনিমা চাক্ন্ নবাংপা লৈতবা লোকই, হাপ্লীব' স্ত্রীদী মাওইবনিনা রাবনা প্রান পুবা ভন্মকরে। কুমৈ ওইনা য়ে'ইবা মরিসু হুধাং কাংলে, মমাগী মতৌ য়ে'বা ওঅক্রুহনা যুধিষ্ঠিরনা হায়রকই, য়াইমা ইনাওগী গর্ভন্থ মতু'গী থন্না থাকও, ঈমাগী ম'তৌ য়েংবদা য়াবে পোথারোনা। ময়াম্বগী য়াথং তারবদা ভ'ম অহ, চফু নং ঈমানা রাগ্রবদি ঐগী ইত্তিক থগদ।বু মাহেলো হাধরা। আচমন তৌরে ঈমা ক বিরে হায়জখি।

কুন্তী ওহাক পোথবগা অতিথীগী অ। দান তৌরকই, অহগা প্রসাদী ফ'খি চাবা থকপা লোইনরহনা হৈ-পামা লোনরগা; ওহাক ওহাক পোথানরে। যুধিষ্ঠির অজ্জর্জুন নোকুল সোহোদেব মরিদি, দ্রোপদী বিজ্য' তঙ্ব চংনখি; ভীমদি চফু অহদা য়ে'হুনা লৈথ'রা। থর লৈরগা ভাম থাথল তৌরকই, ব্রাহ্মণশিংনা মন্দিরদা শ্রীমূর্ত্তি লাংলি, অদনা জিনিকা ওইরে। ঐথোইগীসু চফু অসিনা নিংবিকা ওইরি। অদুনদি ব্রাহ্মণ শি'না লাংলিবা শ্রীমূর্ত্তিমাদি সন্ধ্যা গৌরি আরাতি কংলি, ঐথোইগীসু চফু থাই অসি সন্ধ্যা গৌরি আরাতি কংলগে। ভীম বাজারদগী লাইপোং মুনা লৈকরে, পুং ঝান লৌচনা লান্দগ লৈ তুলসী পত্র হৈরুক পানা ঘিগী বর্ত্তি মুনা সেমজরে, সন্ধ্যা ওইরবদা ভীম স্নান তৌরে। লৈরং য়াই হৈথোক্লমা হৈরুক পনা থারে, লৈ পত্র কংশিন্ন বর্ত্তি চম্মগা, মনাও অহমদা হায়রকই। অজ্জর্জুন নংনা ঝান পায়হনা আরতি শকউ, নোকুল নংনা পুং হ্বয় সোহদেব নমা কাংশি য়ৈয়ু, চফু থসি কৃষ্ণগী শক্তিন, সন্ধ্যা আরতি কংসি। ভামগী য়া তারবদ। মনাওশিং পুং ঝান কাংশি পায়নরে, অজ্জর্জুনা হায়রকই দাদা য়াইম আরাতিদী ব্রজরাজদা কংকদরা, হবত সকলনা কংকদরা হংদৈ। ভীমনা হায় অজ্জর্জুন চফুগী আরাতি শকউ, দাদায়াইমা চফুগী আবাতনু হৈনবা, ঐথোয়দি ফাজদে ভীমনা লৈনি নথোই থুম্মু ইগাথ; বর্ত্তি হায়না হায়না শক্লে।

ভীম বর্ত্তি হায়বগা আরা ত শক্কই, আরা ত কক মুরি শ্রীকামদুহা কুম্ভ, শঙ্খবাদ্য ঘনটাবাজে বাজে করতাল, অমৃত সমান অব তব কৃপা পাই, সদ'ই থাইয়। অমি উদর ভোরিপ দিনহিন বৃকোদর তব পদে আসা। আরাতি করা মুরি শ্রীকামদুহা কুম্ভ॥ মনাওশিংনা থুমী আরাতি লোইরে, শঙ্খজল খিল্ল থাদভুগ কাই'থাকতুনা য়েরে, ঈমা চাক থোংবা য়ারগনি লেংশিনবীরো। কুন্তী ভুমিদাগী লূক হৌহনা কৃষ্ণদা কংলে, চাকনিংগী দান তৌবে মমা মচা তরুক চাবা থকপা লোইরগা শর্বাদা পোথানরে। মতৌ অসুন্না ভীমদি থুংলাচ তথা তৌরক্ল, চফুদা শংহনা লৈথ'র, মাসি গোকুলনাথ কৃষ্ণনা উই। ভীম অসি চফু লেরীমথৈ বিস্তা তমদনা চফু শংবা তারে, মাংলে ভীম অসিগী হাকক্তা পৃথীবীগী অরুপা লোথোরকা। ঐনা লিলা শাক্তগদোর্যি। মানা বিদ্যা তমহোক্রবদি ঐগী লিলা কাইরগনি অদুনা চফু লোথোক্লগে থজুন ভীমগী ইন্দ্রিগী থুক্তি থৈরকগে। থুদক অদুদা ভীম পুক্রিংদা থাথল অমা থন্নকই, ঐনা নিত্তিগী সন্ধ্যা গৌরি আর্ত্তি কংলিবা চফু অসি, চাক থোংবগী জেঙ্গালদনা মুরিবসি শেংবা কেংদোক্লগা কংলগে, মরাম্না চুমনরিরৈদা ভীম চফুদু পুরগা গঙ্গা তানা লাক্ন্না,

লৈতোইমগী তকতুনা কে য়োকই; অমুক পজাদা চাজথোকই চফুগী মরেক্তা মুত্তক মুত্তক লৈবরু লৈডোইনা তকপদা ! য়োবা য়াক্স। ভীমনা থেংত্তকপদা মচেক মাইত্তক থোবা দুংখগ্রস্তারম্মী মাহু পাইরগ হুং মচেত্তুনা নচ নমত্তুনা ইরুথদা চফুহু মরাইদা তংথাই তারা কাইরে।

ভীম অহু চফু কাটবদা হা কৃষ্ণ ঐগী থরাই কাইরে, হায়রগা মাহপ্রে, চেতন লাকপদা অমুক রাথন তৌই, মমা ময়াম্বা কিনা চংপা ভীম অহু চফুহু পুরগা ময়ুমদা, হল্লকুনা লৈরং মথক্তা চফুহু চপচানা শেমজিল্লগা। কৈদা খিল্লুনা থনংমে। হুরেন অতৈদা তারনবা মানবা হায়গুনা, গদা অমা পাংরগা বন লোম্রদা হৈ থিবা চংপ্ত্রু। মংাম হৌগংনরকপদা ভীম লৈরমহ্রে, মংথিন অহুমদি মরিমকমু থুংলাই তথা চংত্রে কুন্তীনা সন্ধ্যা আরতিগী মপোং শেমহনা থম্মী। ভীম সন্ধ্যা মত্তমদা হজিল্লকুনা ইরুজরগা ইনাওশা আত্তি কংলসি, হায়রগা চংখিতুনা ওসাইগী অকাইবা চফুহু শোকউবদা তত্থায় তারক্লে। ভীমনা কিংনা হায়রকই ইমাওশা ঐনা ওসি চাংথাকখ্রিতৈদা নথোয় চরারানবগী চাকথিবদা চফু থুগাইখিরম্মীবা করিগীনো? ঐঙ্গ প্রামি হায়হনা লাংলিবনী, শিওজ্ঞ কমানানা মারোচ হায়না লাওরক্লে। অহু তাবদা চফু কাইবগী রাবগা ভীমবু কিবগা ঐথোয়দি চফু শোকউদে হায়হনা কপমরে। যুধিষ্টির চংত্তকুনা য়েংই চফুগী লক্ষন উবদা, তাব তারহুনা হায়রকই। মাইমা চফুদি নংনা থুগায়বনি। মাদুগী সাক্ষিদি চফুম্ব মচু হোংলে এথোয়না তুম্মিতৈদা, নংনা থেংউরমাপ্ল অহুদা কায়রগা নংনা শেমজিন্দুনা থমজিল্লম্মগা ননাওশিংদা তাই বা য়ারোই অহুবু রারুগমু কৃষ্ণগী ইষাদগী ওইবনি অমুক মানা লৌশিম্নবগী নংবু চফু কেংহল্লরিবমি জগত অসি শ্রীহরি মানা শান্নবা লিলানি রাকরগমু। কৃষ্ণগী মায়ানি অমুক্তা যুধিষ্টিরনা থামজিন্দুনে অরাবা থাদোকনথরে, ভীম অহুমু মতুংদদি, থুংলাই কন্না তথা মাওথি। অসিগুম্বা আদি পর্ব্বগী অর্জুনগী উংম বিজয়, পাণ্ডব শ্রীকৃষ্ণ থংনবা মংগী অসিবু শ্রদ্ধা ভক্তিদা তাজরবদি মীহু শিরবদা বমগী যাত্তনা কোত্তুনা হরিধাম ফংই। মংসিবু ব্যাস দেবনা লেংলম্বা শোয়ত্রবা রানি, আদি পর্ব্বগী কথাবু পৌরানিক পাররদকি য়াথং নতুংইন্না পাংত্রবা শ্রী০ মধু সিংহনা মতাং অসি ইমালো দা ইর্জরি ইতি। অরামদা কয়াবু পাঠকাশংনা ওাকপিগনি নিংঙে॥ মতাং অসিদা শ্রী৺এলাংবম মধুসিংহ পণ্ডিতকা শরুক লোহরে। হরিবোল হরিবোল হরিবোল॥

অধ্যায় :—

দ্রোনবু গুন্তীরনা য়াংপা অমসুং খুংলাই পরিক্ষাগী রারী মতাং ॥

অধ্যায় অসিদগী শ্রীকোনসম সেল্লুং সিংহ জ্যোতিষ ভূষণ পণ্ডিতকী হবিবকপা রারী শৈরং শরুক হৌজার। সৌতিনা হায়রিবা সৈনহিংবা মুনিসভা, মহাভারত লিখিবা শ্রীবৈশম্পায়ন মুনিন হায়, তাবো পরিক্ষিতকী মচা ইবুঙো জন্মেজয় নিংথৌ। নাখোয়গী গুরু দ্রোণাচার্য। কৌরব পাণ্ডব চাম মচা পুম্নমক্না গঙ্গা স্নান লাকই নিংবা ওইরবা নৈরায় মথক্তা লে, গুরুদ্রোণা গঙ্গাদা কুমথংনা স্নান তৌই। অমম অমা চাংরবা গুন্তীর অমন দ্রোনগী জংঘ চিংখায় কাওব উমলগা য়াইরোমনা পুংদে পুম লাংলেই হতাশ ইপাবু কুন্তীরনা উমলে; ইপাগী প্রান কপলু থাবক্কই, অবাংদা পুংখ্রুনা লকথিবনা লপকেৎ লুপকেৎ চৌবক্লে। ময়াম খক মাংলে হায়না লাওনরক্লে; খুদক অমদা অর্জুনা তেন মচ কাপনা গুন্তীরবু, মতুপ মতুপ করগংচুন দ্রোনগী প্রান কল্লি। প্রান পুক ইংশ লনী কাখংলরগা, অর্জুনবু চেংনা কোল্লগা ল ইবক্তা হয়া হ চুপ্পী। দ্রোন পেনখুচুন পরশুরামগুবনা দান ওহনা পারকলবা লিক, করপা যাংবা বেক্ষম ধনু অক্ষয় তুন অমাং হতা লৈরবা কেশাঙ্গা কাপ্পনা অচৌবা পাখ। মানা ফঙলরবা বা পক মন্ত্র বিদ্যা শীবগা বরপী। হ পার্থ ইচাদি লাইশ মীশ লোইন জয় তৌব ভন্য; সর্গ মর্ত পতাল চাওন নমিংচৎপ ওইরসু। অন্তুদা জুকনী কুপ অংবা গুন উবদা। ফুর্ধ খন মগবাই চাইত্তবগা লাৎনবা অর্জুনবু কিখি। গঙ্গা স্নান তৌরগা গুন লিখ হ্রিয়খি; দ্রোন বিদ্যা অবকপদগী এবিত্র রথ তোংবদা খিভম চকলিনব লি লিচংঙবা হোব। লংগা যদা টক চৈবনা লোকুপনা খ্বাইদগী হেল্লি, থাদা হৈবন সাংহোংকবনা শেগি, ন হম ভম, ভীমখন আনন হল্লি, মল্লযুদ্ধ ভীমন খ্বাইদগী হেল্লি, ধনু বেদ, মন্ত্র বেদ লেনংন বিদ্যা পুম্নমক শুনা হৈবা। য়েংগুই গোংখুং চপ খান্নবা লিংব হৈবা, অ ন দা লগা অম পুম্নমক্ত পুমহেন হেল্লি অর্জুনবু মহৎ ওই খোং খুং মান্নবা লিংই হায়দুনা দোন্ন মব্যাচ হায়বা মিংলোন পী।

দ্রোন গুরুনা তৌরকপা চাসা মচা অস এতিক চান চান থবা লোইরে পরিক্ষা তৌবগী থাজখুনা, কৌরব পাণ্ডব লিচ পুম্নমক্তা লাক্তা দরবারদা খুদংরে। গুরু লেংলিপকনবদা আসন থাবগ ছন্দেছ কয়ামরুম কংলগা দ্রোনবু খুদল চৈনা ভক্তি তৌই। দ্রোনবু সভাদা কল্লিবা ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব শাস্ত্র মস্ত্রি পুন্নমক্তা খুদম্নী, দ্রোণা সভাবু আশিষ তৌই। ছন্দেছ গোন্দ অংগী তুংদা ধৃতরাষ্ট্রনা মফমদা হায়রকই মহারাজা তাংবা দ্রোন ঐ র হায়গে। নচা চাসা মচা এনা বিদ্যা তম্বীবা লোয়র মতিক চানসু হৈঙরে; হেক্তিক বিদ্যা পরিক্ষা তৌরসি হন্দকী বিদ্যা

পরিক্ষাদি। ভারতকী অপুনবা ওইনা তৌসি পরিক্ষা তৌবদা ; লৈবাক মীয়াম তিন্দুনা কুমৈ য়েংবদা হুৎতাইনা য়েংবা ? রঙ্গস্থল নিংথিনা শেম্মু লৈবাক পাওজেল পিয়ু । দ্রোনগী য়াথং তাবদা অন্ধরাজনা বড় মন্ত্রি বিদুরদা শিন্নরে মুমিং অহুদগী হোৎনা রঙ্গভূমী শেমশাবা হৌথরে। রঙ্গস্থল শেমহ্ লোয়্রহনা বিদুর মন্ত্রীনা নিংথৌদা হঙ্গংলি । অন্ধরাজ পণ্ডিতশিংগা তাননবা পরিক্ষা মুমিং লেপলে। পত্রগী পাওজেল্দা দেশ খুদিংগী নিংথৌমচা । ধনু বিদ্যা তমশিং খুংলাই পরিক্ষা য়াওরবা য়াগনি ? অস্থম্না পত্র থারে। ধৃতরাষ্ট্রনা মচা চাম মতাং খংহন্নিংবদগী ; ভারতকী পরিক্ষা অচৌবা ওইনা লাংখি । নিংথৌ মচা করা পরিক্ষা য়াওগদবগী হস্তিনাদা লাকরে, ভারতকী নিংথৌ করাম্ব য়েংনিংঙবা লাক্লে।

পরিক্ষা মুমিং অহু ওস্তা চাবা থকপা লোয়্রবত্রনা, পুঃ ৮ তাবদা রঙ্গস্থলদা অন্ধরাজ পাত্র মন্ত্রীগা লোয়্রমনা ফমলে। ভীষ্ম দ্রোন কৃপাচার্য্য, বাহ্লিক, সোমদত্ত, বিদুর ব্রাহ্মা বৈশ্য বাল বৃদ্ধ যুবা নারী, সর্ব্ব রাজধানী লোইনা তিরে পরিক্ষা য়াওগদবা নিংথৌমচা পুম্নমক লাইনা দ্রোনগী মাংদা ভক্তি তৌত্রনা লৈরে। দ্রোনাচার্য্যনা হৌগৎতুনা ইচাশিং পরিক্ষা হৌহল্লগে, হায়না হায়বকই, রাজ অজ্ঞা হৌগনবিরো হায়না লাওথোক্লকে, দ্রোনা অহানবদা যুধিষ্ঠিরবু য়াথংপিরে ধর্ম্মনশোন হৌগৎলকই । যুধিষ্ঠির শগোল তৌংবা শামু তৌংবগী লাম্লোং উংলি রথ তৌংবগী লাম্লোং থাজৌ, টাগী গদাগী লাম্লোং, লিকং লিরি চিংবা তেন কাপ্পা ধনু বিদ্যা পুম্নমক উংলি । যুধিষ্ঠিরনা বিদাগী গুণ চেকশিন্না ফজারিবহ্ উবদা মীয়াম পুম্নমকনা থাগংনৈ কুন্তা বৈকবা মগী মগুণ উরগা পুডাইরে, যুধিষ্ঠিরগী পরিক্ষা লোইরহনা হন্জিল্লে, গুরুনা ভীম দুর্য্যধন অনি হৌকহল্লি। মল্লবেশ শেৎতুনা গদা অমমম লেংবান্দা থোংলগা থোকলকপহ্ মীয়ামা মীকম হোংশনা য়েংনৈ । চরায়রবা নোংশাগী মতোঙ্গম, বসন্তগী মতমদা হস্তিনীগী মরমদগী শামু লনশা অনি য়াথিরবগুম ভীম । দুর্য্যধন অনি গদাবাগ হায়নখ্রে। গদা অনি থেংনবদা মৈত্র ফ্রু হৌগ, কুণ্ডপাবাগ, বামুবাগ, ঘুর্ণবাগ চক্রবান মণ্ডলিবাগ, মথং মথং লৌনরক্লনা প্রলয়গী মতোঙ্গম, থেংনথরে।

মীয়াম পুম্নমক মিপাইনরর মাংলে মাংলে শিনবা তারে, অনিগী গদা যুদ্ধদ রঙ্গভূমী নিক্লে পৃথীদা অনি অসিগুম লৈরম্ম্বাই থামজিনবিরে। ২ হায়নরকপনা পুমনিননিংরক্লে । গদাযুদ্ধগী থনি মীয়ামনা লাওনরকইবহ্ তাবদা ধৃতরাষ্ট্রনা বিদুরদা হংলকই অহানবা থোকপা কনানো ? হন্দকী অসিনা কনানো, বিদুরনা হায়রৈ দাদা মহারাজা অহানবগনা নচা ইবুংগো যুধিষ্ঠিরনি হন্দক থোকইবা অসিনা ইচা ভীম দুর্য্যধননী । অনিগী গদা যুদ্ধনা মীয়াম পুম্নমক ঙকরে। অন্ধরাজনা হংলকই । মন্ত্রী ভীম দুর্য্যধন অনিহ্ কনানা হেনগদৌরি বিদুরনা হায়রৈ দাদা মহারাজ হৌজিক্তি হেমজি ।

দুইশিন্নরগা ভীমা থম লৈগদবোইনা, অথীংগা নথন পুক্লিংদা দুওতাইবগা অরাবগা য়ামখি । ভীমদুর্য্যধন । দুংশিনদবগা লোইনবা লোইশিনবরগে হায়বগী মতংগুম, থেমেরিবা গদা যুদ্ধ উবদা

দ্রোন গুরুনা মচা অশ্বথামাবু খাংদোকউ হায়না খাজিল্লকই। গুরু নদোন গদা অমা পাইবগা চংখি, অশ্বথামানা অনিমকী মরাইদা চোংশিন থহ্না। অনিমকী গদাবু থক থক স্রথোকলগা চাইথো ভেংক্লা হায়ত্না, মরাইদা লেংললগা থাংখি। ভীম দুর্য্যধন হাপ্পনখিছ্না দ্রোনগী মাংদা। ভক্তি কংলগা মাগী মাগী কমকমদা কর্মখি। অছুগী তুংদা নিংথৌমচা পুন্নমক, খাজি তাগী গদাগী লংলগী যুরা যুরা শিজিন্দুনা। লাখা থেংনহন্দুনা পবিক্ষা তৌই, মখাম পুন্নমক দ্রোনবদা অডকপা কংনৈ।

লিরু তেন্দো' লোমহ্না ধনুর্বিদ্যা উংশি, কনান লক ৬'দি কনানা জলভেদী, কননা পাতালভেদী, অকাশভেদী, অগ্নি অস্ত্র, বরুন অস্ত্র, বাউ অস্ত্র, পর্ব্বত অস্ত্র। বজ্রবান কিন্নরবান, শিববান, দেবী বান গন্ধর্ব্ববান, চক্রবান, ধারা বান ঘুম্ন বান থরগাম. মান মানা তমনরকপা। বিদ্যা পুপোক্লছুন পবিক্ষা তৌই। মায়ামন থাংনবকপগী থোক্লাওবনা বক ভুমি অচ পুমনিন নিনংখ্রে। মখাম পুনক গুরু অজ্ঞাদগী, অশ্বখাম থোক্লকুনা খামজিনবি, ছাত্র ময়াম দ্রোনবু ভক্তি কংলগা পোখানখি, গুরুনা অমুক অর্জ্জুন থোক্লা হায়না য়াথং পিংব। অছুগা অশ্বথামাগা অর্জ্জুনগা মযামগী কুম্ভে ডহাক থুংডাইহল্লগে নিংঙনা হাযকই। অশ্বথাম অর্জ্জুন নবানি লেবাক কুম্ভ ওইনবা ভহাক্ত; লাখা তৌনা বিদ্যা ফোংদোকনৌ, হায়না যাথং পিংর। গুরুগী অজ্ঞা মতুংইন বথ অমাখম তোংলগা। রঙ্গভূমিদা পোবক্লে। পুংশিনবা মকপ অনিহু থোক্লনকপন, অর্শ্বথামানা হা রুকই ইতাও ডহাক্ত কুম্ভ থোকহল্লমলগা নংনা গ্রেডোন্দ তেন অমনা পাও। ঐনা মাইথিবী মঙদ হল্লিনখিগে, অছুগা ইতাওন উংলিব বিদ্যা কোম্ন উংগৌ হায়নাবগা। রঙ্গ ভূমদা বদ অনি মায়োক্লনা থিল্লখ্রে। শিক্লং পাইনবে ধুলিবি চন্দ্র শিবি খিডিঙ সহনাদ দেনৈ, থহানবাী তেন তবা তরা থাক্লা ওক্লে, লৈথেক্লনা খাদনে। অহুদগী কাপশিন্নবগা তেন, অংতথাগী লখা ফুনখিছ্না পুংশিং মাকোইদা থৈথবে, সুমিংকি মতান শিংথখিক্লে। রঙ্গ স্থল পুংমম মমংখ্রে অতিয়াদগী, তেনগা তেনগা ককথংতুনা খাদনে।

অগ্নিবান, বরুন, বান, পর্ব্বত, বজ্রবান, ব্যাঘ্র, সিংহ, কিরাট. কিন্নর, ধারাবান, শিববান, দুর্গাবান, চক্রবান, বিষ্ণুবান কাপনৈ, খুমুক চানা চানা তাক্লি। মবক মরংগা হুঙ্কার ধনি তোনরকপদা মীয়াম নিরুবনী; সাধু সাধু হায়না থাগংতুনা লাওনরকই. বাল বৃদ্ধ যুব, নারী করি ওইবগবা, হায়না কিনবক্লে। অতিয়াদ' কুম্ভে য়েংলিবা লাইন লৈনা নোং চুবগুম, অশ্বথামা অর্জ্জুনগী থক্ল চাইথরক্লে। ধনি অসি তাথদা বিদুরগী মুকমদা অন্ধরাজনা হঙকই, বিদুরনা তাকই ধৃতরাষ্ট্রনা অর্জ্জুন মচাগী মগুন তাবদা, ইনাওরাইমা পাণ্ডুগী মহুৎ লৈংহৌবে থন্নী। কুরু বংশ অসি য়েক্লবনা কিনবগনি, অমুরা অন্ধরাযমু দুডডাইখি, অর্জ্জুন অশ্বথামা এলরগী মতৌগুনা কাপনরথলগা। অর্জ্জুননা থেদিক শোর কাপতুনা গুরু মচাগী তেন লোইনা ককথরগা, থমোইদা তেন তরানা শাফ্র্দ কনহন্দনা থাহনখি। রাজশিন্নবগা শরাজয় কংবগী মঙদা গুরুমচা হজিনখি, বিদ্যা লৈবা ভীষ্ম, দ্রোন, কৃপনা পুংশিনবগী মতৌমি হায়না থংমৈ।

মীয়াম্মা গুরু মচাবু অর্জুনা লাকচখ্রে হায়রিবা থাগৎলরকই; অদুগী তুংদা অর্জুনা সারথী পোখাংচল্লগা, মখোং ওইনা চুম্থি চম্লগা লেংলে। শাক্তং চংশিনা, সারথী ওইরগা অতিয়াদা বাউ মল্লগী গুণথা ফুকত্তুনা চক্রগী মখোঙগুম্মা লৈরকই। করিগুম্বদা অতিয়াদা, করিগুম্বদা পৃথীদা, নোংথাংকুপ্পগী মচৌগুম্মা থৌই। ভেন এমনা কাঙ্গা পুংথাই মরুম মুবর্ণ মুলগরম্বনা, মোং চুথবগুম্বা অহাংবা মরূমদা তাকল্লি। লক্ষ ভেদী, আকাশ ভেদী, জলভেদী, পাতাল ভেদী, শব্দভেদী, বিদ্যা পুন্নমক কোংদোক্লা উৎলি, অদুগা হল্লিন্দুনা গুরুবু থুগমল্লখী। মীয়াম পুমনমকনা অর্জুনবু কনানা ইন্দ্রগুম্মী, কনানা চন্দ্রবংসগী কিরানবী, কনানা কন্দ্রিকুম্মী, কনানা যমগুম্মী, কনামা শিত্তা পাণ্ডুগুম্মী অম্নুমনা মহৈ মহৈ থাগৎলরকই। অর্জুনগী মগুণ উবদা দুর্যোধন কিবগা লোইননা মুঙডাইখিল্লে, মরম অদুদা ওসাইমথৈ পম্বালদা অর্জুনগী বিদ্যা য়েংলম্বদগী কর্ণ সভা মরাইদা ওক্ল। কর্ণনা মীযাম তানবা লাওনা হায়রকই, রঙ্গ সভা তিনবীরিবা রাজ সভা ভাবীযু, ময়ামমা পাগৎলবীবা অর্জুনগী বিদ্যা অসি; থাগৎলরিবা অসি, অর্জুনদগী হেন্না বিদ্যা পুথোকচগে য়েংবীযু, কর্ণনা লাওরকপা রাহায় অসি ভাবদা মীয়াম পুমনমক ওকুনা, কর্ণবু চিংনা য়েংদুনা ভুমিন্না লৈনৈ। কর্ণগী মতিক মগুণ তেজবির্যা অকন্না কবচ কিরিটি কুণ্ডল লোইনবা, বীর পুরুষ অদুবু উবদা, দুর্যোধন নিপা অসিবু ঐগী মিচং ওইনা লোশিনহৌরবদি অর্জুনবু কিবগী অন্নাবসি কোক্লনি। অসি খন্দুনা মরূপ ওইদুনা ফাজিনহৌবাগ নিংবদগী, দুর্যোধন হৌগৎলগা কর্ণগী মমাক্তা লেনশিল্লকই।

দুর্যোধন্না কর্ণবু পাম্বোম অনিনা চেংনা কোল্লগা হায়রকই; মহাশয় নগা দাক্তা মরূপ শাল্লসি, মহাকপু হে-সত্তা মতিকচানা ঐন শেমগনি। কর্ণবু দুর্যোধন্না পুশিনখিত্তনা, আসন্দ ফমহল্লগা হল্লেছ করা লানশিন্দুনা, পেনখল্লগা হায়রকই। হে-সখা করি অপাম্বা লৈবাগে হায়তানা হায়বিযু। কর্ণনা হায়রকই মচাইবুডেডা অর্জুনগা ঐগা লাম্ব তৌনদুনা মীয়ামনা বুদ্ধি য়েংনবা লাম্ভেংনগাগ, অমুক্তা শিনাবযু। দুর্যোধন্না হায়রকই। সখা অর্জুনগা লাম্বা থোনৌ নিংতনবিগদ্ব; মহাকিদমক চচিন ইনাও ১ ০ লেপকমি। দুর্যোধনগী বা তাবদ কর্ণ লিকং পায়দুনা তো থলকই, মতম অদুদা অর্জুন কর্ণদা ওদুনা হায়রকই. মনা কত অনাপ্লেরা নংবুদি নিমন্ত্রণনা কোবগ নত্তবা ম। এমগা রাথংদ্ব লৈতবা মংনা। এগা লাম্বা তৌগ হাংরবদি কর্ণ নঙ্গি নাতক করি লৈদুনা হায়রবনো? কর্ণনা হায় অর্জুন (বাগ চাট্টার) রাওাং হৈবগী নাপল অদুনদি কানদোই, দংলেংনরগা থঙনি গুরু দ্রোনগী মাংদা নওক কজুনা থাদগে। কর্ণগী র তাবদা দ্রোন মৈহৌবগুম শাওদুনা। অর্জুন লোই না হায়রা য়াথং পিরে।

গুরু মক্তা কডগ্রবদা অর্জুন লিরাং পাইডনা রঙ্গ ভুমীদা। কর্ণ হাংকে রাশতুনা লেপথরম, কর্ণ অর্জুন হাংকে রাশকতুনা। বীরপুরুষ অনি মায়োকনরে। কর্ণগী তংদা দুর্যোধন মচিন মনাও ১০০ লেপথরে, অর্জুনগী তুংদা মরাং মনাও ৪ ভীম দ্রোন কৃপ অশ্বথামা বাহ্লিক সোমদত্ত লেপথরে। চাযবু তুংশিবনা কর্ণগী পক্ষদা লেপলে, মতাযু তুংশিবমা অর্জুনগী পক্ষদা লেপলে,

ঘুপ্‌শি অভাং অহল এাহ্মণ কাওবা মাকপাক ভানহুনা লেপলে। মীয়াম্বগী মিল খোংলকপা খোজেল্লা সমত্রনা ইথক হৌবা গুরে প্রলয়গী মত্তৌগুম ওইরক্লে। মতম অহদা কুন্তী বৈকবী মচা অমি লাম্বেংমখ্রবদি মাংবা ভারে থলদুবদা অান মাংখিহুনা পাখংলবী কুন্তী। লৈমায় থক্ক হায়খত্রে। বিছুর চেনসিন্নকহুনা ইশিং চাইহনা লাকনরে, কুন্তীনা হায়রকই প্রানদেবর অনি অসি লাপ্না তৌরমগম্ন, ইংগুমগী খযোই পুবা গুমদে খাম্নু। কুন্তীগী য়া তাবদা মন্থ দা অর্থ অমা লৈবরা থল্লুনা খামজগে হায়রম্নগা অন্ধরাজদা হঙংলে। দাদা মহারাজ ওসি খামতৌদহুনা লাম্বেংনখ্রবদি হস্তিনা তুম্নবা ভারে, ভাবক কাওবা নাকপাক ভানখরে। মন্ত্রীগী য়া তাবদা অন্ধরাজনা হায়রকুই, বিছুর আচার্য্য গুরুদা হায়য়ু কর্ণ শায়বা নিপাল্ল করম্বা লাগে মচানো? যাতিগী নির্ণয় খওদনা ইচা অর্জুনগা লাল পাহনগম্ন হায়না। কৃপচার্য্যদা হায়রু, রাজা অঙ্গা কংলবদা মন্ত্রী চওখিহনা নিংথৌগী য়াথংবু অচায্য গুরুদা হঙংখরে। কৃপচার্য্যনা ময়াইদা চওখীহনা, কর্ণগী মফমদা হায়রকই, কর্ণ নংবু করম্বা বংশদা পোকপনো জাতিগী নিম য় হাকউ? নিংথৌগী য়াথংনি।

কর্ণ কৃপাচার্য্যাগী য়াফম অসি হাবদা, সাবখী কমভমগী মাইগৈদা য়েংলক্লগা। য়াঙাংদনা মকলুকুন। খোংবিনা লৈপাঙ্কা ভক্কুনা লৈখি। কৃপাচার্য্যানা লৈকন খওহুনা শাওনা হায়রকই। হায় হায় কর্ণ জাতি হম্ববা মচা নংনা চন্দ্রবংশগী অর্জুনগা লাম্বা লেপবা য়াই কাদে থংত্রা? যাত্রনিতী খোগলোন থংদবা মুর্খ মতক লাক্কুনা ইললুরা; হল্লোকউ নং রাজ দণ্ড কংনিংত্রা? মীয়ামম্ন হনজাঁঙ্খ, হায়না কৃপনা লাওরকই। রাজ দণ্ডী কিনহুনা লোয়না হন্দোরখী। মতম অহদা দুর্য্যোধনা হায়বকই খাতি শৌল্লবম্ন রাজপদবী লৈরবদি মীওইবদগী অথোইবনি। গুরুদেব নিংথৌ পদবী ওইরবদি মাহ্ ব্রাহ্মণ ক্ষেৎ লাইমরুম্ন মর্য্যাদা তৌনকমনি হায়না, নিতী শাস্ত্রনা হায়রি। মরম অসিনা বংব পুবম ওইবরা কর্ণবু ডাসিমংখ নিংথৌ অভিষেক তৌরগনি।

থুদক অদুমক্ত সনাগী আসনদা কমহল্লগা; মনাওশিংদা য়াথংপিহনা পোংলম পুম্নমক লাংওনা বেদগ্য ব্রাহ্মণগ্ন মন্ত্র অভিষেক তৌহল্লগা। দুর্য্যোধনা লৈপরেং পাইহুনা কর্ণগী গুরু হুক্কলগা অঙ্গ দেশগী নিংথৌ হাপলে। শত্র খাপ্লে কাংহাও চামরগী খোগল, মনাওশিংবু লেপহল্লি। কর্ণনা অঙ্গদেশকী নিংথৌ ওইরবদা কুন্তী মুঙাহবগী ইপাক্রা ভাওথি। কর্ণনা হাযরকই কুরু নন্দোন মচাইবুডেও, নহাকনা ঐবু লেম্বীবিব অসিগী লনজী? কদাইদা শিংউ কায়বগে ভাকপিয়ু? দুর্য্যোধনা হায়রকই। প্রানসখা ঐনা পামজবদি, পুনসিগী নহাকপু মরুপ ওইজবা নহাকনা ঐগী শহায়ক ওইবীহুনা পুনসি চুপ্পা লৈবিবা অসিনি। কর্ণ পেনখ্রহুনা হায়বকই, হে — সত্য চন্দ্র সূর্য্যানা সাক্ষি ওইখ্রসম্ন, ঐগী পুনসি অসি নত্তোন্দা কংথোক্লবনি। সখা নহাকী সংপক ওইহনা লৈজবংগ দুর্য্যোধনা হাযরকই নহাকপু ঐন গাবা থকপা শিন্নবদা? জগৎ কনাননো ভিন্নরোহদবা। নদা য়াকা ওসি লৈবাক মযাংদ? চয়াদ পান শাইরগা চিননা কংমনা ইরহুনা ইবঙানিবক চামিন্নশবদনি। দুর্য্যোধনা কর্ণদা পান মতপ অমা ইল্লে, মানা অমা লৌরে পানশাহরগ, কর্ণ দুর্য্যধন চেক্কেৎ কোম্নরগা

চিনবংঅদা ইরহনা চাৎখনখে । মতম অদুদা অধিরথ মহাক কর্ণনা অঙ্গদেশগী নিংথৌ ওইরে তাবদা, বর্গ খুংনা লাখা কনগুম পুক্তাইরপ্রদা চৈথু পাইদুনা চেক্কপদা সরু তৌরকই, থক থক নিরুনা লাওরকই ইচানিংথৌ উনলে, লহৌ খারোকখ ঐ ঘটে, অধিরথগী মা তাবদা মীরাম সারথী হৌবা লাকই চংঙলথো থামহনা ; অমাইদা থাজিনদ্রি । কর্ণ লিক্ষা উবদা অধিরথনী হৌগংলকুনা, গুরু মি য়েংলগা অষ্টাঙ্গ ভক্তিনা খুরুম্মী । অধিরথনা কর্ণবু চংবা কোয়গা ইচাপোক চখং ইপাদি মখে মায়ে হায়ৗহনা লাইবক্কা চুপখি ।

কর্ণবু অধিরথগী মচানি হায়বা মীয়ামনা খংনখি, তাম অমগা তাম হৌগংগকুনা, পদা অমা পাংরগা ঙংহনা হায়রকই । ইকাইদবা সুতমচ অদা ইনাও অর্জুনগা লাম্বা চৌপনি হায়নবা লেপ্পমীবা, রাজনীতি খংদবা সুংমচা অসিবু রাখল লৈতবা দাদা দুর্য ব' অঙ্গদেশগী নিংথৌ হাপ্পি । অসি অংল্লমনগী গুণ য়েংদবা, থকপি থাসি নাইদবগী মতৌনি , মতিক চাদবা থবকনা । ভীমগী মা তাবদা দুর্যোধনগী থৌদো অহু পেন্নমত্রবা, হায়বদি ওমনরমত্রবা মীয়াম অহ ভীমু সাধু সাধু হায়না থাগংডুনা লাওনকই । দুর্যোধন অহ লাওবনা মমিত্ত হ কাওম ভীমদা হাযরকই । খুংকাদোর মীংঈববু পোকফমনা চংনরা ? দ্রোনিদগী গুকদেব দ্রোন পোকই. শরদ্বান মুনিবু সবপত্র বনদগী পোকই, কর্ত্তিকপু মমা তুল্কী মচানি হায়রম । বিশ্বামিত্রন ক্ষেত্রি কুলদগী ওইথিবনি, পাণ্ডব মঙ মপথাইগী পাকপম্বু অপংমা থডবরি পোকফনা চংনদে মগুন লৈরবগী জগতনা বেণ্যহাব তৌমরি । য়েংউ কর্ণ অসি অক্ষয় কবচ কিটি কুণ্ডলনা লতেংই অমাণ্ড শম্ব ত ওইবা মডাম্র সুমিংকী তেজগুবা পুরুষ বম্ব ওইনা কর্ণনা অঙ্গদেশকী নিংথৌ ওইবদি মতিকপু চাদ, পৃথিবীগী মপু ওইবদা মতিকচাবা বীর পুরুষনি । ঐনা মতিক চাই হায়দুনা পিবনি । তৌজিক ইপানা নিংথৌনি । ইমানা পাণ্ডবরীনি, ঐনা তৌবা থবক্কা কনানা য়েংপা ওটথোকলোই । কন্নম্ব ভীমগী অয়াকপা মাংহ তাবদা দেহেদ্র থক থক নিক্রুনা ! সুমিংপু য়ে দুনা লখি ? যুধিষ্ঠিরনা কর্ণবু উবদা থম্মোযদা অকিন অমা পোকখি

ধৃতরাষ্ট্রনা পরিক্ষা য়াওরবা নিংথৌনচা পুমমক মতিক চানা মমা পীখি, দ্রোন ওঝানা মাগী মাগী শিদ্যাগী মহৃঈয়া মতিক চানা চানা পরিক্ষা পত্র পিরে । সুমিং তারদুনা মীয়াম পুমনমক মাগী মাগী ময়ুমদ' হয়থরে । কুন্তীসু কর্ণ মচানা অঙ্গদেশকী নিংথৌ ওগরবদা পুকনিংদা গুডডাইনা হক্কিনখি দুর্যোধন অর্জুনবু কিবদ্রহ কর্ণবু সংত্রবদা অকিবা পুমমক পোয়না কোকখি ? কর্ণ অর্জুন অনিমক অত্তাথ তেকনগী রাথন থয়োইদা লনখি । মীয়ম পুমমক্না কৌরব পাণ্ডব অনিমকসি ; নাকপাক ভান্ধনা য়েকনং দৌনী হাবরসি রাথল তৌনখি । পরিক্ষা লোইরে : অসিগুম্ব আদি পর্ব্বগী রাবী অসিবু শ্রীব দেবনা লে মমলখা বিদ্যা পরিক্ষাগী মতাং অসি তাম্রবদা, পুনাগী মণকনি । মাসিবু তোল্লবা শ্রীসম্ভু সংল্লো লৈতেলোজা ইজরগী দোষ পুমমক বৈকব সমাপ্তনা তাকপীগনি নিংবে । ইতি । হরিবোল হরিবোল হরিবোল ॥

অ[illegible] —

দ্রোন গুরুনা দক্ষিনা নিরকপা পঞ্চালদা কৌরব পাণ্ডব লান্দারকতুনা দ্রুপদ ফারগা দ্রোন দক্ষিনা কংপগী ৱারা মতা ॥

নৈমিষরন্যদা ৱারী তাশিবা শৌনকনচিংবা ব্রাহ্মণ লিশিং কুম্না, ৱারী লিংবা সৌতিদা হায়রকই হে— উগ্রশ্রবা সৌতি দ্রুপদ নিংথৌবু কাউনা দ্রোনদা গুরু দক্ষিনা কংখিবা মতাং অদু [illegible]। সৌতিনা হায়রে তাবিয় [illegible] মহাত্মাশিং মহাভারত পুরাণবু লিরিবা বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়রকই তারো চন্দ্রবংশ। ফরান ওইরিব হে জন্মেজয় নিংথৌ। বিদ্যা পরিক্ষা পাইরবা মতম থরগা মতুংদা নোংমা দ্রোনা কৌরব পাণ্ডব চামা মচা কৌশল্লগা হায়রকই। চামা মচা তারো [illegible] নাপায়ং তম্বাবগী দক্ষিনা নিরগা, মমাং লৈবা নখোয়না ৱাশকখি; ঐনা হায়রকপবু সোয়দনা [illegible] হৌরগনি। মরম অসিনা ঐনা হায়বা ৱা অসি নাপাইনা পাংথোকউ; পঞ্চাল নিংথৌ দ্রুপদবু ফাগ [illegible] পুরক্লগ ঐঙোন্দা দক্ষিনা ওইনা পীয়ু। অসুম হায়না গুরুগী দক্ষিনা নিরক্ল, দ্রোনগী ৱা [illegible] শরবদা, যুধিষ্ঠীর হৌবা ধর্মনিংবা চামা, মচানা, শোয়দনা কচ্চগে, হায়ওনা গুরুবু খুম্মজনগা থবায় [illegible] অগী তুংদা কোংয়ানদা থম শাওনা, মগোল, শায়, রথ, খুঙ খুংলাই লোয়নদুনা, যুদ্ধ কয়া চৈংগা থোংবগা। জয় ধ্বনি লাওদুনা। যাত্রা তৌরকই। পঞ্চাল নিংথৌ [illegible] পত্র থ [illegible] দ্রুপদ চিং মংবদা মৈ থোক্লা শাওদুনা পত্র মন্ত্রী [illegible] সেনাপতীশিংদা লানগী পাও লংঙথোকখ্রে। খুদক অতুদা পঞ্চালগী হেক্লোন শেমশাবা লাইগী পুন্নপ খুডওরে। দ্রুপদ নিংথৌ মনাও নপা ধৃষ্ট কেতু, যজ্ঞসেন, সত্যধর্ম্ম সেনাপতী সত্যজিৎ, অমসুং সৃঞ্জয় ৱাজা। শিখণ্ডী উগ্রম জ বৃধ যন্ত্র মচাশিপ অহম লোয়নদুনা শোমুখ শঙ্খ ভেডিনচিংবে পুংশেল [illegible] লান থোক্লকই; রণভূমিদা কোংয়ান অনি মাথোকনখ্রে। প্রলয়গী মতৌগুম ৱাপ্লরকপা লানদা মগোল, শায় রথ কয়ামরুম কপুনা থাদরে।

দ্রুপদ নিংথৌ দুর্য্যোধন মচিন মনাও চামগা কাপ্পরকপদা দ্রুপদগী খুংকাপনা হেক্লিরকতুনা চামগী খুংকাপ নংঙনা ককথংলগা! নোংশিল্লকপদা, তন্না চানগী লিংঙ ককথংলি। মা অমগা [illegible] ১০ তরা নমদুনা থাবদা? দুর্য্যোধন মনাওশিংনা কায়ডনা চেন্ন্রে মচিন মনাও চামনা কাইদুনা চেনখ্রবদা ভীম মৈ তৌবগুম শাওদুনা গদা পয়রগা মুংশিংকী মাংথানা তেংগোল মরাইদা চেনশিনখি ভীমগী তুংদা যুধিষ্ঠীর নোকুল সোহদেব রথ থৌজিল্লি থত উবদা অর্জ্জুননা হায়রকই য়াম্বুং লেংশিন বিখিল্লু হংলোকুনা কুন্তী [illegible] মনাও পাজনখ্রে। নকুল সোহদেব য়াম্বুংগী থোগল তৌদুনা। রথওঙানিনা য়াম্বুংবু রক্ষা তৌ; অসুম্না ময়াকং মনাও থাম্মগা থনমই। অর্জ্জুন লান চংই। ভীমনা তৌরকপা লালোং অতকপগী মঙচান, যম কালগী মতৌগুম্না শায় মরক্তা চেনসিনখিদুনা গদানা

থাবদা চাওর চাওরবা শামু মকোক কাইহনা হায়থ হায়থ তারকই শগোল শামু রথ দোলাই মশিং নাইদনা থৈংথাইরক্লে, ময়াম্বা ভীমগী লানোং উবদা অর্জুনা হায়রকই। দাদা মাইথা ঐখোইগী অস্ত্রতাংমকও নত্তে মীদি হাংথিরুগনু? নিংথৌ কানবদা চোংনসি। মনাও অর্জুনগী বা তাবদা ভীমনা হায়রকই, অর্জুন ঙয়াম্বাদ পোইসিল্লসির। থল্লুরে। নংবা মী হাংকন্নসি হায়রবনিনা ইমাখা তেংবাংল তানথাইগে, নংনা নিংথৌ ফংলগা। ভীম অর্জুন, রামসি হান্নরগা ভীমনা তেংবাংলোমদা ফুংনখি, অর্জুনা দ্রুপদগী মাংদা রথ থোঙ্জিনখ্রে। ভীম অমা চরামনরবা নোংশানা শঙ্জি শডাই মরক্তা চেনশিনখিবগুম চঙডকইবা লাঙং অমু উবদা তেগোন রা রা কাইহনা চেয়রে।

অসামদা অর্জুনগা দ্রুপদগা মায়োকনহনা কাপনরকপা, তেম্না অতিরাগী লথী কুম্মি থংশিং থোংখ্রু। থমিংকী মডাশ লিংথখিদবনা লানথম অমু পুম্মমমলে। ইন্দ্রথ্বাল, ব্রহ্মজাল, শরজাল, প্রলহ, পনমু, শতপনবাল, ভয়ঙ্কর কামৌনি, মহোনবান, ভুষণ্ডি, তোমার, শেল, শুল, গদা, যষ্টি, অসিনচিংবা মশিং লাকডমদনা থানরকই। দ্রুপদনা কাপ্পা অর্জুননা ককই, অর্জুন! তেম্না দ্রুপদনা ককথনরকপ তেনতনা পৃথী কুপথরে, অতিরাদা লাইয়াম্না কুঁপ্ম য়েংনখ্রে। অম্মমা পানরকপা লানথমদা গুরু কুপা লেবা! অর্জুনা থুকাপ কুংবা হঙ্জিলক্লুনা সেদিক শোবনা দ্রুপদগী থুকাপ পুম্মক নমংবা ককথংলগা? লিরুং কক্লুনা থাদরে। দ্রুপদ অহনবা লিরুং অমা লৌরিইভেদা সারথী শগোল রথ কক্লুনা থাদরে, দ্রুপদ পৃথীদা … থরকপদা। অর্জুন ভিত্তিবাম্না হুদিদা থাবদা খুর খিংহনা তাখ্রে। অর্জুন রথদগী চোংথনক্লুনা দ্রুপদবু কাবগা পোলাইদা হাপতুনা জয়ধ্বনি লাওরকই। তেগোল কাইহনা চেনখ্রে। … জ্ঞান লাকপদা অর্জুনা হাইরি রাবিগমু প্রাম কনগনী হস্তিনাদদি য়েংসি, অর্জুন তেগোলগা লোয়ননা হস্তিনাদা চল্লকই। গুরু দ্রোনগী হোং থোরক্রবদা দুর্যোধনা অর্জুনা হায়রকই, অর্জুন গুরুনা পুনদুনা পুরকউ হায়রগা? নংনা লেম্না পুশিলশবদি গুরুনা পেল্লরাই, পুল্লগা গুরুগী চরন্দা কংকদবনি। অর্জুনা হায়রকই তাম্মুং জয় তৌরবগি প্রেম কাপ্পনদনা পুশিনবনা নৈক, এনা ইপাগুম্নি থঞ্জহনা লেম্না পুজরকপনি। দুর্যোধনা হায় অর্জুন মাহ গুরুনা পেএরোই হায়রগা রথ মথক্তগী দ্রুপদবু শরেং পাঙহনা চিথরগা! মথোং মথুংনমহনা পুম্নে। দুর্যোধন মনাওশিঙ্গা দ্রুপদবু চিংহনা পুশিনখ্রগা গুরুগী চরন্দা হুজিন্নুনা কংলি, দুর্যোধনা থুংশিথংদবগী মতোংমু উবদা দ্রোন মুগুডাইরক্লে। দ্রুপদনা পুম্নিবহু থাদোক্লগা দ্রোণা হায়রকই, পঞ্চাল নিংথৌ চোন ঐবু শক থগত্রা। নং অসি ইপাম লাইরিক তম্মীভেদা মরুপ ওইথিবনি।

মরুপ ওইবগী প্রেম্না নবু সাথা হায়না কৌরবশিংমক সভা মদাংদা ঐবু নংনা থোগলোন থঙদবা চাকনিবা ব্রাহ্মণ মচা নং! নত্তক লাক্লুনা ইনলুবা হায়রিবা। অমুক্তা নিংশিংউ নংনা থম্মরবনু, ঐদি নংবু মরুপ ওইবগী প্রেমনা নজি মথথাই কনগনি। কিরুগুহে সখা। চোংজিংকি মজা পঞ্চাল লৈবাক অমু দ্রোন ঐগী ওইরে, অমু নঙ্গুমনা কনগবদি দ্রোন ঐদি তৌরোই। পঞ্চাল লৈবাক্তু থা রাং, থাইবোক রেমগা মথা থংবা শরুক নত্তোম্না পীরগে। মাহ মংনা রাজ্যতুম তাহুন

পাঞ্চালগী অদুবু খুদোং পাম্বা। অদুগা থবা অহিচ্ছত্র নগরদা হাইবা কম্পিল্য শহর অর্ধ ওইবা থাক্লগে; মাহাক্না সাসনা মংনবা অদুবু তৌজৌ চাংবগী (কোড) থাওদাদি. অতোম্বা কাক্কউ। দ্রোণ এনা হায়রিবা রাজ্য অসিদা মথা মংনা, করি হায়রিঙ্গী নৈশি হায়বু? পঞ্চাল নিংথৌ। দ্রোণগী মাহাক অসিদা দ্রুপদনা হায়জরকই, হৌজিক্তি গুরু দ্রোণগী ওপ খাঙ্জরে। থবাই কনবিয়ে রাজ্যতুগম্বু; কাইদন পিনবিয়ে। তাকপীবা য়াথং অদু কাইদনা তাকচরগে হায়রগা। নিংথৌ মথুদনা দলিল ইরগা সোহি তৌদুনা দ্রোণদা দলিলদু কংলে। দ্রোণা দ্রুপদবু স্নান ক্রিয়া লাংহল্লে, হপেগ কয়া লাংদুনা নৌতুন আভরণগা লোইননা বথ অমা পিয়ে; দ্রুপদ দ্রোণবু খুরুম্ললগা হনখি।

দ্রুপদন থামোইদা য়েকথিবা দুর্য্যোধনগা দ্রোণগা॥ তুংশিংখিবদা মাবু জয় তৌবা অর্জুন অসিনি চংনা চংনা য়াথল তৌরকপদগী গুত্তাইখিদবনা। য়াম্বতুনা যাজ উপযাজ, কুলাচার্য্যগী আশ্রমদা লাকই। দ্রুপদনা কুলপুরোহিত মচিন মনাওগী চরণদা খুরুমজদুনা হায়রে, গুরুদেব ইচানিপা অমগা তুপী অমগা ফংনবা যজ্ঞ অমত্তু কচ্চগ; গুরু অনিনা যজ্ঞ কন্দবু। যাজনা হায়রকই। মহারাজা করি মথমদগীনো লায়বু? দ্রুপদনা হায়রে। দ্রোণ হাৎনবা চচানিপা অমা, পাণ্ডবী অর্জুনা থাজনবা নুপা অমগা ফংনিঙই। যাজনা হায় ব্রাহ্মণ হাংনবগী যজ্ঞ তৌবা গৌনদে তৌগনু, দ্রুপদনা হায়ই গুরুদেব অর্জুনবু গুরু দক্ষিণাগী ওইবু লানফমদা অয় তৌদুনা কাবে। অদুবু মান শপোৎ করবনা ইপাতুগনি খল্লুনা। বেব্যাহার তৌনা মপদা হাপতুনা পুই। হস্তিনা য়োরবদা ঙগী লানফমদ কাইদুনা চেস্তবা দুর্য্যোধনবু অমসুং অর্জুনগী রথদগী চিংথরগা পুন্দুনা শা থদ চিংবগুম চিংদুনা পুরগা দ্রোণগী খোংদা তঙ্খিন্দুনা কংশি। মথম অদুদগী থম্মোয় শোকখিদুনা, দ্রোণ হাৎনবা থারা অমা, অর্জুনদ ইমাক ওইরগ ধর্ম্ম লৈত্রবা দুয্যোধন মচন মনাপ মৃৎহনবগী, ইচা নিংগৌন অমা পোক্নবা। যজ্ঞ তৌগে হায়রনা য়াশকখ্রে।

মথম অক্রি কেত্রি নিংথে ঐখোয়গী দি, য়াশক চাকপনা ধম্মুনি মরম অসিনা। কুলাচার্য্য অনি চহি অমা যজ্ঞ কন্দবু। দ্রুপদগী য়াহৈ ভাবদ উপযাজনা হায়রকই, দাদাবু নিংথৌনা য়াশক তাকপনা ধম্মুনি। ব্রাহ্মণা যজ্ঞ কয়া জাতিগী ধর্ম্মন। মথম অসিনা যজমানগী যজ্ঞদি কদবা য়াত্রবনি, মনাওগী বু ভাবদা যাজনু মায়না, দ্রুপদগী রথ তাংদুনা লাকমিন্নরে। দ্রুপদা গঙ্গাগী থোংবাদা লমজাওদা রথ থাব। বাশক থুংত্রিমাইখ কোম্বু চংলমোই লেপখিদুনা। চিঠি ইরগা থাজিনখি, দরবাবদা চিঠী থুংডখি তুতকী মংলগী পত্র ফংবদ গুত্তাইনখবদুনা মচা মনাও পাত্র মন্ত্রী ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব পুম্নক। যজ্ঞগী মপোং লাংদুনা, শগোল শামু রথদা হাপলগা। গঙ্গাগী থোংবানদা পুথরক্লে। যজ্ঞ লৈবং শেমপে মাওব চাওনা থরে, ব্রাহ্মা লিশিং কুন বাৰ্ত্তণ তৌরে। খুদলপ তৌদুনা যজ্ঞ তৌরকপনা, চহি অমা ফাবক্রবদা যজ্ঞ লৈরং মথুদগী মৈগী শক্তিবা কিরিটি কুণ্ডলা কবচ লোইনদুনা লিরং ভেনদোং লোয়নদুনা? মৈগী ভেজগুম ওয়রবা নিপা অমা চোংথোরক্

ধতম অহুদা লাইনা লাওথরকইজ্রে, পদ নিংথৌ যজ্ঞদগী কংইবা মচা অহুনা । লেপ্পা দ্রোনবু হাংজনগনি। মখিংনা ধৃষ্টদ্যুম্ন কৌ অম্ননা হায়রক্কই। অহুদগী হোৎ অমুক পিরকপদা , দেবী শক্তিম্না থয়ো অশংবগী মচু মান্নবা , থম্বালগী মনম নমলবা মাওইবগী পুক্নিং হুনা কন্নরবা ছুগী মচা অমা চোংথোরক্লে। ব্রহ্মানা অতিথাদগী লাওরকই পঞ্চাল নিংথৌ তাবো? হৃদকী মচানুপী অসি বৃদ্ধিদা বৃহস্পতি ওযগনি। সতী সাধবী পতি ব্রতা ওইগনি, মহাত্মা শ্রেষ্ঠলেঙ্গবিবা পাণ্ডব মণ্ডা অহু নমাক ওইনা কংলগনি। মচানুপী অসীগী চাকুক্তা শ্রীকৃষ্ণগী লিপ্পা ওইরনা, পৃথীগী অরুবা ভারী কোকলরগনি। মহাকথওা মংবা থম্মোয়দা মেকইবা কৌরব বংশহু তুম্না মাংলনী। কৌরব পাণ্ডব ওনসিনহুনা মারবদা ভারতকী লাম্নাও অমা থোক্লগনি ।

মতম অমদা পাণ্ডব নমাক মণ্ডা অহু মরৈবাক কাইহুনা নণ্ডরগনি, হৌজিক্কী মংবা লানগী মচাক খুন্ন খুংলাই লাংহুনা থমজিললু, অম্নমনা আকাশবানী লাওরকখি। স্বর্গদগী লাইনা লৈ চাইথরকখী, দুন্দুভী বাজম তৌখি; অপসরাশিং হুগোয় শানরে, গন্ধর্ব্বনা ইশৈ শকখি, আজিম্না পুমশিন নিলখি। দ্রুপদ নিংথৌ মুত্তাইবগী ইপাক্তা তাওরে, যজ্ঞ পূর্ণাহুতি পাংখ্রে। ব্রাহ্মণ পুম্নমক দক্ষিনা মশিংকচানা কংখি। যজ্ঞ লোইরগনা ব্রাহ্মণ মরাম মাগী মাগী আশ্রমদা হল্লখি। দ্রুপদ মচা অনি যজ্ঞবদা প্রজা মীয়াম লোয়নহুনা কোপ্পংদা হজিল্লকসমই। দরবার কয়হুনা পাত্র মন্ত্রীগা তাম্নহুনা খুৎ হৈবা মীত্রি কয়া খোমগৎতুনা অহিং শুংখিল পোথাবা নাইদনা লানগী খুৎত খুংলাই শাহনখি।

মতৌ অম্নদা পঞ্চাল নিংথৌ মচা য়োকতুনা লৈয়কপদা, বাথন তৌরকই থগী ইচা অসি দ্রোণদা বিদ্যা তমহল্লগা দ্রোণা হৈরিবা বিদ্যা লোয়মা হৈহনগে। দ্রুপদ মচাবু বিদ্যা আরম্ভ তৌহুনা কুল চার্য্যদা লাইরিক তমংল্লি। মতিকচানা হৈরবদা লাইরিক তম্বা তোক্লগা। ধৃষ্টদ্যুম্না মচাবু দ্রোন গুরুদা পুরকহুনা শিন্নরগা। ধনুবিদা পুম্নমক লোইনা তমজখি। অসিগুম্বা আদি, পর্ব্বগী য়াথী অসি তাজবদা পুনাগী মথকনি। শ্রীব্যাসদেবনা, লেংলমলবা মাসিবু তোল্লবা শ্রীসেনুং সিংহমা মৈতৈলোন্দা ইজবগী দোষ পুম্নমক বৈষ্ণব সমাজনা চাকপীগনি নিংজে। ইতি। হরিবোল হরিবোল হরিবোল ॥

অধ্যায় ঃ—

যোগেশ্বর মহাদেবগীদমক গান্ধারী কুন্তী খংনবা, অর্জ্জুনন ধনঞ্জয় কৌব' মিংথোল ফংখিবগী ৱারী মতাং ॥

শৌনকাদি-বা মুনি সভাগী মফমদা, সুতনা মচ সাতিন' হায়রে তাবিয়ু ব্রহ্ম সন্ত'। জন্মেজয় নিংথৌগী মফমদা বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়, তারো মগায়াক্ষ্য বিজয়া হস্তিনাপুর প্রসিদ্ধ ওইরবা যোগেশ্বর কৌবা। সিব লিঙ্গ অমা লৈ। মহাদেব অসি মথা'ংদগী চংনবকপদা, এহাক্বা বাদনা পুজা কৌবা, প্রজা মীয়ুমনা পুজা তৌবা বা'দ। কুন্তীন মহারাণী ওই বি'ঙদা পুজা তৌকদা, পাণ্ডুনা মরাক্দা নিংথৌ কংথোকলমলগা শত পুত্রদা লৈখিবদগী, গান্ধারীনা পুজা তৌহোই। কুন্তীসু শত পুত্রগী হল্লকপদগী, শিবগী পুজা অহুম তৌরে, গান্ধারী কুন্তী অনিসি, অরুপা থেংনদ। সদা শিবনা মতাং চারে অর্জ্জুন অসি ভগত কাওনা মথি' চৎহল্লগে নিংঙুনা, মতাং অসিদাই মীরকপদা শিবগী ইছাদমী গান্ধারী কুন্তী মতম ভিন্নহনখিহনা। নোংমদি কুন্তনা পুজা লোইবগা থোককপদা, গান্ধারীনা পুজা কংকদবগী লাকপগা, শিবগী হোৎদা থেংনবা গান্ধারীনা হায় কুন্তী নংযু শিব পুজা তৌকয়া? কুন্তীনা মচেমযু খুদমলবগা পুজা কং কই হায়ন। খুদম'ব। গান্ধারীনা হাথকই। কুন্তী লুহ্রাবী নংনা পুজা কংগবদি, লৈবাক মসি মরা অমা নঙেডাইপা! মমাংঙৈদগী চৎনবকপন মহারাণীঙনা, সিবা পুজা তৌনরকই। নহাবমথৈ ঐ খংদ্রিঙৈদা ঙাইরমলবসু, মতু অসিদদি নং পুজা তৌরগদ লৈপাক প্রজা অরা অমা নঙনা। গান্ধারীনা কুন্তীবু হম্বনা থেংবা লাইরবী লুহ্রাবীনা হায়হনা, ঙশিঙবগী রাহেসি ভাবদা। কুন্তীনা হায়রে ঙচে ইবেমযুদি ঐনা হায় মহারাণী ওইহনা, পুজা তৌগদরকপনি। শত পুত্রদা লৈকপদগী থাদোকচৎপদনী, হস্তিনাদা শাংনকপদগীদা ডসি কাগবা কাইদনা পুজা কংচরি, থাদোকপা ঙমজরোই। গান্ধারীনা হায় কবি কুন্তী লুহ্রাবী নংনা বাণী ঐগী চিংহ্নবা অরংননা খুদমলা, নচিন নরৈ ককপা ঙম্বনী হায়বা খংদ্রা! তৌদ্রগে হায়রু থাদোকপীনি নরবদি নংসি রৈ নি খংঙু, কুন্তীনা হায় অঙ্গ ওক্ত শা'দবগী রৈবাবা যাগনি। ঐগী ইবু'ডডাগী মরবদদি ননাওবী থরাইনা লৈরিমথৈদি, থৌগন ভু' ইঙবা ননাওগী ঙথোনা। কুন্তীগা য়া তাবদা গান্ধারী রৈহোবকুম শাওহনা, কুন্তী'গী থজাউদা খুংপাক্লা থারে, গাম্বথরবদা হোংদ্রবী কুন্তী ওনসিন্দুনা শেং শেং পাবে। সভী অনীচু থামরীমবক্ত লৈতে হরবা লৈতনা ময়নথরে মতৌ এহু কৈপাশদগী সদা শিবনা উই, সভী অনি অসিবু থামরীকরগে যায়না, খনচন লেঙডকখি।

আবিরকৃত লেঙডদুনা মন্দির মক্কদগী, থোং হাংদোকুনা ভরং 'মরং মূর্তিনা লেংথোরক্লগা। গন্ধারী কুন্তী অনিগী মরাইদা লেপ্লীরগা, অনিমক থাইদোকপীচনা থামী। নিংকহুনা হাইরকই মচিন মনাও ভুবনিবা কন্নিবীনো? অহুম হৌমথবা গান্ধারী কুন্তী শিবযু খুদমজরবা। খংনবগী মরম

হৌজংলি। মহাদেবনা হায় ঐদি অচৌ পিশক নাইদে শিব পূজমক মপুন্সি, নবকাশীয়ক পূজা কৎমিয়ো ঐনা নখোইগীসু লৈপাক্তিসু, য়াইফবা পিগনি। শিবগী য়াথংবু কুন্তীদি য়াবৈ, মহাদেবন খাবী গান্ধারীনা হায়রকই, হে-প্রভু ঈশ্বর্ত্রচৈদো ওইরমলবদি য়ারমগদবনী, হৌজিক্তি কুন্তীনা ভয়া শকনে। মাহু ঐ য়াজনিংদে মানা তৌকম থোকই, ঐনা তৌকম থোকই হায়বা, অতাবী বিচার তৌবিয়ু। যোগেশ্বরনা হায়রকই অহ ওইরবদি, হয়েজি অযুক অভনবদা সনাগী লৈহাও মণীনা লৈরীক ওইব। মনম খুংশিনবা লৈনা অমা লৈখোক্তা লোইনবা, লৈহাও ১০০০ অমা কৎপা ওয়ী অদুনা, ঐবু অতাবী পূজা তৌবসু হায়রমলগা। মহাদেব মাংথোকখ্রে। গান্ধারীনা হায় কুন্তী নংদি নুপ্রাবীনি নচাসু মডাদনী ভিক্ষা হৈবীনীমা, সনাগী লৈহাও কৎপা ঙমগনী। ঐদি ইচাসু চাথমী ইপুরোইবনা ভুমাপতিমি, ঐনা পাটেশ্বরিনী ঐদি ঙমদদুনা পূজা তৌকপা ঙাবেদো? হায়রমলগ চংখি। কুন্তী, গান্ধারীগী য়াহে অদদা, থবোইদা ঙাশায়া লেংবগুম মাখ্রদুনা, মমুম কাওবা য়াথন্দা কৈখ্রদুনা য়োরংখ্র। অসোমদা গান্ধারী মচা ১০০ কৌশিন্দুনা, খংনবগী পাও ঙমলগা সনাগী লৈহাও শানবা য়াথং পিরে। দুর্যাধন মমাওশিংদা থোদাদুনা, হস্তিনাগীসুনারী পুরমক কৌথংলগা, ভাগুদ্ধগী সনা মনী বরু হোন্দোকলগা শন শাবা হৌনখরে। কুন্তীদী মযুম য়োরকপদা মচা মনাহু, বিস্তা পাম্বা ঙাকশিনা গুকগী নাক্তা বিস্তা ঙবা চংখিনা লৈরমদে।

কুন্তী চাক থোংদ্রে য়াননখিদুনা য়াথল তৌবন্দা উপাই লৈত্রদুনা, ইমুং লময়াইদা কপ্পুনা লৈখে। পাণ্ডব মডানং হল্লকপদা, কুন্তী মমাং কপলমবহু উবদা, ইমুংদা চংবা ঙমজদদুনা মাজোন্দা মনাওশিংবু থামদুনা থনমলগ যুধিষ্ঠির ঈংগনা চঙ্গকই। মমাগী খোং পারদুনা খুরুমলগা, কপ্লিবগী মরম ঙাকপীয় হজক্তকবদ, কুন্তীনা খুমক্তরে। মমাবু কিনা চংচবা যুধিষ্ঠীর অনিরক শুনা হংজবা ঙমজদুনা, মমাশ অতোনবা নোকুল সহদেব মনি থাজিন্দুনা হংহনবদসু, মমানা ঙাকপিরকত্রে ভীমনা ঐনা হওচগা খুমকনি ঐ হঙ্গে শাররমলগা চচখীদুনা মমা খুরুম্মগা হায়রকই। ঈমা নচা মডান, অদা ওহবিচৈডদি ওইরিংনি, ভৌমিক গুক কুপা লৈজবে, ঈমাগী অরাবা কোক্লনবা হোংনজগো ইনাও অর্জুন দিগ বিজয় চৎপা ঙমজকরে, নত ভীমনী পাম্বাম পাজন লৈরিডে ঈমাবু লাকচবিনব লৈরিবমা। কনানা লাকচংবা লৈবনা? নত্রগা ইন্দ্রগী ডোগ করম্বা লৈতনবা? কপপগী মরম ভাকপিযু নচানা ঈমাগী অরাবা কোক্লবা হোংনজপনী। ভীমগী য়া ঙাবদা কুন্তীমা খল্লি ভীম অসিনা এগী অরাবা কোকহনবা ঙমলোই খল্লুরগা। বৈষ্ণবী কপপত্রম থোইনা হেনজিনখ্রে, মমাগী মত্তো উবনা ভীম মথা থাংগ্রে, চাকখুমদা য়েংই চাক থোংদ্রি। লামনা লৈবা ঙমজদুনা, লৈরিবা চেংদু হৈনোকলগা, খাইবোক য়েংম্ব ভংথাই অমা চেংফুদা হাপ্লা। তংখাই অমা মাগী শরুক লৌরগা, চেংং ওইমা চাদুনা লৈরে। মতৌ অহ উবদা অর্জুন চংখিদুনা মমাগী চান্দা খুরুমজরগা, হায়জরকই ইমা দাদা অদিগা ইনাওশিংগনা হংজন্দা ঙাকশিনরে, কপলিবা মরম অসিনদি নচাদা ঙাকপিয়ু।

দাদায়াইমদি মযুক চাওবজিনা চেংং চাদুনা লৈরে, মেরবা সুংঙাইরিবরা। ওদি ঈমায়া মরম

তাকপিরবদি ? সত্যনা সাক্ষি নচা থরাই থারগনি। কুন্তী অর্জুন মচাগী সত্যবাদি ওইবা মরিংদেম থংবনিনা, চুংশা খিরকচনা হায়রকই। অর্জুন ইমানা কমগী মরম অসি মরাম্বা ননাওনা অরাবা কোকহনবা ওম্মোই থওহনা তাকবনি, হৌজিক নতোম্বা হায়বগে কুন্তী শিবপূজাগী রাকম পুরক লোয়না তম্মী; রা অদু তাবদা অর্জুনা হায়রে ঈমা অহগী ওয়রবদি রাবিগনু; নচাবা শিব পূজাগী সনাগী লৈতাও পিজগে। ইরাম্বা ইনাওগী চাক লাম্বা মতৌ রেংবা ওমত্রে চাক খোংথিকরো, কুন্তীনা হায় অর্জুন ওম্মোইদবদা হায়গনু, ঈমা থরাই পাম্নরকত্রবনি। অর্জুনা হায়রে ঈমা গুরুগী চরমা শাক্তি সত্যনা থওখ্রশনু সনাগী লৈতাও ১০০০ অদু পিজবা ওমত্রবদি, চুমিং থানা পালিবামথৈ নচা নমগী মাওনা কজগে, শোয়ররোই রাবীরুগনু। অর্জুনগী রাশক তারবদা কুন্তী কপ্পা খোকুনা চাক খোংলে, লোয়রগা কৃষ্ণদা কংলে, মতা স্নানক্রিয়া লোয়রত্রনা চওত্রে। কুন্তীনা ভীমগী মতৌ খেংনিংতনা হায় মাইমা মঙ্গ শকক্তি চেং ওইনা চাথরবনিনা। চাক অসিদি নদি শরুক রাওত্র। ভীমনা হায়রকই ঈমা ঐনা চাবদি চেংজি শকতনি, চাক্কি শকক চাত্রি চাকত ঐগী শরুক চাখিনি। মচা ভীমগী মতৌ উবদা কুন্তীনা খোজিতবা চাক এছাং অদু, শকক অনিথোক্লা থাইদোরে, শকক অমনা ভীমগী পুরপ চাক্রক অমা শেমলে; শকক অমনা মতাপোক্লা শেমলে। মমা মচা তরুকমক কৃষ্ণগী মহাপ্রসাদ ফংমিরবে। চাক তোঞলবদা কুন্তীনা হায়রকই, অর্জুন কোঙংলোমদদি সনাগী লৈহাও শাবগী ভুংথং মখোলনা, পুমনিন নিরে। ঐথোইগীদি নংনা দিগবিজয়দা থবা তাম্র বস্ত্র দান তৌবগা চাশিলকপগা লোইশিনরে, অমুক শাম্র বস্ত্র তৌত্রে হৌজিক সনা তুলা অমাকাওবা লৈত্রে। কদাইদগী সনা লৌরুবগা লৈহাও শাগনি। ভীমনা হায়রকই ঈমা লৈহাওগীদমক রাবিরুগন, অশোমদা নচানা চংলগা সনা শাবশিংদা

অদুম, ঐথোইগীসু রাওনা শাগন্রগে।

কুন্তীনা হায় মাইমা সনাদি কদাইদগী, ইমা সনাদি ঐথোইবোমগী সনা লৈত্রে, শোমগী সনানা শোয়দনবা অসুম শাহল্লসি হায়রুগে ? দাদা দুর্য্যোধনত্থ ঐগী খুৎকম থওলবনিনা য়াংকনি। য়ারকত্রগা মথোইয়োমগী অশাবহু ওইনা শোমদা হেক পুক্তরগে, নচা ভীমনা অম্বাবা মওং য়েংহুনা। শোয়দনবা হোংনজকগ রাবিগনু। কুন্তীনা হায় ভীমসেন মাহ ঈমা পামদে, হস্তিন' রাথোক ওইরকনি, অর্জুনা হায়কই ইমা সনানা শাবা লৈহাওদি, অচম্বা লৈনি। লাই কংপদা মহৈ লৈরোই, থাঙ্গশেংবা লাইনা থাবা সনাগী লৈহাও হোরি, ঐ শোইদনা হেকচরুগে, শিবপূজাগাদমক শাংদিবনি। কুন্তীনা হায় অর্জুন অহুদি কয়া লাপনা শাৎলিবা লৈনে.? মতম কয়বা কান্দা হেক্রুগদৌবিবা ? ঈমাদি শোইগত্রা লায়না কংশা পিরে' অর্জুনা হায় ঈমাই লৈহাওদি, কংকদবা যুথক অমগী মমাংদা হেক্রবদি, মল রাংলি। নরম অহুনা যুথক অমগা মঙ্গদ্দনেবা হেকচরুগে, ভীমনা হায়রকহ অর্জুন মাহু শোটদনবা। ইরাম্বা চেন্দূন হেক্রগে মকম তাকউ।

মাহু দাদা রাইখানা রাবিকত্রবনু, ননাওনা শোইদনবা হোংনজরগ, ভীমনা মনাওগী গুণ থংবনিনা শোয়ররোই থওহুনা। গদা অমা পায়রগা চৎখি। কোঙংলোমদা, য়ৌরকুম সনা

শাকম শংলোংদা চঙকই, সনা শারিবা নং অহৗগী থোংজাও অহ থিংজিন্নী। থোংনাওশিং হাংদোক্লুনা মখুংদা মৈকম কয়াম্রক পার্নখৎলগী, মমা শারিবষ্থ দূর্যোধন মনাওশিংগা মূংথওক পায়হূনা, সনা মৈথোকপা য়াওরম্মী। ভীমনা থোংনাওদা য়েংবদা উর্রে, 'লৌদং থবা' তৌরগা দন্দেহ থরা চাঁরগে, নিংহূনা। নং অহূগী দারী অকোয়বদা দং দং চেল্লগা থোংজিল্লোমদা।' থংগু চেনখিনি কারসি হায়না লাওরকই। ভীমগী খোল্লাও তাবদা ময়াম থকৎনরে, দূর্যোধন হুরানবা ভীমরকইবোই নিংহূনা। মথুত্তা সনা মৈরম্বী দূংথঙ অমুম পাইরগা য়াইমা কদোমদনো হায়না, থোঙ হাংদাক্লুনা থোক্লকই। ভীমা দূর্যোধনগী খূদাং পায়রগা, এ- কারে কারে হায়না লাওরকই। 'দূর্যোধন। খিনেঃ য়াইবা, ভীমনা য়াখূংনা শোমদা দূংথং পাইহূনা সনা শাবা য়াওরিবসি, ইবুধোদা তম্মবা য়াওরমাল্লে। ইবুধো ভীমনা চন্দ্রবংশ মচানা থূংনাইবা য়াদে, মানা জাতিগী ধর্ম্মবু থুগাইহনা চৎপগী দণ্ডি জাং তাহনগনি। দূর্যোধন কার হায়হূনা ইবুধোগী য়াথংনা, কাবা 'লাকপনি ইনাওথা নথোই কথা কনা সনা শাবা য়াওই ? শেংনা হায়দূশসিদঙ্গী নথোই বারিজন্দা থারগদবনি।' ভীমগী য়াহে তাবদা, বলিরমনাও চামা কিবনা থক থক নিক্লথদ্র। দূর্যোধনা হাম্নরকই ইবুংঙো য়াইমা, ইয়াথদি থঙদহূনা সনা মৈবা য়াওদ্রে ? ইয়াদবু অমুক্তা কনবায়ু। চনাওনা ইবুধোদা তাইনবিরবদি, ইয়াথগী উপায় ওইগনি। মত্রবদি ইয়াথা মাংবা কারে সনা লূপা কয়ানা কনবীবা য়াগদগে। দূর্যোধনগী য়া তারবদা ভীমনা হায়রকই, য়াখূংমক্তা পায়রম্বা অসিদা করম্না ইবুধোদ', মীনমগদগে। অমসুং ঐনাবু শায়মদে কলক- পনা হায়জিনবিরম্বনি হায়না, ইবুধোদা হঙৎলূরবদি, কনবদি য়াগনিসে। অহৗবু হন্দেহ থবা চাম্মিন থকমিননবদি প্রেমগী য়ানি, ইয়াম্বা ইনাও মক্তগী কয়মনগু সনা লূপা লৌগনি লুইদকো। দূর্যোধন তাব তারক্লহূনা, মনাওশিংদা হায়রকই ইনাওথা থিল্লসি; নয়াম্বা য়াইমগী কোল থরদং লাংসি তাগুারদগী হোল্লরো।

পুজারিহঙোন য়াওরকউ দূর্যোধনগী য়া তারবদা, দুশাসননা চিংবা মথোক কুম্ভ চেনখিহূনা পুজারি হঙোন লোইনবা, কোলাগী মচাক লোইনা পাত্রগা কোল্লমা পুযরে। ব্রাহ্মণ পুজারিশিংনা হঙোনগা লোইমনা, কোলা শোংলগা হন্দেহ কয়া লাংবা লোইদ্রে। দূর্যোধননা হায় ইবুঙোয়াইমা হন্দেহ অমুক্তা কংবিখো ? কোম্না য়ারী শারশি। ভীম কোলাহ্ কুন্ডদা কংলগা গর্ত্ত থম্না চারে, আচমন চিন থূংশা শেংদোক্ল, দূর্যোধনা পানা লালশিল্লি ভীম পানা লোহ্নে। আসন্দা ফম্মী। দূর্যোধনা হাইমা ইয়াথবু কমদোঙো হায়রগে, ভীমনা য়াম্মু কোলাগী মাইদি তাকচরগ। মতুংদা চাখ থকপা তিরবা য়ানবা, ব্রহ্মভুজন প্রায়চিত অম। ইবুধো থংজনা ঐখোইরোমদা, লাওড্রবা তারি। চং ময়াই খি থাও মপোৎ লোইনা লাওড্রো, মীনা থংদনবা ঐনা অম্ম পুথ্রগে, ইংধোম্ম ঐনা শায়মদে হায়হূনা তাইনরুরগে। ভীমগী য়া তারবদা দূর্যোধন মুঙঙাইজরহূনা, মনাওশিংদা য়াথং পিরে মনাও ময়াথনা তাগুারদগী হোল্লহূনা, ভীমনা পুখিনবা পোৎ নিংথিনা শেমলে। ভীম য়ুম দৌরক্লুনা ইনাওশা পোথারো হায়না লাওরকই, নোকুলনা পোৎ থাদ্রে।

যুধিষ্ঠিরনা হংই মাইধা কদাইদগী পোয়কইবনো ? ' ভীমা হায়বৈ কোহুংলোবদা চচ্চাই, দাদা দুর্য্যধনহু সনা শাবা মাওবনী। নিংথৌ মচানা সনা শাবা মাদে হায়জিন্দুনা ফাকবদা। কমজাকপানি সনাগী লৈশাওকাওবা লোইনা পোয়কপা য়াগনি, অমরু ইনাওনা হেকউরনি হায়বদা। সনাগী লৈহাওদি পুজয়কত্রে। যুধিষ্ঠিরমা হায়খি মাইমা মাসিগুম্বা থবকসি মতুং মনাওদি তৌরুগনু, ইপন ইশ্বামা ভারগা নুঙ্ডাইহৌখিরোই। ভীমনা হায়বৈ অজ্ঞা কগনি, মতুংদনু লৈবকত্রগা হেক মরোঙ্করগে দাদা দুর্যাধনসু ওক্লোক্কা চানবীহৌরে। অসোমদা সনাগী লৈহাও ১০০০ অমা মণীমা লৈরিক চন্দুনা কস্তুরি জাবচন্দোয়া মনম হাপলগা লৈথোক্ লৈনা কজনা পার্মিগা; শাবা লোইহুমা সনাগী য়েন্বায়দা হাপলগা, দুর্য ধরা মমাদা শিরথরে। শোয়দা, যুমিং ভারবদা সন্ধ্যা ভোজন লোইরগা, কুন্তী লুক হৌত্নুনা শ্রীকৃষ্ণদা লুক কংলে, ভিক্ষুসিংগি অর্ঘ দান তৌই, মমা মচা ভকক মহাপ্রসাদ ফংবা লোইরে। মমা মচা ভকক মাগী মাগী শয্যাদা চংতনা হিপ্পরে; ভীম মমাগীদমক থনবদা তুম্বা মাত্রহুনা, হৌগৎ-লগ কম্মী। মনাওশিংনা তুমথজরকপদা হে-অর্জুন হৌগৎলু হায়হুনা হৌদোকশিরে, অর্জুন হৌগৎতুনা ফবি ওইরবনো দাদায়াইমা হায়জে। ভীমনা অর্জুন লৈ হেকপ চংপ মতম ওইদ্রিবরা ? দাদায়াইমা হাংদি ওহাক্রং পোথাবিরগথা, এ তুমজকার। অর্জুনা মযুক চংগন তুমরবি, ভীমব নকুলগা অযুক হৌদাকই, নকুল হৌগংলক্লুনা ভীমবু খুকথী। ভীমনা তোমচা নয়াম্বা মাইমমা লৈ হেকজুনি হায়বসিবু মকমসু তাংক্ল অহিং থেংজিনক্লে নংবু থাজবিত্রা ? অজ্ঞা দাদায়াইমনা হায়রবদি শোইরোইদা। ভীমনা এ- তুমজকরো, নকুল চংহুনা তুমজথরে। ভীম সহদেববু অযুক হৌদোকই, সহদেব হৌগংলকই, ভীমবু খুরুমজে, ভীমনা তোথা নংবু পাক্তিসু থর ভমরবে। নগাদনা লৈহাও হেকটনি হায়রি শোইগত্রা শোইরোইদ্র। অযুকা হৌংলগ য়েংডুদনা।

দাদায়াইমা অহিংদদি জ্যোতিষ শাস্ত্র ফাকংহদে, দাদায়াইমা অর্জুননা য়াপকত্র বদি, শোইবা হৌনদে, অজ্ঞা। ভীমনা হায় তোম্বা নং থওত্রা থওত্রিব্রা য়েংজে, থওত্রবদি ভাকপিংহোগে তৌবনি, ছুমিদাংদা পাঙ্গি থেংহৈদবনি কাউরম্লকো, তুম্মুংবা তুম্মুবা সহদেব চংহুনা তুমজখি। ভীম অহু অহিং নোংশোইবা, মনাওশিংবু হৌদোক হৌদোকুনা অমম্ভা তুম্বা মাইমনা, অহিং অহু লেপ্লে। নোংভারমদাইগী যুথক য়োরক্লবদা কুন্তী হৌগৎলক্লুনা, অর্জুনদ হাথরকই কাক্তনি লৈ হেকপা মতম ওইবে থিরম। অর্জুননা হায়জে ইমা চাইথথবা ইশিং পুষ্বীত্রন। স্নানগী থৌরাং তৌবারো, নচা লৈহাও হেকচরগে কুন্তী স্নান তৌনথা থৌরাং হোৎনখ্রে; অর্জুন লিকং তেম্লোং লোরগা মমাবু খুরুমলগা মপান্দা থোকথবে। অমাং মমাইদা লেপ্লগা লিকং লিখি চন্দুনা, মনভেদী, বায়ুব্য অস্ত্র, তেন অনি থংলগা তেজিন্দা নিরোম পি। মত্র শোরগা ওক ত্রোনবু নিংশিংহুনা ! লিখি নাকোং কংনা চিংলগা অমাং পাংমা থারে। তেন অনিহু নিমিথ ১০গী মসুংদা, অলকাপুর য়োরক্লুনা মীগী মূর্ত্তি ওইরগা কুবেরগী সভাদা চত্তকই। ভক্তি তৌরগা হায়রকই মক রাজা, শিব পূজাগী সনা ! লৈহাও ১০০০ অমা হেকই হায়হুনা এথোই অদি থাক্কলদি। হেকচো হায়বরা হেকয় হায়বরা অকপিরু।

কুবেরনা হায়রকই, মবগী কনাগী চুতনো ? মনভেদী, হায়ুম, ফুরিনা মহারাজ যুধিষ্ঠিরগী হস্তিনাপুরগী লাক্লগা ! অর্জুনগী ফেরি। লৈকহরে হেরুহনকই, হেকারক্লে নমহনা হরুকই হায়না থাকশিনরকই। কংগোরেক্লো হায়নগে থুনা থাকশিন্নু। অর্জুনগী কুপ খংলবা কুবেরনা হায়রকই, অর্জুনগী তেম নবাতারবিবা হেন্নিবা লৈ পুথক হেকচবো, অপোনথকি লেকইগনু। কুবেরগী মাথং কডবগী মনভেদোনা লাক্লবক, মহারাজ লৈ হাপনবা লেন্নাই অমতগা শিবিঘু; কুবেরনা সনাগী লেন্নাই অমা পিরে। অনিমু লেন্নাই পুরগা মীঙ্গী মুর্তি ভোকলগা। তেন ওন্থনা লৈগী বন্দা পাইশিনখরে। সনাগী লৈহাও লিশিং অহ্ হাপ্না থন্দুনা লেরগা। লেন্নাইদা হাপচিল্লগা তোপনা থম্মী। মনভেদোনা অশাংগা লৈগী জাৎ থাক্লপা লৈতনা ককথরকই, বাকুব্যনা লৈপাক্তা তাবন্দনা তপা লৈহনা থম্মী। হেকইবা লৈগী জাৎ বাথী, যূথী, মাধবী, মল্লিকা, থিরিশকুসুম, নাগেশ্বর, নবম, মালতী, কেতকী, চম্প, শেফালিকা, কুমীচম্পা, জলপদ্ম, স্থলপদ্ম, অপ্রাজিত, পারিজাত, কুন্দো কৃন্দাবলী, মধুমতী, স্বর্ণযুথী, সূর্যমুখী, চন্দ্রমুখী, কুমুদ, কহ্লার, পদ্ম, অসিনচিংবা লৈগী জাৎ শাংজিবা মথৈ চিথদনা লোইনা মনভেদোনা লেকই। বাযুব্যনা অতিয়াদা লৈতনা পুথংলকই, সনাগী লৈহাও শিশিং হাপ্লিবা লেন্নাই অহ্ মনভেদোনা পুরে। মরাম অদুনা বাযুব্যনা পুরগা; নোংড়ালমদাইদা হস্তিনা থোরকুনা। মহাদেবকী জাপাদা থৈথরে। লৈতনা যোগেশ্বরগী হোক্তদগী লখী থাক্লবা, মাইকৈ অতৈদগী চেকপন মথোংদগী মন্দিরগী শিলচক্র কাওবা। "থশিল্লগা" হস্তিনপি হবা লৈশাওপু অর্জুনগী থুরা শিন্নরগা। মনভেদী মায়ুংঅম্ম তেলোংদা চংথরে

অর্জুনা কুন্তীদা ঊম থৈ হেকচকবে লৌবিরো হায়না শিল্লব, কুন্তী সনাগী লৈহাও কংবদা স্বর্গ থুংনা লান্না ফংবগুম; মুতগাইরবে। স্নান লোইরহনা পুজাগী পোৎলম শুমা নোংড়াল্লকপদা কুন্তী শিব মন্দির তায় লাকচৈ। মংশব্ আশুতোশনা উরহনা চিংথৈ কল্লকপদা লেগথহ্না। স্নান লোইরগা বিকুও তেশিন্নে, নামাবাল অমা ইশিল্লি, দুর্গনা হাযজৈ গুতু ডত্তানা কদাইদা লেকদোবি-রিবনো ? শিবনা পূয় হস্তিনাদা কুন্তীগী পুজা লৌকথিগে হায়রমলগা, অবিভূত লেডকপনা মিংচুপ অমদা থুর্তাম। মন্দির লোং হাংদোক্লগা থোংজিন পায়হন লেপলগা। কুন্তীব তাইহনা লৌবিরি। কুন্তী যোগেশ্বরগী হোতু, হে ব্রকপদা, লৈ মরামা পৈরম্মীবদু উবদা গাক্লাবী মতম। হানস্নারে নিংহনা লেপ্পরা লৈরে। মহাদেবনা উরহনা কৌরকই, কুম্বা করিগী লেপ্পী. নচা অর্জুননা পৈরম্। লৈনি লৈনমনা হায়হনা মিকপ থোক্লকপদগী, কুইরে নংধ্ ধ্রহরিবা। থুনা চৎডকলো হায়না মহাদেবনা থাকপীরকপা মাথং তায়বদা, কুন্তী চেনসিনজবকই মহাদেব শিব লিঙ্গদা তিনসিনখিহনা উথিহ্নরে।

কুন্তী লাইথাম্ম যুবজলনা থেংথোকচরে, হৈকক পামা খুত্তক্ম পুষ্প বিল্বপত্র, ধান্য, দুর্বা, চন্দন, তিল, পত্র, ধুপ-বর্তি, মঙ্গলাচার খুদম থারগা। অর্চি চযাংতুনা পুজা হৌরমলাইদা, কন্যু মূর্তি থরাং তমং লোংথোকলে কুন্তী লেকগা হায়, তাইবো কুন্তী লৈহাও অনি এগী তাদি থাকলগা, থমখুবনি।' মন্ত্র মিনা ঐরোপনা পুজা লমর তৌহনা কথবকি, অমাপুনা মরম লোংপ্র-চুরম্মাই,

ঐনা লৌবদি কৃষ্ণগী নির্মাল্য, মহাপ্রসাদ অমৃতবুনি। মদুদি কল মা'দনবা শ্রীকৃষ্ণনা ঐ কংগিথিগে হায়রগা। শিবনা লৈহাও অহুগা লোইননা কৃষ্ণদা কংত্রি। হে-ভগবান বৈষ্ণবীনা লাংজরিবা পূজা, সনাগী লৈহাও চরুদা ন্নাইনা কচ্চরি, জগন্নাথনা মাসিবু লৌবিয়ু। নিমল্য অসিনা নমাই ঐ কংজগে, মহৈনা কুন্তীদা পিবিয়ু হায়না কংলগা, মহাদেব শিলা রূপা তিমশিনখ্রে। কুন্তীনা শিবগী মখঙ্গ চেৎনা লকচয় তোল্লো লৈহাও কঙলগা * স্তুতিদৈ, শিব মূর্তিমাগ্না লাকখা লৈহাওছু মমৎ লোইরক্লা, ওটাবা খেৎখরে। মহাদেবনা পেন্নমা হাক্ক কুন্তী নদি নচা অর্জুননা, থেম মহি কাপকদা ধনপতি কুবেরবু জয় তৌবতুনা, সনাগী লৈহাও যেরকদা তেনী হাবকী মথিং ধনঞ্জয় হায়না খোঙগে। নচাগী মথিং অসি নরোত্তম অমুত তুঙ্গ থাওকমু, মতম অমুদা নচা শিংলুরক্‌পৃথী জয় তৌবগা মচা অহনা সর্ব ভূমাপতি ওইবনা পামমগ। অমুম্না বর পিরমগা মহাদেব অন্তর্ধান ওইরগা সৈলাখনা লেপগী, কুন্তী শিবগী নির্মাল্য লৌগরগা ইকোকলকপম। গান্ধারীনু শিব পূজা লাকপদা, হোৎনা খেৎখরে। কুন্তীনা গান্ধারীবু মহুৎখী থান্দাকীনা হায় কুন্তী লৈহাও থংলুবনা? কুন্তীনা কাঙ্গলমা অমা সনাগী লোহাওদি কয়াইদগী কচিং; কুন্তীনা হায়বৈ অমকাপুরগী অর্জুনা লেকচরই। কুবেরবু জয় তৌরগদি হায়বগী শিবনা অর্জুনবু ধনঞ্জয় থোনকৈরমলগা, কৈলাসনা লেংখরে, নির্মাল্য ইহেম ইবেমমু থর কংবিরি। কুন্তী গান্ধারীদা সনাগী লৈহাও নির্মাল্য থরা পিরমলগা চৎচরি, গান্ধারীনা ফেঙকপদা পৈরম্নীবা লৈ মখাম অত উবনা গান্ধারী ওকখরে।

গান্ধারী ইকাইবগা শাওনিংখিবগা, পুরুকইবা পুরানাই পোৎলৈ সনাগী লৈহাওবা, লেকপগু মংথাংদা লাওখাইবগুমা খোঙ্গুম্দা হজিনখি। মচা ১০০ পোওবা পাও অনিংবা ওয়রলগা, মগীদু পুরুম্বগা ইবা ইকোনদি মাবপ্রকমা হংজরই। গান্ধারী থৈ থোকপা থাওকতুনা হায়রবই, ঐনা মচা ১০০ পোকপবুদি কুন্তীন মচাদা পোকপনা হাপ্রি। অর্জুনবা লাইরেপাকগী ‘ন থেকপুক্নম, মহাদেবনা কংপদগী শিবনা ধনঞ্জয় থাংবিরি, কুন্তীনা মমায় পাকখি। ঐনা ইমাইথুনা হায়রকই, মগোই ১০০ অসি থবক থুদিংদা, পাণ্ডবকী পা থাম মখা থাবা ওইবু হংদনা চৈরমলগা, অত্যাচারদা চঙখি। অহোম্না কুন্তী মমুম থোরকপদা মচা মঙনা থকম্মগা কাইবা, কুন্তীনা পাও লোইনা তমই। অর্জুন মচাবু চেৎনা কোরগা লাইগুরকা হয়া হয়া চপ্তনা বর পী, স্বর্গ মর্ত, পাতাল, মরোল অয়দা জয় তৌনা ওবরো, পাণ্ডব কুরুবাইবগী হপাক্লা তাওহরে। অসিগুম্বা আদিপর্বগী বারী অদি ব্যাস মুনিনা লেংখৎপা অমুতগী মপক্তি মাস্তিবু মীতে ইমালোক্না পাংথবা ঐনা সাহিত্য সেবা পামজবদগী ইজবা অসি অলোইবা পাঠকশিংনা ওাকশিনখি। ইতি। হরিবোল হরিবোল মতাং অসিদা শ্রীকোমসম সেনুং সিংহ যোতিষভূষণ পণ্ডিতকী শকক লোইরে। ইতি।

---

* মূল — স্তুতি। নম স্তুভ্যং সদাশিব শঙ্কর জগৎগুরু। ত্বোদয় চরনাভোজে ভক্তি মস্তু নথা-মিতাং। দেব দেব মহাদেব ভক্তি মুক্তিপ্রদা প্রভু। প্রনতি পূর্ব্বক নৌমি দেহি ভক্তি মুহুর্মুহি ॥

অধ্যায় :—

পদ্মাবতী স্বয়ম্বরগী বর্ণনা লক্ষ ককপগী বারী মতাং ॥

অধ্যায় অসিদগী শ্রীনিংথৌজম অযুথোয়া দিহে, কথা বাচক পণ্ডিতকি ইবিরকপা, বারী শৈরেংলী শরক হৌজয়ে ॥ বারী তারিবা অমোজরনা হৎজৈ মুনি ইদুথৌ বর্ণ, ঈথৈক্তৌ পদ্মাবতী স্বয়ম্বরগী বারী লিবিথো তারগে, মুনিনা হায় তাস্বা দিগপৈ অংথরুম নিংথৌ। কান্যাকুব্জ দেশদা পদ্মাকর কৌবা নিংথৌগী, মচা কন্যা অমা লৈ, মমিংনা পদ্মাবতী কৌই। মপক মতৌ কথৈ লক্তী সাবাগী লক্ষ্মী, তামা জ্ঞান তারকপদগী গুণ চেয়বা বিদ্যাদা, জাতিদগী উত্তম ওইবা। পুরুষ বত্ন অমতং মপুরোইবা ওইনা ফংজনিংবদগী, দুর্গাবু নিতিগী পূজা, কচ্চনগী লোইরকপদা দেবীদা বর নিজৈ, অমুক্তা পদ্মাবতী যৌবনগী বয়স ওইরক্লে। দেবীনা পেনবীহুনা হিনোংবা কন্যাগী সপদা বর্ণবু পুবীরক্লগ, দেবীনা হায়রকই, কন্যা পুরুষ বত্ন বীরবাহু য়েংজৌ, মসিনা মজি মপুরোইবা ওইনা সেবা কংজৌ হায়না দপিবিরম্মী, পদ্মাবতীনা আসন থাজরহনা বর্ণ ফম্মী। মবুক্তেতাসি হায়না প্রান কংথোকচহনা। ওইনা যৌগন্দুনা কমজরগা প্রেমগী রাম্বা শানবদগী মংকাওনয়ে। মমংদা দেবীনা পীবিরবা মবুক্তেতাগী প্রেমা, থমোইদাগী অনুতাপ ফ থব পদ্মাবতী রাজকন্যা ব্রত কংজুনা মপানথোকুনা। দেবীবু পূজা তৌহনা লৈথি। মাসিবু দেবীনা পেনবীরহনা মনাই দুপীমীদমক, শিনবীরগে নিংদুনা মহাদেবদা মরম পুমথক লনংগি। শিবনা হায় পৃঃয় শৈনা থবক পাংথোকনবা হোৎনবীগে চংসি হায়হুনা, সিব দুর্গা পরশুরামগী লাইনিংথৌ বদরিকাশ্রমদা থুংজরে। হর গৌরী লেংডরবদা পরশুরামনা অষ্টাঙ্গ ভক্তি কমামকম লৈশি, লৈথোন্দুনা শিব দুর্গাগী চরনা থুকমজৈ। শিবনা হায় রাম নং কান্যকুব্জ দেশদা চৎলো; পদ্মাকর নিংথৌগী মচানুপী কন্যা পদ্মাবতী অছু, সমদা নমানা নজি শিষ্য বর্ণবু উচলুবদগী বর্ণবু ফংজনিংবনা ব্রত কৎলগা নমাবু পূজা কচ্চহুনা লৈব। লিকং তেন্দো অসি পুরগা অতৈনা ককপা ওথোইদবা বর্ণনা ককপা ওমগদবা, লক্ষ অমা লেথোক। অমুম তাকপীরগা অন্তর্ধান, দুন পিরমলগা, শিব দুর্গা কৈলাশদা লেংথরে। পরশুরাম লিকং তেন্দোং পুবগ, কন্যা কুব্জদেশগী সভাদা থুংওরে। ভৃগুবাবু উবদা অকিবগা লোইননা, নিংথৌ পাত্র মন্ত্রি ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব চপ মান্নবা দণ্ডবৎ কৎলি; পরশুরামনা অসির্ব্বাদ তৌরকই। নিংথৌনা মথুংথক্তা এয়াসন থাই, চন্দন লেপ্তি পূজা তৌই। হন্দেহ কৎলি মাংদা থুং লোয়হুনা ওক লেংবিরকপবু, কবি য়েংবা তৌজৌ হায়বগে মজংলি।

নিংথৌগী ভক্তিদা পেনহুনা রামনা হায়রকই, মহারাজ; ঐ লাকপগী বারী শানরসি আসন্দা ফমুরো। পরশুরামগী মাথং কওবদা নিংথৌ মাগী আসন্দা ফমজরে, নোয়ুকপা রাহৈনা হায়রৈ ননাই ঐতোন্দা করি তাকপীগদবা? তাকপিবু। রামনা হায়রকই মহারাজ মহাক্তি মচা কন্যা

অমা লৈবরা ? মিংথৌনা লৈবৈ হায়না হংলি। রামনা হায় মশক অমুক্তা য়েংে পুথোক্লকউ ? ভৃগুরামগী মাথং তাবদা পদ্মাক্ষনা কনি অজা; ইচা লোইরকখিগে হায়রগা, মিংথৌ কোপ্লুংদা চঙবী । রসবতী রাণীগী মকমদা হায়রকই, পৃয়ে ওসি দরবারদা পরশুরাম গুরু লেংডকই, ইচা পন্নাব চাবু পুথোক্লকউ য়েংে হায়না, তাকপীরি। ইচাবু পুথোক্লুনা মুনিবু অমুক্তা থুকমহল্লো, হায়রগা কহি ওইরগবা থম্মুনা দরবারদা থোকখি। মহারাণী মচা কন্যা পুম্না হান্দহ বম্না লাংহনা, রাজসাভাদা থোক্লকই। পাটেশ্বরী পদ্মাবতী মমা মচা, বামগী চবন্দা হান্দহ কংলগা, থুকম্ব। পদ্মাবতী কন্যাবু অশির্ব্বাদ তৌবীরগা হায়রকই; রাজ কন্যা নং দুর্গা ঈমাবু পূজা তৌরকপগী ফল নংমা পামজবা অহ্ হন্দক্তি লেম্না থুংজবা ওইজরো। অমুম্না মুনিগী বব কংজবদা থুকমজরগা, মমা মচা কোম্বংদা চংখি। ভৃগুরামনা হায়রকই মহারাজ নচা কন্যা অসি, অত্তাংবী দুপী মচানি। লক্ষ স্বয়ম্বর লিংথংলু, পৃথীবীগী মিংথৌ নিমন্ত্রণ তৌহনা কোরগা, লক্ষ ককপা ওয়। নিপা অত্দা নচা অসি কংলু, ঐমা লক্ষসি শেম্বীরমগনি। পদ্মাক্ষনা হায়রৈ গুরুদেবগী মাথং মতুং ইন্দুনা, ইচাগী লক্ষ স্বয়ম্বর লাংজরগে মিংথৌগী মা তাববদা পবশুরামনা হায় মহারাজ, ঐগী লিকং তেল্মোং অসি নত্তোন্দা পিরগে। লিকং অসি জিন্নি চল্লগা তেন কাপ্তুনা লক্ষ ককপা ওয়দা, ইচা কংকনি হায়না সঙ্কল্প তৌ। রারম অসি তাক্লগা রামনা শিব ধনু তেল্মোংগা কোয়না পিবে, মিংথৌ লিকং পামরগা রামগী মাথং মতুংইন্না পিত্ত লক্ষ শাক্তি তৌহনা রাশকথবে। দরবার সভা মীয়ামনা জয় ওয়রে হায়না লাওনরকপনা, পুমনিম নিলখি। পদ্মাক্ষনা হায়রৈ গুরুদেবনা হন্নকী লক্ষসি শেম্বীবু ? রামনা ফৈ লক্ষ ঐনা শেম্বীরমগে। রারম পুম্নক লেপ্পহনা মঙম্বোম্না থোক্লত্তুনা; লিকং ২০০ লাপনা য়োংকী মুম্বী ক্রোব মথাই অমামম, মাংনা যুক্তি। মুম্বীগী মতোন অনিদা তাসপথি অমমম, থম্বী। মুম্বী অনিহুগী মরাই চপ চানা লিকংগা তেল্মোংগা, থাংঘাং লেম্মগা থম্বী। অত্দগী স্বায়ম্বরগী সভা মাণ্ডব চাওনা থম্লি, বাজ সভাগী কমকম আসন পরেং পরেং নাইনা ফজনা থাই।

স্বয়ম্বর মাণ্ডব চিত্র বিচিত্র ফজনা লৈত্তেংচনা লেম্বী, পরশুরামনা হায় মহারাজা লিকং অসি জিন্নি চল্লুনা, তেল্মোংদগী তেন অনি লোম্বনা পুলপ জুরিহনা কাপলগা, থুকোপ অমুক্তা তাসপাথি অনিমক চপ মান্না কত্তুনা থাদবা ওয়া অত্দা, নচা কংলু। ব্রাহ্মণ ক্ষেত্রি বৈশ্য শূদ্র ওইরবসু, মিংথৌ পদবী লৈবরথৈ মাওহল্লু, হৌজিক্তি ঐ হল্লগে হায়হনা বিদায় তৌবরে, মিংথৌ রাব থুকমজহনা। লৈহৌই, পরশুরাম বদরিকাশ্রমদা লেংখি। পদ্মাক্ষ মিংথৌনা পত্র ইহনা দেশ থুদিজি মিংথৌবু বার্ত্তোন তৌরে। ব্রাহ্মণ ক্ষেত্রি বৈশ্য শূদ্র ওইরবসু মিংথৌ পদবীতবু ওইরবদি হন্নকী লক্ষসি রাওবিব। রাগনি হায়না, পত্রদা ইহনা দেশ থুদিংদা পত্র থারে। নিমন্ত্রণ ফংবদা মিংথৌ পুম্নক স্বয়ম্বর হুদিংকি চালনবা, লাকলবনা স্বয়ম্বর সভাদা থুঙরে। লাক্লরিবা মিংথৌশিং মগধ রাজা, চেদিরাজ, পাঞ্চাল মিংথৌ; কাশিরাজ, মদ্ররাজ, মৎস রাজা ত্রিগর্ত রাজ, কদ্রি। তমসু; বিঙ, অরবিন্দ, চেকিতান,

শাম্ব, প্রৌদ্যুম্ন, বিরাট, উত্তরা কৌশল, কলিঙ্গ, পৌণ্ড্র [illegible], [illegible], দেবাপি, [illegible]। মগধরাজ কেকয় রাজ, বীর জয়, জলসন্ধ কর্ণ, বাহু, মহাবাহু, সুষেণ, স্বরণ, [illegible], [illegible] নিংথৌ কয়ায়ুক লাক্লে।

স্বয়ম্বর মাণ্ডবতা মকোক মথং পরেং নাইনা আসুন্দা ফমনরক্লে, পদ্মাক্ষর নিংথৌনা রাজ সভাবু মশিক চানা, সেবা লাংচুনা পেনুহল্লি। পদ্মাক্ষরনা মাথং পিবতুনা, পদ্মাবতি কন্যাবু নিংথিনা শেম শাজ্রুমা, স্বয়ম্বর মাণ্ডবতা পুথোকক্লকই। রাজকন্যা সভাবু ভক্তি তৌবমগা, সনাগী কোজি মচুংদা সনাগী বুথল থাদরগা সখীশিংনা চামর য়োগল তৌই। রাজকন্যাগী মশক উবদা নিংথৌ শুরমক্তা থাগৎনখি প ক্লাহনা রাজ সভাদা, খুৎ লোকচনা নোল্লকা হায়জবকই। তাবীবু রাজসভা লিক ২০০গী লম লাপনা মুভিডবা য়োংকী মুখী অমি অসিগী মতোন্দা, ভাসপথি অমা থম্মী। মুখী অমি অসিগী ময়াই চপ চানা থাংঘা থাচনা থম্মীবা লিরুং অসিবু, লিরি চল্লগা তেন্দোংদগী তেন অমি গৌবগা থূকাপ অমদা চপ মাল্লমা, ভাসপথিগী মতক কল্লুবা থাদবা নিপা অদুদা, ঐগী ইচানুপী কচবা অসিনি ঐগী বাশুকচরীবা, রাজ সাভান্না চামবীচুনা ঐগী রাশক অসি থুংহনবীবু, চৌজিক লক্ক হৌবিরা মাবেগনি। পদ্মাক্ষরগী রাজ্রে অসি তাবদা রাজা সভানা হায়রকই, মহাবাহু নহাক্কী রাশক্ল কাটদনবা ঐখোইনা হোংনগনি। অসিদগী নিংথৌ মথাম মথং মথং হৌগংতুনা, লিরুং অদু লিরি চনগে হোংনকবদা থাজংপা ভমরচুনা মাইথিবা শগাবাংগ। কনানা লিরুং অদু খংজিনামা লৈপাক্তা যুংদগা লিরি চনুগে তৌকবদা, লিরুংনা কাকাংলকুমা লচবদা রাম্বচুনা ঈশিং চাইচুনা লাকবা মাণ্ডব নিংথৌ কয়ামরুম মমাই হলোকপা শুরেং হিকাকপা, মথুং তেকপা কয়া মাওনরে। লিরুংজি মগুণ্ডা চক্লদবা কিনহনা, নিংথৌ কয়ামরুম মক লুক্কনা লৈনখ্রে নিংথৌ কয়ানা মাইথিবা অদু উবদা, জরাসন্ধ হৌগৎলক্কুনা লিরুংগী নাক্তা চঙি। লিরুং অদু ফাগৎলগা খোংজি পৃথীদা থৈশিন্দুনা, লিমাংদা থুকউনা নমলগা লৌ খোংজি লাকখ্রেনা। লিরি চল্লকই। পাখোমগী পাক্তা লিরুং নাইনা হাগৎলগা। লিরি মন মন থিরিঙ অদু উবদা নিংথৌ পুন্নম্কনা, থাগৎনচুনা সোইদনা কল্লুগনি হায়মন নিংনখি।

জরাসন্ধ তেন্দাংদগী তেন অমি শৎলগা,লিরিদা তেক্তা থো হুনা, নিরব মত্রগা পোইননা লিরি নাংদাং ফংনা চিংলগা থাবদা, অমরোমদা তেন্নু পুলপ চংখিচুন ভাসপথি কপা গুমাঙ, তেন্না অরেখদা মাংখি। মগধরাজ ইকাইবা ফংচুনা হজিল্লগা মক লুক্কনা লৈখ্রে। ক্ষেত্রি নিংথৌ অকমবা কয়া শিশুপাল, সুবাহু, কলিঙ্গ, বীরবাহু, দ্রুপদ, বিরাট, ত্রিগর্ত, ভগদত্ত, মদ্রস্বার, কৌশল, কেকয় রাজ, বিন্দ, অনুবিন্দ, চেকিতান,। হায়রিবা নিংথৌ চংচুনা কাপনরকপদা, কনা অমত্তনা লক্ক ককপা ওয়ক্রে। পদ্মাক্ষর নিংথৌনা মাইগৈ খুদিং ওল্লগা হায়রৈ, ব্রাহ্মণ, ক্ষেত্রি, বৈশ্য, শূদ্র, চারি জাতিগী মচুংদগী নিংথৌ পদবীতমু ওইরবদি, ঐগী লক্কশি ককপিয়। লক্ক ককলগা ঐগী রাশক

খুঙেনবীবা অদুদা, জাতি খেন্নবোই মরম লেংলোই হায়না কংলগে হায়বা, হয়া হয়া লাওরকই। কন্যাগুবা মিংথৌ অমত্তা হৌশংনরকয়ে, মতম অদুদা বৈকর্তন কর্ণ হৌশংলদুনা মিনাংগী মনাক্তা চংখি।

* কর্ণগী রূপগুণবু উৎকপদা রাজ সভা পুম্নমক, মিংয়েং অমত্তা ওইনা লেপরকই। অকরকপচ খিরিট কুন্দল লৈতেংইবা, অহাঙ্ন লমিক ওইবা মুখ, প্রকাণ্ড শরির ওইবা চায়রবা লোংপাগী মতৌগুবা কর্ণবু উবদা; লাইনা (শাল তৌদুনা) লাকলদ্রা ! শোয়দনা লক্ষ কওপনি, হায়না খল্লরকই। কর্ণ লিয়ং লৌখিংলগা লিরি অমুক খাদোকুনা অদুক হয়া লিরি চন্নগা ওইগী পাবোমদা লিরাংদা, মনহনা পায়রগা, লাইনা হায়পংলি। লিরি শিংলগা টঙার তৌরকপগী ধনিনা মীয়াম মাকোং ঙৈশিন্নি কর্ণ ওক্লোংদগী লেনখনি শংলগা তেজিন্দা মখত্তো মত্র শোয়রি। লক্ষভেদী বিদ্যা হৈবা কর্ণনা লিরি মাকোং ঙংনা চিংলগা, অভিমারোমদা ওনখংদুনা কাপ্পী। তেন খাগিদুনা ক্রোধ মথাইগী মপা যৌরকপদা; তেন অমিদু খাইদোকখিদুনা তাস পখিগী মচক্তা চপখাদনা, কপলগা খাদরে। কর্ণনা লাইনা কপথিবদু উবদা রাজসভানা খন্নরকই, মিপা অমি সুত মিংথৌনি। সুত মচা অসিনা ক্ষেত্রিগী রাজা কন্যাবু লৌখ্রবদি, ক্ষেত্রি বংশ অসি লগংতা কমামত্ত্ব উশিংখ্রবোই, রাজ কন্যা লৌখিবা য়াদে খন্নরকই। মতম অদুদা পদ্মাবতী দবিপাত্র লোইদুনা, দৈ হকলবগী কর্ণগী নাক তাম্না চংলরকই। মতম অদুদা কর্ণা লৈতবা মিংথৌ কয়ানা লাওরকই; কন্যা লোয়রিবা য়াত্রি ভাইথো হায়না খাম্মী। য়াংতা সভাগী য়াইহে তাবদা কর্ণনা ওংদুনা হায়রকই। রাজ সভানা খাম্মীবা মরম করিগীনো ? কর্ণগী য়া তাবদা অন্যায় তৌরিবা মিংথৌ কয়াদা হায়রকই, ক্ষেত্রি মচাগী লক্ষ সরয়দা সুতগী মখৌ মত্তে, রাজ কন্যা কবা য়াবোই। মিংথৌশিংদি অন্যায়গী য়াত্রাং তাবদা, কর্ণ অগাকপা মৈদা খো খাও হৈথিরগা মৈচাক হেনংলকপগী মতৌগুম, শাওরুনা হায়রকই। লক্ষ কপদি ওমজত্রগা কন্যা মুনগদি হায়রিবা। কর্ণ লৈত্রবা মিংথৌ কম্না কন্যানো চোংথোকলকই. মতক কংতনা খাদপে। কর্ণগী অয়াকপা য়াহে তাবদা, কর্ণ হাপলু সুত মগা হাংলু হায়দুনা মাগী মাগী পুংলাই লোনদুনা। প্রজাগী মতৌগুমনা লাম হৌদরে।

পদ্মাবতীনা খুং লোয়দুনা হায়জরকই মহারাজ ননাইগী খরাইদি লৈবুঙেঙা মজি চয়ন্দা কচ্চরে। ননাইগী ইহাকখক্তা মিংথৌ সভাগী খুবাক্তা অয়াবা কবা তাবি, ননাই ,পুবিরগা খরাউ হি নবা চনবীয়ো। রাজ কন্যাগী য়া তাবরবা কর্ণনা হায়রকই, কন্যা য়াংশদু। ইন্দ্র মখত্তনা দানব পুম্নমক মৈহং পনি, গরুর মত্তোমত্তনা লিম ময়াম জয় তৌবনি, লোংশা অমদা শক্তি শঙ্ক অমনা কবিতৌজবা উমাদগে, কত্রবা মিংথৌশিং অসি মিংকুপ খরা মচুংদা, লেপ্পা জয় তৌগনি। য়া অসি হায়রগা কর্ণ পদ্মাবতীবু রথগী মখক্তা চাপক লগা লিয়ং ওক্তার তৌদুনা সিংহনাদ লাওরকই। রাজসভানা কর্ণবু মরোল অসি কোইরগা মাইশৈ খুদিংদগী কাপলকলিবা তেজা লোংখাং কুংনা চুমকপা লোজা

* ব্যাখ্যা— পদ্মাবতীগী মরমদ কর্ণগী খাংগী অসি দেবী ভগবতী মত্তনি। ইতি।

মাঙ্গা হাপ্তখরকই। চনাবনা মোংশাঙবা কর্ণনা, তেমোংকনী হেক্তি দন সংহুনা মাইইগ খুদিং মৈহুনা কাপনকপনা, মরাদগী তেম্ কবহুনা থবি। অদুগ কানথোকপকলগা তোঙা তনমনী লিরাং মাঙ্গই থনাগী মথ রানখরই, কনাগী খমাইনা থাই, পরগাল পমু পহাজি কহুনা থবৈ। মাইইগ অমদা ইন্দ্রজাল মাইইগ অমদা মন্দ্রজাল, মাইইগ অমদা জম্বুবাণ, মাইইগ অমদা মৈগী তেন কাপই, মাইইগ অমদা মোজি তেন, মাইইগ অমদা ব্রহ্মাস্ত্র থারে।

গন্ধর্ববাণ, কিন্নরবাণ, কিরাতবাণ, যক্ষবাণ, সিদ্ধবাণ, ব্যাঘ্রবাণ, ধারাবাণ, ভুশণ্ডি, তোমোর, জাঠা, জাঠি, শেল, শুল, চক্রবাণ থারে। কর্ণগী তেনা কনাগী মকুনা, মাইইকা মথোকা পাখোমনা, মাক্তিনা, মথম, মাকথকা, চুরানা, খাপনা, মুখা তোমনা চিংনা, থেঙা পুরুৎ থুঙা পাদ্রি। কর্ণদি পুংনাই চংকা যুবিৎ লিংপন্না পুংনাই অমতা চংবে, রাজা সভাদু মাইইগ খুদিংগা হাহাকার লাওহুনা। মথমাই পূর্ণ তেরে। কর্ণদু থম কাবওঙা কিনপ্রহুনা, মহি মহি থরাই চিংনবা তেমো হায়না লাওগৎকপনা সমত্রুগী ইথক তোরবগী মতো ওইখরে। নিংথৌশিং অদু কনামা কিরিটি মুওন থাওরে, কনানা মুদিং থাওরে, কনামা কনাগী শগোল থক শাম থাওরে, ইহং লাইরু শারহুনা, মাইইগ খুদিংগা মথমাই শিনিংমবগী লোইনা লেপ্লে। কবিৎ তান কপ্পা মথা তকুম তকুম তোৎকপা মতমদা। লাম লোইহুনা কর্ণ জয়ধ্বনি কাওরকই। কর্ণগী প্রতাপ উবদা পদ্মাকর নিংথৌ চকুহুনা, কর্ণ হেংংনা হওজবই; বীরপুরুষ মহাকপু ইজ্জ থম থরক থঙি থারু কনঙা লাইনা থাহা তৌহনা, ইচাগী নুমকশীদবক লাকপীবগে। মহাশয় নহাকি পরিচয় তাকপীয়ু, পদ্মাকর মরুপী হাহায় অসি তাবদা, কর্ণনা লোনাইদগী মুনথনা তকি তৌহনা হায়রক। ইকু মহারাজা পুক্কিদা চিংমবীগম, মনাইগী পরিচয় হায়কপে এগী ইমিং কর্ণ কৌই, ইপানা আহরধনি প্ররজামনা এগী ওরাদি, হস্তিনাগী দুতরাষ্ট্রগা এমু অদসেনগী মিথৌ লিহুনা, পাজনি। হোৌজিক ইকুমশ্রকাগী মৈথাকা মেকমবা কন্যামকা, মেহশিনকপা থমরোই, মনাই কর্ণ লৈজরে। পদ্মাকুনা কর্ণবু মুখচুখোন তৌহনা মচাগা মমাকা। অন্তঃপুরদা পুশিনথরে। মচা মনাই কনাদা লিরুহনা কর্ণগী লেবাং তোহনথি, মতো অমুনা অহিং লেরে লোংভাবদা থক লিংথংহুনা, বিবাহদান লাতিও। পদ্মাকরনা পদ্মাবতী মচাগী অউনপোৎ দাস দাসী শগোল শাম মনিরহ আতরন; চানা চামনা থুক্তি ওরহনা তমী। কর্ণ মর্ত্তুনিংথোদগী বিদায় লিরে পদ্মাবতী পিতা মাতা পুক্ননাহনা বিদায় লৌ-জগা, দাস দাসী লোইনহনা যাত্রা তৌরে।

কর্ণ মইথোক মোবকহুনা পদ্মাবতীবু পাতেঙরা হাপেলগা, প্রজা শাসন তৌহনা পাজি। অসিওবা পদ্মাবতী সতীগী খনখগী কথা অসি, অরুতগী মগণি শ্রীব্যাসদেবনা লেঙমনবা আদিপর্বগী হার্রিবু তোঙবা শ্রীহরিগী মকাইনা শ্রীগু ইয়ানোমা ইজদি, অমসাইগা কথা থাওথবু মৈকথ নমাথনা থারুগিপনিবু লিংখৈ। ইতি।

অধ্যায় ঃ—

কর্ণনা বাণজুন, দান তৌখিবা কর্ণ দাতা হায়না কাওখিবগী

য়ারী মতাং।

লৌচিন্নর হাইবৈ তাবিদু লৈরকাব্রিংবা মৃগি পুরকন, মহাভারত তাবিদা পরিক্ষিতকী মচা জনমেজয়দু নিংথৌনা হংলবী। মুনিদেব ইহৌ কর্ণনা পান্নকপা, মাক্তা বাণক চাকপরবী মচা থাওবা দান তৌখিবগী য়ারী নিবীর, জাজনিজিত। য়ারী নিনিনা বৈশম্পায়ন মুনিনা দান অহৌ নবায়া ৪১ মংমা হয়েকলবনিদা কর্ণগী য়ারী মতাং অসিনা হায়না নিংখংজুনা কর্ণ নিথঙগী য়ারী নিংবংগ তারো। কর্ণনা মখ তোনবা নিকং অমা পায়রগা, ঐকায় নিবন মংলি অঙ্গকুর্ণবা দৈনব। অতোনবা খাংনিবু, থেজি নিংথৌশিংগী মখুত্তগী লৌখোকুনা; মতিকচাগা লেমগংকুনা চাওখংহল্লি। দৈবা পূজ হবিকমশিং, কেত্রি নিংথৌশিংনা থিনাইওবনা শিজিন্নবনা নবখবখা অল্প জাতিগী থৌকম থোকপা মথৌশিং তৌহল্লবনু, মতিকচাখা মমল কর্ণনা কংহনখি।

জাতি অতোনবা নিংথৌশিংগী কোড়, কেত্রিশিংদগী লৌখোকুনা; কর্ণনা লৌখংলবই। মতৌ অমুমা কর্ণনা জাতি অতোনবশিংদি, সাসন কনবা নিংখংবি কর্ণগী মতমদা, পৃথী থিনপুংবা কাওখি। অতোনবা প্রজাশিংদি সাসন চহি অমা চুপ্না; লেমগংলকপদা লৌইবনবা কর্ণনা পান্নকপসি, মঙলগু অরাংপা লৈত্রে। কর্ণ পরশুরাম গুরুনা তাকপিবকপা পাওতাকা, তির্থ স্নানদা পাপ লেংদোকখি, সত্য তাকপনা ধর্ম লানগনি। দানগী কননা অপোকপা পিতা মাতা মশক থংতকখি। অপোকপগী মমাগী থৌজালগী অতুগী মতমদা, শ্রীকৃষ্ণগী চরন কননি। অসিগুম্বা গুরুগী পাওতাকপু, পুন্নি চুপপা তাকপনা ঐগী ধর্ম ওইবগে হায়না, লেপ্তনা কর্ণ খাং চিক্তনা বাণকখি। বাণকপা তারবগী হৌবা দান লোংবগী লাইবনবা ব্রাহ্মণ অমা কুজোম তৌরগা, ব্রাহ্মণগী কিরোট অমা পেংবা দক্ষিনা কোয়না, মখনি মথোন স্বর্ণগী মচুনা থোংনান অয়াংবী অমা, মগগী লোকনবা দান মিতিংগী তৌই। মতুংগী মখতা কাল ওকাল মাইবনা থৌজনব নিংবদি; দান হেক কংপা অসিনা কর্ণগী অরেপপা থিতিংদি। অমুক্তা কর্ণনা দান তৌরকপদা। লৌচম কোনা ব্রাহ্মণ অহল অমা, মমা কুমন কংজুনা মখগী দান তৌই। ব্রাহ্মণ অহনবা ওজা মখগী মচা মগী পুক্তনা মমদা হয়রগা ব্রাহ্মণীদা হায়, পুরে কর্ণ ইচানা পিরকপগী মখোগী শাজোনা, থিতিংগী কুকদা থিন কংদি; কর্ণ ইচাগীগু মরোল ওনমখা। ব্রাহ্মণী মতাং [illegible] লৈরদে, মখোগী মচাও অহ গর্ভগী মচা ওনা পুনা তৌবৈ। তকপগী নাপিকপা পাক্তিক কাওবগা, মখগী লেখাপ মনাই য়াওনা হোংলৈ থিতিংগী কুকদা থিন মংদি। অদুম লৈরকপগা তকাদিরোম [illegible] লোকেদি মখোগী মমা মচাদু, লৌবি কোমলবনগী নাহোরকখিদুনা মচোনলগী জেকপে। কর্ণগী [illegible] থৌরকপুনা শজোনবা চংজগা, মখগী মমাগী থিনাদু।

হৌখিৎ অহৌবী নোংডোরবংগী কর্ণনা সুদেব কৌবা ব্রাহ্মণ মহা অহৈরদ তৌবা অমা লমজুতোক তৌরগা, মণবী দান তৌগদবগী মণবী পুমকই হায়রগা য়াখং লিয়রকই। গোইদগী লোপশিংদা কমতি থৌরি হৌরগা চিংথোরককুনা; কর্ণনা দান তৌথিবদা মণবী অমু মখক থজনহনা, অহিদাংদা তেকপা মণবী মমা মচাশু কথোকখ্রে। অসোমদা লৌভন্ত্র ব্রাহ্মণদু থৌরাগীগা পাত্র কেংদোক্লগা শঙোম তম্মুরসি হায়হনা শঙোমদা চপ্লকই। অরাংবী মণী মচা লৈরমত্রে মণ লৈত্রবদা, ব্রাহ্মণী ব্রাহ্মণ মায়দে মণ হত্ত্রেদনা, ইশাগী ইবেমা রোথোম অরাংবী মং লৈত্রবদি, ইশাদি কৃক লেবা ওমত্রেদনা-অকুম তেংথাবগা কপলে। ব্রাহ্মণনা কপ্পা তাবদা লৈকাইগী মী চেনরককুনা থরবদা, থৌরি হকতোক্লগা চংখিবগী থৌরি কোকোই ইনাও পাওবা তাহনা লৈশৌরিবা। মঙ উবদা হাপ্পকই। অজাথোইগী মণসি হৌখিবা নত্তে, কোকোই হকতোকুনা চংখিবনি হেংখিথো অগুরাইদা লৈত্রবদি হাক্লী মশম তাৱা চেয়ন-গনি, হেংবিক লোইদনা লৈরমগনি। মরামসী রা তাবদা ব্রাহ্মণ অহম্মু, লিচৈ অমা পায়রগা ব্রাহ্মণী ঐ মণ থিরখিগে হায়রমলগা চংখ্রে

মণগী থোকলা তাত্রিবা মতুং ইন্না থিরকপদা; কর্ণগী কোপুংলোমদা চেনখিবগী থোক,ম কংলহনা, ব্রাহ্মণ কর্ণগী থাম য়োৱগে হায়না লাকই। ওসি দান লৌরকইবা সুদেব ব্রাহ্মণদু মণবীদু চিংহনা লাক্লে, লাপগীডেদনী লৌভন্ত্র ব্রাহ্মণ অমা উরে। লৌভন্ত্রনা থক্লি ঐগী মণবী অসি হরানবনা চিংহনা পুরে, মতা থকনি হয়ানবা মিপাসি সুদেবগেদো। ব্রাহ্মণ ইরিবা কিচ্ছু খ্বাংদা কমা হেংশিল্লে, লিচৈ মক পানবদু পায়রগা শোয়োক মনতাদা হারথনা, চাইশাবী মরক পাকথনা লৈরে। সুদেব ব্রাহ্মণনা মপাদু লৌরকপদ, কিশ্রবা অহম্ব কুপ্পিকহনা ব্রাহ্মণগী কপলাক্লা; লিচৈমক্লা তিক্কথকুনা কমগা লৈকাইশা মণ হরানবা কাবে হায়না পাওরকই সুদেবদু প্রাণ চাকথহনা ব্রাহ্মণ অহমবু মথ্বাংদা কোম্মুনা থুদোংচিত্তবংলগা। শোয়োক লৈরাংদা থাদরে। ব্রাহ্মণ অনিত্ব মরহনা পংইনা লৈমরে; মতাবা মীয়াম চেনশিন্নকহনা ত্র গ্ন অনির থাইদোক্লহনা থামগা, ব্রাহ্মণ অমি করিগী লৈসমীবনো পওকই। ব্রাহ্মণ অহন্না হায়রকই ঐগী মণবী অসি ওসি অদিং শজোকগী হখিবনি, ঐনা তাকয়কপদগী অসিদা চিংহনা চংলমহনা ঐনা কাখিবনি; থাদোকই হরানবসি হাংকে। মীয়ামশ হায়রকই অজা! সুদেবা নহাকপু. লাইরিক লাইশু কনা লৈবনাই, মণ হরানবরমে। সুদেবনা দান কনাইদগী অহল মপাওবনো? কর্ণ নিংথৌনা দান কংলকহনা. মণ পুক্কমা লাকপা ঐবু, মনা লুপা মানচা কুং তৌগদমগী হুমহনা লৈরমগা, ঐবু লৈথুরিবনি অতুসি হাংকে থামগর, ব্রাহ্মণ অনিগী মতৌ উবদা। মীয়ামনা অতুব মরান থাঅহনা, থাদোকমরখদি শিনবা পাবে, কর্ণগী মতাদা পুথংলসি থমহনা, মীয়ামা মণগা ব্রাহ্মণ থামগা, ৺ংবংলত্রে। কর্ণ মাক্লী মতাদা মীয়ামা শিন্নরে, ব্রাহ্মণ অনিগী মতৌ উবদা কর্ণনা অক্তি কংলপা, অশম থাহনা কমহন্নি। অজা অমিনা তৌনরকইবা অসিঅনিগীনো? সুদেবনা হায় মহারাজা দান পিবা মণ অসি, পুহনা চথলিদৈবা ঐবু হরাহনা কাবে হায়হনা, লৈরিবনি। কর্ণনা হায়রকই অজা মহদি অনিগী সুদেব মনা লৈরকিবা? লৌভন্ত্রনা

হায় কর্ণ বগবী অসি, মহাক মতো ঐতোন্দা দান কংপা, মঙবী অহাংবি। মসি শোকতাককনবা থবা থৌরাংশিনা, শক্তোম অমগে চাঙ্বদা নৈঅরক্তে।

বগনী খোঙ্গুল লিহুনা তারক পদা বানা চিংহুনা পুক্ষমনী কাবনি, গৌতম ব্রাহ্মণগী বা তাবদা কর্ণ ওতহুনা। শোপশিং কোরে। বগনী নৈখোম লোনবদা অম নৈবা শোপ অহাংশিংনা হায়রে, মহারাজ বগবী অমি চুঙ্গী মহান মথাংদা। অম্মা অহল অসিনা কথিবা বগবী অঙ্গনি। কর্ণনা হায়রে গুরুদেবগী বগদি থৌরি খাওথিবরা? গৌতমনা হায় কর্ণ থৌরিদি হুক্তোকহুনা থমখী, থৌরিদি মার্থবদে। কর্ণনা হায় অম্মাগীদি শোইরবোই, অম্মাবা থৌরি কোবদগী হুক্তোকহুনা লেক-পনা, বগরাম মরম্মা তিগা বদগী থংগ্রহুনা লাইগী লোংদবগী মসিবক, পুংথোরকহুনা অম্মা সুদেবদা, কংথ্রবনি। মরম অসিনা অম্মা অনিমক মুঙ্গাইনদবা তৌবিরম্, ঐনা শোইগ্রে বগবী অমি অমি কচ্চরগে। গৌতমনা হাইরকই কর্ণ থংহোৎহুনা শোইথ্রবনি হায়রবদি, ঐগী অরাংবী অসি পুক্ষুগে দাদি বগবী অমি পিবয় ঐদি ইচাগ্ন নৈজদে মদা থৌরাংগী শোক্তে হোৎনবা ওনজরোই। সুদেবদা অমুক হায় অম্মা বগবী অসি অম্মা অহন্দা পিখ্রসি।

অম্মা সুদেবগী বগবী মতা কংলগে। সুদেবনা হায় মহারাজা ওসি ঐবু শোয়রোক লমজাওদা বগ হুরানবা হায়হুনা, অম্মা অহল্লা নৈথরবনি। বগ অসি অম্মাহল্লা পুথ্রবদি, বগ অসি মীরাম্না মনক থডথরবনি, ঐবু মীরাংমনা হুরানবদা তাহন্থ্রগনি, মাঙদি শিবনা হেন্না কথরে বগবী ও (মতা) শাবক্তে ওসি ঐতোন্দা দান পীবা বগবী অসি পুজথিনি, মন্ত্রবদি গাঙ্গণ মচা ঐবু ইকাইবা পিবগী ব্রাহ্মণ হাংদা পাপ কংবিরো? ঐনা বগ থনমলগা চংচখিগে। বগবী অসি ওসি কমানা শৌকম খোকপদে, বিচার মুদ্রা তৌবিয়ু। সুদেবগী বা তাবদা কর্ণনা হায়রকই, অম্মা অহল্লা অমুকতা মুদ্রা থবথীরু। মাহংদনা হেকতা হুরানবা হায়হুনা কুম্না, থজিকতং কিংমল্লি। অম্মামা বগ কোম্বদগী খোকহনবদি, অহুমু বগবী অসি অম্মা সুদেবনা পুথরসনু। মথোম রাম্না খোকপী বগবী চাজেনবী তম্না কংজগে। কর্ণনি বিচার মাই তারকপদা, সুদেবনা ব্রাহ্মণ অহল মায় থর থকমল্লি হায়রবগদা, বগ পুহুম্না চংথরে। গৌতম ব্রাহ্মণ নৈ হোৎওম শাওথরহনা অকনবা মাইহেনা হায়রকই, হে কর্ণ ওসি ঐবু ইকাইবা পিরগা সুদেববু চুমহল্লুনা অহন মাকপু লানহনবা, অঙগী দোষন, হৎেং লামকমদা অত্তার লেমরক্তবদা; মংলা তমকপা বিদগায় ক্রোধ ওইহুনা, ওম নৈদনা শিজিমহল্লা যেক্সবগী মথুঙ্গা লেপমা দিমু। অহুমা শাপ তৌরমলগা গৌতম ব্রাহ্মণ, মুতাইতনা মমুমদা হনখি। লাইবক বিকদগী কর্ণ বগদী দানগী হাকথক্তা ব্রহ্ম শাপ কত্তী, ব্রাহ্মা শাপাত্তক অঙ্গক পীখীত্রে।

জন্মেজয় নিংথৌনা হায়রকই মহামুনি, ইবুধৌ কর্ণগী অকঙ কবচ কমদোম্না শোথোকখিবগে? মিখিবু। বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় তারো মহারাজ শোংবা কৃষ্ণগী লিলা থংবা নারদ ঋষিনা, কর্ণসি মুক্ত কবচ লৌহোকঙবদি, কুণ্ডলা লাম্না মাংহোই। কৃষ্ণগী লিলা কায়মগনি থমুনা, ইন্দ্রলোকতা লাকই শুক্ত সভাগী মায়ক, পুরন্দরে। ইন্দ্রদা নারদবু পুক্ষহুনা হায়রে, থবী লমংকী ইশাও করী

তাবিকপদে তমীরুগ। ইন্দ্রনী দা ফ্রাবলা খবিরা হায়রকই। দেবরাজ খুদিংকী মচা কর্ণগা, মচা অর্জুনগা, মিদা পরিকা খুদিংমা অহুতাই থাদহনা। হাংকে হায়না লেপলমদে। দুযোধনা কর্ণাচার্য্যনা নুক মচাগা চন্দ্রবাণ মচাগা পাবা থাদে 'হায়না থাদহনা তোহেমদে মতম অদুদা দুর্য্যোধনা কর্ণবু লৌশিন্দুনা অর্জুনগী দাবাগীদমক, অমদেশগী দিবৌ হাপথে। নোংমদি পোইদনা লাথা তৌবরবা তারি। কর্ণদি পোকপদগী লোইনবকপা অকর কবচ লৈতেত্তিও, মচা অর্জুন অসি কর্ণগী মথুংনা পোইবা তারে। মচাগ কবগে হায়রবদি কর্ণদগী অকর কবচ নিহনা লৌথোকহোক; হৌজিক কর্ণ থাশকুমা দান তৌরিবদি, হাকম অসি তাকে লাকপদি হায়রমলগা। নারদা হমথি। নারদগী পাও তাবদা ইন্দ্র মচাগ কাদনবা, কর্ণগী খুদিং নিহনা লৌথোক্লগে খন্দুনা; পৃথীদা কুমরে। ইন্দ্র মায়া তৌহুনা অহল ওইরবা ব্রাহ্মণ শাবগ, কর্ণগী কোহুদা থুজরে। ব্রাহ্মণ অহন লেংশিনকইবহ উবদা, ভক্তি কৎলগা আসন থাহনা পূজা কৎলগা, থুং লোয়হনা করি দান কচৌ হায়রগে, হঙংলি। ব্রাহ্মণ শাবিবা ইন্দ্রনা হায়রকই, বৈকর্তন এগী থাগা পাবলবা পোং অমা; মতোম্দা লৈরে।

পোং অমু ইপানা মতোম্দা নিংগে লাকপনি, কর্ণনা হায়রৈ নিবিমু কচাংগ গুরুদেব। মাগা থাক্কনা হায়রকই কর্ণ মং ঐনা নিবা পিগনি হায়না হায়া থাগকখো? কোয়া নিংগে কর্ণনা সম্ভানা শাকি নিবীমু কচাগে। থাক্কনা হায় মহারাজ মহাক্কি পোকপদগী লোইনবকপা; অকর কবচ কিরিটি কুন্তল অমু লৌথোকুনা; ইপাদা পিরো শরনা নিরে। ব্রাহ্মণগী হা তাবদা কর্ণ চুচুংবগা লোইমনা হায়রৈ, গুরুদেব অকর কবচদি থুংনাই তাক্লবনি, লাইনিংবা থাক্কনা করিগী নির্বিবনো? ব্রাহ্মণনা হায় কর্ণ মখোইখুদি ঐখোই লাইনিংবনা হেক্কা কাবা মরম লৈ, বন্দা লাইনিংবদা ত্তুমিং, কাউ, চরিং, খা, কৈ, কিল্লেক জিব কয়া কবমবা নিবনি। গুরুদেব ঐগী হকচাংদা উন শা ওবদা পকত্রবা কপচ লৈ হায়রবসি কমায়া তাকুনা নির্বিবিবনো? কর্ণ ইপাদা থ্যাংদা উহনা নিরবনি। করে অজা ব্রাহ্মণগীবু কাদগনি হায়রবদি, মমাই থাশকথরে লেপদা কচ্চরগে অখুকা গাইবিখো হায়রগা, কর্ণ ছুরি পাইরগা খৌবিদগী হৌনা খবাক হকচাং থুংনা থাংলে। শাখোম অনি থাংথাবরে, অহুগা থবাকগী ফিজিল অনিহ্ কক্লগা মথুং অনিনা পাইক্লনা, ত্রেং ত্রেং পেংনা উনশা খোক্লনা হকতোক্লগ'। থুপচিন্নি হকচাংহ ঈনা পুমলুপ লুপথরে, মর পোয়গা শিং শিং মামবদা ইথকপয়ে, দুহপ মাইম পোংখায়ে, শাত্র অবদা হক্কিনাগা কোয়না! হাপই। কর্ণ জান লৈবা নিপামিদা, ব্রাহ্মণ ওইরম্মোই কমাওহা মায়া ওয়রবগনি থনুনা। হায়রকই। গুরুদেব করবা গোত্রদা পোকপা নাম,করি কৌবগে তাকপিরু? নাম গোত্র থংলগা কচচগে, অদুনা মমাইগী লোকল ওইগনি। মায়া ব্রাহ্মণনা হায় কর্ণ থাক ঐ অসি কাশ্যপ গোত্রদা পোকই, ইমিংগা সুরেন্দ্রাচার্য্য কৌই। হা অসি তাবদা কর্ণ গোত্র নাম থী অর্থ তৌবদা ইন্দ্রনা মায়া তৌরকপনি হায়বা থংরে। কর্ণ হায়রকই ব্রাহ্মণবু থাবাবি হায়বা থংলগে, পাণ্ডবগী অর্জুনগা ঐগা রুব তুমিদা অহুতায় থাশকনথরে। মরম অদুগী মচাগী উপায় তৌনিরুনা, ইন্দ্রদেবনা মরা তৌহনা ব্রাহ্মণ শাবগা। নিরবনি। দান শাত্র থাক্কনাদি ঐগীদি থাথক তাকপগা থবনি, থার্মন

দান কংপগী শ্রীহরিনা পেনবীসুহ্নু, কচ্ছরগে। হাসি হায়রগা কর্ণ দণ্ডবত তৌদুনা, অকয় কবচ কিরিটি কুণ্ডল, দান কংলে। ইন্দ্র দানদু লৌরগা কর্ণগী মাংদা ইকাইবনা লেপ্লা তেহুনা। মাদা কায়রগা ইন্দ্র দেবগী মূর্তি লেপ্লুনা। হায়রকই। হে কর্ণ নহাক সত্যবাদি ওইবগী পরিক্ষা য়েংজে তৌবনি, নাগি হাপক তাকপগী নগুন পৃথীবীদা নরস্থা মীদি অতাংবনি; ইন্দ্র ঐ পেপ্লে। অকয় কবচদি নংনা দান তৌব বমিন ঐ লৌখ্রগে; অদুগা নাই. মী, যক্ষ, গন্ধর্ব, দানব ওইসনু; লেপনা জয় তৌবা ঙম্লা খুৎলাই অমা ঐনা পিবগে। হা হসি হায়রগা ইন্দ্রনা হা-একাম্নি হাবনা অহমলক কৌরকই, খুথক অহৃদা টত্রশকতগী একাম্নি পাইবতুন, ইন্দ্রগী মথুরাথুংজরে। একাম্নি কর্ণগী মথুরা হাপলে ইন্দ্রনা হায়, কর্ণ ঐগী একাম্নি হাবা অসি হুনথ্রবদা মী ওইসন্ন লাই ওইসন্ন, লেপন কোৎথরগদবনি। তেন্দোংদা অদুম হান্দুনা পুবা হাগনি, হায়রদাহৌ কাংদা চপ চাবা শক্তি ওইরকনি, মাসি নং লৌজরো, অমঙ্গ ঐগী বরদগী মতম অমদা লেপনা; মমাগী কুপা কথা ওইকৌ, হৌথিকি ঐহাক্নগে হাপরদগা. কবচ কিরিটি কুণ্ডল পুহনা, ইন্দ্র চৎখি। মতাং অসি য়োম্বকপদা হাহী তারিবা জয়েজনা হায়রৈ। মুনিদেব ইবুংঙো কর্ণনা মচা বৃষকেতুবু হাপক তাকপদগী দান তৌখি হায়ব। কারীগ্ন লিবাবো।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় তারো মহারাজ ঐ লিবকদগে. কর্ণ পদ্মাবতী গর্ভদা মচানিপা অমি মুপী মমা পোকই। মচানিপা অহনা বৃষসেন কৌই. মচানুপী মমাইদা পোকপীমা মনিং বিমলা, কৌই, অতোপ্পা মচানিপা অনীনা বৃষকেতু কৌই। কর্ণগী জন্মকাহৌগী মিং বসুসেন কৌবা, "ব" গী শব্দ লৌদুনা মচাগী মমিং থোনবনি. মচা মুপী বিমলা কৌবামা তোপ বংশগী; জরাসন্ধ নিংথৌদা থাজে। বৃষকেতু মচা অতোনবনা চহি ৫ শুবকপা মতমদা, শ্রীহরিনা কর্ণগী পরিক্ষা য়েংলগে নিংদুনা, অহল ওইরবা সং-ব্রাহ্মণ অমা শারগা। শত্র দণ্ড কমণ্ডলু লৌইনদুনা, কর্ণগী কোন্নুংদ থুঙলব। বৃদ্ধ ব্রাহ্মণ লেপ্তুকপা উবদা কর্ণ চেপ্থোক্লকতুন; ব্রাহ্মণগী খোং শোক্লা দণ্ডবত তৌদুনা খুরুমজৈ। ব্রাহ্মণগী রত্ন আসন থাই, ধুপ পত্র দৈ বত্তি চন্দন লৌইবনা পূজা কংলি, পদ্মাবতী বাপীগা মাংদা খুৎ লোমহনা নোংক্লা হজংচে গুরুদেব লেংখিরকপদু করি সেবা কচ্ছগদগে তাকপীয়ু ? ব্রাহ্মণনা হায়রকই কর্ণ রাজা অসি ঐবু চাক চনা অমতং পেনা পিজৌ। ঐনা চানিংবা ইহাং অহু, পেনবা মতোংদা নিহুনা চাকরগে হায়দুনা লাক্লবনি, ঐবু অমুক্তা পেমহন্নু ব্রহ্ম ভুজনগা পুন্না কংলু। কর্ণনা হায়রৈ গুরুদেব করি য়েক্লপ হাবিনিংবগে তাকপীয়ু ? মনাই লেপনা কচ্ছগে। ব্রাহ্মণনা হায়রকই মহারাজ ঐনা চানিংবদু পিজনি হায়রবদি হাগ্না হাপকত্তি, ঐ কোনা নিংগে ! কর্ণনা হায়রৈ গুরুদেব পিরবা দাম অহু লেপ্ন কংকনি হায়বা অসি. এগী হাপা দৈরবা হাপকন তাকপিয়ু ? কচ্ছগে। মামা ব্রাহ্মণনা হায়রকই, কর্ণ নহাক হাপ্না হাপক দৈরবনু, এগী ইমাংদা অমুক্তং ঐনা নিরকপা অহু, গেঘা পিজনি হায়না হাপকথো অহুবা নিগে। কর্ণনা হায়রৈ হে ব্রাহ্মণ ঐনা ক লৌইদবা দৈতবা পোতি হায়বিগ ? অরৈবা পোৎশক ওইরবদি লেপনা কচ্ছগে। ব্রাহ্মণ হায় কর্ণ মঙ্গাইদবা দৈতবা পোতি মিবোট; অরৈবা পোৎনি ঐনা চানিংথিবসি, মংবা হাপকত্রবা ঐ নিয়রোই চংলগে।

কর্ণ রাজা ব্রাহ্মণনা মিদনা চংখ্রবদি ঐগী রাজগী সত্য কাইথরমি খন্দুনা। হায়রকই মুনিদেব ঐনা কচ্চগে হায়রবনি, খাজবিক্রমাম্রে রাশকচবগে হে সত্য-দিবা-রাত্রি পৃথী অকাশনা শাক্ষি ওরথরসন্থ। অরৈবা পোং ওইরবদি কর্ণ ঐ লেপনা কচ্চগে, হেক কংত্রবা হুমিং থানা পাল্লিরমধৈ বরগী খাজনা কংখরগে। কর্ণগী রাশক ভাররদা ব্রাহ্মণনা হায়রকই, মহারাজ হৌজিক্তি নিরগে। মহাক্তী মচানুপা অতোনবা বৃষকেতু মচু, পদ্মাবতীগা নপা মথুত্তা পাং হোরাই পাইদুনা, কাওপ লেম্নগা মরাই লেক্ দগী হৌনা থাইবোক ভানা নোক্রা নাক্রা,থাইরগা, পদ্মাবতীনা শেমলগা নংনা থোংঙনা, কংনু ঐ চাগে। ব্রাহ্মণগী রাহৈ অসি ভাবদা, কর্ণ পদ্মাবতী অনিনু সনজিক্তনা মমবগা, খামনা রাথরে। কর্ণনা ওকথরদুনা হায়রৈ গুরুদেব, ব্রাহ্মণনবু নরমাংস চাগে হায়বসিদি করি রানো? ব্রাহ্মনগী ধর্ম মত্তে করম্না রক্ষগী মরানো, লেংনা হায়রু।

ব্রাহ্মণনা হায়রকই মহারাজ ঐ হিংচাবা মত্তে, করিগুম্না মঙ্গ অমদগী মর মাংস চাগে হায়না, রাশকথরে। মরম অহুনা জাতি ধর্ম ভাকলিভৈদা রাশক কাইবগী, পিতৃলক নরক রোংবা তারে, রাশক ভাক্লগা পিতৃলক উদ্ধার তৌনবগীদমক, চাগদৌরিবনি। মরম অহুদগী সত্যবাদি ওইবা, কর্ণ মজি মকমদা লিরগা, ব্রহ্ম বংশ অমা নরকগী কনবা ওরগনি, হায়দুনা লিরিবনি। কর্ণ মমো রাশক ভাকপগী ধর্ম, ব্রহ্ম বংস অমা নরকগী কনবগী ধর্ম, অনি অসি কওউ। ব্রাহ্মণ ঐবু অমুক্তা পেনহল্ল। ব্রাহ্মণগী রাহৈ অসি ভাবদা কর্ণ মচা হংশিবদগী রাশক কাইগদবগী শককপুদি রাশক ভাকলগা ব্রাহ্মণবু পেনহনবগা। শ্রীকৃষ্ণ পৃতি ওইরনি মচাবু কংলগে লেপখি। কর্ণনা হায়রৈ গুরুদেব ব্রাহ্মণবু, ইচা অসি চারগা পেনগনি হায়রবদি, রাশক ভাকুনা ব্রাহ্মণগী মকমদা, কংলগনি পোথাবিয়ু। মরাই রাথোই অমুক্তা তোংনথিগে র অসি হায়রগা কর্ণ পদ্মাবতী লোইনদুনা কোগং মচুংদা চঙখিদুনা কর্ণনা পদ্মাবতী থেংলগা হায়রকই। পৃ য় মিপা ওইবগী ধর্ম রাশক ভাকপনি, দুপী ওইবগী ধর্ম মপুরোইবগী রাধং ভাকপনা। অথোইবনি। ওসি নং হ' ই ইচা বৃষকেতু হংশিবগী প্রেমু থাংলগা, ধর্ম ভাক্নবগীদমক নোক্রা নোক্রা থুত্তা তোরাই পাররগা, ইচাগী হক্চাংবু থাইরগা শেমহনা? ব্রাহ্মণদা কংলসি। পদ্মাবতীনা হায়রৈ প্রাননাথ নরাই দুপোদি, সতীর ধর্মবু পামজবীমি, মহারাজগী রাথংবু ভাকচবনা, ঐগী ধর্ম ওরমদরে। অহবু মচাবু করম্না হোরাইনা থাইদুনা, ইথুংনা শেমহনা কংকদগে, ইচাগী মহুত্তা ঐনা শিক্লখিবনা ইক, ব্রাহ্মণগী মকমদা অমুক্তা হায়রখিগে পদ্মাবতী রানি হায়রমলগা, ব্রাহ্মণগী মকমদা থোরকুনা থুরমজরগা নোক্লুরা হায়রমরকই।

গুরুদেব নরাই ইচাগী মহুত্তা নরাই ঐগা লেহে অসি চাবিয়ু। মচাগী মহুংতি মরাম্না শিনবা রাহ হায়বসি, মংগী শিরোমদনু কাইদে। ইচা অসি হিংবহোরসনু, পদ্মাবতীগী রা ভারদা ব্রাহ্মণনা হায়রকই, রাণী নজি শিরবা হকচাং অহু ঐ চানিংদে, নৌরিবা মচাগী লেহে অবু চানিংতি। মথোই মচা হংশিবগী কংনিংঙবদি ঐ চংলগে, রাশক কাইবগী পাপ অমমুং ব্রাহ্মণ ঐবু অমাবা লিবগী পাপে অসি, রাজ রাণী মনওনি কংহোরো হায়রগা, ব্রাহ্মণ শাওনা হৌগংথরে। ব্রাহ্মণনা চংখিগদৌরিবহু

উবক, কর্ণ চেননোক্লরুয়া ব্রাহ্মণনী খোং পায়রুনা হাবৈ. গুরুদেব ব্রাত্মৌবিগী মুনী ওইবনী মচানী থোয়া হায়রবদি। ননাইনী রাজক কাইহনরিগদবু লেপন্না ইচা কচ্ছগদি. ব্রাহ্মণনা হায়রকই কর্ণ ঐবু পেমহনগে হায়রবদি থিরবগী। ঐ মরা লায়রেলে পিরমিংলগা চঠলগে।

কর্ণনা হায়বৈ গুরুদেব ওহাক্তা পোখাথিবু ননাই কাংজবগে, ব্রাহ্মণনা হায় কর্ণ থিরে. মচাদু পুখাক্লরগা ইমাংদা নবভানি হোরাই পাইদুনা থাইদু। মখিংতা নপী তাবরা ঐ চানোই. নোংদুনা থাখগদবদি কর্ণনা পদ্মাবতীদা হায়রকই. রানী ব্রাহ্মণনী পেংনবা থিরে ইচা লৌরো. ঐ চোরাই লৌকখিনে। পদ্মাবতী মংগোইবনী "রাখং মডজবদা, কোত্তা ব্রজ তাবগা মায়থরদুনা,- অন্তঃপুরদা চঙখরে। বৃষকেতু মচাবু চেংনা কোয়গা, থিংলুদগী পীনা গদা ইকৌরকপগুম শিরকপনা, মচানী হকচাং কাওবা চোংলে। মচা হয়া মচাগী লাইপক্তা চুপপগা হিক হিক লাওনা কপই। মমাগী মতৌ উবদা বৈকব ওইনা পোক্লবরা, বৃষকেতু চহি মতাদা তাইরিবা অঙাং অদুনা, জ্ঞান তানা হায়রকই। ইমা ওসি ঐবু চেংনা কোয়গা ঈশনা বাদি ভাগনা; থবোই শোক্তা কপইবা করিগীনো ?

পদ্মাবতীনা হায়রকই প্রাণপুত্র "ইমা ইচাগী লাইবক থিবনা" ওসি তমখিরবা ব্রাহ্মণ অমা লাক্লগা, নাপাবুংবু হায়া রাজকংলগা দান নিরকই। হৌজিক ইচাবু নপাবুদা ইমাগানা নোক্তা নোক্তা হোয়াইনা থাইরগা শেমদুনা পোত্তবু চাগনি হাবদুনা নিরক্লে। নপাবুংনা রাজক তাক্লবগী ইচাবু লৌর. ব্রাহ্মণা কংকনি হাবনা রাথ পিবক্লে, মরম অসিনা ইমাগী ওমাই অসি কাইগদৌরে। মমাগী বাহৈ অসি ভাবদা বৃষকেতু, মমা রাবা হেমখুমি পদ্মদা মোমোম নোক্তনা, হায়জরকই। ইমা অহুগীদমক রাকরিবা করিগীনো ? নচা ঐগী লাইবক ফবাসি, পকচুওনা শাবা দেহে শিরমা অরেবদা মাংহৌগদবা অসিবু, ব্রাহ্মণনা চাবিগে হায়রিবা অসিবু কোয়া সবা অমা গৈবগাই। ইমানা মচা হুংশিনিবগী রাবাবদু, ব্রাহ্মণনা চাত্রবগু ঐগী পুকিনা তেঞ্চবনবদি লোইদনা 'লগনি, ইচানি, হুংশি হায়দুনা ঈম' ইপানা কমবা রারোই। অবনা ঐগী ঐগীদি হায়দুনা হুংশিনরিবা থসিদি অবেম্বা মাংগী সমবক্লিনি হায়বদায়। শিবগদি কনা অমবা মরি পৈনম্ন, মানা মানা তৌজব থবক্লি অকবা কওবা মহৈ অরনা মাং থাবগা জিবনা তুং ইন্দুনা চ থরগদব খি। মীওয়বগী মপোক কংলরিবা থিবদি সাধুলদ তৌলৌত্রবদি মমাগী অমৃত মামগী লমন কাপবা, শিংবা হথদহনা জিবনা থিরগ, মমগী থাক্তনা কঠিও হায়নি। পিতৃ মাত্রিগী বনদি মবগী অগোব শবদি; শিংদোক্লদত্রবদি মমগী পূং কোবা নরক তগী, শাস্ত্রোকপা রাদে হায়রি। মরম শরনা (পুৎ নরক ত্রাণত পুত্র। মচা পোকপগা মচা মহন' ধর্ম কাইত্রবা হরি ভক্তি লৈবর্দ. পিতৃলকপুত্ত পুং নরকক্তগী লানথী হায়ত্তনা, মচাবু পুত্র কৌবনি হায়রি।

ঐদিদি ইনাইবক কবা ব্রাহ্মণন' চাবিগে হায়রি, ইমাগী ইপাগী ধর্ম তাক্লবগীদমক ঐগী থরাই হকচাং কংখোকতবরবদি, কৃষ্ণগী চরণ কণ্ডবরবনি। নচাবু ঈমা ইপাগী লমম শিংদোক ন লোইহনরমগে, মচাবু হুংশিনিরবদি গনারণী মারামগী ইচাবু লাথোকপিরে হায়বা। ব্রাহ্মণগী পেজনবা

নোক্লা নোক্লা হোরাইনা থাররগা , শেমহনা নিংথিনা থোগ্গে । অদুগা ব্রাহ্মণবু পোরবা কংলগা পিখৌ, অদু ওররবদি ঈমা ইপানীবু মত্তা ওাক্লগা ব্রাহ্মণবু পেংহনবগী বর্থনা অদু কান্না লেপনা শ্রীহরিগী থাম কননি । কপকনু ঈমা ইপাবিংথৌবা ভাররনপনি, চংগনি হাররগা মমাগী খিজি পাররগা মাং থাহনা মমাবু চিংলগা, ব্রাহ্মণগী মাং তাদা লাকই । বৃষকেতু মমাবু থাদোক্লগা, ব্রাহ্মণগী চরনা পুক্রমজরগা হারবৈ, গুরুদেব মনাইবু চারগা পেমবীবু, ব্রাহ্মণদা চানবাহনা অদুগী কান্না , কৃষ্ণগী চরণ কংবা পীনবীবু । ব্রাহ্মণনা নামথীহনা হাব, ইওদি মংনা থিংথরিবা বরর, ওসিমক লোমা কংখৌ ! ব্রাহ্মণগী বর কংলবদা বৃষকেতু কর্ণ মপাবু থুনখবৈ. পাগুং মহারাজ ব্রাহ্মণা শাওবুবদি মরু কংমা মাংগনি, নচাবু থুনা হোরাই থাবিরো হাররগা, কিগী আসন থদা থাহনা কদে ।

মথাই নোংপোক ওংগা থোজাই চনুনা, মিং অমি চেথেং উইশিনগা হুদি পল্ল আসনদা, শ্রীকৃষ্ণগী মূর্ত্তিবু লিংথংলগা চরন অনিবু পুক্লিংনা চেৎনা কোপ্পুনা লৈথরে । কর্ণ পদ্মাবতী অনিনা কাওপ লেপলগা, হোরাই পাবহনা মচাগী লবাই লেপ্পুলগী হোনা, নোক্লা নোক্ল অব অব থাইথরে । হরি মাগী কৃপানা বৃষকেতু অদু অমাবগী তাব থংহনমা লেংদনা অদুম লৈহনথি । সর্গনী লাইরামা অতিয়া অরাংবদগী লৈ চাইথখরে, অপসরানা জগোই শাথি গন্ধর্ব্বনা পুং রৈ, কিন্নরনা ঈশৈ শকই, অতিয়াদা পুষ্প নিনথি । থাওরোক তাংনা থাইরগা মতুপ মতুপ করগা, পাম অমদা হাপলগা পুশিনথিহনা রাণীনা শেগ্গী । কর্ণনা স্নান তৌরগা চাক থোংবা লৌখে; শেম্বিবা পদ্মাবতী মচাগী প্রেম্না থমোইদ কাইগদোরে । মচাগী কোক ভংথাই অনি অদু মপাশিনরগা মাহুবু রেংলগা অরাবা, পোথাগদবোই থাহনা কিনা রোম্বগা, থর্মাজনহোরে, অতৈনা লোইনা ,শেম্বগা কর্ণনা লানশিনথি, কর্ণনা থোংবা"লোইরগা ব্রাহ্মণদা হংংলি । গুরুদেব লেংশিনবীরকপা রাবগনি লোরজরে, ব্রাহ্মণনা হাররকই কর্ণ নচাগী কোক্তি, রাণীনা লোংফুনা থমহোরে । ঐদি বৃষকেতুগী কোক অদু অস্বাল চানিংবাল, নথোইবা পাথুহনা থাকহোরবনিনা, ঐদি চাররোই চংলগে হাররগা শাওনা হোগংফুনা থোকখ্রে । ব্রাহ্মণগী অশাওবহ উবদা, কর্ণ রাথুহনা ব্রাহ্মণগী থোং পাইহনা হারবৈ, হে- ব্রাহ্মণ ঐদি কোক শাওদে হাররা থংজদ,·ইচাগী কোক্তু অথোপ তৌজগে ভাইবিথো হাবহনা থামই । কর্ণনা হা-পদ্মাবতী থোক্লকউ হাররা কৌরকই; পদ্মাবতী চেম্থোকচককই কর্ণম পুৱে নংদি করি মতৌনো ! ইচাগী কোক থাকহোবমালে । ব্রাহ্মণনা শাওহনা চাররোই হাররে, শাংবা তারে হৌজিকমক পুথোকজকউ, পদ্মাবতী চেনশিনথিহনা মচাগী কোক্তু লোথোকউরগা , কর্ণদা লানশিল্লি । কর্ণ কোক অদু অমুক অথোল শেগ্গা লোইরগা হারবৈ, গুরুদেব লোরজরে কংথিবা রারগনি ।

ব্রাহ্মণনা হাররকই কর্ণ রাজ, মচা বৃষকেতুগী লেংদা মশকত চপথানবা মিপাবচা অমত্তা লৌরুবগা ঐহোঙ্গা পিন্নু, মাগা ঐগা চাথিনগে । কর্ণ থিজরথিগে চাররুনা চংথরে, চংবা চংবা থাক্রি ব্রাহ্মণ অনি ওথোক্লা চক্র তৌইদা, হে থিথি ওথোকপনি । হৌজিকপু কদাইদগী ইচাম মশক

মাথবা থিরগনি থনুনা, অওম থিরকপনা রাজাবাজার য়েৌরক্রে। লোনবা ব্রাহ্মণ শাবিবা শ্রীকৃষ্ণনা বৃষকেতু অহ অমুক লেমীরগা হিংহন্দুনা রাজারগী মথাক্তা থবীরে, কৃষ্ণগী ইশাদগী বৃষকেতু অহুম এ্রী থিরকথনি হায়রবা থংহনে। অমুক্তগী রাজবগী তাবতা অহম থনহনি, কর্ণ মপা লাকপা উবদা প্রণ-প্রণ চেনশিনহুনা, বৃষকেতু মপাবু খুমজী। পাবুং মহারাজ ইমারবগা শান্নবদা হুংতাইহনা অম্রম নৈষদগী থেংলোকথুমায় পাবুংনা থিবিরক্রে, ইমানা চাক লোইহৌরবরা ? কর্ণ মচা বৃষকেতু নৈমমহ উবদা ওকথরহুনা, মচাবু পম্মগা পুনকই। ব্রাহ্মণগী মকম য়েৌরকপদা ওশাই থোংওবা চাকসু এহাংসু অমতা নৈরমক্রে। কর্ণ মচাবু থারগা থম্মী ওকথরহুনা ব্রাহ্মণবু চিংশা রোই। বৃষকেতু চেনশিনখিন্না ইমা চাক লাংশ লোয়রবরা হায়করে ?

পদ্মাবতী মচা বৃষকেতুবু চেক্লেং কোল্লগা; ইচাদি ওসাইম:থ কদোমদা নৈরুই, ইমা ওসাই অমুক অঙনবদগী ইমারবগা বাজারদা শান্নহনা নৈকবে। পদ্মাবতী, মচাবু কংবা মচাগী রাঙাং তাবদা মজি মতৌওম ওইনহনা মচাবু পম্মগা ব্রাহ্মণগী নাক্তা লাকচরে। কর্ণ পদ্মাবতী অনিমক লোংখোংবগুম কপলগা। নৈপাক্তা ওথোইহনা নৈশি নৈথোনজরগা হায়রে। ওসি ব্রাহ্মণ শাহনা লেংখোরকইবা হে-প্রভু কথবা লাইনো মূর্ত্তিমা লেপ্পিয়ু। কর্ণ পদ্মাবতীগী ভক্তিদা পেন্নহনা ব্রাহ্মণগী মথক থাদোক্লগা চতুর্ভুজ কপ শঙ্খ চক্র গদা পদ্ম থোনবা কৌস্তভ মনি মাজনা. কক্কা নৈরেংবা। শ্রীবৎসনা থঙ ওইবা সনা কিংগং থোনবা মনি কিবিটি কুণ্ডলনা মপমল ওইবা, মথন শ্যাম বর্ণনা তানিবা জগৎকি মপু, শ্রীনরায়নগী মূর্ত্তিনা তানবীরে। কর্ণ পদ্মাবতী শুদ্ধ গঙ্গাজলনা চরণ শেংজরে চরনামৃত পাম তোজরে, মপম প্রচাবগা থিগী বর্ত্তী চমলগা নৈ পত্রগা লোয়ননা পুজা কংচরে। শ্রীহরিনা তাকপীরকই কর্ণ নহাক্তা মাশক কনবা নচা ফাওবা দান কংথোকপা ওথসি মীওইবা ম:পাকদি নৈবমরোই। এগী মরদগী নমা মথক থংজবা ওইমু, পৃথীবীদা নজি মখ কির্ত্তিম। দাতা কর্ণ হায়না ফাওরসু বৃষকেতু নচা অসি বৈষ্ণব ওইগনি, চিমায়ু ওইরসু অমুমা মব শিরথনা' শ্রীহরি অন্তর্ধ্যান ওরথরে। কর্ণগী মিংচংনা দাতা কর্ণ হায়না কাওথি, অসিওথা নবুথো কর্ণগী দান, বৈষ্ণব বৈষ্ণবগী কথা অসিবু পুক্কিং চংনা তাজরবদি, মহারাজ নিংথৌ জন্মেজয়, মেহেগী ডোগ কোকসগনি। অন্তগী কান্দা মায়াগী নদী লাইনা নাথোকহুনা হরি নাম কননি,_ নঙো হৈওকপা মকুংইমা এনা নবুথো কর্ণগী মারী হায়া চিংথংহুনা লিরবনি। অম্রা বৈশম্পায়ননা লিথি। অসিওথা মহাভারতকী আদি পর্ব্বগী মারী অসিবু পৌরানিক পন্নিবদকি থোদা মকুংইমা মীতৈ ইমালোন্দা পাঞ্জবা শ্রীঅমুথোম্বা সিংহনাইবা মতাং অসিদা, অমানবা কম্না মাওরবসু বৈষ্ণব সমাজদা তাকপীগনি। হরি হরি হরি। শ্রীনিংথৌজম অমুথোম্বা সিংহ মারী লিবা পণ্ডিতকী শরকলোইরে।

অধ্যায় ঃ—

হস্তিনা যুবরাজ পদবীগী মরুবা ভীমনা বকনগী লৈবাক্তগী আত্তরণ লৌরুবা অমসুং কৌমুদকী গদা ফংবগী

বারী মক্তাং।

মঙ্গার অহিংসী শ্রীইরোম তোম্বোত্র সিংহ অমাইদি হৈবিরকপগী বারী লৈবেং শরুক হৌমরে নৈমিষা রমাদা পুরান তাকিবা শৌনকাচিংবা মুনি মমাগা হাম্নকই। এহ ভুতগী মহা লৌড়ি, হস্তিনাগী যুবরাজ যুধিষ্টিরনা ওয়বগী বারী অদু ঐখোয়না তানিংই লিরো? লৌতিনা হায়রে তাবিয়ু ব্রম সতা, ভারত লিরিবা বৈশম্পায়ন মুনিগী মকমদা, জন্মেজয় নিংথৌনা হায়রে। মুনিদেব যুধিষ্টির হৈবুথৌনা যুবরাজ ওইরকপগী বারী তাজরগে, মথংশিংবা লিবীয়ু। বৈশম্পায়ননা হায় তারো মহারাজ; হস্তিনা লৈবাক্তা চাহগা মতাগা খুৎকন পাজরকপা বিদ্যাদসু মতিক চারকপা, 'মতাং অসিদা, হস্তিনা প্রজানা খুংশিবসি চাহদগী মতাদা হেল্লি; প্রজা পুরুবক্তা থৈরে পাণ্ডুরাজ লৈথিদবদগী যুবরাজ হাংলুবা লৈরি। যুধিষ্টির অহনা যুবরাজ ওইরবদি, লৈপাক মরা তপনা পানগনি, ধর্ম লৈ মথুক তপই ব্যবহার কচৈ, মনাওশিংমসু খুংকলপাজনি তম্বা ভক্তি লৈ। অসুম্বা তরা ভিরে থরৈ মতাদা তিরে থরৈ রাকম অসি হস্তিনা পুরমক লৈরক্লে। প্রজানা খররকপা রাকম অসি দুর্য্যধনা তাবকলঙনা, মোংমা অন্তঃপুরদা চঙ্গতুনা মপা নিংথৌবু খুকম্নগা, হায়রে তাবীয পাবু মহারাজা হস্তিনা প্রজানা, পাণ্ডব মতাবু খুংশিবনা দাদা যুধিষ্টিরবু যুবরাজ ওইহনিংবগী, রাকম অমা থররক মোংথদি শোয়দনা দরবারদা পুথোক্লক্রগনি, মতাদি ঐগী রেকনবনি। যুবরাজ পদবীবু লৌগ্রবদি, নচা ঐখোয়না কাথথাং তাহনা লৈংথৌগনি, প্রজা কনা অমতনসু উশিংথবরোই। মরম অসিনা মচাবু চাওনবা শেৎলীয়ু, যুবরাজ পদবী নচা দুর্য্যধন ঐতোন্দা হাপ্পীবো। মচাগা রা তাববদা ধৃতরাষ্ট্র-না হায় দুর্য্যধন নংবু হৈচানি খুংশি হায়রুনা, ইপানা হেক হাপপা য়াদে নবুবো পুরেন বাহ্লিক, লোমদত্ত অমসুং ভীষ্ম, আচার্য্য গুরু লৈরি; প্রজা পাত্র মন্ত্রি অমত্তি শোইদনা থম্ভরথিনি। মংনা ওইবা য়ানবা মচিম চংপা পাত্র মন্ত্রি থরা মিচং থোমহৌ, মংদি ভক্তিনা প্রেমনা মী কাবা হৈরোইদবনিনা লন থরা তিঙকসমু, মন্ত্রি মামা শৌকনিগা তানৌ। অক্সাঙকই রা তাববদা দুর্য্যধন চংবিহনা, শৌকনিগা অমহমা মচিম চংপা পাত্র মন্ত্রিশিংদা! লন য়েন্থোকুনা মিচং থোম্বা হৌথি। লোংমুদি হস্তিনা গ্রাম ১৫গী মচিম চংপা গ্রাম খুদিংগী লুচিংবা মী কয়াবকুম লাকুনা, দরবারদা হজংথি। হস্তিনা লৈবাকি যুবরাজ হাংবসি মুত্তাইরে। যুধিষ্টির ইবুঙোহন্দ যুবরাজ হাপপীরো হায়না, অক্সাঙকী মকমদা প্রজাগী রা অসি হজংনরে। প্রজাগী খোন্নাও অসি তাবদা অক্সাঙনা হায়রকই, অহনবন পাত্র মন্ত্রি থব রম তাবীয় প্রজানা লাওরকইবা রাকমসী চুমী। মহানমথৈ ইতা চানা মতা

অসি, মনিং খুংলা মহৈ তমজখিনহ্ হায়রম্না, যুবরাজ হাওবনি। হৌজিক্তি মহৈ তমন্ লোইজরে, মাসনগী তায় হাপচিন্নবা রাগশনি। অদুন্ ঐখা নিজেখদি ইচা চাবা মতা অসি, তোকেনৌ লৈজরে অহেন নহান্ থাইজরোই, প্রজাগা পাম্বদা যুবরাজ হেক্তা হাপকে অমুক্তা খল্লবিয়ু।

অহরাজগী মাহে অসি তাবদা খাঙ্গম বৈকম অহল নমনশিংনা হায়রকই, কৈ মহারাজগী রাকম অসি অদুন্ ঐখোইগীদি, খাইগী অহন্না যুবরাজ ওইবা পাম্মী। মতাং অসিদা দুর্য্যধনদা রাচৎপা পাত্র মন্ত্রি মখোয়না হায়রকই, চুমী রাকম বৈকমনা তাকপিরিবা নিংখোগী মতামা যুবরাজ ওইবা খিখিনি, চামাগীন্ অহম দুর্য্যধনদা যুবরাজ খাগীন্। অহল-নহল্লা হায়রিবদি যুধিষ্ঠিরবুনি, অদুন্ পাত্র মন্ত্রিশিংনা লেমজিন্দুনা চামগী অহল দুর্য্যধনদা তাশিল্লিবা। রাকম অসি তাবদা পেল্লদে! দরবার চোন্না পৈরিবা প্রজা পেল্লবা মীয়ামা হায়রকই; পিতৃ লোতোন্ ওইবা মচা ইখুজেত্তো পুত্রমক্তিন্ অহল ওইবা যুধিষ্ঠিরদা হাপপীয়ু প্রজা ঐখোইনা পামজে। দরবারদা যুবরাজগী থৌবা রাকমদা, মাকপাক তানজুনা লেংনখকপসি, প্রজা মীয়ামা যুধিষ্ঠিরদা, শেন চাবা অহম্বশিংনা দুর্য্যধনা। মায় তাবা ওমজে। বৈশম্পায়না হায়রকই হে- জন্মেজয়, লাইগী লোংদখন্ কমামা খঙবা ওমগনি, তান্না অহুমকন্দা ইন্দ্রপস্থ প্রামগী, প্রজা কয়ামকম দরবারদা খুওজে।

অহরাজগী মফমদা থুক্কমজন্না হায়রজে, মহারাজা ঐখোইগী ইন্দ্রপ্রস্থ প্রামগী মন্নাইদা, ইন্দিবর কোবা চাওদোং অমা লৈবীবসিগী চাওথকা, খোংমা বোট অমা হৌখিবা অসিনা, মখা কন্নোন্নকপা উরাং মত্না চৎখোন্নকপনা। চাওখোংদা তাবা ইখোল কয়া লোক্লে। মাগী উকলা যুমিংকী তেজ কংদক্লুনা অহল অশোম অমা লৈবা ওমজে। পাণ্ডু রাজা লৈখিদবদগী ঐখোয়গী প্রাম মতা অসি, মপু লৈতবগুয়া শেমগৎ শাগৎলগী মরমদা য়েংশিনশিবা থবা রাংপদগী লমী থোংগী মরমদন্ রাম্না খুদোং থিরে। মরম অসিনা খোংনাং অসি লৌখোকপীরগা, চাওদোং অসি তেমখোকপীয়ু। অদুম তৌরবদি ইংখোল লৈজদবা লায়রবা কয়াগী, ইংখোল কংহনবীবা চিঙখোলদা তাবা প্রজা ঐখোইগীন্ মরাবা কোকনি। মরম অসি পাংখোকপীনবা মহারাজগী চয়দা, প্রার্থনা তৌজরি। অহরাজ অদু যুবরাজগী থৌবা রায় তামবা ওমজিনৈদা প্রজাগী রাকমঅসিগনু থমদবা রাজবা রাকমনি, অশিনা পুরা ভীমদা লাম্বোন্নগা ওসিমক রায় তাহনগে, নিংতুনা হায়রকই। ওসিগী যুবরাজগী রাকমদে ইন্দিবরগী রাকমদে অনিসি মথুখোনা রায় তাখিন্ হায়মা ভীমদা লাম্বোকে। মতম অদুদা ভীমনা থন্ত্র যুবরাজগী থৌরিবগী মিচং শদম নাটকরে অহমকি লাইগী রাজেন্না মরাইখক য়েংনজগে লৈপাকীন্ কুপৈ ওইরমী। ভীম রাখম তোবা লাটরতনা কমকমদগী হৌমংলজগা হায়দোন্নজে ইচা শিংখৌ তাজো- দরবারগী মীয়াখন্ তাজো। যুবরাজগা থমদা মিচ লাকপাক তারে অদুনা অহন নহা থাইজরবা লাইগী রাজেন্না মরাইখক য়োমজলহ। -হয়েচি অদুক পুং শিপান তাবদা ইন্দিবর চাওখোজবা পুজেনা ইত-চামা মজাগী দুইন রোওনি।= হংবিহ্মগী শক্তিনা খুরাপ অমদা খোংমাং কফগা ওবা শিপাদা

ইচাকাইবা পান্ডুগী চাকপুং গ্রামতা অসি গ্রাম ২মখা ওইনা পিবা। শদা শাইদুনা চৈত্র মঙ্গরকা" ইন্দ্রিয়র চিত্ত কাররেখা ওহা নিপাদা গ্রাম ও পিবা।

যুবরাজ পদবী অমত্তা পুন্না চমজরে, ওখা নিপানা ফখা অমমমনা ওয়রে ২ অঙ্গুনা থংথা থাংদা যুবরাজ ওইহনসি। বিস্তু ইচা মতৌনা অক্ষৌহিণি অদা পুরখা; গ্রামবাসিশিংনা ওদিচতুনা হয়েদি কুপৈ য়েকেম পেস্থুনো; থবক অনিবক হৈরং পাংথোকহৌরেসি। হৈরং কুপৈ য়েংনিংবা য়োসপু ওসি প্রজা পুন্নক; মগোল পাও চেষোকুনা লোইনা তাহন্নু। ভীমনা অপুন্না রাজ্য তাবগী হস্তিনপুরনা কমদ্রে, ভীমগী ধর্ম বিচার অসি তাবদা মনিং থুন্দরমদনা, ঘৈরাম পেমগ্রে। মঙ্গংদা লমপিংলো রাচৎখুবা দুর্য্যধন, শৌকমিবু ইকি তৌরমগা মরকার মপাঙ্গ থোকথরে, শৌকনিবু থুং ইনখি। মীয়ামা থৌরে, কুম্ভনা তৌবা থোকগ্রিবনি, কদি অমুক হায়রগবা থহৌই। দুর্য্যধন শৌকনি মপান্দা থনিহরে, শৌকনিমা হায় দুর্যধন মামাবু কৌথোকখদি কদি হায়নিংবা লৈবগে? দুর্য্যধনা হায়রকই। মামা হয়েদি যুবরাজ অসি কনানা ফংনি অমুক্তা তাকপিন্নু মামাগী বুদ্ধি য়েংজগে?

শৌকনিমা হায় ইবুঙোহন মামাদি অকর্য্যামিমক্তি মহে, মাক্তদি মরাইবক ফংবা নিপানা কংথিগদবনি; অয়েঙ্গা হায়বদি মামা ওমদে। দুর্য্যধনা মামাবু শিংই হায়বসি ঐথোয়না হেনবা মকমনু মরাওবোইরে। শৌকনিনা হায় ইবুঙোহন নোনা মচিন ভূমথংলমইবা ইথাক্লি অমুক্তা হায়নু? মামা তাগে। দুর্য্যধনা হায় মামা ঐদি খঙিও, হয়েক্তি কুপৈ অসি থোংনাং ককপনা আর্জ্জুনগা ওমগনি। চাঁও পুগামবক্তী মতাংদনা ভীমনা ওমগনি, মথোইগীদী মচিন মনাও ফজনবনিরা, মরামদা কথোকনা যুবরাজদি দাদাইকুঙা যুধিষ্ঠিরনা ওইখিনি। পাণ্ডব মচা অসিদি মীম ওমনদবা। থবক মথোয়না ওমদবা লৈত্রে ফনাদা লাইচুবগা লৈরবনি; মাসি লোইথোই মামা শৌকনিনা হায় মাচ ইমাকথু মরাইবক লৈরবদি ওহা রাইনা; মরাইবক লৈবনা ওমথিবদি ওমজথিনসু মামাগা কদি থাসি হায়বগে। কদি রালো মামা, ঐদি লন কয়া তিংনা যুবরাজ পাবদগী রাচৎলুরে হলকউ হায়বতু মাবরোই। ইবুথৌগী ধর্ম বিচারদা ঐদি মাঙজরে কমথা উপায় তৌরগা মতাদগী মুঙ্গুনা যুবরাজ ঐনা ওইহৌবা রাগদগে তাকপিন্নু? ইমাকহন অদু হায়রবদি হয়েং পাণ্ডব মচা ভোয়ে ইমাকা যুবরাজ ওইরনি; মামাদা শাকা বুদ্ধি অমা লৈবে শোয়মরোই। দুর্যাধননা মামা মাচ তাকপীন্নু, কমদোয়গা মচাবু তোকহন্নগদা ঐনা ফংবা রাগদোইরিবনো? শৌকনিনা হায় মাচ মামা হায়গে, হৌজিক ইমাক্তা চংলগা নবুথৌরা, ইথাই ইবুঙোদা হলহনু। রাইহেদি হল্লেংদি ইন্দ্রিয়গী ঐথোয় চাম থতানা; যুবরাজ পদবী শাইবক য়েংবগৌরিবা অসি লৈরাক মীয়ামগা য়েংথনা কজনখা রাজাবেশ চপ মাননমা লেপ্লেগ। পুং ৮ দা চপ মাননগা থংহিজনবা, লেংনা শাকথা মী কুপৈ য়েংহনবা। কুপৈ শাংবগৌরিবা ঐগী ওইনা লোওতকলবদি। ওজনবী মাথং থোইনবী লমক থোতকপা মিপা অদু কুপৈ রাওলদুনা মিত্রক অসি লেকপিনমবীমক্ত ইবুঙো অদিবা

পাম্মৈ। অদুম্বা হেক্তদু ভীমগী তাত্রবা মিরমদি, কাইথা রাম্লোই অদু ওইরবদি পাণ্ডব মচাদি রাজ বেস লৈজরবনি; হয়েদি কুন্তী রাণ্ডবা রাম্লোই। 'পাণ্ডবপু রাওত্রবদি মখোই চাবাদা চৎলগা খোংবাং খুক্তোক্লো? চাঁউ থুগাইরো যুবরাজ ইমাক্লা ওরবদো। শকুনিগী কুমন্ত্রনাগী মাহৈ তাবদা, দুর্য্যোধন মুত্থাইত্রবা মনক্কগী ইমদি শকুনিদা থারে, পাবা থুদপ ৫ ও লানথিল্লি। লেংসিন্নসি মাথা হাবহনা, দুর্য্যোধনবা মাং-থাহনা শকুনিদা পাবা চখোক-চাওবা, দরবারদা চত্তুনা শকুনি কাম্ব্রে। দুর্য্যোধন মথুংদা থুরুমগা হায়রৈ, ইবুংগো হয়েদি যুবরাজ কম তাম্বগী কুন্তী অসি, ঐখোই রাজবেশ মাম্না লেংচগে। অদুগা ঐখোই চাবা মচাগী অসুংবগী, মানবনা থেজিংছুনা রাইহনা লেংলকপা নিপা অদু ওরাগুমগী ওন মরেং তাবনি কুন্তী রাণ্ডহন্দবা, অমসুং পুং ৮ দা চপ মান্না থুংনবা কুন্তী হেন্নবা প্রজানা থেত্তক্লগা লেংহন্দবা। কুন্তী শাক্সদোরিবা চাবা মচাদগী ওইরগা কুন্তী শোইক্রক্কবা লগাই মখক্তা দত্তী তৌরনা থবা। অসিগুম্বা নিয়ম অসি চেকশিনবগীদমক ইবুংঙোনা তারিবা পাম্মৈ। অদুম্বা দুর্য্যোধননা হন্জংলি। দুর্য্যোধনগী মাহৈ অসি তাবদা মখোই চাবা মচা মানহনা লেপনরকপা, ওইরখোই নিংহনা, ভীমনা হোৌগৎতুনা দুর্য্যোধনগী রাক্ষম অদু মাংহনা তানবা। লাণ্ডথোকথবে। অসিগী, তুংদা শগোল তোংহনা মিপা ৫০ না, হস্তিনা পাত চেনথরে দেশ লোম্বা নিংথৌশিং নিমন্ত্রণ তৌথরে বিদুর মন্ত্রিনা অক্ষৌহিনি অমগা থুন্ন খুৎলাই পুহনা, গ্রামবাসিশিংদা লোইনহনা চংখিবনা চিংখোং অকোইথদা তারিবা য়ুমশিংগী মায় চাং থৈদোক্তুনা চেকপন লাংখোং তেমশিল্লগা শঙ্খোং শাহনা, মীয়ামগী কুন্তী রেংফম শেমহনা লৈথি। হস্তিনা দরবারদগী কুমবকপদা মীয়াম মুত্থাইনা চংনথি; দুর্য্যোধন শকুনি কর্ণ শৌবল দুঃশাসন মনাওশিংগা, মুত্থাইনহনা চাক চানথি। পাণ্ডব মনাদি শকুনি দুর্য্যোধন মন্না তৌরবগী মাহম্, ভীমনা হায়দোকখিবা অত্তুগী মাবনা মমুম হোৌরকপা কাওবা রাজবেশ লৈজদবদগী চিন্তাগী পোৎলুম পুহনা থৌরক্লে। মচানা মাইখোং মকশিন্না লাকইবদু উবদা কুন্তীনা হায়রকই। ইচাশা ওসি দরবারদগী কুমকপদা নমাই মকশিন্না নক্ক দুক্লগা মাঙাংদনা লাকপবু করম্বা রাজা দত্তী মত্তকপা লৈরবগে ইমাদা তম্? হে পাণ্ডব মচামক, কুন্তী এমাংদু থুরুমগা মচা মচানা হায়রৈ, ইমা ওসি দরবারদা যুবরাজগীদমক থরদা। ইবুংঙোনা ইন্দিবর চাউগী খোংনাং কককপা ওম্বা চাউ থুগাইবা ওবদা, যুবরাজ পিগনি হায়রি। হয়েদি পুং ৮ তাবদগী, কুন্তী হোৌগনি হাক্ষা লেপনরে। অদুদগী শকুনি দুর্য্যোধন মন্না, তৌমক্কগা, ইবুংঙোদা হজংলি। হয়েং চাবা মচা মাক্কখোইনা, যুবরাজ কম তাম্বগী লাইথক চায়েংনবগী, কুন্তী অসিদা। রাজবেশ চপ মান্না লেংচগে কিজব লেংপা রাদবা রাইহনা লেংপা রাদবা, নিয়ম অসি কাইরকপা অং, কুন্তী রাণ্ডহন্দবা রাক্ষম অসিনি, মাহবু ইবুংঙোনা রায় তাম্ব্রে। মচা ঐখোইনা পিতৃ সত্ত গ্রাম মচা কন্থনা, যুবরাজ পদবী লৌজরগা ইমাগী সেবা তৌগনি। নিংথনি অদুবু লাররবা রাজবেশ লৈজদবনা, হয়েংগী কুন্তী রাণ্ডবা রাদহনা হস্তিনাদা, মচা মচা মীথাপোরা লৈগদৌরি।

মরম অসিনা ইমা মচা মচাগী থখোই অসি পুবা ওমত্রে ইমা, মচাগী রা তাবদা কুন্তী থখোইদি কাইগদৌরে। অদুবু মচা মচা রাথা হেনথরনি থম্মুথা অরাবা উম্মা হায়রকই, ইচাশা

করিগী রারুরিবগে। লৈজরবগী কিজয় শেংলগা অহুম চংদু লমলামবা নত্তে, মগল মহারাজনা মথুঙোনবু করিগী রাওহল্লগবনো। যুধিষ্ঠিরনা হায়রকই ঈমা দুর্য্যধন ঈনাও অদি, থরোই কদ্রি। ঈবুঙোদি হায়দোকখিবা রাথং কারবা রানবনি, মচা মতাবু কিজম শেংলগা চংদুরবদি। কুন্তী লোইত্রিকাওবা, নীরাম মমাংদা শগাই মথক্তা পাং তিংহুনা। মতী করবা ভারে মচা মতাদি ঈপা লৈতবা মিচং রাংপদগী, তৌবনি প্রজাশদি ঐবু হুংশিনিহুনা যুবরাজ হাপগীনু? হায়জবদা, ঈপল মহারাজনা ঈনাও দুর্য্যধনদা হাপশিংবদগী; পাত্র মন্ত্রিশিংনা ঈনাওগী মিচংদা লেপখিহুনা রেংমবদগী রাই তাবা ওমনত্রহনা ঈবুঙোনা লাইবক রেংনবদা .্রাবিখিবনি।

অহুবু মামাগী কুমন্ত্রনাদগী ঐখোইবু রাওহল্লনবা। দুর্য্যধনা হকংখিবনি ঈবুঙোনা রাথল তৌবীহোনহুনা হায়দোকখিবনা নচা ৫ গী লাইবক খিবদা। দবা তাহোবনি। রাকম অসি হায়নরগা থগোইদদি রাম্রগখিবনা অমগা অমগা রা ভাংনদনা তুমিন তুমিন লৈনখরে। কুন্তী সন্ধ্যাভোজন লোইরগা চুমিদাজি চাক থোংবা লোয়রহনা, কুক্দা কংলগা পরিবেশন লোইরহনা ইচাশা কওসি হায়রকই। পাণ্ডব মতা মমাগা চাবা থকপা লোইরগা, মাগী মাগী শয্যাদা হিপনত্রে কোক্তা মোনগা তাইনখিবদগী, পাণ্ডব মত্থা তুমখি। কুন্তী কমহুনা রাখল তৌবদগী অরাবগী ঈথক হোয়নুনা, মওম মওম খল্লি। হরেং ইচা মতানা মমাম্রবা মীরক তিনবা ওমদহনা, কণ্ঠা লৈবহু ঐনা কমদোনা রেংহনা লৈগনি। বিদ্যাদা মপাজনা মীথোই মীহেম্রা লৈরগা ঐনা বিখবা লাইবক থাবী ওরবদগী, ইচাশিংবু কিজেং থোনিবা ওমদহুনা, মমমাত্ববগী মীথা পোন্দুনা লৈবসিনু, ঈমিংনা নাংহনা লৈগদবগী শক্রকপুদি, ঐমক্তা গজাদা চোংথহুনা থরাঈ থাদোকত্রগে হায়না সতী লেপপকতুনা হোপংলগা মচা মতাবু রেংনা রেংবা বিদায় ভৌরমলগা কুন্তী গজা ভাজা লাকে। গজাবু থুরুমী হে- গজা ঈমা ভোজবী কুন্তী ঐগী থরাই অসি, ঈমাগী গর্ভদা থাদোকচয়গে নত্রাইবু লৌশিনবীরো হায়রগা গজাদা কুমথরকই। ঈগ্নিশিদা ভকশম য়োনা কুমথরগা, শিগ্রবা শৃতু মপুরোইবা কৌরগা ভেংথোহনা থোজেল রাংনা কপলকই। মতম অহদা নারদ ঋষি অতিয়াদা লাকপদগী, কুন্তীনা কপলকপগী থোজেল তারহনা রেংথরকপদা, কুন্তীনি হায়বা খওহনা নারদ হায়থরকই। ঋষি লৈরাই মথক্তা লেপলগা, হা কুন্তী মংনা গজাদ' অত্যাচার ভৌগদৌরিবা করিগীনো? কাথংলকউ পাউ তমথো। এনা হায়বসি যাত্রবদি নারদ্দা ঐবু হাংপগী পাপ কওথু। রা অসি তাবদা কুন্তী কিবদগী কাথংলহুনা নোংথোংবওম কপলগা, নারদবু থুরুমী। কুন্তীনা থোকইবা থৌদোক অহুগী রাকম পুরুবক, ঋষিগী মকমদা তমথৈ।

কুন্তীগী রাকমহু তাবদা নারদহু, পুরিংদা হুওতাইতবা নিংকোক নিংকোক তৌবা রাহুল অমা। পুরিংদা কাওরকই। নারদনা হায়রকই কুন্তী নপুরোইবা পাহুনা, মচা মতানা শেংনবা আতরম? লাঙ্গুনা থনমত্র? কুন্তীনা হায়রৈ দেব ঋষি অহুবু থরোয়মথবদি করিগী, মতম থোকলগে। নারদনা হায় কুন্তী নব চেঙ' পাণ্ডুরাজহ জান লৈবা বিদ্যাদা চথোনবা মিপানি। নাদি মশাংনা শিরনি

থগুহনা নৈরবদি, ইচাশিং অসি ঐনা শিগ্রগা কুন্তীনা মুত্রা ওইহনা য়োকহৌবদা, ইচাশিংদি মতিকতাবা রাজবেশ থোনবীবা ওনরোই থম্মুনা, অমাং অতা মাইদবা রাজবেশ লাংলগা থমবা নতোন্নদি তাঙ্গমদনা শিবনা হানখিবা ওইরমগনা, মাদি লাইনা চানবনি লাইগী মথুতা থমম। মলেম্ব শিতোকথি নচাশিংনম্ব কন তৌরবদি, তুদো মাবদা ঐনা থওককলগা মারা হুতাইরবোই। মরম অসিনা ঐ চংলগা নবুতো পাণ্ডুনা অমুকা হংবিরুথিগে। পুংথাই অমগী মতুংদা হৌরকুনা পাণ্ড তপীরমে, ওাইরমথো হায়রমলগা ঋষি [মরুকা কৌবা শিঙিনা মমলকতারা চংথিনা, নিমিম ২—৩ গী মতুংদা মরমাঙ্গী মতাদা থুংই।

নারদবু মমদা খুম্নমনা আসন থাই, মারদনা অসিঘ্য তৌরগা কন্দী। মমনা কয়ি মরমদগী লেংথিরকপলো হনংলি, মারদা পাণ্ডু উমগে লাকপমি অমুকা কৌশিন্‌। মমনা হা- পাণ্ডু হায়রা কৌই, পাণ্ডু চঙভুনা মারদা মমু খুম্‌না, মারদনা পাণ্ডুদা হায় পাণ্ডুরাজা মহাকপু, নচা মচাগী রাজবেশ লাম্বনা থবীরমজ্রা? পাণ্ডুনা মুনিবু খুম্নমনা হায়রৈ, ঋষি ইচা মচাগী আডম লাম্বনা মরুম কৌবা লাইগী মকমদা লিহনা থনমই, অমুবু কুন্তীগী মকমদা তাকলমহে। নারদনা হায়রকই পাণ্ডু ঐনা লাকইবা অসি হৌজিক কুন্তী অমু গজাদা লুপ্পনা শিরমি হায়হনা, মংবু কৌরগা কপ্পনা নৈরিঙৈদা থেংনরুরে। মরমদি লোংতাহকপদা পুং ৮ তাবদা, ইন্দ্রিয় চীঙ থগাইবা থোংলাং ককপা কুম্মৈ শারহনা, ১০০ গা ৫ গা যুবরাজ পদবীগীদমক, মরাইবক য়েংলহনগদৌরি। অমুগী মরমদা নচা মচাবু য়াওহন্নমবা দুর্য্যোধন শৌকদি আনহনা, রাজবেশ মায়না থেংকনি। ফিজম থেংগা অমম্ভং য়াইহনা থেংলবদি, কুম্মৈ য়াওহন্নবা হায়না লেপ্পায় অমুয়া হায়জিন্দুনা। তীমনা নিরম অমু তাগ্রে। মবন অম্বনা রাজবেশ নৈজদবনা নচা মচাদি য়াওদবা তারি, নচা মচানা কপ্পনা নৈগদৌবা অমুবু, য়েংহনা নৈবা ওপ্পরোই। ইচাগী ফিজোন অমা অমদং থোনবীবা ওদবা, লাইবক থিবী ঐদা শিজগ্রগে, অমুয়া লাওজনি। হৌজিক ঐনা থাদহনা ওহাক্কং নৈরমথো, নবুতো পাণ্ডুদা হংবীরুথিগে থুনা হায়কনি, হায়রমলগা লাকপনি। মংবা থনথমী হায়বা তাবদা ঐ পেম্নে, পাণ্ড অমু ঐনা ওহীকয়বমু য়াই অমুবু নংমক্তা তাকচৌ ঐ পুবীগে। নচাশিং অহ মশক য়েংনিংঙ্গা, নারদগী য়া আবদা পাণ্ডুনা হায়রৈ, দেব ঋষি অসিবগা অচংবগা উমবা য়াদবগী তৌবদি, মুনিগী থৌদাঙ্গগী ইচা মচাবু তমুক্তা উজগে। নারদনা মমদা হায়রকই ধর্ম্মরাজ পাণ্ডুবু ওহাক্তদি থাদোকউ? ঐ অমুতা তর্য্যা পুত্র উমহনুগে, থুনা অমুক পুরকে। মমনা হায়রকই মুনিদেব পুবিথো পংকুইদি কুইহনবীরকমু, য়া অসি তাবদা নারদ মমদগী বিদায় লৌরগা পাণ্ডুবু পুন্নমা লাকই।

থিকুপ থমগী মতুংদা হস্তিনা গজাগী থোংবাঙ্গদা পুঙুরে, নারদনা হায়রকই কুন্তী নবুতো পাণ্ডু পুবিরকই য়েংবো হায়রগা; অচ বগা অসিবগা উমবা য়াগ্রিবা মরাং, মুনিনা লৌথোকপিরে। দেবমায়া লৌথোকথিবদা পাণ্ডু কুন্তী শক শক উমরে। কুন্তী পাণ্ডুবু উবদা চেথশিনকুনা নবুওঙাগী

মখোং কোল্লগা। মোংখোংবগুম কপনি। কুন্তীনী মতৌ উবদা পাণ্ডুরাজ পুরাবু কোমথংলগা, মমা হমা মুখ চুমন তৌরকই। পুরে মংদি ইচা থেবু লোকপদা হায়রক্লবা; মরাই পান্দুর্মাল্লে। হৌজিক চৎখসি। ঐ ইচা মতাবু অমুক্তা উথিগে, মা অসি হায়ল্লবা পাণ্ডু কুন্তী মারদ। 'লাকমিল্লবে। মুখ মৌমল্লখদা পাণ্ডুনা হায়রকই, কুন্তী পরলোক ওইরবা ঐহাক্তি মুখদা চংহেদে। গুমাংদা লৈরংগে। ইচা মতাবু মোদোকউয়ো সমুদ্রভোগী মাখং কত্তবদা, কুন্তী চত্থিহনা থাওবে আসন পুখোলগা, মখিগী পাণ্ডুগী আসন থাথরে। কুন্তী মচা মতাবু মোদোল্লগা মপান্দা পুখোল্লকুমা তাকই, পাণ্ডব মতাবক পরলক ভানখ্রবা মপাবুং মরাবাক্তদি থুরমক্লৌ।

পাণ্ডব মতানা মুনিগী থুলমী, নারদমু হায়রকই, হে-পাণ্ডব মহাবক নুখোইবী মরাবা কোরবশিংদক, লাইহৈপাক্তদা মপাবুংবু ঐনা, পুখিরক্লপনি থুরমক্লৌ মুনিগী য়াথং কত্তবদা পাণ্ডব মতান পিতাবু চিংদা লেংলগা চৈর ভাবওম থুলমক্লুনা, লোং মোংবওমদা কপরকই। পাণ্ডুরাজদা মচা মতাবু, মথং মথং চেংমা কোল্লগা, হয়া হমা চুপই। পাণ্ডব মচা শিখরদা মপাবুংবু উদ্রবা কুনসি মুণ্ডাইবগী সমুদ্রদা লুপচরে। মতম অদুদা পতি অনমুতা ওইবী মাদ্রী মাওরকইবী সতী, মচাগী শোল্লা হিক হিক কল্লকই। মাদ্রীনা কুপদকপদা পাণ্ডু লিংশিংওকুনা; হায়রকই মাদ্রী নংদি ঐগী মাখং চাইহনা লৈরী, মচেবু থুলম্বু। মচাশিংবুগী মোঙাম পীবিগু, হায়রগা অচংবগা অশিবগা উন্নরিবা দেব মায়া লৌথোকপীরে। পতি অমা কংলবদা মাদ্রী চেনশিনথিহনা কুন্তীগী থোং কোল্লগা থুলমী, কুন্তী মাদ্রীবু উবদা চেংমা কোল্লগা, কপশিল্লথরে। কুন্তীনা হায়রকই লাইবক কবী হে-মাদ্রী, নংদি মপুল্লোইবগী সেবা থানদনা থৌগল্লি, লাইবক থীবী ঐদি ইচা মচা লোকপদা অাখিবা দবা অসিননি। লাইরবনা ইচাশিংদি কিজেং থোনবা ওমজক্লুনা, মথাগবা মীরক তিল্লোইদৌরে। মংদা মচা মতাখী, মাজবেব থোনবীরম্বু। কুন্তীনা ইচাশা শত পুত চাওবক্তা নপাবুদি চুংইদুনা লোজাখরবী, মখাতোম মাদ্রীবু থুলম্বু হায়রকই। মখাগী মাখং কংবদা মচা মতানা চেনশিল্লকুনা, মাদ্রীগী মাংদা দণ্ডবত চাইহনা থুরমজখি। মাদ্রীনা মচা নুতাবু মথং মথং কোল্লগা হয়া হমা চুপখি, পাণ্ডব মহানা হন্দোক্তুনা মপাবুদি মাংদা থুউথুদক কুমুনা, পিতাগী মাংদা কমথৌ। মাদ্রীনা নকুল সহদেব লেংলগা হিক হিক কপই, মাদ্রী উবদা কুন্তী থাংবা ওমজক্লনা, নকুল সহদেব অনিদা হায়রকই। ইচা ইবুঙো তোখা অমিমক মতম অমুক কুইবা ভাবথ্রবগু, ঈমানা হৈনাওগী মতৌ লেংবা ওমকল্লে। ওসিদি ঈমা ভাবথোংকলগে। শংদা লৈসিবা মাদ্রী মথানা মবওানিবু লেংলগা কাৱাবা অদু ঐমদি ভাক্কবা অদুদা নবতানিদা হায়নিংবা মা হায়রবা, ওমদহুনা লৈরে। মখোই অনিবু থা ১০ থর্ভ পুরহুনা পোকপী মমাদি মাদ্রী ইমাওনি, ওসি উখিবা অসিদগী মতুংদা অমুক উবা কত্তরোই, মখোইনা শাওনিংবা মামী শালহৌরে। কুন্তীগী মাথৈ ভাবদা নকুল সহদেব, চেনশিলথিহনা মরাকী মখোং কোল্লমা হায়রকৈ, ঈমা নচা ঐথোইদি অপোকপী ঈমানা থংজবে ঈমাজোদি থজরবে। মরম অসিনা মচা অনিগী অপরাধ ওাকপীবু হায়রগা কপজরক্লং মতামী থেপ্রা থরোই কাইহুক্লোকবী যম্রা।

লোংঙাই তমথা মতম অনিমু ওইগদা লেপকা লোক্লুনা খঙখা ! হায়া হায়া ফুগদী থাদগা লেপ্পা তকখিনা সতী মদ্র মাহারানী। মচা অনিবু চিন্না লেংনখা হায়রকই, হে নকুল সহদেব ইচা অনিদি ঈমাগী অমৃতনা যগুং কানা লোকলমজ্রে, ইচা লোয়নবগী ঈশ্বরনা পীনবা খুদ্ঙম্, ঈমাদা মথাক লৈরে। ওন্নি মতৃত মথাক অদু ঈমা ইরুগে হায়বনু, মখোমনি হলোইখরা? নকুল সহদেবনা হায়রে, ইমাগী অদুম ইনবীমু মচা অনি কংরগোরগে হায়রবা, মা কাথংনবা ওইরবি। মাদ্রী থাখুম লায়রোকপা অদুম মামা নামা ইনথরে, নকুল সহদেবগী গত থম্বা থোকখি। মচা অনিগী গর্ভ ঙ্গরবদা মাদ্রী; মচানু ওম্পাকপী থাংথরগা হায়রকই। হে নকুল সহদেব ইচেমু, ঈমা লোকবীনো শম্ভুমা নবুকনিং থজিবগং মচুবরদি, মপোক থুদিং নধা কংদবা ওইরু। মখোমনিনা ঈমা অপোকপীমি থিংবনা থর্ম কাইদনা চংলবদি, মতম পুম্নমক মঙ্গল ওইগনি। পাণ্ডু রাজনা হায়রকই যুধিষ্ঠির ভীম অর্জুন নকুল সহদেব, ইচা মচামক ওইরে। ইপানা হিডিংবগা নগোইগী রাজবেশ লাংজুন; থরুন কোবা লাইই মক্ষদা থনখনি, হোজিক মখোই অথা চংলগা লোম। থরুমা ইপাবু মথা লেপদা হাপ্লোবা পুবা মিংথিবগী, মখোইবুসু মচাওম্বা নিংথিবমগনী মাই লোনবগী শম্ভু, ইপানা লেমহুমা থবমলবনি। লমুম তাবা চংলগা গঙ্গা মখেজোবু কো লোইদনা লাকপ গঙ্গানা পুবারবদি থিংবুগ থবা অনিদা লোগনি। অদুগা ইপানা লেংবদা ভীমনা চাও পুখাইবা, অর্জুনা থোংনাং ককপা ওবগদ্রি নিত্তও, মরম অসিনা মখোমনিনা ইপাগী থরদী, লেপনা ওম্। অদুগা যুবরাজ পদথাদি নয়াম। যুধিষ্ঠিরবু ওইহল্লু, মতম লৈবা থিবিক্তা নয়াগী অংনবু, ইপাগরি নিঙ্ঙু। হৌজিক ইপাসু হয়গে মতম থৈবিক্তা শ্রীকৃষ্ণগী চরণবু কাওগদু। পিতাগী থর কঙ্ঙবদা পাণ্ডব মচানা, মুনিগী পিজা মাতাগী, পাবদক লোজবে। মমা মচা ৬ মক লৈরহোরে, মুনিনা পাণ্ডু মাদ্রী পুম্নমা যমদক লোথি; মমদা পাণ্ডু শিরমপা মাবদা শ্রাদ্ধমক লোথি। লোমদা কুন্তীনা হায়রকই ইচাশা; নচিম মনাও থবরগা অমা চংভুমা লোরুরো। ঈমাদি বাবে ওহাক্তা পোথাহোরথিগে, হায়রমলগা কুন্তী শব্যাদা চক্লুনা ভুমগ্রে। যুধিষ্ঠিরনা হায়রকই ভীমসেন, ঈমাদুদি ইনাওশিং লৈবথদগী লেমজরগে, মখোই থরগা অমত্তং চহুনা লোরুরো।

ভীমনা হায়রকই অর্জুন ঐম্রু পুহন ওমথংনি, ঈমাথন্ লেমজহোরগে হন্দকী থোংকম অসি, ইনাও অদুম থরগা অমত্তং চংলু। অর্জুননা হায়রৈ মাপা মাইথা ইনাও অনিসু অহাংনি, চংকমদি ঐগী লেং থোকই, অদুবু ওনা হায়রবদি ওমজে। মীনা ওমকপবা থবক্তা লোইদনা পাংথোকপা ওমগদবনি, নাদা মাইথদনি। ভীমনা হায় অর্জুন ঈমাখনা লৈহৌরগা ইনাওনা চংলবসু লৈ, যুধিষ্ঠিরনা হায় বৃকোদর ননাও অর্জুনথোমনা করিবসি। থকি নতুং ইনবা কৈদৌঙৈদসু ওমলোই, হৌজিকসু ইনাওনবু চংশুবদি লোইদনা পাংথোকপা ওমগনি, মনাও অর্জুননা চংপা ঈমাখনী পুক্নিংদা কমা নুংগদে। অদুবু মনাওগী চংকম লেং থোকপমিনা, ঈমাখনা মংম চংদু হায়রবদি ওমজে। হৌজিকদি ইমাওনা চংলবদা লোইরোই। অদুম হায়া হায়া থাখংদি “ভীম মরাথনা চংহনবিয়ে লৈকথাংলগা মায়জোই, থকহনা হায়রকই।

দাদা ইবুঙো ইনাওগী মতৌ য়েঙে তৌবনি, ঐ চঙগে হায়রলগা হৌগৎলুনা চেনখ্রে। ভীম খুংশিংথকি মাং থানা চেল্লকপনা, নোংচুপ সমুদ্রগী পোংবাম য়োৎকই। গঙ্গাবু অবাহন তৌরকই, খুন্‌ক অহংা গঙ্গা দেবী থুঙওরে ভীমদা হায়রকই; বৃকোদর নংনা ঐবু থুনা কৌবদি মরম করিগীনো। ভীমনা হায়খি ইবেম্বো মতম্ বরুনগী লৈপাক য়োনবা, অমুক্তা থুনা পুবীয়ু। গঙ্গানা হায় ভীম ঐগী ডা মথক্তা,তোংখৎলগা নমিং অনিমক উইশিল্লু; মিংখুপ অমদা য়োনবা পুবীগে। ভীম গঙ্গাগী মকর বাহন মথক্তা তোংখৎলে, মিং অনিমক উইশিল্লি। গঙ্গানা ঈশিং মনুংদা লুপথখিল্লনা, পুখিবদা পুকর মালি খিপকি বংশি মোচান কৌবা লৈপাক, বরুন নিংথৌগী হিদেম তাকহনদা কাওখ্রে। গঙ্গানা হায়রকই ভীম নমিং পাংথোক্লো য়োরে, ভীম নমিং পাংথোকউবদা থুমিং য়ুংবা, মতম ওটরম্মী ভীম হায়নথুহনা কল্লুনা লৈরে। গঙ্গানা হায়রকই ভীম কপইবা করিগীনো? ভীম্না হায়রকই ইবেম্বোনা থুনা পুবীনি হায়রগা, হৌজিক্তি থুমিং য়ুংগ্রে। কুন্দে শানগদৌরিবাদ অমুকী পুং ৮ তাবা মতমদনি, হৌবা পুবিরকপদি মতম হেল্লোকখ্রে, ঐনা ইরোইহনা লাজনশ্রবম্ন মতম্বা য়াই। মীতোন্দা মমল পিদনা নেকউবদগী শোইখনি, লাইরবগী মীচং লৈবা হৌনদে, খংজরে ইবেম্বো। গঙ্গানা হায়রকই,, ভীমবেন মংবু ঐনা পুরকপদি মিংখুপ অমদা য়োরকপনি, মথোইগী মীরৈবাক্তা লোংলাই, লাইরৈবাক্তা থুমিং য়ুংবনি। কপকনু কাখৎলো নোংচুপ পাংবদা উবিবা অসি নপা বরুনগী কোন্নুংনি য়োখরো, হল্লেম হনখনু ইবেম্না পুবিগনি। নপা বরুনা হংওমলবদি, ঐনা পুবিরকপনি হায়না। তাকথোকউগন্ন। ভীম হুংওাইজবহনা গঙ্গাবু থুকমলগা, লৈরাইদা চোংখৎখি, গঙ্গা ঈশিংদা লুপথখি। ভীম খুংশিংকী মাখানা চেল্লকপনা, বরুনগী হোজংদা থুঙওরে, মার হায় খারি লৈত্রা থোং হাংদোকউ ঐ চঙে, হায়না লাওরকই।

ভীমগী খোল্লাও তাবদা মকরধ্বজ সেনাপতি, মৈহৌবগুম শাওহনা কনানো থোগল্লোন য়াওদনা; লাওরকইবা মকরধ্বজগী থুবাক্তা মথমাই মাংনিবা শায়রগা? থোং হাংদাকহনা লাপন তৌনা থোক্লই। ভীমনা হায় কবি ঈশিং মচা নথোইনা, কংকাল মচা ঐথোইগী মাংদা নঙক হায়গৎল্‌ মাত্রা' ভীম মকরধ্বজ অনিহ চোংশিন্নখিহনা, থুংতুমগা কিনগা, থুবাক্তা থোংপাক্তা থিরৈ কাওনে। খানে। পাগোমগা পাগোমগা কানৈ ইরৈ চেক্কেং কোরহনা থুদোং চিঙখৎলগা, তিঙখৎলুনা খাদনৈ কিং কিং মমনৈ খরো খরো ওরৈ, বংশি মোচোল লৈপাক্কু নিল্লে। মারী ২—৩ চেনশিনখিল্লদা বরুন মহারাজদা হন্দংলি, বরুন মচা মনাইগা চেখোল্লকহনা লেংই। মচা ভীমদি খংওহনা অনিহ খাইদোল্লগা খান্দী; ভীমনা বরুমবু ইপানিংথৌ নচা থুরুমজরি হায়রগা দণ্ডবত তাজখি। বরুনা ভীমবু চিখৎলুনা চেক্কেং কোল্লগা, হন্না হন্না চুপপখি। ভীমনা হায়রৈ ইপানিংথৌ তামরক শাখরক ওয়না তৌবা লিপা অসি, শক্তা থুংশিদেদা মাশি কনানো অজা। বরুননা হায় রাইমা মাসি থুংশিং নিংথৌগী মণ্ডলি, হনুমানগা পোকপা মচানি ঐগীদা সেনাপতি অমা ওয়রি; মহাকালদি মচা থোকই চাত্রোয় মকরধ্বজ নজিদি নপাগা পিত্তা তিনমবা, মথুরাদি থুল্লম্। মকরধ্বজনা ভীম্বু থুরুমহনা হাজরৈ, থুনা

ইবুঙোবু ঙা নচা খুরুমজরি ইত্তোমি হায়বা থওজম্বদি, [মতুংদা কাওদনবা মচাগী খুৎকম ১—২থং থমজরমগদবনু ? নিঙ্গমহোদেদা অজ্ঞা। ভীমনা মকখক ইচা ওইরমগনি থজ্জমলবদি। লোইশিন্নবা শোয়াৎ চাওবা শোম্লুনো, কোনা য়ায়: ভোয়গা শেম্না চাগদবনু য়াম্রেদো, ইত্তোন নিঙ্গমহোদেদা অত্তো। মপা মচাগী য়া তাবদা বরুন মোম্পোন ,মোল্লগা, মচা ভীমু দরবার সভাদা পুশিনবিথরে। বরুণা হায় বৃকোদর ইচাগী আসন অধা তোঙ্গবোই, ইপাগী আসন্দা পুলপ কম্মিঙসি হায়দুনা, ভীমু আসন্দা পুথৎপিথরে। বরুণগা ভীমগা থঙাং কম্মিনুনা য়ায়ী শাদৈ, হন্দেহ কয়া নাশিন্দুনা পিজে, বরুণগী সভাদা কম্মিবা লাই ময়ায়া ভীমু, থাগৎনৈ। বরুণনা হায় ভীম ইচানা ইপাগীদা লাকপনু করি হায়নিংবা লৈবগে, ভীমা হায়রৈ ইপানিংথৌ ইন্দ্রপিরি থুগাইচনা যুবরাজ পদবী তাম্ববগী অতৌবা কুপৈ অমা তৌগদৌরি। অহৃদা রাজবেশ শেৎকনি কিজম শেৎপা য়ারোই হায়না য়াজা অজ্ঞা লাওথোকখরে, মনাই ঐথোইদি লাইরবা ,নুপ্পা মচাশিন্না রাজবেষ লৈজদহনা। কুপৈ য়াওবা য়াবোইদৌরে। মরম অসিগী ইপা নিংথৌগী চরুদা, মচা মতানা শেৎনবা রাজবেশ মতাদং নিজগে লাকচবনি।

ভীমগী য়াহৈ তাবদা বরুনদেব পাণ্ডুনা থনবা, আভরণ থংনিং নিংশিংজ। ভীমদা হায়রকই য়াইমা ইপাদি নহানমখৈ পাণ্ডু ইতাওনা ইচা মতাগী আভরণনি হায়দুনা, সনাগী উপু মত্তা নিদুনা থনমই। মাহু অমুক্তং য়েওগা মাঙনা কুইমন্দুনা মপা শোল্লমলবদি, ইপানা অহনবা শিমথৌগনি। হায়বগা ভাণ্ডারিশিংদা পুকৈদগী সনাগী উপু মত্তা লৈবনি, মাম পুথোরকত্ত চায়না য়াথং পিথরে। ভাণ্ডারিশিংনা পাণ্ডব মতাগী মমিং ; থাদুনা থম্মৌবা স্বর্ণন বাকস মতাহ্, পুথোক্তুনা বরুণগী মাংদা কৎলরে। বারুনমা চায়রকই য়াইমা য়াইথু শো কোয়না য়াওরিবা, উপুশিং অসি শো হাংদোক্তুনা অমুক্তা য়েঙউ। ভীমনা শো লৈহুনা য়েংবদা, অতৈহ্ হাংবা য়াদে মাগী মমিং থাদিবা উপুহ্ য়েংবদা, মাহ্ হাংবা য়ারে। পাণ্ডুনা জ্ঞান লৈবনু মচাশিংনা ওইরগদবা মীওই, মথুক্কা পাশগদবা কাওবা থব্বা লাওবী।

ভীম মাহ উবদা পাণ্ডু মপাগী গুণ নৈরম্মীবহ্ থহ্ বদগী, পিতাগী প্রেমা ঈশৌয়কপওমা মিংলুদা পি শিন্নদুনা কপলকই। ভীমনা হায়রৈ ইপানিংথৌ আভরণ অসি মপা শোক্তে, হুজিক্তা লাংথওমা নৈ। অতৈ অসিদি শো হাংবা য়াদরে, শো অসিনু কোক্লিং কাদনা শৌক্লিরনবা থজ্রে। বরুণনা হায়রকই য়াইমা পাণ্ডু ইতাওমা হৈবগা মহৈ অওকপনি, মপা মপানা শো হাংবা নত্তনা, অত্তোপপনা হাংদুনা শিজিন্নবা য়াদনবা, থনমলবনি। হাংবা য়াবরোই কোক্লিংনা নত্তে, আভরণশিংহ মাথুং মত্তে লাইথুংনি, মোংপা মনবা শেগাইবা নাইরয়োকদবা ওতজনি, ইপানা অমুক অনৌথ পিরবনু য়ামগনি ইচানু ইপানা চাক চরা অমত্তা পিজমিতই, চাক চাথো হায়বনু ইচানা করি থনথগে হায়মু। ভীমনা হায়রৈ অজ্ঞা পাণ্ডু মহারাজগী য়াথংনু মচানা ভাকচগে, থম থুনদদি লাংহনবীমু। ভীমগী মথা তাবদা বরুণা বারুণী পাটেশ্বরীবু কৌরকই, বারুণী থুরক অহৃদা সভাদা থুওরে। বরুণদেবনা হায়রকই

ভীমসেন মমা বারুণীদি খুরুমজরগা, ভীম আমসুমা তোংখত্লা বারুণীগী চাঁখা চংখতনা খুরুমই, বারুণীনা ভীমবু তম্পাকতা পাম্বগা লাইবকতা হায়রা হায়রা চুম্লী। বৃকোদর ইমা ইবেমা খুরুমজবু মনোম ওইবিরা মরাখা মথাওমা কমদোমি ইমাদি নোংমগী নোবকপা ওয়রে। ইচানা চাওরুম্লা মথা মপাগী থোংদা লিরকপা ইমা পেম্রে, ওসিদি ইমা ইচা চাক চন্না অমতা চানিংবিদি, ইচাগী চংপা নমেনবা লায়ে। ভীমনা হায়রে ঈমা থম্বা থুনা লাংবীবু, মচা অমুবা কৌংনম ওইনা লাকচবদি। বারুণীনা অমদি ইমা থোক্ত্রবগে হায়রগা, ভীমবু তম্পাকপী থাংখবমা থর মিংবিনা লাংগে থন্নুনা, লাইরেম্বী মখাং মরম তৌরকই। বারুণীনা কৌরকপসি ভীমগী চাক থোনেবমি থওওম্মা, মহুত্তা মহুত্তোকপী মিনার লৌরগা থাবে চেংপা লোইনম্বা, থুওরে। অহুম্দা খুওতিবী লাইরেম্বীশিং অর্জ পুর্বা অরুন্ধতী, মমা, মালিনী, লক্ষ্মী, সতী, সাবিত্রী, বারুণীগা জগত্.লোকইমী লক্ষ্মী মিপাল অসি, চাকশংলোনবা চংথি।

ভীমনা লক্ষ্মীশিংবু উবদা বরুন রাজগী মকমদা হয়িক্কী? পাবুং মহারাজ ইমাগী চংথিরক্লিবা খুদোমচাথিং অসি? কন কন্নানো। বরুনমা হায় ভীম খুদোমচা হায়রেদে, জগত লোকশিংবু লক্ষ্মী ওংবি, মমানা থম্বা নিংথিনা লাংজিল্লুনা লাইরেম্বীশিংবু চাক থোংনবা কৌবনি। ভীমনা হায়রি ঐ অসি চাওরেমকে। ঐনা চামখগীদমক, লক্ষ্মী মিপাম্মা থোকলোরিবা, অহু ওইরবদি চাওখিদেদা চাংহৌরগে থন্নুনা হায়রকই, ইশাসিংগী নচা চাক চাক্লরোই। বরুনা হায় কৈদোরে হায়রম্ম ভীমম্মা ইপাসিংগী ঐখোইগী অরুমলেমগী, হায়েপ অমা লৈ। লাই মখুং চাবা হায়দে নচা মর্মা তারমদি; ইমাদবু ঐগী ইমাগী মখুং লবদি লোম লৈরে, হায়রোকে তৌবনি। ভীমগী বা তাকদা থমম্মা হায়রকই, লক্ষ্মী মরাম লেংবিথিনা হায়রবি, ইচা রাইমনা খুং চারোই হায়রী। বরুনগী বা তাখদা লক্ষ্মী, মমামা থরে, ভীমনা ঐখোইনা নোংবা চারোই হায়রদি, করিগীনো। ইন্দ্রাণীনা হায়রকই মখোই মীরমলেন্না, লাইগী মখুং চাবা য়াদবা মরম লৈরোইদনা।

অরপূর্ণানা হায়রকই ভীম অসি তৌবা জ্ঞা মিপাদি; মাগী চাক থোংবা লাকপা মতোম্দা চারমদে হায়রম্মা, চক্র তৌরকপদি। কলিনা পুরকপা হাকচা ঐনা থোংবা চাবিবমি, মতোম্দা হায়রুরগা থোরকখদি। চাক থোক্ত্রী হায়রম্মা মুমদগীদি অমরুপা, ভীমনা খুং চাবিরে হমখিবা ইকাই, হায়ম অসি থমম্মা লক্ষ্মী মরাম, মমখারদ চওরে। অর্জ পুর্ণানা হায়রকই ভীমসেন, কৈলাশদা ঐনা থোংবা চাখ্রগা, ওসিদি করিগী চারোই হায়রিবনো। ভীম লক্ষ্মীশিংবু মঙামনম খুরুমজরগা হায়রকই, ইমা অহুগী হাকচা নম সতানা ভীম অসি অওংবি, প্রায়চিত্ত তৌবগা লৌবক পিসি হায়রম্মা, অহুগী প্রায়চিত্ত তৌরগা ইমাদ পুরমক লোইশিন্না; লাইমমা কি পেংদিংবা কৈরম্লা। ইপা মিংথোবা নিথা, লাকচম্মীবা অসিনি। তৌবম্নি ঐপা থবদুম্মা তাকপা কউমম। তৌবনি, তাকথোকউরবদি হাইবা। লক্ষ্মীশিংনা হায়রকই ভীমমা খুজাবীরে কনখিবা ইমরোইবু ইকাইনে, ভীমদি থোক্ত্রগে মহুৎ থারোকউরে। ভীমনা হায়রকই ইপা মিমো, মচাইকপদা থোক্ত্রগনিমনা। বরুণনা হায়রকই হাইমা হায়রদি থোংনরমা চৈ, ভীমনা হায়রকই মমা ইনাগোই থোকনীদমরে,

ভাইকদনা ওলিদবী চাকত্রগে। নম্মী নিপান লেংশিনখিদুনা মখেন ১০৮ গুনা, চেং মোন ৫০মোমনী চাক থোংবা লোইরম্না, চাকলুক শেম্বগা ভীমদা তারবে। ভীম বরুন থুকমম্না চেংকপনা চাকলুক রোতশগা অযুক থোকথরে? নম্মী নিপান্না হায়রকই বৃকোদর কৈদৌরে। ভীমনা হায়রে ইমা লুক অসি শ্রীকৃষ্ণদা কৎত্রিমাগা মচাদি কৃষ্ণগী মহাপ্রসাদ ঞন্নবদি লৌজদে। নম্মীনা হায় ভীম ইমাখোইনা মজি মামসিকনা অহুম কংলগা রাগলৌবোই নিংদুনা কৎখোক্রে ইকাইদা। অহু মৌনদি ভাউরগা কৃষ্ণ ভক্তিদি লুনা লৈরম্মী, ইমাখোই অমুক্তা কৎখিগে হায়রগা, বত্তি চমথংদুনা পত্রগা লোইননা কৃষ্ণদা লুক কৎলে। ভাম নম্মীশিংবু থুকময়বগা চাজরে, চাবগা লোইবগা মায়থরে, হাওমমখুম্না সনাগী পুখমম্ন মখুংদা তকশিন তকশিন্দুনা, লেপ্তুনা অদুম লৈরে। ভীমগী মতৌ উবদা বারুণীনা হাইরকই মাইমা, পুক থনত্রিবরা ভীমনা ইমা পুক থাজেও মোকাংত্রি! বারুণীনা হাই মাইমা ইমানা চাক চারা অমা পিজবদা! থম্না চংখিবা মুত্তাইরে অযুক থোকখিগে। ইমা থব থুনা লাংখিমু, ফরে মাইমা থোংবা হাম্রা নংমা চাবা হানবা তাজসি। নম্মী ৮ শা থোংবগা লোইবগা হাপগা, ভীমনা চাবগা তারবকপা অসি পাও তাবদা, বরুম মাজ পাত্র মত্রিগা চঙতুম্না, পাম্রাম কুইনৈ ওরম্না রেশনরে। ভীমনম্ হান্দে নম্মীশিংনম্ হান্দে চেংশিং থত্তখিত্রে, বরুনগী চেংদে অমা তাকতক তৌরে। ভীম পুরোন ওইরে। পুক থজরে ইমা হনংদি, নম্মীশিং রাখনথরম্না চাখুমাং অন্নিংবদা থবো থবো ওরথরে। ভীম আচমন তৌরে খুংনা চিন শেংদোক্রে, লেবাম্নিশিংমা টৈ পানা লানশিন্দুনা, ভীম চারে, থোরক্তুনা বরুনবু থুরুনী। বরুনা ভীমবু রেংদুনা হায়রকই ইচাদি কম্নিনিদকে, ভীমনা অত্তা ননাই মকৈন্দ্রে, মাইমা ইপাগী কৈরেখল অচৌবা মরাইদা গদা ১ মুংনা ফুমদুনা লৈবে। গদা অসি ইপানা ফুকে হোংনবদা ওমত্রে, ইন্দ্রগী ঐরাবত, সিবগী বৃষভ, যমগী মহোই থরোবী, লোকসগা মোংলি পুন্নগা, চিংহন্নি ওমত্রে। ইচানা অমুক্তা ফুক্তোক্লম্লবা, ভীমনা হায়রে উপানিংথৌ মচান্ ইপাগীদা পংচাদা চায়গা, থবক্তি অমত্তা লোন্নমদনা হজবম্ মুংথইতে। মমম অসিনা নচা ফুক্তোচমগে, বরুম্না হায় মাইমা ইচাগী পাজল নেংনিংদুনা তৌবনি, থবক গুহন্নিংবগী নত্তে। ভীমনা হায়রে ইপা নিংথৌ নচা পুক্তোকলগে, মচাগী পাজল তুংদা হাম্নিনহৌবা, হাগনি। বরুম্না নাঙ্গগী পুংমৈদুনা নাঙ্গরৈবাক পাওজেলথরে, নাঙ্গরাব থুংদৈ ভীমবু পুদুনা মাজ থাজাবদা, নাইরামগা লোইনশা জলেশ্বর থোরকই। গদানা লৈন্নিবু ভীমদা তাকই, ভীম নাইরামবু থুকমই। চংখিদুনা শ্রীকৃষ্ণবু মরণ তৌরগা, মন্নবেশ লাংদুনা বরাহাদেবযু থুকদকরম্মী, গদাগী মাক্তা চেনশিনখি। গদাগী থুংপাইকদদা মখুং অসিনা চেংনা পায়রগা, খা রাং লোংলোক লোংচুপ থোক থোক ইম্নি। গদা অতুদি মথায়নগী ইহাদগী, মনাহ ভাবযু ভাইদুনা মলাভল কাওনা, পাতাল মথোগ ৭ লৈচং তাহন্দুনা থমইখনি। মরম অদুনা নাইনা; ফুকপা ওমদবনি, ভীমনা শোকউংদা মথায়নগী ইহাদগী থুংত অমা হানবা থুরুপ ১২ দা হজিনথরে। ভীমনা থোক থোক ইন্নবদা গদানা লৈরঙ্গা লৈথুং অহু লোং লোং কাইদুনা গদা লেং লেং হায়রে। পাখোমগী পাজলদা গদা নাইনা ফুকপা পৃথীদা অম

তম থাবদা গদাগী মরৈদা পকলম্নীবা লৈবাকতু মরিক অমকাওবা পকত্ত্রে। গদাদু পুমনং লৌই গদাগী মওংশদু উবদা, ভীম কুণ্ডলিবাক্তা চহাক লৈরক্তি। লাইরায়া ভীমগী বক্তা লৈনা নোং চুমত্তা চহিথরক্রে, ভীম বাক চল্লিমুনা গদা শনাগি কংলগা, মরম মাজগী মাংদা গদা কংলগা পুক্সী। মরুদা গদাদু পাইথংলুবদা গদাগী ভারিমা, শমুম অমা কাওবা লেংবা ওমক্রে। মরম চোপলরগি থম্মুনা ভীমদা হায়রকই; বৃকোদর নাতি পুক্কিংদা গদাসিবু পাম্মীবদু ইপা উরে। গদা অসি ইপানা মতোম্না পিরগে, ইচাগী পুংও গদা ওইজরে, গদা অসিনা মদু য়েক্রবা লেপনা জয় ভোজো। লাইরায় পুরমক ভীমবু মতোল পিরগা হরবি; মরম ভীমবু পুশিন্নকুনা দরবারদা হজিনক্রে। ভীম গদা কংজবদা মর্গ কংবগা মায়না হুড়াইজরে, ভীমনা হায়রৈ ইপাগী থৌজাম্নগী গদা কংজবা অসি মচা পোকপগী মহৈ য়াক্রে। মরম রাজানা হায়রকই পাণ্ডু মতোন গদা অসি, সত্য যুগতা হিরৈনাথ্য হাংনবা থাতু ৯ মা তিম্নুনা শাবা। শ্রীনরায়নগী কৌমুদকি গদাগী চপমান্নবা; অমুমগদানি। মরম অসিনা গদাগী মমিংবু কৌমুদকী লোম হায়না থোয়রগে, হৌজিক্তি ইচা মচাগী আভরণদি পিজানা থমমহনা লৈরে।

মদা ইচন কুন্তীগী অমগা ইপানা ওন্নগে, হাসি হায়রগা মারুগী য়োচনা হায়রকই। পুরে কুন্তী মচাগী আভরণ ১ উপুগা কোয়না পুরকউ, পত্তি অজা কণ্ডবদা মারণী চত্থীচনা। হিরা মনি মম করায়কমগা, রাণীগী আভরণ সনাগী উপু ১ দা হায়রগা, পুথোক্লকে। ভীমদা পিরে মাইদা ইজা কুন্তীগীদমক ইয়ানা ওম্নীবনি. মাসিমগা ৭,স্থা ইচা মচাম্না লেপনা মরক ওইহুনা, পিতৃসত কংজো। ভীম মমাগী মদ কণ্ডবদা মরুগী ১০ মদা হাপকৈ; ইপা মিংথো উপু ৩ অসি থোন্নবা মথো ফি মমত্তা পিবিযু। মরুম বিশ্বকর্ম্মা কোয়গা নথো ফি ১ পিযু হায়রকই; বিশ্বকর্ম্মনা মরুগী গুণমা থুবাক ময়াইদা শাপগা কনবদা ফিদাও ১ থোকখি। ফিদু পিরমগা বিশ্বকর্ম্মা হুমখি, ভীম উপু ৩ অদু ফিংনা থোর্শগা, পুনশিল্লে। এরুনবু থুকমজগুনা বিদায় মিজবে, মরম মেথনা হায় হমেং ইচা মচানা পুংম চংপা নংনবা, দেবদূত ৫ মথ ৫ গা থারকনি। ইচা মচানা ত্তরক ওমক চংপা হুনাইবোই রুশদা, তোংশগা, দেশরা চংপু। চিত্রপুল ইবা থোলোং কনপনা, ভীমার্জুন নকিম মমাওনা ওয়ং যুবরাজ থুবম মরাবুংবু ওইশন্নু। ইপা রা অমগ ইক্তে ইচাগী কমাদা পুথিরকই ? কমদা হুনগদোরি ইপাব মিন্নু রা হায়বু ভীমা হাংজে ইপানিংলো থিরবীদবা য়াগমি, নচা অমুম চক্তখিগে হহাক্তদা, কোজপানি। মরমনা হায় মীরৈবাকা লাঙ্গৈপাকা অনি অর্জুগী মর্বক্তা, লাথোকপা ওমকত্রবা সচত্রনা থায়, করাম্ না লানথোকপিগদৌরি। ভীমনা হাপকৈ সমুদ্র লামবীপ্রকপা লাথোকপীগদবা হাংদরি অমবু তাকথোকউদু হায়রকই। ইপানা মংবিরবনিদা তাকথোকপা মচানা, পাও তম্না ওইনা তৌজরগে. ইবেন্তৌ গজানা পুথীরকই হৌজিকমু, ইবেত্তোনা থিরবীগদবনি। মরুমনা হায়রকই হোইনে অদু ওয়রবদি য়াবনি য়ৌথরো, ভীম নথোদু পোকিংকুনা চক্রংগ হায়রমবগা। হৌজনা চেনবরে

ভীমগী মখো অহ্ পোৎ চাওমনখ্রুহনা কোক্তগী হেনগৎথিহনা মখো কোকথোং ওইনা তোরে। ভীমনা [সিংহদ্বার) বরূণগী নোংপোকী থোংদা থোক্লে তৌবদা। থোংথক্তা কোকথোং অহনা পক্লে। ভীমন থল্লি চিংথেক্লুনা চৎখ্রবদি থোং থুদেকনখগী থেম্রা তৌরকপ্রা। নখো থাম্বহ্ থর থিবরগাদি, অহাক থন্থিগি বরূণ দেখনা উরহ্না ভীমগী মতৌ লেংনিংলে। ভীম কনদদি চিংথেক্লগা চঙখো হায়না লাওরকই, মাচ ভাবদা ভীম ডিংথেক্লুনা থাং কক্লাইরম্বগা। অহম চেনখ্রে।

খোংকী থোংকাও কক্লায়হনা ভাহৌরিবা ভীমগী শক্তিহ্ উবদা। লাইগী মতাহ্ ওর্পি। সমুদ্রগী থোংথাদ রোহরুনা ভীম গদাবু কোক্তরকই; খুদক অহদা গদা থুডলে, গদানা হায়রকই যুকোদম নজি পোৎ অহগা হাপ, মশাগা অমুক তোংশিল্লবদি মুর্খনুনা; ঐগী চাঅদি ঊশিংদা মুদাভারে, কমদৌজি। ইবেন্তৌ পোৎঅসিদি হাপচনগে ঐদি ভাদা তোক্তরোই, গদানা হায় মহাক্তি নৈহৌরগনা, ভীমনা নৈহেরোই ঐদি পোৎ মখক্তা। তোংকরগে। গদানা হায় মাহদি হায়রোই, ভীমা ইবেন্তৌ পোৎ অসি হাপচররোই ঐদমক তোংকরগে। গদানা নংগী পোৎহু হুকোন্নমগনা। ভীমনা ইবেন্তৌ পোৎ অসি ঐগী ইকোক্তা পুজরগে; গদানা অহম্ন অম্মানি হায়রোই। ভীমনা হায়বৈ ইবেন্তৌ পোৎশু থমদা য়াদে; ঐশু নৈহৌবা য়াদে কমদৌনি। অম্নরা হায়নরিবৈদা বরূণনা গদা উনশিংগুনা লাকইবহ্ উরহ্না; গদানা হায়রকই নংদি নপাদা ভাকথোকহ্ উহ্ হায়রগা ভাকথোকউবথোইরে। নপা নাক্লে ঐ নপাগা উনশিংদে চৎসি, পোৎহ্ মংহ্ পুক্লপ পুথিরগে; থুমা কাথৎলো। ভীমনা ইপা মিংথৌ ইবেন্তৌ অসি ঐ কাজরম্বগে; খ্‌না লেংসিন থিরকউ হায়না লাওরগা ভীগী মথক্তা মখোগা ভীম চোংশিনখরে। গদা হুংগো থিরহনা মথিৎ উইশিহ্ হায়রম্বগা। ঊশিং মহুংদা লুপথংলো পোয়কপনা মীৎকুপ থরগী মহুংদা থ্‌ক্তহনা ভারতকী নোংচুপ মযুম থোংবান্দা কাওররে। থদোংগদা বরূণ থংওরোই থাঃনা নৈহৌরে। গদানা রোঙে কাথৎলো হায়রকই। ভীম মথিৎ পাংথোকপদা অহিং লোংয়াই মতুং য়ুথক ওইরম্বী ভীমনা ইবেন্তৌগা ইপাগা হুংওইমদনা নৈথিব্রা ? গদানা হায় নপাগা ঐবু পুজারী অমুক্তা ওইথিবু, হায়রিবা। ভীমনা ইবেন্তৌ ব্রাহ্মণহ্ মতমা পুজারি ওইবু হায়রিবহ্ ভাব ভাজবে হায়রগা নৈমাইদা চোংথংখ্রে। গদা লুপথখি। ভীম হুংশিংকী মাং থাঙ্গমা চেন্নকপনা মিৎকুপ থরগী মহুংদা মহুমক্তা থুংখি। অসিগুম আদি পর্ব্বগী বারীবু মীওইবনা পুক্নিং চংনা তাজরবদি গুন্যগী মনক্কি মতাংসিবু পাংজনা শ্রীতোনদোন সিংহ ঐনা মংতৈ ইমা লোন্দা ইজরি ইতি॥ হরিবোল হরিবোল। হরিবোল। শ্রীহরেব তোন্দোন সিংহ রায়ী লীবা পণ্ডিতকী শরক লোইজরে। ইতি

অধ্যায় :—

ইন্দ্রগী‌ৰিগী কুম্মে শান্নবা অমসুঙ যুধিষ্ঠিরনা যুবরাজ ওইবগী

বারী মতাং।

অধ্যায় অসিদগী শ্রীঅশোককুমার চাওবা সিংহ কথাবাচক পণ্ডিতকী ইবিরকপা বারী শৈরেং হৌজরে। নৈমিষারণ্যদা বারী লিখিবা সৌতিনা হায়রক্লে তাবিয়ু ব্রহ্মসত্র ; বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়রকই তারো জনমেজয় নিংথৌ। ভীম মাকোন্দা পোথাবগা ময়াম্‌ থুকমী, মথাওশিংনা ভীম্‌ থুরমলৈ, কুন্তী হৌগৎলক্লে ভীমদা কমদৌরকপগে হঙবকই। ভীম পাণ্ডু পুরমক ভমী বারুনীদা পিরকপা ; মণিময় আভরণ হাপ্লিবা সনাগী উপু অহ, মমাদা কংলে। মাগী মাগী উপু হাংদোকুনা য়েংখবদা, মমুক্তা পাম্বা আভরণ যুং চানা চানা লৈরম্মী। পাণ্ডব মতা হুক্তাইবগী ঈপাক্তা তাওরে। অমুমা হুক্তাইমহুনা বারী শাগবদগী লোত্তারে। কুন্তী প্রাপ্ত ক্রিয়া লোইরগা ইমুং মচুগী থবক লোইশিন্নুনা গঙ্গা স্নান তৌরগা অনৌবা থোংথাকপা হোংনখি।

অসোমদা ওয়াং থমদাংবাইরমদগী, বিদুর মন্ত্রিনা ইন্দ্রিবর কুম্মে শান্নবা য়েংলম্‌, শেষ শাবা অমুক অভেবদা লোইখি। হস্তিনাগী প্রজা পুরমক কুম্মে য়েংশিংবদগী, ওমা চাবা থকপা লোই মহুনা পুং ৮ দা, থুংনবা লাক্লখি। হস্তিনা কোম্নুংগোমদগী ধৃতরাষ্ট্র নিংথৌ, বাহ্লিক, সোমদত্ত, ভীষ্ম, দ্রোণ, কৃপ, অশ্বথামা, কর্ণ, শকুনী সৌবল, দুর্য্যোধন মচিন মনাও ১০০। অক্ষৌহিনী ১১ চাব, থকপা লোইনমুনা ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব অহল মহা পুরমক শগোল শামু রথ দোলাইগা লাক্লুনা পুং ৮ তাবদা ইন্দ্রিবরদা থুংনখি. মাগী মাগী মতিক চাবা কযকমদা কৎনরে। মাহুদা কৌরক্লিবা পাণ্ডব ৫দা ডাহরে, অজ্জাজনা ইচা চাম্বা মতা খুররা হৌই, বিদুর মন্ত্রিনা ইচা মতা সৌরকত্রি, হায়না হঙংলি। নিংথৌনা অন্তুদি কুম্মে থোবা য়াত্রি, ইচা মতা চাইথিসি অমুমা ওইমহুনা লৈনরি, প্রজা মীয়ামনা পাণ্ডবকি মাইথং য়েংনহুনা লৈরে। কম্মাওহনা হায়রকই পাণ্ডব মতাদি লাক্লরোই ওয়াংগী নিংথৌগী য়াথংনা য়াজবেশ শেংত্রবদি য়াগোই হায়নহুনা। শেংশিনাই লৈত্রহুনা লাক্ত্রবদি। মীয়ামনা পাণ্ডবপু যুবরাজ ওইহল্লিবই, অহুমু অহল্লবমা কমদবদগী পাণ্ডব মতাবু য়াওহনলবা শিনত্রবদি থাহনা মীয়াম পুরমক, পুকনিং থুক্তাইদনা লৈমখি। মতাং অসিদা বারী তাক্লিবা জনমেজয়না হংজখি, মুনিদেব ইবুংগো মতামা চৌরকত্রিবা কম্নিনাগো ? নিবীয়ু। মুনিনা হায় মহারাজা মবুংগো মতা, কৃষ্ণনী মহাপ্রসাদ ফংবা লোইমহুনা, মাগী মাগী আভরণ শেংপা লোইহনা, তাল-বেথলা কিরিটি কুণ্ডল থোংদোপ থুদোপ, মনাগী সিক মশিংগী পক্লে লৈত্তেলে। ওইগী শেংবাদা নিজন যাবসিদি —, মাকনা চুংগোই থাওনাহ্রে, থোংদা চুপি শেথলে মমঙা তেম্পোং পোয়ে, মীয়বেন

শেংপা লোইরগা, মমাগী চকনা দণ্ডবত তাহুনা খুরুম্নী। কুন্তীনা মচামচাবু মাননবীহুনা মরুপিনে-মতামা মমাগী ধূলি লৌরুহনা কোকথক্তা হাপচরে, কুন্তীনা হায়রকই মত্তামক অমুক্তা পরেংশাকা লেয়্‌ ? ঈশা পোন্না য়েক্লে। পাণ্ডব মতা পরেং শাম্না লেপলগা, যাত্রাগী পুরুপ শোয় রেংহুনা লৈরি, মতম অহচানা করুনা থারকপা লাই ছত মতা রথ মঙা লোইদনা; পাণ্ডবকি হোকংদা খুত্তহুনা মহাখোয়রকপা তাইহুনা লৈথি।

কুন্তীনা মচা মতাগী শককবু খোংদনী তোমকাওবা মথং মথং চিংনারেংই; মচমত্তাগা মতিকচানা কিজেং লৈতেংবদা কত্ররিবা মতো; যাপি গুণ অহু উবদা। কুন্তী ত্রিত্তা পিশিহহুনা হিক হিক কপ্লুনা হায়রকই, ঈশানা লাইরবী দুগ্রা ওইহনা ইচামত্তাগী মতিকচানা কিজেং থোমবীবা ওমদবদগী নখোয়গী অণ্ডক কজবা য়াশী গুণবু ঊমথে খংদবা লৈরগনী, বন্যানি পাণ্ডব মত্তামক মখোইবু ইচা ওইনা ফংজরিবা কুন্তী ঐণ্ড লাইবক কৈ। অদুয়া কুন্তী মমানা কপ্লুনা লৈবহুনা পাণ্ডব মতা খোং থাংদোকপা ওমত্ত্রহনা লৈবনা পুং ৮ তারক্লে। মতৌ অহু উবদা লাইগী ছত মতানা কৌহনা হায়ররে, হে পাণ্ডব মত্তামক হৌজিক পুং ৮ তারক্লে। অশোমদা থাইনয়মলগনি, থিক্লে য়থ তোংলবো। করুনা থারকপা ঐখোই মতানি, মখাইগী খোগন অমক্রং শাক্তিগীদমক, লাকপনি চংলসি। দেবহুতকী য়া তাবদা কুন্তী কপ্পা তোক্লুনা মচা মত্তাবু বিদায় পীরে। পাণ্ডব মতা শ্রীকৃষ্ণবু ময়ন তৌবগা মচিন্দা মাধব হায়বা মাস ও নক শোন্দুনা ময়গী নিয়ম কায়দসা খোং থাংলুনা যাত্রা তৌরক্লে। দেবহুত মত্তাবু বেব্যহার তৌংদা রথ তোংথংদে, দেবহুতনা রথ য়াংবা খোজনা পুরক্লে। ইন্দ্রিবর চাংখোংদা পাণ্ডবকি মাইকৈ য়েংহুনা লৈবিবা মীয়াম, মতালাকইবত লাপনা উবদা ইন্দ্রমতা লাক্লবোই নিংহুনা শোয়ায়েন মতা লাক্লে হায়নরকই। ইন্দ্র মতা লাক্লে হায়নরকপা তাবদা অতয়াম পূক্লিং চিংনরক্লহনা বিদুরদা হায়রকই ? ইনাওতোন অগস্তা ইন্দ্রপি অমত্তনি। মীয়ামা ইন্দ্র মতা লাক্লে হায়নরকইবা ? অসি মীগী কুপৈ মকদদা লাইনা লাককমনু খোক্কে। ইয়াখনা তাবদা পুক্লিংদা ওক্লে মংনা অহুকা অক্লেপ্পা থত্তু। য়াম্না অজ্ঞা কংলবদা বিদুর খোকলুনা য়েংই মতামা মকশিররকপদা পাণ্ডব মতাগী ওমা ইন্দ্রগী মতৌওম উত্তনা মীয়াম্না ইন্দ্র মতা লাক্লে হায়নবনি। * বিদুরনা চত্তলুনা হলংলি ইন্দ্র মতা নত্তে ইচা মতানি বিদুরগী য়া তাবদা ধৃতরাষ্ট্রনা হায়রকই বনা বন্যা পুখুপাণ্ডব অণ্ডক কমত্ত্রবা ইচামত্তাবু, ইপম্না মৈং তাংলমবদা উবা ক্ক্রিবা ঐ অসিথিক থিক তোজিদা।

*ব্যাখ্যা|পাণ্ডব মতাগী ওম্না লান্নীথৈদা মীয়াম্না ইন্দ্র ওমওবসি পাণ্ডব অসি মঙুংগী অর্থ লেংলবদা অমতগী মতৌওবনি মরমদি ইন্দ্রগী ধরাই শনা মচিন মনাও ৫ ওইনা পোক্লবনী। মাহুগী মমক্লী কুন্তামুনিগী মচা য়েতামুয়বু ইন্দ্রনা মরমা থাহনা হাংপগী কুন্তামুদি থাওহনা মচা হাংখিবগী লমন লিংহনা ইন্দ্রবু উং ওইহনপে থারবগী খোগশক্তিনা থিংরেংদা মৈয়োইহনা দেব সভাদা ওকলবগী মতৌ

অদুগা অস্ত্রাগ অনুত্তাপ তৌখি, মীরাগনা ইন্দ্রপ্রস্থতে পাণ্ডব মচাশিং, নাক্রে হাপলক্লে। মতামু কিজোন লৈতক্রগা নালগোই থম্মুগা চুংথোইরবদগী, মতা নাক্রে তাবদা দুর্য্যোধন রক্তিম কনাও চাম থোকশিনুগা মতামু ঙাইহৌনা লৈখি। থুক্ক অদুদা পাণ্ডব মচা থুওওগা মথ থারে, হুত মতাম্বা হায়রকই ঙৈরুত্তো মচা লোংশিনো ঐখোয়দি বার্ত্তব করবমিকা মপান্দা অমুম লৈগে। পাণ্ডব মচা রথদগী চুমথনা চঙঙকই। মতম অদুদা পুং ৮॥০ নিপাল মথাই তারে। দুর্য্যোধন যুধিষ্ঠিরমু থুরুম্মী। যুধিষ্ঠিরনা দুর্য্যোধনবু কোঙগা হায়রকই ইনাওনা ঙাইহুনা লৈবিরগা চুংশিনা পাবুং মচাময়, ইবুংগৌ, গুরুদেব লেংলক্ত্রা। দুর্য্যোধনা হায়রকই দাদা ইবুংঙেত্তা লোইনা য়োৎক্লে, হৌজিক পুং৮॥০ তারে। ইবুংগোগী রাথং চাবা মতামা পুংশোয়রগা শগাই মথক্তা দগি প্রজানা লোইরগা তুম্মে য়েংহন্দবা ইবুংগোগী রাথং কায়বা রাজ্যবমা ইরাধা ইনাও ৫ দি শগাই কাবা তারে।

ভীমনা হায়রকই দাদাইবুঙেত্তা গুরুজনগী রাথংদি ঐখোয়না ঙাকদবনি অদুবু ইচিম ইনাও চংহুনা মরাম অসিগুম্বা অমুত্তা থিথিসি। কনাগুম্বা পুং লোইবা রাওয়বনু রাই দত্তী কংহনসি, দুর্য্যোধন হায় রাইবা কৈ মাহুমক্তি থিগৎলি। ভীমনা হায় রামবুং ইচিম ইনাও চামদি পুং কয়াদা লিদা

গুম চঙকলবদা লাই সভা কিংনা কায়হুনা চেরবদা ইন্দ্রনা যম, চংশিং, অশ্বিনী কুমার, লাই মরিদা থরাই ১মম থাইদোকুনা হাপ্লগা থরাই অমতনা দেহেংপুহুনা লৈরে। লাই মরিদা হায় নথোই চেনথরো ঐদি মুনিনা য়েংবদা উৎওয়নি হয়রকোনা মুনিনা শাপবা লেম্মুরবা মতমদা নথোইদা থম্মিবা থরাইত হাপ্চিনবিরগা ৫দু অমুক নথোইনা হিংহনবীয়ু। হায়না লাইমরি চেনহনখরে ইন্দ্র থরাই অমত্তনা দেহেংপুহনা লরে। মুনিরোয়রক্না য়েংবদা মিংয়েজি মৈনা চাক-থেক্কনা ইন্দ্র উৎ ওইহনা চারে তুত্তা মুনিনা ইন্দ্রগী মহুৎ ওইরে। মুনিনা ইন্দ্রগী আসনা হৌরবদা হিংচবশিনা শাইরেপাক চাংথাইরবে শাইরায়া ব্রাম্মাদা হায়রক্লবদা ব্রাম্মানা নারদ থাদক্তনা তুত্তাদা হায়খি তুত্তা নংনা ইন্দ্রবু উৎ ওইহনগা লাইরেপাক চাইথাইহুনা ব্রাম্মাগী স্বস্তিবু ম নবা শিনবদি। ব্রাম্মণ নপি নংথোরা হৌজিকমক ইন্দ্রবু হিংহনু ব্রম্মাইপাগী রাথংবি হায়রবদা কিরক্না। তুত্তা মুনি থোগপক্তিনা ইন্দ্রগী থরাই ৫ লোনা শেম্বগা হাপচিন্দুনা উৎ ওইরবদু অমুক হিংহনরে। ইন্দ্রবু আসন শিরবগা মুনি আস্রমদা হনখি নারদম্ম ব্রম্মলক্তা হনখি। যম চংশিং অশ্বিনীকুমার লাই মরিনা ইন্দ্রগী থরাইত্ত লৌখিনবীরো হায়রবদা। ইন্দ্রম ক্রার ওই মুনিনা থোনা থরাই ৫ অমুক হাপচিনদুনা হায়রী ... অদুম লৈরবদু থমখি। অদুনা কুন্তী মাত্রীনা লাইশিংবু কৌরগা মব লিবদা ইন্দ্রগী অহেনবা থরাইশিংদু থাংদোক্না মহাভারতনা ইন্দ্রগী শক্তিনা পাণ্ডব ৫ ওইবনি। অদুনা মীরাগী লাম্বা উমদা ইন্দ্রগী থরাই ৫ ওইব মরম দ্রৌপদীনা ৫মু পুনপ লোখাতোকনা সভাগী নথোইগী ওইদিরা মরম অদিনমিথিখি।

মোরকপলে। দুর্যোধননা হায়রকই মাইবা মাংহনে ইকাও কর্পড়ে, ঐখোই চাখাগা নিখোইদি ইবুঙোগী মাথং কিজবনা অজ্ঞানা পুং ৭ তা থুংজবগী হায়না ভাইহনবু, চৈংখবনি। ভীমনা হায়রকই হদি হদি হদি ইবুঙোনা. পুং ৮ তগী চানা থুংজখবনি হায়রগা।

অজ্ঞানগী মাথং থংহৌদনা পুং ৭ তা থুজরে হায়বগি উসিংখনে। মামাগা কর্ণগদি ঐখোইগী মহংজিনা, কুশৈ লেংহন্দবত্তু হুংজাইহন্নে শগাই থবক্তা লোয়া লেঙলগু; অর্জুন শগাই ১০২ থুবা পাঙবখলু। শগাই অশিং থর মাশে মীয়ামগু শগাই শাবা থরা পাংখিবু চারনা ভীমনা লাক্‌পকই। ভীমগী হা তাবদা দুর্যোধনবু হুংশিদবা মীয়াম মত্‌, এ ইবুঙোমাইহনা ঐখোই পাংজনে হায়রগা চক্তকুম্বা শগাই চাখগা নিখোই পাংখৎলরে। দুর্যোধনা হায়রকই ভীমসেননা ঐখোই ওজা লাকপনু কনিগী শগাইদা কাক্‌লি। ভীমনা হায় ঐখোইদি পুংখাইদনি লোইবরা, মাখোয়গীনা পুং অমা লোইহে। পুংখাই লোইবনি শগাইদা হুংশিল তখায়দবক লৌরগা, হুংশিল তাখায়দা ইখিবগী কুশৈ মায়হনা, যুবরাজ পদবী লোগনি। দাদাখোয় চানানা হংবিল চুপনা লৌহনা মাওবা মাংহনা, যুবরাজ পদবী কজবোর। ঐনা হায়জবিবসি মসাগী অভাবী বিচারনি, দাদাখোয় কুশৈ মাওদবা তাবেদো মুত্তায়বেদা।

দুর্যোধনা হায় ভীম নঙিহুদি চক্রিনি, অত্ত ওইরবদি মতা মখোই কুশৈ মাওহন্নোই, ঐখোই চাখানা কুশৈ শায়রগনি। ভীমনা হায়রকই কনাইদগী চাখা মাওহল্লোই, মতা ঐখোইনা শায়রগনি, দুর্যোধনা মতা মাওহল্লোই অমুক হায়রকপদা, ভীমনা চাখা মাওহল্লোই মাওহল্লোই অশিরক হঙিনি। ভীম অশিরক হনখয়ে হায়হনা, দুর্যোধনসু মতা মাওহল্লোই অশিরক হনি, ভীমনা অমুক চাখা মাওহল্লোই অহুমলক হঙিনি। চিনকেনি ভীমনা হেনবঙিনা চিন্নাবা ওনকক্তহনা মাওনি মাংনি হায়না ইজ্জে ভীমনা মপুং দুর্যোধনা নপচবওম তারে। ইকাইখরবুন্না চাখা মতা নাকপাক তানহনা লাওনরক্লে, তাবকসু মাপাক তানহনা মতানা চুমই, চাখনা চুমই, হায়না লাওনরক্লে। থুংলাই লোক্লদবদা থাইরে মৈ হৌবওন থংনরক্লে। লাওনরকইবত্তু তাবদা ধৃতরাষ্ট্রনা বিচরদা হরেকই? কবিগীনো ইখাওকোন মীয়াম লাওনরকইবা অসে। বীদুরনা হায়রকই মাস্থং মহারাজবু, দুর্যোধনা মতা কুশৈ মাওহল্লোই হায়রবদগী, ভীম দুর্যোধন থংনবদগী তাবক নাকপাক তানখরে।

অজ্ঞাজনা হায়রকচ মন্ত্রি তাবক থামজিনু, ভীম দুর্যোধন কাহনা পুশিনকউ, লমহেলেমনি ঐ বিচার তৌরগা, অয়ানবা অমা দতি পিগে। নিংথৌগী মাথং কওতবদা, মন্ত্রি থোকখিহনা অকনবা মাহারনা লাওরকই, তাবক হঙিনু মাজদতি কংনিংবরা? কনিগী থংনরিবনো। ভীম দুর্যোধন দাদা মহারাজগী মাথংনি, খিরে চংসি হায়রগা থুদাং তাপ তাপ কাবগা পুশিনকুনা মাস্থং মহারাজা পুশিজরকে হায়না হনংলি। ধৃতরাষ্ট্রনা হায়রকই ভীম দুর্যোধন নবতানি, থংনবগী জবাব চুপা থুম্‌ অয়ানবা মত্‌, এসিটি দুতি শীগে ওজুনি ভীমনা থুরমহনা হায়বৈ, পাণ্ডুহল মহারাজা দাদা ইবুঙোগী জবাব হায়বু লৌরিগো? ঐগী জবান কোয়া হনংচগে। অজ্ঞাজানা হায়রকই দুর্যোধন, কমি মবগী নচিন

মনাও থংনরিবনো ? হায়রু। দুর্য্যধনা হায়রকই পাবুং ঙরাং ইবুঙোনা পাকনা তাবিথিবদা, পুং ৮ থুনদবনি তাবরা মেওয়রগা কুপৈ রেংহন্দবা। তামা মতাংগী মহুংদগী পুং লোইরগবনি, পগাই মথক্তা দগী কুপৈ রাওহনবা অসিনিদনা পাবুং, যামি দুর্য্যধন পাবুং মাসি ওসি চংনরোইদ্রা। ধৃতরাষ্ট্রনা হায় দুর্য্যধন মথুংবোগী রাথং কাইদনা চংবগদবনি, পাবু মহারাজা মতাংদা রোরকপনি পু ৮ মথাই থরে। ইবুঙোগী রাথং ওাকসি হায়রকদা। ভীমনা নিঙাই চাওখ্রনা অহ ওয়রবদি তামা মথোই কুপৈ রাওহল্লোই, মতা ঐখোয়না কুপৈ শায়দি হায়রিবদি। মরম অসিদগী থংনরিবনি অচুম অরান বিচার তৌবিয়ু। ঐগী অথাম লোইরে। অক্লাক্লানা হায়রকই কুকোদর মরাবনা হায়রিবসি চুমরা ? ভীমগী হায়দৈ দুর্য্যধনগী পাবুং মহারাজ, ঙরাং তাবিথিবা রাথংদা ওয়্যামা থুংহনা চাইনসি হায়বদি তাকপা-থিদমাদে। পুং ৮ দা চপ চানা থুনসি পুং লোইরবদি তাবরা কুপৈ রেংহনব। চামা মতাংদগী লোইরকপা অহুমা কুপৈ রাওহনবা। অসিনিদপা অঙা। যামি যাইমা কথা কনা লোইবা রাওরে, পাবুং মহারাজ ঐখোইনা রোরকপদা পুং ৮ মথাই তারগে পুংথাই অমা লোইরে।

দাদা ইবুঙোনা অরামবা লোইনা থিগৎসি হায়না তাকপীবা মতুংইন্না এনা হংজবদা মাথাগা কর্ণগা ইচিন ইনাও চামদি, পুং অমা চৎংকুনা পুং ৭ তা থুংলগা চাইহুনা নৈ হায়রে। অহ ওইরবদি ঐখোয়না লোইবদি পুংথাই অমতনি, অদোমা পুং অমা লোইরে হায়রকনা দাদা ইবুঙোনা, থিচং কল্লি হায়বগী মতাঙম। মতা রাকখোইবু রাওহল্লোই, ঐখোই চায়াদনা কুপৈ শানগনি হায়রি, মরম অসিদগী নিঙাই তৌনরিবনি অঙা, কনানা চুমগে বিচার তৌবিয়ু। ধৃতরাষ্ট্রনা হায়রকই দুর্য্যধন মংবু পুং ৭ তা থুডিও হায়রকত্রা ? হায়রকরে পাবুং। প্রত্তাইদা দুর্য্যধন মথোই পুরুণ লাকমিন্নবদাই পুং ৮ দা থুংবা ঐখোয়নি কনিগী ৭ তা থুডিও হায়রক্লিবা ? নপাং পাংহুনা নংমা লাক্কবনি। ভীম মথোয় অসোয়বা হাঙও ওাথরে, মায়রবমিনা চামা মতা পুরুণ কুপৈ হৌরসি, নঙি নঙি মকথদা কতুরো হায়রকলে। দুর্য্যধন অহ ভীমনা ওয়থিবা অয়দা, কদায়দা রেংলগা মতাংবু রাওহন্দবা রাগ-দগেংথরকপদা ? পাণ্ডবনা শেংলিবা রাজবেশ অদুদা রেংলগে নিংলে।

দুর্য্যধননা হায়রকই পাবুং মহারাজা, পুং লোয়বগীদি রাকরে মতাংদা শেংলিবা রাজবেশ অসি হাইরকপদি মতাংবু কুপৈ রাওহন্দনা শগাইদা তৌবিয়ু। মগাগী রাকথমু তাবদা ভীমরোমদা লাংহোক্লকই মথুবোদা রাজবংশগী বিচার মসি তৌবিয়ু ? ঐদি উগ্রবনিদা থংজরে। ভীমনা ভীম দুর্য্যধন লৌমিন্নগ নুমাদোয়্নিগা চাই ? দুর্য্যধননা পাণ্ডব মতাংদা শেংলকইবা, 'রাজবেশ অদি হাইরকপনি ইবুঙোগী রাথং কাইদনা দতি তৌবিয়ু, ভীমনা হায়রকই ভীম এনা হায়দোকপ্রবা রাথংদি কাইবা রাদে মথোয়গী কিজোল অসিবু ইগুদি মযোদা নৈবা উদে, হাইরকপরা লেংমা হায়রু। ইবুঙো নত হনথরগে ঐখোয়বু লোকপিবা হপামা জান নৈব ওয়রবগী, ঐনা কমা নৈখমহুনবু ইরাংনা ইচা মীচা থারক্লুনা তুংদা ঐগী ইচা মতাংগী কিজোল থোমবীরবদা মমাংবদগী পিদোক্লগদি থংহুনা থথা লোইলোয়দবা লাইরৈপাক মরম ইপাগীদা থবীয়মহুনা, ঐনা ঙরাং হুমিদাং চংহুনা লোঙকপা আক্রি

ইবুংগো। তীরফি-না অমসা মীরাপা লেপ্পী। তীথনা. মার দুর্যোধন [illegible] মথাক্কী [illegible] [illegible]। দুর্যোধনা হায়রকই ইবুংগো মরাপশা লাইরৈগাক্তা পুখোত্‌নুনা হায়খিবা, তীরফী-না অদি [illegible]। কমা কমা খংহোরা শাফি লৈরে, শাফি লৈতবা হাকম লৌখিবনু। দুর্যোধন[illegible]-না [illegible] তীথনা হায়রকই, মার মথৎ লৌরুই [illegible] লৈরোই. [illegible] কলা খংহোরা [illegible]। [illegible] কমা [illegible] মথনিনা শাফি লৈজবদি-মায়োইদ্রবে। তীথনা হায়রৈ ইবুংগো ঐখী [illegible] [illegible], [illegible] খাঙি. খরা হোনদবনিনা, কনা [illegible] তাকহনবগে। দুর্যোধন [illegible] [illegible] [illegible]-[illegible], [illegible] রাইরকপা তাবনি। পাণ্ডবকি পিতানা খরাকনা মাক্ত দেশ খাঙিবু, [illegible] [illegible] [illegible] তাংহ-নবৌদি হায় এ, কাদোনা দুর্যোধন অমুনা মী [illegible] [illegible]।

রাকম অসি শরবাম্দা লৈরিবা লাইশ স্তুত মচানা তারে, মথনগী মুথমতুনা মাকনা খানাং মায়কা। মতা মচাইনা চঙবরে। স্তুত মচানা মীরাপতাগা লাওনা হায়রকই, গঙানন্দন মপুবো তাবীয় মও মচানা শেংশিনা, রাজবেশ অসি। পাণ্ডু পিতানা [illegible] [illegible] [illegible] থমখনি, [illegible] মও মাইথবু পজাশা পুখিরুনা, লৌখিবা অশেংবা মরূরি। [illegible] [illegible] দেবনা [illegible] মীরা লৈত-দবদগী, ইচা মচাগী থাওবন অম অমাইবা তাহল্লগদি। নখোই মতা শাফি লেপলিক হায়রুনা লাকচবনি, পাণ্ডব মও মচাগী শাফি লেপচনি। অহল্লু লাইনা মচাগী শাফি লেপ্লদি মায়োই হায়বকথা নহায়োশ মঙক কমথা মাওরবদি খকমথা মঙক, খাংশাংথা খোংহমখা মায়োইজা মপুবো। [illegible] স্তুতকী মা তাবদা ভীষ্ম ইকাইখদগী; মীতা ঈ কাবকনুনা থোগংলগা [illegible] হায়রকই। হায় হায় দুর্যোধন মূর্খ মংলা অহল লমনগী থাই চোপহনবনি. থবিথ লৈরবদি লাইন। শাফি লেপপা মায়োই হায়রুনা। নঙক কনুনা লেপপুগনা ?

দুর্যোধনা শাফি লৈরবদি [illegible] ইবুংগো [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible]। তীথনা হায়রকই [illegible] [illegible] ইকাইখা। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] হায়রকই [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। পাণ্ডব [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible]

ভীম থোক্লোই অদু ককই। লোইহনবদু হায়বগা মিৎনা পিগুম মমহুনা ককইদু, মগুশিজি বিদ্যা যেংশি হায়না ঐহিং ভোরকই। ভীম থোনগী ইন্দ্রিয় থগঙহনা, সিরি চিংনা মগুশিজি মগুম হায়গুম ভোরম্নগে থম্লুনা, তেজিন্দা লিয়ম তৌরক্লে। সিরি মাকোঙ কননা চিংলগা খোংনাং তমহুনা তেন্দু থারে, তেন্দু বৈ হোল্লুনা পাইশিন্দ্রগা নৌরমদাইদা, থৈদোকখিহনা খোঙাজিং মচেং অমা লোই-থংলগা। বৈ হোল্লুনা তোকখি। ভীম খোংনাং ককপা ভমদবগী মগুদা দু থুহুনা হজিনখি, মীয়ামনা হায়বৈ পুরান পাম্বকখদি করমগনি, মতাম থকিক খোইথিমারে।

বিদ্যা উলবা কাংবুনা ভীমবু থাদংখাখ, ভীমগী বিদ্যা উবদা থোন যুঙহোইরকপা যোগৎলগা লাউককই। মীয়াম তারো চনিগী কুইম অসি, কৌরব পাণ্ড ইচা চামা মতাগী, মরনাই কুইশেনি। অদুগ থোন খাজীদি ইচা পঙ্কান তাকলি; ঐখা খোংনাং অসি কলগা পিনিংবা ইচা অমাদা থনা প্রাব ২ দু পিলে, অহৌব মপুম যাকবা থৌগদু। অকুরাকপা হায়রকই খনি গুরুদেব লাইবক য়েংবিয়ু, থোন লিরুং খিরি চম্লগা টকার তৌরুনা তেম্বোংদগী তেম শংলগা, তেজিন্দা লিয়ম তৌথরে। সিরি লাইম কপো চিংলগা খোংনাং তমহুনা, হুংকার খনগা লোয়মনা তেন্দু থারে। তেগ্না বৈবা পাইবগুম ভরুনা পাইশিন্দ্রগা। খোংনাং থোগদনা লম অত্নিবোম থাংলিউৈদা, মযাদা হুংশিন্দুনা মৈহোৎনগা ককপনা তোকখরে। থোন ইকাইবগী মতৌ ওইনা হজিনখি, মীয়ামনা থরৈ থোন অদেদ ওইরহুনা পাজদ হৈবাযে, ককপা ভমজেদো যাখি।

বিদ্যা উৈবশিংনা ফুংদা ককপা তথা মচা মগুগী, মগুগ হাপপীগে তৌরব অবমশিংনি, হায়না থংখি। অদুগী তুংদা ভীম যুধিষ্ঠিরবু যোগৎলো, খোংনাং ককপা ভমত্রা য়েংঙুবো? হায়রক্লে। যুধিষ্ঠির ভরুম্মদ ভক্তি তৌরগা চঙখিহুনা, লিরুং সিরি চম্লগা টকার তৌহুনা। তেম্বোংদগী বজ্রবান ১ লোইথোকই। তেজিন্দা মগ্র শোল্লগা খোংনাং তত্রা মিশান থাহুনা, সিরি লাইম যোনা চিংলগা, কুফগী মাম লোম্বুনা থারে। তেন্দু পাটশিন্দখিহনা খোংনাংদা থাই, মৈহোৎনা তোক্লে ককপা ভমখিদে, যুধিষ্ঠির হজিনখিহনা দুর্য্যোধনা, ইনাও অযুক য়েংঙুবো হায়রগা কমদ্রে। দুর্য্যোধন হৌগৎখিহনা লেংবাক্ষী লিরুং থাগ্লগা, সিরি চম্লুনা টকার তৌই তেম্বোংদগী তেম লিংকং থাবা অমা গথতোক্লগা। মগ্র শোন্নি। খোংনাং তমহুনা মতাম থাগ্লগা থাজিনুনা কাপগী, খোংনাংদ থাই বৈ হোল্লুনা তোকই, ককপা ভমজে। মথাই যুঙডাইতনা হজিনখি, মাইনা দাখি লেং থোক্লে য়েংঙুবো? হায়রকই। ভীমনা অর্জুন দার খনবা হায়না কমকখিহো চাওখনি কায়রখনি, ইচিন ইমাওগী থিনাকা থাবা লোইরবনি, ইমাওশিং অযুক চম্বা লোইনা য়েংলগো? ঐখোই কোমা কোমা হোৎনাসি। অর্জুননা কনি দাদা মাইমা হায়লগা, দ্রুপাশ্মা দার ইমাওনা মখোই মথং মথং মরাইবক য়েংঙু, ইবাবা কোয়রগে। অর্জুনগী দ্রা ভারবদা দ্রুপাশ্ম হৌগৎলুনা খোংনাং মকে হোৎনবদা ভমখিদরে। মথং মথং মতিন মনাও চানা মরাইবক য়েংবদা ভমখিদরে, মীয়ামা ভীমার্জুন যোগৎলো হায়না লাওরক্লে। ভীম হায়রগই অর্জুন মং যোগৎলো, খোংনাং মতা অমিদু ইবাবা যোগৎলুবদু, মং থেক করবোম্লুবো

চিঙদুনা ইরাথা হেক থুগাইরগে। অর্জুননা কনি দাদা রাইনা হায়রগা হৌগৎলুনা চঙখরে; ওইবী লেংবাক্তগী মোন গুনা পীবা থিজব বহ লৌদুনা লিরি চল্ল। লিরি শিথদি তঙ্গায় ঙোই, অেংশোংবগী শটুকী শোর লৌই, থোংনাং অসি কৃষ্ণগী শক্তি চিঙিঙ শিংহরোই? মকম হোংদোকুনা থারগে খঙ্গুনা তেঙ্গিনা মহ শোরগা নিরম তৌখ্রে।

লিরিদা তেম্বা থোংদুনা শ্রীকৃষ্ণবু শরণ তৌরগা; লিরি নাকোং কংনা চিঙগা থোংনাং তমদুনা থারে। তেম অহমা ওঙদুনা পাইখৎলুগা হায়খরকুনা থোংনাং অহ লেমদু য়োনা নৈপাকা থোরনবা মুকথরে। অর্জুন বাউঅস্ত্র কাপতুনা থোংনাং অহু বমুনা থোংবান তাম্না পুখি শটুকি খরমা কাথ্র চপচানা তৌরগা। বাউ অস্ত্রনা মরোম কাইদল্লা থাজিনখি। মথোং নৈবাক তজিল্লুনা নৈদুং থোরগা রাই তৈশিরমই। মরক্তুনা অর্জুনগী তেংশোংবা তেম অমিহ চঙবী। অর্জুনগী থিজা উবদা অতিয়াদা কৃষ্ণে নেংলিবা লাইরাবনা, থাগৎনহল্লা নৈনা নোং চুবগুব চাইখরক্লে। অর্জুন হজিরকুনা নিংথৌ থুরমই, গুরুবু থক্ষগা মথুথোবু থুরমই। তাম্না অহদা দুর্যাধন থোংনাং ককপগী গ্রাম অনি লৌথ্রমহু, চৌং থুগাইরগা গ্রাম ও মনা লৌথোরগা। যুবরাজ মুমুনা ওইগে থনখদগী পদা পাইতুনা চিঙ তমনা প্রপ প্রপ চংখি, অহু উবদা তীমনা লাউরকই।

তাইথো দুর্যাধন মরাখা যুধিষ্ঠিরনা হায়া য়েংগদবনি, অক্লগা নিরমহ তাকৃথিগে চিঙ কাইনবনি হায়দুনা পংবৈদা নৈবা রারোই, মাইকৈ ৪ দা অমুকমুক নৈকরগা, চৌঙবাংদা অমুক নৈগদবনো চৈদ্ ৫বক্তা থুগাইগদবনি। কাইরে মরাইবক কাইত্রে মরাইবক, ৫বক্তগী হেরা নৈবা রারোই; চিঙ থুগাইবগী নিরমনি। ময়াখগী থিদায় লৌদনা মথাও ওইবনা হায়া চংবা রারোই, তীমগী রাহায় তাবদা দুর্যাধন লেপ্তুনা যুধিষ্ঠিরগী মাইকৈদা লেঙকই। দুর্যাধনগী মতৌ উবদা যুধিষ্ঠির নাম্নকই, দুর্যাধন ইনাও লাইবক রেঙতুরো ইয়াখদি রেঙহরোই? অদুগা লাখোকপ্রে। দুর্যাধন মশকা মতোগা কীকমগা গুনা য়েপখৎলগা পদা অচৌবহ লেংবাম্না হায়গৎলুনা চিঙবাং তমনা হাই পংখিবহ, চবায়রবা লোংশাগী মতৌঙগী। খীয়ায়া য়েংবদা চিঙথুগাইবা ওবা য়াই হায়দা থাখি দুর্যাধন চিঙবাও য়োনা কাখৎখরে। মাইকৈ ৪ মক্তা ফিকম তানা তানা লেপলগা থুহম চেংনা পাররদুনা ৫বক নৈকরে, অদুগা চিঙবাদো অমুক নৈবদা ইশিবব থুক ২ নিকই! মদুদা চিঙ অহ মপুম থিংলি। মরাইবক নৈতবনা কাইদনবা মক্তি ওমখিদরে দুর্যাধন মখরাই চুতাইতনা থাচিন্নুনা। মথাই মকশিনা হজিনখি। দুর্যাধন মাগী কনকমদা কমগা; রাইবা তীম দং অমুক রেঙতুরো হায়রকই তীম্না ইমাওখা দুশাসন মথোই মরাইবক রেঙতুরো, ইয়াখদি মথোতনা তেকহুবদা পোম্না লোইরগা ইবা রাদনা কোয়া থুগায়রগে। দুশাসনা দাদাথাইবা ঐথোইদি ওমগনি নিংবে তোকসরগে দাদা রাইবা লেংশিনখিরো। তীমনা হায় দুশাসন ইমাওদি, কনা অম তাবেনা। ঐনা মথুগাইরনি হায়বগী মতাঙম, মহোয়থোইবগী মঙংদা চংগা ওবদি ওমনা মাই তাংলগা থোকনকপহ ইনাইখিত্রেম ইমাওখা অর্জুনা দাদাথাইবা ইমাওশিং তোক্লগে হায়রমাদে লেংশিনখিবা থাবনি, তীম্না থমজক পায়া মতপ অমা তাম্নকই।

অর্জুন থবকসিদি অহানবা থক পাণ্ডুব, পোলোর কর্ণগা লোয়রেদা নংবোৌরোরদর্শনম থিল্লুরেদো ? মহারথক নৈতবমিনা কাইহৌদরে। চীং অসি মথুংদদি মপুম থিংগা লোয়রবনি, ঈরাবনা থেঙ্গ্বদা লিংথাইজয়গদবনি। অহত্ত যুবরাজ ওইগদবসি মীনা কাক্কদবসিনা ইয়াশুদি করাবু পামজদে তুগাইকদবনিমা ওইবদি ভাবেদো, থরাই ম্বুচাইতবা মীদি, রাওগদৌরিদা। ভীমগী রা ভাবদা দুর্যোধন থংহনা হায়রকই, ভীম অমবাইদা থেত থেত থাংগতু তানিংদে এ দাদা ইবুঙো তানিংতোই তানিংতোই, কাইদাদবু হায়রিবা ভীম মল্লবেশ ধারন তৌরগা, কৌমুদকী লোম গদা লেংবান্দা হৌগত্থ্না চরাকরবা লোংশাওম চহুরে। মীরামদা ভীমবু থিংকম হোংদনা রেংবথি ভীম ইন্দ্রগিরি লাইথক কংলগা চীংরাং ভম্না হায়গংদি কৃষ্ণবু খরুম তৌই হে ভগবান, মমাইবু থৌজানবীগুন শিক্ষসন্ত অমুক্তা কংহনবীয়ু ? হায়না থুরমজথি। ভীম গদা খুৎম চেংনা পাইরগা আখাদি প্রাখাদি থা মরাং লোংগোক মোত্থুপ চোক্নুমা, তম তম শ্রক থিনবদা চিঙদোন্দণীনা চিঙথোত কাওবা মতং ও তাবা শেগাক শেগাক কাইথরে। ভীম তিংরাংদা অমুক নৈবদা চিঙকাইহুনা, মাইকৈ শ্রদা নৈগাক লিংথাইরক্লে ; ভীম মল হৈবনিনা লোংনা হারকপদা চিথোংদা চপলেপ্তনা থাথি। কুশৈ রেঙ্তীবা অভিরাগী লাইনা, ভীমগী মথক্তা নৈ চাইথথি, মীরাম পুনমকনা থাগৎমরকই।

ভীম অন্ধরাজ দ্রোন কৃপ বাহ্লিক সোমদত্ত, ভীম, বিদুর, যুধিষ্ঠির, ব্রহ্ম সভা, মথং মথং থুলমী। অহৎগী তুংদা ভীষ্মনা ভীম, অর্জুনবু কোৗশনথি, মচিন-মনাও মংথৌগী মাংদা থুংলোরহুনা থুকট থুদক কুমুনা নৈনৈ। ভীষ্মনা ভীমদা গ্রাম ৩ অর্জুনদা গ্রাম ২ মনা পীরে, যুবরাজদি ভীম মংনা ওইগর্া হংই ? ভীষ্মনা ইবুথো ঐগী যুবরাজ শরুকি হাদাইবুঙো যুধিষ্ঠিরদা কথোক্লে ইরাথদা হায়ীবু। অর্জুন নগিদি ইবুথো নঙগী শরুকত কথোকচরে। ঐগা শরুবা ঈরাথা অহন্না যুবরাজ হায়ীবু। ভীম পেন্ননা মত ২বু চেংনা কোয়গা, লাইথক্তা হন্না হন্না চুপথি, যুধিষ্ঠির মীরাপাংদা আসন থাহুনা কমগয়গা নৈ পরেং হক্তুনা ভীষ্মনা হস্তিনাগী যুবরাজ হায়ীথরে। পুংশেং মল্ল কয়ামরুম নৈরক থোক্তকপগী খানিনা পুমিন মিনহুরে। প্রজা মীরাম পাণ্ডবকী জয়ধ্বনি লাওমথি। হস্তিনা মীরাম মথুমদা হয়রকই, ধৃতরাষ্ট্র পাত্র মন্ত্রী অহানম ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব একাদশ অক্ষৌহিনী লোইমনা মাগী মাগী মকমদা হজিনরকথি। পাণ্ডব মতা মহুম যৌরকুনা মমাগী চরণদা দণ্ডবৎ তৌহুনা থুরমজথি, কুন্তিনা মচামচাবু মথং মথং কোয়গা পাওহথি। মচা ৫ না পাও পুরদক পোইনা তমজরক্লে, মচা মচানা পিতৃ সত্ত কংথরে হায়বা ভাবদা কুন্তী হুংতাইথগী সমুদ্রদা লুপচরে। কুন্তী মত্যাগী মাথ মোনবা পোইরহুনা চাক থোংলে, কৃষ্ণদা দুক্কংশে মচা ৫গা বৈষ্ণবী প্রসাদ থবো লোইরহুনা মাগী মাগী শয্যাদা, পোথাথরে। নোংতারে তম্না চাবা থকপা লোইরহুনা পাণ্ডব মতা দরবার কাথক্লে ; অন্ধরাজবু থুরমগা অসনম ব্রাহ্মণ সংতা থুকথহুনা মাগী মাগী কম কমদা কমজরে।

ধৃতরাষ্ট্রনা যুধিষ্ঠিরদা হায়রকই, যুবরাজ ওসি মথৌ ঈপান্না সাধনশী তার পূরবক পিরম্বনি। প্রজাশী দুঃচারবথা লেবগৎ শাগৎপনী থবক হায়া পাংথোকউ ? মিংথৌগী রাখং কবদগী পাণ্ডব থবক পাইখৎপা হৌদ্রে। মতম কুইমা মপু লৈতবগুম লিরম্বা, ইন্দ্রপ্রস্থ মাকুতী মাকুত বারণাবত গ্রাম থেং মরাং মপা লেংল্লবা প্রজাগী মিংবা থুলেবা শেমগৎথি। ধনুর্বিদ্যা পাম্না অর্জুনদা ওথা ওইদ্রনা তমমদে; মল্ল পাবা গদা পাবা কাংদুনা ভীমদা তৌ্য়ে, ধর্ম শাস্ত্র ভক্তি মার্গ পাদগিংমা যুধিষ্ঠিরদা থৌরে। ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব অতিথীগী সেবা মতিন মমাওগিংনা লাম্নুপ পুংশ। ভীম অর্জুন অনিগী ওয়া রেল্লবা মরু দুকই, হিংসা লৈরদে, হরাম চিন্নী দারু লৈহন্দে, ধর্মদা মাই ওনসিন্ত্রি ওরনমগী সেবাদা থরাই যাওনা হোংলৈ, লাইবকশিংদা পিনৈ ব্রাহ্মণশিংবু দান্না পেনহল্লি; লৈবাক মারেন চুন্না শাসন তৌরকপনা মোংমু ফংগা চুমী। মতৈ মরোং চুমী চাকহোংই, লল চাওথংলি অমা অরেক লৈতে, হস্তিনা মুংতাই রাইকন্না পারে। হস্তিনাগী প্রজানা পাণ্ডব থেগী গুণবু তত্তনা শোন্নরকই, যজ্ঞ তৌবনা লাইথাম থৈবিকপু পেনহল্লি।

পিণ্ডদান্না পিতৃলকপু পেনহল্লি, তীর্থ স্নান তৌবনা বিষয়গী পাপপু লেংদোকই, সাধুজননা পুক্রিংদা কৃষ্ণ ভক্তিগী অপাবা পোকহল্লি। সত্য চাকপা ইল্লি খুদম চনবনা, মশাগী মতম ওইহল্লি অসিগুম যুধিষ্ঠিরনা যুবরাজ ওইবা পাণ্ডব থেগী চরিত্র অসিবু পুকনিং চংনা তাজবদা, মীওইবগী অন্না-অনা কোকই লল চাওথংলি য়েল্লবা মাংই পুন্যগী মশক্কি। মাসিবু শ্রীব্যাস দেবনা লেখৌরমলবা আদি পর্ব্বগী মহাভারতকী ব্রারীবু (পৌরানীক পরিষদমা) তাকপিবা রাখং মতুংইন্না সেবা পাজবদগী শ্রীহরিগী মরাই পাংত্রবা শ্রীচাওবা সিংহ ঐনা মীতৈ ঈমা লোন্দা ইকবগী অরামবা লোয় থৈবিক চাকপিগনি ইতি। সাহিত্য সেবা পামজবদগী অধ্যায় অসি শ্রী চাওবা সিংহ ঐনা তমজবা সেবা কচ্চবনী। হরিবোল হরিবোল। হরিবোল। মতাংশিদা শ্রীঅথোকপম চাওবা সিংহ কথাবাচক পণ্ডিতকী শরুক লোইজরে। ইতি। হায়রিবসি ওয়াশিং সাহিত্য সেবা পাম্নীরম্বা সর্গতী ওইখ্রবা করাগী মণিপুর পৌরানিক পরিষদনা সেবা কচ্চবনি।

মণিপুর পৌরানিক পরিষদ ইকালপা চহি ২০০ শুমথরবা ৺শ্রী শ্রীভাগ্যচন্দ্র মহারাজ সনা হাতকগী ৺শ্রী জিউরাম শর্ম্ম পণ্ডিতনা হৌদোক্লুনা, পুরাণগী মত কাইদনা ব্রারীগী শৈবেং শেমজ্লা শ্রীশ্রী গোবিন্দজীগী খৌগল তৌজবদগী বৈষ্ণব ধর্মদা লৈবা ব্রাহ্মণ বৈষ্ণবনা শ্রবন তৌনবকই। মসিবু ওথা পণ্ডিতকী শরুমান মথং মথং শন্দোরকতুনা মণিপুরদা হৌজিক কাওবা রারী তামমি। মসিবু পরিষদনা পুরাব করাগী মত থিগংচ্ছনা নোনা তমথংলকইবা ব্রারী শাস্ত্রগী মতেং ওইনবা অতগা ব্রারীগী পুরানগী মোত কায়দনা ঈমালোন্দা শনন্দসি হায়না ওয়াশিংনা লেপনবীভনা মহাভারত আদি পর্ব্বগী অহানবা শরুক কোংবা অধ্যায় মতাং অসিদা লোইজরে। মথা অসি মথং মথং কোংজরকনী ইতি। পরিষদনা শ্রীমহাভারত পুরাণকু বৈষ্ণব সমাজবু থম্না তৌজরি।